খম্নুং ইঙাল লৈশাবা

হয়ম—হম্নিচক

অইবা
মংলেম মৈতৈ

খম্নুং ইঙাল লৈশাবা

অইবা
মংলেম মৈতৈ

রারি অসিনু পীবিরকপা ঃ
অঙ্ক হং চন্দ্রম্বম ৺বিরহরি মৈতৈ লৈথিবা
খ্বায় উরিপোক খোইস্নাম লৈকাই. ইম্ফাল

ফোংদোকচবা ঃ— সং লাইরেঞ্জম মংলেম মৈতৈ
লাইবেঞ্জম মন্নাই লৈকাই

ফোংবা ঃ নোংদালাই কুমশিং ১৯৮৮ থৱাল, খ্রী ঃ ১৯৯৫ আগষ্ট
শকাব্দ ঃ ১৯১৭

কোপী মশিং ঃ— ১,০০০

নম্ফম ঃ – ১বা কোমোল প্রেস নম্বোল পেজ ৬৪ ফাওবা
২বা কে আর প্রিন্টিং প্রেস লোইবা ফাওবা

খম্নুং ইঙাল লৈশাবা

হয়ম — হরিচক

"খম্নোক লৈশেম্লোন, লাইয়েক লাইশক শাদোকপা,
মৈহৌরোল; নমু তাইৰং শাথোকপা, তাইবং মপোক
নোংদম্না চৎলম লুপ্তিন লাইরকচন, য়ারা ইখোল
লৈরো লাইয়েক লৈথম্না, পুয়া ৭ কী পুকোক পুয়ানি॥"


ঐবু য়েংলবদি থরাই পিচা অচংবা নুমিৎ থা
তেক্কবা, ঈ খুদেং তাদবা, অচংবদা ইপুক ইরু
ইশেংনা লাইয়েক ঐবু য়েংৰিয়ু॥

অইবা—মংলেম মৈতৈ









মৈতৈ চীং তম লাইয়েক

(থরাই লাইয়েক)

অ	আ	ই	ঈ	উ	ঊ	ঋ	
৯	এ	ঐ	ও	ঔ	অং	অঃ	।

(লাইয়েক হাম্মোইবা)

ক	খ	গ	ঘ	ঙ	=
চ	ছ	জ	ঝ	ঞ	=
ট	ঠ	ড	ঢ	ণ	=
ত	থ	দ	ধ	ন	=
প	ফ	ব	ভ	ম	=
য	য়	র	ল	হ্ল	=
শ	ষ	স	হ	ক্ষ	=

লাইয়েক অনি অসিদো ( ) লাইয়েক্কা লুচিংবা লাইয়েক ৩৬ গা য়াইবী লাইয়েক ১১ গা অসিনা লাইমিংথোই স্নামহিনা শুম হাইরে ॥ ( ) লাইয়েক্কা লুচিংবা লাইয়েক ৩৫ অসিনা পা-খংবানা শুবনি হায়না মরুনা পাউ-শানাবিত্র ॥

লাইমেক অপকঙা

ꯀ , ꯈ , ꯒ , ꯘ , ꯉ , ꯆ , ꯖ , ꯓ , ꯇ
ই , ক্ , ন্ , প্ , ম্ , র্ , ল্ , ঙ্ , ম॥x

তিলুক লাইমেক

ꯀꯔ , ꯄꯔ , ꯕꯔ , ꯈꯔ , ꯀꯜ , ꯁꯀ , ꯀꯁ
ক্র , ব্র , খ্র , ক্ল , ষ্ক , ঞ্জ , ক্ষ ॥

লাইমেক য়েখাইচৈ

ু = ꯨ , ি = ꯤ , ী = ꯤ , ে = ꯦ , ৈ = ꯩ , ো = ꯣ , ৌ = ꯧ , া = ꯥ , ং = ꯪ , ্ = ꯭ , ৃ = ꯔꯤ , ় = [illegible] , ঃ = [illegible] , ঁ = [illegible] ॥x

চৈনপ লৈশঙ্কপা

ꯀꯥ ꯀꯤ ꯀꯤ ꯀꯨ ꯀꯨ ꯀꯦ ꯀꯩ ꯀꯣ ꯀꯧ ꯀꯪ ꯀꯔꯤ ꯀꯥ ꯀꯦ ꯀꯣ ꯀꯥ ꯀꯥ ॥x

চৈশিং অমেক

꯱ ꯲ ꯳ ꯴ ꯵ ꯶ ꯷ ꯸ ꯹ ꯱꯰
১ ২ ৩ ৪ ৫ ৬ ৭ ৮ ৯ ১০ ॥x

খুদম চৈ—

। = । মিহিং চৈ

। = ॥ য়াবেপ চৈ

? = ? য়াহং চৈ

x = ~ পাউখুমচৈ

-- = — লৈয়াং চৈ

= = — ইমানচৈ

॥x য়ারোই চৈ

য়ারুপ ১ লোইবদা থমগনি।

॥x॥x য়ারি ১ ইবদা পুমলোই

লোইবদা শিজিন্নবা খুদম

রাহৌদোক

পুয়া অসিগী মমিং "থম্মুং ইঙাল লৈশাবা" কোই। করিগুম্বা লৈরমদবদগী নোংদম্বা মানা মাগী রাথন্দগী মথং মথং পুথোক্লুনা পংলবা তাইবং ঐখোইবু কদাইদগী লাকপনো, করম তৌনা মালেম অসিবু হৌরকপনো হায়বদো পুয়া অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মালেম অসিনা মীওইবা পোক্লিন্ৰৈদগী চিংগুশিংনা হান্না লৈরম্মে হায়বশু তাকলি। চিংগুশিংনা হান্না লৈরম্বা মতমশিংবু "হয়ুম চক" হায়না কৌনরম্মি। তাইবং চহিদা লাইথমলেন অমা পান্নম্মি। ঐখোইনা খংনবা য়াবা চহিদা অমা ইরগা নোংলুম কুনমাথোইনি। হায়রিবা চহি অসিদা তাইবংনা তৌরগদবা থবক, পান্নগদবা চহি শিজিন্নরগদবা পোৎ অমদি মানা মানা নিংনরগদবা লাইনিং লাইশোল পুম্নমক শেম্না শাবা লোইরগা মালেম্বু অমুক 'লৈশম্বা' হায়তুনা শেম্মগা মপোক অহুম শুবা তাইবংমী পুথোকপনি। মপোক অহুম শুবা হায়বদি অহানবদা মানা মানা তৌনিঙ্বদা তৌতুনা লৈরম্বা মপোক অমা, অনিশুবদা মাঙোন্দগী মানা মানা পুথোক্লিংবা পুথোকপা খুৎনা মেক্তুনা শাবা মপোক অমা, মপোক অসিবু নমু ৭কি মপোক কৌই। অহুমশুবদা পাগা পীগা নাইনা নাওদরকপা মপোক অমা, মপোক অশিবু ঐনা হৈজ শিংজরবদি চিংগুগী মপোক ওইবা য়াই হায়তুনা খোইয়ুম তাইবং মপোক হায়নশু কৌই। চিংগুগী লাংওন শান্নরগা নমু ৭কি লাংওন অমুক শান্নে। কালেনগী (৩) নি পানবা শগোলশেল ন্নুমিত্তুগী হয়ি চং হৌরে। ন্নুমিৎ অসিদা পা-খংবনা ফম্বাল তোংবা ন্নুমিংনি। ন্নুমিৎ অসিদগী ফৈদোম ৪ খাইবা হৌরে।

হংকো শাবগী মরম—হয়ি, হয়া, খুন, লাংবা চং মরি অসিনা পুল্লগা কোহংকো অমা কৌই। কো হংকো ৪ ন, তয়ো হংকো কৌই তয়ো হংকো ৪ না হংকো লৈশাবা কৌই হায়না লাইরিক অসিনা হায়রি। তাইবং মীনা পোকপদগী নোংদলাইনা পোকপা লাংবা চঙ্গী চহি ৩১০৮ চংবা ইংঙা থাগী ১৫নি পানবা শাগোলশেল ন্নুমিংকি ন্নুমিৎ য়ুংবা মতমদা শথোরকপদা পোইনাওতা শিদবনা মথক্কুগী শমথনা শুরকপা পুয়া অসিবু পিরম্বনি হায়রি। নোংদলাইনা থোরকপা মতম অহু ফাওবদা তাইবং চহি কয়া শুরবগে হংজবদা তাংঙখা মরিবনা তাকখি।

হৌজিক তয়োহংকো ৬শুরে ৭ চংলে; অহুগা হংকোনা ২৭ শুরে ২৮ চংলে তারো নোংদলাই। হয়ি চঙ্গী চহি ১৭,২৮০০০ হয়া চঙ্গী চহি ১২,৯৬০০০ খুন চঙ্গী চহি—৮,৬৪০০০, লাংবা চঙ্গী চহি ৪,৩২০০০নি পুল্লা :—হয়ি—১৭,২৮০০০+হয়া : ১২,৯৬০০০ + খুন : ৮,৬৪০০০ + লাংবা :

৪,৩২০০০=৪৩২০০০০ কো হংকো : ১

× ৪

১৭২৮০০০০ = তয়ো হংকো : ১

× ৬

১০৩৬৮০০০০ = তয়ো হংকো : ৬ কী চহি

তয়ো হংকো ৭ চংবগী চহি হয়ি ১৭,২৮০০০+
হয়া চঙ্গি ১২,৯৬০০০+থুন চঙ্গি ৮,৬৪০০০=পুম্না চহি ৩৮,৮৮,০০০ ওইরে। +
'কো হংকো ৩গী চহি ৪৩২০০০০×৩=১২৯৬০০০০ নি

হৌজিক তয়ো হংকো ৬ কি চহি + ১০৩৬৮০০০০
চং ৩ গী চহি + ৩৮৮৮০০০
লাংবা চঙ্গী চহি + ৩১০৮

তয়ো হংকো ৬ শুবা ৭ চংবগী চহী ১২০৫৩১১০৮ শুরে।

কো হংকো ২৭ শুবা ২৮ চংবদা অমুক য়েংশি :—
হয়ি+হয়া+থুন+লা ব

(১৭,২৮০০০+১২,৯৬০০০+৮,৬৪০০০+৪,৩২০০০) = ৪৩২০০০০

× ২৭

হ কো ২৭ কি চহি= ১১৬৬৪০০০০
চং (৩) গী চহি (হয়ি+হয়া+থুন) + ৩৮৮৮০০০
লাংবা চঙ্গী চহি + ৩১০৮

১২০৫৩১১০৮

মীওইবনা পোক্লনা মালেমদা খোংদাবা হেক হৌবদগী কো হ কো ২৭ শুথ্রগা ২৮ চংলকপা লাংবাচঙ্গী চহি ৩১০৮ ফাওবদা তাইবং চহি ১২ ৫৩১১০৮ শুরে।

হৌজিক হৌজিক হায়বদি খ: ১৯৯৫ ফাওবদা চহী কয়া শুরবগে থংগে হায়রদি নোংদলাইনা শাথোকপা লাংবচঙ্গী চহী ৩১০৮ দনি, খষ্টাব্দনা চহী ৭ হাল্লি মরম অতুনা লাংবা চঙ্গী

কুমশিং ৩১০৮—৭=৩১০১ হৌজিকী খৃষ্টগী চহী ১৯৯৫+৩১০১=৫০৯৬ ওইরে ।।

মথক্কী চহী নোংদলাই চহী য়াওদনা (১২০৫৩১১০৮—৩১০৮)=১২০৫২৮০০০+৫০৯৬২=১২০৫৩৩০৯৬ নি চহী অসি থা ১০ নাওপুনা পোকপা হয়ি চক্কগী ওসি খৃ: ১৯৯৫ ফাওবদা ওইগদবা চহীনি ।।

লাংবচক ১

লাংবা চক ২না খুন্নচক অমা

,, ,, ৩না হয়া চক অমা

,, ,, ৪না নত্রগা (খুন্নচক ২না) গু হয়িচক অমা অগুমগু চক্কী চহী শাই ।।

খঙ্গদবা : খৃষ্টাব্দগী চহী ৭ খাইরগা নোংদল্যাইগী চহী ওইগনি ।

হয়ি চংদা লৈগদবা মীদি মশাগী খুতুপ ২০ মরেপ রাঙ্গনি। মপুন্সিনা মনিংতমগনি। চহিনা ১৭২৮০০০নি।। হয়া চংদা লৈরগদবা মীদি মশাগী মরেপ খুতুপ ১৪ রাঙ্গনি মপুন্সি চহি ১০,০০০ ওইগনি চহিনা ১২৯৬০০০ নি।।

খুন চঙ্গী মীনা লৈরগদবদি মশাগী অরাংবা মশাগী খুতুপ ৭ রাঙ্গনি। মপুন্সিনা চহি ১,০০০ ওইগনি। চহিনা ৮,৬৪০০০ নি ।।

লাংব চঙ্গী মীনা লৈবগদবদি মশাগী অরাংবা খুতুপ অহুম মখাইদগী খুতুপ ৪ ফাওবা রাঙ্গনি। মপুন্সিনা চহি ১২০ ওইগনি লেপ্লখি। চহিনা ৪৩২০০০নি।। অগুম্না ফৈদোম ৪ অসিনা ওন্না ওন্না পানবনা লাইখমলেন অমা ফাওবা পাল্লগদবনি।

থম্মুং ও লৈথংদবা- করিবু করাবু ওইবনো খদবা মহাক, নহাক, ঐহাক মাংফ-তুমফদবা অতম্বা অমাওই মহায়বা। নংনা লৈবা লৈফম্ব অহাংবা কৌব্রা ? অতুম্বা, অকোইবা কৌব্রা ? অরাংবা হায়গে কদাইনো অনেম্বদা লৈএ মহায়এ, নংনা লৈবা মফমদি নংদনা মথংঙি, নশক নওংগু নংদনা মথংঙি। নশক নওং ওইবনা= ওতনিংবতা ওইজনা খংহল্লগে থল্লকুনা থম্মুং ইংঙাল লৈশাবা, খুম্থাক লৈশেমলোন, থে ইয়ুম মৈ হৗরোল, চৎলম লুত্তিন লাইয়কচন, য়ান্না ইখোন লাইয়েক লৈশুবা, নমুতাইবং শাথোকপা ত্তাইবং অপোক থোংলম নোংদম্বা কৌবা পুরারিবু হয়ি, হয়া, খুন, লাংবা চক ফৈদোম ৪বু মথং লেন্না ওন্না ওন্না শান্ননবা পুথোকপিরম্বা পুরারিনি।

পুয়া অসি ইহান হন্না লাইমিংথোইনা শুরম্মি। মথংদা কৌব্রু লাইলোংবনা হায় চংদগী শুবা হৌখি। খোরিফাবগা শুমিন্নবনি ।। হয়াচংদা— ওরুং থোংখোং লুথিবনা শুই। মথংদা কারন

লম্বনা শুই। মথংদা নুংঙংপিবা হৌচোংবন্ম শুই। মথং—তাইখো ভম্বা, খুলেভম্বা, লমথা ভম্বনা শুরে। খুন চক্তা মুবাংলমহাং ভম্বনা শুই। লাইমিংথোইনা লৌখংখি। লাংব চংদা—হুমিত্তগী নোংদলাইগী চহী ২৬ চংবা মেরাগী ৬নি পানবা শগোলশেল হুম্মিত্তগী তারুখা মরিবা; খারম থাদোই, লোংমুজাম্বা, থিংবাইজাম্বা, নম্বোনবা নোংমাইহনবা, খাংহিন্নাইবা, লৌরাংজাম্বা, চিংঙু থোংনাং থাবা লৌয়াংবা মাইচৌশিংনা মথংলেংনা শুহৌবা পুয়ানে।

মথংদা লুখোইনা চিংথং খোম্বা কাওবা শুরে। মথংদা খুম্বোং চন্দ্রমনি অমশুং অথা মেজর, পুত্রম্বা মেজরনা শুরে। খৃষ্টাব্দ ১৮৯১ গী এপ্রিল তাং ২৩দা পাওনা শিরে তাবদগী পুয়া অসি পুত্রগা ভাপ্রুম চিংদা লোতুনা থনম্মগা কছার ডারজালং জিলাদা লানজেন্দুনা লৈখি। মতুংদা পুয়া অসি লৌকরগা কছারদা থমখি।। মতম থরা লৈরগা উটিবোক খোইশ্যাম লৈকাইদা লৈবিরম্মা ওঝা চান্নবম বিরহম্নিনা ফংলকুনা অমুক শুরে।। মথংদা জাইরেজমদা লৈবা বীরমঙ্গল (মংলেম্বদা) শিন্নবিবদগী খাইদা লাম্বোকচবা ভম্বনি।। অশোই অভাম য়াওখিবা পুন্নমক তাকশিরকপবু হরাওনা ভাইজরি, ।।X

লাইরিক অশি হৌবদগী মৈতৈ ময়েক্তা ইতুনা থম্বীরম্বনি বাঙ্গলি ময়েক্তা ইথোকচরগা ফো-দোকচবনি। বনানগী পথাপ চেখৈ, কোমাগী পরিং থবদি মশোইনবে। হয়ম চক্কগী মথংলেংনা শমথনা হয়িচক, হয়াচক, খুনচক, লাংবচক্কী নিংথো চুরাচান্দ হাক্তক ফাওবা থম্বিরম্ম।। অমুকং ফোংদোকচগে হায়না খনবশি ফনা কুইর।। নম্বোলদা কমল প্রেস্তা অহানবদা নম্মি, মৈ চাং নইনা লাক্তবদগী অমুক কৈশাম পাংতা হিজম কুমার প্রেস্তা কোন্না অমুক নমজবনি।। মরুপ কুমারগী মীথোক মীচান ফজবা তৌবিমল থংবা হিজম ইবাবোত কী মচা মশু ওইশিরমতুনা লৈ-বাক্তি অমদি মৈতৈগী ইপা নাং ইপু নাংপু থোইদাক হেন্দোকক্তা মু শিজবা অমা ওইরমতুনা ঐগী লাইরিক নম্বগী থোইদাকপা অরাবা লৈকদে।। মরুপ অশিগ মফমদা মহাক্তা লাইরিক অশিগী মথাদা অশুম্মা তৌরগ ফজগনি তাকশিনুনা হোংনবিশিবগী লমন শিংবা ভমদনা তোল্লে।।

তশেংবমক্তি লাইরিক অশি ভোলুম অমতা ওইনা ফোঙ্গে হোংনজবনি, চাওখিগদবা থরচ হেন্না চংখিগদবা কিজবদগী চক চক্কী ৬ইনা ফোংজবনি মথা তাবা লাইরিক ফোংবা ফোংদবা খাইগী থৌজানগী মথাদা লৈরে মৈতৈ লৈবাক্তি মাংফদরবা লাইরিক অমদি লৈফম থোকপরা খঞ্জবগী তৌজবনি, অশোই অভাম অরাল অহুক্ত তাকপিয় রারৌবগী মহুত্তা খুদোন পোৎকুম ফিগাও শানা য়াজগে।। লান্দবা য়াদবগুম লানখিবা মথঙ্গী খুৎনমদা শেংদোকচগে।।

মংলেম মৈতৈ

তাইবংও রাহোম্নপে তাজোঁও

(খ)

লাইয়েক কৌবদি নোংদম্মা খোইযুম মাবু হাইবনে ।। লাইয়েক্কা হক্কে, চৈশিংনা শিংলি নাওরি তুনে খংও ।। লাইয়েক্কা হুমফু তরাগা তরেৎনে ।। লাইয়েক অসিনা ভেংবানববু শেম্মনি, লাইয়েক অমবু মাংবা রাৎপদা নোংদম্মগী হকপু কাইয়ে লৈরাং লৈথমক্ক দে ।। ইশা নশাবু লাই-থুং তিম্মুংনহুনা খ্বাংতেক খাংমাংনগদবনে, লাইয়েক্কি লাইমিংদি অমদি আঞ্জিনি, অনিদি ইঙাল লৈশাবনে, মশক্কি অমা খম্মুংদি ৭ᵔ অনি ইঙাল লৈশাবদো ৪ᵔ অসিনে অসিবু খংজরবদি থোক্লফম হুমফম্ম তাইবং পান্দা খংবনে ।। তরাদি থরাইনি ।। কুম্হ্রা মঙাদি হক্কী নাওয়োম যাইবি হা-মোইবনি ।। অপকমাদি ৭নে ।। লৈতিন রাশু ৭নে, চৈগবদি তরাগা তরেৎনি মশক্কি ঐগী ইঙাল ইওমনে ।। খংখিগনি উখিগনি হাইবগী লৈরোৎ থুপচননা মাইগৈ ৪বু পানশানা থম্মনি ।। অথিবনা খংশম্মু খংদবনা খ্বাংতেক খ্বাংমাংশম্মু লৈয়েং লৈথি নাইদবা মপুক লুম্মাং নাইদবা লুত্থুং লৈথন্দবাদো খংজোও ।। লৈবনে রাঙনা মুমিৎ থাবু লৌথাম্নিবা লৈফমদা শিদা নাইদ যাইবু হৌবনি, মুমিৎ, থা, মৈ, ঈশিংনা খংবনে উবন্নে খংজো ।। ঐবু লৈথিনবদি লৈরাঙ্গম্মা লাক্কমু ।। হৈরাং চৎলুম লৈপুনা নপুক হক মাইতনা নকোক নউ ইতুম্মা খুজিন খুয়া লৈশেংনা নোংদম লাইমিং লাইমিংবু থাগোম্না লৈথি লৈহাংজো ।। নপুক লুম্মাঙ্গী লুবাক্কুংদা চেৎনা চান্না লৈথমও ।। ইম্মুং ইতম্মু নও লুবাক মথুং হাঙ্গম্মু নবা ইর লৈথংলোই, য়াঙ্গোই ক্কোইহুনা লৈথিশম্মু কোরো নোংমদি তাং-স্থেংলগদবনি খুম্মু থরংবু থেনেবদা উরিৎ শেন্দাং পাইবগুম নোংমদি শমাংদা পাইশিল্লক্কুনা তুগদ-রনে, নমিৎ ইমিৎ পেন্না য়েংঙমজো যৈথাই লাইনা তুবদো হেয়ম হৈয়ম হৈয়ম ।।x

পুবারিবু তানফংজবা মতম, অমদি নোংদম্মহুনা পীবিবা মরম্মু থোকাওদনবা লাইয়েকথানা লৈথমজবা, অমদি মরু অনিবু থাগোনজবা ।।

লাংবা চক্কি কুমশিং ৫০২৫ নোংদলাইগী কুমজা ১৯১৮ চংবগী কালেন থা ওনি পানবা শগোল-শেল মুমিৎকি অয়ুক্কি কোলুপ ১১ তারকপা মতমদা কুবি নোংদম থোদাবিবগা লোইনহুনা পুরারি ১২ গী মউ উপান ওইবা পুরাবু তানফংজহুম্মা লৈশিঙ্গবা হোৱে ।। মতম অসি ইশাগী চহি ২৩ চংলে ।। মতম অসিদা করিগুম্বা মরম অমদগী লৈকাইগী য়াম্বা অমদি মকশিঙ্গী মতুং ইন্দুনা মৈতৈনা শাবা ক্ষিরানবু য়োনবা (অসাম দরংজিলা কামরূপ) হাইবা অসিদা চংলি ।। তেজপুর জিলাগী

মমুংদা লৈবা অমলা বতি কৌবা খুন অসিদা পুন্সি মুংশাংলবা কুমজা ১০৫ চংলবা অহল ২বু লৈবিরমহুনা অহন ২গী মনাক্তা চংজহুনা ঐংখোইগী লৈথুংকম ওইহুনা লৈওমলে ।। শঙ্গুবম অঙাং-জাও, অয়েকপম তোম্বা, থাংজম অমুখরো, য়েলাংবম পুষ্কর, থম্বালজাও, চাওবি ঐগা (ওঝা বিরহরিগা) ঐংখোই ৭ লৈমিন্নৈ ।। অহিং অংথংবদা অশামদা লৈরম্বা অহল ২ বু মাঙোন্দা ফম্মিন্নহুনা মৈতৈ লৈবাক্কী পুরারি নিংথৌরোলবু পাওশানবগা অহুন ২ বু পুরুমহুনা হিক হিক লাওনা কপ্পে, মতৌ অশুম্বা পাওশানবশে মরি মঙারক শুভিল্লক্রবদা অহিং অমদি ঐবু পাওশাহু তাজনিংহুনা অহন অনিগী মনাক্তা চংহুনা ফম্মি ।। হংভি নঙ্গী নপিজা মথৈদি য়াতৌওরবা তুম্মি নংদি পোথবা য়াত্রবরা ঐখোইনা নিনবা অসিনা ? চৎলো চৎলো পোথাকরো পাওশা তোঙ্লগে অহন চোংলম হুক্তেদা ইচাশিং পোথাজবা মতমদা ।। ঐনা হাই ঐদি পোথবা য়াদহুনা মপান্দা থোকচবা নচচদে, পাওশাবু তাজনিংহুনা থোকওমজবনি ।। ওসি মরিনি চুপ্পা তাজববু মফমু খরদং থাপ্পনা মারোল শেনা তাজবা ফংজদহুনা তাজগে চংজরকপনি ।। মতুংদা ঐবু হংভি— নংদি কননো ? ঐ মৈতৈ মচানি ।। নংদি নমাংনা লাকপরা নতুংনা লাকপরা ? লুতুংনা থাং-চৎনঙ্গে লাকচরি ।। ইন্না শোনো শিদে, নংবু পোকপা ইপাগী মমিং করি কৌবা, লৈকাই লৈকম কদাইদ. লৈব ? খ্বাই উন্নিবোক খোইন্নাম লাইরেম্বী লৈকাইদা লৈবা চান্নবম চাওথোইগী মচানি, ঐদি বিরহন্নি কৌই ।। ইপাদি মৈতৈনি মুংশিদা মীতৈ নদ নবুবোক লৈরিববা ? ইবুবোক লৈৎ খিদরে ।। হিং কন্নিনো খংদেনা ।। মা অসি হাহরগা অহন ২ বু কোম্নহুনা কপমিন্নে, মতুংদা অঙাং নং খংঙে হয়েং পাওশাশি পোথারুরো ইতাওগী মপাও হৌজিক্তা মংাইদো ইরু মাইতা-রুখিগে অহিং অহুদা মকোক ইতুম্না ইরুরগা পোথগ্রে ।। মতুংদা তাকপী ঐংখোই মৈতৈনি, মৈতৈঙু কুম্ল জগী খোগন ইনবদগী মফম অসিদা লৈখিবনি অরাং থংবদা লৈরিবা নপুবোক অসি নপুবোক হুলোপ মুরু কনবগী মপিজানি মমিংবু নিংথৌরোল অহুম্বু লৈশুপ্পা নোংদম শংলেন লৈফমলম্ববু নোংমাইথেম্বা য়াংলৈ কৌবা অহুর্মি । নপুবোক হুলোপ মুরু কনব চান্নবনা মৈতৈঙু ৩ বু লৈচুপ্পা কাইবিরোল শংলেনবু লৈপুবনিদো ।। অথা মেজর তোলেনখোম্বা কৌবা ঐনি লৈঙাক লৈকল্লোন শংলেনবু নপু ঐনা পুরম্বনি. নংনা থংন্নিবা নপা নপুগী পুব রি ২ শুনা লৈত্রবা লাইগী পুৎশেম পুরারি নপুবোক নোংমাইথেম্বদা মথং শিংনা লৈঙম্মি নপোংনি, নঙ্গৌদমকপু নপুবোক নোংমাইথেম্বনা মৈতৈঙু কুম্লচন্দ্রগী শ্না য়াথং পুহুনা অহিংদা লালচেন্নবদা পুরারিবু লৌথোক্লু নোংদম্নতুনা নবুবোক্লা নোংদম শংলেন্দগী লৌথোক্লুহুনা ভাপ্রম চিংজেন্দা লৈহুং চন্দুনা লৈথমলুরবা পুয়াবু নপুগী খুত্তা লৈরমবনি রাগম্ভু ।। নংদি নপাগী মপুগী লাইয়েক্তী পাবা ইবদি হৈরেদনা ? মহুদি ঐদি খংজদ্রি ।। লাইয়েকপু পাবা ওমদ্রবদি অথং অহৈবদা তম্মুবদা মাগী থুংলাই ওইখিবা

তাইদনা নংনদি মুম্না থংহৌরোইদৌরেদনা, লাইয়েকশে নংনা লৈনবা তমথো হৈরগা নথুংগু ওইজনবা লৌজদৌ, পুৱারি অসিদো মৈতৈ লৈবাক্তা অনি শুনা লৈতবা লাইয়েক পুয়ানি লৈঙম হৌবা পুৱারি মথৌদি নাপনলেপ্পা লাইয়েক পুয়া ঙাক্তনে ।। নোংদম শংলেন পুবা শুনা পুন্না অসিদগী শেমদোকখিবা ঐনা মহেল্লে পাওশানবনা য়ুমথোংশিন্না চীংয়া তময়া থুংনা লৈথুপ্লহুনা লৈঙম থমজম্মরিবনি মশাগী চৎনরম্বু অকাইবা কবি হুংনধু য়েলুপ লুখাই তামা লৈখিবদো লৈথুপ লৈথম্লহুনা, মিহুন মীমাং রানা লিচুম শৈরেং ওইগম্না পুৱারি লৈপুন লৈথানা, মচেৎ লুখাই লৈথম্বনা লৈবাকপু ময়া লেমফু ফুক্না চৎলম লুতিন ফাওবা মাংলরনি মতম থরদি ।। মতুংদা ইপা ইপুগী চৎনলম্বু লৈথুংনবা লৈথি নারয়োই, লাইথোং তিনথোং লৈমাংহন্দুনা লৈঙাক লৈবল্লরনি ।। হৌজিক (ফিরিংজি) লাক্লদো মৈতৈশু, কুমজা ১০০ গী লৈন্নুংদা মলেসনা লৈঙাক লৈপুহুনা তথুম লৌরমচা অয়াম্বনা মপা মচা লৈখংনহুমা, লৈপান থোদানরকনি । রায়েন থোদা অহুনা চাকরাইনহল্লবদা লৈবাকপু লৈঙাক লৈকন্নবা, মরু অনিনা লৈথম্লম্বা (নোংদম শংলেন লৈপুবা শুনা পুৱারি লাইয়েকপু) অশুম মাংহন থ্রশিন্না মৈতৈশু হাইনা নবুবোক নোংমাইথেম্বনা বংলো শামাদা হঙ্গৎপদা নিংথৌনা ইপু চুম্মি নোঙাল্লনদি ফিরিংজিনা চংথ্রনি ভুঙ্গী উরেপ ওইগদবা মাংফদবা রায়েন নোংদম্বা পুৱারি থরদি লৌশিন্নব তৌবিগে, ঐদি খোংশাল্লরে লৈহন্নিংদ্রে ।। সনা য়াথং পুহুনা নপুবোক্কা নোংদম শংলেন্দা লৈচংহুনা পুনারি (থম্নুং ইঙাল লৈশাংবা) সনা পুৱারি, পুৱারি লৈঙম্বা থৈবিক্কি পুকোক ১গা, শথাই পুৱার ৭ কা পুৱারি লৈথম্না মন্নুংদগী লৈশংলুহুনা নবুধোনা মৈতৈশু কংলৈ পিবা কুল্লচন্দ্রদা থাদমলেদো ।। মৈতৈশুনা— ইপু এনা পুবারি অসিবু লৈফম কদাইদা থমগনি, ঐদি লাঞ্জেল্লবা নিংথিনি, মাংদনবা ইপুনা অশীঙ মতম চানা পিনবা নোংদম্বি ফুনা নপুবোক্কা ঐখোই ওনা চীংলেন ঙাপ্রম লিংকমদা যোং উপুদা হাপ্পুনা লৈন্নুং চন্না লৈথম্মুববনি ।। মৈতৈশুবু ফিরিংজিনা ফাহুনা মীবেবাকপা থম্মুবদগী থাদোক্কনুনা নবদিপ্পা লৈবদা নপু অনিন চংদা থোকাওনৈ, মতুদা নবুবোক নোংমাইথেম্বনা শাপহুনা "থুং" হাইরম্মগা থোকপ্রে, অহুদা নপুগু ভুংহন্দুনা লাকপনা মফম অসিদা লৈররে ।। নপুনা য়ুম্বান্দুনা লৈয়ে মতুদা মৈতৈ লৈবা মফমদা লৈকনি চৎথ্রগা লৈথম্লম্বা পুৱারিবু পুরক্কুনা অমুক হনঙল্লক্কুনা নঙ্গা উনরিদো নংনা অঙাং ওইমনবা অসিনা কমদোগবা, নবুবোক্কা পাওশাবদা নংবু নবুক লুবাক্তা লৈহাপ লৈথম্ববু ঙমগদরা নংনা লাইয়েক হৈত্তে হাইবা অসিদি রাথ্রেদা কমদৌনিবা । ইবুবোক বাঙ্গলা ময়েক্তি থরা থরা পাবা ইবা ঙমজে, ঐনা থংজবা বাঙ্গলা ময়েক্তা ইজগে, ইবুবোক ২না নোংমা নোংমগী থরা থরা পাবিয়ু ।। লাইয়েক থংলবা পাবা ঙম্মবা মতমদা নোংদম্বীহুনা পিবিরো হাইবদা য়াবিরহুনা পুৱাবু শিঞ্জরে ।। লাইয়েকপু হুমিং থুদিং পাবিরে কুমজা ৬ লৈচংবদা লৈশিনবা লোইহুনা অমুক হম্না ইবুবোক ২ না পাবি-

হুনা ঐখা ইজমদা ঐম্না য়েংজম্নগা য়ম্না ইখোলবু চানৈ ।। অমুক ঐনা পাম্নে ইবুবোক ২না পুম্না-ম্নিদা য়েংহুনা চুনৈ ।। মতমহুদা হাইবি ইবা পাওশা য়াম্নাদি লৈতিম্লে, লাইয়েক্লা মীগী লাইয়েক ওইবা মঙাইম্নে মঙান করিবু লৈম্নাংতরে মপাঙনিদ্দ থম্না নাওশোম্নঙম্ননি নঙ্গী লাইয়েক অসিনা অম্বুবু নপু ঐনা লৈহাম্নগে কোম্নো অসিদগী নথুংগু ওইজম্নো নপোংনি থংঙো ।। পাগী পুগী লাইয়েকশে লৈথংনবা তৌওম্মু কুমজা থম্নদি লৈখিশমু নংনা পাবা ইবগা হৈবদা লৌওম্নো নোংদম্না লাইয়েকপু য়েক্কুনা থংনবা হোংনৌ পীওম্নী ।।x

৺বিম্নহম্নি
উম্নিবোক খোইসনাম লৈকাই

খম্নুং ৱাবু ইঙাল লৈশাবা পুৱারি শয়ঙ্গা

(ক)

ইম্নুংলোন নোংলোন পরম্বু লৈশানা লৈথম্বা পাওশা ৱাবু খজিক হাইগে ॥ হৈয়ম খম্নুংও লৈথংদবা কৱিবু—কৱাবু ওইবনো হাইবনো খংদেদা, মহাক নহাক ঐহাক মাংফদবা তুমফদবা অহুম্না অমা ওই হাইবা, নংনা লৈবা মফম্বু অহাংবা কৌবরা, অতুম্বা ওইবা হাইবারা, অৱাংবা হাইগে কদাইনো, অনেম্বদা লৈয়ে মাইগে, অৱাংবা করি কয়াবু লৈহুনা হাইশিবনো, নংনা লৈবা লৈফমদি নংতনা মথংঙি, নশক নওংশু নংতনা মথংবা, নশক নওং ওইবনা নংনা লৈথংহল্লগে ৱাথল্লক্কুনা শাফোংলগে হাইহুনা লৈবদি কুং লাইয়েক অমনা নহাক হাইবা লুবাক্কুম্না লৈশারেদো, কুং অমনা মহাক হাইবা লুবাক অহুগী মথুম অমা শেমহুনা লৈথুমলগা অনিগী মৱক্তি ময়াইদা নোংলুপ হাইনা ঐহাক হাইনা লৈবনে মরু নংনদি মহাইদো ঐনদি খংদবনা নংবু খম্নুং হাইবনে লুবাক্তি মশক অহুবু থিকলেন হাইনা পাওশানহুনা থিকলেনবু পোক থাইহন্দুনা লাবা থিয়াং শাফোঙ্গে ৱাথম্না নশা উং লৈম্নুংদা লৈশা লৈথম্বা লাইয়েক ৭৭ পু লৈয়েংলগা উং হাইনা লৈশত্তুনা ঙংহুম্না নিংশাবু ফুইনা কামহুনা ইৱি কোঙ্গালবু লৈকামহুনা লৈথমলে ॥ লাইমিংবু কুং কৌৱে, ঙং ঙং ঙং ল্যাইয়েকপু লৈশত্তুনা ঙংহুনা কাম্বদা কংবি কংনাও পোকহল্লে, মমিং কংঙ্গিংলেন অকুপ্পা কৌৱে ॥ অমুক্ত য়েং লাইয়েকপু লৈশত্তুনা ঙংহুনা কায়ে মহুদা ঈশিং পোক্তুনা মমিংবু ইহিংশং কৌৱে ॥ নিংশা অহুগী ইহুম্না ঈশিংবু ইচাই থোক্তুনা ঈশিং অহুনা লৈবাক্তি মশক ওইহন্না লৈঙমহুনা লৈশিবা লৈহো লৈথমনহুনা নোংদম্বা মাগী খোংনেৎ থুদাবু লৈথমলহুনা থিৱেল উংলৈ হুংদগী লৈৱোল অহুম্বু শাফোংনা লাবা থিয়াং লম হোৱে ॥ লৈফম্বু হো কংলৈ লম্মা হনবা=কংলৈ স্না পুংমাইয়োন মিংহুল্লে ॥ লাইমিংবু (হিশ্না মনিক তপয়েংবা পুৱেম্বা) লৈহুল্লে ॥ লৈবাকপু লৈহিংসং ইপুথোক ইয়াবা মিৱিহিং লৈয়োম্বা লৈহুন্দুনা (কং) লাইয়েক্ক লৈফা লৈথম্লগা লৈথকলোনবু শুনতরং=উইফুংকেৎ কক্লাচিং শংকুৱেল থাকৌনা কোং লাইয়েক্কা নোংলেলবু ফাহুনা মালেমদগী লৈকানহুনা নোংলোন পরম্বু লৈশা লৈপুনবা থৌশিল্লে ॥ নোংলোন্দা লৈফমহুনা থুদা ৮ লৈথানা লৈফমলে লাইবুংথৌ ৯ না মৱুগী মচু মঙান ৭ পু শাফোংলক্কুনা মৱুবু থবিয়মগুম কোইরম্মগা ময়াইদা তংথাই লৈথাইনা নাক অনিদা তাৱগা লাইপাথং ১ লাইহুয়া ১ শাথোক্লে ॥ লাই পাথংদো শলাইলেন অমম্বা, লাইলৈমবু ইংথৈৱেল লাইওইবী হাইদো ॥ অশুম্না ফম্বানবা লৈফমদা (শঙ্গাই পুঙ্গিবা) মনাক হাইৱে ॥ অহুম মক্তি লাইমিংবু মঙাং হৈথোক হৈঙাংলালিং হাইবনে '। মৱুনা লাইশু, মীশু, পোংশু তুমিৎ য়ুৱান শা·ঙা উচেক লৈঙমগদবা থৈবিকপু শেমহুনা ফৈদোম

মম্নি লৈখাইনা শেমগৎ শাগত্তুনা লৈথম্নহুনা পরম খাইনা নং শানৌও পৌম্নম্বু থৌয়েংহুনা ঐবু ঙংঙাই য়াইফ্কং ওইগে নবিত্তা লৈহৌয়ো ।। ঐবু পাথেৎ লৈথক্তো লৈগে কাপ্রে ।। লৈফম্বু শঙ্গাই পুন্সিবা লৈফম হাইরে ।। অনিবু মুংবা মহারাবা, মুংমু তুমদ-মাংদবী লাইয়েকপু নং, হুং, অংক হুং, সং, কোং, উং-ঙা মাপন্না মরু ৭ কা লৈফম ৬কা শেমহুনা লৈওম্বা মশক খিবিক্তা হাপ্লে ওইদেদো, লাইলৈমমা লাইয়েক ৩৬ পু লৈরৌনহুনা লাইরৈমা ৩৬ লৈশানা লৈফম ৬ তা লৈয়েন লৈহাপ্পবদা মহো মহৌনা নোংখোং নিক্লে মৈবি শঙাইশেল পাইরে, শজিক্তা নোংদাম্লে, থবানা নোংখাইরে ওকপুরোইনা ওকওমলে ।। মৈ, ইশিং, নুংশিৎ লৈচিল থরাই পিচা মুমিৎ থা পরম খাইনা মরুরোল লৈফম ৬তা লৈয়েন্দুনা নোংল্োনবু লৈশা লৈথম্বা থৌরোইনহুনা মালেমদা লৈকুম্নবা পাওশানহুনা অশৈ খোংফাংনা লৈকুম লৈহৌরে ।। লাইশু মীশু কম্নি করাবু লৈওম্নদরিঙৈদা নোংদম্বনা শাফোংনখিবা লৈফম্ব, লৈথিহুনা লৈফম অহুদা হুকচাংনা থাংপোক ওইনা থন্দুনা লৈবা হৌরে; থনশঙ কৌরে মফমদো ।। অহুদগী নোংহুমশঙ হাইরে ।। লৈফম অসিদা লৈরবদা শলাইলেন=শোরারেল=মুংবা মহারাবদো লিং তোং মরাপা লিং লিং কৌরে ।। মতুংদা অতিয়া মরু শিদবা ওম্না থমলেখম=থপ্লং মরুপা কৌয়ে ।। মরুগী হুকচাংদা নুমিৎ শিংয়েৎ ৭ থাজা ১২ শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৬ মুমিৎ থা, থারাইপিচা মৈ, ঈশিং, নুংশি, লৈচিল লৈবাক লেংঙি পাল্লিবা অচৎপা চত্তবা পুম্বনা তিলু থানা শাথোক লৈপাল্লি হাইহুনা (অপানবা) হাইএ ।। মরুগী হুকচাং লেমফুবু কংলৈ পুংমাইয়োন উন্দ্রা কৌএ ।। ম্নিংলনবু মি হিং সাং সংদা অপানবা কৌএ ।। অচাওপুং, চাওদপুং পুন্সিপুং পোক্নপুং লৈফাৎ লৈথম্নি লাইম্নিংবু সং সংদা হি লিক হো কৌএ ।। অহুদগী শালাইলেন অমম্বদি ইখৈরেল লাইওইবীদা নামু বা কৌনা লুতিল্লেদো ।। মহুদা কারিনে, কারনে, কারাহেল্লে, নোংদমথুবনে, নোংদমহনবনে, য়ুহামে পোক্লে ।। অহুদগী চৌনফুরোল লৈচিক ঙানবা কৌনা থা পনশাবদা পোকপা (নোং তম অথুবা) কৌবদি খোইযুম খোংলৈমা লিকশিংগুনে, মহাক্তো থানা চাওবনে ।। লৈথোনববু লৈরোইরগে নিংহুনা লৈথমলবদা পোকপা (নোংদন অহনবনা ও পারি মেস্তে মেলাংথোই কৌনা তিনখোং লাইথোং অমম্ববু অফুনববু তিনশেং লাইশেং থংদনা লৈববু পোইরোই শংমিংথোই কৌনা কাওবক্তুনা থংহল উহল্লি ।। মহুদা কংলোইয়া চামা নিপালবু লৈথাইনা অশৈবনা খোইয়ুম লৈফম লম্বগী মতিক মঙানবু শক্তুনা অমাইবনা তিনখোং লাইখোং লাইশোন্দুনা নোংলম পুনা শ্না লুপা কোনয়াই থাহুনা লাইমুরা লাই পাখংনা মপুক হরাও তয়াম্না তিলু লৈকোই শাথোক্নহুনা নোই নৈএ ।। হৈ রোং লৈমা ফিঙন্বীনা লৈতাইয়ে ।। অশুম্না শা-উচেক, কককচেং খোইয়া ভুমিং য়ুরাল মী-পোওঙা লৈওম্ববু শেম্বী শাবি পোকপীহুনা থম্বীয়ে ।। হে মীওইবা থংঙো অশুম্না ওইওমহুন্না লৈরকলিবনে (হৈয়ম চক চৈথেত্তবা) থংঙো ।।X

হিরম	লামায়

খময়নুং ইঙাল লৈশাবা

হুয়ম

ঈথয়ং আঙ্গি কৌবনে ।। হায়বদি অমম্বা করি করাবু শাথোক্তরিবা মপোক শিবা-নাবা লৈতবা, অমাং-অতা নাইদবা চিংঙু মতম কৌবনা মশক মওং লেপত্রিডৈদা মথম্বা লৈরম্ববু থঙহল্লগে নীংলক্তনা ঐবু করি করা কমদৌরগা খঙহনশিবনো হুমা হুমা লুম্নাং লৈথনবদা শিংথা চৈশিং থরবু তাম্লেংনরে ।। উম চৈশিং অসিদি মশীং অসিবু শুমা শাথোক্লগা ঐনা লৈতম্লিবা পরম্ব থংহনবা য়াগনি হায়রিন', ঐ ইথন্ত লৈবনদি ঐবু ঐনা খঙবদগী ক্ষেম্লোই হায়রি। অদুদি চৈশিং অসিবু শুনবা মশকপু শাথোক শাক্কোংনবা তাঙয়ে ।। লেপখিবা চৈশিং বু হায়সে চাবোল শুদোম্না খঙহৌনবা য়েক্লগে ।।×

(চৈশীং লাইয়েক মশক লাইম্নিং তাম্লেংবা)

অমা, অনি, অহুম, মরি, মঙা, তরুক, তরেৎ, নিপাল, মাপন, তরা, অরাগা অমা, তরাগা অনি, তরাগা অহুম, তরাগা মরি, তরাগা মঙা, তরাগা তরুক, তরাগা তরেৎ, তরাগা নিপাল, তরাগা মপন, কুন, মথং মথং কুনগা মাপন, কুনগা তরা, মথং মথং কুনগা তরা, নিফু, য়াংখৈ, হুমফু, হুনফুগা তরা, মরিফু, মরিফু তরা, চালুপ অমা—

অমা	১,
তরা	১০,
চালুপ অমা	১০০,
লিপুন অমা	১,০০০
লিপুন তরা	১০,০০০
লাপুন অমা	১,০০০০০
লাপুন তরা	১০,০০০০০
লাতিং অমা	১,০০০০০০০
লাতিং তরা	১০,০০০০০০০
লাঙ্গং অমা	১,০০০০০০০০০
লাঙ্গং তরা	১০,০০০০০০০০০

লাক অমা ১,০০০০০০০০০০০

লাক তরা ১০,০০০০০০০০০০০

লাঅক অমা ১,০০০০০০০০০০০০০

লাঅক তরা ১০,০০০০০০০০০০০০০

আক অমা ১,০০০০০০০০০০০০০০০

আক তরা ১০,০০০০০০০০০০০০০০০

উক অমা ১,০০০০০০০০০০০০০০০০০

উক তরা ১০,০০০০০০০০০০০০০০০০০

লাইলোই অমা ১,০০০০০০০০০০০০০০০০০০০

লাইলোই তরা ১০,০০০০০০০০০০০০০০০০০০০

লাইখমলেন অমা ১,০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০০

লাইখমলেন তরা লাইহুম অমা, লাইলুন চানুপ (খয়ুং) অসি মখেদি শিংথাদ্রে ।। চৈশিং তিম্বা, চৈখাইবা, শখাইযেল্লগ, হায়রিবা পরম অসিবু নুমলা, চৈরেপ্পুনা মশকপু শুনবা শেমগৎ-তুনা খয়ুংদগী ইশাল লৈশানৈয়ে । ×।। ×

(খয়ুং রাবু ইশাল লৈশানবা রাখল, শিংথেকপা চৈশিং)

হয়ম হোয়াক্তে লিক্লাইগু ইবুধৌ, নোংদম ইগা ইপুরেল নংবু কনানা খংবনো নংতনা ন নু খংবা উবনে ।। করি কয়। লৈঙমচিংডেদা অমা হায়বা নত্তা মবৈনবু খঙবদো নন। হায়বগী, নথৌ-জানবু কুবি নোংদমলকপদগী নহাক্কনা নংবু খঙবা উবা ওইবনি ।। হৌজিক্কি নংনা যেনহো রাবু হায়নিখিবদো থৌকাওদনা মথংগীনা খংজবা ওইনা নফমাংদ লৈহনগে। নপুক খোক-জং লৈতানা তাবিও ।। ঐ কনানো, ঐনা লৈরিবা লৈফম অসিবু করিনো, অদুগা এবু কদাইদগী লাকপা, ঐনা মতম করিবু থৌপুবা ? ঐনা লৈবা অসিদি খয়ুং নিদনা মফম খংদবা অমম্বা ওইবি ॥ অদুদি ঐ অসি কনানো হাইবা ইশক ইওবু লৈশক লৈচু খংজবা ঐ খয়ুং অসি ইশাল লৈশানবা থৌপুবা তাবে, অদুদি করি কদাইদগীনা কদাই কাওবা মশকপু শাদমতুনা লৈথমলগা মতুংদা ফৈদোম মরিবু থমতুনা ইশাল লৈশাবা ওমগনি ! অমদি ঐ লৈরে মথংদি করি করা লৈঙম্বা হায়না রাখন্দুনা (থিরেন ম্না হক্কংদা) মথং মথং য়েংলক্কে ॥ মশক অনি অমা উরে অহুম শুরে ।। অনি অমগা উরে মঙা শুরে ।। মথংদা পা ৪ গা পী ১ গা মশক মঙা অমগা উরক্কে, তরা শুরে ।। অশুম্না মথং মথং ম্না হক্কং থিরেম্নংদা য়েংবদা মশকপু চানুপ অমা = ১০০ ফারে ।। মতুংদা চানুপ তরা = (লিপুন অমা ১০০০)

তানক্ংলে ।। মতুংদা লিপুন তরা তানকংলে, অমুক লিপুন চালুপ অমা ফংতুনা লাপুন অমা উয়ে ।। মতুংদা লাপুন তরা তানকংলে, অমুক য়েংলে লাপুন চালুপ অমা তানক'তুনা (লাতিং অমা) ফংলে ।। অমুক থিরে, লাতিং ১০ শুরে, অমুক থিবদা লাতিংবু চালুপ অমা উতুনা (লাস্নং অমা) ফারে ।। অমুক থিরে, ল'স্নং তরা শুবে, মতুংদা লাস্নংবু চালুপ অমা উরে, (ল'কক্ অমা) শুরে ।। অমুক থিরে লাককপু তরা উরে, মতুংদা লাককপু চালুপ অমা উতুনা লাআক অমা ফারে ।। মতুংদা লাআক তরাবু উরক্লে, অমুক লাআক চালুপ অমা উতুনা আক অমা শুরে ।। অমুক আক তরা শুনা উরে, মথংদা আকপু চালুপ অমা উতুনা উক্ অমা শুরে ।। মতুং অমুক যেংবদা উক্ তরাবু তানফংলে, মতুংদা উক্ চালুপ অমা উতুনা (লাইরোই) অমা শুবে ।। মতুংদা লাইরোই তরাবু উরে, মথংদা লাইরোইবু চালুপ অমা উরক্তুনা শেমগ শাগদবা মশকপু লাইথমলেন অমা শুরে ।। মতুংদা শেমগদবা মশকপু করি হাংলিবগে হায়তুনা স্না হক্কুংদা থিবদা করি কনাবু উতমদরে ।। উম ইভাল লৈশাবদা খোকভমগদবা মশক চৈথেক চৈশিংদি লাইথমলেনবু চৈশুনা শাথো ক্লগা থম্নংগুম্না অসিবু ইভাল লৈশাবা য়াংমলনি হায়রবো ইদনা ।। অতুদি মকবাশিং অশিবু ঐনা শেমগৎ শাগৎপশিংবু করিবু কয়মজোনা শেমগৎ শাগৎসিনবো রাখম্না অমুক স্না হক্কুং থিরেন উংলৈলুংদা হুম্না হুম্না য়েংলক্লে ।। থিরেন অতুগী উংলৈলুংদা ইরিক কোম্পানগী মশক কুম্না, মশক ময়াম অতুনা অমুক (খবা লৈতিল তিলু) চৈথানা, খবা অমনা যেংলুপ শখাই থা, খবা অমনা হোৎরিনতুনা খবা অমনা মশা য়েথাইননা লৈফমতুনা ইরিক ভমফুতরাগা তবেৎপু শাদম্না লৈঙম্বা উরে ।। উম মশকপু লাইথমলেন চিশিংশুনা শেশ্বা উম্নবা খোইয়ুম লাইয়েক্তি অসি ওইবে হাইতুনা লাইরমলেন ৭৭ পু থিরেন উংলৈলুংদা য়াইবী লাইয়েক লোমলে ।। হামোইবা, অপকমা, তিল্লংবা, চৈনপ, চৈহাপ মিংহুম্না লুপ মরি থোক্লা লৈথমতুনা চৈশিংনা শিশ্নোং ওইরে ।। লাইয়েক নাওয়োম খানা শেশ্মো হাইভম-লেদনা অতুদি লৈভম উভমলিবা লাইয়েক অশিবু ঐনা কদাইদবু থমলগা লৈরৌনতুনা থম্নং অশি ইভাল লৈশানবা কৌভমশিবনো লুম্না'বু লৈহম্না য়েংলে ।। নোংদম্বগী হক্কুংদা তন্দ্রা ময়াই শুমদোনপানবু লৈকোইনা য়াইবী লাইয়েক তরানা থম্নং আশ্তি =

কৌববু কোইশিন্না লৈরম্মে ।। আ, ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ, এ, ঐ, ও, ঔ (১০ শিনা) লৈনা লৈকা পানবগুন্না, হিঃ মশিদি পরম অমশু হাইরিনা লাইয়েক অশিবু করিবু কমদো হাইবনো কোইনা য়েংলে, মিউদা হামোইবা লাইয়েক — ক্ষং, হং, ষং, সং, শং, ।। কৈগন ফৈবাক্তা — রং, রং, লং, য়ং, যং, ।। খেইদা — মং, ভং, বং, ফং, পং, থজিন্দা — নং, ধং, দং, থং, তং, ।। খবাক্তা ণং, ঢং, ডং, ঠং, টং, ।। ওইগী কময়াদা — ঞং, ঝং, জং, ছং, চং, ।। য়েৎকী কমথোংদা — ঙং, ঘং, গং, খং, কং, ।। লাইয়েক অসিনা

লৈফম্ না লৈতাক্নুনা লৈউমনবশি অশিববু য়েম্নিংহুন্নবা লাইব্রা লৈয়ৌ লৈথিনবনিলা অহুনদি মাগী মাগী লৈহাপনবা লাইয়েক শিন্থোংশু শুলৈয়ে, ঐবু ইঙাল লৈশারগে হায়রেপলে ।। ৪ ।।
×

থম্মৎ ইলাল লৈশাবা
হুয়ম হোয়াহে

তাও নোংদালাই পা-থংবা মৈতৈশু, তাইবং মপোক অথোই চংখোনবগী মশক ওইনা শাফোং শাথোযপা, তেংবানববু পোক্লেন শাৎপা নোংদম মপা মপুরেন্না করিবু করা লৈঙম-ড্রিভৈদা মাংবা য়াদবা অমাং অত্তা লৈতবা তেংবানবা মপুনা (নোংলুমগী) মশক ওইনা লৈঙমহুনা থম্মৎ লৈশানববু ইঙাল লৈশানবা রাখলে ।। রাখস অহুদা লৈথনবা মশকপু নোং-দম্বগী শিয়োমগী মমুংদা ফৈদোম মরি লৈখাইনা ইরিক কোঙ্গোল থানগুম লৈহন্ন রুনা মহাক্রা উবা ফংলে ।। উম মশক লাইয়েক অসিদি ইঙাল চাওবা থরাই য়াইবীগী মশক ওইনদি তারগা অমত্তা, থরাই হায়োইবা মিরেন হামচৎপদি কুম্ভ্রা মঙা ইহুল্লিনা, অসিনদি লাইয়েক অনি অসিনা তিন্না লৈথানা থৌরম খুদিংদা শাফোং শাথোক্তবা য়াদ্রেনা, অহুদি ঐনা ছোংমগদবা থৌরম অসিবু লাইযেক নিফুমঙা' সিদো তিন্না থাগ্লগা, য়েখাই য়েখাইহুনা থবে'ান লৈথাহুমা লাইয়েক লাইশক য়ারা ইজন্না শাথোক শাকোংবা তারি, নঙ্গ্রবদি থৌরম্ম শিনশুনা লৈশাবা থৌংম লেইদোরে' অহুদি ঐবু ঐনা লাইযেক্না হায়্রা-লৈশাবা ওারে ।। নোংদম রাখন্দা শারেপহুনা লাইয়েকপু লৈশারে, মৈতৈশু নোংদালাই লৈশা লাইয়েক হাইগে পুবারীনা লাইয়েক লৈথম্বিবাস তাবিরে ।।

য়াইবী লাইয়েক (ইঙাল চাওবা)—
আজি ইঙাল লৈশাবা আ, ই, ঈ, উ, ঊ ঋ, ৯, এ, ঐ, ও, ঔ, অং ।×
শিংথেক শিংহাপ চৈ লাইয়েক— ১, ২, ৩, ৪, ৫, ৬ ৭, ৮, ৯, ১০ ।।×
লাইয়েক হায়োইবা— ক খ গ ঘ ঙ
চ ছ জ ঝ ঞ
ত থ দ ধ ন
ট ঠ ঢ ড ণ

প ফ ব ভ ম

অ = য য় য্ল ল র

শ ষ স হ ক্ষ ।। ×

লাইয়েক য়ৈথাইবা (অপকমা লাইয়েক)—ই, ক্, ঙ্, ন্, প্, ম্, ল্, ব্, স্, ।।×

লিত্তিন থবো'ন লাইয়েক — ক্স, ঙ্ম, ক্ল, ক্ক, ঞ্চ, ষ্ক, জ্ঞ, ।।

মৈতৈঙ্গু লাইয়েক হুমফুগা অনিবু স্না হবচাং মঙ্গু্দা শাগৎতুনা শিংথাচৈ ঃরাগা শিংথানবা লৈথমলর্ক্রেদো ।। ×

মৈতৈঙ্গু নোংদালাই হৌজিক্তি তাইবঙ অসিবু
কবিবু কমদৌনা লৈশানা লৈথক্লমনো, পবম
থোরম্বু পুরারী থয়ুং ব্রাবু ইঙ্গাল লৈশাবা
পুবারীবু য়েক্লিবা লাইয়েকপু পাঙয়গে
নীংশিংনবা পবম্বু ওঙনা তাবিবো ।।

অমাং অ-া লৈংবা মশক মঙ'বু ক্ষ্য়ঙমদবা মশক্কা লৈংম উঙমখিবা লাইয়েক্কুগী লৌথ্না য়াবা, অমা (উং) হায়না ' তুনা থিবেন মঙ্গুংদগী নিংশা ফংইনা কামতুনা ' লে ।। ঙংলিবা য়াবা অতুদগী মাইগৈ শিন্থংনা ঈরিকপু পান্দম্বা ঙমদনা মপান মাইদনা ঈশিংতনা ইলং লংবা লৈঙমতুনা ঈশিং অসিদা তাওতুনা ঈশিং ঈরিক কামথোরকপা অতুদগী (কোঙ্গোন) হায়বা মশক অমা মায়গৈ থংনা লৈরে, ইরিক কোঙ্গোন অতুগী মমিং লাইয়েকপু (কু) কৌরে ।। অমুক স্না হক্কংদগী (য়) লাইয়েকপু লৈশত্তনা (য়েঙ) হায়বা অমা ঙংলক্রে, য়ারা অশিবু ঙংনতুদা ঈশিং অতুদগী (ঈশঙ) হায়বা মশক অমা থোরক্কনা মাইগৈ শিন্না ঈশঙনা শিনলে ।। অমুক লাঈয়েক অমা লৈশত্তনা (ঙং ঙ' ঙং) হাযবা যারা অমা অমুক ঙংলে, যারা অতুগী মঙয়া ঈশিঙ্গ ঈশিঙ্গ য়ৈনদা (কংবি-কংনাও) হায়বা মশকপু শাথোবক্ন-না মমিংবু (কংহিংলেন অকুপ্পা) কৌরে ।। ঈশঙদগী শাথোবপা কংবি কংনাওগী মরা মঙ্গু'দা তাবা মরা অতুদা (ঈনাং) হায়বা মশক অমা শাথোক্কনা ঈনুংবুংদা য়ানতুনা লৈবে ।। মশক অসিবু লাক্লবদা (উং, ঙাং, ঈং, য়ো', ঙং) হায়না ঙংতুনা ঈশিঙ্গী মথাদা ঈনাংগা ঈ-শঙ্গা থমলে ।। অমুক (স, হ, র, হ, র, স, র, স, হ,) লাইযেক অহুন্না তিন্নুনা য়াবা ইঙনং নিংশা ফংইনা কামতুনা লৈঙম্বা ঈরিক কোঙ্গোন পুম্ববু চ'ইথোক্কনা ঈনাঙ্গ-ঈশঙ্গা লৈতা লৈশিন্না লৈঙম্বা মশকপু শাফোলে ।। মশক অসিবু উবদা পরিং লাংশম থঙমতুনা নিংশা ফংইনা ফংইনা হোনতুনা কৈদোম মরি, ঙংদাই মরি থায়না মালেম লৈশিববু শিন্থংনা ফারে ।। লৈঙম্বা ঈশিংবু ঈচাইথোকতুনা মালেম অতুগী মথাদা লৈঙম্বা মালেম অতুম্বু ঈপাক থক্কা

তাওহ্নবা নোয়ে হায়য়ে ।। থৌরম্ উবদা নোংদম্বা (লৈবিতোম শোন মরিনপকা) পাওশানা নিংশাগী ইচনবু কামহুনা মালেম লৈশক ওইগদববু লৈফা চুকথানা লৈথম্বা হৌরে ।।

করি করাবু লৈঙমলমদবদগী মালেম লৈমবু লৈরকলবদা ঐগী শাথোকফম লৈরে থোক-উম্নগে, ঐবু কদাই লৈফমদা শাথোকশিবনে। রাখলহুনা ঈশিং ঈনাংবু তাদবা অকংবা লৈফম অহানববু মাইগৈ নিপান লৈফানা কোইনা য়েংহুনা লৈথিএ ।। লৈফম অমবু উরক্লুনা ঐনা থিরেন অসিদগী ইঙাল লৈশানবা শাথোক শাফোংনবা লৈফমদি অসিনিদনা রাখলহুনা থিরেন ওমলৈ মুংদগী লাবা থিয়াংথোক্লা, ওইথংবা থোংনাম্মা মালেমদা নেং, য়েৎ থংবা থোঙ্গী থোংদোম্বা ওইগী খুদা নমহুনা, য়েৎ থংবা পম্বোম্ থেক্লা লোংনা থাঙ্গৎলগা, খুবাক থম্বাল লৈনা শানা লুরাই মপা লাক্লা থম, ওই থংবা খুৎপাক্লা য়েৎকি খুৎনিং মপালাক্লা লৈথম-হুনা শাথোক্লে ।। লৈফম্ (হৌ কংলৈ লম্মহনবা = কংলৈম্মা পুংমইয়োন) মিংঙল্লে ।। লৈফম অসিদা শাথোক্লবদা রাখল্লে, মালেম অসিদা লৈগদবদি অচা অথকতনা হিংনবা লৈরগদবনি, লৈঙম্নগদবা পুন্নমককী য়াইফং নোংদম্নবা পরম থৌরম্ লৈথম্নবা নোংলোন হায়বা লৈফম অমা লৈখাইরবনিনা নোংলোন লৈফম অসিবু লৈশা লৈহাম্মা লৈথম্বা ভাগ্রদনা রাখএক্লুনা মালেম লৈয়াইলেন কংলৈ পুংমাইয়োন্দগী অহাংবা নোংলোন করি কয়াবু লৈঙমদবা নোং-লোন্দা চোংথংখিহুনা অহাংবা লৈফম অহুদা ফম্নাম্নাংহুনা অমুক রাখল্লে ।। রাখল অহুদগী মচা মঙাল তরেৎনা থবিয়্মগুম কোইবা মঙাল অমা শাথোক্লুনা নোংদম্বা লাইবু কোয়-শিন্না ভান্না শানা থোক্লুনা খল্লে ।। ভাইহাক লৈরম্নগা মঙাল অহু চেকথাইহুনা ময়ায়দা তংলে, য়েৎলোম ওইরোমদা তাগ্রগা য়েৎলোমদা তাবনা লাইবুংথৌ অমা ওইনা শাফোংলে ।। অহুম মক্লা তিল্ল্ কমবান লাংবা লৈফমবু নোংলোন (শঙ্গাই পুন্সিবা লৈনাপ) হায়য়ে, অহুম মককী লাইমিংনা (মঙাং লৈখোং হৈঙাংলালিং) কৌয়ে ।। মরুগী চপ্রেল মথোঙ অহুম কৌয়ে ।। মঙাং, লুয়াং, খুমন হায়য়ে ।। লাই অহুম্মা নোংলোন্দা তিল্ল্ লৈফমলবদা পাওশা লিরোমহুনা মুংঙাইনৈ ।।

পাওশানখিবা য়ারা :— উ-ই-তে মী কী হীং, মি হিং ষং চিং তে তে, চিং তে তে নপম্ ; অক্কো শি রিং কি রিং, নোং তরেং, নোংতা কাংবিক্ল লৌপুন ওরা ।। কী রীং শীরিং সচুরী-কা নোং তা কাং বি রু, মুং বীরেল পুরীং উ-ইওরা উ-ই-তে মুং তরেং পিষং থপম্ ; উ-ই-তেবা উ-ই-তে তেমু চিংতে তে চিংতে তে নতেমু ওরা ।।

লিরোমববু লোইবদা নোংদম্বা হায়য়ে ।। লাইবুংথৌ শলাইলেন অমম্বা, ইথৈলেন লাই-ওইবী, নবঙানিনা ঐনা নীংবা পরম খৈবিকপু থৌঙম থৌপুনবা তৌঙমহুনা ফৈদোম মন্নিবু লৈয়াৎনা চৈথাদবা নং-ঐগী (হয়ম চক) অসিদা মথং লেংনা লৈঙম্নবা, থৌঙম থৌপুনবা

তৌওম্ম।। ট্রৈল্লোন নোংলোনগু লৈথম পরম্ম লৈখাইনা শেমগৎ শাগৎতুনা পরম্ম যাত্তুনা থম্বীত্তুনা ইভাল লৈশানবা তৌওম্মো।। নবভানিগী নওম্ম থোয়েংনা অম্মিংবনা শোক্তবা অ-শাবনা লৈথ্রেংবা অহাংবগী মথক্তা অহাংবা লৈফমদা পুন্নমজ্জি মওম মথোবু থোয়েং থো-য়ানা কমত্তুনা লৈওম্মগে।। ঐগী ইওম্ম নবওনিনা থোবুনবা তৌরো শিম্মত্তুনা কুবি নোংদম্মগা লৈকম অসিদগী নোংলোন অরোইবদা লৈংকাত্তুনা লৈওমখ্রে।। লাইমিংবু (উংলো য়াইবিরেন শিদবা) কৌয়ে, মেরুবা লাইমিংয়ু (ডং লৈহিংফা, লৈকা ও-এ কু নোংনুম) ওয়া কৌ-থিএ।।×।।×

(নোংলোন পথেং লৈশা থোপু থোহোবা)

থোদা নোংদম্ম থোয়ানা অনিমক্তা লৈওমহোত্তুনা নোংদম থোদাবু থোপুনবা যাতাম্মরকই।। ইথৈরেন লাইওইবীনা হায়—মুঙ্গী যাখল থোওম্ম করি থোহোশিনবা? শলাইলেন অমম্বনা হায়—মুঙ্গী যাবু থোওম পরমগু থোহংহৌদে করিবু কমদোৗবা নোংদমদি থোয়াহোরে নং ঐওগী হেন্না করি করাবু উদে, নং ঐনা করম থোহোশিনবনো যাতাম্মত্তুনা চাকচা য়াহিপ তম-লক্রে।। শলাইলেন অমম্বা লাইমিংথোইনা ইবেম্মনা হংজি—"(মুঙা লৈতে শুংলৈতে, শুং-লৈ শলৈতে)"।। ইথৈরেন লাই ওইবীনা যাখল্লগা হায়রকই—থোহো পরম্ম করিবু করম্বনা থোহো হাযবনো মত্তু হংহৌদে।। (শোলো নোলো, নোলো থাম্মুংগাইবৈ) নং ঐবু মুঙ্গী যাথনবু তাম্মনা থোদাবু থোওম্মবা থোপুসে, থোম্মম্ম ঐতনা থোওম্মোই নং য়াওদনা (ল.ইরেম্মগী ভিলিথোং, লাইনিংথোগী ভিলিকাং)= লাইরেম্বী লাইবুংথো অনিনা থম্মোইমুংদা যাথমবা থোরমবু ভিম্রথানা যাতানত্তুনা নোংলোন্দা লৈগদবা মশকপু লৈথম্মবা থোশিল পাওরাক্লে।। ইবেম্মা থোরমদি অওম্মা থোপুনশি উংলো যাইবিরেন শিদবগী মওম শিম্মোং থোদাবু (শলাইলেন অমম্বা= (শোরারেন অমম্বা) ঐনা পুবগে।। মৈতৈওম্ম নোংদলাই—হায়রিবা মশক অসিদি মহাক্কি (লৈচিম্মি)।। তাওবিরোইলাই শলাইলেনগী শিম্মোং ওইবদি (অতিংভানি) মশক্কি (মুংশিৎনি)- তাওবিয়োইলাই হায়বদি (লোইনবনে) অম্মুম্মা শিম্মোং পরম্ম লৈথম্মা লৈথম-লবদা অনিমক্তা অমুক পাওশাই—(পিংতরং পিংতরং কম্মশং কম্মশং যন যংলাই যং, শমপিং পিং) হায়বদি নোংদলাই—থোরমবু শিনবিনবদি ত্তানফংলে অত্তুবু মশক থোরমবু য়োমত্তুনা থম্মবা লাইশং= নাওয়োম ওইবিনবদি লৈওমদে হায়ত্তুনা নাওয়োম ওইনববু লৈশিল্লে।।×

(মৈতৈওম্ম নোংদালাই নাওয়োম হায়গে তাও)

ভেংবান অসিবু নোদম্বা লাই উংলো য়াইবিরেন শিদবা মশক মনিং হায়না লৈরিবা পুম্নমক অসিবু মহাক্কগী মশক্তা ওইহল্লিবা লাই অসিনা (অতিংকোক) হায়বা মিংথৈ অসিবু য়োমত্তুনা

লৈদো, লাইমিংবু (ৱঁ্ম ৱঁ্য়েং) লাইয়েক অসিনিদো ।। অতিংকোক কৌবনা অমম্বা হায়বা অসিবু য়োম্মিদো, নাওয়োম লাইয়েক্লা (ৱঁ্ইং ফুংকেং কক্লচিং) লাইয়েক য়াব্লানিদো ।। অমম্বা কৌবনা মুংশিংপু য়োম্মি, লাইয়েক য়াবানা (ৱঁ্ম কিক, ওক্, কুক,ৱঁ্) লাইয়েক য়াব্লানিদো ।। মুংশিংনা লৈচিনবু য়োম্মে, য়াবা লাইয়েকপু (ইং হুং বং তরেং লিয়োম্বা) য়াব্বানিদো ।। লৈচিম্না ঈশিংবু য়োম্মি, লাইমিংবু (ৱঁ্ লৈচিন পুমচিনলেন লিক্লা পুন ইয়োম্বা) য়াবানিদো ।। ঈশিংনা লৈবাকপু য়োম্মে লাইমিংবু (লৈহিং বং ইপুংথোক ইয়াব মি রি হিং লৈয়োম্বা) য়াবানা য়োমমিদো ।। × মৈতৈঙ্ নোংদলাই হায়রিবা শিন্থোক্পী মশক মওঙ্গ, নাওয়োম হায়বা লাইয়েকপু লৈতনা কৱিগুম্বা মশক অমতা শাথোক্ না মশক অহু ওইবা য়াদে, ভেংবানবগী মপুনা নাওয়োম ওইগদবা লাইয়েকপু ওথশিন্দুনা লৈথমলম্বা করি করাবু লৈউমলি খংদবনা (থম্ং থিক লেন) হায়বনি, নোংদম্বা মাদা থিরেল নাওয়োমগী মশক ওইদুনা লাইয়েক য়াইবিরেন ১২০ থরাই হামোইবা ৩৫০ মিরেন হামচংপা ৯, অপকমা লাইয়েক হামোইবা ৭ কা, চৈ ১৬ কবু থিরেন উং লৈ মুংদগী পোকথাইদুনা চেকথাইরকলবদা পরম থারনা শাদমদুনা শাথোক্লবা থৌশিনবিদো ।। ×

তাবিও মৈতৈঙ্—হৌজিক্কি নোংলোন্দা লৈথম্বা পরম মমিংবু পাজগে—

লাইমিংথোই মহারাবা, মুংমুতুমদ-মাংদবী অনিমক্লা বাথরবদা শিন্থোং ওইগদবা। নাওয়োম ওইগদবা পরম্ তানকংনদুনা খংঙম উউমলবদা তিল্ল্ কম্বান লাংনা লৈকমলে, লৈকম্বা মশক্তি লাইয়েক্লা ওইবদি (ক্ষ) লাইয়েক্লা ওইবনে, লাইমিংব্ (হুম যংব্ম লেন চিং পিং খিকথবা) লৈহল্লে ।। অঙুম লৈবদা তাওবীলোই লাইনা (আ, শ, প, খ, ম,) লাইয়েক মঙানা শিন্থোংহুনা নাওয়োম থানা (ওমথি) শাথোক্লে, মশক্তি (অতিয়াগী মশক্তি, লোইদাম থাজনি, তরং লাইজগী) মশক্তি ।। ঈহৌরোল মাপম লৈহল্লে, (১-ব্ং চিরি০ ২ ব্ং চিংথাম, ৩-ব্ং চিবাক, ৪-ব্ং চিরিক, ৫ ব্ং চিতক, ৬ ব্ং চিযো০ ৭ ব্ং চিল্লা, ৮ ব্ং চিথা ৯ ব্ং চিথ্ম) য়ারা ইহৌনা লৈথমলে ।। মতুংদা অমুক শাস্ত্র বি ব্ (ঙ, ক, ৱ, ট, ণ) লাইয়েক মঙানা নাওয়োম ওইদুনা শেমলে মশক্তি মুমিংনি মঙান মৈনে০ লাইমিং শিন্থোং রাংহৌ ইথোন য়ারাবু (১-ব্ং মৈমুংশং, ২ ব্ং মৈতরংঙাং, ৩ ব্ং মৈঙান তুফিং০ ৪ ব্ং ঙান তুঙান, ৫ ব্ং শংতরেং, ৬ ব্ংমৈ কেম্ব্রী, ৭ ব্ং মিহিং-যন, ৮ ব্ং মিংতরং, ৯ ব্ং শংল্লবাক) লৈহন্না লৈথমলে ।। মতুংদা অমুক অনিমক্লা তাম্নদুনা অশংবা মচ্ অমা শেমলে মশক্তি থরাইপিচা (শজিক্কি) লাইমিংনা শংতরেং হায়রে০ অপকমা শাংথৈএ ।। অমুক অকুপ্পা শেমলে০ মশক্তি (থাবানে) অপকমাব্ কুপথৈদো লাইমিংব্ (যং থা কুপ) কৌএ ।। অপকমা লোংথৈ মমিংব্ (তরংহুই) কৌএ ।। অঙাইবা শেমলে, মহাক্তি উত্রীরেম্মি ।। অপকমা ঙাইথৈ

মমিংবু তুকুপলেং) কৌএ ।। অরোংবা শারে, মহাক্তি (লাংয়েন শিদবনি) ।। অপকমা লোংথে, লাইমিংবু (খিং খিং চুম্মরোং) কৌএ ।। অতোংবা শেয়ে, মশক্তি থরাই পিচা (ক্লিংথৌ শিদবা) কৌরে ।। অপকমা তোংজে, মমিংনা (তোংকুপলেং) হায়এ ।। অহুইবা শেয়ে. (তোংজেংলেন, মমিংনা যংথ্রপহিং নোংদম্বা) কৌএ ।। মতুংদা—হিপোকপী, য়াই-পোকপী, হিকুবী. হিরৈমা. য়াইরৈমা, য়াইকুবী য়াইল্লা মশক তরেৎ অসিগা শাগত্তনা লুচিংবা থরাই পীচা ২৭ (কুনতরেৎ) ওনবা শাগৎলক্লে ।। ×

(থরাই পীচা ২৭ কী মশক নাওযোম লাইয়েক) ১। লাই পাথং (৩) চু, চে; চো, লো লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা খোংজোমঙুবী শেমলে, তানয়ৈ ইহুন্দে ।। ×

২। মরাইলুকপা ৭ শারে, লি, লু, লে. ল লাইয়েক য়ারানা নাওয়োমতুনা (অপকমা) শেয়ে, তানয়ৈদে ।। ×

৩। আ, ই, উ, য়ে লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (খজুংতেলহৈবা) শেয়ে. তানয়ৈদে ।। ×

৪। ও, ব, বি, বু লাঈয়েক্লা নাওয়োমতুনা (লিক্লা পিচা শেয়ে ।।×

৪। পে. বো, কা, কি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (চিংচরোইবী) শেয়ে ।।×

৬। কু, ঘ, ঙ. য লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (চুংশেলমুবী) শেমলে তানয়ৈদে ।।×

৭। কে. কো, হা, হি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নিংথৌনাগা) শেয়ে, নিংশাহুন্দে ।।×

৮। হু, হে, বৃ, বা লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নিংথৌতুরেল) শেয়ে ।।×

৯। তি, তু, তে, তো লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নোংথৌশামু) শেয়ে, হাকাম চন্দে ।।×

১০। মা, মি, মু, মে লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (শামুপীচা) শেয়ে, তিংলিদে ।।×

১১। মো, তা, তি, তু লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (উফোংতু) শেয়ে, হাকথি থন্দে ।।×

১২। তো, পো, বি লাইয়েক্লা নাওযোম ওইতুনা (মোং কাং শক্লা) শেয়ে, তানয়ৈদো ।।×

১৩। পু, ষ, ন. থ লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (লুরাং শক্লা) শেয়ে ।।×

১৪। পে. রো, রা, রি. না লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নাক্লা শক্লা) শেয়ে, তিংলিদে ।।×

১৫। রা, রে. রু, তা লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (ওকপুয়োই) শেয়ে, য়াংলিদে ।।×

১৬। তি. তু, তে. তো লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (তাওহুইরেং) শেয়ে, মীহিংতানয়ৈদে ।।×

১৭। নি, না, নু, নে লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (তোংচেংঙুবী) শেয়ে, হাকথি থন্দে ।।×

১৮। নো. জ. দী, জু লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (থয়াই) শেয়ে. নাওরেংদে ।।×

১৯। জে, জো. ভা, ভী লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (থাদোন) শেমলে ।।×

২০। জে, ঝা, ভা লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (নিংথৌমাচু) শেমলে হকাম চন্দে ।।×

২১। জে, জো, ঝা, জি লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা (হারৈময়ে) শেমলে, নিংশা ইহুনতমদে ।।×

২২। খি, খু, খে, খো, মি লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা (কারৌম্ব) শেম্মে, অঙোম-অক্নাপাঙ্কে ।।x

২৩। কা, গি, কু, গে লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা (খাবা লিভেং) শেম্মে ।।x

২৪। পো, য, শ, শু লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা (শীক্লীলিরেং) শেম্মে, নিংথা হোক্কে ।।x

২৫। শে, যো, দা, দী, লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা (য়াম্বা খুরো) শেমলে, লেংদে ।।x

২৬। ছু, থ, শ, ন লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা (শকোং শম্রৈ = ম্রাকপা) শেমলে ভানয়েদে ।।x

২৭। তে, দো, চা, চি লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা (থম্বোই) শেমলে, ভানয়েদে ।।x

লুচিংবা থবাই পিচা ২৭ পু শেম্নহুনা লৈথমলবদগী শেমগৎ শাগৎপা মশক মওং পুম্বু করি করা অমতা তৌদনা হায়বদি ভিংলি য়াংলিদনা লৈথম্বা মকমদা তা-তাহুনা লৈদো ।। থৌরম্ব উবদা করিবু ম্রাহনা তৌবনো হায়না থম্মহুনা অনিমক্না মুংবং কম্বাম্লাংনা লৈগুমদে ।।x

---

খঙদবা:— মথং মনাও নাইন্মা ইবনা পাবদা নুংঙাইগদ্ব খজদুনা ইজমনি, হায়মা পুথোকখিম্মদি

১ বদা	মম্বাইলুকলা	৭	মতুদি	২, ৩, ৯ ১১, ২০, ২৪, ২৫ ।।
২ বদা	মাইথোংক্কম্বা	৩	মতুদি	২১, ২২, ২৬ ।।
৩ বদা	কজাওবা	২	মতুদি	১৬ ১৮ ।।
৪ বদা	অঙাঙ চাওবা	৩	মতুদি	৭, ১০, ১২ ।।
৫ বদা	লাইলাথং	৩	মতুদি	১ ৩, ১৩ ।।
৬ বদা	মম্রাই লোংবা	৪	মতুদি	৪, ৮, ১৯, ২৩ ।।
৭ বদা	মচুক লৈবা	৫	মতুদি	৫, ১৪, ১৫, ১৭, ২৭ ।।

অসুম্বা পুম্নাদা লৈরম্মি ।।x

(নোংলোন্দা লৈকা পাণ্ডহংনা থবাই হায়মা)

মুংবা মহারাজগী মুংবংনবা ম্রাখনবু উবদা মুংমু তুমদা মাংদবীনা হায়, লাইমিংথোই ম্রাখল করিবু মম্বনো, লাইমিংথোইবু নোংদম্বনা শাথোক শাকোংবদা লাইমিংবু (খোরা রেল অমম্বা) মিংহুনখিম্বু করিম্নবীবু লৈহুনবনো, নোংদম্বনা থোক্লপদবা থৌরম্ব উহুনা মিংহুলম্বা ওইরমায়ে, নোংদম থৌদাদি থৌয়াহৌরে থোক্লগদবদি থৌহং হৌদনা হৈওম শাণ্ডমদবদগী থৌডমদবা ওইগ ঙমলবনি, লৈবাখিবিকপু থৌঙমলগনি ম্রাথম্বনা নোংদম্বা মক (উংলো মাইবীরেন শিদবনা) পাওহংদে থৌয়াবম্বা হায়ম্নুনা পুকহং-পাওহংনা থৌপুহনগে, থৌরম্ব থৌপুনবদা পাওহুংবা, পাওদাক পাওদয় কম্ব ওইবিগে, অক্লোন অয়াম থৌপুনখিম্বু থৌম্নানবিগে হায়হুনা নোদম্বনা

থোরোই থোরম্ব লৈক্কা লৈথিংনবনি ।। অমম্বা রাখনবু থাদোক্লো, নোংদম্বনা লৈবা লৈকমদা থোক্লা ইহন তম্বিরো পরম পুম্বা থোহংনা নতিক-মণ্ডম্ব থোনিনবা ভৌবিও, লৈংমজিবা মশক মখেবু লৈঙাক লৈয়েং থোরম্ব ঐগী ইঙম ওইরগে ।। ইথৈরেন —হুংমুতুমদ-মাংদবী পরম অতুনা ওইবরা। অতুদি নংনা শংলম্মু মশকশিংসে ঐবু নোংদম লৈকমদা চৎলগে হায়তুনা নোংদম য়াইবীকোন্দা য়োনবা কায়রক্লে ।। খুদক অত্তুদা নোংদম্বা মরুনা মবানিবু করিতৌরবনো থৌঙম থোপুনখিদরে লাংলম্বগু তুমখরে কদৌরবনো য়েংলকপদা অমদি উদে কদাই য়োঙমগ্রবনো মাই-গৈশিন্না য়েংববু উঙমদে, করি করম তৌখিবনো তাংক্লা লুক্লা য়েংবদা নোংদম্বা মরুগী মথোং-খাদা কুন্দুনা লৈরমলে ।। নোংদম্বনা ইপা অরিবা নংদি কদৌরিবা ? য়াহুংবগী চৌনবান কারপতৌনা পাওশাবা অতুদা (পুরুং লাংঙরিক) ওইনা নোংদম্বগী নিংশা চিংশিনবদা তোংতুনা চংখ্রে ।। করিনো ইনাক্লা লৈরম্মগে মাংখ্রিবা অসিবু মনিং করিবু থংদবা লৈবনো কদাই য়োনা চৎখ্রবা থিবদা মরুগী খোইজিখাদা লাংঙরিকম্না পিকশিন্দুনা লৈবা উরে ।। উম, অসিদি রাখল অমনিন', মানা হায়বা অসিবু ঐনা য়াদ্রে কৌখোকপা য়ারোইদৌরে কমদৌ-শিবনো, মহাক্লা থোকলক্লবদি কৈদোম মরি লৈখায়না লৈথক। লৈখা, লৈয়াই লৈথম্না ইঙাল লৈশা লৈথমগে রাখনবা অসিবু থৌশিন থোদা মোংদম্মবা মশকপু লৈতরে ।। মানা ঐগী ইঙম পুম্বা লৌতুনা পুথ্রগে, ইপুক রাখন পুম্বগু লোইনা হোইদোক্লনা মানা ঐবু পুথ্রগে। মানা থোপুরকপবু য়েংঙমতুনা অকবা ফত্তবা পুম্বা থোয়েং থোয়াবা ওইনা লৈঙম হোরো হায়না মানা ইপুক মহুংদা চংইবা মরম অশিনদি মানা হায়বা মতিক মঙম পুম্বশি পিরগে, ঐনা থোয়াবা তারে ।। থৌঙম্বা মানা পাম্বা মঙম পুম্বা ঐঙোন্দগী হোয়দোক্লনা লৌজরশমু রাখন্দুনা মরুনা মপুক মহুংদা লৈচং ফম্বাম লাংথ্রবা হুংবা মহারাববু পাওপানতুনা কৌরক্লে ।। খোরায়েন অমম্বা হুংবা মহারাবনা হায়য়ে আহা ইহে, হোইরৌ, হোইরৌনগে, থেয়ে। হোইরৌ ।x মরুনা হায়-আহা ইহে, হোয়া হোয়া হোয়া। হোয়ানগে-গে ।। নোংদম য়াইবী কোন্দগী নোংদম্বগী মতিক মঙম্ব লৈহাওনা নোংলোন পথেৎ (ভরুক গুবদা) হল্লক্লনা ইংথৈরেন লাইওইবী হুংমু তুমদা-মাংদবীগী মকমদা পরম পুম্বা পাওশানতুনা শেমগৎ শাগৎলিবা মশক পুম্ববু ভানয়েনবা হাকথি হকাম চম্নবা, তিংলি য়াংলিনবা থোপুনবা থোহোনরে ।। হুংবা মহারাবনা লাইরমলেনগী শাথোক লৈথমখিবা লাইয়েক ৪৫ দগী লাইয়েক ৭পু লৈশৎলে— (আ, ক, হ, গু, ন, স, ঈ) লাইয়েক্লা খাবোন থানা য়েখাইতুনা লাইবু খৌ ৯ গী লাইয়েক য়াম্বা ৯ শাকোংলে ।। মতুদি— অ, ক, হ, ন, য, উ, চ, ট, ও লাইবুংথৌ ৯ বু লৈকম ৬ তা লৈথমতুনা মরুয়োন ৭ কি লাইমিং য়াম্বা শাকোংলে ।।

মম্বদি— ১। অহুং = হৈয়েৎ = শগোলশেল

২। নং = হুংশিং = ইরাই

৩। সং = অশিং — য়ুমণকৈশা

৪। উং—ঙা = মরোং—মশিং = নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা

৬। কোং = মকাপ = লৈবাকপে'বপা

৭। হুং = মশেং = থাংজা

লৈফম তরুক অসিদা মরুলোন ৭ কী লাইমিংবু লৈথরে, লৈফম্ (শেমগৎপা লৈফম তরুক) হায়না লৈশারে ॥ মরুলোন ৭ কী লাইমিং লাইয়েকপু (যং—অশিং ; অঙ্গহুং—হৈয়েং ; নং হুংশিং ; হুং—মশেং ; উং—মরোং ; ঙা—মশিং ; কোং—মকাপ ।। য়ারা ইথোল ৭ হায়না থমছুনা (শেমগৎপা) লৈফম তরুকপু লৈঙম্বা মশক পুম্বমদা মাগী মাগী পরম য়েংনা লৈহাপ্লদা মশক মচুদি কাওরে, মিহিংদি তা'নয়েদে ॥

ইংঙেরেন লাইওইবীনা লাইরেম্বী শাগৎপী ৩৬ শাথোকপা

শোরারেন অমম্বা= মুংবা মহারাবনা হায়,-ইবেম্ম তুমদা মাংদবী বরি তৌঙমলিষনো ওইঙম্নবা নঙ্গী নঙম শাথোক লৈহাপনবিরো ॥ ইবেম্মা তুমদ মাংদবীনা লাইরকচন্দা থম্বা লাইয়েক ৪৫ বু য়েংলগা লাইয়েক (৩৬) পু শরুনা লাইমিংবু (শাগৎপী লাইরেম্বী) মিংহুম্না লাইরেম্বী ৩৬ শাথোক শাফোংলে ॥ লাইরেম্বী ৩৬ পু য়েন্নুপ শাথাইনা (শেমগৎপা) মরুগী লৈফম তরুক্তা তিন্নু থানা লৈহাপ্লদা মহৌ মহৌরেদো ॥

১। যং— শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- নোংথোংম্বী, ২- নোংথাং লৈমা ; ৩- চিংম্বু লৈমা : ৪- চুমথাং লৈমা

৫- ঙাশোই লৈমা ; ইংকোই লৈমা তরুক থংলে ।।

২। উং—ঙা শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- লাইরিবী ; ২- হাইমু লৈমা ; ৩- চেমু লৈমা ; ৪- থাদোই লৈমা ;

৫- এরাং লৈমা ; ৬- চিংচেংইবী ; তরুক থংলে ।।

৩। হুং-শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- রোংচম্বী লৈমা ; ২- কশাথৌরী ; ৩- মৌমু লৈমা ; ৪- তোংথাংম্বী ;

৫- হিনজি লৈমা ; ৬- অকোক লৈমা ; তরুক থংলে ॥X

৪। কোং-শেমগৎপগী মকমদা শাগৎপী লাইরেম্বী

১- লাইরোই লৈমা ; ২- থরোই লোংবী ; ৩- থবা লৈমা ; ৪- তেংপান লৈমা ;

৫- আকোং লৈমা ; ৬- লৈরোং লৈমা, তরুক থংলে ॥X

৫। নং- শেমগৎপগী মফমদা শাগৎপী লাইরেপ্পী

১। তিঙ্গোই লৈমা : ২। কোংজিং লৈমা ; ৩। খোংভাই লৈমা ; ৪। অঙাই লৈমা ; ৫। চেংঙা লৈমা ; ৬। থাম্বৈমা ; তরুক থৎলে ॥X

৬। অহুমং- শেমগৎপগী মফমদা শাগৎপী লাইরেপ্পী

১। চিংখৈ লৈমা ; ২। য়াঙৈমা ৩। চাকশৌ লৈমা , ৪। ছিংপোক লৈমা, ৫। ইমোই লৈমা , ৬। য়াইপোক লৈমা , তরুক থৎলে ।।X

শাগৎপী ৩৬না শেমগৎপা ৬তা য়েন্নহুনা লৈথমবদা লৈবা মশক পুম্নমক মহৌ মহৌ নরকুনা মিহিং তানথৈনহুনা হাকথি হকাম চম্মুনা তিংলিরে য়াংলিরে, নোংখোং নিক্রে নোংলাওবে মৈথী শঙাইশেন পাইরে, তাওহইবেংনা লেংলে, শজিক্লা নোংদয়ে থাবনা নো থাইরে (ওক পুরোইনা) ওকওয়ে ।। লৈরিবা মশক পুম্নমক্কী মশাদা (নিং নিং নিং, রি রি রি) হায়না মরুগী খোইজি খাদগী চিংখত্তুনা মখোই খিবিক্লা মরুনা পীশুম ২গী মরক্তা (কুং হাং) হাম্মীরে, লুবাইদা য়ং, নানোন য়েংলোমদা (য়), ওইদা (হু), নখাংদা (কুং) লাইপক ময়াইগী শমখোংদা (গং) যেংকি পীশুম মথক্তা (ঞ), ওইগী পীশুম মথক্তা (ব) লাইয়েকপু থাগোম্নবা হেক লোইবদা মাগী মাগী মখৌ মওম্ন্ শিংলাতিং অমা থোকপওম চাল্লে, থাজা লাতিং খোবপওম ইংনা মঙাল ফোংনরকুনা লৈনবা হৌরে ।। হয়ম হোয়াহে ।।X। X

নোংলেন্দা লৈবা নুমিৎ থা থরাইপিচা শিঙ্গী মওম শানবা ॥

শলাইলেন অমম্বা= লুংবা মহারাবনা লৈওম্মীবা থোকওম্নিবা মফমদা হায়, অসুম্না মাগী মাগী মওম পরম নাইদনা লৈওম্নশিংদি লুতুঙ্গী পরম থৌরম্ন অকাইবা ওইহন্নগনি, নঙ্গী নঙ্গী থৌপু পরম্ন য়েন্নহুনা নুমিৎ, থা হায়বা পরম অমা শারশি নোংদয়ে ।। মশক মরিমক্তা য়েল্লুন্না শ'থোক লৈপুনওম্ন লোইদাম থাজ নংনা পুবা মতম্ন অহিঙ্গী কোলুপ হায়না কৌনশি, পুবা ভঙ্খায় চনবদা অহিংয়ুংথক থানবা হায়শিদো ।। ২-থরাইপিচা থাবমা শাথোক লৈহল্লকপা মতম অসিনা (নোংঙাঅমদাই) কোলুপ হায়না থ নশি ।। ৩-শজিক থরাইপিচনা শাথোক্লকপবু (নোংঙান তু-উবা) মতম হায়না থংনহুনা অহিংচুপনা য়াহীপ য়াভানহুনা পোথনববু য়াকাই য়াহৌনওম শিদো ।। ৪-কোরৌহনবনা শাথোক ইহল্লকপদা (নোংঙান চিংখৈহনবা) হায়হুনা, মতুংদা (অয়ুক্কী কোলুপ) হায়রগা মতুং ভঙ্খায় চনবদা য়ুংথক থানবা =লুমিৎ য়ুংবা) হায়না হায়নাশ ।। মশক মচু শেংনা উবা ওমন্দবা মশকপু মাগী মতিক মঙাম্না উহল থংহল্লি, লুনা চেংনা থম্বা কনাবু থংহল্লরোই উহল্লরোই হায়না লোত্তুনা থম্নবু মানা খঙ্ক উদবা লৈওবা মওম্ন লোইনহুনা শাথোক শাফোংলি (লুমিৎ) কৌগে ॥ . অরু অহেনবা মতিক মওম্ন শাফোংহুনা শাথোক্লিবা, মাগী মঙান্তনা মালেম্ন শিন্না ভালহল্লিবা লুমিৎপু (মালেম অঙানবা কোরৌহনবা) হায়মা মিংলেন

নোংক্কোয়ো অমদা চংবা মতম শাগে

অসিমক্ত লৈছাপশি ।। সুমিং মুংবা মতুংবু (মুংখিল কোলুপ) হায়গে ।। কোরৌহনবনা লৈপু লৈথাববু (সুমিংতাবা) হায়শিদো ।। অহিং অমগা মুংখিল অমগা অনিনা (নোংকোয়ো অমা) কৌরগে ।। লৈকয় মাপন অসিবু (সুমিং, থা; থাবা; শজিক মমিমক্কা পুবা থংবয় খংনৈ) ।। মিহিং ইঙ্গন ৮০ শুবদা মিকু—১ শাই ।। মিকু ২৪ না নাহুম ১ শাই ।। নাহুম ২ মথাইনা কোলুপ অমা লৈশাশি ।। নাহুম ৬০ না নোংকোয়ো ১ = কোলুপ ২৪ নশু কোরো অমা লৈশানহুনা সুমিং; থা; থরাইপিচানা থোপুনরো ।। লৈম্লিবা থরাইপিচা নথোইনা লোই-দাম থাজগা পুমিন্নহুনা থোকওম লৈওয়গদবা পুম্বগী থরাই য়াইফি ওইনা শাথোক্কউ ।। লুচিংবা ২৭ (কুমভরেংতি) কোয়ো খুদিংবু লৈশিন্নহুনা হুমিং থানা লৈপুবদা য়াওনা লৈঙমো নোংথাই নোংময়ে ।×

নোংক্কোয়ো ১ দা থোংলম ৪, লাইবুংথৌ ৯গী মরুলোন ৭না থোপন লৈচংবা মতম হায়গে ।।

শজিক্কা পুবা মতমবু (অশিং) মরুগী লোথন কোলুপ লৈছাপ্লে ।। কোরৌহনবনা লৈ-শিনবা মতমবু (হৈয়েং) মরুগী কোলুপ কৌয়ে ।। কোরৌ হনবনা পুবা তথাই চনবগা লোইদাম থাজনা পুবা অহিঙ্গী তওথাই চনবা য়ুংথক থানবগা অনিবু তিল্লং থানা (হংশিং) মরুগী থোথন কোলুপ মিংহুয়ে ।। মুংখিলগী কোলুপ্লং (মশেং) মরুগী থোথন লৈচংবা হায়গে ।। সুমিদাং বাইরমগী কোলুপ্লে নোংভাল্লনদাইগী কোলুপ্লে অনিশিবু তিল্লং থানা (মরোং) মরুনা থোথনবা কোলুপ কৌয়ে ।। লোইদাম থাজনা লৈপু লৈশিনবা মতমবু (মশিং) মরুগী থোথন লৈচংবা কোলুপ কৌয়ে ।। অহিঙ্গী মতমবু (মকাপ) কৌবা মরুনা থোথন লৈচংবা কোলুপ মিংহুয়া লৈথয়ে ।। লৈফম ৯ লাইবুংথৌ ৯ কৌবা লৈফম অসিদা মরুলোন ৭ না লৈফম্বা থংবগা থরাইপিচা নোংথৌ শিদবা কৌবা শজিক্কা লৈপুবা লৈথাবগা, কোরৌ-হনবনা লৈপু লৈশিনবা হেক হৌবা, অশিং মরুনা মরুগী মথৌ মওং শিঙ্খাবা অমুক হৌহুনা মরুলোন ৭ কী থোংলম্বং কইদনা থোঙম্বং কাইদনা থোপুরকপবু লৈহৌবা মরুনা অমুক লৈহৌ লৈশিনবা হেক হৌবদা নোংকোয়ো অমা শিঙ্গাশি ।। নোং কোয়ো খুদিংবু (ভসি) হায়না মিং-হুনা ভসি খুদিংবু মরুলোন ৭ কি লাইমিংবু লৈহাপ শিংথেক শিঙ্গানশি নোংময়ে ।।

মুঙ্গাং মিংথোই = সুমিং ; মুঙ্গাং লৈমা = থা ; অনিনা তিল্লং লৈপান খুদিংদা মরুলোল ৭ পোক্তনা মরুগী লাইমিং খুদিংবু মথংশিংনা কোয়ো খুদিংদা লৈহাপতুনা থাজ কুমজা শিংছাপ লৈথাইনা, শিংহাপ শিংথা খুদিংদা লোইদাম থাজবু শিংথেক শিঙ্গা লৈথম লৈপুনবা থৌফৌয়ে ।।

ভসি থাজ নোংমা পানবা অশিং কৌবা সুমিংনি ।

,, ,, নিঙ্গি ,, হয়েং ,, ,,

,, ,, হুম্নি ,, হংশিং ,, ,,

ঙসি থাজ মরিনি পানবা মশেৎ কৌবা হুমিৎনি ॥
,, ,, মঙানি ,, মরোৎ ,, ,,
,, ,, তরুক্নি ,, মশিৎ ,, ,,
,, ,, তরেৎনি ,, মকাপ ,, ,,
মিংথৈ ৭ পু শুবদা তরেৎনি চৈশু চৈথবা হায়না চৈ অমা চৈগা চৈথয়ে ।
,, ,, নিপান্নি ,, অশিৎ ,, ,,
,, ,, মাপন্নি ,, হুয়েৎ ,, ,,
,, ,, তরানি ,, হুংশিৎ ,, ,,
,, ,, তরামথোই ,, মশেৎ ,, ,,
,, ,, তরানিথোই ,, মরোৎ ,, ,,
,, ,, তরাহুমদোই ,, মশিৎ ,, ,,
,, ,, তরামরি ,, মকাপ ,, ,,
,, ,, তরামঙানি (থানিল) অশিৎ ,, ,,
,, ,, তরাতরুক্কি ,, হুয়েৎ ,, ,,
,, ,, তরাতরেৎনি ,, হুংশিৎ ,, ,,
,, ,, তরানিপান্নি ,, মশেৎ ,, ,,
,, ,, তরামাপন্নি ,, মরোৎ ,, ,,
,, ,, কুন্নি ,, মশিৎ ,, ,,
,, ,, কুনমাথোই ,, মকাপ ,, ,,
,, ,, কুন্নিথোই ,, অশিৎ ,, ,,
,, ,, কুনহুমদোই ,, হুয়েৎ ,, ,,
,, ,, কুনমরি ,, হুংশিৎ ,, ,,
,, ,, কুনমঙা ,, মশেৎ ,, ,,
,, ,, কুনতরুক ,, মরোৎ ,, ,,
,, ,, কুনতরেৎনি ,, মশিৎ ,, ,,
,, ,, কুননিপান ,, মকাপ ,, ,,
,, ,, কুনমাপন ,, অশিৎ ,, ,,

ঙসি থাজ লৈশুবা চৈশিং কুহ্রাশুবা থামাং=থাশি হুয়েৎ হুমিৎনি ॥ হায়না থাগী মঙান হুমিৎ উবা কংদবা কায়ৌ হুমিৎ অতুদা লোইদাম থাজ অতুনা শাকোংবা হায়না হুমিৎ শায়ে :

অসুম্মা শাবা অহানববু শজিঙ; য়ুমহৌ, য়ুমশাবা মিংতল্লে ॥
অনিশুববু কাংলেন, খোইরাংবা থা মিংহুল্লে ॥
অহুমশুববু ইঙা, খোইরাং থা মিংহুল্লে ॥
মরিশুববু ইংঙেল, য়ুমহৌ য়ুমশাবা মিংহুল্লে ॥
মঙাশুববু থরান, মৈচাক মৈহৌ থা মিংহুল্লে ॥
তরুকশুববু লাংবন, মৈচাক মৈহৌবা থা মিংহুল্লে ॥
তরেৎশুববু মেরা, য়ুমহৌ য়ুমশাবা থা মিংহুল্লে ॥
নিপানশুববু হিয়াঙ্গৈ, য়ুমশা য়ুমহৌথা মিংহুল্লে ॥
মাপনশুববু পোইনু, মুংশিৎ নোংহুম ফংবা থা মিংহুল্লে ॥
তরাশুববু ৱাকচিং য়ুমশা য়ুমহৌবা থা মিংহুল্লে ॥
তরামথোইশুববু ফাইরেন থরাই মিবু হামোইবা, রাইশেং লমশেং তুশেং থা মিংহুল্লে ॥
তরানিথোইশুববু লমদা, লাইতানবা, মিরেন হমোইবা মিংহুন্না থা অসিগী শিংথেক লোইবদা নোংকোরো ৩৬০ (চহুম হুম্ফু) লৈশুরে শিংশৎলে ॥ কুম অমা শিংথারো পাঙদাক্না কুমজা অমা লৈশারে, থাজ ১২ তরানিথোই শুবদা ॥
কুমজা শিংথেক তরুক শুবদা শুংদাই অমা মিংহুল্লে ॥
শুংদাই ,, অনিশুবদা লাকয়েন অমা মিংহুল্লে ॥
লাকয়েন ,, অনিশুবদা লাংদাই শিংহাপ অমা মিংহুল্ল ॥
লাংদাই ,, অনিশুবদা লৈপুন কুমজা অমা মিংহুন্না লৈথম্বা হৌরে ।

শেমগৎপা ৬ পু থাজ চৎলম লুতিন থানা থৌগনবা

শলাইলেন অমম্বা=মুংবা মহারাবা=শোরারেন অমম্বনা নোংদম্মি শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৬ মক নঙ্গী নঙ্গী য়েলুপক লোইননা থাজ ১২ গী চৎলবু তিলু নোংদম্না নখোই ৬ না থাজ খুদিংগী নঙ্গী নঙ্গী লোইনবী শাগৎপী অহুমগা য়েলুপম্না নঙ্গী নঙ্গী চৎলম মঙম নোংদম্না তিলু থাবা থাজা অহুগী লুচিংবা থৌবুরেন ওইনা তেংবানবগী মপু নোংদম্বা উংলো য়াইবিরেন শিদবগী থৌখন তানফংজো, কোরৌ খুদিঙ্গী থৌগদি নখোই ৬ না নং নঙ্গী কোলুপ হায়বা অচৎপা থরাই পানবা নোংলোম্না লৈঙমলিবা মশক পুম্বু মথরাই হিংলি হায়বা পরম্নু থংনরিবা (মিহিং) হায়বা অসিগী তাম্নৈ খোংচৎ ৮০ হেক য়ৌবদা মিকু অমা শাই ।

মিকু ২৪ লৈশাবদা নহুম অমা শাই ॥

নাহুম অনি মথাই কোলুপ অমা শাহুনা, কোলুপ অসি ২৪ না অহিং অমা মুংথিল অমগদা লৈথুংহন্দুনা নোং কোরৌ অমা কৌরি, মমুং অসিদা নাহুমগী খোংচৎনা ৬০ লৈশুনা থুংঙমে ॥

নোং কোরৌ অমদা :—

১। শেমগৎপা (মকাপ) কোং লাইষেক নংনা শাগৎপী ৬ কা লোইনজুনা সুমিং খুদিঙ্গী অহিং য়ুংথক মতুং কোলপ অমা ভাবা মতুংদগী নোংঙান কোলপ ৫ ভাবা ফাওবা থোগঙ্জৌ ।। নতিক নংন্না থমোই হবচাংবু ভায়িংবা নুংঙাইবা ওইহন্দুনা অরাম থোৱাংববু কোকহন্দুনা অনৌ য়েম্লিংবু মপুং মরৈ ফাহন্নবা থোপুজুনা থোগনগদবনি ॥ নঙ্গী নংন্ম (শজিভু-কালেন) থাজ ভানিদা তিল্ল থানা লৈণনিদো ।। অতুগা থাজ অমি অসিদা নংনা থোগন-বদি শজিভু থাদনা শাগৎপা ১ — লাইবোং লৈমা ; ২ — থরো রোাংবী ; ৩ — থবা লৈমা অহুমগা লোইনজুনা থোগম্ ।

কালেন থাদনা — শাগৎপী ১ — তেংগান লৈমা ; ২ - অকোং লৈমা ; ৩ — লৈবোং লৈমা অহুমগা লোইনজুনা থা অসিবু চুপনা নোংদহ্নগী থোখনবু ভানফংজবো নোংদম্লে ।।

২। শেমগৎপা (অশিৎ) যং লাইসেক নঙ্গী নঙমদি লৈঙম্না পুম্ব অনৌ য়েম্লিং ভম্নরবা হাই-হৈ লাওনা পুন্স মুংশাংনা লৈংল্লবা নোদম্বা ওইভম্লো ।। নঙ্গী নোংদম চংলম্বু (ফাইরেন-লমদা) থাজ ২ দা তিল্ল লৈথাবা ওইহুনা নঙ্গী য়েন্নুপমা শাগৎপীশিঙ্গা লোইনজুনা নো ঙান কোলুপ ৫ লৈখুংগ্রবদগী কোলুপ ৯ সুমিং খুদিঙ্গী তেংবানবা মপুগী থোগন ফংজৌ ।। অতুগা ফাইরেন থাদা — থোগনবদি নংনা লুচিংবা থোবুরেন ওইনা শাগৎপী ১ — নোংখোংগুবী ২-নোংথাং লৈমা ৩ চিংনু লৈমা অহুমগা লোইনজুনা চঙ্গদবনি ॥

লমদা থাদনা ১ চুমথাং লৈমা ; ২ - ভাশোই লৈমা ; ৩ - ইংকোই লৈমা অহুমগা লোইনজুনা মপুগী থোগন ফংজবা ওইজবো ।।

৩। শেমগৎপা (মরোৎ মশিৎ) ঊং ঙা লাইয়েক মরুলোন য়াম্না মিংলেন অনিনা লুতিনবগী মঙমদি (থৱান, লাংবন) থাজ ২ দা তিল্ল লৈথানা লৈঙম্বা মশক পুম্বগী খোইরাং খোইশাওনবা, মপুক রাখন লাংতক্লবা থৌশিনবা নতিক নঙম ওইহুনা নুংথিল কোলুপ ১০ তরা চংবদগী সুমিং য়ুংবা মতুং কোলুপ ১ ভাবা ফাওবা সুমিং খুদিঙ্গী থোগন লৈচঙ্গনি ।। অতুগা থৱান থাজদা থোগন চংবদি ঊং মরোৎ নংনা থোপুরেন ওইনা শাগৎপী ১-লাইরিবী ; ২-ছাইন্নু লৈমা ; ৩-চেম্ন লৈমা অহুমগা লোইনজুনা থোগনবু লৈচঙ্গমি ।।

লাংবন থাজদা শাগৎপী ১-থাদোন লৈমা ; ২-য়েংরাং লৈমা ; ৩-চিংচোাইবী অহুম্না লৈচঙ্গনি ।।

৪। শেমগৎপা (মশেৎ) ভং লাইয়েম্জি (ইংঙা, ইংঙেল) থাজ অনিগা তিল্ল লৈকানা লৈঙম্বা মশক পুম্বগী অরাম থোৱাংবা লৈতবা, ওলাং খোইশাওনা লৈপাল্লম্ববু চনিং লৈতানা লৈথম্নবা চংলম্না নঙম ওইহুনা কোরৌ খুদিংদা সুমিং য়ুংথক থানবা মতুং কোলুপ ২ চংবদগী

সুমিদাং কোলুপ ৫ ফাওবা নোংদম থোগন লৈচংঙু ।। অদুগা ইংঙা থাজদা নোংদম্বগী থোগন ঙংবদি হং শেমগংপনা থোপুরেন ওইনা শাগংপী ১-রোংচংবী লৈমা; ২-কশা থোরী; ৩-মৌম্নবী অহুমগা লোইনদুনা থোগল্লু ।। অদুগা ইংঙেন থাজদনা শাগংপী ১-তোংথাংমুবী; ২-হিঙ্গি লৈমা, ৩-অকোং লৈমা অহুমগা লোইনদুনা থোগল্লু ।।

৫। শেমগংপা (হৈয়েং) অঙ্কহং লাইয়েক্লা মতিক মণ্ডল্লু মেরা, হিয়াঙ্গৈ থাজ ২ দা ডিল্লু থানা লৈওন্বা মশক পুম্নমক্লা চনিং লৈতানা মপুক হয়াও তয়াম্না লৈপানজবরু নোংদমনা অহিং কোলুপ ৬ চংবদগী হৌনা কোলুপ ৯ লৈথুংবা ফাওবা কোরৌ খুদিংবু নোংদম্মু ।। নোংদম্বগী থোগন্দি অঙ্কহং লাইয়েক্লা থোপুরেন ওইনা মেরা থাজদা শাগংপী ১-হিপোক লৈমা; ২- ইমোই লৈমা; ৩- য়াইপোক লৈমা অহুমগা নোংদম্বগী থোগনবু তানফজো নোংদম্নে।

৬। শেমগংপা (হংশিং) নং লাইয়েক্কী মণ্ডল্লু (পোইস্ল, য়াকচীং) থাজ ২ গা ডিল্লু থানা মশক লৈওন্বা পুম্বদা অরিবা মশা মউবু নৌহনবা। থগাই য়াইবিবু হিংজনবা অকবা মশকপু শংনবা নোংদম্বা কোরৌ খুদিঙ্গী অহিং কোলুপ ৯ দগী অহিং য়ুংথক থানবা মতুং কোলুপ ১ তাবা ফাওবা নোংদম্মু ।। অদুগা পোইস্নু থাদা থোগনবদি (নং) লাইয়েক্লা থোপুরেন ওইদুনা শাগংপী ১- তিঙ্গোই লৈমা; ২- কোংতিং লৈমা; ৩- থোংঙাই লৈমা অহুমগা লোইনদুনা থোগন লৈচংঙু ।। য়াকচীং থাজদনা শাগংপী ১- অঙাই লৈমা; ২- চেংঙা লৈমা; ৩- থারৈমা অহুমগা লোইনদুনা নোংদম্বগী থোগন লৈচংবা ওইঙম্মু ।।

অঙুম্না নোংলোনগী থোরম্মু শিনবা লোইদনা নোংলোন্দা (থোইয়ুম হৈয়মচক) চক শিংথেক্কবা চকপু চক তঙ্খাই অমা নোংলোন লৈশাদুনা শাম্নদুনা লৈরে ।। অনিমক্লা লৈয়াইলেন্দা লৈকুমদুনা লৈথারোন্দা থমগদবা, মালেমদা লৈগদবা মশক খিবিকপু শাগক্কনা লৈথমলুরগে য়াখন্দুনা ইংথৈরেন লাইওইবী সুংমু তুমদ-মাংদবীনা (নোংলোন লৈচিন্দা) মাগী মণ্ডল্লু লৈথমদুনা নোংলোন্দা পাইবা লৈচিন নংনা শাথোক লিরৌ থোইরৌনদুনা নোয়না শাফোংনদুনা ঐনা মালেমদা লৈবদা অরাবা মুংঙাইবা পাওশাবু পাওদাক্লকউ ঐদি মালেমদা লৈকুম্নগে শিম্নরে ।। শোরারেন অমম্বনা কোরৌহনবদা মালেম অঙানবা কোরৌ নোংথৌনংনা পম্থৌনি, মালেম লৈমনা ইমানি, পম্থৌ পালেম ২না নাওকোনলকও লৈকুমলগে লৈশিম্নরেদো ।।x

মালেম লৈকুম্নবা থোপু পরম

(অশৈ শৈরাঙ শাকোই)

নোংলোনবু লৈথম্নমদুনা মালেমদা লৈকুম্নদুনা মালেমদা লৈথমগদবা লৈওনগদবা মশক্লা লোইনদুনা লৈওম্নবা থোহৌরগে মালেমদা চংলনি পাওশানা নোংলোনগী থোরম্মু নোংলোন্দা লৈবা মশক পুম্বদা লৈশিন্নখ্রবা অহুদা মক অনিবু শাগংপী ৩৬ না শাকোইরগা মক ২বু ময়াই

শুমদোংপান লৈকমদা লৈথম্মগা শেমগৎপা ৬ মরুলোন য়ায়া লাইমিং ৭ না শাকোই য়া মদা লৈহ্না শেমগৎপা মশিং (ম:) য়াইয়েক্লা লৈয়োমহ্নুনা খোঁগনবু লুচিংনা ন্যোংঙান কোলুপ (৬) মগী কোলুপ (১০) লৈখুংবা ফাওবা অশৈ শৈহৌ শৈরাওনা খোগনবু লৈচংনহুনা মাগী মাগী কোলুপ খোগনবু থোয়েংহ্নুনা অনোই শদম, শৈহৌ শৈরাওহুনা নোংল্লোন্দগী লৈয়াইলেন্দা লৈথু নবা থিল্লক্লে ॥ মৈতৈভু নোংদালাই মরু ২ বু নোংল্লোন্দগী মালেমদা লৈকুমদা লিরোল শৈরাওন- খিবদো শৈরাওগে তারো ॥ শেমগৎপা লুচিংবা (অশিং) না শৈরোয়ে শেমগৎপা মরেং-মশিং ; শেমগৎপা মশেং ; শেমগৎপা হৈয়েং ; শেমগৎপা হংশিং ; শেমগৎপা মকাপ ; শেমগৎপা তক্কা চিন্না ৭ দা লাওয়ে ॥

হুয়মলে হুয়ম্না, ও-হুয়মলা ;
হায়ুত্রে হোয়াত্রে, ও-হোয়াত্রে ;
অঙ্গোয়ে অঙ্গোয়ে, ও-অঙ্গোয়ে ;
হোই, হোই, হা-হা-হা ; ও-হা, হা হা ॥

শাগৎগী ৩৬ না শাকোই খুজেং পালোইনহ্নুনা শৈরাও শৈখুম্নরক্লে। শাগৎগী :—
১) নোংখোংহুবী, ২) নোংথাং লৈমা, ৩) চিৎমু লৈমা অহুম্না শৈহল্লে ॥

১) চুমথাং লৈমা, ২) ঙাশোই লৈমা, ৩) ইংকোই লৈমা, অহুম্না লুচিংল্লে ॥ ১) রোংচংবী লৈমা, ২) কশাখোল্লী, ৩) মোনু লৈমা, ৪) তোংথাংহুবী ; ৫) হিনজিন লৈমা ; ৬) অকোক লৈমা ; ৭) লাইরিবী ; ৪) হাইনু লৈমা ; ৯) চেনু লৈমা ; ১০) থাদোন লৈমা ; ১১) য়েরাং লৈমা ; ১২) চিংবা লৈমা ; ১৩) চিংচে হৈবী ; ১৪) চিংখৈ লৈমা ; ১৫) য়াঙ্ক লৈমা ; ১৬) চাকশৌ লৈমা ; ১৭) হিপোক লৈমা , ১৮) ইমোই লৈমা, ১৯) য়াইপোক লৈমা, ২০) তিংগোই লৈমা, ২১) কোংতিং লৈমা, ২২) খোংঙাই লৈমা, ২৩) অঙাই লৈমা, ২৪) চেংডা লৈমা, ২৫) থারৈমা, ২৬) লাইরোই লৈমা, ২৭) থরোংলোংবী, ২৮) থবা লৈমা, ২৯) তেংবান লৈমা, ৩০) অকোং লৈমা, ৩১) লৈরোং লৈমা, অসিনচিংদনা শৈখুম্লে ॥

হাউং হাউং, উয়িত্তে মিক্রিহি মিহিংখং চিংতেত্তে, চিংতেত্তে নপাহ ॥ অক্কা শিন্নিং কিরিং নোংতরেং নোংতা কাংবীবু, লিপ্পুন ওব্বা ॥ কিরিং শিরি মম্রিকা নোংতাকাংবিরু মুংপিরেন পুন্নি উংল্লৌ ওব্বা ॥ উয়িত্তে মুংতরেংবী শংখুপহ উয়িত্তেবা উয়িত্তে, তেনু চিংতে ত্তে নাত্তেমু ॥ মুঙ্গালৈত্তে মুংলৈত্তে, মুংলৈ শলৈত্তে ॥ শোলো নোলো, নোলো শোলো রি পাথা মুংগুবে ॥ লাইরেম্বীগী তিলিখোং লাইমিং থোইগী তিলিকাং ॥ পিতরং পিতরেং করসং করসং সনশ লাইশং শম পিং পিং ॥ শৈশক শৈরাওনা থোগন লৈচংনহুনা নোংল্লোন্দগী

থিল্লক্কনা মালেমদা খোংদারে ।

২ নং মালেম লৈয়াইলেন্দ লৈঙম্বা পরম থোৗহোম্বা

মালেমদা লৈথুংলবদা অনিমক্কা কোইনা চত্তনা য়েংঙি, লৈফম অসিবু তেংবানবগী মবুংঙো (উংলো য়াইবিরেনসিদবনা) থম্মৎ মশক্কগী ইঙাল লৈশানবা শাথোক শাফোংবা লৈফম্বু ওইবরা ওইদবরা রাখন্দুনা কোইনা য়েংবা লোইরগা নোংলোন্দগী লোইমরকপা শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৬ তা হায়, লৈফম অসিদি (হৌ লম্মহনব পুংমাইয়োন) হায়বা নোংদম্বনা শাথোক শাফোংবা লৈফম অতু অসিনি থংঙৎ, লৈফম অসিদা ঐবু শাথোক্কনা লৈরগা লৈবাক অসিবু ঐনা লৈবদা শুংঙাইনবা, লৈঙম্বনগু খোইজং খোইদনবা লৈশেমখিগে, ঐনা লৈশেম্পা লোইরগা নোংদম্বগী থৌদবু লৈতনবা ওইনা, তেংবানবা মপুবু ইরাৎ গৌগন লৈচঙনি, মতম অতদা নখোয় পুম্বগু হল্লো নোংদম্লে ।। লাকমিম্নবা শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৬ না হায়জেয়ে নোংদম থৌদাবু থৌঙম থৌপু লৈশিনবা খোইম্মুম নংবু লাইমিংবু কোবৌ নোংথৌদগী লৈকুম্নক্কনা লৈঙম্বনি থকাওদনবা (অতিয়া য়াইবিরেই শিদবা) থাকোগে, লাইমিং মেরুবনা (ওয়াখল্লেথং থুপ্প মকপা) লৈম্নাংনা লৈহুম্নজগে ।। নশানৌ ইংথৈ লৈমদি মালেমদা খুম্নোক লৈশেমঙৈদগী নোংলোন্দগী লৈকুমমিম্নরক্কনা লৈমিম্নবী থৌরম খুদিংদা লৈথানবা লৈত্রবনি থৌকাওদনবা লাইমিংবু (লৈশিরেন য়াইবি লৈপুনবী) থাকোগে, লাইমিং মেরুববু (ওসনা মুহেন্নু নোংসনা মনিক খোম্বী, চিরিওম কাত্থ কাঞ্জরি অরিয়া থুরুংনপা) শা-লান থৌরম পুম্বগী মথেম্মা থৌপু থৌঙম্বী হায়না লৈরাং লৈহুন লাংজগে ।। লৈফম্বু নোংলোন্দগী লৈকুম খুম্নোকপদা কোইনা চত্তনা লৈয়েংখিববু কাওদনবা মালেম্বু (অকোইপুং) হায়সে ।। মালেমদা লৈবদা লৈঙম্বা লৈফম অহানবনি থৌকাওনধনা (হৌলম্মাহনবা) কৌগে ।। মালেম পুম্বগী ময়াই খোইদৌ লৈফম্নি লৈথংনবা (কংলৈসনা পুংমা-ইয়োন) কোগে ।। লৈফম অসিদগী লৈবাক খুদিংমকপু মুংঙাইবা, য়াইকংবা, অরাবা, অনংবা পরম্বু থৌয়েম্নবা নোংদম্নবা খোংলম ৪ লৈববু (অচাওপুং, চাওদপুং, পুন্সিপুং পোরুপুং) কৌগে, লাইমিংবু (সং সংদা হিলিকহো) কৌনা লৈফাগে ।। হৌ কংলৈ লম্মহনবা সনা পুংমাইয়োনগী লাইমিংবু (মিহিং সং সংদা অপাম্বা) কৌজগে ।। লৈফম অসিদা নোংদম্বগী থৌগনবু লৈচংজবা ওইজনা ঐথোইবু লৈজবা নোংদম্বীবা নিজগে ।। নোংদম্বনা পাওখাবু পেনবিতুনা শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৬ লৈমিম্নরশি নোংদম্মা মালেমদা লৈবা হৌরে ।।

অতিয়া মরুশিদম্বা, লৈশিরেন লৈপুনবীগনা খোইম্মুম শাথোকপা

অতিয়া মরুশিদবগী লৈকমদা লৈশিরেন লৈপুনবীনা হায়, "অতিয়া মরু মালেমসিদা খুম্নোক্লে অতুবু থৌরমদি লৈশিন্নী অসিবু কমদৌশিবনো" ।। বাহং বাহৌবু তাবদা অতিয়া শিদবনা হায় "উম ইবেম্মা বাহং পাওখাবদি হৈশিংবিদো থৌরম অসিবু করিবু কমদৌনা থৌপু

থৌওমগবা পরম অতুদি লৈথিবতুনা লৈশিনবিবদো তৌওমদে, এবুদি থৌহৌগদবা ওাইওমদনা ওাইজরি নতিক মওম্ব শাথোকপিও ইবেন্সা ।। অতিয়া মরুগী য়াবু তাবদা লৈশিন্নেম্না করি-মুংবু ওইবনো য়াথল্লে ।। উম পরম অসিবু ওইহ্লে, লাইয়েকপু লৈথমদনা মশকপু শেদা য়াদে হায়বোইরে, অতুবু পরম অসিদো নোংলোন শেমজৈদা শাথোক শাকোংগ্রবনি অতুবু মালেমদা নৌহৌনা শাথোক শাকোংনতুনা লৈহৌ লৈথবগে য়াথল্লবোইদো, থৌরম অসিবু লৈমুওনবা করিকরাদবু লৈয়েক্রা লৈহুনশিবা য়াথন্দুনা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা লৈশিরেন্না কোইনা লৈম্লেংঙে ! খুদক অতুদা নোংদম্বনা কুবি নোংদমুক্তুনা শাথোক লৈহৌনখিবা লৈকম (মহৌকংলৈ) লৈকমদা মনা য়াই পাকপা, খুনিং কুইনা শাংবা মশক অমা মপুং ময়া চুন্না হৌতুনা লৈবনু ওানকং-লে ।। মতুদা লৈশিরেন্না মশক অতুবু করি করাবু মালেমদা হৌওমদ্রিজৈদা হৌগ্নম্বা মশাক্ত খুদ্নোক খুন্দা লৈহৌবদা তানকংনবা মশাক্ত পরম্ব থৌকাওদনবা য়াথমতুনা মশক অতুবু (লৈহৌনা) মিংকুল্লে ।। লৈহৌনাগী সমাইদা লাইয়েকপু শাকোংনা য়েক্তুনা অতিয়া মরুগী মক্কন্নাদা লৈহুল্লে ।।

হুয়ম অ, আ, ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ, এ, ঐ, ও, ঔ, ।। ক, খ, গ, ঘ, ঙ ; চ ছ জ ঝ ঞ ; ট, ঠ ড ঢ ণ ; ত থ দ ধ ন ; প ফ ব ভ ম, য য় র ল ৱ, শ ষ স হ ক্ষ ।।X

লাইয়েকপু উবদা অতিয়া মরু শিদবনা হায়- ইবেন্সা লাইয়েক অসিদো মতিক মওম্ব মামদে করিবু কমদৌনা শাথোকউ হায়বদো পরম্ব শুনা হায়বিও লাইয়েক লাইনৌগাবিও ।। মরুগী লাইমিং মিকৌতাবদা খুদক অতুদা লৈশিরেন্না মাগী লৈরেং মজোন লৈয়াইদগী (এং ত্রীং) লাইয়েক অনিনা কুয়োমতুনা লাইরেন্সী অনি শাথোক শাক্কোংহন্দুনা মরুগী মাংদা খুং-ফ্রাং তরাবু চেপ্পা লোম্না মরুগী পাওহংবু পাওখুম হল্লে ।। মরু য়াইবিরেন লাইয়েক ১১ গী মওান য়ারাবু লাইয়েক য়েংনা লৈহাপ্তুনা লাইয়েক হামোইবা ৩৪ গী য়ারা ইথোন লাইশকপু লেমগৎ শাগৎনবগীদমক্তা লাইয়েক য়াইবিরেন ইহৌ অমা লৈহাপ লৈথমজবা অসিনি ।। অতুদি ইবেন্সা (খুম্ভোং ওানবী) লাইয়েক ৪৫ অসিগী য়ারা ইথোন ইহৌফম্বু লৈফম কদাই কদাইগীবু ওইওম্লকপা ? অতিয়া শিদবা নঙী নোংদেমদগী তানফংজবদি (থৌরি) হায়বা লৈফম অসিদগী (আ, হ, ক, খ, গ, ঘ, ঙ) লাইয়েক অসিগী য়ারাবু শেমজবনি ।।

য়াদগী মউ ওইনা ই, ঈ, য, শ, স, চ, ছ, জ, ঝ ঞ লাইয়েক মশক য়ারাবু শেমজবনি ।।X

কোক লৈক্কমদগী-. ঋ, র, য়, ট, ঠ, ড ঢ ণ লাইয়েক য়ারাবু শাথোকখিয়ে ।।X

য়াগী লৈক্কমদগী মউ লৈহৌওইনা- ল, স, ত, থ, দ, ধ, ন লাইয়েক লাইশক য়বা ইয়াই লৈফম ওইনা শেমখিরে ।।

চিনবান লৈফমদগী লৈহৌ মুক্কম .ওইনা (উ, ঊ, ৱ, প, ফ, ব, ভ, ম) লাইয়েক্তি মশক

য়াম্বা শাগোকনি ।।x

খৌরিনে, চৌনে অনিনা মঙ লৈরৌক্কম ওইনা (এ, ঐ) মশক য়ারাবু শাথোক্লখিদো ।।x

খৌবিনে চিনবাম্নে অসিনা লৈহৌ লৈক্কম ওইতুনা (ও, ঔ) লাইয়েক মশক য়ারাবু লৌ-থোক্লুনা শাফোংজনবে ।।

ইবেন্মা লাইয়েক লৈমা লাইমৌভাবা লাইয়েক পিংন্দীবা অসি মতিক মওম য়ারানা করি কদাই, করম্বনা মথরাই শুবা, শুদবা, অকম অশোম ওইবনো ? মতুদি মরু ঙ, ঞ, ণ, ন, ম লাইয়েক ৫ অসিবু শাথোক্লুনা য়ারা ইখোনবু শাথোকপা লৈক্কমদগী (নাতোম) হায়বা নিংশা চোন্দোক হোক্তিল্লিবা (শানাচি) কৌবা লৈফম্ব লৈশোক্লনা হায়লোকপা য়াদে অতুম্নগীবু লাইয়েক ৫ শিগী মওম মওানবু শানাচি হায়বা নাতোন লৈফম্না মওম্ব হাপ্লিদো ।।x

শ, ষ, স, হ- লাইয়েক ৪ অসিনা মউ লৈফমদগী শাথোক্লবা থাকৌবদা য়ারাবু শানা ওান্না শাথোকল্লবপা লাইয়েক্লি (অশাবা) লাইয়েক কৌবনিদো,মরু ।।

য়, র, ল, ৱ- লাইয়েক ৪ অসিনা থাকৌবদা লৈহৌরকপা লৈফম্ব লৈয়ৌদনা মরক্তগী মওম যারা ইখোনবু শাথোক্লকপা মশক্তি, লাইয়েক অসিদো (মরক্তা মওম লৈথম্বা) হায়বিও, মরু ।।

(আ, ই, ঈ, উ, ঊ, ঌ, এ, ঐ, ও, ঔ- লাইয়েক ১০ শিদি ইওান চাওবা লাইয়েক্লি (লাই-য়েক য়াইবি শিদবা) কৌবমে, মরু ।। লাইয়েক ৩৪ গী মতুংদ লাইয়েক ১০দি থরাইদি কল্লি মওমদি শোল্লি মতুদি- খ, ঘ, ছ, ঝ, ঠ, ঢ, থ, দ, ফ, ভ- অসিদো (থরাই কমবা লাইয়েক হামোইবা) কৌজগে, মরু ।।

ক, গ, ঙ।। চ, জ ঞ ।। ট, ড ণ ।। প, ব, ম ।। লাইয়েক অসিদো থরাইবু শোনবা মওানশু শোনবা লাইয়েক্লিনা (হামোইবা) হায়জগে ।। অতুদি লাইয়েক অসিনা পুরারি অমা লৈশেল্লবদা মিহিংনা করিবু থংনবা ; রাহং খুথিল্লা কমদোনা লৈয়েকপা ; ইচম চৈগানা করি করম্না লৈশাগদগে পরম খায়না, য়েলুপ নাইনা, থৌকাওদনবা লৈথম্নবা পরম খুদিংবু লৈহা-পুনা থম্বিও ।। লৈহৌ লৈশান্নকপবু মথংলোম্না থৌকাওদনা লৈওম্নবা অসি কোরৌদগী থৌওম্নবা থৌপুম্নো ; তানফংবা লাইয়েক্লীনা নাওয়োম থানা লৈহাপনা খোইয়ুম শাথোক শাফোংনবা থৌপুনবা তৌজবো ।। মরুগী নোংদম্ব থৌপুম্না পুরারিবু লাইয়েক (খারিপোন) লৈখাই লৈশংনা লৈথম্নবা তৌজগে মরুনা কুবি নোংদম্বু লৈহাপ্লীবা ওইবিও ।। অতুগা (লৈম্নেমা) নংনা অচা অথকপু রাংতনবা থৌওমলো নোংদন্না থমলে ।।x

মোংদম থৌপুনা খুল্লোকাংলমা লৈমৌভাবিনা ।।

লৈওন্বা লাইয়েকপু খরলোন য়েখায়বা ॥

লাইয়েক অপকমা — য়ারা ইখোল লৈলেন্বদা লাইয়েক অমদা লাইয়েক অমা চংলবা লাইয়েক ইখোনবু লৈমাংখিদ্রনা য়ারা ইখোন অমা থোক্লবা লাইয়েক ইচম্ন য়েকপা তাববদি (ই, ক, ঙ, ন; প, ম, ল, র, স) অসিদি হককি লাইয়েক ৯ বু লৈশাগে ॥

লাইয়েক লিতিনব'= তিললাইয়েক' হায়বা অসি লাইয়েক অমগা পক্লনা য়েকপা তারবদি য়ারা ইখোনবু অনিমককী লৈমুৎহন্দবা লাইয়েক লৈও বু কব=(ক্ব); কম+(ক্ম); কন=(ক্ন); কল=(ক্ল); যঞ=(ঞ্চ); জঞ=(জ্ঞ); সক=(স্ক) লাইয়েক ১৪ অসিদো অম্মমা লৈহাপনগে ॥ আপ্পি লাইয়েক ৩ অসিনা লৈতিনবদি লাইমিং (ইঙাল লৈশাবা) কৌএ ॥ লাইয়েক অম্মমা লৈথমগে ॥ অসিবু (আপ্পি ইঙাল লৈশাবা) হায়গে ॥ অমদি থম্মং আপ্পি তায়এ, লাইয়েক্না অস্ময়া লৈথম্নগে ॥

চৈগা চৈনপ — যাব পাওশা লাইয়েকপদা, লৈওম্বা লাইয়েক খুদিবু হায়নিংবা ইখোনবু শাংফানবা লাইয়েক য়াউবিরেন ১০দগী খরবোন য়েখাইনগে মতুদি আ =া; ই = ি, ঈ =ী; উ =ু; ঊ =ূ; ঋ =ৃ; এ =ে; ঐ =ৈ; ও =ো; ঔ =ৌ; ॥

চৈনপ ইরাই ৭ অমগা লাইয়েক হামোইবনা য়েখাইদুনা (৩) অমা লৌগে, ৪দি লাইয়েকপু য়েশিন্নদুনা চৈরৌগে ॥ য়েখাইবা- ট =ং; র =্; জ =া ॥ নম =্; বপ =´; রস =ঃ (অচং কৌগে) ঙ, ঞ, ণ, ন, ম, =ঁ (চরৎ) হায়গে ॥ অনং = লাইরকচন্দ লাইয়েক ৭৮ অসিবু লৈথমদুনা পুরাবিবু লাইয়েক লৈরৌনদুনা লৈথম্নবা থোপুগে ॥

পাওশাবু করি করম খুৎথিল লৈহাপ্লগা থোবম্ন লৈথংনবা অমুক রাইথলক্কনা পুরাবিবু পাওশাবদা মিহিং ইহুন অমা নিংশা ইহুনফম্ন লৈপিদ্রবাদ পাওশা (লিরৌ থোইবৌ) নাইদবা হায়বা অহুনি খুৎথিন অসিবু লৈহাপলম্বা লৈফমদা পাওশা অহুগী নিংশা হোন্দোকফম ওইশনু খুৎথিনবু অনি হাপ্লগা মিহিং অমা ইপ্পেপন্নবা মমিংবু (মিহিং খুৎথিন) ॥ মশক অসিবু য়েকপা লৈফম অতুদা নিংশাবু হন্দোক হৌগিন মিহিং নিংশা ২ বু পাওশা ইরেপফম লৈহাপ খুৎথিন ওইনগে ॥

করিগুম্বদা পাওশাবু য়েকপদা লাইয়েক লৈথুংদদুনা লৈফম অমদা য়েকপা তারবদি (লৈরাং খুৎথিন) = অসিনা লৈহাপ্পুনা লৈতাকপা তারে ॥

পাওশাবদা পাওহংনবা থোকওম্নবদি (হংচৈ) =? খুৎথিন অসি লৈহাপনগে ॥

পাওশা পাওহং অতুবু লৈতাকপদি (খুমচৈ) খুৎথিন অসিবু লৈয়েক লৈহাপনগে ॥

পাওশানদদা অকিংমুং ওইউন্বা, অথংবা ওইওম্নবদি (খচৈ =! অওক খুৎথিন) খুৎথিন অসিবু

লৈথমগে ।।

পাওশা য়ারম অমবু ইনবা (য়াবোই বংথৌচৈ) = । খুংথিন অসিবু শাথোক্কে ।

পাওশানবা পুৱারী অমগা ইরোইবদা (লৈথৈচৈ) । × হায়বা খুথিন অসিনা লৈহাপকে ।

থোরম পরম অদুবু পান্দান লোইরদুনা পুৱারি লৈফম অমা হোংদনা লৈয়েকপা তারবনদি (লৈথম থমচৈ) IIX IIX খুথিন অসিবু লৈহাপ লৈথেমগে ।।

চৈশিং ১দগী লাইখমলেন অমা — ১০০০০০০০০০০০০০০০০.০০০০০ অসি ফাওবা যেক্কনা তাক্লে ।। নোংমগী থোদবু থোপুজনবা ১উ মগাকপু শাদোক, শাথোকপগু লোইডমলে ।। ময়াথংবু থোপুনা থম্মংরাবু ইভাল লৈশানখিবা পুৱারিদু লৈয়েক লৈথনবা থোহৈনরগে হায়দুনা লৈহৌ কৌবা লাগী মথাই মনমদা লাইরেম্বী লাইনৌতাবীনা পুৱারি লাইয়েকপা খোংহোনে ।। মৈতৈগু নোংদলাই হৌজিক্তী আতিয়া মরু শিদবগা ইমা লৈমরেনগা অনিনা খুম্হোকপীদুনা লৈমিন্নবা থোদা থোপুনবা লাথুপ লাবৈ লৈনবা শাথোক শাফোংনরকপা পুৱারিবু নিংশিংনবা ওইনা মথং লেংনা পাবগে তাবিও IIX

আতিয়া শিদবগা লৈশিরেনগনা থোংশিনবা থোইদম মন্নাম শাফোংবা ।।

আতিয়া শিদবনা হায়—ইবেম্মা থোদা নোংদম্ব লৈথংবী নঙ্গী নয়াথংবু থোপুনরগে পরম থোরম্ব থোয়েংনা থোয়েংনবা পরম খুদিংবু তেংবাং নোংদম ওইবিয়ুকো ।। শালাইলেন আতিয়াশিদবা নোংদম থোদবু লুবাই কোইরেন্দা লৈহাপ্পা থোরম পুম্বু তুংইন থোগন লাংজনি, পরম খাইনা থোহৌবিরো তুংইন থোগন তাফংজবা ওইজগে ।। শলাইলেন আতিয়ানা লাইয়েক (ও, ক, প, স, ঙ, থ, র, ল, খ, ব, ঐ, উ, আ, ত, ধ, ঈ,) ১৬পু ম্মা হুকচাংদা চিংশিনখিদুনা খোইদৌদা লৈহাপ্লদুনা লাইয়েক ১৬ অসিনা নাওয়োমদুনা খোইদৌ মন্নাইদা নিংশা থিংনা অমুক্তং লৈকাম্বদা লাইবুংথৌ অমা চোংথোক্কনা মালেমদা লেপ্পনা মরুগী মাংদা লৈওয়ে ।। মরুনা মশকপু (লৈমুং লোঙ্গা আরিবা খাবা তাওরোইলাই) নংদি মতম পুম্বদা ঐগা থানবা লৈজনা লৈগদবনি ।। ঐগী মুংঙাইবা, ঐগী পোথনফম নহাক্কি নংদি লৈখারোন্দা লৈউমদুনা ঐগী ইউম্মু পুদুনা পরম খুদিংদা মাওনবা শেমদুনা নশাবু তোক্লেন লিপুন অমা লিহাপ্পা, মপুক মথানা চৎপা থোকউন্নগদবগী লুচিং ফম্বানবা (মন্নাই লৈকোই গুমদোং ফম্বানবু) লৈফমদুনা ওইনিংবদা ওইদুনা লৈক্ল ।। নশক লাইয়েক্কি (ঙ) গী মশানি নমিংবু (লৈমুং থোংঙাক্লেন) কৌবনি, লাইমিংবু (লিংখি মিংথোই মোং হাং মনিক ম্মা তরেং

খোঙ্গা, অচিক ভরেংখোঙ্গম. হুয়ম তনৌ লুত্তোন হুকপ', (হে! য়োসো লৈপুনবা ও কুং) ক্কৌবা নংনি ।। মশক অনিবু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবীনা (ও, হ, ঐ, য়, ই, ত, ন, ঙ, ব, ক, ফ, ঙ, উ, র, ল, ম, আ) লাইয়েক ১৭ বু নিংশা থিংহুনা খদাংবু লৈচিক্কা মশা মউবু তনিক তনিক্কা হেক চোংনা পাম্বোম অনিবু লিক্তিংনা লৈথিংলম্বা নিংশাবু হেক কাম-লক্লে, মহুদা লৈমাইথক্তা লেপ্পুনা ইবেমগী মাংদা লাইরেম্বী অমা শাথোক্লে ।। মশক অহুম উবদা লৈমরেম্মা (লোইনবী হাগি ভনৌবী) নংদি মতম পুম্বদা নঙ্গা ঐগা অমত্তা ওইনা লৈ-গদবনি. ঐগী থৌবম খুদিংবু নংনা শাথোক্লহুনা থৌউম তেংবাংগদবনি, হৌজিক্কি লৈথারোন্দা লৈওম্মা লৈথারোন্দা লৈবা মশক পুম্বগী য়াইফ নোংদম্বীনবা লৈওম্বীও, নহাক্কি (ক্ষ) লাই-য়েক্কে, য়াইবিরেন মেরু বনা (ওং কুং ধুং ধুং) লাইয়েক্কি, লাইমিংনা (লিরি তিং, কুমাই-তিং হুয়িভনৌবী) নংনি, খংদবা তাদবা ওমদবা লৈতবা হিমরু য়াইমরু বাংতবী নংনা ঐগী ইত্তম্মু থৌউম থৌপুবো IIX নোংদম থৌদাবু থৌয়া থৌপুনা অনিমক্কা লৈথারোন্দা লৈকুম-খিহুনা লৈকম অহুদা লৈবা থম্বা য়াবা মশকপু লেমগৎ শাগত্তুনা মাইগৈ লম য়েম্বহুনা পরম থৌবম্মু বাভনবা থম্বীহুনা লৈথারোন্দা লৈপাম্বা থৌপুনা লৈরেদো ।। মৈতৈতেঙ কংলৈ শংবা লৈথারোন্দা লৈওম্বা মশক্কি পরম থৌরমদো মাগী পরম লাকওম্বদা পাওশাগে, কংলৈ লৈমাই লেনগীবু হায়গে IIXIIX

লৈমাইলেন কংলৈ লম্মহুমবদা থৌপুনবা শাথোকপা ।।

অহিয়া শিদবা শনাইলেম্মা মহাক্কি অশাই অশম ওইনবা হায়বগী--

১	(আ) লাইয়েক্ক	নাওয়োমহুনা	লাইবুংথৌ	(অঙাইবা)	শাকোংলে ।।
২	(উ) ,,	,,	,,	উকোংলেন	;,
৩	(ক) ,,	,,	,,	কোংতিংলেন	,,
৪	(খ) ,,	,,	,,	থৌঙাইবা	,,
৫	(চ) ,,	,,	,,	চেংঙা	,,
৬	(থ) ,,	,,	,,	থৌঙাইবা	,,

৮ য় লাইয়েক্কা নায়থোমহুনা লাইবুথৌ য়ুচেক+য়ুহাগা শাকোংলে ।।

৯ লৈমিরেম্মা লাইবুংথৌ ৮ বু উবদা মাগীগু মঙাইরোই ওইনবা

১০ আ লাইয়েক্কগী অঙাইবী শাকোংলে; নোংপোক থোংনাঙ্গে ।।

১১	ক লাইয়েক্তগী	কোংশিংলৈমা	শাদোংলেং	নোংচুপ্তা	খোংদহল্লে ।।
১২	চ ,,	চিংসলৈমা	,,	অরাং	,,
১৩	ঠ ,,	[ঠৈরেমা	,,	মৈরম	,,
১৪		খোঙাইবী	,,	মথাদা	,,
১৪		থিংবা লোইখোম্বী]	,,	সম্বোংদা	,,
১৬	প ,,	পুকশি খোম্বী	,,	নোংপোক্তা	,,
১৭	ম ,,	য়ুচেং লৈমা	,,	কৌত্রদা	,,

মাগী মাগী মঙাইরোই পাওশামিম্নবু মনাক মনাক্তা লৈঙম্নরবদা অতিয়া শিদবনা লৈঙম্বা অত্তুদা লৈবাকপু য়াইফংনবা য়েক্লবা তিনয়েং খোইয়েংপা লৈতনবা লৈশেমহনগে রাথল্লক্তনা নিংশাবু থিংত্তুনা লৈঙল্লগা খোইদৌ মথাগী ক্ষম্বী লৈফমদা লৈবা (হো, রো, সো) লাইয়েক অত্তুষগা লোইননা ক্ষম্বী অত্তুগী মথক্তা লৈবা (সং, নং) লাইয়েক, খুদোন অমা কাবদা লৈথম্বা (হ্রিং, হিং) লাইয়েক, অসিগী মথক খুদোন ২ কাবদা থম্বা লাইয়েক (হং), খোইদৌদা থম্বা (ক্লুং) লাইয়েকপু (নিং নিং নিং) হায়না য়াকাইরগা (রি রি রি) হায়না চিংথংলক্তনা, নথাংদা থম্নগা (হুং ঐংগ্রীং হ্রীং শ্রীং ক্ষোং) হায়না ঙক্লাংত্তু লৈনা য়েংথংবা (লংজুমদা) নিংশাত্তু হেক কামথোরকপদা মতিক মঙাম্না লিক্লাগী মথক্তা মালেম অঙানবগী মঙাল্লা লৈচংলবদা লংনা ঙাম্না লৈবগুম লাইবুংথৌ অমা চোংথোক্তনা লেপ্তনা মরুগী নাক্তা লৈঙল্লে ।। অমুক নাথাংদা লৈহাপ্পবা লৈয়েকপু মাগী মাগী লৈফমদা লৈথম্নগা খোইদৌদা লৈবা (ক্লুং) লাইয়েকপু য়েংত্তুনা নিংশাবু চিংশিন্না হুম্ফিহল্লকপদা মালেম লৈমাইদা কোংয়াং চৈমা তাবগুম মশা কোঞ্জন ত্তুথোক্লা মরুগী মখোং থাবু লৈশোক্লা পুকম লৈপাইনা মঙম্না সনাগী চীংত্তুম থিনবগুম মালেমথক্তা তুত্তুনা লাই পাথং অমা লৈঙল্লে ।। মত্তুদা অতিয়া মরুনা য়েং থম্বদা লৈবা লাইবুংথৌপু য়েংত্তুনা পারি চরে অহনবা (শ) লাইয়েক্লা নাওয়োন শাথোকপা (লাইমিংথোই) নংনা লৈবাক অসিদা য়ৈথাই থিঙ্গাইনা কনা খোংদারকপা ঙমদল্লবা মীয়ম পোংলম থায়না চীংবা পনশামা মাইগৈ মরি অসিবু শনশা পম্থিংলু, পনশাবদি লেংপোক লাইনা নোংচুপ খোংদবা ঙমদনবা নোংপোক্তা নোংচুপথোং থিঙ্গদবান ।। অম্নাংদা — খাথোং, নোংচুপ্তা — নোংপোকথোং; মথাদা -- ঔরাংথোং, পরম খাইত্তুনা পনশা পম্থিংলমগনিদো, লৈবাক অসিবু মুংঙাই ম্নাইফংনবা মউ লৈক্ষবু ১০৮ লৈথম্না লৈবাক পুঙগী মউ লেবক্তু লৈহৌমক্ষম ওইমা শেম্বীম্নম ।। অত্তুগা পারি কোম্দে ভনোবা নশকপু (ঙ, রা) লাইয়েক্লা নাওয়োমত্তুনা শাথোকপা (সনা কোঞ্জন ত্তুথোকপা) নংগু নয়াম্বুং লাইমিংথোইগী

রাখন উবদা মচাগী থৌচল্লু তেংবাংবি। নিত্তুনা অতিয়া মরুশিদবনা মহাক্কগী (ল) লাকয়েক্লা নাওয়োম থানা লাইবুংথৌ (লৈখোমতাও)গা (ন) লাইয়েক্লা নাওয়োমত্তুনা নোংখোমতাওনে, লৈশাতাওনে, নোংশাতাওনে, শাফোংত্তুনা মচাগী মঙল্লু থংহন উইন্দুনা মাইপৈ ৪ দা তুংইন্না তেংবাংনবা নোংদমে ।। অমুক লৈবাক লৈপাক পুন্নমকপু তেংবাংনবা অসিবু করি লৈঙম্মদবদগী থম্মুংববু ইঙাল লৈশা লৈহৌবদা মতম অমগদা লৈশি লৈথুংহনখিববু নিংশিংলক্তুনা (হ) লাইয়েক্লা নাওয়োমত্তুনা লাইবুংথৌ (হারাবা) কৌবা অমা শাথোক্তুনা নুংশিৎ কৌবা লাইগী মচল্লু লৈহাপ্তুনা মপারি কোঙ্গন তুথোকপগী হৈনা তুংইন্না লৈঙমলু শিম্থানা থাঙমখ্রে ।। লৈশিরেন লৈপুনবীনা মহাক্কী মহাক ওইবী অমা (গ, ঙ) লৈয়েক্লা নাওয়োমত্তুনা লাইবেম্বা অমা শাফোংত্তুনা লাইমিংবু (তুবৈথোংলৈ ইরৈমা) মিংত্তুন্না থবাং পাংনা থাখ্রে ।। মাগী অনিনা লৈরৌফম্ম লৈথংদত্তুনা রাখন্নবু উত্তুনা মচা অনিগী লৈরৌফম লৈরাদনা লৈপিগে রাখংত্তুনা (লৈশৌবুং) অমগী মশকপু শাথোকহনত্তুনা মচা অনিনা লৈঙম্মা লৈফম অত্তুগী ময়াইদা ইমথংহনত্তুনা লৈথল্লে ।। লৈশিরেনগী থৌরম্ম অতিয়া মরনা লৈথংলত্তুনা মহাক্কগী লাইবুংথৌ (মু পোকপা মহারাবা) বু থাকৌ থোক্তুনা নম্বী মশকপু রাত্তুনা শাথোক্তুনা লৈপি লৌশী অত্তুগী মনুংদা লৈথোনবদা স্নাওনবা লৈঙমলুরো নোংদম্মা লৈশৌপুং মপী অত্তুগী মনুংদা চংত্তুনা লৈহল্লে ।। করি করা লৈঙম্মদবদগী মচিন মনাওগী মরক ময়াইদা লৈপুং অমা ইনথক্তুনা লৈরম্ববু উবদা লাইমিংথোইনা লৈবাংলরোই নোংদম্মনা কুবিরে থংলত্তুনা ইশানৌ কোন্দে তনৌবা লৈথোনববু লৈফম অসিদগী লৈহৌরশি নোংদম্মনা নোংদম লৈপীনগুম্মে লৈবাংলরোই পাওশানা মনাওবুশিনগুরশি রাহৌরে ।। লৈফমু (মহৌমারহনবা) মহৌপুংলেন মিংচম্মা লৈফম অসিদগী মথন মরোংথাইনা মশানৌনা লৈমেৎ লৈপীরে, ময়াম্মুং লাইমিংথোইনা লৈহোন্দুনা নোংগোক পনশা ৯ লৈশুনবা লৈহাপ লৈথোল্লে ।। লাইমিংথোইনা লৈফমগী পরল্লু থৌয়েংনা কোরি পমগদবা লৈফমদা কোরিথম, শেনথমগদবদা শেনথম, সনা, লুপা, কোঙৌ, নুং অঙাংবা, অশংবা, অঙৌবা পরম থাইনা লৈথম লৈথোনহনা লোইঙম্মগে রাখনত্তুনা লৈঙাকলাই করি করাবু শাথোক লৈথমশিগবা রাথম্মা ডাইহাক পোত্থাত্তুনা রাখন ভৌনা লৈঙম্মি ।। খুদক অত্তুদা মশানৌ কোঙ্গন তুথোকপনা (হারাবা=মালংবগা) তাম্মত্তুনা লৈথোনবা লোইরববু মানা মনিং থুদবা পামদবা লৈফম মখৈবু চাইথাইত্তুনা মীরম্মেনবু লৈশিন্না চিংবা পনশা কয়ামকপু পাইথোলক্তুনা লৈঙমখ্রে ।। ময়াম্বনা করি ভৌরবনো হায়না য়েংলকপদা মনাওবা হারাবগা তাম্মত্তুনা চিংবু ফুক্তুনা চাইথাইববু উরে, শাওদেরে ।। থামলুবশু য়াগদবা লৈত অত্তুনদি মাবু লৈথোনবশি য়াওহল্লরোই পোত্থাইনত্তুনা মাবু লৈহনবা তাবে, রাত্তুনা শাওরমাম্মে রাখনত্তুনা মনাওগী মনাক্তা লাক্তুনা ইশানৌ কোন্দে তনৌবা

রাররিনি ইনাওদি পোথবদা লুংঙাইগদবা লৈফম য়েংদুনা অদুক পোথদুনা লৈঙমজৌ য়াম্বনা নহুৎ নরেংবু লৈশিন্না রাংলেন থরদং লৈমেৎ লৈথিৎনা লৈথোনগে পাওশানা মনাওবু পোথদুনা লৈহল্লে ॥ লাইমিংথোইনা মথন্তা অমুক লৈহৌগৈগুন্না নিংথিনা লৈথোন লৈথম্লে ।। লোইশিল্লগে তৌঙন্না লৈয়েংবদা অশাইগী মতৌংন্না চংথৈ পাইথোকখিদুনা ইরৈ লৈরমগ্রে ।। অমুম্না তৌঙমশম্মু মনিং থুংদদুনা তৌঙম্লিবনি রাখনদুনা হুম্না হুম্না লৈথোন লৈরোইরগে তৌঙম্বু লৈহৌ (১০৮) লৈগুংগ্রে ॥ মতুদা লাইমিংথোইনা রাখল্লি মরু লৈথোন লৈরোইবা য়ারোইদৌরে ঐনা কদৌগবনো রাখম্না লৈথোনবশে ইশানৌনা থুগাইবনা হেলমল্লে, মসিবু মরুনা লৈথামদ্রবদি থোরোইবা য়ারোইদৌরে রাখম্না মরুবু নিংশিংনা লৈপাইনরক্লে ।। লাইমিংথোইনা মনাওবু লম হেনমল্লি হায়দুনা চথোকপা ঙমদনবা সনা হুকচাংদগী শাম্বোম ২ গী মমুংগা, কমথোং ২ গা মরুগা তুনা লৈবা (ক্ষ) লাইয়েকপু চিংথোক্লুনা মনাওবু উপ্পুনা কোইশিন্দুনা লিফা লি-থম্লগা অমুক পনশানা লৈখ্রে ।। লাইমিংথোইগী থোরম্বু অতিয়া মকনা উবদুনা ময়াম্বনা ভুংবুন লিফানা লৈথমলম্বু কোঞ্জন ভুথোকপবু লৈথংহল্লরোই থৌবোইদ্রি ফাওবা রাখন্দুনা মদো লাইমিংথোঙ্গী থৌঙম তেংবাংবিগে হায়না অতিয়া মরুশিদবনা থোইদৌ তন্না য়েংদুনা (ক্ষ) লাইয়েকপু (থোইনৌ) হায়না কৌদুনা মিৎনচাগী মককুন্না মরুগী মিৎলূদগী লাইমিংবু (থোই-নৌ মিংলুরেম্বী, তরৈ তরৈ মিৎয়েংশেল, মি মি মিৎয়েং শেল) হায়না থাকৌথোক্লুনা মরুগী খুৎনাওবী মতোন্দা হাপ্পুনা নোংথৌ পাংনা ইনথৎলগা হায়রে ।। নোংথাং লৈমা, পারি লাইমিংথেইনা লৈবক্তা য়াইফংনবা লৈথোনববু নোঙ্গাংদনা য়েথাইরিবা কনানো য়েংঙু কনা লৈবগে ? মরু নয়াথংবু থোপুনা মাইগৈ মরি শুংদাই মরিতুনা য়েংবদা কনা থোইনদি উঙমদে, মপুক কঙ্গাওহনবগী মশককুম্বা অমদি উঙম্মি মশিবু করিনো ? স, ক, ল, হ মিৎলুলৈমা ঐং, নোংথাং লৈমা ক্লীং, লৈহিংনু ক্লীংনেং লৈনপক্ষা) মশক অদুনি মানা তৌঙমলিবনি, মালং হারাবগা ভামদুনা চংইথাইবনি, মিরমলেনগু লৈখুংগ্রে মাগী থোইশাওবদো থৌকাওনবা নংনা ঙম্বা নঙম্বু তৌঙম্না উহন্দুনা মপুক থোইশাওবদো থৌকওনবা লৈথাম পাওশানা পারি চরৈহন লাইমিংথোইনা নোংপোক পনশাবা থোরেহেনদ্রিফাওবা মপুক থোইশাও লৈথায়বা তৌঙল্লো থৌদনা মরুগী খুৎনাওবীবু লৈশতুনা থোইনো মিংলুলৈমা=মিংলুরেম্বী নোংথাংলৈমা কোরৌ নোংথৌদা লৈথমদুনা লৈহল্লে ।। মিৎলুরেম্বী নোংথাং লৈমনা কোরৌ নোংথৌ অহাংবদা মৈবি শঙাইশেন পাইবগুম মাইগৈ ৮ বু কান্নন থানা পাইরম্মগা (আতিংঙাতরঙ্গী) ময়াইদা মৈরিকদুন্না ঙানবা ফিমোনবু শেতুনা তগুপ তগুপ তরং তরং ঙাম্না শানাথোক্লুনা লৈরে ।। কোঞ্জন ভুথোকপা হারাবনা মশক অসি উবদা ঙকচানদুনা, হিং মশিদি করিনো, রাখনদুনা নোংথৌদা য়েংদুনা তৌঙম্লিবা থোরম্বু থৌকাওনদুনা মশক অদুম্বু য়েংদুনা লৈঙম্লে ।। লাইমিংথোইনা

তেংবাংবা ওইনা তুংইন থোগন ওইহৌমজৌ ।। পাল্লি সনাহন করিগুম্বদা পরি ইচা'না অল্লা পোথাবা মতমদা তেংবাংবা ওইনা নশানৌ অসিবু থরা পুখিয়ু ।। লাইমিংথোইনা পাউখুম কৈ, মরুগী নোংদম থৌদাবু থৌওম কুবিনোংদম্বীগনি ।। ইশানৌ কোঙনতুথোকপা মরুগী নোংদম থৌদাবু থৌওম থৌপুনবা ইচিন ইনাওদু চৎওম্ভশি মালেম লৈমাই থক্তা ক'র মুঙ্গীবু কোয়াংতাবগুম তাদুনা লৈবনো হৌগৎলো, পাওশানা মালেমদগী মনাওবু কোনথজ্জনা মনাওগী খুৎচেং পালোইনদুনা চৎওয়বা থৌরাংলে ।। মচা অনিগী মথোনা মরুগী নোংদম্বু তাবদা লৈশিয়েন লৈপুনবীনা হায়— পারি লাইমিংথোই করিম্বুংম্বু থৌয়াবনো শাথোকপদা ভাইভম্বা পারি অনিগী লৈকমদা লৈওম অশুব লৈচাওনা মরুনা করিবু নোংদম্বনো ? করম্মগু থৌয়ারিবা মরুগী থৌদা অসিবু পারি নচিন ননাওনা করম্না থৌওম থৌপুনি মরুং মতম ওইদরি নোংদম থৌদা থৌয়াবা; পারি চরৈহন চৎখিনু ইমাগী নাক্তা লৈওম্লো; নওম নতিক চারগা নোংদম থৌদা থৌপুগনি মরুং মতম চাদরি চৎখিনু ।। তাকউমখিবা নয়াথংবু যিগাওশানা য়াজরি নচানা মরুনা থৌদা হানখিবনা য়াদম্নে মরুগী থৌদাবু থৌওমজবা পলেম ইমানা কুবি নোংদম লৈহাপ্পীবা নোংদম্বু নচানা ফিগাও শানা নিজরি ।। পারি সনাহন লাইনিংথোই নমা ঐবুদি মরুগী থৌদাবু থৌওম থৌপু ওইওম্বদি লৈপিমি অহুবু পারি নচিন ননাওবু চীংবা পনশা লৈথিংবা থৌরম্বু কম্বিবু করম্না থিঙ্গনি লৈথিংনবা লৈচাক্লা কদাই লৈফমদগীদু লৌগনি, পরম থৌরম অদো নমা ঐবু থংহল্ল উহল্ল ।। পারি নচিন ননাওনা মরুগী থৌদা চৎখিবদো থোইজং লৈতনা লৈওমজবা ওমগদরা, নতিক নওম হৈশিংবা তৌওমগদবা পরমদো নমানা থোইজং লৈতানা য়েংওমগে নচিন নমাওনা পরম অদো তৌওম্ম ।। মমা'গী য়াথংবু থৌপুনা লাইমিংথোইনা মনাওগী খুজেং পা'লোইনা হৌরগা মালেম্ব লৈথোন, লৈচাক লৈরো রাখন লৈথাবা, লৈচাকপু ইকৌ ইচাইনা লৈথিংপা মনাওনা লৈপিরগা লাইমিংথোইনা লৈহোন লৈথোনবা, লৈচাক লৈপিনবা লৈওমদনা মনাওনা পোথা লৈওম্বদা লাইমিংথোইনা নোক্লদুনা মপুক হরাও ভয়াম্না মনাও য়েংল য়েংলদুনা নোক্লা নোক্লা লৈখি ।। লৈমেৎতুনা লৈথিংদুনা পনশা লৈয়োন ৯ লৈথাইনা চীংবা পনশা থৌপুরগা নোংপোক্লোমদগী অয়েৎ অথোৎ লাই (হুনি) না নোংপোক্লোমগী নোংচুপ থোংবু লৈহাংনদুনা থোংদাবকপা হমদনবা শাথোক লৈথিংবা পরম্বু শাকোই অনোই ওইনা মমাবু উহল্লক্লে ।। মচাগী মতিক মগুম্বু উবদা লৈশিয়েন মমানা মপুক হল্লাও ভয়াম্বগা লোইনদুনা নোংদম থৌদবু থৌওম্বা কুবি নোংদম লৈহাপ্পীদুনা মচা অনিনা মমাগী থৌওম নোংদম্বু তানকংনা হৌকংলৈ লম্ম হনবদগী নোংপোক পনশানা নোংচুপ থোংথিংবদু থৌহৌনবা চৎখ্রে ।। মচা অনিনা নোংদম থৌবু থোংশানপ্রবদা

অতিয়া মরু শিদবনা লুতুঙ্গী রাখল অমবু থোৌযেংনা লাথুপ অমুক থোৌহোৌরে ।। কংলৈ পুং-মাইয়োন্দা লৈঙ্গা পপু অতিয়া মরুশিদবগী সনা হকচাংনা থন্দুনা লৈথম্বা হোৌরে লৈফম্ভু (থনশং) মিংকপ্প ॥ লৈঙম্বা লাই গোইনবা লোইনবী পুম্বদা লুতুঙ্গী রাবু তাম্নদুনা নোংকোরো অমা চুপনা রাখম্নদুনা থোৌরাংনব্বা তৌঙন্মি, লৈফম অদুবু (নোংহুম শংলেন লৈশাকম) কৌরে ।। লাইমিংবু (লিংতোংমরাবা লিং লিং) কোরো লৈশিবেন লৈপুনবীবু (খেম্মাচনু অরাই কংদবী) কোরে ।। অতিয়া লিংতোংমরাবনা (ল, ঐ, থ, উ, ঙ, ন, আ, চ, ই, ব, থ) লাইয়েক ১১ না নাওয়োম শাথোক্লদুনা লাইবুংথো লৈনুং খুং খুং অচিবগা থোংডারেনগা অনিবু পুথোক্লনা লাইবুংথো নংদি লৈযাই লৈখারোনদুনা কোংনা চক্লনা লৈঙমংথা নংবু ঐনা থাকৌরক্লবদা লৈপন্দনা যৌনম্বা লাকদবনি পাওশানা চৎহনখ্রে ।।

প, ও, ই, র, ঐ, ম, ঙ, এ, চ, আ, ব — লাইযেক ১১ না নাওযোম শাথোক্লনা লাইবুংথো পোইরৈ মোইরেং চাগবু শাফোংদুনা নোংপোক পাংনা পাওশিদুনা চৎথ্রে ।।

ই, র, আ, ঙ, থ, এ, ল, প, উ, ম, ন, ব — লাইয়েক ১২না নাওযোমদুনা লাইবুংথো (ইরাংথেন পুংমিম্নবা) বু শাফোংবিদুনা থা মৈবম পাংনা চৎহনখি ।। মরুগী মপম্ম ঐবদা লৈশিরেন পোংলম পোংথাইনবীনা (হ, উ, ঙ) লাইয়েক অহুম্না নাওয়োম থানা লাইরেমবী (হৈরোংলৈমা) কৌবী শাথোক শাফোংবিদুনা নোংপোক চিংথৈ পাংনা লৈথানা চৎহনখ্রে ।।

শ, আ, ন, ই, ক, ল, ন, ঔ, ত, ব — লাইয়েক ১০না নাওয়োম্নদুনা লাইরেম্বী (শনিক লাইনোতাবী) বু শাথোক লৈথয়ে ।।

ল, ই, র, ঔ, খ, ও, ব — লাইয়েক ৭ না নাওয়োম থানা লাইরেম্বী (লিরৌথোই রৌবী) বু শাথোক শাফোংবিদুনা লৈথয়ে ।। থোংইখ্রম অনিনা রাকয়ৈহিদাম্নবগুম তাম্নদুনা শাংঙা উচেক, পাইবং, তুমিৎ, য়ুরান, লৈবা থৈবিক শাথোক লৈথয়ে ।।

লৈশিরেন্না মহাক্কী মহাক ওইবী লাইরেম্বী অমা সনা হকচাঙ্গী ওইগী লকাদগী শাফোংদুনা লাইমিংবু (সনা থোংনাং লৈমা) মিংথন্দুনা অঙাইবা লাইদা লৈশিন্নদুনা লৈথম্মি লুতুঙ্গী রাবু পাওশানা শিন্নদুনা থম্বা হোৌযে ।।x

তনং নোংপোক চিংম্বা পনশাদুনা নোংচুপ থোংথিংবা

লাইমিংথোইনা লমজিংদুনা মশানৌ কোজন তুংথোকপগা লোইনদুনা কংলৈ পুংমাইযোন্দগী নোংপোক পাংনা থোঙ্গারক্লনা লৈফম লোহৌ চাবা য়েংদুনা লৈফম অমদা মচিন মনাওবু মায়োক্লদুনা করি কদাইদগীবু লৈরোনদুনা চিংবা পনশানশিবা রাখম্না লৈঙন্মি ।। মচা লাইমিংথোইগী

মরক অসিদা নোংপোক পনশাহুনা নোংপোক্কী নোংচুপ থোংবু লৈখিংবা লোইনবা তৌভমহৌগে রাখন্দুনা লৈরোংগে চংবগদি লৈপিদো লৈতরে ॥ করিন্নুংবু ওইগ্রবনো য়েংবদা (ক) লাইয়েক্রা মনাওবু লিক্না লিপুন্দুনা লৈথন্নবা তৌবদা লাইয়েক্তুনা মনাওবু লিচিংখদা লৈপী লৈশো অতুম্ব য়াওনা লিপুন লৈথম্বদা য়াওভমলয়ে ।। হিঃ করিনো ঐদি রাখল লৈনুংদেদা বদাইদগীবু তানগ ফঙবা, কনাদবু হায়শিবনো রাখয়া মথোং য়েংকি খুয়া অহুনা মালেনদা অম্নুম ভক্তুনা নৈহুনা রাথম্নবদা মথম্নাই পানবা মথোঙ মশা পানবা অমা থোরক্লে ।। মশক অচু উবদা লাইমিং-থোইনা রাখম্নে, মশিদি ঐগী পাওশিনবা মশক্তুম ওইরগে, ঐনা লৈথোমবা হোবা মতুংদা লৈবাক্তুনা লৈখিল। মতম অসিদা ঐগী তেংবাংনবা কোয়া শাথোক্রকপমিন্না অমিংবু (কোবী= লৈপী) কৌগে ।। কোবী লৈপী নং মরুগী মফম্নাংদা চত্তুনা নিংশিংলু, মরু নচানা লৈথোঙ্গবদা থোবোইরগে তৌবদা লৈচাক লৈহুনা খুংলৌহুনা লৈউয়ে মালেম্বু (পুক্কুং ভাইথোং লাংলুক মরুমদা) লৈপী লৈথোম্নবা নোংদম্বহুনা পিওগীয়ু লৈমিরকই হায়না পাওদয়া লৈনিরুচংপু ।। লৈপী কোবীনা মরুগীনাক্তা লাক্তুনা হায়ওম্নকপা রাবু পাওশানা লৈনিবদা অশিয়া শিদবনা মালেম লৈচাক চাওনবা পুক্কুং ভাইথোংমুক চাওনা তাথোক্তুনা লৈপিম্নগা শিন্তাক্লে ।। লিপী কোবী লৈপী অশিবু পারি ইচানা লৈরোবদি নংনা লৈকাওবা লৈফম অতুদা তাথোক্তুনা লৈরবী হায়যু, অতুগা লাইমিংবু (লৈবি ভোমশোম্নপক্কা) হায়না ক্ষাহুনা তাথোকউ হায়মু পাওশানা লৈশিম্নহুনা পুরক্লে ।। লিপী কোবীনা লাইমিংথোইগী মনাক য়েৌনবা লৈবীতোমলোন মরিন কাংনা লাক্তুনা লৈপীপা লাইশোনগা পিরক্লে ।। লাইমিংথোইনা মরুনা তাকউম্বীরকপা লাইমিংমু লাইশেনহুনা লৈপীবু ফারগা চাইথাইহুনা অমুক চৌংবা ৯ বু পনশাম্নবা থোহোরে ।। থোয়মু উবদা নোংলোন্দগী লাওব-লাওরহুনা "লাইমিংথোই চরৈ খুংশেং হোংভমথো লৈথোন খুংশেংনাম্নেয়ে, চীংলেন অতুবু লৈবাককী য়াইক্ষনবা লৈবাক পনশাবা লৈহোবা লৈকম্নি মভম তরং হৌনা শেম্বীরম্মু" পাওশানা লাইমিংথোইবু কৌহুনা মালেমদা লেকুমলক্তুনা চরৈ খুংলি খাবাঙ্কিবমদা ভানবা লৈথন ২ নাইনা শেম্না ফিরোন অমা লাইমিং-থোইদা লৈশিম্না পি, মহুদা লাইমিংথোইনা শাওগে কৌহুনা চরৈ হুম্নকপা মাইগোদা মাই হেক থাঙ্গৎলি ।। লাইমিংথোইনা য়েংলকপা মিংথেং উবদা হার লাইমিংথোই ঐ খংই নংবু নংগী ননাক্তা ঐ চংলোই, ঐ হৈবোং লৈমা চরৈক্তিওম্বী হায়বা অতুনি নোংদম্বনা থোয়মু, থোয়েংনা চরৈ নোংদম্মু, নোংদমথিবা অহুনি, ঐ মওম্নু থোরাক্তবনা লৈশাবা চীং অশিগী চিংউথদা লৈথোনবগা লোইনহুনা উরি, রারি নাপীশিংবী হিয়াইনচিংবা লৈথম্না মওম তরংহৌনা শেম্বীনবা চীংজেন অশিগীদমক্তা লাক্কপনে হায়রম্মগা য়াংথ্রে ।। থোয়মু উবদা লাইমিংথোইনা খুংশেং লৈক্তচোন, খুংশেংপু লৈথমহুনা নোংদম্নবা খুংলি ফিরোন থাবা ভানব। লুক্তিনকিবোনবু

হোংহুম্বা মাংদা লাইখন থানা শেংচিল্লে ।। লৈকন্থু (লৈশিল লৈহৌচিং) কৌনা লৈকম অসিদগী লৈথোনবা অমুক থৌহৌরে ।। লৈকন্থু মঙাম তম্নংহৌনা থান অমম্বদা লৈশারক্কনা লৈকমগী চীংশাং নাপোম অকোইবদা সনা, লুপা, কোরি, কোঙৌ থোক্নবা হাপ্পনা (লৈথি ভোনশোন মরিনবু) নোংচুপ ওনবা অমা, অরাং ওনবা অমা, নোংপোক চীংথৈ ক্লাংবা অমা লৈথুম অহুম লৈকাৎ লৈশানা থম্লে ।। লাইমিংথোইনা রাথল্লি — লৈকম অশিবু লৈরোন নোংলোনভুনা লৈক্কাওনা লৈথম্বা মারদম্না রাখন্দুনা চীংশাংবু থোইনা লৈয়েঙ্গে হায়হুনা (কুম্নং-মকুহিং) হায়না লাওবদা মকু কৌবা ইচেক অমা লাক্লে ।। মকু অহুদা তোংহুনা কোইনা রেংবদা থবক্কু থাবা মারনি উহুম্না লৈকম অশিবু লৈঙাক্নবা লাই শালাইলেন ৭ পু সনা হুকং চাংদগী শাথোক্লে ।। লাইমিংবু ১- ভুহিংঙাংক্রুংবা, ২- পাহিংঙাংক্রুংবা, ৩- ভুহিং চিক্নংবা, ৪- ভুকুপলীক্তরিকপা, ৫- ভুখিংতরিকঙাংক্রুংবা, ৬- ভুখিংলিক কুং কুং চিবা, ৭- ভুখিংতরং পুমতম্নংবা লাইবুংথৌ ৭ না থংনা লৈরগা মম্লাইদা লাইমিংথোই (খিংখিং কুমক্রংচুম্মরে) কৌববু লৈথম্লে । লৈকম অশিগী মথক্তা লৈঙম্বা লৈকমদা রংখিংহম্মুমলেং ঙাংনোংলৈঙাংহিং) কৌববু লৈথম্লে ।। লৈকম অশিদা লৈঙাক্কনা ভেংবানবগী নোংদম্লিবা পুম্নমক্কি মপা মপুম্নেব হুকথংবা কুম্নোমগী লৈচুম (মান্দেং খোইবী মপাম্না) তমজরিবা (উংলৈহিংক্ষা লৈফাও- এ কুংনোংলুম) কৌবগী লৈকম খোংলম্বু লৈয়েনবা লৈকন্থু থংনা লৈথম্লগা হুম্বরক্কনা চীংলেন মমিংবু (চীংথৈ লৈশিনচীং) কৌবদগী লাইসিংথোইনা লুক্তুঙ্গী খোংলম্বু লৈয়েংলক্কনা অশিরোই চীংশাং কোং রক্কে শিরোই চীংজাও হাম্নে ।। নোংপোক লমদগী (হুনি, নারো) য়েথাইবা থিঙ্গাইবালাইনা, য়েক্নবনা নোংপোক্কগী (নোংচুপ থোংবু হাংহুনা থোংদরকপা ঙমদনম্না (নোংপোক নোংলেন চীং) গী লৈক্কমদা লৈবিক্তোমশোন অহুম লৈফাৎ লৈথম্লে, চীংদোন্দা অমোমপা—অমোমগী লৈখুম্মি ।। ময়াইথংবা লৈখুম্না (কংলৈ পুংমাইয়োন সনা শংলেন য়ুমজাও) গা ওকপঙ্গা লাকশঙ্গা, খুৎলাইভাঙ্গা, (খুৎলাই) রাংথৈতাওগা, (রাংথৈ) য়াংথৈতাওগা, (য়াইখুলি) খাই-রোইভাগা (খাই) ভুরে ভুথুপ ভুখোং ৯ বু লৈফাওনবা শেম্লে ।। অরাং থংবা লৈখুম্না ময়াই তমদোংপালদগী লৈবাক লৈপাক পুম্বু কোইনা খুংনা লৈক্কাওনবা শেম্লে ।। নথা থংবা লৈখুন্দা (শল লোইভাং, খুৎলাইভাং, ইরমপুরেনপুং) বু লৈকাওনা শেম্লে ।। অহুম অশিনা পাওশা পাওদাক পাওজেলবু লৈখংনবা মঙম্বু লৈহাপ লৈথম্লে ।। মমিংবু (অরাং কাইনৌ চীংথৈ চীং-থৈলমগী ভেংবানবগী লৈয়োম্নলেগী শিম্বরক্কনা লৈশাবা ইরোং অহুম লৈক্কাৎপা নোংপোক লৈহৌচীং থাকৌনা লাইমিংবু (ভুখিংথহিং ঙাং তকংবা) লৈহম্লে ।। থোংমাইরগে মাখন্দুনা অরাংপাংনা ইথোং অমা ইচেম্বা ইঙিংমক ইরোং অহুম ক্ষাংবা ক্ষাক্ষনা ময়াইদা (থৌহু অপাকপা)= মুংজাঁও অপাকপম অমমা মেন্দুনা লৈথম্লে ।। লৈকম মাংপা হেক লোইবদা নোংপোক লৈহৌ

চীঙ্গা ফাইবোক্তৃয়া শেম্বগুয়া (ন, চ, থ, ই, ঙ, আ) লাইয়েক ৬ না নাওয়োয়হুনা লৈপী অমত্ত ইনখৎলক্লে ॥ লৈপী অশিবু উবদা লাইমিংথোইনা লৈপী অহুগী মমিংবু (চীংথাং) কৌয়, মচুনা (নোঙ্গী মচু মাল্লি), চীংলেন নোংপোক লৈহৌ চীঙ্গা, চীংথাঙ্গা অনিবু মিকু থানা লাইমিংবু লৈপুবক্তৃনা (নোংহুম পুং মমাং থাওয়োইপুং) য়ৌনা পুবরুগা চীংথাবু (হুংঙু-রোং, লেংঙাংতঙাং) লৈঙাক কৌহুনা (মুংপোকপীদা) থয়ে ॥ নোংপোক লৈহৌ চীংবু লাইমিং মেরুববু (তিঙ্কহুংরোং) লৈতুয়া (শুমশঙপুঙ্গী মনাক্তা থয়ে ॥ অহুগা অমুক 'নংয়েক্তহুনা (নোংহুমপুংদগী) শত্তোক্তৃনা নোংলেন পুং হায়বা অমা শেয়ে ॥ নোংপোক লৈহৌ চীঙ্গী (চুক) ওইনা থমলে ॥ পুঙশিগী মথক্তা (কাপ্তৃ হুইথারে) ॥ নোংথৌ ফলাং থঙনা ফারে ॥ পুঙ্গী মখোঙদা হুই হিংচাবা - ১, শনহিংচাবা-১, মেলাংভোং হিংচাবা- ১গা অহুম শাথোরক্লে, হা ! অশিদি কারিনো মশিদি লুহুং বাবু পাওশানা শাথোকইদা অঙুদি মাংহনবাদ য়ারোইদৌরিবোইয়ে৷ মশিদি (মি, মরু মরু হিংপুচিলেম মিহিংচি) কৌবা অহুনিদনা হায়হুনা মফম অশিদগী লেংকদে হায়হুনা মুংপাক অহুমা মখোঙদা নম্বথহনা থমলে ॥ মুংদি মঙানি মখা মাইগেদা থোংবু থিংহুনা লৈথয়ে ॥ নোংলেন চীংবু মিকু চিংমবা (শঙ্গাহরেনপুঙ) হাববা অমগা কংলৈদা শেমহুনা য়াৎলে ॥ লৈকম অশিগী লৈচং ওইনবা (লুনাপান) হায়না লৈকয় অনবু য়াঙ্তৃনা লৈথয়গা, নোংপোক লৈহৌ চীং মঙান মতিক মঙম্মু অবং হেৌনা মশাময়োং ৯ ফাংনা লৈশাববু মিকু থানবা লাইমিংবু ঙাংক্রুংবা লৈহুয়া লৈথয়গা অমুক হনঙয়ক্তৃনা নোংপোক পনশা নোংচুপ থোংথি লৈরোইবা (চীংথৈ ফিহুপ অহুম) মিক্তয়া চীং ১ অমুক শয়থহুনা লৈথয়ে ॥ নোংপোক চীংথৈয়োম মুবা লোক্লৌকোম সনাচীং মত্তোন্দা সনাগী শঙ্গাং ইবু লৈশানা লাইগী লাইশঙ ২ বু লৈশা লৈথয়ে ॥ মনাক্তা ঈশাইকু অমা লৈত্তৌহুনা লৈথয়ে ॥ ঈশাইফুগী মনাক্তা থোহু মুঙ্গী মশক্তা খুদা অহুমু থাহুনা খুদা অমদা চীংথৈ মরু হায়না শাথোক্তৃনা লাইমিংবু (মিরুহিংপুরৈচী) লৈহুয়া ফয়ে ॥ খুদা অমদা (চেংচানিংথৌবা) হায়না শাথোক্তৃনা লাইমিংবু (ফোরুচি) লৈহুয়া ফয়ে ॥ খুদা অমদা নোংপোক অচিবনি লাইমিংবু (পিংপিং হোচি) হায়না লৈহুয়ে ॥ শঙ্গাইগী মনাক্তা (শেনগী লাইশঙ অমবু অমুক লৈশায়ে, মনাক্তা মুঙ ৯ না খুনেংথাবা থমহুনা পুন্সি লৈনি লাইমিং থানা লৈহায়ে ॥ অমনা (হোক্লেং), অমনা (অহুচি), অমনা (সনিক), অমনা (হোবোচি), অমনা (থহুচি), (মহোচি (, অমনা (ংহোচি), অমনা (রংহোচি), অমনা (মনিক) কৌরে ॥ মাপনমকপু (সয়োহিং, মহুহি, সিংহসম্বি) হায়না লৈকাহুনা থয়ে ॥ মনাক্তা (শল) অমা থয়ে ॥ অদগী মনাক্তা (ম্না) থোকপা কোম অমা লৈত্তৌহুনা থয়ে ॥ মনাক্তা ম্না মচু মানবা মুঙ অমা থায়ে ॥ মুঙ্গী মঙম (ম্লাপোকপা) মমপৃ লৈহাপ্তৃনা থয়ে ॥ মপুয়েন্দি লাইমিংথোই

চিংথৈমরু অচিবনি, মণক্তি (স) লাইয়েক্কি লাইমিংবু (মিহিং, য়োহিং) কৌয়ে ।। উংসোঙ হাই হাই, ওমংনিং-রিং-রি সং-নৈ-তে-ওয়া) হাইনা শাথোক্লুনা লৈশিম্নতুমা লৈথম্বা হৌরগা অমুক মমাই মথা পাংনা নোংলেন লৈহৌ চীংদা লৈথমগদবা করি করাবু য়াংলিগবা য়াখদুনা লৈক্ষম অতুদগী খোংশংলক্লে ।।x

কোঙ্গন তুম্থোকপনা মিংলুরেম্বীবু য়েংদুনা লৈরম্বদগী পাওশানবা

নোংথৌ পাংমদা নোংথাং লৈমা মিংলুরেম্বীবু উবদা মপুক য়াখন অতক অঙাংতুনা ঙককচানদুনা লৈবদগী কোঙ্গন তুম্থোকপনা হায়মক্লে ।। "শুনতরঙ্গী মথকতা মৈরা মৈরি মশাক-কুম্না ঙাম্না শানা লৈরিবী নংবু পাইম্না ঐনা মুংজংবী লিয়াং থোক্লদবীবু থোক্লরে, পেম্মা নংবু কমানো" ? হোত্তদা নহাবা, লৈতু মরুম থোত্তোপ্পা, লৈরাই মরুমদা থোইগাইবা, লৈতুমহুম্না পাওশবা, ইপনগী পুম্লাং কাইরেদো, পুম্লাং লোইয়োই কাইবনু শিংবিরোই হায়দরা ? নানা শিংবিরোই হায়রগা ইপাথোইদা। ঙাকনি শিংলমলাওদা হোইদা নহাবা । ঐদি পেংম্মানদা হুক্লেনা, লৈপাকশঙদা লৈবী কোর্কান কম্বাম্লাংবী, মনম্ন মুংশা য়াইবী চোমগী কাইত্তোইশিদবু হুনবনি হুনবনি ।। হে পেম্মা লিংথিবীও থিংথিং লৌজশে পামনা পোইনা লৌজশে ।। 'হে ইবুং নহাব-ও য়ায়েৌদগী শঙাইনা মচি কেক্রে থোকতরি, লমহাংদগী কাকফৈনা মনা হুমাই শাদরি, তোম্মমদগী ঙমুনা থোইজু তোলোক চিন্দরি, কোনবগী ঙাথানা চেঙ্গোই কবাকলাকত্তরি য়াখোক মপানশাদরি, শুক্লা মহৈ য়ান্দরি, কুমশি মপান শারগা নোংমৈ মহৈ য়াম্লগা লৌজ-রো" ।। পাওশায়গা মাংগ্রে ।। মশক উরিউৈদদি থোকাওরম্মি, হী ! করিনো ঐবু তৌঙম-লম্মিবা অসিদে, ঐবু কনানা তুংবুন লিকানরম্মিবা লাকচৈদা হায়না শাওগ্নকতুনা নিংশাবু মাইগে মরি লৈশিন্না ফুইনা কুইনা লৈকামলক্লে ।। নিংশাগী ইহুন অতুদগী মৈ হৌরকতুনা অকি তুজুং ঙানক্কংনা মাইগৈ মরিদা মৈহৌরকতুনা মৈঙাস্তনা অকি তুজুংনা নোংথৌ পাংনা মাইগৈ মরি হায়গংনা চাকথংলক্লে ।। থৌরম্বু উবদা লাইমিংথোইনা থংলহুনা থোংকাপ মারাই কম্না লাকত্তুনা মনাওগী নাকতা চংশিল্লকতনা মনাওবু পেম নৌনা লৈথামমৈয়ে ।। ইশানৌ কোন্দে ঙনৌবা করিবু মুংবু অতুক থোইশাওবা নঙ্গী য়াইক্ষংনবগীদমকতা লৈকম থুদিংবু লৈথি লৈয়েংনা পুং থুদিংবু শেম্বাথোনবা ঙাকতনি, নং ঐনা নোংদম থোপুবা অসিবু লৈমাং লৈমুং-হুম্লগা কবি কমদৌনগে য়াখনবা ? লৈমাংথিবনা লৈহানঙ্গনি নঙ্গী নিংশাদো হুজিলু । ময়া-মনা লৌথাম্ববু য়াদতুনা অহোইশনা মৈচাকলক্লে, লাইমিংথোইনা হায়ম্লে ঐনা লৌথাম্ববুজংনা কবি হুঙ্গী য়াওরদবা, নংবু লাওবা য়াখন থৌলিংজত্রিবা ইনাওনিদো হায়তুনা থেম্নো লৌথাম্ববনি,

ইশানৌ নঙ্গী নওম্নদি মৈহৌরগা ময়াম্বা ঐনা নঙ্গী মৈহৌলোনবু মৈমুৎ মৈথম্বদি থৌওমলোইবু য়াথংবোইনা ইনাওদি, ইশানৌ কোঙন তুংখাকপা নপুক থোইনা কপ্পাও হুন্না খোইয়াং খোইশাওবা তৌওমহ্ন ইনাওগী নিংশাগী নওম্না মৈবাক্তি চিরা শুংদাই মরিবু মৈথুং মৈহৌবা নংনা মৈমুংলু য়াদ্রবগু ইয়াম্বনা ইশানৌ নঙ্গী নওম্নু তেংবাং থৌওম ওইওম্না মৈহৌ মৈফুংনও বীগে ।। লাইমিংথোইনা মনাওদা পাওদাক্লমগা ঈহৌলোন ৯ বু ওংলক্রে, (উংচিরি, উংচিখোম, উংচিবাক, উংচিরিং, উংচিংক, উংচিসো, উংচিম্না, উংচিথা, উংচিথুম) ইয়োল ইহৌ ৯ বু ওক্রুং ওরুং হেক্তা ওংহুনা নোংলোন পাংনা নিংশা ফুইনা লিকায়া মাইগৈ মরিবু লিফানা হেক্তা য়েংলকপদা (নোংখোং নিক্লে নোংখোং লাওয়ে) অপলবা লৈতনা নোংলোন্দগী নোঙ্গী ঈশিংবু অকি তুজং তানফংনা তাওয়ে ।। লাইমিংথোইগী মওম্নু উবদা অতিযা মরু শিদবা লৈশিরেন লৈপুনবী অনিনা মচাবু পারি লাইমিংথোই নোংখান্নো লৈবাকপু ইথুম ইরাক্তা মাংওনি নপা ঐবু লৈফম লৈতরে হায়না পাওশানা চেনক্কনা লাইমিংথোইবু মরুঅনিনা লোখায়ে ।। মরুগী লোখাম য়াবু তাবদা লাইমিংথোইনা মব অমিবু পুরুম্না থৌনিরম্মগা মশানৌ কোঙন তুখোকপদা হায়রে— "ইশানৌ নঙ্গী নওম্নু উবদা মরু অনিবু থাংওম লৈওমদহুনা নফমাংদা লাক্লেদো। মরুবু লৈপাই নওম্নো পাওশানা মনাওগী থুংচেং পাম্রোই লাক্তা পায়হুনা লিপুন লিফাবা লাইয়েকপু লৈহাংহুনা মালেমদা মৈহৌবা অসিবু কোরৌ অসিদগী লৈকম অসিদগী মৈহৌ লৈহৌথি পোইরে চারোন শুরোম্না থৌকাওজনা থংওম্নবা ইশানৌ নংবু লাইমিং (অপাম্বা) মিংহুন্না মালেম অসিদা মৈফু লৈশেম্না। থাম্বী মৈশেং মৈরিংহনা মৈমুত্তনা মরুনা লৈয়াংখিবা কৈদোম মরিবু লৈচুপ্পা শাথোক কম্বাল্লাংনা লৈওম্নবা তৌওমলম্মু ।। কোরৌ অসিবু মৈহৌহুনা মালেম শিন্না চাক্লম্বা নওাল কোয়ৌ থক্তা লৈকাবদে। নোংলোনগী লৈচিন্দা তিন্দুনা কৈদোম মরিবু লৈচুপ্পা লৈশন্ন, করি করিগুম্বদা শাথোকপদা লাইমিংবু (মাইগৈ চাকপা) হায়না লৈথংনবা ওইনশি। থাম্বী মাগী মচু মওান ৭ পু নোংখো লৈচিন্দা তিনু থানা কোরৌ অসিদগী নয়াম্বা ঐনা লৈথমজগে ।। ময়াম্বগী নোংদবু তানফংবনা মশানৌ কোপ্পল্লাংবনা মহাক্তি মহাক ওইবা অমা শাথোক লৈথমজগে হায়না লাইমিংথোইদা থৌনিজহুবা লাইবুখৌ অমা মহাক্তগী শাথোক্কনা মহাক্তি মহাকমক ওইনা লৈকমহুনা মনিংবু (অপাম্বা = পনমমিংথোই) লৈহম্না মৈফু মৈরিংবা লৈগৌ লৈকমহুনা মৈহৌনা লৈহৌরে । মৈহৌরোনবু — ১ — উং মৈমুৎশং ।। ২ - উং মৈওরংওাং ।। ৩ - উং মৈওাংতুহিং ।। ৪ - উং মৈওানতুওান ।। ৫ - উং মৈসংতরেং ।। ৬ - উং মৈকেমুবী ।। ৭ - উং মৈহিংসন ।। ৮ - উং মৈমিৎতরং ।। ৯ - উং মৈসংম্নুবাক মৈশেং ৯ না মৈহৌনরে ।

মরু অনিনা হায়রে, লাইমিংথোই কোন্দে ভনৌবা অপাম্ববুদি নোংদম্বীরে, পারি ইচানা লৈবাক্কী ম্ভুংঙাই য়াইক্কা নোংদম্বীগে হায়বগী লৈথোন লৈহৌবা লৈকম অসিদা নপা ঐগীগু কম্বাল লৈকম অমগুদি নোংখাই নোংদম্বীগু পারি ইচানা নমা ঐগবু লাথুপ শাথোক লৈভম্না লৈঙমজগে ।। লাইমিংথোইনা মরুগী থোদা থোপুনা নচাদি শিনগু লৈগুবতনি নত্তিক নঙম্ব থিঙাক্তনি নচাগী নঙম করিবু লৈহুনা মরুগী কম্বী লৈহুম্বা ইচাক ইরন লৈজদে লৈবা থিবিক পলেম পম্হৌগী ঙাক্তনি মরুগী খোইজং লৈতাবা কম্বি লৈফম পুম্সদা ম্না কম্বাল লাংবিরগা ভুংইন থোগনবু ওইজনা পলেম পম্হৌ অনিগী নচানা থোগন তানফংবা নফম লাংদা লৈজগে পরম অসিবু তানফংবা কুবি নোংখাই নোংদম্ব নচা ঐনা নফম্নাংদা নিজহৌগে মরুগী ম্না কম্বাল ঙাক্তনি ।। পারি লাইমিংথোই নোংদম্বদি (ম্নুমিং, থা, থরাইপীচানা ফংদবা, অরিংবা অশাবনা য়োদবা) থরাই য়াইবীত্তনা তানফং লৈচংকম ওইগ্রবা (উংমরি, শিমরি, য়াইমরি) হায়বা লৈকমদা পুম্নমককী থোয়েংফম্বাল্লাংনা থোয়াবা মহাক্তগী ঐহাক ওইবনা নোংদম্বনি ।। নোংদম্ব থোদা লৈশিনবনা নপা ঐনা লৈশিনজবনি মপু মাগী নোংদম্ব থোরম্ব থোশক জোপ্পনা নমা লৈশিরেন লৈপুনবীনা মওং মশকপু লেপ্পনি, থোঙম থোপু শিঙ্গবদি পারি নংভনা শিনগুবনি অহুম্নুঙ্গীদমক্কা নফমলাংদা নপা ঐনা লৈনিবনি ।। নঙম্নু উনদা নপা ঐনা পারি ইচাবু থাকৌনা লৈথাম্ববু লৈহৌচীংদা লাকপদগী মপা মচা অনিবু থানবা লৈভনা কমলেন কম্বী শেমহুনা লৈমিম্নখি চাদোন গুদোম্না থংনবা নপা ঐগী কম্বী লৈকম্নু নোংদম্না শেমলো, পারি নংগু নপা ঐনা থা কৌ লৈথিম্নঙমখিদো থংনবা নমিংবু (নোংপোক কৌক্র অচিবা) মিংহুম্না ইফমলাংদা লৈভম্বা পারি নংবু তানফলো ।। মরুগী থোদাবু থোপুনা লাইমিংথোইনা চৌংথক্কা থোহু = ভুং ময়াম্নু লৈহাপ লৈথম্নহুনা লৈথমলগা, অত্তিয়া শিদবগী কম্বী লৈকম লৈহুম্লে ।। চৌংবা পনশা লৈহৌনবা লৈথিবদা মরুগা মমা লৈশিরেনগনা মালেমগা থোহুগা লৈতিন লৈপিনৈ লৈথংনবা মরু অত্তিয়াবু (ম্নুংকাংমহারাবা), লৈশিরেনবু ম্নুংমুহুমদা মাংদবী = তাওবীরোইলাই মিংহুম্না শাথোক কম্বাল্লাংনা য়াহিপ চাকচা লৈতম্না লৈঙমলে ।। য়াহিপ চাকচা তম্বদা (ঈশিংওমথি) গা (মৈশনুবী) গা শাথোক শাফোংলে ।। ঈশিং ওমও থিগী লাইমিংবু (পুংথোং) লৈহুম্লে ।। মচুমঙানবু (হিগোক লোইয়াম্বা) মচু মঙানবু নোংদম্না লৈথোম্নবদা মপারি কৌক্র অচিবা লাইমিংথোইনা মালেমদা থুহুপ ৩ গা কাপ ১ লুনা লৈভৌভুনা ঈশাইফু লৈশেম্না ঈশিংওমথিবু লৈথমলে লৈফম অহুদা ।। ঈশাইযুবু মৈশম্নবীনা লৈশং লৈকমলে ।। অসিদগী হৌনা ঈশাইথোং (৩) লৈথম্বা হৌরে ।। লাইমিংবু (কোংঙাথোং পাং, মুম্নাপাং, নোংদমপাং) হায়না লৈথম্ন । অহুদগী ঈশিং ইঙৌবা থোং (৩০)

লৈফাংনবা হুঙৌবা থেং মরু অমগা শেমদুনা লাইমিংবু (ওমনোংথি – ঈশিং ওমনোংথি) মিংহুন্না শেমদুনা লৈথম্বা হৌরে ।। মতুংদা (লম লমপু) হায়না লাইগী থুবম অমা শেমদুনা মুং অমনা নন্দুনা লৈথম্লে ।। লৈকম অসিদা লাইমিংথোইনা ভেংবানবগী মপুগী মিয়েন শিদববু) লৈফা লৈথমদুনা (লৈকম থাগোম্নবা) লৈফম্বা থোহৌরে ।। লৈকম অমা অমুক (অমম লৈশালোক) মিংহুন্না অমত্তু শেম্লে ।। লৈকম অদুদা মুংমশক ৯ থোক্লা থাদুনা মুংকাংমহারাবগী লাইকোনবু শেমদুনা মালেমদগী লৈহৌরকপা লাংনা, উনা, ৱানা, উরিনা মথক্কা কুপ্তুনা (শম্লাং হামুল মথক্কা উরিশেক শমজিন থেংপগুম্না কুপ্তুনা লৈথমলে ।। উরিশেক থেংপগুম্না লৈরিবা হামুল অদুবু লাইমিংথোই কৌব্রু অচিবগী খোইরিলিনশাংবু শাথোক্তুনা য়েত্তুনা থম্লে । খোইরিলিনশাঙ্গীলাইমিংদি (রূপা রাক ম্লোমশং) কৌয়ে ।। নঙ্গী নশক ওইবা অদুবু মখুৎনা উরিশেকি মশক তোংবু পাম্মদুনা শুদুনা নোংপোক কৌব্রু অচিবনা কোন্দুনা লৈরে ।। লাইকমগী লাইমিংবু (শমচুরোক) = শল্তুরোক মিংহুন্না লৈথম্লে ।। মফম অসিদা তারিবা ঈশিঙ্গী মচুনা (উতি চুম্বদা তারিনা ঈশিঙ্গী মচুগুম্মি) ঈশিং অশিবু হাওচক ইথিংবু লৈকাৎলরবদা ঈত্তা ইফাওনবা লৈম্নুংদা ইকাৎ লৈথম্লা শেম্লে ।। হাওতক লৈযম অসিবু য়েনা ঈশিং অত্তনা তাবদা লৈবাক্কি অৱাবা খোইশাওবা, লৈবাক ইরাং হোৌহনবা, মতিক মঙান চাওবা অঙম্বা অথোবা তুংদা লৈগদবা তাইবংশিংবু পুন্সি মুংশাংলোই হায়বগী খুথিনবু থংনবা ওইনা মমিংবু (লিক্লা শেংরেন ঈপুবা) কৌরে ।। মেরুবা মমিং (তক তক কক হিং তিং) লৈহুন্না থম্লে ।। লৈকম অশিদগী লাইমিংথোই কৌব্রু অচিবগী মশক তোংবু শাথোক লৈথম্না পরম থোরম্বু লুত্তুং য়েংনা লৈশিন নোংদল্লগা নোংপোক লৈহো চীংবু চিংদোন অৱাংবা লোম্না কাথৎলে ।। চীংদোন্দগী অৱাং পাংনা (লোক অমা) শেম্লে ।। মপান অকোইবা থুংনা মালেমদগী উরি বারী নাপী শিংবী পুথোক্তুনা হোৌহল্লে ।। অদুগী মতুংদা লাইমিংথোইনা (মাগী তু চেন্দবা) কৌববু ফুক্তুনা শিদবা হিদাক অশিবা হায়বা মশকপু তানফলবদা থৱাইবু ফাদুনা লৈহাপ্তুনা অহিংবা হায়বা মশকপু ওইহনবা ঙম্বা হিদাক মপান ৬পু মালেমদা থারে ।। মমিংবু (তুংহিং থোম্বীমা কৌরে ।। মউবু ঙাংহল্লি, মরানা কৌহল্লে, মপানবু শংনা শাৎহল্লে, মহৈবু মুনা য়াৎলহল্লে ।। মনাবু থুংনাওবীমুক পাক্লা শাংনা মচুবু ৱাওথাংনহল্লে ।। লৈথিবনা থিঙম্লগা থংজশনু নোংদন্না মপাম্বীবু (মালেমদগী খুদুপ (৩) রাংনা চিংথত্তুনা হোৌহল্লগা নাপী লাং চরোং উশা রাশানা মনা মশা হায়থনা থন্দুনা য়োমদুনা থংবদা রাওম্লনা পরম্বু থংনা লৈথিরগা তানফংজবা ওইনবা লৈথমলে ।। চীংগোই লাই অমত্ত শাথোম্লে, লাই অসিবু লাইমিংথোইনা ফাদুনা মুংনা নন্দুনা থম্লে, মহাক্কি (মিমুংলেন) কৌবা লাইনি ।। চীংথক্কা

লাইমিংথোইনা। মাগী খুবম্ না শেমদুনা লাইমিংবু (হিংম্না মিয়েন খোম্বা) লৈরম্না লাইমিং-থোইগী মশক অমা খুদম থারে। লাইমিংথোইগী থৌরাংবু উবদা লাইরেম্বী হুমুমুতুমদবী তাওবীরোলাইরেম্বীনা লাইরেম্বী (৩) বু শাথোক্লগদুনা লাইমিংবু (মিহিংলেন মিথুম্নু) লৈহুম্না চীংমাইদা থম্লে ॥ মমাগী থৌরম্বু উবদা হৗঃ মসিদা ঐ লৈবা য়াদ্রেনা ইমানা ঐবু থৌরোইরো নোংদনলক্লেনা লাইমুরাবীবু শাথোক লৈথম্বকপা অসিনদি থদ্দুনা লৈকম অদুদগী কৌদ পুংমাইয়োন তানা খোঙ্গারক্লুনা (নোংহুমশঙ) গী চীংথাংবু কৌদুনা চি-থৈগী চুক ওইনা থাদুনা ফারে ॥ পুং অসিবু চুক থারিঙৈদা চীংখোংদা (ওক্লাই অমগা), শম্লাই অমগা, কৈ লাই অমগা শাথোরক্লুনা লৈরমলে ॥ হৗঃ করিনো মসিদি লৈফা লৈ-থমদবা য়াদেনা মথোই অসিনা শাথোক্লকবদি লৈবাক্তি অরাবনিনা হায়দুনা থোত্ত হুং ৭ পু লোক্লদুনা লাইগী মমিংবু (সবোহোংসম্বাচি) মিংহুম্না হুংদুনা নন্দুনা নমথরে ॥ মতুদগী নোংথোথোংবু থিংলে, (লৈবাক করোঙ্গ, নোংথৌ করোঙ্গ) অনিবু লাম্নদনা য়ুংদুনা থম্লে ॥ চীংথোংদা কোম অমগা লৈত্তৌদুনা থম্লে, মমিংবু (লাইপাং = লাইরেনপাং) মিংহুম্না লৈপাক পিবদু পুন্সি হুংশাং লৈপিবা, লৈপাকপু মাংহন তাহনবা নোংদম্বু মতান লৈহাপ্তুনা লৈথম্ম ॥ চীংলেন মকোনপু নোংপোক পাংনা শেম্লে ॥ চীংদোন্দা নোংথোংপিদুনা লৈপাকপাবে ॥ লৈকম অদুদা নোংথৌকরোং লৈপাক করোংবু য়ুংনা লাম্নদনা থম্লগা মরাইদা (কাপতু কাপলেন) থারে ॥ হুমুতুমদবীনা উৎমলে—চাংলেনগী মগুম্বু লৈহাম্লদুনা খুবম্ লৈথম্বা লোইঙমগববু লোই-ঙমহল্লগে হায়দুনা মহাক্কী মহাক ওইবী লাইমুরা ১ শথোক হন্দনা মমিংবু পান্থোইবী মিংহুম্না লৈকম অদুদা থারক্লে । মশক্তি, (শক্তিবীনি) ॥ মশক অসিবু শাথোকপা হেকউবদা উম লৈক্কম অসিদা ঐহাক্লা হুংশাংনা লৈগুবা য়াদ্রেদনা হায়দুনা মক্কম অদুদা (থিম্নীথলোং) লৈ-থারগা, মনাক্তা (লাইকোম অমা শেমদুনা থম্লগা খোংশাল্লগে হেক তৌবদা লাইরেম্বী অদুনা মাবা য়োংকি চৈগু পায়রকপবু লাইকোম অদুদা লৈথাদুনা চৈগুবু লৈথম্মি থৌরম্নু উবদা হৗঃ করিবু মতৌনো মশিনা শাথোক তৌইরবদি লৈবাক অরাবা তোইনা তাম্লেংবা ওইদৌরি-দনা হায়দুনা লাইরেম্বীবু (লাংম্না মিহিংনপ) লৈহুম্না লৈক্ক। লৈথমলগা লাক্লে ॥ লাইমিং থোইনা হনউবলক্লনা মৈহৌ মৈশংফমদা লাক্লনা মনাওবু ইশানৌ কোন্দে তনৌবা ওক্লে থাম্বী মৈহৌ মৈশংবা য়াম্বনা নঙম য়েংঙ্গে তৌবনি, করিমুঙ্গীবু ইনাওনা মৈয়াং মৈশংদুনা লৈগদগে ইনাওগী থৌরম পুম্বগী থৌয়েঙ্গদবা থোপুরেন ওইগদবা ইনাওনি, নঙ্গীদমক তাক্তনি পুন্নমক চংলশি লাও নোংদমথোদাবু থৌউম্নবা য়াম্বনা নোংপোক পনশানা (নোংচুপথো) লৈথিংবা লোইয়ে নোংপোক লৈহৌদগী অরাংবু উরান্দনা অরাং পনশানা খাথোং থিংনবা তৌরশি ॥ হা কোঞ্জন লাংবা মরাম্নঙ্গী য়াথংবু তানক্ষংলবদা মহাক্তি মহাক ওইনা শাথোকপা (নোংপোক

অপাম্বগী) লৈকম্বদা মতিক মঙম লৈবা থিবিকপু শিন্নহুনা চক কৈদোন ৪ বু লৈখৎইরক্ল-বদগী হৌনা কৈদোম ৪ বু লৈচুপ্পা লৈক্ফম অসিদো নঙ্গ লৈকম কম্বান ওইনা কোরৌ অসিদগী হৌনা লৈকম্নহুনা খাম্বী মৈশেং মৈন্নাবু মৈরৌ মৈহৌফম লৈফম ওইনা লৈঙাক্ল-না। মৈলিং থৌম্লেং পুংমলো। য়াম্বগী য়াথংবু থৌঙম থৌপু নংনা ঐনা য়াম্বগী হৈনা থৌখন-গানক্ফ জনা ওইঙম্না হৈনা তুংইনমরগে। পাওখা লৈশিন্না মাগী মশক্তি মহাকপু লৈথমলম-হুনা মচিন মনাওবু নোংপোক লৈহৌচীংদগী অরাং উয়ানলক্লনা পল লৈকম লৈযেংলক্লে ।। মচা অনিনা অরাং পাংনা থোংশানথ্রনদা মরু অনিবু মাগী মাগী কম্বাল লৈফম খুদিংদা শাথোক নাইর লাপপ থাদ্নখিবা মশকপু লৈথম্নগা মরু অনিগু হুনঙম্নক্লনা হৌক লৈ লম্ম হনবা ক লৈন্না পুংমাইয়োন্দা লৈঙম্নে ।।

২

অন্নাংদা চিংখা ৯ পনশানা, খা থোংবু লৈথিং লৈঙাকপা

লাইমিংথোইগা মশানৌ কোন্দে তনৌবা কোঞ্জনতুথোকপগা অনিনা অরাং পনশা পঙ্খিং-নবা লৈরৌক্ষম্নু লৈথিবদা ঙানফংদরে । লাইমিংথোইসনা পুক্লিং য়াঙম্লে, ঐবু করি কমদৌ-শিবনো নোংদম থৌদদি থৌঙম্নবা থৌপুনি থৌয়ারকই অত্রবু মাংলবু লৈরৌনবা লৈপদি লৈ-থিবগু ঙানফংদে ঐবু করি কমদৌশিবনো হায়হুনা মুংশুক মুংজা মুংসংনহনা রাখল চৌঙম-লম্বদগী অতিম্না মরু শিদবনা তাকপিখিবা য়াহু নিংশিংলক্লে ।। নোংদম্বদি (উংলোয়াইবির-রেন শিদবনি) থৌশিনবনা ঐহাক্লি, থৌঙম থৌপুবনা নহাক্লি হায়বিখি অহুনদি উংলো-য়াইবিরেন শিদবদা লৈনিদরবদি থৌরম্নু থৌঙম্বা ঙমদবা ওরে রাখলক্লনা লাইমিংথোইনা লাইনিং কম্বাল লাংঙম্না উংলো য়াইবিরেনশিদববু থাগোলহুনা পুকম লৈপাই মৈহৌনা ইরাং থৌনি লৈহুনববু থৌহৌরক্লে ।। মৈহৌরোন ৯ বু ঙংহুনা খাম্বী মৈশেং মৈহৌরে ।। লাই-মিংলাইশোলনা থাগোলে খুৎশা তরাগী তাংকক ইযেক্লা শিংখা শিংহাপ শিঙ্গনহুনা থাকৌ থৌনিরে ।। তেংবানবগী মউ মপা নোংদম্বা উংলোয়াইবিরেনশিদম্বা ওরা ।। ম্না অহিংবা কোক্লেন শাংপা ওরা । মহা মহিক থোম্বা ওরা ।। তরেং তম্নেং সনাচিক তম্নেং থোম্বা ওরা ।। পাথংয়োই তরেং থোম্বা ওরা ।। মিতোংলেন সনামনিক ওবা ।। সনা লৈক্লেং থোম্বা ওরা ।। কুং শং কুং ওরা ।। উংলৈহিংকা লৈকাওয়ে কুংনোংলুম ওরা ।। হুয়ম হুয়ম হুয়ম ।।

লাইমিংথোইগী থাগোন মিংহুন শিংথাশিংহাপ থাকৌ অসিদা নোংদম্বু লৈঙম্বা য়াদহুনা

নোংলোন্দগী লৈখারোন্দা মতাক্কী মতাকমক ওইবা অমা শাথোক লৈথমহন্দুনা ঈশিংতরঙ্গী মখাদা খুদা অমা লৈথা ৈ. কন্না লৈপিগা কুবিহুনা। (কুরু তিক্তা কুরুং) হায়না মশক অমগা শাথোকহন্দুনা মশক অত্তুগী মথক্তা ক্রমহুনা লৈথদ্রে ।। অতিয়া শিদবগু মপারি লাইমিংথোইনা তেংবানবগী নোংদম্বা মপুরেন উংলোয়াইবিরেন শিদববু তাকগুমথিবা পরম্মৈ থোকাওন্দনা থৌবম্মু থোহৌবা ওইনা মপুরেনবু লৈপাইনা লৈনিজবহু উরক্লহুনা মচাগী থৌওম তেংবাংবিগে বাথন্দুনা লৈখারোন ইম্মুংবুংদা কুমথখিহুনা ঈশিঙ্গী লৈখাদা করি করাবু লৈবগে লৈথিরক্লে ।। নোংদম্বনা থেঙ্গুগী মথক্তা তোংহুনা ঈশিঙ্গী মথাদা লৈবা মশকপু উরে। হীঃ করিনো নোংদম্বা মরুদি লৈখারোন্দবু লৈরম্লেনা, নোংলোন্দা লৈকম্বনি হায়ববু লৈকম অসিদা কদৌয়ম্বা ওইগবা হায়হুনা নোল্লুক্না মরুগী নাক্তা চংশিল্লক্লুনা লৈপায়না। লৈওম-লক্লে ।। নোংদম্বনা হায়যে—"অতিয়াশিদবা নংবু লৈকম অসিদ কদৌবা লাকপা"? "মরু তেংবানবা অশিবু ইংগাল লৈশানবা নোংদম্বা মপুবেন্দি মরুনি, মালেমগী মপুশু মরুনি, লৈ-থোম্নবা লৈচাক লৈরৌনবা লৈতবনা লাইমিংথোই নচানা নোংদম পোপু থৌওম্বদা কুংবংন-বা ওইওমলে, লৈম্বাং লৈমুত্তবা লৈপী অমতা পিনো হায়হুনা নফম্নাবু লৈথিনা নকাফমদা লাকচরি" ।। অতিয়া নংনা লৈপাক পীয়ু হায়বা অসিদা ঐনা পীগদবা লৈপাক অসিদো অসিমগুইরে ।। মহুদি নখুৎ অনি অত্তু নতুংলোমদা থম্মগা ঐগী খেইদো অসিদগী (পুক্নং গুইখোংলংলুক) মরুম লৈখিও = লৌখোও তাক্লে ।। অতিয়াশিদবনা মখুৎ অনিবু মতুং-লোমদা থম্মগা ময়ানা চীক্লুনা (পুক্নং গুইথোং লাংলুক মকম) চাওনা লৌখৎলে। লৈ-পাকপু লৌখৎপা লৈকমগী লাইমিংবু (থোইরৌ লৌখৎ) কৌযে । লৈবাকপু ময়ানা চীক-তুনা লৌখৎপদা অতিয়াগী মমিংবু (লৈরংলেন লৈপুবা) থাকৌরে ।। উংলো যাইবিরেন শিদবগী মশক্তা হংঙি, অতিয়া শিদবা মরু = লৈরুলেন লৈপুবা, নংদি লৈবাক অসিদো করিদা শেমহনগদোবা ? মরু মহুদি মরুনা নোংদম্বা লৈকম মশক্তা শেমজগদবনি নোংদম্বীনি মরু ।। অহুদি মরু অতিয়া ঐনা তোংলিবা থেঙ্গু অসিগী মথক্তা তাথোক্লুনা শেম্মো হায়না থেঙ্গু অসিবু লাইমিং অমুক (তিকতা লৈতোংলেন লৈখৎপা) মিংহুম্না অতিয়ানা লৈপাকপু মম্নানা চীক্লুনা অতিয়া মরুগী লাইমিংবু লৈরংলেন লৈপুবা মিংহুম্না থেঙ্গুগী মথক্তা তোংহুনা লৈখারোন্দগী মপারি লাইমিংথোইনা তেংবানবা মপুবু পুক্নম থাগোনবা লৈকমদা লাক্লুনা মপারি লাইমিংথোইদা তাকপীরম্লে ।। লাইমিংথোই নোংদম থৌদাবু থৌওম্নবা নপা ঐনা পা। ম্রি নঙ্গীদমক্তা তুমদমাংদবা মালেম ইমা লৈশৌ লৈমবু পুরক্লে লৌরো। কুরু তিক্তা খিংকুরুং অঙ্গিগা তাঙহুমা থেঙ্গু অসিগী মথক্তা লৈপাকগু তাথোক্লুনা চীংবা পনশানববু মম্নুং মগুম ওইম্নৌ পাওশানাপিরে ।। নোংদম থৌদা থৌপ্পুনা থেঙ্গুগী মথক্তা মালেম লৈপী তুমদা মাংদববু

লৈথম্না লাইমিংথোইবু লাইমিং (লৈরংলেন লৈতকপা) মিংতম্না তাথোক্ত্না মাচেম লেপী-বু তকথোক্লক্লে ॥ লৈপীবা লৈফম অতুবু (সং মরুশিদবগী লুরাই লেমফু) হায়না লৈথম থরে ॥ লাইমিংথোইনা পনশাপশ্বিংববু থোহৌরগে নিংতুনা লৈপাক লৈঙাক লাইরু শাথোক-তুনা লৈথম্বা হৌরে ॥ নোংচুপ্তা (পীশাতাও), মথারমদা (করিবু), নোংপোক পাংবদা (করানা), অরাংদা (নোংদমথুবা) থোইযুম ৪ বু লৈঙাক লৈথম লৈহৌবা উবদা অমিয়। মরু শিদবনা থেঙ্গ্দা হায়-

থেঙ্গ্ও নহাবা,
লৈবাক লৈরোল পানবা
পরম অমা থোপ্শ
নংবু লৈপাক পুবোলাও ॥

থেঙ্গ্না হায় - ঐনা লৈবাক পুবদি
লৈরোল থাবা ওইঙমলোই
ইনম পোল্লি পুফদে ॥

অভিরা মরুনা - থেঙ্গ্ও নহাবা
ননম পোল্লি হায়বদো
নঙ্গি নঙম শিঙ্গোংনি
থেঙ্গ্ লৈফম পুদবা য়াদে প্লুঙ্গ্ ॥

অসিবু নরাক ময়ুং পাক্লা শাংনা লৈরোনশু থানবা থোরম পরম অমা থোহৌশি লৈফম অশি নংনা পুরো ! থেঙ্গ্না খুম্মি "নয়াথংবু থোপুনা পুবদি পুজগে অহুবু ঐনা লৈপাকপু পুবনা নানিং থুংববু মম্মু মতম থামতম্মোই, তোক্লেনলিশিং লৈপ্পানুবা, হি য়াই লৈপুবা, লৈম্বুং লোঙ্গা অরিবা লৈম্বুংথাবা তাওরোইলাই থোংভারেন পম্হৌ অরিববু) থাকো-না তাম্নবনা মম্বুং মতম ওইগদরা" মরুগী নোংদম্বু থোপুনা লাইমিংথোইগা, থেঙ্গ্গা অনিনা রাতাম্নহুনা লৈম্বুং লোঙ্গা অরিবা তাওরোইলাই থোংভারেনবু) থেমনৌনা থাকোরক্লে ॥

আথিং কোবে থিংকোরে
থিংকো লামৈ থিংকোরে
লাইবেল কোকপা থিংকোরে
হেহৌ তানহে হৌ
নে নে, নে নে নে,
রি রি, রি রি রি,

রে রে রে রে রে
রো রো, রো রো রো ।। হায়না লৈন্নুং লোঙ্গা অরিববু কৌথোক্লুনা থৌনেক্লবদা লৈন্নুং লোঙ্গা অরিবা থোঙারেনশু থৌযাহুনা থোইয়ম মচিনমনাওদা থেঙ্গুগা লৈমিন্নহুনা থৌহৌরে ।।

কোরুত্তিক্তা থেংগ্রউ চীংশেম্বা হেৌবা

লাইমিংথোইনা থেঙ্গুগী মথক্তা লৈশিন্দুনা মালেম্ন শাথোক্লুনা থেঙ্গুগা থেংথবেনগা অনিগী মথক্তা লৈগমহুনা অরাং পনশা চাংলোন ৯ বু লৈখন লৈথোম্না অবা পনশাবা লৌইহুনা খাথোং লৈথিনবা লৈঙাক লাইবু লৈখন্নবা চীলেন মখুংশু থান অমন্দা, লৈশাবা, অরাং ইরোক মা চীংশা ৯ ফাংবা তেংবানবগী যাইফং পবম্ন, খনিখনবা, কুমজা থাজা খুদিংবু অনৌ অপেন অচা অথক লৈবা খিবিবপু নোংথাই নোদন্নবা মথৌ মথঙ্গ লৈহাপ লৈথন্নবা লৈফম্নু থেংগুউগী মনঙ্গন্দা লৈহাপ লৈথন্না লৈশাইযে অহুনুঙ্গাবু (কংলোইয়া অরাং থেংগ্রউংচীং) থাকৌনা লাইমিংবু সনা থেংগ্রউ চীং অরাং চিংরিক) লৈরম্লে ।। মতুংদা লেংলি পাল্লিবা অচৎপা চত্তবা লৈঙম্নগদবা মশক পুম্নগী য়াইফং পবম্ন লৈথিনফম ওইজনবা বাখল্লকতুনা লৈন্নুং লোঙ্গা অনিবা তুবি লৈরাং শাংথনা শাংথা লেংথনা য়াম্বিপ্লিবা থোংম্রামেনগা তাম্নহুনা খাবা তানবাইলাই অসিগী মথকতা লৈথমহুনা চীংলেন অমগা শেমহুনা লৈথাম্ন। চীংলেন অসিবু অরা মা ইবোক ১২ ঈথন্না চীংশা নাপোম ভরামথোই লৈহাপ লৈথন্না পনশাহুনা মমিংবু (মহৌ থেংগ্রউং কুরুমচিং) থাকৌনা লাইমিংবু (কংলোইয়া কুরুম পুরুমচীং উংরিং) মিংহুন লৈশানা লৈথম্নে । লৈফম অশিবু লৈথোল্লম্নগা লাইমিংথোইনা অরাং পাংনা থোঙ্গারক্লুনা করি করাবু লৈরাংলিবা রাখন্দুনা কোইনা চৎনা লৈয়েংঙি, লৈথোনবগী রাবগা লৈয়েং লৈকোইবগী রাবগা থবাক মৈবাঙৌ, থৌনাও নিংশা মৈবা লিচিংনহুনা মালেমদা ফম্বাললাংনা অরা পোথশা ওইনৈয়ে ।। (গ, ও) লাইযেক অনিনা নাওয়োম থাম্ন শাথোকুখিবী লাইবেম্বী (তুবৈ থোলৈ ঈরৈমা । কৌবী অরাং পাংনা খোদাথিবীনা লাইমিংথোইগী অরা পোপ্তা তনবা থবাক লৈবা হৌবা, থৌনাও মৈবাচিংনা নিংশা ইহুনবু নালুইফুইনা লৈঙম্নবু উহুনা লাইমিংথোইগী ম্নাহকচাংবু অরা পোথা ওইগদরা রাখন্দুনা লাইরেম্বীনা মহাক্তগী মহাক্লুম্বী লাইরেম্বী অমা শাথোক্লুনা লাইমিংবু রাংলৈমা লৈগুম্না ময়াই কাবা ঈশিং ঈথোং ওইনা অরাংলমদগী মথা পাংনা লাইমিংথোইনা ফম্বালিবা লৈফম্নু লৈথুংনবা চেম্নবক্লে ।। লাইমিংথোইনা ঈথোং ইচেম্লকপা উবদা এা মশিদি বরিনো

নিংথিজৈদা মহাওবু মতিক মঙম হক্কদব। মানগ্রেদা, বদোরমগী থন্দনা ঈশিং অতুগী মতিক মঙম্বু থংগে হায়দুনা মায়াই কাবা ঈশিং অতু লাইমিংথোইনা খুংচোক ১ বু লোদুনা থকখ্রে ।। ঈশিং অতুগী মহাওনা লাইমিংথোইগী থবাকপু চিংথাই শেগাইগদৌগুম তৌগে, হীঃ মশিবু করিনো ঐবু অগুম্না তৌওম্বা অসিদি লৈথম্বা মাবা মশক শক্লেনা মশি লৈকং তানা থবথোক্লগা লৈথম্নমদ্রবদি অরা তানফংনহৌবা তারে রাথন্দনা ঈশিং অতুবু উপ্রাক্তা হিপ্পনা চিংশিল্লকপদা ঈশিংবু ইকংনা ইচুপ থোকপম্ভ উমহৌদনা মালেমদা উতুপ ঐরা তাবগুম্না তাহুনা লৈগমখ্রে ।। লাইমিংথোইগী রাথনবু থাপাংনা লৈকুপ্লুবে, অরাং পাংনা থোঙারক্লনা কুকম চী লেন্দা য়োংম্নক্রগা থেংগ্রউম চীংলোনবু চীংদোন লোম্না কাকরগা লৈফম অহুদগী মাই নোংপোক চাংখৈ পাংনা চৎখিহুনা (চবৈাফহোংচীং) ওম্না থেংঙরক্লনা চীংদোন লোম্না রাথল অহুদা কারক্লে । থোৗরন অসিবু উংলো য়াইবিরেন নোংদম্বনা উরহুনা লাইমিংথোই অসিগী রাথন অশিদি কাংথ পুথংনরোইদোরি হায়দুনা নোংদম্বা মরুনা চরৈফিংহৌ চীংদোন্দা ম্না ফম্বাল্লাংহুনা থংলে, লাইমিংথোইনা মরুগী শকথোংবু তানফংবদা হীঃ মশিদি কনানা নিংথিচংখোনখরেদা লৈথোনবদা লৈফম অশিদা লৈঙমদে, ঐনগু লৈথংলমদে কদাইদগীবু থোকঙম লাকঙমহুনা লৈংম্নবনো রাথম্না নোংদম্বু য়েংহুনা চংশি চংউমদা, হংশি হংঙমদনা য়েংহুনা তোঙ্লে ।। থোৗরম অসিদো (তুরৈ খো লৈমা লাইরেম্বীনা) উঙম্লক্রে, হীঃ করিনো মাংলেমদনা ঐনা তৌগম্লবা অসিদো অব। পোথানব্রা হায়ববু লৈমুং লৈমাংনবা তারেনা থোৗরম অসিদি মমুং মতমম্ভ লৈরাংলি, ফৈদোম ও গী চকগু লৈয়াং লৈহৌনদরি করমনো ঐদি মরুগী মিচৈ তানফংনবা থোপুরেদনা হায়হুনা লাইমিংথোইবু থাকৌরক্লে ।। হো লাইমিংথোই থোৗহৌরিবা পরমদো মমুং মতম লৈথুংদরি লাইমিংথোই নংবু হুনঙমলকখো নথোনঙম্ভ থোহৌবদা মঙাইরি হুনঙমলকখো হায়না মাইগে ৪ শুংদাই ৪ বু চেন্দনা লাইমিংথোইবু থাকৌরক্লে ।। মহুদা নোংদম্বনা হায়, "লাইমিংথোই নংবু অশিদা কৌদোবা লাক্লবা লৈক্লম অশিদা লাকদবা মশক্তি পোক্লগা শিবা, শিরগা পোকপা হায়বা চৎলগু লৈশ। নোংদমলগা লাকদবা লৈকম্নি, নংদি লৈমুং লৈমাংবা য়াদবা লাইনি, লায়ে লথুপ থাঙম্বদগী হেন্না মাংফদবা নংনি, করি মুংবু অশিরোইবু শাবনো নাথী লোইদে কৌঙম্মি পলেম শেম্বী নমানা তাদবরা হুনঙমথো অশিবগু অহিংবগু, থোৗরম পুম্বা থোহৌনা লৈথম্নগদবা নহাক্তি হায়না নোংদম্বন। থগুনা লৈথাম্বীহুনা হুনঙমহল্লে ।। থুদক অহুদা লাইমিংথোইবু মালেদা তুহুনা লৈবদগী হৌগৎলক্লনা হীঃ করিনো ঐনা চৎঙম য়োঙমথিবলম রাদবগু য়োক্লমে অথংবগু লৈথুংলুইদা ঐনা তৌঙম্লবা পরম থোৗরম অশিবু কদৌমুঙ্গী চৎলমনো বানা মুংঙাইরমলেদা, ঈশং অসিদগী পোকঙমথিবা ঐগী রাথম্নিকো কনগ্রেদা মমাই কাবা ঈশিং অশিবু কমদৌনা মালেমদা লৈঙম হুনগনি মশিদি লৈমাং লৈমুংনবা

ময়াই কাবা ঈশিং অশিবু বনানা শংথোক নোংদমহুনা খাংনবা লৈপুনওয়কপনো হায়না মাইপৈ শিন্ন য়েংলাক্র ।। লাইমিংথোইগী নিংয়েংবু উহুনা (লাইরৈমা তুরৈ থোংলৈমনা) হায়জরবই. লাইমিংথোই, "লাইমিংথোইগী অরা পোথাবদা মুংঙাইগদরা বাখল্লহুনা (রাং লৈমা) অতুন্ন ঐনা শাথোক্রবনি, পোৎথানবদি ওইঙমদরে মতুং মতম্ভ ওইদ্রবা থৌঙম্ভ শাথোক্লবা ওইঙন্নরে লাইমিংথোই অয়োন অরানবু লৈঙাক লৈকনবীহুনা মালেম থক্তা ইচেন্নবা রাং লৈদো লৈঙাদনা লৈঙন্নবা পরম থোংলম্ভ লৈয়েংনা লৈথন্নবু থৌবিরুম্ভ থৌরম তাশিবু পোইবৈনা চাদোন গুদোন লোম্বদা থৌকাঙদনবা লাইমিংথোইবু অশিবা হায়বা থৌঙম্ভ থৌহৌনরুই লৈখংনবা লাইমিংবু ইরৈমনা য়াইফা থৌরম লৈশিনবদা অশিলৈবু থোকওন্নখিদা ঐগী ইনানবু লৈমুক্তবগু ওইঙম্না (লাইমিংথোই অশিবা) লৈহুন থাকৌনঙমশি, লৈথুংলুবা, লৈহন্নরকপা লৈকন্দ্ব অশিরোইনা লৈকাকম (শয়োই চীংলেন) অসিদগী কৌরশি লাইমিং-থোই ঐগী লংজা ইরান্দো লৈঙাক লৈকনবীহুনা কুবি নোংদম্বা নফম্বাদা নিজগে" হায়না মিংহুনবু লৈয়াবিহুনা লাইরেম্বী ইখোংলৈমবু হনঙমখরে ।। লাইমিংথোই অশিবনা মালেমদা ইচেন নাইনা ঈশিং (রাংলৈ ময়াই কাববু) শোক্তনা নোংথৌ পাংনা চাইথক্তনা "লাইজ রাংলৈ নংদি মালেম অসিদা ইথোং ইচেন নাইনা চেনবশে চেন্নহুশি মালেমদা হৌঙমলবা, হৌঙনগদবা, উরি, রারি,। হৈ-লৈ. অচা-অথক পুম্বদা লৈচংহুনা লৈঙমলো হায়না নোংদমহুন্‌-না লৈচাই লৈয়েন্না লৈঙম্নবা লৈশিন নোংদম্নগা হনঙম্নক্তনা থেংগ্রউম চীংদোন্দা কাখত্তনা চীংলেন মখুৎশুবু কোইনা লৈয়েংলক্রে ।।x

কোঞ্জন্তুথোকপনা কুরুম চীংদা ফম্লানবা

কোজন্তুথোকপনা ময়াম্বা লাইমিংথোই অশিববু থিয়ে, "হৌজিকরাইদা পনশাবা লোই-হুনা লৈরম্বনি অরা পোম্বনখিবরা হায়ববু কদৌরবনো হনহ্মক্তরিবা অশিবু" হায়না ময়াম্ববু সাংগেহুনা লাক্তনা লৈয়েংবদা কংলোইয়া মা থেংগ্রউম চীঙ্গী চীংদোনদা ময়াম্ভুনা অরা-পংশাবা লোইরে হায়হুনা অরাংলমগী খাথোংবু লৈথিংনবা লৈঙাক্লাইবু শাথোক্তনা খুবম্ভ লৈথম্নবা রাখনবদো থংল উরহুনা "হাং লৈঙাক লাইবু লৈথমদৌরিনা মশিদি ঐনা লৈ ন্নংং লৈফম কংলোইয়া কুরুমচীং অশিদি ঐগী লৈফম ওইনবা লৈকনহৌদবা য়াদ্রেনা, খুবম্ভ লিং-ঙমগ্রবদি চীংলেন অসিদো মাগী ওইশিহুনা মানা ফমখিহুনা ঐ লৈকম্বা ফংদবা তাগদৌবি-দনা, লৈফম অসিদো ঐগীনি হায়হুনা লৈকনহৌদবা য়াদেদনা হায়হুনা কোঞ্জন্তুথোকপনা ময়াম্বনা থংদরিঙদা মশকপু (খ) লাইয়েক্লা নাওয়োন থানা লাইমিংবু (থম্লাংবা) লৈহন্না

চোংথোক্কনা মখোং য়েংনা কংলৈপুংমাইদ্রোন্দা লেং৹ ওইথংবা খোংনা লৈলৌ নোংপোক চান্দা নেক্কনা মমাই থা মৈরম পাংনা ওন্দুনা৹ কুরুম চীংঙ্গা কম্বাল্লাং৹ সনা থাংগ্রেউম চাংনা নমাং ওইহুনা মণক্কা য়োংপু চগেমগুম্ন শাইনা৹ নুংবু থুমগুম্না তুম্না উম্বা ওইনা কনহুনা অকিত্তজনা লৈতনা লম্বু কন্দুনা কম্বালাংহুনা খেনা নোক্কনা মিৎয়েংনা লমদম তান্না য়েংহুনা লৈথোন পনশাবা অশিবু লাইমিংথোইনা কদাই লৈফম্বু য়ৌনা পনশা পম্লিংবিদৌরিবনা রাখনহুনা লমগী লমথৈবু রাখহনা চেয়েংহুনা লৈভম্নে। লাইমিংথোই অশিবুনা সনা থেংগ্রউম মংগোল্লগী সম কম্বাল লৈথাফম্বু কেইনা লেয়েংবদা মনাওগী তৌভমদবা উবদা নোক্লহুনা মনাওগী তৌভমদবা মশকথোংবু অশ্রিয়া মরুবু খ হন উইনিংহুনা থেংগ্রউম চীংদোল্লগী অরাক ওম্না "কো মও অশ্রিয়া শিদবা" বৌবক্লে। ওরা লমথৈ পাংবদগী কৌবদি তারগা থৌরমদি খংদহুনা অশ্রিয়া মরুনা করিবু তৌভম্লবা রাখন্দুনা মপারিনা লৈথানজবা লৈফম তাননা লাক্কনা শাথোক্কগা লাই-মিংথোই ইচানা নপা ঐবু কৌনবু করিবু নুংবু তৌভম্বনো ? হায়না থকৌ পাউহংনা মচাগী নাক্তা চলক্লে। মরুগী পাউশা পাউহং তাবদা নচানা কৌজবদি ইশানো কোন্দে গ্রনৌবনা মপুক হরাও তয়ানজনা শাথোক পম্বাল্লাংজববু সনা মিৎয়েং তাহল্লিংহুন্না কৌজবনি। কদাই ননাওদি ? এঃ মশিদি ভকথ্রেদা কদৌরিবনো মানা তৌভম্লিবশিংবা৹ লাইমিংথোই নপুক খোইশাওগম্বু থৌরম পুম্বা থৌভম্লনা নপা ঐনা তৌভমগনি৹ নভম চাওশা ইচাদি নপা ঐনা লৈহনগে৹ পারি নংনা কৌবদা নপা ঐনা শাথোক্কনা পারি ইচাবু থাকৌনা পাওহংবা লৈফবু (মানা নানা কৌনবা চীং) মিংহুম্না লৈথম্লশি ।। পারি ইপা ইচানা উনবা লৈফম অসিদো (মরুগী লেমফু) থকৌনা লৈথম্মু ।। হায়থখিবা নাপোম অসিদো মরুগী নাখাং৹ নাতোন৹ শাম্নচি) লৈহম্না লৈথম্লশি ।। ইপানা কোরৌ অসিদগী পারি নংবু (কৌক্র অশিবা মরু) লৈহুম্লগে৹ অতুগা লৈফম অসিনা পারি নঙ্গী কম্বাল লৈফম ওইগনবনি লাই-মিংবু (মিহিংলেন মিপোকপা) মেরুনা (হৌপা) থাকৌগে ।। লৈফম অকোইবশিদা পারি ইচানা খোইয়ুম কনাবু শাদম শাথোক্লা কম্বাল লৈথমলমগে নিংভম্বা থৈবিক লৈথমলো নপা ঐবু থোকাওদনা লৈথহৌগে৹ অতুগা পারি ইচাগী থুবম লৈফম অমনা নোংপোক পাংবা চাংদোন অসিদা পারি নঙ্গী নশক লাইমিংবু (শলাইলেন) মিংহুম্না৹ মেরুনবু (নোংথা-ক্লেন নোংনিংথৌ) হায়না থাকৌনা লৈথম্মু ।। লৈফম খুদংদা নমি লৈহনবু থাকৌ ইরাং-চবদা মানা মানা হায়জ নিজবদো পারি নংনা কুবি নোংদম্বীনবা ওইবিও ।। লাইমিংথোই পারি নংনা লিংভম্বা নোংদম মউ লৈথম্বা নপা ঐনা মিংলাং থম্না লৈয়েঙ্গ থুবম লৈথানবা তৌভাম্না । X

স্না থেংগ্রউম চীংলেনবু নোংদম্নে ।। লাইমিংথোইনা নোংদম থুবম লৈথাম্না থৌহোম্নে ।।

মা থেংগ্রউং চীংদোন লুরাইদা মরু অতিয়া শিদবগা লাইমিংথোইগা তিলু কল্বান লৈশাহুনা লাইমিংথোইগী কোলোইবু (মিষ্টিংলেন মিপোকপা কৌব্রু অশিবা ঙৌবা) মিংছুম্না খুবম শেমহুনা লৈথমলে ।। মনাক্তা লাইকোম ইশাইকু অমা তৌয়ে ।। মনাক্তা শঙ্গাই য়ুমকম অমা লৈথোক্লুনা লৈথমলে । লৈকম অতুদা মুঙ্গী কাংথোন অমা থায়ে ।। মুংনা শুম্বন য়াং-কোক শেমহুনা লুতুং থোরম থোয়েংনা লৈথয়ে ।। কোম অতুগী মপান্দা লাইমিংথোইগী সনা হুকচাংদগী তুনিংথৌ অমা শণ্ডুনা মালেমদা থাবদা (সনাথোংনাং) ওইনা লাইকোম মনাক্তা হৌরে ।। লৈকম অসিদগী নোংচুপ পাংবদা তুবুম (৩) শণ্ডুনা লংবদা (নোংথৈ, কোংঙা, চাক্লিক) মপাম্বী ওইনা হৌহুনা পায়ে ।। লৈফমগী নোংচুপ পাংবদা মুং অমা থানা লৈথমলে, মশিদি (মীরেন পনয়ানফম) ওইনবা লৈকম ওইনা থয়ে ।। অপোক ইহুন নোংদমকম, লৈহুন খোংহুন লৈতাকক্ষম লৈকম অসিগী মনাক্তা লৈবিতোমশোন মরিন লাইখুন অমা ফাণ্ডুনা থয়ে ।। লৈকম অশিনা (শম্মোংগী থোং) ওইরে ।। লৈকম অসিগী অরাং পাংনা মুংজাও অমা থাহুনা লৈকম্বু থংনবা থম্বগা মণ্ডম্বু (শামুবু থোরুবা) মণ্ডম্বু থমলে ।। মমিংবু (পোকপী লাইশাম্বু) কৌওমলে ।। লৈকম অশিদগী মথা পাংবদা থংনবা মুং অমা লৈথমহুনা (ওক পোকপী) হায়না নোংদম্বা থয়ে ।। লৈকম অসিগী নোংপোক মতোন অতুম্বদা নোংদম্বু থোং-পুনা মহাক্কি মহাক ওইবা অমা শাক্ষোংহুনা লাইমিংবু (নোংথাকলেন নোংনিংথৌ) লৈহুম্না থয়ে ।। লৈকম অসিবু থাবা হেক লোইবদা মতোন অহুদা (ঈশিং পেরে) অমা ফাওরক্তুনা লৈরে ।। লৈকম অসিদগী চিংথৈ পাংবদা লাইমিংথোইনা মুংজাও অমা অমুক থাহুনা থম্মি, লৈকম অহুদা মুংবু হেক থাবদা নোংপোক অপাম্বনা মাগী লুবাই হামুন্দগী ঈশিং ঈশেংবু শাথোকহল্লগা লৈবিতোমশোন মরিন ঈফাণ্ডুনা মুং অহুগী মথক্তা ঈশিং অহুবু তাহম্নবা থোপুনহুনা ঈশিং অহুবু তাহল্লে ।। মথা পাংবদা মুংবী অমা থমহুনা মণ্ডম্বু (খুনুগী মশকপু) পোকহল্লে ।। মনাক্তা অরাংবা মুং অমা থমহুনা মণ্ডম্বু (এনগী মশক তাম্নুগী মশকবু) শাথোরুবা হাপ্লে ।। কংলোইম্না মা গেংগ্রুং চীংদগী উরানখিহুনা কংলোইয়া কুরুম চীংমাংদা পুং অমবু লৈথোক্লুনা পুংবু মমিং (লন হামপুং) মিংছুম্না খুবম থাম্নগে হেক তৌবদা অতিয়া শিদবনা পারি লাইমিংথোই ওক্লে হুন-ওম্নকথো কৌরক্তুনা হুম্লক্লে ।। পারি সনাহল লাইমিংথোই তাইখে। লৈকম অহু অহু কোম্না খুবম থাখি শেম্বদি শেমথয়ে ননাও অসিগী চংলম অসিবু হুক্ল। থোইমন য়ানমথরে নপা ঐনা অহুক য়ামক থোকাওনখিগে ।। লাইমিংথোই অশিবমু লোথাম্লগা কোজন তুথোকপগী মনাক্তা লাক্তুনা হায়এ ।। পাম্মি কোন্দে তনৌবা, নংনা তৌওম্লিবা অশিবু করি মুংবু কৌবা মথাখল্লি শোকচংনা করিভবু পামহুনা য়ারোং খুংলাম চাওওম্বা ? নয়াম্বনা শিনশুবদা করিমুংগী খুংকৈ খুংলৌবা, নংশিদি (ওংলৌতোন লৌখিবা) মথক্লিদনা কদাইলমু অম্মু

য়েংবা শাম্বি (কাংথং পুথং লৈথংদবা) নংনা নঙ্গী নমিংনা য়েংবদা খঙ্গা লৈক্কম অত্তুদা লৈবাক অলিগী লমলোই লৈথং নঙয়ো ।। লৈকম অত্তুগী থংনবদি উরি ম্নারিনা য়েংলম পাংনা লৈয়েংনা হৌখিবা লম মথৈনা মীরমলেনবু লৈখাইরো ।। উরি, বারিনা ওইরোম পাংনা য়েঙ্ডুনা হৌশা মথৈনা নরমলেম্মি থংঙো, মরমদি থৌরম খুদিংবু থৌডয়বা নম্নাম্বনা শিনঙুরগা শিনগুবগু থৌঙমদবা নংনা লৈরোনহুনা নঙ্গী ফম্বান শোম্নবা থৌপুবা পরম অশিবু চারোন গুমোম্না কাওদনা থংজহৌনবা ম্নারাবু (য়েংনা লৈবা পরৈবু ওইনা হুনঙম্ন'র) য়াবা অসিদো অমাই অনপনা শাথোক্কবদা লৈনি, থৌনিব', তিনকোক লাইকোক্কবা পুরুম ইনাংকি বাবোঃই পা'ওশা রাঙমলোন ওইশম্নু, নংনা শাথোক্কহুনা অকি তুজ্রুং লৈভনা শাফোংবা লমদম অসিনা পা'রি কোন্দে তনৌশা হুংশিরবা ইচানা মযাম্বগী মক্কমদা লৈনি শথোক হৈহৌখিবা লমদম্মি কাওদনবগীদমক উবিপোক লম্নংশি থাকোগে নশক্তি নঙ্গী নঙম্নু থাকপা লৈভনা লৈখম্নহুনা শাথোক শাফো'নঙমনৈ কাওদনবা থম্ন'বা য়োংপু চগেম শ'না শাথোকপা ম্নংবু থুম তুম্নগুম তুম্না শাফোংবা) মিংহুনগে মপা ঐনা ।। নংনা ফম্বানবা লৈফম অশিনা (হৌ কংলোইয়া কুরুম চীং) লৈহল্লে ।। নযাম্বনা মাইগৈ পম্বিং পনঙাক্লা লৈকোই লৈথিংনবদা মশানৌনা মযাম্নদা কশকমিহৌ হৌ লাংশ'ক্লা নিজবদা কোম্না তানফংনঙমজব' লৈকম্নিদো থংনবা চীংলেন অসিবু অথাং ইরোকমা ভরানিথোই, চীংশা নাপোম্মা ভরামাথোই লৈহাম্না, কুরুম লাঙ্গোল ও তৌনা কৌঙমলে ।। লৈকম অসিদা নপা' ঐনা মেনফম অহম লৈভমগে, মেনফমদি নয়াম্বগী মেলনি ফম্বদি বংনা নয়াম্বদা ইশৈনিবদা তানফং লৈফমঙাবনিনা ফম্বদি নংনা ফমজবা ওইজৌও নোংদমলে ।। মেনফম ম'ম'না শম্বোং পাংবদি (থম্নং উগান থাংবা মেন) ওই'নৌ ।। নোংচুপ পা'ংবদি (অমম থোংলম লৈঙাক্লা নো'দমফম) ওইম্নু ।। অমনা (থরাই য়াইবি লৈফা লৈহিংকা মপা চীংমেন থাকৌনা লৈকম অহম অসিদু নমা লৈমরেলনা সনাকিবান ওইনা লৈঙমলো ।।X

(অত্তিয়া শিদম্বনা থোইগুম্ন ও গী মথক্লা ফম্বা)

থৌশিন পরম্নু লৈঙম্বনা থোয়ানবা ম্নাথন্দনা অচান মিম্নাই থাইদনা মরুনা থেঙন্নু কৌহুনা য়েংলমদা লৈহন্নে ।। ওইরমদা মপারি কোম্বন ফুথোকপবু লৈহন্নে ।। অনিমক্তি মরাইদা জাইমিংথোই এশিবা মচা'বু লৈথন ওইনা থমলে । অহমগী মথক্লা খুদা অমা থাজ্বা অত্তিয়া মরুনা সনাক্কবাল লাংহুনা পাওশাইয়, "থেঙন্ন নমপোন লোই নোই, ঈরাই

থংবা মথংবা, চেংশি লোইয়া ময়োইয়া, নানলোই থরোই থজিক্কা থজিক থাবানা" নিয়োল পাওশাবু শরুদুনা। থেঙ্গনা পুবা লৈকমগী মথক্তা মপারি কোজনতুংথাকপগী ফগী = খুদা লৈকম অমা শেন্নীতুনা নোংদমা পীরে ।। লাইমিংনা "ওম লৈ মোংথাং ভরংবা চাভেং" লৈহৌরে ।। খুদা আসগী মথক্তা থেঙ্গনবু লৈপাক লৈয়োম অমা পুথংহনদুনা লৈশিংগী ফম্বি = খুদা অমা শেমগুনা লাইমিংথোই অশিবা মপারিদা মক অতিয়ানা কুম্বি নোংদক্না ফম্বাল লৈফম্বু পিরে ।। পারি লাইমিংথোই নংনা ফম্বি লৈকম পুম্বা য়াইফা নোংদম লৈতাক লৈকমবা নোংদম্না শেম শানা লৈথম্বা তৌওহনদুনা, মরুগী নোংদম থৌদাবু থৌপুনা খিন্নানবা থৌহোরে ।। মশানৌ কোজনতুপোকপনা লৈকম্বা লৈকম্বু মহাক্তগী থোইযুম ৮বু শাথোক্তনা নোংচুপ্তা চক মখিংবা, মথাদা – ভাওমখিংবা, নোংপোক্তা — মুংমরিংবা, অরাংদা — পাম্বরিংবা, লিক্রম = কৌক্র = তুমহাবা, মিংলম = সংহাংদা — তুমবিংবা, মৈরমদা —মাঙ্গিবা, লাইজিদা (চৌংথৈ) — হাইশবা থোইযুম্বু লৈতাক্তা মনাওগী লৈকম্বু য়াইফং-নবা কুমিরে ।। মরুনা লৈকম্বা লৈফম থেঙ্গনা লৈপুবা মফম, থেঙ্গগী লাইমিংবু (মরু-তিক্তা খিংকুরুং লৈপুবা) লৈহল্লা মরুগী থৌগনবু ১ লৈমুং থোমখিবেন, ২ – লাইবেন পোরোম থাংপা, ৩ থরা, ৪ – নোংয়াই মরিওনবা কৌবা থোইযুম ৪ বু শাক্তোংতুনা মরু অতিয়াগী সনা পোকান ওইনা থম্মে ।। মচাগী মতম উবদা অতিয়া মরুনা হাই, লইমিং-থোই পারি অশিবা লৈবাকপু মমুং মতম ওইওন্না লৈওম্বা য়ানবা নথৌ নওম্বু নিংশিংলো ।। য়াক্তাবদা লাইমিংথোইনা (লৈমুংপিশিম) পুথাক্তুনা ওক, শামুগা ২ বু শেমতুনা অনিবু শাকোংনবা পাওরৌ পওশারে — (পিংতরং পিংতরং কয়সং কয়সং, শনশং লাইশম পিং পিং) পাওশানা শাক্তোংলে ।। অতিয়ানা হায় — পারি লাইমিংথোই অশিবা, তেংবানবা অশিদা লৈরিবা, লৈয়গদবা অশি খিবিকশে নংনি, নঙ্গীনি লৈবাকী যাইফনবা পগম পুম্বু পারি নংনা শেন্নীম্মু, নপা ঐগী ইওম্বু পারি নংনা ওইওলো. ইফনও লৈকমলো লাইশোন লাইনিং পুম্বা চৎলম লুতিন লাইরকচনবু অমুং চৎলম্বু থায়না নোংদম্নীতুনা য়াইফা থৌরম্বু কুবি নোংদম্বু পারি নংনা কোয়ৌ অশিদগী ইতিক ইওম লৈবা খিবিকপু পারি নঙ্গী ওইওমলো নপ ঐনা শিমরে, লৈওম্বা পুম্বনা লৈখিনহুনা পুরুন ফৌনিজয়বা মশকতু পারি নঙ্গী নকমদা নপা ঐনা নোংদম্বওন, পারি নংনা শাথোক্তা কুবি নোংদম ভগ্নীও, চৌংওন মতায়োই পুম্বু নোং-দম্না শিমরে ।। লাইনিথোইনা মরুগী নোংদম্বু তানফংলবদা লৈবাক্তি মাইগে মখিবু চুকক্তা লৈথম্বা থৌপুরে ।। লাইমিংথোইনা লিক্রমদা (উমৈপালনা) চঙকশেন ওইনা থারে ।। মিংলমদা থাবা চঙ্কপু (উরেংবনা) থারে ।। মৈরমদা থাবা চুকলেনবু (উলিংবা) কৌবনা থারে ।। লাইজিদা থাবা চুকশেম্না (উয়োইপনা) থারে ।।× কায়নগী মম্নাইদা লাইং

মিংথোই অশিবনা (ওম হে মৈচিক ম্না যু তুম্মিকপা) মিংচম্না শেন ওইনা (ভাগে) মিংহুম্না কথাল্লে ।। লৈবাক নোংথোক্তুনা উথুঙ্গী মথক্তা অতিয় মরু শিদবনা কাপু ওইনা লেংহুনা লাইমিংবু লৈতুলেং, লৈতংলেংবা) মিংহুম্না লৈবাক নোংথোক্তুনা লেংহুনা ফম্লে ।। নোংয়াক্ত মরিওনবা, চাওন্না মপান্নথিবা মিংহুম্না লাইমিংথোইন। মশক অনিবু শাথোক হুন্দ- না পরিং অমুক থাহৌবে ।। নোংচুপ্তা লৈশাতাওনা ভাক্লে, মথাল্লমদা নোংশাতওনা ভাক্লে, নোংপোক্তা লৈখোমতাওনা ভাক্লে, অরাংদা নোংখোমতাওনা ভাক্লে ।। ওঙ্গী লাইমিংবু থুক- হিংখিকাশী কৌবে, শামুগী মমিংবু (পিশাক্ক কেতিয়েং = লোতোংকে মশেং মক্ক) শু লৈহল্লে ।। থৌশিনবা লোইরবদা লাইমিংথোইনা মনাওবু পাওশানা লংনবকই হবাব ও — ওকথবী ননিংনথা লৈতম্না, লৈচাই নোংথাই কপ্পাওনা মৈ কামও) ।। কোক্কন তুপোকপা = হবাবনা পাওথুম্মী – ওকথবীগী মঙমদি মাইগৈ শিম্না চুকথাখ্রে, ইচিন তুম্মি কামজবয়োই ।। মচিন মনাও অনিগী পাওশাবু তাবদা অতিয়া মরুনা হাই - লাইমিংথোই ননাও অসিনা কলক কপ্পাও হুনগনবা, মঙম মতিক্কি য়াওদনা, পাম্নি ইচানা লৈবাক্কিদমক্তা য়াইফা, লো- দম্না লৈখোন লৈশা পনশাবদা অয়েং খুমৌ ওইঙমলে, পাম্নি ইচানা নমিংতম্না থোঙম থোপুনবা নপা ঐনা নশানৌ কোক্কন তুথোকপা — কোংলৌতোন লৌথিববু বংলৈদা পুবগে, লাইখোং হিলথোং শুনা, রাজনবা রাথন্দনা পাম্নি নংনা লৈবাক্কি য়াইফংনবা শেম- হৌবো ।। ×

(লাইমিংথোইনা মনাওগী মঙম হায়া)

ইথানৌ কোন্দ তনৌবা, ইনাওদি নোংদম য়াইফংলকপনা মকগী হৈজ থোখনবু তান- ফংলেদো, পবম অশিবু কদৌনুংবু তানফংখিবা পোইরৈ চাদোন শুদোন্না থোক্কাওদনা ইনাওগী লৈকপু থংনবা পরম থরদং পাওশানা লৈহাপকে ।। উরিপোক য়াবা, ইরাই শাফোং লমদম লম্ভুংশি, কুক্কম চীংপেন লৈকোম্না তানফংজবা = (লাঙ্গোন চীং) লমহাংস্থুংলেন্দা য়াতাবা থুংকেং পাংতা য়াথোকনা হৌলম্মাহনবা কংলৈ ম্না পুংময়োনগী, কংলৈ চিরা মরিদা, যিবাল মরিবু মুংনা, অয়াং কাইনা লোকতোনপোক, চিংথৈ লৈনামুং অত্থবু ওয়ংনা কোলোই চি থাংনহু- না জেংকাইনরিঙৈগী চীং, মৈতৈ লৈমা থুন্দা চীং, লৈমা নিংলাইদবী থুন্দাথোব, চীংমরি থবাক চুময়াই লালুমলেন, তাওইনা লুমাং কিশিরা লৈমা চীং হাই মপু মরোং থাইবা চীং, অহিং- লিক্লা তানবা, মুংখিল লিক্লা কান্দবা চীং, চীংয়াং থক্তা খোশাব, থোইমুম পুহনা লৈহৌ শা- লাথোক্কি ঙৈদগী অয়াং কোক্ক অচিবগী লোক কোময়পোক, চরৈ ফিনৌ ফিক্কৌ চীং, চাম্নি মপানথা,

নোংমগী মউ লিংনবা চীং, পোইরৈনা য়াংলৈতাওবা লাবাপ চীং, কোরৌ নোংথোইবা চীং, লুমলেন ভাশোন বোরুবা চীং, অশিখিদিরুপু তানফনহুনা নোংপোক লমগী উনিংথৌগুম লাংবলবা, পোইবৈদনা মরুগী থৌখনবু লৈকা থৌখন ভানকংবদো ইশানৌ নংনা ওইঙমলয়ে ॥ পাওশানা খুজেং পালোইনা মনাওবু মফদা শিন্নহনা, অভিয়া মর্মনা কোঞ্জন ছুথোকপা মচাবু কংলৌদা পুখৎনা লৈথমখ্রে ॥

কুরুম চীংলেন কংলোইয়া

লাইমিংথোইনা চীংলেনবু কাইনা য়েংহুনা নোংচুপ পাংবা চীংমাইদা লাইলানচীংলেন কৌনা, চীংয়াং অমা থম্মগা, চীংয়াং অতুগী নোংচুপ থংবদা মমাই সম্বোংপাংনা ফাওনা কংলৈ ফাওনব। লৈথুন অমা লৈদি ভোনপোন মরিন ফাংলগা মথা থংবদা সুংকান অমা থাহনা, সুংকান অমনা চীংমাইদা নপ্তনা থম্মগা, সুং অনিগী মবক্তা ঈফাওনা লাইমিংবু (সুংকাম ঈচাইবী) লৈহন্দুনা ঈশিং অহুনা চেনথাখিবা ঈথোবু (চৌপ্থোং) ফায়না থমলে ।। চীংথোংদা ইকোম অমা তৌরে, মশিংদা ইরোই (অঙৌবা) পোক্লকয়ি ।। মথাপাংনা লাকনা (লৈকোম) অমা শেমে, লৈকোম অশিদি ংগুং লাইচুবা লৈকোমনি হায়রুনা ভৌজেংশিংনাংনা মপান্দা কোইহুনা থনমে ।। চীংলেন অশিদা লাইফমু ১০৮ গুনবা থম্রে ।। মথা থংবা চীংশা নাপোমগী লোকচপ্তা (পুন্সি লৈনিবা লাইকোম) হায়না অমবু থম্মগা, থাথংবা থংবা চীংশা নাপোমদা (থয়ুং থোংঙাক) লৈথাহনা লৈফম অশিদা (লাইশিদমুবী) বু ফমহন্ত্রে লাইমিংবু (লৈমুং হিরিবী = লৈমুং থোনচি মিনগ্রী) কৌনা থম্মে । লৈকমু (থোকঙাক অশিথেন) মিংহল্লে ।। চিংথৈ থাথংববু (চীংলেন মুংঙোনচীং হায়রে ।। ছীং কম্রিনো চীংলেন অশিদা লৈশাবা খুময় অসিদি লৈকম লৈয়াং কদবদি লৈহেম্বে অহুগা লুহুং খাকোং লৈছনগদবা খুবমু লৈয়াং লৈথমদবা মাদবগী লৈয়াংঅম্বা ওইয়ে থংলকনা লৈথারে লৈকমু পোয়োম থাওয়ে ।। অহুদগী কংলোইয়া থেঙ্গ্রব চীংবু মিকু চিংমবা (কংলোইয়া কুরুম চীংলেম্বা) লৈকারে ।। কুরুম চীংবু মিকু থানবা য়েংবদা য়াওলবহুনা (লাইকুহনবা লাইকৈরুংবা কংগুবা কৌদা চীংগী চীংজোম্বগী লৈথাক থম্বা কোইজোরুকনা লমহাং পুংলেম্বা হাপতনা লিক্রম চীঙী ক্লাঅম্বা চুক ওইম্না নোংক্রম শাংবগী পুথোকনা থমলে ।। লমহাংপাঙী মঙোম্বা চক্ক থানা কাম্রে কোক্রুগী খুবমু থারে ।। লাইমিংবু (মিহিংকোক কৌনরেম লৈহন্না থংরে । খুময় থাবা লোনইহুনা পুজী মথোংদা কুমকপদা লাইশাহিংচাবা অমা, হিংচাবা অমা কাকথৈ অমুবা ইচাক অমা পাথোকনা

নোংদম্বনা মচাগী মঙম্বু চাংয়েঙ্গে হায়তুনা লৈহল্লে ।। মশক অহুম্বু উবদা হুঁই মশিদি কদাইদগী লাকপনো, নোংপো'ক লৈহৌ লৈশাবদস্তু মশক মরম খংদবশি শাথোরকই, মথোই অশিবু লুতুঙ্গী খুদম খুথিন ওইনা শাথোকপা ওইনস্ত তৌগদ্মি, মথোই অশিনা কোইজাইনতুনা লৈরবদি লৈবাক অশিবু অম্বাবদি নোঙ্গাংলোইদৌরি, মঙ্গং মতমদা শাথোকশাঙ্গ, হৌজিক্তি কাহুনা থম্বা তাই হায়রুনা ঙ্গংলেন ৮ বু লৌরুরশা ঙ্গং (৩) না লাই অহুম্বু কাহুনা ঙ্গংনা নন্দুনা লৈবোন চন্দুনা থমলে ।। ঙ্গ' মমিংবু (অত্তাওবা ঙ্গং)˜কৌএ ।। ঙ্গংদি ৮ নি, মথক্তা হায়বদি চাংদোন্দা (নোংযোকবোং) য়ুংলে ।। লিক্ৰমনা থোং থিংলে, লাইমিংবু (ঙাংবা ফেন্ন ঈচূন্না) কৌএ ।। পুং আসগী খা মৈরম পাংবদা পুং মচা অমস্ত ফোইদোক্লনা শেমংলে ।। মমিং (চা পান তংপুং) কৌএ ।। মনাক্তা (কৈথেন লৈকম) অমা য়াস্তনা থমংলে ।। লাই শবোই ভারোইনা শাথোক্ৰবদা ইঙ্গেত্তিনকম ওইনা থমলে ।। লৈকম অসিবু য়াংলম্নগা লমহামপুং লেন্দা (থম্নং লৈহন থোংলম্বু লৈয়াং লৈথনলে) মতুংদা কংলোইয়া কুরুম = লাঙ্গোন চাংলেনবু মিকু থানবা লমহামপুংদা থাম্নে ।। লমহাম পুংবু মিকু থানবা (কংলেম্না পুংমাইহয়োন) খুবম ১০৮ গা লৈহৌ মরু লেমফু ওইরিবা, থম্বাল লৈনা লৈকা ১০৮ পানবগুন্না মহুনা কংলেগী নোংচুপ, রাংশংদগীনা নোংপোক, লাইশঙ্গা মনাক্তা খুহুপ ৫ লুনা ম্নাগী তেংকোংনা কুপতুনা থম্বাল অহুবু থমলে । মমিংবু (থম্না ঙ্গ'কোংপা) মিংহুল্লে ।। থম্নাবু থম্বালবু লৈম্নুং লোঙ্গা অরিবা তাওয়োইলাইনা মমৈবু ময়ান। চিক্তনা থম্নিবা, থম্বালগী লৈরিক লশিং লিলাং পানবগী ময়াইদা থমজেংকি মথক্তা সনা খুদা অমা শেমহুনা লৈমরেন কুয়োন ৭ না য়োম্নগা তেংবাংনবগী নোংদম্বা মরুবু লৈশেম্না লৈথম্নগা মিকৌ থোংলম্বু লৈফাং লৈথন্না লিক্ৰমগী চকুস্তইনা থমলে ।। অহুদগী লাইমিংথোই অশিববু ক লৈ পুংমাইয়োম্নগী নোংপে ম্না অম্বাংগা লোম্নবা চাংশানাপোমদা হনত্তম্না থোংদরক্তনা, অম্বাংলম্বু লৈভাক্কবা, চিংঙ খুবম লৈথম্নবা লৈয়েংঙি ।। হৌঃ লেকম অসিদা ঐনা হনভ্রুকপা অসিদি পরম থরা লুতুঙ্গী খুবম লৈকম বংপনা ওইরিবোইয়ে ।। লৈকম অসিদ্দি তুথুপ অহুম্বু লৈশা লৈথম্বা তারিদনা বাথল্লক্তনা চাংশা নাপোম অহুম খোক্ত (লৈথারোন, লৈয়াইল্লরোন, নোংলোন) তুথুপ অহুম লৈংশা নোংদম্নে ।। লৈথারোন চাংশা নাপোম্বু (হুমচাং) লৈহল্লে । লৈকম অসিদগী লাইমিংথোইনা অম্বাং পাংনা কাম্নক্লে, লৈকাবা থোংলম্বু (হিয়াংলম) মিংহুল্লে ।। মথংদা মালং চাং লৈশেম লৈথমলে ।। লৈয়াইলেন খুবম হায়না অমস্ত শেমলে ।। লাইমিংথোইনা মঙম তম্নং হৌনা (ম) লাইয়েক্তা নাওয়োমহুনা (ঙ, ম, ম) লাইয়েক্তা থোইরিলিশাংওইনা লাই পাথং অমা শাথোক্তনা মমিংবু (মাম্নহনবা) মিংহুল্লে, মতিক মঙানবু মৈম্না থাংমৈ থানবগুম ভাম্না ভাম্না শাকোংহল্লে হায়রুনা লাইমিংথোইনা [থাংমৈ মাম্নহনবা] নংনা লৈয়াইলেনস্ত লৈঙকঙ

লৈফম অশিবা লৈমগী শিন্নদুনা থম্মু ।। নোংলোম তুখুপ্লোমদা অমুক চত্তুনা লৈয়েং-
শু, হৈ: মশা'দ লুতু খরদা লৈফম অমা ওইদোরিনা, অদুদি লৈফম অসিগী তেংবাংন-
না লৈফম অমা লৈথঙ্গা তাৱিবোইনা হায়দুনা অমত্তু শেমদুনা লাইমিং (ওয়চীং) লৈ-
লম । লৈয়েং লৈথিরগা লুতুঙ্গী খোংলম্ব লৈয়াংলম্মগা থা পাংনা শোংথোৱক্কে ।। খুদোন
পান কৌবা থেম অমা থাবে ।। মদুদগী থেন অমা শেমদুনা তোঙ্গ না খুদানপন লৈচন্না
নোংপোক অচিবদা শিন্নরে ।। মতুংদা শামু মকেক পানবা লাই অমা শাথোক্লগনা লাইনিং-
থোউ শামু লাই পিশাক্লু কেতিকেং নংনা অরাং লম্ব ভাক্রো শিন্নদুনা থম্মুবা অবা পন-
শানা থা থোং খিবা লোইদুনা নোংচুপলোমদা লাইনিংথোই উবা লক্লে ।। ×

(নোংচুপকি চীংথা পনশা ৯ লৈশাদুনা নোংপোক থোংথিবা)

লাইনিংথোই অশিবনা য়ৈথাইবা লৌযেংপমবা লৈঙম্রবদা মনিংতন্না নোংচুপ হাবম্বু
পনশা ৯ লৈথান্না চিংবা পনশাবা লোইদুনা নোংচুপ লমগা নোংপোক থোংবু লৈশিংবা
চুক লেনবু লৈথারগে হনওয়কপদা চিংয়াংদা ওইংগ ইদুনা নোংপোক থোংবু লৈ থংতুনা লৈ-
রম্মে ।। খোৱম্বু উনদা লাইমিংথোইনা খোইশাওরে । ঐনা তৌওই ... কাবু
লৈচন বননবু তোগাইবা শাপা, কোণ্ডনখোকপনা হবাবগা ... লৈচাইবদি লৈপাক
থুদিংবু লৈশিংগা ... পনশা পনশা নিংজবগী তৌবপা-, নখাইনা তোগাতুনা লৈকাংপা
অশিদি নাং ম গণী থোয়েংনা থোযেংবন থক্ষনিদো লৈশাক্ত ... লৈচ বশু চ-
ক্লোই কবম্বু কদোবা ওম য়েঙ্গ বাখন্দুনা মক্তাক্তুনা মচাক ওইনা (...) লাইকক্লা
লাই ... থানা মশম্বু ওম নোংক্সা মহিক্ত, ও হায়বা থং ...
খা হিং) হায়ন নিংথৈবু হাপচন (নোংচুপ অশিবা ... হায়না ... । ... খোই
ক্লগা মনিবু লোয়ারাকপা খোংকেনখৌবা লৈহন্না লৈকম্বু শিংতুনা ভাকচ ।
পেন্দদুনা ভমক মখোং খুয়াদা লৈপকপা য়েলবু তাথোক্তুনা [হ, উ ঙ] লাইরেম ...
যোমদুনা মপুক চৎপা লাই ... অমা পুথোক্তুনা লাইনংবু হংডারেল হায়না ভপ্রম নিং
তুমা লোই রাবপদা পিরে ।। ... ইয়ারাকপনা ভাপ্রমগী মংকক্তা মখোংনা নেংনা লৈনন
অদুদা হুংডারেন ভাপ্রম লিংবা হায়না লৈফমদুনা ভাক্তুম পিবে । খোৱম্বু উবনা থে-
থাই লাই লৈহোংতুনা নোংপোকথং লৈকাংলগা তৌওই ... হান নাখে) মাপমা শং
থোক্তুনা হায়রিজে — নোংদমা লৈফম অশিভদি লৈকাংপীও লৈহাংবও ... চাংবা
লাইমিংথোই লৈফম অশিবু মুতঙ্গী লৈকম কক্সি করাব নোংদম লৈশি লবনো ... ...

হেংবা খোইয়ুম শলাইলেন নংনা লৈহৌ লৈথিং লম্বু খোইয়ুম কনানা লৈফাংপ [illegible], নঙ্গী থুংশঙ বাইখিদবা লৈহৌ রাজোই য়াংলমনিদনা ॥ ছাঙ্বগী [illegible] [illegible] লৈকংচানি ॥ পাওশাবু ভাবদা লাইমিংথোই রাখন্দুনা খৌযংলে, উম [illegible] [illegible] লাংদাইনিংনা [illegible] মবিগী লৈহৌ রারোই যাংলমনিদনা ॥ হুনিশা লৈফম [illegible] খি-[illegible] [illegible] অ[illegible]দি খিলশঙ্গ নখোযগী খোংলমদি নৌংখৌ অহাংবদা [illegible] লৈ-ফম [illegible] [illegible] লৈহৌ চীং যোবা অমা, অমনা কুমচীং, থেংগ্র চং চ[illegible] [illegible] লৈ [illegible] [illegible] [illegible] । মথুং মতম নত্তনা লমকাংপগু [illegible] অহুগা [illegible] [illegible] বনা [illegible] [illegible] থোনাওনহুনা (ডাপ্রমলিংবা) মংঙ্গু থোপু পোউয়দরবাদি ননিং[illegible] লৈ-[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] মথৌদি চযদে ॥ পাওশাবু হানহুনা পাংরোই-[illegible] ইরাংবা উ[illegible]লকোন্নিদ ॥ থবোইন লৈচুম্না মক্ক ফংইদা) পাওশানহুনা হুংডাই[illegible] ॥

লোইচীং চীংশং শেমহুনা খুবম থম্না লাংজিং পুং লৈথম্বা ।

খোইয়ুম হুনিশিঙ্গা ন[illegible]ইনহুনা পাওশানবা লোইহুনা লৈফম অদুবু লৈথম্মগে থো-[illegible] [illegible] [illegible] লৈথম্বা যাদ, চীং অসিদি খুবম অশিনা থাবমপ্রবদি [illegible] অসিবু লোইনা [illegible] [illegible] (লোইজিং চংশাং) মিংহুম্না চীংকম অদি কোইনা যেং-দুনা [illegible] [illegible] থাপুর ॥ চিংঙ্গী মমিংবু লোইজিং == মকুবিচীং [illegible] চীং অনি-[illegible] চা[illegible]দা [illegible] [illegible] থোনম্ব থোযেংনা (লাইফথৌ কোবোহনব) খুনম্ব থাবে । [illegible] ([illegible] [illegible]) কীবে । মিংলেন [illegible] (হুবি[illegible]) লৈ[illegible] [illegible] [illegible], য[illegible] ইখচেনা, মীশি, মানা, শাশল মতিন মবাই হকচাবদা) লাই-চপু [illegible] [illegible] । খুবম অসিগী মনাক্তা খুবম অমা থাবে লাইফিংবু (অ[illegible] [illegible]) [illegible] । [illegible] মরুবু (হনয়িখিংথবা) লৈহুম্না লৈবাক্তা নমথি পুনগংশবদা নোংবু [illegible] [illegible] । খুবম থাবা লোইরদুনা ঐবু লৈহৌবা য়ারগ[illegible] হ যনা ম[illegible]কপদা (থনুং বোইচ[illegible]) থা থংবদা পুং অমগী মথক্তা মথুং মশা কমা থুংগু থুং[illegible] [illegible] পাংযদুনা [illegible] [illegible] লাই অমা শাথোক্তুনা লৈবা উব ॥ চীং অসিদ হরিনো [illegible] মথ্ম [illegible] রাংনা লানদম শাদম্না মথুং মশামক লোংদুনা লানশিংনবিবা অসিবু কনানো লৈবাকী যাইফনবা ঐনা লৈথোন লৈপেম্মিবা অসবু থংদবম্না উদবরা ঐবু শাগ্রেম লাং[illegible]বা কনানো, রাথন কম্বাও হুম্না লৈফম অহুবু য়েনবা লাক্নে ॥ চীং অসিদি ইমা-নিন হরিনুঙ্গীবু শাংথাক্লিগবা রাখনহুনা ময়াই লুক্তা লৈভ্রে ॥ লাইমিংথোই ইচানা লৈ

বাক্কি য়াইফা মোংলক্ষশে নমা ঐনা য়েংলিংহুনা য়েংখনি, লৈবাক্কিশু য়াইফনবা মরুগীশু স্না ফম্বাল লৈতম্মি লৈফম থুদিং লৈশেম্বদা, নমা ঐগীশু লৈকম অমতা নমা ঐনা লৈনিপে লৈয়েংবনি, অতুগা পাম্লি ইচানা লৈবাক্কী য়াইফা নোংদম লৈথোনবশিদা নশানৌ হারাবনা লৈবাক লায়া লৈম্লেম লৈথোম্লিংহুনা লৈচাইবদা লৈবাককি শরক্তা লৈঙম্মিবা পুং অসিবু লাইমিং খুবম্মু লৈথানা লৈঙম্নবা ইচানা নোংদম্বীঙমলম্মু শিন্নখরে ।। নোংদম থোদাব্বু থোঙম থোপুজানি অহুবু লৈচাইবদা লৈথমথিবা পুংগা চীংশা নাংপোম লৈঙম্বগা অশিবু লুভুংদা খুবম লাইমিং লৈথমগদবা ওইবমা নচানা খুবম লৈথাদবনি ।। উম ইমাদি মত্তদি খংদেদো পাম্লি ইচানা লুক্তুং থোয়েং লৈথাকপদো লৈথাক্লো ।। লাইমিং লৈহুন তমদ্রবশু লৈফমদি লৈয়াৎপীরম্মু নম। ঐগীশু নোংদম্না লৈনিহুনা শিম্থাম্নমগা লৈশিরোল লৈপুনবী হুনখ্রে ।। লাইমিংথোই অশিবনা লৈফম অতুদা মমানা শাথোকপদা খুংশু খুংলাই পায়হুনা মখুং ১০বু লোংনা শান্দা লানহুৈলগুন্না শাথোক শাফোনো নোংদমলম্বা লৈফম্নি হায়হুনা পুঙ্গী লাইমিংবু (লানচিংপুং) মিংহুন্দুনা লাইমিংবু (পুংখিৎলংলাংনমিৎ) লৈহুল্লে ।। চীংথক্তা লৈমরেল্ল খুংল্লোঙবী মরু শিদবীগী খুবম্মু য়াত্তুনা খোইয়ুম ২ গী খুবম থম্লে ।। চীংদোন্দা কাপ্পু কাপলেন থারে ।। নোংদোন করৌ লৈকানবা খোংলম লৈকা থানা কাংলে ।। লাইকোম অমা য়াত্তুনা থমলে ঈশিংবু ইথোক্লবা লৈক্কাৎ লৈথম্লে ।। চীংখোংদা (কোম) অমা ভৌহুনা থমলে ।। চীঙ্গী অমাং পাংবদা (পুন্নি) অমা ভৌম্লে ।। চীংখোঙ্গী নোংচুপ পাংবদা (লাইকোম অমগা য়াত্তুনা) ঈশিং ঈথোক্লবা লৈবি ভোমশোন মরিন থারে ।। কুম তরুক বাও তরুক কংদনবা মঙম্মু থাঙম্মা লৈথমলে ।। লাই অমবু শাথোক্লে, মচুবু মুনা শংবানৈ, উবদা লাইমিংথোইবু অকি তুজুংঙে, হী: মশিদি (হীংচাকোৎচাবা) মশক্লী মী মাংহনগদৌম্লিনা হায়হুনা লাইমী শাচাববু) ফাহুনা হুংনা নন্দুনা থমলে ।। চীঙ্গী মথা পাংবদা মরোং খোঙ্গী পবম্মু শেমলে ।। মৈরম পাংবদা নোংচুপথাং অমা য়াংলে ।। নোংতা নোংগাংলগা ঈকৌনবা লাইমিংবু লৈহাপলে ।।

হুহুম হুহুম হুহুম, হুম হুম
থুংচিরিক তিংচিম্রিক লৈবাক মরোনশু ৭ নি,
নোংথো মরোনশু ৭ নে, ঈশিংমরোনশু ৭ নে,
থুংনম্লে থোকাপ্লে, থোকাম্লে, তিংকাপদি
তিকপ্পা মিঙ্গম্লিদা মিঙ্গবনা নমশিল্লো, থরাওবী
থয়াম্ভবী ।। শ্রী:
অোংঙ চুখল্লো লাংজিং মভোম থুমহুৎলো

পাংশোইমুরাবা ভাওথরো,
কৌবা কৌমু নোংও, লোংজিং লোইয়া নোও
থাংজিং কোইরেল নোংও, রাংব্রেন থোনবরেন
নোংও, শন্দুম মহাবা নোংও, চিংথৈ নোংখোক নোংও,
লাইরুবা নোংরুরাও,
কোরৌ খোংদম খোংলকও, মালেম লোইপু লুরী লুমথংলক্কো, পোইচা ঈথা-
বী নং থাবিরকও, খোইয়ুম ঈথাইগী ঈপ্লাইবা
নং থাইরকও, পাওশানা লৈথনলে ।।×

চীংথোংদা কোইনা য়াত্তনা লাইফবু মুংনা নন্দনা থনলে লুতুঙ্গী লৈথানবা ।। নোংপোক পাংবদা (পাং অমা য়াংলে, নমুংদা (মুং) অমা থাহুনা লুতুঙ্গীদমক্তা নোঙ্গা খোংলবু য়াত্তনা থমলমলে ।। লাইমিংথোইনা কদাই অমুক লৈপাশিবা রাথনদনা লৈকবু লৈওন্না খিবিক্কগী লৈবাক লৈচাকপু থরা থরা কোইদোক্তনা লৈফম অমা অমুক শেঙ্গা থোবে, লৈফম অহু মমিংবু (কোইজিং) মিংহন্দনা লৈপাৱে ।। চীংকোক্তা লাইরেম্বী (লোংকলাওলৈমাগী) কম্বী খুদা অমা মুংনা নন্দনা লৈথংনবা য়াংলে ।। অরেং লাইনা (লোকলাই তিল্লাইমা) লৈবাক শিন্না ওংলক্লবদা লৈকমবগীদমক্তা লুতুঙ্গীদমকপু লৈয়াং লৈথমলে ।। লাইকোম অমগা ঈরাং থৌনিনবা থয়োম চনাব লাক্লবা লোম্বীরে ।। চীংথক্তা (কৌওইবী লাইরেম্বীগী) খুবম অমা য়াংলে ।। অচা শথকপু নোংকক্লবদা কৌনা কৌছাম লৈশাংলক্লবদা লৈঙাক লৈথিংনবা লৈয়াং লৈথমলে ।। চীংয়াইদা (লাইমোরারেলগী) খুবম অমা লৈথাহুনা য়াংলে । নোংখোংনা হক্লা লিক্লা লাওহুনা অথাক অক্লাওবু হুকচন্না তাক্লমবদা লৈথিংনবগীদমক্তা লৈয়াং লৈথমলে ।। লাইমিংথোইনা লোক্লাই তিল্লাইগী তিনকোক লাইকোক্লবা পরম্বু লৈথন রাথনবদা লাইনা লাইথুং অসিদো হুকচাং হায়বা মথক অসিদো হুকচাং হায়বা মথক অসিবু মাংহন্নবা অকিতুপুংবা মথক মঙং অমা [illegible] উওক্লনা অমুক লৈফম অমবু (লোকচীং) মিংহন্না শেমহুনা খুবমু লৈয়াত্তনা লুতুংনা লৈথংনবা থোপুরে ।। চীঙ্গী চিংকোক্তা (হৈনিংশিদমুত্তবা) কৌবা অমা রুবাক্তা থাহুনা অতিয়া সিনবগী খুবম অমা য়াত্তনা মুং অমা থাহুনা থমলে ।। লাইমিংবু (অনম তাং) কৌরে ।। লুতুং লৈপান্নবদা কংলৈ কদানবা লুকিং শিবনা পুন্সি মুক্কাংবা উক্নানমবগা লৈনিহুনা পুন্সি মরা তানবা লৈপান্নবা লৈফম লৈথরে ।। চীংয়াইদা খোইয়ুম (নুকংব্রেং) বগা খোইয়ুম লাইথাগুবী কৌরীগা ২ গী খুবমু লৈয়াংহুনা লৈথারে ।। (পুন্সি মুংশাংবা লৈনি কবু ওইরক্ত) চিথেন্দা লোকবু লৈরবী খুবম অমা য়াংহুনা মুং অমা থাহুনা থমলে [illegible] লাইমিংবু [illegible]

লোকছিং লোকছিংসং) লৈহুম্না লোকলাইবু ইরাস্তুনা লাইকোক্লবা থনম্মগা নোংচুপ চীংশাংক্লা থাপাংনা কুমথারক্লে ।।x

নোংচুপ কোয়ারমগী মুক্তা চী·জেন খুবম লেপ্লাংগা
লাইমিংথোউ মরু অশিবনা মপুক ঙাখন ঙাবু

ইপান্থাংদা করি কনাবু য়াওবগু নত্তনা য়থক্ত পাওশানা লময়েংহুনা লৈরম্বা লৈফম্বু (ঙাং-ঙোই চীংশাং) কৌয়ে ।। লৈকম অচুম্নগী থোংথাংলকনা খুবম্বু লৈয়াং লৈহৌয়ে অচুম্বগী (থাংছিংভাংঙোই চীংশাং) মিংহুম্না মপেন নোইরু কৈগরুক, থলোইনিঙ্ক নিক্লবা চীং, নোং-জেনবু লাগা হানবা, মুখাং কম্না য়াবিথেন, লৌভাংনা মিৎয়েংশেন লৈথম্, চম্মাংনা। ঈমাই শিনগম্না ঙিগু কাগু হুইপথ, চেক্লা খিকি অমুবীনা খুমাং লৈগ কাও-খুচুং লৈগ কাওহুনা পোম্বীনা য়াকৈ ওম্না চীংগু লাইগী খুবম য়াংলক্লে ।। মরোং মশা থাইনা—(কং কুককেং কেং, কং কুক কেং কেং, কংকুক কেং কেং, কং কুককেং কেং) লাইশোম্না চীংশাংবু শেমলে ।। (থাংছিং ঙাংঙোই চীংবু (লাভোনবা লৈয়োনলাংভবা) মিংহুম্না লৈভমহুনা য়াংলে ।। লাই-মিংথোইনা মহাক্তগী মহাক অমা (থ) লাইয়েক্লা নাওয়োমহুনা লাইমিংবু (থাংজিং কোই-রেন লাই) মিংহুম্না শাথোক্কনা খুবম্বু য়াত্তনা থমলে ।। শঙ্গাই য়ুমফম্বু থমলে ।। মনাক্তা লাইকম অমা লাইমিংবু (শংকুপ লৈপোকপী) মিংহুম্না থমলে ।। ফুং অচুম থাদুনা ফুং অম-বা থাংজিং মিংথোইগী লাইবু মদুনা থম্মীরে ।। ফুং অমমা (ফাগী ক·চুপ অমগা ফাগী (চিরুপ *) অমগা শৈজম্না মদুনা কুপহুম্না থম্মীরে ।। ফুং ১ বু (ম্না ঙাবু) শাথোক্লবা মচম লৈহাপনা লৈশামলে ।। মনাক্তা (শিদবা উপাল ৬ পু) পুথোক্তুনা থারে ।। মনা থোংনাং উপ ল জমত থারে ।। মনাক্তা লাইকোয় অমা শেমহুনা ঈশিং ঈরাং ফাওমবা [illegible] মচিন কাংহুনা থমলে ।। শিনবা উপাল অশিদো মচুমত তাইএ, মশা ৭ পাকি ।। মনাক্তা (ফুং অঙৌবা, অরাংবা) অমগা য়াংহুম্না থমজগা ফুং অঙৌবদা (থামু অঙৌববু) শাথোকপা মতম্বু লৈহাপহুনা লাই পোয়ারেলগী খুবম ওইনবা য়াংলে লাইদি লাইথাংদি, লাইমিংবু (নোংজেন থোকপা)' লৈরমে ।। অঙৌবা ফুংবু থোংনাংমিংথোইগী) খুবম অম্না য়াংলে ।। মতম্বু (নোংশাবু [illegible]) [illegible] থম্লে ।। মনাক্তা (মচু শনা [illegible] ফুং অমা থারে , মতম্বু সনা, শুপা, কোম্বি, পেয়, শিথ্রই, [illegible], মচিক অশক ৭ পু শাথোক্ল-বা মতম্বু লৈরাগা থমলে ।। অশিবু [illegible] চাকথোনী [illegible] ।। [illegible] মতুংদা কুম্বিজোং [illegible] ।। ফুং অঙৌবগী লাইমিংবু ([illegible] কিজোই হিং) [illegible] লৈহুরে ।।x

থাংজিং মিংথোইগী চীংবু মতোন ৭ শুনবা শেমলে মথক্তা সনাগী শঙ্গাই অনিগী লৈয়াই লৈথোক্লা লৈথমলে চীংদোল অমদা (মুংগী খুদা তাংবন) থানা থমলে ॥ খুদাগী মথক্তা মমাই নোংচুপ লাইজি ওম্না থাংজিং মিংথোইনা ফমলে । নমঙাদা উথুম পাম্বী অমা হৌগল্লে ॥ উগী মখা পাংনা মুংশিং থোং ৩ তোমশোন মরিন লৈফংনা থমলে ॥ অমদি চীংথা থংবদা লুঙ্গী য়াংকোক কুম্বা মুং অকোইবা অমনা কুপ্তুনা থমলে ॥ মথংনা চীংদোন অমদা লুঙ্গী পুথম ওম্বা অমনা থুমহুনা থমলে ॥ মথং অমনা চীংদোন অমদা লুঙ্গী থুমুক কুম্বা অমনা কুপ্তুনা থমলে ॥ লৈফম অসিবু গুংশিং পোং কৌর ॥ কোইবেল লৈমগী শঙ্গাই মনাক্তা লাইকোম অনি যাংলে ॥ অমনা ঈশিংবু থরুবদা লাই ওলহনবা মণ্ডম থমলে ॥ অমনা ঈশিংবু থরুবদা (মী ওলহনবা ডম্বা মণ্ডপ লৈপিনা) লৈথমলে ॥ সনা শঙ্গাইলেনগী মুমফমগী মনাক্তা ঈকোম অমা যাংলে ॥ ঈকোমগী মচিনবু মাংবুঙ্গী মচিন মান্না শেল্লে ॥ মচিন অশিদা ঈথোক্তুনা মবাং ঈথাক্তুবৈগী হাচেন মক ওইনবা (ঈশিং তোমশোন মরিনবু লৈফংনা থমলে ॥ ঈতারিবা মোইবুং মচিন ব ননগী মখাদা লমচৈ ৩ না কোনবা (পাক্লা) লক্পু লাকোন ফানা থারে ॥ থাংজিঙ্গী লাইকোনগী থোমবি শেমহুমা ফাংলে) ॥ অরাং থোংবু সনা থোংমানবী কৌবে । লৈফম অশিদা গুংথোং ওইহুনা লাইশংবু (নু শুক য়োংশুক) পায়না লৈঙাক লৈথমলে ॥ লৈফম্ব চংহৈদবা (ডাখলম , হায়না থমলে ॥ নোংচুপ থোংগু চ ফদে হায়না থমলে ॥ নোংপোক থোংদা লেচং য়াংলোই লৈফাংনা লাইকোলবু তানফংনব শেমহুনা থমলে ॥ লৈফম্ব মান্নবা চীংদান ৯ বু শেমহুনা লই ৯ লেফম য়াল্লুনা থমলে ॥ লাইমিংথোই থাংজিংদা লাইমিংবু (সন নোংনাংথো ওরেংবা) কৌনা লৈহুল্লে ॥ থাংজিঙ্গী নমথাংদা থমালশাংপা ঢুঙ্গী খুংলাই লোক্তোবনা পায়কলে । লাইমিং থমনা (ওম উইক্রাং চীংথাংশ্রোং) অমনা হুংহিংনুবৈসেং অমমা কুংকি মোণ্ডা ঢুমিং (মাকংমো) লৈতন্না লেথমলয়ে ॥ ×

(শঙ্গোং চীংবু খুবম থাবা)

লাইমিংথোই অশিবনা থাংজিং ঙাংতোই কৌবা চীংবু খুবম য়াংতুনা লেগল্লবনু সনা পুক্লিংদা পেনবা থম্ববু রাংতুনা লৈফম থম্ববু লৈশন্না শন্দোক্লা খুবম থরবু লৈয়াংলমগে রা-থল্লক্তুনা লৈফম্ব লৈযাং লৈথল্লনা শিন্নারক্লে ॥ শঙ্গোং চীগী চীংদোন্দা (মুঙ্গা শঙ্গাই । অমা শেমলে , মমাইবু শঙ্গোং লাইজি পাংনা ফাংলে ॥ শঙ্গাইগী ফক্তোমদা (হুংথোংলিংনবা)

শেমলে ॥ শম্নোং মিংথোইগী মুংমাইবু (রাই ৫ পাকা পাল্লে। শজাইজাইথন মম্নাংদা মুংপাক অমা থাহুনা শনথোংবু থোংখিংকম হাপ্লে ॥ চীংখোংদা উয়ুং উপালবু হৌহন্দুনা (চীংখোং উয়ুং পোকপী) লৈহন্না ইরাং থৌনিকম অমগা য়াত্তুনা শেমলে ॥ শনথোংগী মখা পাংবদা শনথোং মিংথোইগী মচা অহন্না থোকপম্নবদা লৈঙবা তুজী শজাই অমা য়াত্তুনা থমলে ॥ (য়েক্লবা লানওম্নবা লৈনিফম্ব ওইনা লিংলে) ॥ মুরাং চীঙ্গোনা হায়না খুবম অমা অমুক য়াংলক্লে ॥ মুরাং চীঙ্গী চীংদোন্দা লুতুঙ্গী থৌরম্ব থোযেংনা (ইফু-অমা) শেমহুনা ইফুগী মপুদা শঙ্গাদ অনৌবনা তমজবা ইশিংবু ইমাই থন্না লৈহন্দুনা লৈথম্লম্মগা লৈফম অসিদগী লাইমিংথোই খা মাইগৈবু পনশানা ঔরাং খোং লৈথিংনবা খোংশাল্লক্লে ॥ × ॥ ×

লাইমিংথোইনা খাগী মাইগৈ পনশানা ঔরাং খোংথিংবা

লাইমিংথোই অশিবনা মযুম থাংভ থেন পুং তেবা কাংলম মৈলাংভাং উবুক শিংনা মাইরেং হৌনবু (মযুম থা থাংভা উরান থেনপুং) শেনহুনা লৈথমলগা লৈফম্ব লৈঙরুবগী লাইমিংথোইনা (ম) লাইযেক্লা নাওযোম থানা থোইখুন অমা শাথোক শংফোংনা লৈফম্ব লৈঙাক লৈশিন্নরে ॥ লাইমিংবু খানা চাওনা লুক নাক হায়না মিহুন তম্নলে ॥ থঙ্গা উবাল্লক্তুনা পামেন উথাংমদা শিংভং হাইবী মখুংশুবু থাংনা লাক্তুক্লা শিবি অঙানবা লাই অমম্বা লৈগদবা তিনবীবু শেমগে নিংখত্তুনা লৈমুং শাহা খোঙাৱেক তোক্লেন লিশিং পানবা হিপু য়াইপুবনু থেমনৌনা থেমথোক পাওশানরক্লে ॥ পাওশা — লৈমুং লোঙ্গা অরিবা থোংভ বন্না মাবু থিঙম্লকপা উবদা লাইমিংথোইনা কিহুনা নিংথৌদা পকপা লিক্লাগী মথুংদা চংখিনা (ম, র, ও, শ, ক, ন,) লাইযেক শরুকপী মশক মঙানবু লৌহুনা লোত্তুনা লেরে ॥ লাইমিংথোইনা থোংঙারেনগী মপুক রাবু খংহুনা পাওরৌনহুনা হাত , পুকনা পুকনা লিখাও খাও, খ খং চিংহুনা নাতৈ অনৈগা মরক চুহিং লান্নু হাইবদি কাকয়েন খুদিন চু চু রাহৈ পাওশা পানরৌনু তাবদা খাংডম্বা য়াঙমদরে ॥ থোইশাওবা মপুকপু হংহুনা লাইমিংথোইগী নাক্তা মহাক্তগী থোইযুম লৈঙমগদবা শগী মপাঙ্গন ওইনবা তিলিয়েল, লাইরিরেন, খাইবিরেল, লিন্দাওরেল, তাওরোইনাহ মঙাহু পুথোক্তুনা থোক্লক্লে ॥ লাইমিংথোইনা পাওশাবু অরেম্বা কৈতনা থোকহম্বা মজকপু হন্না মক্তা য়েংদনা শাক্তুনা শোনহুনা লৈঙমলে, অহুদা অমুক—(তিনমুরেল, লাইমুরেম, তিনঙৌরেল, তিনডাংলেন,) মরিমশা অমুক শাথোকহুনা থয়ে ॥ মহুদগু অরেম্বা লৈতনা

থাংজিং মিংথোইগী চীংবু মতোন ৭ শুনবা শেমলে মথক্তা সনাগী শঙ্গাই অনিগী লৈয়াই লৈথোম্না লৈথমলে চীংদোল অমদা (ঙুংগী থুদা তাংবন) থানা থমলে ।। থুদাগী মথক্তা ময়াই নোংচুপ লাইজি ওম্না থাংজিং মিংথোইনা ফমলে । নমভাদা উথুম পাম্বী অমা হৌহল্লে ।। উগী মথা পাংনা ঙুংশিং থোং ৩ তোমশোন মরিন লৈফংনা থমলে ।। অমদি চীংথা থংবদা ঙুঙ্গী য়াংকোক কুম্বা ঙুং অকোয়বা অমনা কুপ্পুনা থমলে ।। মথংনা চীংদোন অমদা ঙুঙ্গী পুথম কুম্বা অমনা থুমহুনা থমলে ।। মথং অমনা চীংদোন অমদা ঙুঙ্গী থুমুক কুম্বা অমনা কুপ্পুনা থমলে ।। লৈফম অসিবু ঙুংশিং থোং কৌর ।। কোইরেল লৈমগী শঙ্গাই মনাক্তা লাইকোম অনি য়াংলে ।। অমনা ঈশিংবু থক্লবদা লাই ওলহনবা মওম থমলে ।। অমনা ঈশিংবু থক্লবদা (মী ওলহনবা ওম্বা মওম্বু লৈপিনা) লৈথমলে ।। সনা শঙ্গাইলেনগী মুমফমগী মনাক্তা ঈকোম অমা য়াংলে ।। ঈকোমগী মচিনবু মাংবুঙ্গী মচিন মান্না শেল্লে ।। মচিন অশিদা ঈথোক্তুনা য়াং ঈথাংতুরেগী ইচেন মরু ওইনবা (ঈশিং তোমশোন মরিনবু লৈফংনা থমলে । ঈতারিবা নেইবুং মচিন ম নবগী মথাদা লমচৈ ৩ না কোনবা (পাক্লা) লফুবু লাকোন ফানা থারে ।। থাংজিঙ্গী লাইকোনগী (থোংমরি শেমহুমা ফাংলে) ।। অয়াং থোংবু সনা থোংমানবী কৌরে ।। লৈফম অশিদা ঙুংথোং ওইহুনা লাইশংবু (ঙু শুক য়োংশুক) পায়না লৈঙাক লৈথমলে ।। লৈফম্বু চংহৈদনা (ঙাখলম , হায়না থমলে ।। নোংচুপ থোংগু চফদে হায়না থমলে । নোংপোক থোংদা লেচং য়াংলা, লৈফংনা লাই কাললু ওনফংনন শেমহুনা থমলে ।। লৈফম্বু মাম্না চৌংদান ৯বু শেমহুনা লই ৯ লৈফম য়াওহুনা থমলে ।। লাইমিংথোই থাংজিংদা লাইমিংবু (সনা নাংনাংথো তাবংবা) কৌনা লৈহুল্লে ।। থাংজিঙ্গী নমথাংদা থম্বালশাংপা ঙুঙ্গী থুংলা লৈকোৎবু পায়হল্লে ।। লাইমিং অমনা (ওম ডইক্রাং চাংথাংশ্রোং) অমনা ছুংহংনুরেসেং অমমা কুকি মেখু, ঙুনিং (মাচংমো) লৈচম্না শেথমলল্লে ।। X

(শক্ষোং চীংবু খুবম থাবা)

লাইমিংথোই অশিবনা থাহিং ঙাংঙোই কৌবা চীংবু খুবম য়াংতুনা লৈথম্লবনু সনা পুক্লিংদা পেনবা থয়বু রাংতুনা লৈফম থয়বু লৈশন্না শন্দোক্লা খুবম থরবু লৈয়াংলমগে রাথল্লক্তুনা লৈফম্বু লৈয়াং লৈথম্লবা শিম্বারক্লে ।। শক্ষোং চীনী চীংদোন্দা (ঙুঙ্গা শঙ্গাই অমা শেমলে, মনাইবু শক্ষোং লাইজি পাংনা ফাংলে ।। শঙ্গাইগী ফাক্রামদা (ঙুংথোংশিংনবা)

পোক্লনা য়াংলে ।। অশংবা, অঙাংবা, নাপুগুম্না তগুপ তরেংবা মুংদা অঙাংবদি — ঙাথি মুক্লাং, ঙানোই, পে'বা, ঙাম্নাম্বু পোক্লবা নোংদমক্লে ।। মফিংবু ঙাক্তিং পোক্ক কৌই ।। অমনা (পুকমহিং) কৌরে ।। অমনা (পোকপী শংগু) লৈহন্না লৈয়াং লৈথমক্লে ।। শঙ্গাইগী মনাক্তা মুং অনি থাহুনা থোংদম অনি য়াস্তুনা থোং অমনা (অশিবা থোং অচংবা থোং) বু শেমহুনা লাইমিবু (কহিং হুথংম, সহং) লৈহন্না স্না থোং লুপা পৌরোন থানা থোংবু থিহুনা থমলে ।। রাংব্রেনবু (খাপুংলেন খবনিংথৌ) মিংহন্দুনা মিংথৈবু (খমহিংচি) লৈহন্দুনা লৈথম্লগা লাইমিংথোইবু লোক লোমদা লাক্লে ।। লুতুং পরম্বু মাংলম চন্না থোয়েংনা মুঙ্গী লাইশংবু য়াস্তুনা থারে লৈগদবা লাইগী মমিংবু য়াংলে রাংব্রেনগী মচা ওইনা শাথোকহনগে পাইমা মরিন থারনি লাক্লা তমখিরগনি কাইনা হুম্লে ইঅ রাখম্না শাথোকনহৈঙৌগী মমাদা মখুম শংলেনগা লাইমিংগবু লৈতন্না য়াংলে ।। মবিন থারনি (খানা চাওবা লৈয়াস্তুনা থাহিংসনা সিংথিরেন) = নৌমুবা মিংহিংচি) লৈহন লৈয়াং লৈতম্না লৈথমলমক্লে ।। X

থাঙ্গা উরাল্লক্তুনা চীঙ্গী লৈহৌনা লৈয়াং লৈথম্লখিবা পরম থোংলমগা লৈয়েংনরক্তুনা থুবম্বু লৈংকাং লৈথম্লবা লৈয়েংলে ।। মপারি লাইমিংথোইগী রাখন লুতুঙ্গী থোয়েংনা শিঙ্খাবা তৌওমদবা মথৌনবু অকি তুজুং লৈতনা থোওম্লবা থোপুবা পরম থোরম খুদিংমক্তা শাফা থোয়াংববু উবদা লৈশিরেনগা মরু অতিয়াগনা লাকতুনা হায় — পারি লাইমিংথোই সনাহন, পারি ইচানা লোইবী চীংশাংনা যাইগে খরিবু শিনবা থুংনা পরশাবিরে, অতুবু কনা মুঙ্গাদমকতবু লৈতম্না শানবো? চীংলেন খুদিংদা লৈঙাক লাইবু লুতুঙ্গী লুমাঙ্গী লৈয়েং লৈয়াং লৈথম্না লৈশেবাক্লা য়াইফংনবা লৈশেমনা লৈথম্বীরে অশিবু কনাগী দমক ।। মরু নচা ঐদি থংদে কনা মুঙ্গী দমক্লো, মরু অনিনা নোংদম্বীসি নয়াথংবু নচানা থোপুজবনি থোওম্নবা লৈশনবদি মরুনা লৈশিনবিবনি ।। পারি লাইমিংথোই চীংলেন খুদিং অশিদা নমা লৈশিরেনগা নপা ঐগা ঐথোই অনিগী খুবম্বু লৈয়াং লৈতম্নবু থাবিও নপা ঐবু লৈজগে পারি নখোজান্দগী ।। মরুগী পওশা তাবদা লাইমিংথোইনা মরু অনিগী লৈকমদা মরু অনিগী সনা চীংগোনলাংদি অসিনি, অসিদগু নত্তনা চীংলেন পুথগু মরু অতিম্নাগী ফম্বী কম্বাল ঙাকতনি — ফেরা কাওপচন, মিংয়েংসেনা চেংলজ শাকাইলোনবগুন, পুফংলমতান হাইবা অসিদা অহিং লিক্লা ঙাক্তবা মুংখিল লিক্লা কংদুবা, অচুবম্না খোদবা অশাননা ফংদবা অশিদা য়াতারিবা লাইমিংথোই পোইরে পুক্নমাং নিংহুনগনু, তেনৌ চিদা হায়হনগনু, পোইরে খুনজওও লৈটাওববু কুবি নোংদম্না চীঙ্গী মিংথোই মপুরেল ওইনা লৈশু লৈফম্না লৈবিও সনা মিংলেনবু (হে থোইয়ুম শিদবী শিদবও) নঙ্গী দমকপু লাংজরি লৌবিও লৈরাংনহুনা লৈহল্লে ।। ×

লাইমিংথোইনা মরুগী নোংদম থোপুনা অমুক নৌহৌনা শেলোই মতাই লংমাইসনলেন পাত্তগী হৌরক্কুনা পুমলেন্দা থুংলে ।। লৈকম অসিদগী লাক্কুনা লেংজাক খরোই কুদা খুং লে ।। চীংশা নাপোম ১২ শুনা লৈহ পা থমলে ।। মমিংবু (চীংখুচাও) লৈরম্লে ।। পাংশোইদগী হাইজরেংনা চিংথাংলক্কুনা পারুমপিরগী খুজাপ থাংনকাং খুয়ো চাখাং মরুবগী লুগী শোইমাংদা থাং (ম্বাই য়োইবা) চংঙেদা থাং অথোবদুদি অশাবা কৌদুনা থাং অহুনা লুমথক্তা কাখৎলক্লে হায়দুনা লুতুংদা চীংলেন অশিবু থোথোকপু লৈরেৌনা (থাংবু কায়ে = থাংকাবা চীং) থাক হারনা মিংশোংনখ্রবা চীংনে ।। চীংমদি চীংখুচাওবনি ।। চীংনাপোম্না অরাং পাংনা থমলে ।। চীং মপুক্তা মখা পাংনা থমলে ।। অদৈ মকোক ২ র তিম্না থমলে ।। নাত্তোন মখুন অহোবা অনিবু লাইনা লৈবা মকমদা শেমদুনা কাম্লে ।। লৈবাক্কি খুণ্ডাও লৈচাওনবা শেমলমলে ।। লাইমিংথোইনা চীং মৈত্তোনবু লোংপোক পাংনা লাক্কুনা লাইমিংবু (করা সিংচুও হৌরো) হায়না লৈহন্না থমলে ।। খুতুং অনিবু (খোই মনাই চীং) মিংহন্না খুতুং ওইবু থমলে ।। হায়জরেং থংবা চীংজিন্না খুতুংয়েংপু শেমলে ।। খুমাং য়েংপু পুথ্রশ্বী চীংদোন নিংহন্না থমলে ।। ওইথংবা খুমাংবু (চীংলক চীংজিন) মিংহন্না থমলে ।। ময়াংদি মথবাক্তা চীক্কুনা থমলে ।। লোইশাং শংলেন লৈয়াংলে ।। অহুগী লোক অনিদা মমিং অনিবু পাম্লে ।। চীংজেন্না খোইদৌনে, অমনা হাওবিজম চিংচেনতা) ওইরে ।। লাইমিংবু হেলোইপু রাওবা), নোংপুরাওবা নিংহন্না থমলে ।। ✽

থা মৈরপু উরান্দুনা খুরম অমা য়াংলে, (থ) লাইয়েক্কা নাওয়োমদুনা লাই পাখং অমা শাথোক্লে মমিংবু (খম্বাংবা) মিংহন্না লৈফম্বু শিমদুনা থমলে ।। খাদা পনশা ৯ বু পনশাবা লোইহন্না খাগী অরাং থোংবু পনথিংবা লোইহনলে ।। লাইমিংথোইনা অমুক হাখক্লে নোংদম থোঁদা থোপুশিবু করিমুংবু থোরাংশিবনো কোইনা অমুক লনয়েংলক্লে ।। মাইগে ৪ লৈয়াং লৈথিংবদি লোইরে অহুবু লুতুংগী দমকতা মরকতা লৈচাই লৈ অনথিবা চীংশা নাপোম থরদি রাংলিদনা অহুদি লৈয়াংকদবা মথৈদি য়াংলম্বা তাম্লিখোইরে হায়না অমা অমুক হৌনা শেমলে ।। লৈফম্বু খোইয়ুম চীং ' ' লাইয়োং চীং কৌনা মিংকম্লে ।। অরাং পাংবা চীংয়াইদগী লোক অমা য়াংলে ।। মমিংবু থাংলোক কৌনা উমৈবু মোংচুপ পাংশা য়াংলে ।। (থারোন লোং লৈরোক "থরোলোক") হাইরম্লে ।। থা পাংবা চীংয়াংগী নাপোমদা (মুংতারে পুখুদা) থানা য়াংলে ।। মুং অমনি অকহং লাইরৈকপু য়াংলে ।। মুং অমদি সং লাইয়েককী লৈফম্বু য়াংলে ।। মুং অমদি কৌং লাইয়েকপু য়াংলে ।। মুং অমদি মুং লাইয়েকপু য়াংলে ।। মুং অমদি উং লাইয়েকপু য়াংলে ।। মুং অমদি ঙা লাইয়েকপু য়াংলে ।। মুং অমবা (নং) লাইয়েকপু য়াংদুনা লৈফম্ব য়াংদুনা থনম্মে ।। খোইয়ুম চীংগী লাইবিংবু

(হুং হিং রং রিং চীং চিংলবা) লৈহুম্লে ।। খোইয়ুম চীংগী লেমফূদা লাইরৈমা শিদবী-গী লৈকম অমা য়াজুনা থমলে ।। নোংচুপ পাংবা থায়োন লোক্তি চীংদোন্দগী সনা লমজৈ (৬৮) বু ওনথোক্লগা লাইকোম অমা য়াজুনা থমলে, লাইকোম্বু (লাইলোই মাঙুক কোম) হায়না থমলে ।। খোইয়ুম চীংদা চংবদা য়াইফংনবা লৈয়ো লৈচাইনা খোই-য়ুম চীংগী লাইমিংবু হায়নহুনা লৈবাকপু চাইহুনা চংনবা লৈয়ৌফম্বু চীংচিন অমা য়াংলে, মমিংবু লাইপথ্রা চিংজিন লৈহুম্না য়াংলে । চীংখোংদা শামুশাবা ফুং অমা য়াংলে মমিংবু (সহিং) কৌনা থমলে ।। থায়োনলোং লৈয়োককী মফুংদা খোইয়ুমগী (ফুংশি মীপোক-লেন কোল্লিংবা) লাইগিবু খুবম থাজুনা শাখোক লৈথমলে ।। লাইলোই মাঙুককেন গা লৈতিন তিল থানা লৈয়াং লৈথমলে ।। মঙম্বু লৈমা লৈবাক পীবা য়ুমদিনগা হায়না মপু খোকওম্বা লৈহাপনা থমলে ।।×

লাইমিংথোইনা খোইয়ুম চীংবু য়াংপা লোইরগে য়াথন্দুনা য়েংবদা পরম কৈথাবা অমা লৈয়াংলমলে ।। ইদঃ অসিদি মঙম্বু লৈহক্লা লৈঙমদোরিবা কমিনো কংলৈ পুংমাইয়োন লৈবাক অসিবু ইথ্রমহুনা লৈঙম্বা মশকপু খুত্তাক লৈতাক্লহুনা লৈফম্বু কোইজাইনবা পরম অমগু ওইদোরিনা অহুগা লৈসাক অশিদা লৈঙম্বা খোইয়ুম মথৌনা চংফম অসিদা লৈথুপনহুনা লৈথাংনগদোবা পরম অমবু লৈঙা লৈফম ওইনা থোকওম্লিন', অহুদি লৈকম অসি হুক্চাং অমগী মশকপু লৈ-হাপ লনদবা য়াদবা লৈফমনিদনা থংলক্লনা খোইয়ুম চীংবু হকচাঙী পরম্বু লৈহাপ্না শাখোক্লনা লৈথম্লবা অমুক হুম্না য়াংলে ।। শানাচি হায়না নাত্তোন পাল্লে ।। চীংখোং হায়না নাত্তোন নাকচী অনিবু হাপলে ।। চীংদোন কৌনা নাত্তোন মত্তোন্দা লৈহাপলে ।। চীংয়াংদা নাথাং অচেংবা থমলে ।। শিদনাদনবা লৈফম ৪ ৭ লৈহাপ লৈপাল্লে ।। মানাহান চাঙী চীংশাং মথক্তা উ-ম্বা নাপী শিংবী শোইহল্লে ।। লোক ৪ য়াংলে ।। হিদেন ১২ থাল্লে ।। চীং-শাং ৪ থাইরে ।। উমং মরি শেমলে ।। খোইয়ুম চীংদা লাংজিং = লাম্লোইচীঙী লৈবাকা চীংথাঙী লৈকমগা, নোংপোক লৈহৌচীঙী লৈবাকক্তা, কুকমচীং = লালোনগা, লমহাংপুংগা, থাংজিং চীঙী লৈকমগা, লাংথাক চীংচেঙা, চীংঙাকচীংনে, পীতমচীংনে, চীংখুচীঙা, সনাচীং লুপাচীং, পীথ্রাইচীং, কোকওৌচীং য়ুমজাও কায়নগা, চীংথম চীংনে, চীংলেন পুম্বগী চীং-দোনগা, তিজু লৈতিন লৈকায়া লৈথমলে ।।×

লৈয়োইরগে হাইহুনা লাইমিংথোইনা চীংলেনবু কৌইনা য়েংবদা থরাই লৈঙদে হাযোই হাপচংমহুনা লৈঙম্মি, হিঃ মশিঙি কম্লিবু য়াংপনো য়াথম্লে ।। অসিবু লৈহাপ্তে হাইরিবোইরে হাইহুনা থায়োনলোং লৈয়োককী থা পুংবা চীঙী চীংকুকতা লৈশিমেন লৈপুনবী অতিয়া মরু শিদবগা মরু অনিগী খুম্বম্বু লৈয়াগুনা ফুং খুদা অমা (জিল্লমকোনচীং) পাংনা মাইয়োন

লৈথারে ॥ খুবম্ভু লৈয়াংথদা মক অনিনা শাথোরক্তুনা হাই পারি লাইমিংথোই পারি ইচানা লৈয়াং লৈথম্বা লৈকম অসিদা ভিলুথা শাথুশকদবশু লৈরাংলি, কৈদোম মরিগী লৈম্নুংদা অরোইবা কৈদোমগী লৈম্নুংদা শাথুপতুনা পারি ইচাগা ভিলু লৈথানা লৈগদবনি অতুবু পারি ইচানা লৈকম অশিবু খোইয়ুম লাইগী ওইবা কৈদোম মরিদা লৈচল শিংহাপতবা (হৈয়ম চাক) অসিদা লৈহৌনা খুবম্ভু লৈযাংকে লৈথম্বা শৈংহৌগে রাথনতনা লৈযাংলমংলে পরম অতুশু কাইদনবা নোংদম্বা উংলো য়াইবিরেল লেংদ মাংবনা নোংদমলক্তুনা লৈথমলবা ওইশনু। অতুগা লৈকম অসিবু লৈবাক অসিদা লৈরম্বা খোংময় শিঙ্গী শাংবোং শাথপকম ওইনা পারি ইচানশু লুতুংনা মাংলমচং থানা রাথনবু লৈথম্বা লৈথোন লৈযাং লৈলমংলি চীংলেন অসিবু চাদানশুদোম্না লৈশিবদা লৈথংজনবা হকচাং হাইবশে পরম লৈশক অনিনা লেংতিল্লগা ওইহেনি থংজনা হামচং হামমোইলবিবা পুম্ব থরাইবু মিকৌ থাকৌনা লৈঙ্গ পকুং লৈথম্না পারি ইচানা শী নে দম্না লৈহাপ লৈরম্না তৌভম্ নোংদমলগা মক অনিবু কৌ কংলৈদা নজিনথ্রে ॥২

লাইমিংথোইনা হাই, থৌদাবু থৌপুনা হৈয়ম খোইয়ুম চীং নঙ্গী হকচাংনা ওইববু ৬ গে খম্ব, 'শিম্লা লিং' পোরারেদা শিংনা চন পোক্ক, লুনা তোবু পোক্ক, তোংনা উনবু তোপ্র, উমাভবু পোক্ক, অতু নুঙ্গিবু চীংলেন নঙ্গী ইপাল্লাংদা উ, রা, উরি, রারী শাহুথাংলন শাগী শিংগী পোকুনা তৌরিবা অশিবু (তু তুশিকা, য়েক শ্রুং শ্রুং সিক্ক হাং, উনা চকনা) হায়না তৌনি থংলো শিন্নম্বা লাইনম্বা লৈবা খিবিক, মত্তু মকাপ ফগদা লৈনিক মাংহনবা নোংদম্বনা হানমশা পাওশাবগা চীংযাদা থুক লৈজনা কুন্দুনা লাখায় ॥ (হাই তিনশঙলেন তিংচাংলেন কোক থৌবদি হৈপোপ কৌয়ে, হৈপোপ থৌবদি শোবারেল কৌযে, শোরারেল কৌবদি মারেল অতম শেবাক অনিয়াবু ফাবা রান শেই লাং ফাবনি) হাইনা থা ফৌবা খোইনম চিঙ্গা য়াকমদা, নিংশাদা মচিন্দা) পাওশাগ্র। ত নল খোইবিদাম্বা নশিংদি লৈরী ওইবা শুলং লেলা তৌনা ওনা) হায়না পাওশানা শিনান, হানা, যাফমনে লৈহম অতম শানিদ অমুক (লাংস খাইথোম পুং লাংচাপুং নশিংবু চাহি হিংগত কৌগ্র) পাওশানবদা খোইয়ুম চীংলেন মানা হাই, মউভনিক, মশা মউ লোংওমলে, থরাইদি লৈতাদ লাইমিংথোইনা খোইয়ুম চীংলেন মানা হাই, মউভনিক, মশা মউ লংওম্লে, থরাইদি লৈতাদে লাইমিংথোইনা খোইয়ুম চীংলেনগী লেমফুদা লৈহাপ লৈকাম ল ॥ থরাই মঙামক চিগা থানা ককমক হয়ি অতুম্যক হৈপোক্কা থোংনা পুববু লরাই লেনকু হৈরে, হৈপোক কৌরে, হৈপোক্ক কৌবদি শোরারেল্লি লাইয়িংথৌ লৈমনে, হিক হিক হিকশা ওব ॥ থরাই মিহিংবু চীংলেন লৈকম শনা লৈকুমাল, অমুক চীংলেনগী খোইদোদা (তিংঙা তিনশংলেন কৌগ্র ওয়া পাওশানা লৈফম লৈহনা লেফমলে ॥ লাইমিংথোইগী খুত্তোন

মঙাদা পাওশাইএ হে ইবুংঙো মপা মপু লৈথংবা নমিংবু লৈনুং কোনচিলাংম্না কৌবা: নহ,ক্লা কংলৈপুংমাইয়োম্নে, খোইদৌনা হোগ.ইবীনে, নমৈনা স্নাথোংনে, নমৈ মৈতোন্না কোনশিনবিও, তোম্বা মৈশাংবা তাংজা লুপাংবা নমৈবু নয়ানা চিক্লা কোন্দুনা লৈবা নমিংবু হোমনিক মুক্লা কৌবা হোচিক কৌবা ইবুংঙো চেপফদে লোংফদে মবা লেনফু লৈতানা লৈহল্লো ৺ল্লা পাওশানা চীংলেনপী খোইদা নমদুনা লৈফা লৈথম্লম্লে ।। ×

লৈফম অসিব মিকু থানবা পুং অমা শেম্লে ।। খোইযুম হৈ:পাক চিংবু মিকু থানবা পুংবু নোংহুমশংদা তিলু থাদুনা পুঙ্গী মমিংবু (ঈশুমপুং থাকৌনা ফুংশিং লমগী চুক থইনা থমলে ।। পুং অসিগী মথক্তা লাইমিংথোইনা চুক থারে ।। মতুদা হাইবদি পুঙ্গী মথোংদা (ওক্লাই অমগা শল্লাই অমগা, লনলাই লমলেন য়ারা পাওশাবা) অমগা থোক্তুনা চোংথোক্তুনা লৈরে ।। হিং মশিদি করিনো লুতুংদা হায়গদবা তাক্কদনা রাবু হৌজিক্, শাদোক্তুনা হাইবরা নমুং মতম লৈরাংলি থোকফদে হাইতুনা লাইমিংথোইনা হু ৬ থক লৌকরগা লাইমিংবু (স্নাচিং তম্বেং চিহিংনপ) লৈহুন্না লেংগম্লু থোকখিনু হাইতুনা ফুংহুনা নংদুনা ফাত্তুনা লৈথম্লে ।। ^

পুং অমা অমূক শেম্লতুনা থাংজিং চিংবু মিকু থানবা খুবম্ব, য়াংলে, পুঙ্গী মমিংবু (চিংংই) পুং (ওম রং হরংচি) লৈহুন্না শেমলে ।। চীংমাই নোংপোক থংবদা নোংপোক অ.াম্বগী খুবম অমা য়াত্তুনা থম্বিরে । থোবম্ব, লৈশিরেন্না উরে. চীঃ লাইমিংথোই ইচাগী খোঙম অসিদি লুতুঙ্গী ফালম্বু থোয়েংনা খুবম য়াত্তুনা লৈথম্বীনবা থোঙম্ব থোপুনবিনা মশিদি ইচাগী থোপুবদ ঙংঙাইনবা মনা ঐগী লাথুপ্পা ফালম লৈশানগদবা পরম মখৈদি মমা অনা তেংবাংবা ওাই রাগল্লক্‌না লৈফম অসিদা লাকতুনা হাই- লাইমিংথোই পারি ইচানা খুবম লৈয়াং লৈথম্বা অসবু নমা ঐগীশু লাথপ লাবৈ লৈয়েংনা লৈখাইনা লৈফম্ব লৈযাংনবিবু. নচিন ননাও পন্থৌ নপা নচা অতমগী ফালম লাবৈ লাথুপ্পা নমা ঐবু য়াওহল্লাই হাইবরা ? নমা ঐগীশু নোংদম্লা লেয়াং লৈথম্লবিযু ।। পলেমগী লৈফম্ব লৈয়াং লৈথনদবা নচক্কল ।। চীংগু লাইরেম্বী শাথোক শাদম্লা লুতুঙ্গী পবমগীদমক্না নচানা লৈযাং লৈথমজবাদা ইঙ্গুং ইতম ইনাং নত্তবরা তৌজবনি ।। পারি ইচানা নোংদম্লা লাইমিং য়ারা লৈহুন্না লৈয়াং লৈথম্লম্বদো লুতুঙ্গী লাথুপ্প থোপুনা নমা ঐনা লাথুপ লাবৈ থোপুগনি লাইমিং মিহুন লৈতম্বা থোকাওদনা শাদম শাথোক্লগনি লৈফম অসিমক্তদা লাইম্নরা লাইরেম্বী ৭ কী লৈথম্লবা লৈয়াং লৈথমনবিও পাওশানা লৈশিরেন্না লংহুনরা লাইরেম্বী ৭ পু শাখোক্লা শাফোং লৈথম্লে ।। পলেম মমাগী য়াথং থোপুনা লৈফম্ব (তমফা স্নাওইবী) মিংহুম্না লাইরেম্বী ৭ কী খুবম্বু লৈয়াং লৈথম্বা হৌরে । মথা থংবদা লাইগী শংলেন য়ুমফম অমা য়াংলে ।। চীংদোন্দা

লৈথারে ।। থুবম্বু লৈয়াংনদা মক অনিনা শাথোরক্লুনা হাই পারি লাইমিংথোই পারি ইচানা লৈয়াং লৈথম্বা লৈফম অসিদা তিলুথা শাথুংকদবশু লৈরাংলি, ফৈদোম মরিগী লৈন্নুংদা অয়োইবা ফৈদোমগী লৈন্নুংদা শাথুপতুনা পাবি ইচাগা তিলু লৈথানা লৈগদবনি অতুবু পারি ইচানা লৈফম অশিবু খোইয়ুম লাইগী ওইবা ফৈদোম মরিদা লৈচল শিংহাপতবা (হৈয়ম চাক) অসিদা লৈহৌনা থুবম্ব লৈয়াংকে লৈথম্বা লৈহৌগে রাথনতনা লৈয়াংলমলে পরম অতুশু কাইদনবা নোংদম্বা উংলো য়াইবিরেল লেংদ মাংনবনা নোংদমলক্লুনা লৈথমলবা ওইশনু। অতুগা লৈফম অসিবু লৈবাক অসিদা লৈরম্বা খোইয়ুম শিঙ্গী শারোং শাথুপফম ওইনা পাবি ইচানশু লুতুংনা মাংলমচৎ থানা রাথনবু লৈথম্বা লৈথোন লৈয়াং লৈথমখিনি চীংলেন অসিবু চাদোন শুদোম্না লৈদিবদা লৈথংজনবা হকচাং তাইবশে পরম লৈশক অসিনা লেংম্লগা ওইংনি খংজনবা হামচৎ হামমাইনরিবা পুম্ব থবাইবু মিকো থাকোনা লৈহাপত্রা লৈবম্নবা পাবি ইচানা ফুবি নেংদম্না লৈহাপ লৈয়েম্না তৌভম্, নোংদমলগা মরু অনিবু থৌ কংলৈদা অনজিনখে ।।৪

লাইমিংথোইনা হাই, থৌদাবু থৌপনা হৈয়ম খোইয়ুম চীং নঙ্গী হকচাংনা ওইববু হাংগো থংও, শিঙ্গা শিংবু পোৎক্লদা শিংনা মরব পোক্রে, লুনা তোরবু পোক্লে, তোংনা উনবু পোক্রে, অনাপুবু পোকে, শাত নুঙ্গবু চীংলেন নঙ্গী হপাল্লাংদা ঙ, রা, উবি, রাবী শান্তু-য়াঙ্গন শামী শিংবা পোক্লুনা হৌরিব। অশিবু (তু তুশিকা, য়েক শ্রুং শ্রং লিঙ্ক হাই, শানা দকবা) তথনা কৌবনি থংলো শিন্নম্বা লাইনম্বা লৈবা খিবিক, মত্ত মকাপ মথবা লৈশক মাংহনাপ্পা নোংদম্বনা হাবনসি” পাওশারগা চীংযাংদা থুক লৈতানা কুন্দুনা লোখয় ।। (হাই তিনশঙলন তিনলাংলেন কোক কৌবদি হৈপোপ কোয়, হৈপোপ কৌবদি শোরাবেল কোয়, শোরাবেল কৌবদি মাবেল অতুম লৈবাক অতিয়াবু ফাব থানে শনাই লংবু ফাবনি) হাইনা থাংমীগা খোইয়ুম শিঙ্গা থাকনন, নিংশাদা মচিন্দা) পাও-শাএ। ও নম খোইবিচাম্বা নাংদি শবৈ হৌন শুলা লৈনা কৌন ওনা) হায়না পাও-শানা শিংলে যানে, যাহমনে লৈফম অতম তাংদ অমুক (লাংসং খাইথোম পুং লাং-চমুং নবিংবু চাক্তি তিংলক কোং) পাওশানবদা খোইয়ুম চীংলেন মানা হাই, মঙৈনিক, মশা মউ লোখলে, থনাইনি লৈতাংদ লাইমিংথোইনা খোইয়ুম চীংলেন মানা হাই, মঙৈনিক, মশা মউ লংওমল, থনাইদি লৈতোংদে লাইমিংথোইনা খোইয়ুম চীংলেনগী লেমফুদা লৈহাপ লৈ-কাখল ।। থরাই মঙামক শিগা থানা ওক্ককমক হয়ি অতুম্মক হৈপোক্তা থোংনা পুববু শরাই লেনবু হৈরেব, হৈপোক কোয়ে, হৈপোক কৌবদি শোরারেন্নি লাইয়িংথো লৈমনে, হিক হিক তিকথা ওবা ।। থরাই মিহিবু চীংলেন লৈফম শুনা লৈবুমংনা, অমুক চীংলেনগী খোইদোদা (তিনঙাং তিনশংলেন কোএ ওয়া পাওশানা লৈথবু লৈখুংনা লেখনলে ।। লাইমিংথোইগী খুত্তোন

মঙাদা পাওশাইএ হে ইবুংঙো মপা মপু লৈথংবা নমিংবু লৈমুং কোনচিলাংমা কৌবা: নহাক্কা কংলৈপুংমাইয়োম্নে, খোইদৌনা হোগাইবীনে, নমৈনা স্নাথোংনে, নমৈ মৈতোন্না কোনশিনবিও, তোম্বা মৈশাংবা তাংজা লুপাংবা নমৈবু নয়ানা চিক্না কোন্দুনা লৈবা, নমিংবু হোমনিক মুক্কা কৌবা হোচিক কৌবা ইবুংঙো চেপফদে লোংফদে মরা লেনফু লৈতানা লৈহল্লো ওরা পাওশানা চীংলেনপী খোইদা নমতুনা লৈফ লৈথম্নে ।। ×

লৈকম অসিব মিকু থানবা পুং অমা শেম্নে ।। খোইযুম হৈপোক চিংবু মিকু থানবা পুংবু নোংচুমশংদা তিলু থাচুনা পুঙ্গী মমিংবু (পীশুমপুং থাকৌনা কুংশিং লমগী চুক ওইনা থমলে ।। পুং অসিগী মথক্কা লাইমিংথোইনা চুক থাম্নে ।। মতুদা হাইবদি পুঙ্গী মখোংদা (ওক্রাই অমগা শল্লাই অমগা, লনলাই লমলোন য়াব্রা পাওশাবা) অমগা থোক্তুনা চোংথোক্‌তুনা লৈরে ।। হিং মশিংদি করিনো লুতুংদা হায়গদবা তাকদবা রাবু হৌক্লিক্কা, শাদাকতুনা হাইবরা ঃনুং মতম কৈরাংলি থোকফদে হাইতুনা লাইমিংথোইনা মুং ৬ থক লোক্ররগা লাই মিংবু (স্নাচিং তম্নেং চিহিংনপ) লৈতুন্না লেংগম্নু থোকখিন্নু হাইতুনা মুংতুনা নন্দুনা ফাহনা লৈথম্নে ।। ×

পুং অমা অমূক শেমতুনা থাংজিং চিংবু মিকু থানবা খুবম্বু য়াংলে, পুঙ্গী মমিংবু (চিংডাক) পুং (ওম রং হরংচি) লৈতুন্না শেমলে ।। চীংমাই নোংপোক থংবদা নোংপোক অনাখ্বগী খুবম অমা য়াত্তুনা থম্বিরে । থৌরম্ব লৈশিরেন্না উম্নে, হীঃ লাইমিংথোই ইচাগী খোউম অসিদি লুতুঙ্গী ফালম্বু থৌয়েংনা খুবম য়াত্তুনা লৈথম্বীনবা খোউম্ব থৌপুনরিনা মশিংদি ইচাগী থৌপুবদ, কুংঙাইনবা মন ঐগী লাথুপ্পা ফালম লৈশানগদবা পরম মথৌদি মমা ঙনা তেংবাংবা ওাই রাথল্লক্তুনা লৈফম অসিদা লাকতুনা হাই- লাইমিংথোই পারি ইচানা খুবম্ব লৈয়াং লৈথম্বা অসবু নমা ঐগীশু লাথুপ লাবৈ লৈয়েংনা লৈখাইনা লৈফম্বু লৈয়াংনবিযু, নচিন ননাও পম্বৌ নপা নচা অহুমগী ফালম লাবৈ লাথুপ্পা নমা ঐবু য়াওহল্লাই হাইবৰা ? নমা ঐগীশু নোংদম্না লৈয়াং লৈথম্নবিযু । পলেমগী লৈফম্বু লৈয়াং লৈথনদবা নচাজেল ।। চীংঙু লাইরেম্বী শাথোক শাদম্না লুতুঙ্গী পরমগীদমক্তা নচানা লৈয়াং লৈথমজবদো ইঙ্গুং ইতম ইনাং নম্ভবরা তৌজবনি ।। পারি ইচানা নোংদম্না লাইমিং য়ারা লৈতুন্না লৈয়াং লৈথম্নম্বদো লুতুঙ্গী লাথুপ্প থৌপুনা নমা ঐনা লাথুপ লাবৈ থৌপুগনি লাইমিং মিতুন লৈতম্বা থৌরাওদনা শাদম শাথোক্লগনি লৈফম অসিমক্তদা লাইমুরা লাইরেম্বী ৭ কী লৈতম্নবা লৈয়াং লৈথম্নবিও পাওশানা লৈশিরেন্না লংইমুরা লাইরেম্বী ৭ পু শাথোক্কা শাফোং লৈথম্নে ।। পলেম মমাগী য়াথং থৌপুম্না লৈফম্ব (তমফা য়াওইবী) মিংহুম্না লাইরেম্বী ৭ কী খুবম্বু লৈয়াং লৈথম্বা হোরে । মথা থংবদা লাইগী শংলেন য়ুমফম অমা য়াংলে ।। চীংদোন্দা

লাংচৈ পন্দ্‌না য়ুংলে।। শাথোক্লগদবা থৌয়েংনা খুদা (মুং অঙৌবা) অম্না থাত্নুনা য়াংলে, লাইমুরা লাইরেম্বীগী মমিংবু (পাম্থোইবী লাংমা ভরেংয়ি) লৈহুন্না থমলে। লাইমুরা লাইরেম্বী ৭কী লাইমিংবু (মা মহা মনিক চীংলেনথোম্বী) লৈহুন্না য়াত্তুনা থমলে। নোংপোক পাম্থোইবীবু পীং পীং সংতরেংহীংবী লৈহুন্না য়াত্তুনা থম্মে। পাম্থোইবীগী খুবম মনাক্তা য়োংকী চৈশুবু লৈথম্বীহুনা লুহুংদা লৈপায় লৈথম্নবা য়াত্তুনা থমলে।। চৈংঙাক চীংবু লোয়নবা লৈশিন্নহুনা লৈথম্বা লাইমুরা লাইরেম্বীগী মমিংবু (চীংঙাক লৈমা—লোইহীংনপ মিহিংফা) মিংহুন্না মথুংগু লৈ অমা কোরিগী মগক্তা শেমহুনা (কোরীগী লাং অহু) লৈবাক্তা খুহুপ ৬ লুনা ফুমহুনা লাংবু থাক্নুনা থমহল্লে।। নোংপোক্কী চীংদোন্দা লৈবা লাংচৈগী নাপোম লাইচি পাংবদা (ঈশিং থোকপা) লৈফম অমা য়াত্তুনা থমলে।। চীংথক চীংয়ংগী মতোন্দা চীঙ্গী লাহ নিংথৌগী শঙ্গাই শানবা য়াত্তুনা মালেমদা খুহুপ ৬কা কাপ্‌লেন অমা লুনা (লিক্লাই য়ুম্বী ওইনবা) যুম্বী ১২ বু ফুমহুনা থম্মে। নোংচুপ থংবদা (কাপু কাপ্লেনবু) থাক্নুনা মুংথোং থিংলে।। মনাক্তা খোইযুম লাইথোং থিন্দুনা) থম্মে। লৈবাক্কী করোংগু নোংথৌগী করোংগু অনিমকপু লাপ্পদনা য়ুংহুনা থমলে।। লৈফম অসিগী নোংচুপ পাংবদা (চুক্লেন লাইয়েক) অহুম খুহুপ মরি লুনা লৈমুংদা খুম্মে।। মনাক্তা লাইমিংথোহ থাংজিঙ্গী সনাথাং, (চংগোইবু, শ্নাগী চৈশু, শ্নাগী কাংচপ), পু খুহুপ অহুম কাপ্লেন অমা লুনা য়াত্তুনা থম্মে।। থাংজিং লাইনিংথৌগী লাইমিংবু চীংঙারেল নোংলেনচী) থাকোনা লৈহুন্না থমলে।। শঙ্গাইগী মথা পাংবদা পাং অমা শেমলে মমিংবু (ভাংলেনপাং) মিংহুন্না য়াংলে।। লৈফম অসিগী পুংলেন চীংঙাক কোবদা থাংজিঙ্গী মিকু চীংনে।। চীংঙাকী লৈচংবু (চৌপুংদা) থম্মে।। লাইয়েকপু (র) না নাওযোম থারে।। রাইথৌ খমপুং চীংশাংবু লৈথম্নক্নুনা চীংখু কোবা লৈফম অমা শাথোক্নুনা চীংগী চীংখাংদা (লালু খেল অমা) য়াত্তুনা থম্মে।। চীংদোন্দা (ভাকলৌ থোংবু) পান্দ্‌না লাইমিংবু (যারেম নাওকন রাংশুবা মুবা নাওমিহিংচি) থাকোনা থমলে।। করি করাবু রাংজিবা লৈরোইবা য়াদবশিবু হায়না কোয়না য়েংদা (চীংথাং থাংতেক) কোবা লম অমা য়াত্তুনা থমলে চীংথক্তা (শোরা) অহুন পাল্লে থোযুম অহুম শা থাক্নুনা মমাই মাইয়োক্নহন্দ্‌না লাইমিংবু (লৈকানপলাইফা) থাকোনা লৈবাক্তা নিল্লবা লৈবাক্তা অরা লৈথম তানফংমল্লবদা ইরাং লৈগিন্দুনা ত।
লৈকোক্লব লৈয়াং লৈথমলে। x

চীংথম কোবা হখোংদা—চীঙ্গী মবিন্দা লৈহন্না লাইমিংথোইবু খোংদারক্নুনা য়েংহুনা লাকপদা লাই অমা শাথোক্নুনা লৈরম্মে, লাই অসিবু উবদা লাইমিংথোইনা লৌখামহুনা লাইমিংবু (মিগুংলেন মিংহুন্না মুংনা নন্দুনা থমলে।। চীংয়াইদা খুবম অমা য়াত্তুনা লাইনিংথৌবু লাইমিং (হিংশ্না মিরেন খোম্বা) লৈহুন্না থমলে।। চীংমাইদা লাইরেম্বী অহুমগী লাইমিংবু (মিহিংলেন মিথোয়্) লৈহুন্না লৈহাপ লৈথমলে।। লৈফম অসিদগী হাওকপ উরাল্লক্নুনা

ফুনালচীং য়োরকলে।। হাওকপ চীংদোন্দা লাইকোম অমা য়াংলে।। কোমতুগী মন্নুংদা থাঙগী মকোই মানবা লাই অমা শাথোক্তুনা লৈথমলে।। চীংকোক্তা (তোকপা লাই) অমা শাথোক্তুনা লৈথমলে।। চীংমাইদা লাইরেম্বীগী খুবম অমা য়াত্তুনা থমলে।। চীংখোংদা (লিরুং তেনশুবা) লাই অমা শাথোক্তুনা খুবম অমা য়াত্তুনা লাইমিংবু (ফুরা) মিংথুম্না থমলে।। চীংদোন্দগু (ফুরা লিরুংতেন তেনশুবগী লৈফম অমগা য়াত্তুনা লৈথম্বীরে। লাইগী লাইমিংবু (মিতিংলেনমিরাকপা) কৌরে, মেরুবনা (সনামিৎতোংলেন লৈথুম্না শিন্নরে।।

চীংথাংবু উরাল্লক্তুনা লাইমিংথোই অশিবনা চীংথক্তা (চীংথাং লাইরেম্বী) গী খুবম্বু য়াত্তুনা থমলে।। মনাক্তা অরাং পাংনা লাইকোম অমা য়াংলে।। চীংম্বী চীংমৈদা (লাইগী লাইয়েক পুম্না) লৈথমফম অমা য়াংলে।। চীংখোংদগু লাইগী লাইয়েকপু) চক লাংদাঙ্গী খুদিং লৈরোং লৈথমবা লৈফম (তরেৎ) অমগু য়াত্তুনা থমলে।। মনাক্তা চীং মরিনা চুক শানা থমলে।। মনাক্তা লাইকোম (কোঙ্গোন শোৗবা অমা য়াত্তুনা থমলে।। চীঙ্গী মখোংমক্তদা লাইকোম অমগু য়াত্তুনা থমলে।। কোমগী মন্নুংদা (ইথৈরেন পাখংবা) থমলে।। পাং অমগু য়াত্তুনা থমলে, অসিদা ঙাপী সনামানবী লাইমিংবু (তিংকুপ লেন ইথিংসং) মিংথুম্না থমলে।। মিংলেম মেরুববুনা (সনাসংত্রেত্তনৌবা) কৌরে।। লৈফম অসিবু লৈত্তম্লগদবনা তিম্থুং লাইথুংলবদা ইরাং থৌনিতুনা তিনশেং লাইশেংনবা নোংদম্না লৈথম্বীরে।। পুন্সি সুংশাংনবা নিংজবা খিবিকপু থুংজনবা য়াংশিবে।। পুন্সিথোং, মাওশিথোং, খেলকাথোং থোং অহুম্বু য়াৎতুনা থমলে।। নোংচুপ থংবা থোংনা শগোল্লম ওইনা লৈথমলগা লৈথোনবা লৈয়াৎপর খুখারে। লৈপী অহু লাইমিংথোইগী খুত্তা ফুজ মচা অমা লেমতুনা লৈরে, মশিবু করি মুংবু তৌশি হায়বনো, কদাইদবু থমশিবনো রাখন তোনা লৈথমফম্বু কোইনা লৈয়েং লৈথিনা লাকলে।। মচাগী রাখনবু অতিয়া শিদবনা উরতুনা থোকণ্ডমলক্তুনা লোথামতুনা হায়, পারি লাইমিংথোই লৈবাকপু য়াইফহনগে হায়তুনা পারি ইচানা লেথোম্নতুনা চীংবা পনশানা খুবম লৈয়াং লৈথম্বীতুনা লৈশাবদা লৈরেম্বা লৈবাক অসিনা লৈবাক্কী অরা লৈকোরুবা ওইনবা লৈফম অসিদা লৈথমশি, লৈফম্বু মমিং (তোরুপুং) কৌশে।। লৈফম অসিবু লৈথম্না লোইবনা চীংবা পনশাববু তোকণ্ডমথিএ খংনবা মরুগী নোংদম্বু লৈরৌতুনা অরেম্বা লৈবাকপু লৈথমতুনা লৈথোনবা লোইতুনা তোকলে।।x

মরুনা মালেম লৈতিললাংবা হৌবা

পারি ইবুংঙো লাইমিংথোই পারি ইচানা মালেম লৈশুরুবদা পারিনঙ্গী হকচাংদা মালেম লৈরিক লৈচোংনা পকওখবু নপা ঐনা উনদা নপাগী থোইজং থোইদামখ্রেদা কোরৌ অসিদগী থৌহৌনা নপা ঐগী হক্চাং লৈফম ৯ দা মালেম ইমাবু নপা ঐনা লাংথ্রগা ইশাবু লৈতিন লাংথ্রগা থৌকাওদনা ইকোক ইউ ইতুম্না, খুজিন খুয়া লৈশেংনা ইপূক ইরু মাইতাতুনা মালেম ইমাবু

লৈতিজ ফম্বাল লাংওমজগে, পাৱি নঙ্গী নশা লৈফম মাপন্দা লৈচোং লৈপকলিববু নপা ঐদা পীনৌও ।। মরুপ্পী নোংদম্বু ফংবদা লাইমিংথোই মচানা মশাগী লৈফম লাঙ্গবক য়েং ওইদগী, নাখাং— শান্নচীদগী পামবোম য়েং, ওইদগী, গুকথোং লিকশি অকুৎপদগী থবাক ময়াই শদোন লাকাদগীবু লৈপকপা মালেম্বু লৈরৌহুনা মরুপ্পী মফমদা মাইয়োক থানা লাংজয়ে ।। মরুনা খোইজং লৈতানা লৈরৌহুনা মরুপ্পী সনা হকচাংদা মালেম লৈমবু লৈরাংলগা হাই— পারি সনাহুল লৈফম অসিদা লৈওম্নবা মশক্কা পারি ঈপা ইচাগী লাইমিংবু থাকোনা থৌনি ঈরাংচরবদি পরি ইচানা শাথোক্ত্নুনা অয়েং অখোং লৈওম্বা অহুবু লৌখামহুনা তোকহনগদবনি পারি নঙ্গী নশক মম্বিংবু (চাখাবা তোক্কপুংদা লৈফম্বা ওমহে মৈচিক সনা মুংভুরিকপা) লৈহুন্না লারৈ লাথুপ অমা লৈথামা লৈথম্মু ।। পারি ইচানা কংলৈপুংদগী লৈফাত্তুনা ঈশেংখোংবু লৈথম্বা লৈফম অসিদা নশা নউবু শেংদোক থাদোক্কউ ইখোং মাবু নপা ঐনা (থানাখোং) হংগে, লৈফম অসিদো লৈথিবনা লৈথনা সনা কোঞ্জল্লাংনা থৌনিনওম্নজবা মপুক ব্রাবু অরাবা কোক্তুনা মশা মউবু লৈশেংনা লৈপাক্ববা কুবিনি, পারি নঙ্গী নওম্নি নোংদম্না লৈশুবগী লৈবাক লৈতেববু চামথোকহন্দুনা মরুগা তোক্ক পুঙ্গী মনাক খা-সস্থোংপাংবদা (ক্রুংপুং) হাইনা অতিয়া মরুপ্পী থুবম্বু য়াত্তুনা পাওশা ফম্বাল লাংমিম্নরে ।।

লাইমিংথোইগী সনা হকচাঙ্গী তুবু লৈচাইদুনা লৈফাবা পরম

ক্রুং পুংদা সনা ফম্বাল লাংমিম্নরবদা মরুনা হাই, লাইমিংথোই পারি ইচানা লৈখোনবদি লোইবিরে অহুবু লৈয়াং লৈথম্বসিবু মিকু থানাপুংদি লৈয়াংলগা মেন লৈফম অনিদংবু লৈয়াং লৈথমদা অসিবু নোংদম্বনা লৈচাই লৌশিনা লৈশেম্বদ মালেম অসিবু চুকথা লৈফান্নমদবনা মালেম্বু লৈতাদে পারি মওান চাওবনা উরেল মউ চারিলৈথাবিহুনা মালেম্বু লৈতানবা তৌবিহুনা অরাংপা মেনফম অনিসিগ লৈফম্বু য়াত্তুনা থম্বিরম্ লুতুংদা লৈয়াং লৈতম্বীনবা খোঙ্গলুম কনাবু লৈওমদে পরি ইচা নত্তনা ।। মরুপ্পী নোংদম্ব, থৌওম থৌপুনা লাক্তুনা লাইমিংথোইনা মৈরম পাংনা খোংদহুনা মেনফম অমা য়াত্তুনা লাইমিংপ্ (ভাকপা কাওচি হোংনিপা পুংমাইতেম) লৈহুন্না থমলে মেনফমদি ব্রাংব্রনগী মেন্নি) তোংবদি ঈপানৌ কোঞ্জনতুথোকপনা তোঙ্গদবনি নোংদম্না থনমলে ।। অমুক নোংচুপ পাংনা মেনফম অহুদগী খোংশান্নক্তুনা মেন লৈফম অমা য়াত্তুনা লাইমিংবু (পিজাংত্তি মোইমিং পাওলাংয়েন) কৌনা থমলে ।। মেন লৈফমদি কেগে খা জিঙ্গী মেনফম্নি তোংবদি ইশানৌ কোঞ্জল্লাংবনা তোংহুনা ফমগদবনি নোংদম্না লৈয়াং লৈথমলে ।।

মতুংদা শ্না হকচাংদা হৌবা তুবু লৈচাঙ্গনা মরু উরাং চারি লিংওম্নবা থৌহৌয়ে ।। লাইমিংথোইনা হাই, তুবু পোকপা শেম্বা লাইদি অতিয়া মরু শিদবনে, লাইমিংবু (থুপ্লংমরুব) কৌবনি হায়না মুমিং, থা, থাজা

১২ বু হাইজহুনা (ভংশেৎত্তন্না) হাইনা হকচাং লৈফমদা হৌবা ভুবু শত্ত না মালেম শিনবা থুংনা চাঙ্গখোক্লে, কংলৈপুংমাইয়োনগী য়াংবি লৈফম থুদিংদা মতিক মওম্মু শাফোংলে।। মপুক্তি মওম্না নোংথৌ থল্লে।। মানম্না লৈপাক্তা থমলে।। মিং অনিগী মওম্না হুমিং থা অনিদা থমলে। মতুগী মওম্না থোৗরাইপিচা পুম্বদা লৈথমহুনা থরাই পীচা (অপকওা খোংজোম্মুবীদা শিন্নম্রে)।। শ্না হকচাঙ্গী লিথ্‌প্প অহুমগী মওম্না য়েৎকি লিথ্‌প্পা ঔষ্নাং পনশা ইরোক ইখোং অচৌবদা অচৌবা মরুদা থমলে (তুরেল অচৌবা মরু ওইগদবা মরুদা) ময়াইগী লিথ্‌প্পা (নোংপোক চিংথৈইখোং মরুদা) থমলে।। (ঈন্নিন তুরেনবু লৈত্তৌরগদবা মরুদা) ওইথংবা লিথ্‌প্পা (থৌবা ভুরেনবু ঈরৌনবা) মরুদা থমলে। শ্না হকচাংদগী ঈনা ঈশিংদা থমলে।। মথোইনা পীশুমপুংদা থমলে।। লাইম্নিংবু চীংপুংলেন লৈহুল্লে।। খোম য়েৎ থংবনা লমহাংপুংদা থমলে। লাইমিংবু (সনা হিং ব্রানশেংপুং) লৈহুল্লে।। (মিংলংব্রান লোংপুং) লৈহুল্লে।। ওইথংবা খোম্না (কোনবা পুংদা) থমলে।। লাইম্নিংবু (মিংলংব্রানলোংপুং) লৈহুল্লে।। নিংশানা সুংশিত্তা তিল্লে।। মশিংথানা মৈদা তিল্লে।। ময়ুংবুঙ্গ পৈগনা চীংমান, লোকভাইদা থমলে।। মহাওন লৈবাক্তা চংহুনা মালেম্ব, লৈফারে।। সিঙ্গুংনা (সনাজিংদা তিল্লে)।। হুকংনা (হুনি নারো) ওইরে।। মকন মঙ্গুংনা সুংমু শিদবা মপুগী ফম্বি থুদানি।। খোংজাবীনা (সিউ) ওই।। মতু মমাম্না উদা রাদা হৌবা অপকমা ওইরে।। ময়াদি য়োৎকী মশক্তা তিল্লে।। শরুনা (মুঙ্গী) মশক্তা তিল্লে।। য়েৎকি থুংনা শিংথা পোক্লে।। ওইগী থুংনা (শিংপোপ) পোক্লে।। নাকোং অনিনা (উয়েন কংলায়ন) উদা শৌবা অপকমাগী মশক্তা থমলে। থোপ্না (কোঙৌগা মিশিগা) পোক্লে।। মখোই মরিন্দগী কোরি শেমলে।। নোংমৈবু শাথোক্লে।। মরিনগী মহাওদগী পিথ্রাই শেমদোক্লে।। মতিংনা (শল্লেং) পোক্লে।। শিংলিনা (হুপ-হুপ্লাং পোকলে।। মহাওনা মরেক্কাবা থাউনচিংবা থোক্লবা মশক পোকলে।। মতিন্না (চনম) ওল্লে, এনম পোকলে। মরোক্না তিংহেলী পোকলে।। নপ্পা শমু (তিংহেলী) পোক্লে।। থুজিম্না (ফৌ, চেং, চাক) পোক্লে।। শম্না মরুগী শিং ওইনা থমলে।। মপানা তিংথৌ পোক্লে।। নাকোং য়েত্তগী তুনা নাপু পোকলে, নাকোং ওইগী তুনা (শেনবা, শেনবু পোকলে।। নাত্তোন য়েৎকি তুনা শিদবা হিদাক ওইনা হৌরে।। নাত্তোন ওইগী তুনা (নাদবা পান্থি হিদাক ওইনা হৌরে।। চিনবান মথক্তিতুনা নৌহিং ওইরে।। কদাং মথাগী তুনা (নোংলৈশং উ) ওইরে।। থবাক্তুগী তুনা লোইরং পাম্বী ওল্লে।। শেগ্রাক তুনা (উরিকশিবী ওল্লে।। ওইগী শেগ্রাক তুনা অমুরৈ ওইরে।। থাগী শাজুম্বগী লৈথা তুনা (নাপী, শিংবী) ওল্লে।। শৌজ থোং ময়াগী তুনা তোরৈ ওইরে।। মিউথাউদগী তুনা (উচুংলোই) ওইনা হৌরে। থুদগী তুনা (ভুমিংলা) ওইরে।। য়েৎকী খোংবী তুনা (উহন) পাম্বী ওইরে।। খোংদোনবীদগী তুনা (অঙৌরৈ) ওইরে। খোংয়াইগী তুনা (কাংহৈ মপান) ওল্লে।। খোংনিংথৌগী তুনা পাখংবা লৈ ওল্লে।। খোংনাওবী তুনা (লিশিং চাইবা=লৈরাং লশিং) ওইরে।। ওইগী খোংবী তুনা (উরেল লৈ) ওল্লে।। খোংদোনবীগী তুনা (ঈশিং লৈ) ওইরে।। খোংয়াইগী তুনা (কোন্দোল্লৈ) ওইরে।। খোংনিংথৌগী তুনা (লুমংথানবী)

ওইরে ॥ খোংনাওবীগী তুনা (লৌবুক্রে) ওইরে ॥ খুৎনমদগী তুনা (বান্দোং খোইবী) ওইরে ॥ য়েংকি খুবী তুনা (লংথে) ওইরে ॥ খুদোম্বী তুনা সনাহৈ ওইরে ॥ খুৎয়াইদগী তুনা (লাই-রেল্লাবা থাংয়েৎ লৈ) ওইতুনা হৌরে ॥ খুৎনিংথৌদগী তুনা (শিরেম্বী ওইরে ॥ খুৎনাওবীদগীনা (হাওকপলৈ) ওইরে ॥ ওইগী খুবীগী তুনা চুম্নাং লৈ ওইরে ॥ খুদোম্বীগী তুনা ইঙেল্লে ওইরে ॥ খুৎয়াইদগী তুনা (মাইবা লৈ) ওইরে। খুৎনিংথৌদগী তুনা (লৈরি লৈ) ওইরে ॥ খুৎনাওবীদগী তুনা (কালেন লৈ) ওইরে ॥ খুদাঙ্গী তুনা (ককলৈ) ওইরে। পাম্বোদগী তুনা (কৈয়াং লৈ), লেংজুমদগী তুনা লৈশোক ওইরে ॥ নঙ্গন্দগী তুনা (তাইরেন উ) ওইরে ॥ খোম অন্নিদগী তুনা (কুমলিক) ওইরে ॥ কুমলিক্না থিক পোকলে ॥ থিক্না হুন পোকলে। তাও পোকলে ॥ তাওদগী ভিন কাং অয়াম্বা পোকলে ॥

উহং পুথোকপা

থবাক মখা লকাদগী য়াইনিংথৌ কৌবা তুবু শক্তনা লংলকলে ॥ লৈরাং মশক খংদবা ওইনা হৌতুনা লৈরে ॥ লৈরাং মপান অতুগী মনম তাবদা লাইমিংথোইগী মপুকপু খোইজং খোইদজবা ওইতুনা হীঃ লৈরাং অসিদা ওন্থোক্লা খোইজং খোইদব মনম্ব ঐবু তানফং-হনখেদা মশক কৰিবু ওইরিগবা রাথন্দুনা য়েংতুনা লৈঙম্মি। লাইনিংথোইগী মপুক রাখনবু ওক-চানবতু উবতুনা মকনা হাই,- পারি লাইনিংথোঙ্গী পারি ইচানা অতুক খোইজং খোইদনা য়েং-ঙম্মিবা লৈরাং অতুবু করি লৈরাংনো? লৈরাং অতুবু মনম তাজন্দা নপা ঐনম্বু ওন্থোক্লা খোইজং খোইদনঙম্মরেদা লৈশক লৈমিংবু নপা ঐদা তাকওম্মুবা ॥ নোংদম্বনা নোংদম্বদগী নচানা থেঙম্ব থৌপুনা লৈগন লৈথাক্তবনি, মশক মমিংদি নচা ঐনদি খংঙমজবা তানফংদে ॥ লাইমিংথোই লৈরাং অসিনা লৈহৌখিবতু পারি ইচাগী থমোই লকাদগী লৈশক্তনা লৈতুম্না লৈথাখিবা লৈরাং অসিদি মতিক মঙম্না লাংখিবনা লৈরাংবু লৈচিনগদবা খোইযুমদি মালেমদবু শাথাত্রিদো, অতুবু মহুং মতম্ব লৈথংত্রিভেদা পারি ইচানা লৈশং লৈথাপ্রবনিনা লৈরাঙ্গী মশকপু নপা ঐনা উজবদা লৈশক লৈচুবু খংদবনা নফম্নংদা পাওহংনখিবা (হৈয়ম চক্তা) শাথোক্লাখবা লৈরাংনিদো চাদোন শুদোম্না লৈহৌপরম্ব লৈথংনবা (উহং উরাং) মিংতুম্না লাইয়েকপু শ্রীং হ্রীং ক্লুং ঐং উহং নোংদম উংলৌ য়াইবিরেন শিদবগী লৈতুন লৈরাং ওইনা লৈথম্লশি কোরৌ অসিদগী লৈতুম্না নোংদম্বগী লৈতুন লৈমনবু পাংম নমানে নশানৌ কোঞ্জনতু থোকপনে, পারি লাইমিংথোই ইচাগা, নপা ঐগা ঐথোই মরিনা তানফংজতুনা লে-থেৎ লৈরাং ওইনশি, লৈরাং অসিদো চৎলম চুমদম্বদি শোকফদে চিনফদে পারি লাইমিংথোই লৈরাং অসিদো লৈফম থংনা (ময়াই শুমদোনপান লৈফমদা) লৈথা লৈথম্নবা তোঙম্ব নোংদম্বীতুনা লৈরাং উহং উরাং লৈপানবু কংলৈ শুমদোনগান ময়াই লৈংকাই পুংদা লাইমিংথোইনা মউ চারি লৈশম্নবা লৈথারে ॥ লবাই কোয়েলদগী থোপকি মশকপু (পুমহিংগাং) হায়না লৈয়াত্তুনা ফুমতুনা ইহিংশংবু শাংহন্দুনা ইরিক ইকোং শেংদবা শেংন্নবা থমলে শেংলে ॥ লাইমিংথোই অশিবগী লাইমিংবু হিংশংহিং মিহিংচি

মিছিংসং লৈছন্না কংলৈপুং মাইয়োম্দগী শন্থোং, নোংচুপ, অরাং পাংন্না লৈকম অহুম্ লৈয়েংহুন্না (অমনকম) অহুম্ অমতা ওইনা য়াত্তুনা থম্মে ।। মমিংবু (মুবা কৌয়াইতম্বা) লৈছল্লে ।। ইমা লৈয়োন ৭ না ফিবান ওইনা লেম্মে, (লিকপা কাওয়াই থংব') কৌনা লাইমিংথোই অশিবনা লাইমিংবু কৌক্ত্র অচিবা মিংহুন্না ফম্লে ।। মেনফম অসিদি ঐগী ফম্বান মেনফম্মি, লুমেল তোংবদি ইশানৌ কোজন তুথোকপনা তোংজশন্নু ।। মেনফম মন্নিমকশিনা ইনাওগী মেনফম মন্নি ওইশন্নু লৈফম অসিবু লাইবুংথৌ ১৪না ভাক্লো ।। খুদোনপান তোঙ্গানপান মেনফম্না মারহুনবগা মাগী লাইবুংথৌ ২০ গনা ভাক্লো ।। ভাকপা কাওচি হোনিবা মেনফম্না হাংব্রেনগা লাংবুংথৌ ২৪ গনা ভাক্লো ।। পিজাস্তি মোইমিং কাওলাংয়েং লৈছনবা মেনফম্না খাংজিঙ্গা লাইবুংথৌ ১৭ কনা ভাক্লো ।। পাওশা নোংদম্না লৈবাক্কি চিন্না ৪ দা মনাওগীদমক্তা মেনফম চুক মন্নিবু লৈথানা লৈথম্নগা মরুপী থৌদা থৌপুবদা করিবু থৌওম থৌপুবা অরাংপা লৈওম হোৎরা হায়না লৈকম খুদিংদা লৈয়েংবা লৈকোইরক্লে ।।X

স্নাখোংনাং লৈমনা লাইরুম ফিরোনবু শাবা হৌবা

নোংপোক অঙাইবা চম্নু স্না খোংনাং লৈমনা পন্থৌ মপাগী লোইবী পামদা চংলুবদা লৈরাং মপান্বী থরবু পাম অহুদা শিন্থুংনা মপান্দি লুপানা পাদাং থোংবগুম ইভৌ ভৌনা শিন্থুংনা শাত্তুনা লৈরম্মে ।। লৈরাং অহুবু উবদা লাইরৈমা স্নাখোংনাং লৈমগী মপুক রাখন্দা খোইদজবা ওইহুনা লৈরাং অহুবু মনিং তম্না হেক্তুনা মরাম য়াইদা পুরকলগা কংলৈপুংদা খোঙ্গারকলগা অতিয়া শিদথগী মফম্নাংদা লৈরাংলৈয়ে ।। অতিয়া শিদবনা ভাকপি,—লাংলেন ইবেম্মা লৈরাং অসিদি শিংঙেন লৈরাং ওইনা নাপ্পদা লুমাং লুতুঙ্গী শন্নাং কিশিদা লৈরাং ওইনা থেংনবা নত্তে, শিংঙেন অসিদগী মকি লংবু শাথোকলগা চরৈ মরোল লৈথন লৈখন শাচুনা শেংনা ইন্নবা, লিংনা হেংনবা শেমহুনা লৈথন লৈচুবু লৈতাপ লৈশেম্মগা সেংনা ইন্নহুনা চিংগদবা লৈরাংনি ।। অহুবু ইমোম ইচানা কোরো অসি লৈহুল্লবা লৈরাং অসিবু মমিংবু শিংঙেন লৈরাং (লশিং) মিংহুন্না নপা ঐমা লৈরাং মপোপ অমবু লোওয়া লৈথেং লৈগ্রাং ওইওমগে, লৈতৌরিব অসিদি ইমোম নংনা চরৈ ফিরোন অমা শেমলু শরুরো পোইরৈ শুদোন ফাওবা ইমোম ইচানা লৈশা লৈহৌরম্বা ফিরোন্নি কংলৈবাক্তা থৌ কাওদনা লৈখংহৌনবা লাইরমলেন্দা ফিরোন অহুবু লৈথমশি ।। নোংদম থৌদাবু থৌওম্বা থৌপুজবা ওইজনি অহুবু শিংঙেন অশিনা লৈরাং কনাবু লৈতমহুনা মচু মওম্ শেমগবনো ? লাংলেন কংলৈপুংদা শাংলিবা লাংলেন ইচাগী মাংদা ভাল্লিবা পামেন মপান অসিগী লৈচুবু লৈতম্না নমথাং ফিরোনবু শেমলু—খ্বাংলি খ্বাংশেং অমগা ।। পামেনগী মপান অহুগী মচুবু লৈথংনবা হাইহুনা শ্না খোংনাং লৈমনা হংনা হুন্না য়েংঙী, লৈম্নাগী লৈচুবু থৌকাওন্নীথিদবা হাইবগী

মপুক য়াথনবু িংনবা ওইহুনা থৌরম্ব অতিয়া মরুনা খংলহুনা ছাইয়ে ।। লাংলেন নংবু কম্বিবু নপুক য়াথন্দা থৌফাওগনি চিংনবা লৈচু লৈখনবু চিংনবা পামেনশে কোয়ৌ ঙসিদগী (চিংথ্রাও) মিংহুম্না খুংনশে পামেনগী মমিং লৈহুন্দবনা থৌকাওগত্রা লৈচুবু নপুক য়াথন্দা চিংনবনি পাবি কোঞ্জইন তুথোকপা চিংথ্রাও অসিগী শিংওন মপান অসিবু মপান অমত্তং হেল্লগা থৌকাওদনবা নশানৌ শ্নাথোনাং লৈমদা পীওমখ্রো ।। মরুগী নোংদম্ব থৌপুনা সনাকোঞ্জন তুথোকপনা কংলৈপুং-মাইয়োল্দা হৌবিবা শাংলিবা চিংথ্রাও মপানবু হেক্তুনা মদাইরেন্দা পীরে ।। মদাইরেন সনাথোংনাং লৈমনা পীওম্নকপা লৈরাং অতুবু থমোই লকাদা থমহুনা মপুক খোইজ্বং খোইদনা লৈরাংবু চিংনা চিংনা য়েংনা পুওম লক্তুনা মবাম য়াইদা হনওম্নক্তুনা থৌদা পরম্ব থৌপুনবা থৌকাওদনা পম্বৌশক্লা নাওকোনবা নোংপোক অঙাইবদা পাওহোম্মি ।। মমোমগী য়াবু তাবদা লাংলেন মচানা মরুগী থৌদাবু থৌওম্নবা চয়ৈ ফিরোন শানবা লশিং কৌবী লৈরাংদগী চয়ৈ শানবা লংলৌনবা মঔ মচাকপু শেমগৎ শাগত্তুনা পীওম্নবা থৌরাংলক্লে ।। শ্না খোংনাং লৈমনা লশিংবু ফত্ত হৌদিবু মম্বাক্তুনা মুংশাগী মঙান্দা শন্দাক্তুনা ক্ৌরে ।। পম্বৌ অঙাইবনা লশিং অতুগী মপোপ মম্নুংদা নপুনা পাম্লিবা মরুবু লৌথোক্লবা উনা শাবা খুৎলাই অমা পিনবে ।। খুৎলাই অশিনা লসিং মপোপ মম্নুংদগী মকবু খাইদোক্লবা থৌপুবদা খুৎলাই অতুগী খুংশু পাইহুনা লৈবদা (কপ লাওবওম্না) লাও-হুনা লসিংদগী মক লৌথোকই হায়হুনা মশক অতুবু (কপাক্রেং) থোল্লে। অশুম্না থৌরম পরমবু থৌয়েংলগা খুৎশু খুৎলাই পোৎকী মমিং থোন্দুনা শাথোত্তুনা থৌপুনবা হোংনহুনা কাপ্পান অমা, তুংত্তরি অম, তবেং তংৎ অমা, তেম অমা, য়েৎপু অত্তম, শানম আম্না, নাচৈ মরি, লংহুনত্তেন —পাংওত্তন অমা, লংফু চৈ —লংওচৈ অম, শাথোক্লুনা পীরে, ।। সনা খোংনাং লৈমনা লশিংবু মক লৌথাক্লবা তক্লে। লশিংবু পাথোক্লবা কাপাথোক্ল, মোম্বাপ তরে, তারংদা লং চিংলে, তওত্তা লংবু ফাইদোকলে; লংওচৈনা লংদা ফুত্নুনা শুবে। লং থবনা ওাংওবনা লৈচু শংলে, থরনা কুম মচু অমুবা শংলে. থরনা ঙৌনা থমত্নুনা লংফৌবে। লংপুম্বা লৈখন মচু খাইনা লং চাকশল্লে (লংচাক) লংহৎশন্নবা উতোং (তৌ) দা ফিফৌবে ।। শুনা থন্দুনা অতৌবা মচুনা ফিবান লেপ্পগা অঙাংবনা যিবানগা তাইনত্নুনা অমুবনা মরক্তা লোন্দুনা ফিরোন নমথাং অমা শারে ।। খ্বাংলি আইথন ফিরোন অমা অমুবা মচুনা ফিবান শইতুন অঙাংবগা নাপু মচুগমা মরম ফিবান লৈচিংনা ফিরোন অমগা শাবা লোয়হুনা কংলৈপুংমাইয়োন্দা পুরক্লুনা উনা পানবা উশা মচা থরা থেক্তুনা মালেমদা লৈথমলে ।। উশা ময়োংগী মথক্তা ফিরোন নমথাংবু লেথমলে, অতিয়া শিদবগী মফমলাংদা চয়ৈ নমথাংবু লৈহুল্লি নোংদম থৌদাবু থৌওম্নবা থৌপুজবা ফিরোনবু লোইজরে মিংয়েংবু কুবি-নোংদম্না পাংশোইনিক্লপা মিংয়েংনা য়েংবীহুনা পরম থৌরম লৈশম্বা কুথোই থোইমা য়াংনা লৈ-হাপ্লথা লৈয়াওনওম্বা পুম্ববু কুবিনা নোংদম মিংয়েং তাবীহুনা চয়ৈ লৈহুনবু লৌবিও লৈহুল্লে ।।

অতিয়ানা ল্যাং লেন ঈচানা থৌপুবিবা চরৈ ময়োন অসিদো পল্মৌ নপা ঐনা খোয়জং খোইদাজবা চংখোনবা ফিরোন মঙম হকপ। মশক নাইবা ওইখ্রেদা নিংখিজেদা ।। চরৈ নমথাংবু উশা ময়োংদগী সনা থুংনা হেক লৌথুং খিবদা ফিগী মখা থানবা ময়োং মশা অতুবু মনা অমনা শংথাংনা, অমনা ঙোরোকঙো, মপান্না নাপু ঙাংঙানহুনা লৈরম্মি মঙম্ উবদা। হিঃ ফিরোন অসিদে পরম শিস্তাক লুখ্রেদা, খোইয়ুমশা ইমোম ইচানা ল্যাংজবা ফিরোন অসিদে মরু অঙমগী লৈশক্লিদনা ফিরোন অসিবু লৈম্বা উশা ময়োং অসিনা মনানা মচু অনি, মপান্না লৈচু অমা ওইনা শাখোকলম্বা অসিনদি ফিরোন অসিদো মরুগী লৈচু চুকলেন অহুম্ শাকেংবা ফিরোন অসিদো লৈবাক অসিগী রাশক রাকং রারেপ রাথৈ ফিরোল ওইঙল্লি অসিনদি নখোই ঐখোয়না ইপাদা ইপুধৌদা পুরুম লৈপাইনা রাকং রারেপহুনা থৌনিজবদা লৈথমহুনা পাওদাক পাওশাবু তাঙমহুনা কুবি নোংদম্মীনবা ফিরোল লৈশক অমা নমথাং অসিবু (লাইরুম) ফৈরোন লৈহুম্না লৈবাক অসিগী লাইরকচন চংনরম ওইনা কৌরা অসিদগী লৈথমলশি ।। নমথাং লৈথম্বদা উশা ময়োং মশাশিগী মনাবু অশনবা মচুগা, অঙোবা মচু অমগা, মপান শাংলম্ব। লৈচুনা ঙাংঙনরম্বা উশা অশিবু মমিং মচু অহুম লৈহুম্না উপাল অসিবু লৈমুত্তনবা লৈথাহুনা মউ চারিবু হৌলাম্মহনবা কং লৈপুং ময়োন অসিদা লৈথমলো, অতুগা খ্বাংলি লাইথন মরুগী চুকলেন লৈচু অহুম অসিবু শেংপদি অকন অহক থৌপুবা মতিক মঙম্ অহকপা মরুলোন লৈশক লৈচু লৈথবনত্তা শেংনশি অতুবু হৌজিক্তি ফিরোন অসিবু মরুনা রাখল পাওশানরিঙৈদা লৈথোন লৈয়েং লৈকাইবা লৈথুহুনা লাইমিংথোইবু লাইরকচন্দা লৈচংলক্লে । অতিয়া মরুনা পারি লাইমিংথোই পারি ইচাবু লৈহল্লকপবু নপা ঐনা তানক্কজবা নপা ঐবু য়াইক্কংজরে। পারি লাইমিংথোই নপা ঐদো (অয়েং কংবা) নপানিনা পারি ননিংদি থুংঙমলোই পারি ইচান। লৈবাক য়াইকংনবা লৈথোন লৈশেম্নববু লৈরাই লৈহলকপা পারি ইচাগীদমক্তা চরৈ খ্বাংশেং (খ্বাংলি লাইথন) লৈগাপ্প। অসিবু পারি লাইমিংথোই নঙ্গীদমক্তা নপা ঐনা লৈহুনগে ননিং থুংদে রাখনগন্নু মতুংদগু নঙম লখা রাংঙম্মী চরৈগী মঙম্। লৈহরুপনা শেংপিনবা শাখোক্তে পারি নংবু নত্তনা খ্বাংলি অসিদো লৌঙম্লো ।। মরুগী নোংদম্ থোয়ান চরৈ খ্বাংলি লাইথন তাববু ফিগাও শানা য়াজহুনা লৌঙমহুনা খ্বাং শেলো ।। মচাগী ফিজেং উবদা মরুনা হরাওজহুনা পারি অমগু লৈরাংলি মরুগী চুকশেন নমথাং ফিরোন রাশক রারেপ পাওশা নমথাং ফিরোন অসিগু পারি ইচাগী ফিরোন ওইহুনা লৈথম্লো পাওশান। মগাগী মনমদা কুপ্পীহুনা থোইম্নুম পুম্বা মুংঙাইনহুনা লৈঙম্লরে ।। x

মাইগৈ শিন্না লৈথাখিবা খ্রোইয়ু শিংনা মরুগী থৌদাবু হৌঙম্নবা থৌপুনবা

হৈরোং লৈমা নোংপোক চিংথৈ থোংদরকপিনা কোইনা চত্তুনা থোংদারক্কুনা করি করাবু হৌঙম লৈঙমলমদবদগী উপান মচা থন্না নিংখিনা চীংমাই অমা থন্না হৌরগা। উপানশিং অতুগী মরক্তা

অকংবা মপানবী থরা মকু তাত্থনা মকু অহুদা মশিংবু শাংনা ভৌনা মঙানবু ইলং লংনা লৈরম্বা মালেমদা হৌরম্বা মক্ষম অমা থেংনরে।। মকু অহুদা পক্লিবা মশিং অরংবা কাবা অহুবু উবদা হৈরোং লৈমনা উকু অসিগী মশিং অনিদি নিংথিদা মশা অসিবু ইংএশু নাক্লি ফজনা উইদা মশিবু থরা য়াম্না তান ফংহুনা লৈথম্বা ওয়বদি থৌরম পরম অমদি শাথোকপা য়াবা মশক ওইনা তৌওম্মিদা ব্রাখন্দুনা মকু অহুবু অকংবা মথৈ থুনজিন্দুনা মকোন মকোন কোন্দুনা ঈশিংদা তিংহুনা শুমিৎ থরা থমহুনা পোপথোকহল্লগা অমুক শেংনা শুদোক চামথোক্লগা য়েংবদা হৈরোং লৈমগী থোইজং খোইদবা মশক ওইনা থোকওমলে ।। মতূং অহুদা লাইরেম্বী অশিনা উপান মচা অহুবু (অনানবা) মিংহুন্দুনা মহৈবু চরি শমথনবা লৈথমহুনা মপাম্বীনা ঈশিংদা তিংহুনা পুমহল্লগা মকুদগী মশিংবু লৌথোক্নুনা উনা, ব্রানা, মহৈ মরোং উকুদগী তান-ফংবা মচু মঙানবু শংহুনা লৈচু মঙানবু লৈয়েং লৈখিনা লিতিন্দুনা খ্বাংশেং. নমথাং, নমশা তোলোক, কোনথাং ফুরিৎপু পংক্ষকশা, হৈকোই, সাইয়েং, লিথাং মথাংবু (কানো থানা শেম শাহুনা কুময়িন ফিরোন) ফিবান হাৎপা মিংহুন্না কুময়িন পোংলোই) হায়বা অমা কুময়িন পুমথিৎ ফিনেক হাইবা অমগা মচু মঙানবু অঙাংবা, অঙৌবা, অশনবা, নাপু. তিগোক, কফোই মপান, নোংগৌবী মচু, মঙ্গ্রা মচু. মচু লৈখন চনা কানো লৈয়েক্না লাইরেম্বী লৈঙসাপুম্বগী ফিজেৎপু লৈজন লৈতমগে ব্রাখন্না খৌরাংনা শাথোক ।। মিগে মচু অঙৌবা, অরাওবা লৈচিন মচু. নোংথৌ মচু, অমুবা লৈচু, সুংচেং অঙাংবা মচু, নাপু মঙ্গ্রা মচু লৈচুগী ফিরোন খ্বাংশেং কোংথাং ফুরিৎ, নমশা =কোকয়েৎ লৈঙম্বা লাইবুং থৌ শিঙ্গী চরৈ লৈজুনবা ব্রাখন তৌনা শেমলে ।। x

পুং শাবা

ইব্রাংথেন পুংমিম্নবা খা মেরম খোংদখিবনা পামেন উকক মরিন হোশা অম তানফংহুন মশিংবু শ্রীবু কবি লৌঙমশিবনো ব্রাখন্না অশুম লাককদা (শনম্বা অচৌব, অমগা হুম্ব ক অচৌবা অমশা) (ক হুনা লৈবম্বা অমগা) অমুবশু থেংনহুনা মশক অনিহুগী মউনবু লৌগা মতু মমান কোইদোক্লুনা অঙানবা তানফংবা ম্নাং উকক অহোবা অহুংম্বা অমগা শেমহুনা উকক অনিহু মউন অমমন্না মমাঙ উ মচা অমগী মরিনা মউন অহুঙ্গী মপান্দা হুত্তুনা য়েংলোম মমাইরোমদা লৌশিল্লগা চিংবদা অহোবা উমাই অনিদা কুপ্পিবা মউন অহু পেংখতুনা লৈরম্বদগী চাং মান্নবা তিংলল, উকু অহুঙ্গী পোংতিং - পোঙ্গাল) মিংহুল্ল ।। পোংতি অহুগী মকুনা তিংনা লিফাহুনা লৈথমলগা মথুৎনা য়েহুনা থত্তুনা শান্নবদা মথোনবু য়াম্না মেংনা সুংশিনা (তোং তাং তেং থোং পাং থোং) ইব্রাই ইনিল অমবু তানথংনহুনা অনিমক মরেংবান্দা য়ানশিল্লগা য়ৈহুনা শান্নহুনা কোইনা চীংখোঙ চীংয়া চত্তুনা শান্নহুনা লৈঙমললে ।। x

খুং শাবা

লৈমুং খুং খুং অচিবনা লৈখারোন্দগী লৈয়াইরেন্দা লৈকারক্লুনা লৈয়েং লৈকোইবদা মখি চৎপা মপাল অমদা মহৈবু ভুম্না য়াম্না নিংথিনা পান্দুনা কংহুনা লৈবা মশক অমা থেংনরে মশক অশিবু ফুলগুম্না ভুম্না চাওনা পান্দুনা লৈখি হায়হুনা মমিংবু ভুম্বা মিংহুল্লে ।। ভুম্বা অকংবা পান্দুনা লৈওম্বা মশকপু য়েংহুনা মশক অশিনা ঐবু কৱিবু শেমথোক শাথোকশিবনো মশক অমতদি শেম্লিংভিদা ৱাথন্না য়েংহুনা লৈওম্নলে ।। লৈমুং থোংঙারেল লাইমিংথৌগা পোইরৈ মোইরেং চাম্বগা খোইয়ুম অনিবু লৈফম অহুদা লাক্কুনা খুং খুং অচিবদা হাই, লাইমিংথৌ কয়িবু মুংবংনা মুংশুক মুং বংন-বনো ? খোইয়ুম অনি ওসি তানফংলিবা ভুম্বা অসিবু ঐবু কৱিবু শেমশিবনো ৱাখন ওকচানহুনা লৈবনি, খোইয়ুম ৱাখন চাওবা অনিবু লাক্লবনিনা থৌয়ম্বু থৌখংলনি ।। লাইমিংথৌ খুং খুং অচিবা মশক অশিদি নোংদম্বনা নংনা নংনা খোইজংবা নথুংশু নোংদম্বগী লাইমিং অশৈ খোংপাংনৌ তাম্বেং-হনবনি ।। অহুদি লাইমিংথৌ থোংঙারেন ভুম্বাদি অহুম্নি অশিবু কমদৌদৌশিবু হায়বনো ? ঐ খ্বাইদগী পিকতক ভৌবা অশিদো পোইরৈমোইরেং চাম্বা ৱাঙম থৌগুবনা মথুংশু খোংনিংবা মশক অমা শাথোক্লশনু মথং অশিদো লাইমিংথৌ খুং খুং অচিবনা নথুংত্তা খোংনবা অমা শথোকপীরো ।। অহুগা খ্বাইদগী পিকপা ভুম্বা অশিদো ঐগী ইথুংশু খোংনবা লাইমিং অশৈ শিংথাবদা খোল-পাংনবা শেমজবগে । ভুম্বা অশিবু পাল্লম্বা মপাম্বী অশিবু লৈবাক অশিনা (খোংদ্রুম) হাইনা কৌরশনু, পাওশবু তাবদা খোইয়ুন অহুম্বু খোইদনহুনা ভুম্বাবু অমমম য়েম্নহুনা মানা মানা পাম্বা মশকপু শথোক্লবা পুনা চৎনগ্রে ।।X

খুং খুং অচিবনা ভুম্বাবু মওক খরদং কক্লগা বাদা মরিন হুত্তুনা খুত্তোন খুৎশানা নমহুনা নিংশাবু থাদোক থাজিন শাম্লহুনা খোংবা য়াবা মশক অমা শাহুনা মচৈ লৈগাম্লিবা মতোন্দা মচিন্না চুপ্পুনা নিংশাবু কামশিল্লগা মখুৎ খুংওাম্না নিংশাবু থাদোক ফাজিন শাম্লনা খোংহুনা লৈফম খুদিংদা কোইহুনা লৈওমগ্রে । X

খোইবৌ লিখং শাবা

লৈমুং থোংঙারেল লাইমিংথৌনা ভুম্বা অহু মমাই লৌথোক্লগা উ অমবু মবুক খরা কোথোক্লুনা মকোক ওইনা পাল্লগা ভুম্বাগী মমাই অহোবপা মকোক অহুগী মমাই খোক্তোকখিবগবু উ মপাক অমা পানা শাথোক্লুনা মমাইবু মেনশিল্লে ।। মকোক পাল্লিবা উ অহুগী মতোন ময়া শাদোন অমা হনবদা মমাই মেল্লিবা অহুদা হুত্তুনা মচৈ অমা হাপ্লে ।। মচৈ অহুগী মমাং খুদোন অমা লৈহন্না মচৈ অনিগা হাপহুনা মচৈ মখি মক্তা পোঙান মকুনা থাংজিং তাহুনা য়েংলগা তিং-লক্লুনা ভুম্বা মায়াইদা মেল্লিবা উ অহুগী মথক্তা তিংলক্লুনা ভুম্বা মমাইদা মেল্লিবা উ অহুগী মথক্তা

তিংলক্তুনা ভুম্বা অতুগী নপান্দা লৌতুনা কম্না ফাতুনা তুশ্বা মমাইদা মেনবা পুঙ্গোই মথক্তা লৈফান থুদোন অনি পাকপাই থুংনিংথৌ থুংশাগী তাং অহুম শাংবা অম্না লৈথাতুনা মরি মরিবু থাঙ্গত্তুনা লৈফমহল্লগা মতোন্দগী মচৈ মরিশুবা মচৈ অতুদগী থুদোন অনিবু লৈহজ্জন্দুনা তেংথন অমগা লৈফম মরি হুক্তুনা নপাশিল্লগা মরি মরিবু লৈফানা মরি অমমম লৈথাইনা লৈথমতুনা লৈফম অতুদগী থুদোন অম্না অমুক লৈহনবদা তেংথন অম্না অমুক নপ্তুনা মরি ৪বু থাঙ্গত্তুনা শাদম্বা লোইগুম্নে ।। মকোক অতুগী নাকন্দা য়েংকি থুবিনা নমতুনা থুংয়াইগী মত্তাইগী মরিদা লৌতুনা থংলে ।। থুদোম্বীনা মরি অহুম্ব থত্তুনা শান্নবদা উংচিরি) হাইবা য়াব্রা ইখোন অমুবু য়াম্না মেংনবু শাথোক্লক্লে ।। হিং মশিদে হায়তুনা অমুক লৌতুনা থংলি (উংচিথোম) হাইনা ইহৌরে ।। অমুক থংলি (উংচিথাক) ইরাইরক্কই, অমুক হম্না লিরৌতুনা মাপল্লক শুনা লিরৌ লিথংপদা (উংচিরিং, উংচিতক . উংচিখো. উংচিলা, উংচিখা, উংচিথুম) য়ারাবু ইহৌনৈ ।। মশিগী খোইরৌলিথং যরা অশিদি ওইনিংবদা ওইবা য়ারা ইখোন্নিদনা শৈরাও য়ারা মাপনবু মশক অসিদা পুম্না য়ারা ইনিনবু হাইহনবা য়াবা মশক্লিদনা মশিদি মাংহনবা য়াবা থাদোকপা য়াবা মশক নাস্তনা অতুনদি তেংবানবা মপুগী লাইমিংবু নিংশিংজবা অশে খোনপাংনবা শৈরাও পুম্নগী য়ারা ইংখোনবু লৈশুবা অশিবু ঐনা থানবা লৈতনা লৈপুতুনা নোংদম্বগী লাইমিংবু শক শোন্দুনা কোইনা চত্তুনতুম লৈগুল্লগে রাখন্দুনা হৌকংলৈ লম্ম তনবা কংলৈস্না পুংমাইয়োনগী লৈফম থুদিংদা লৈকোই ফম্বাল লাংতুনা লাইমিংবু শকশোন্দুনা কোইজাইনতুনা লৈগুমলক্লে ।।x

(পেনা পুখোকপা)

পোইরৈ মোইরেং চাম্বা রাগুম থোপ্পবনা ভুম্বা মচা মগুক য়াওদবা অমা পুতুনা লাকপদা শনম্বা কৌবা শা অমগা খৈরোই মমৈ মতু চুম্বা পানবা অনগা থেংনতুনা মশক অতুম্ব পুতুনা অমুক মথং মথং লাক্লে ।। থুদক অতুদা (মহামনিক্কতেপাক) কৌবা শগোল মশা পাননা কোইন পাক্তুনা লৈকোইবদা উ অমগী মশাদা শামৈবু লৌতুনা ওত্তুনা থুবাম অমা পন্দুনা লৈগুম.গাবা হন্না মক্কা য়েংদনা মহাম নক্ক তেপাক হাইবা শাগোলবু পাইতুনা চংখ্রে অতুন্নগীবু লৈমম্ব (শামৈপন) কৌগুমলে লৈফম অনিদা পোইরৈ মোইরেংজাম্বগু য়োগুমলক্তুনা লৈফম ফম্বাল লাংবদা উশাদা শামৈ থরা পন্দুনা লৈবদো উরতুনা শামৈ অতুগু কৌশিল্লে।। লৈফম অশিদা (নোংশরি) ক্লাইদা পামেনবু মহৈমিংথিনা মপুংফানা য়ান্দুনা উটৈ অশিবু হেক থোনদদা মঙ্গুংদা লৈবা মনম্মা মহৈগী মকুগা থেংনতুনা (শক শক্ক) লাংবা ইরাই খোল অমা তামফংলে অতুন্নগীবু (নোংশরি) মিংতুন্দুনা মহৈব ফিগাও থম্না হেক্কনা মরুম ৫ বু লৈগুনা তানফংলবদা মশক অশিনা ঐবু করি

শাথোকশিবমো রাথন তৌনা লৈগুমলে ।। উম. লৈয়েন্দনা মশক ৫ অশিনা ওইগদবা মশক্তি অনিথোক্লা শেম শায়গা অনিমকপু (নেত্তকহুনা) অথুম্নোনবা য়াম্না ইথোনবু ওইরকদৌরিনা, অহুদি শেম্বা তরে থৌরম য়েংলগা কম্নিগুম্বা অম্নাংপা মশক অহুদি মতম অহুদা লৈয়েংনা থিহুনা হাপ্লবা তৌবা তাই, ঐনা শেমগে হাইবা মশক অশিগী মরু ওইবা মচাক থোইনা রত্তরে হাইহুনা তুম্বা অহুবু মমুং ইম্না মাবৎ অমা লৌথোক্লে ।। রা মচা অমা মতাং মনিং মমাং কন্নগা থুনিং অমা শাংনা মণ্ডক হাপ্তুনা শনম্বা মউন অহুনা থাইদোকখিবা তুম্বা অহুগী মমাইবু নপ্তুনা মেল্লে ।। শ মৈ অহু থন্না মকোক পাল্লিবা রাগী মতোন্দা পেঙ্গান মকুনা চেৎনা কন্না পুল্লগা শামৈ অহুগী মমৈবু হুম্বারোমদা পুথামক্তুনা তুম্বাগী মথুনলোম হংকোক মউমগা তাইনবদা য়েস্তুনা তিংলে ।। মকোক পাল্লিবা রাহুগী শামৈ কেপ্লিবা লৈফম অহুদা থৈরোই মমৈ অচুম্ববু য়ানশিল্লে ।। তুম্বা মমাই মেল্লিবা শানম্বা মউল অহুগা শমৈগা তাইনবা মরক অহুদা ছোৱাই থাংপাক মথংপাক— হরাই থাংপাকী মকু অকুবা অমনা লোনশিন্দুনা শমৈগা শউন মমাই মেল্লিবগা শম্নহন্দ্রে ।। রাশা অমা থুস্তোন্দগী পাম্বোম মরু তম্না কন্নগা মতোল্লোমদা কোইরপতৌনা কোঙহন্দুনা শাগোল শামৈবু লৌশিন্দুনা পুল্লে ।। শামৈ মথোকপু রাশাগী মথোক থুৎপাইফম লোমদা পুনশিল্লে ।। নেংশরি অহুবু পোজন মকুনা পরেং ওইনা লিক্লম অমতদা লেপ্তুনা রাশা শামৈ পুল্লিবা মতোললোমদা য়েৎশন্দুনা শেম্বা শাবা লোইরে । তুম্বানা ওইথম্বা থবাক থোময়াদা ঙা ওইথম্বা থুৎনা মথোক্তি মতোন ময়াদা পায়রে ।। য়েৎথম্বা থুৎনা রাশাগী মথোক্লোমদা পায়নগা অনিহুবু (নেত্তক , নহুনা য়েংবদা (রিকো রিকো) হাইবা য়ারা অমা শাথোক্লে ।। হি মশিদি রা লৈনা হাইহুনা থোংহুনা কোইনা লাক্লে ।। মশকপু উবদা, মথোলবু তাবদা মরু ইমানা (তক্রীনোইয়ে নুংশিমু'ঙোমৈদ) হাইএ ।। মরুনা হাই,- মশক অসিদি (গুং কুং রাং) পেনা রাঙম থৌপুবনি হাইএ ।। x

শনিক = শরিক পুথোকপা

অতিয়া শিদবনা থোইমুমসিংনা মাগী ইমাগী মথুংগুবু শাথোক্তুনা উংলৌ য়াইবিরেনগী লাইথিংবু মশক শোন্দুনা মা ফম্বাল কোইজাইনরবু উরে, থলে ।। মতমদি ওইরে অহুবু থোইমশিংনা শেম শাখিবা অশিব তেংবানবগী মপুয়াই বিরেনবু য়াকাইনবদি য়াওদে কমদৌশিবা। হি. মশক য়াই অসিদি লৈশিরেনগা ইবানিগী মণ্ডম ওইরে অহুনানিদনা থোইমুমশিংনা শেম শাহুনা লৈনারব ।। উম থংগে মশক অসিদি লুত্তুঙী চংনলম অমবু শেম্নলগে মতমগু ওইগদবা মুংশাংদরে (থোইমুম লাইগী মপোকগু) লোইরনি থোইমুম লাইরে লাথুপ শাথোকগদবদ মঙাইরে অহুনদি ইদাইরেন লৈশিরেনগী মা হকচাংবু কন্নি লৈবগে লৈথিদবা য়াত্রেদনা হাইহুনা মরুগী রাথম্না ইবেম্মগী মা

হকচাংবু লৈথিনা লৈয়েংবদা কল্লিবু থোইনা হুক্ল উখা ফংদে ॥ হিঃ করিনোদা তৌওল্মিবা অসিবু হাইনা হুম্না হুম্না লৈথি লৈয়েংবদা ময়াই শুমদোং পান্দগী হাইথরকপা ইবেম্মগী পুঙ্গোইদগী হেল্লা উবা ঙানফংদরে ॥ ওস্থোকইদা অসি ওইরে ঐনা অসাই মখৈ লৈথিরিবদি অতুমঙাইরে নোংদম্বনা নোংদম্বা অতুদা থৌঙম্নবা থৌপুবা হাইবা অতু মঙাইৱ পল্লেপ্তুনা থুংনা লৈমেস্তুন্না মশক অমা ইবেম্মগী পুঙ্গোইবু লৈতমনা ময়াইদা (অথুরোক) লৈশেন্না শারে ॥ মতুংদা মরুগী শ্না হুকচাং হুংদবু লৈয়েংলগা শ্না হকচাংগী ময়াই শুমদোং পান্দা লৈপুরিবা মরি জিশাবদগী শাথোকপা মিউ শ্না তনৌবা) বু লৈতম্না পুঙ্গোইগী ময়াই শুমদোং লৈফমদা লৌহুনা লৈপান্দুনা মশকপু শাগৎপা লোইহুনা শাফোংলে ॥ থুৎপাইফম্বু শেমহুনা লিপুল্লগা ন্নিকপদা (শ্রীং শ্রীং কুং কুং) হাইবা য়ন্না ইখোলবু শাফোংলে ॥ হিঃ মসিদি করিনো থোকাওবা য়াদবা য়ন্নাবু তাহল্লিদা মশক অসিবু পাইহুনা নিক্রুবদি য়ন্না ইখোল শফোংদে, পাইরুরগা নিক্লগতা য়ারা ইখোলবু লৈহোংদনা শাফোংতি মমিংবু (শানিক) লৈহুন্না লাইমিং মেকববু (নোংলুম কুং) লৈথংনা লাইরকচন্দা থম্লশি. মশক অসিদি ইদাইরেন শাইনাওতাবী লাইয়েক যত্রা শাফোংবী নঙ্গী নথুংফা ওইওয়্লো কুবি মোংদম্না শানিকপু লাইনৌতাবীনা মথুংশু ওইজরে ॥ x

মান্তিংলা শাথোকপা

অতিয়া শিদবনা শানিক হাউসা মশক অমা শাফোংববু উবদা লৈশিরেন লৈপ্পনবীনা ঐশু মশক অমদি থৌরম অসিদা য়াওনবা অমদি শাথোককম থোবই অতুবু করি করাবু তমজনা শেমশিবা ৱাখন্দুনা খুৎফাং ১০ বু শ্না হুকচাংদা মাহুনা মান্দুনা য়েংবদা লকাগী লৈথক লেংজুম অনিগী লৈথা থবাক ঙানফমদা ম'হুনা নান্দুনা লৈ য়ংবদা ঙানফংলে । উম মশক অসবু তমজনা শেমশুমজো মেংদহুনা নোংদর্মা-দনা হাইহুনা মশকপু ৱেৎ ওই লৈকম অনিগী মশকপু তমজনা থোম-ৱিন্দগী চিনচুপ লৈথাম্বগী পুঙ্গোই ফাওববু লৈতম্না মশক অমতবু সেফম যেং শুই লৈফানা অনি থোক্লা শাথোক্লগা ময়াই ঙামশেন মরিন হুৎলগা থুংনা পাইনবা মবি অনবু লৈপান্দুনা থুং অনিদা অমমম পাইহুনা থেংনহনবদা (তিলিং তিলিং) হাইবা য়ারা ইংখোল অমা শাফোংলক্লে ॥ হিঃ মশিদি যারাবু ইংনা হুক্লা হুংশিদা, অশৈ শৈশক শৈদম্বদা । লিরোন খোইরো) লৈথা লৈহাপনবদা শিল্লাক্লবা ওইনা মমিংবু শাথি লৈয়েংববু লৈবৌনা মশাগী যরা ইখোনগা তিলু থানা (মান্তিংলা) লৈহুন্না লাইমিং মেকবনা (শং হ্লিং ং ঐং) লৈহ প্না লৈথমলে ॥ x

অতিয়া শিদবনা খ্রোইয়ুম্ম কোইজাইনহনখিববু কৌশিনবা

পোইরৈ মোইরেংজাম্বা রাঙম থৌপু তেংথা নাওয়ৈবা = চক্রবা কৌবা লাইনা মথুংগুবু খোংহুনা কাংথং পুখং নাইদা খংদনা লৈফম খুদিং চত্তুনা খোংবদা লৈবা য়াম্রে অতিয়া মরু ॥ মোইরেংচাম্বা রাঙম তেংথাবা অসিনা মথুংগুনি রাখম্না শাহুনা খোংজিবা মশক চৎলম মপোক্লোন অমগী চৎনরমগী মশক্তি অহুবু নোংদম্বনা নোংদমহুনা মশক অশিবু শাথোরহম্ববা অসিনদি ফালম অমা লৈহৌনবা থৌয়েংলো শিম্ভাক্রে ॥ অহুদি নোংদম্বনা থম্‌ং ওইবা মশকপু ইঙাল লৈশাবিহুনা নোংদম থৌদাবু থৌঙম্ববা থৌশিনবিরীবা হৌথিবা পরম্বু থৌকাওদমা (হৌকংলৈ লম্বা হুনবা শ্মা পুংম্বাইমোন) লৈবাক অসিনা কুমজা খুদিঙ্গী থৌকাওদনা লৈগুম্বা পুম্মনা নিংশিনব। ওইনববু থৌহৌবা ওইনা থৌরোইনগ্রবা থৌরম্ব (মিহিং লিরোন খোইরৌনা) অশে খোনফাংনহুনা অনোই শাদম শাকোই শদম্না খংদববু লৈথংনবা৷ উদববু উহম্মনবা থৌপুনা নোংদম্বা মাগী লাইমিংবু শোঞ্জবা শকচম্বনা মপু মাগীদমক্তা লৈকৎ লৈহুন লৈরাংবা ওইনা লৈকৎলগে লৈগুম্বা হৈরাং লৈরাং স্না লুপা হি য়াই পুম্মক অশিগু মপু মাগী ক্লাকুনিনা ঐনাথোইনা কৎমিংওাইহু লৈগুমদে ॥ মপু মনা কোয়ৌ খুদিংদা অপাম্বা মশকপু নোংদম থৌদারগা ঐনা লৌশিল্লবগুনি নঙ্গী থৌগনবু নঙ্গী লাইমিংবু নিংশিংজহুনা ইপুক হরাও তয়ামনা লৈহুন লৈরাং লৈকৎ ওইনা লৈকৎলক্তে নথুং য়েংনা য়াবিহুনা লৌবিয় ঐনা লৈকৎ লৈহাম্নদা হাইজবম্বদগী মাইগৈ তরাব্‌ লৈশিন্না (হয়মহে হয়া) পাওশানা সনা মিংয়েংবু কোইনা লৈয়েহুনা লাওয়ে ॥ খোইযুম পুম্বা লৈবা য়াদহুনা কাথৎলকলে ॥ x

খোইয়ুম ইরাংথেন পুংমিন্নবনা কপুংগু অমনা মংবান্দা যান, অমমা মরিবু মগুক্তা হুক্কুনা য়েংকি শেগাদা গুন্দুনা য়াল্লগা মমাই মেল্লিবা শনম্ব মউন্দা ফুহুনা য়ৈহুনা কংলৈ পুংময়োন্দ লৈথরংলরে ॥ অতিয়া মরুনা তাই, ইরাংথেন পুংমিন্নবা নঙ্গী নথুংগু অশিগী য়রা ইথোন অশিবু হুংশিখরেদা মমিং করিবু কৌবা নোংদম্বগী মিংসেন চৎলম্বু খোনফাংনবদা নথুংগু অসিগী য়রা ইথোন্না শৈহৌ পৌগল লাংতগা থৌগন মশক অতৈনা তুংইন থৌগন ওইনা তানফংনবা ওইরশু হুংশিদা মাগী যরা ইখোল তেংনাখিংতেংতা, খিনাগী তেং খিং তেংতা) ঐনা নিংবা পরম পুম্বা লৈহাম্বা চনবা ইখোল ওইনবু তাঙম্মি মশক অসিব্‌ মমিং করি কৌবা, ? নংনা ঐগোন্দা লৈথোক— উগাদবা ॥ মরু মশক অসিবু মিংহুনজজি মরমদি নোংদম্বনা নোংদম্বীবনি তাযহুনা মরুনা থৌদাবু থৌপুনা ঐদি শেমজ শাজবনি উকু অহোবা অমা তানফংবদগী ॥ অহুদি মমিং য়াংদনা তেবানবা লৈহুম ওইবা য়াঙমদে নথুংগু অসিব্‌ উনা ফিম ওইহুনা শেম্বা উ অসিনা নঙ্গী লাইমিং ইহৌফম য়রাব ইরৌনা (রাং) কৌগে। রাং অসিদা তিল্লরিবা মশক মগুং অসিনা পুল্লবা মশক মখৈবু (পুং)

মিংছমশি ।। মশক অশিদো খোইয়ুম (গৌবরেন) গী মশক্কি, (গ) লাইয়েক্লা নাওয়োম শাথোকলকপনি লাইমিং মেরুবদি (ক্রুং ক্লীং য়াংশ্রীং হ্রীং ক্লীং ক্রুং ওম, ওম ক্রুং ওম) হায়গদবনি নথুংশুব, পুরুষদা থংঙো ।। x

লৈন্নুং থুংথুং অচিবা—চক্রিবশু মথুংশু শাথোকপব খোংহুনা কারক্কে ।। মহাক্কি মথুংশুগী য়রা ইখোলব ভাবদা থমোইব নিকহনবা য়রানা ওংলগা হুংশিবা ইখোল অমগা লোইনহুমা শাথোক্লা খোংহুনা মমানা চুপ্পনা মথুং থুবাং ১০না পাইনা থুংপু নমথোক নমশিল তৌনা খোংহুনা লাক্কে ।। অতিয়া মরুনা হংডি করিনো মশক অশিদে ? অতিয়া মরুনা থঙবিগনি মশক্কি, নোংদম থোদঙপু খোপুনা শাথোকচবনি ঐহাক্কি মশক মমিঙব নোঙদম্বীও ।। অহুদি থুং থুং অচিবা মশক অসিদি মুংশংকী মশক্কি লাইমিং লাইয়েপু বুংম কিক ওক কুক উং কৌএ।। নমিংব লৈয়েনা থুং মিংহুম্না নথুংশুব্ অশেবগী খোনপাং ওইনা তেংবানবগী মপূদা লৈঙন লৈরাংনশে লৈথম্লে ।। x

থুদক অহুদা লেন্নুং থোংঙরেনশু মথুংশুব মথুং ওইনা পমহুনা মথোক্লা য়েংক লেংবান্দা ঙারগা থুংশা য়েংকি থুংয়হনা লিয়োনহুনা থুদোম্বীনা লিথং অহুম্ব থত্তুন নোংদম্বগা মাতক মঙালবু মাংন্দা শক শোন্দুনা চংলক্লে। খোঙারেনগী মথুংশুগী য়রা ইখোল(উংলৌহিংফা লৈফাঙ-এ ক্রুং নোংলুম) উংলৌ য়াহবিরেন হাইবা য়ৱাবু তাবদা অতিয়া মরুশিদবগী ৱাথল থৱাই হকচাংবু ঈশং ঈচেলগুম্না যোংনা মেংনা হংলক্কুনা শ্না ফম্বাল্লাংদা লৈকম্বা য়ারক্কে ।। মিংসনা থম্বাল লকানা তনজ্যা অনিদা ঈরা ঈগৌঙমনহুনা মাইগৈ ১০ বু লৈথুংনা লৈনা য়েংহুনা কনা ওইগব রাথল্লহুনা ঙাইঙমদনা ঙাগহুনা লৈএ। লেন্নুং থোঙারেনশু অপনবা লৈতনা চংলক্কুন অতিয়া মরুশিদববু পুকম লৈপাইনৈ। অতিয়া মরুনা হাই;—থোংঙারেন নঙী নথুংশু অসিবু করি কমদৌনা শাথোক্কুনা তানফংবনো ? মশক অসিদ অচিক অশা আনবু লেতিল্লবা তেংবানবগী চংলম ওনা লৈকম্বা শেমগংপা তরুক শাগংপী ইমা ৩৬ কি তিলু লৈথানা লেফম্লিবা, ইহৌরোন মাপাল, মৈহৌরোন মাপনব লৈহাপ শেথম্বা অসিবু করম্নব তানফলুবা য়াইফংডিদা থোংঙারেন নংদি ।। অতিয়া মরুসিদবা ঐনা শাবা শেম্বা নওে নঙী নোংদম্না শেম্বা মশক্কি মাতক মঙমশু লৈথংদ, মঙমশু লৈথংদে, মমিং মশকপু লৈথংজগে অহুমুঙী নফম্নাংদা নাইয়োকথানা চংজবনি ।। থোঙারেন থংদ উদবনা হায়বদি পরম্বু লৈয়েংনা হৃদঙমদমনি অহুব অথঙবনা থঙনা থঙনা হঙম্বা এগী লেংহনবু তাঙম্নগে থোপুনা ৱাহঙবদো তাঙম্নো ।। মশক অসিদি থঙলো। (তেঙবানবগী মপুগী মশক্কি; লৈথারোন, লৈয়াইরোন নোঙলোন লৈফম অহুম্ব শাফোঙবা (হৈয়মচক—উঙলোয়াইবিরেন শিদব) নোঙদম্বগী মশক্কি ।। মরি লিশাবা উংুঙ মরি অশিদি লুতুঙ লৈপাল্লগদবা চক ফৈদোম

মম্নিগী মশকপু শাথোক্তুনা লৈউৎ লৈথম্বা মশক্নি ।। মতুদি অমনা অহুম ওইবা, অহুম্মা মম্নি ওইবা মরিনা মঙা শাফোঙহুনা অমতুগা লৈতিন্না তরুকপু শারেপলিবা, লৈহাশগী লৈরোইবা লৈশুবা (নহাক, ঐহাক, মহাক) হাইবা হ, ম,স লাইয়েক্না থিলুথাবা নথুংশুনি ।। মমিংবু কৈদোম মম্নি লৈশাববু অমমম লৌহুনা নখুংনা লিথংপবু লৈরোনহুনা (খোইকৌ লিথং) মিংহুনশে ।। মেরুবা লাইমিংবু উংলৈহিংফা কৌবনি, পাওশা নোংদম নোংদম্বগী লাইমিং শৈরাওবদা লৈরাংনবা লৈথমলে ।।

রাঙম থৌপুবা পোইরৈ মোইরেংচাম্বা— তাংগ্রকপশু মখুংশুবু খোংহুনা হৌলম্মহনবা কংলৈপুংমাইয়োন তম্না খোংচংলক্লে ।। তাংগ্রকপগী মখুংশুগী ময়া ইথোলবু মুংশিংনা হুমলক্তুনা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা লৈচলক্লে ।। ময়া ইথোন রাঙমলোম্ন নাওয়ৈনহুনা খোংববু ঙাবদা লৈশিরেন লৈপুনবী ফম্বালনাংবা য়াঙয়ক্রে, ময়া ইথোল অহুদা থোইদা মনখিবনা কাংথং থংদনা ফম্বানলাংদগী হৌগংহুনা কোইজাইনরক্লে ।। থুদক অহুমক্তদা রাঙম থৌপুবা পোইরৈ মোইরেংচাম্বা নঙ্গী নথুংশু অসিবু অনি লৈতক্লহন্দুনা অশুক মুংশি মুংঙোনবা ময়া ইথোনবু শাথোক্নবা লৈশাবা লুতুং মরোন অমদা নোংহৌনা চংনগদবা মরম্ম হৌজিক নংনা শাথোক্তুনা লৈশিরেনগী থমোইবু কাংথং পুথং থংহন্দরেদো, মরম অসিবু নংনা করম্না লৈথংনহুনা নথুংশু অসিদা হাপ্লিবা য়াওরিবা মশকশিং অসিনা করি কারগবু পান্দম্না হাপ্লি-পাল্লিবা ? মরমবু শখাইনা লৈশিরেন্দা পাওশানা তাকচম্বীং ।। অতিয়া মরু মশক অসিদি ঐনা শেমজা শজবদি নংচদে, নোংদম থৌঙম থৌশিনবনা থৌঙনা থৌশিন্দুনা শাবনি ঐদি নোংদম্ম, থৌপুনদনি মরম্ম, হক্না থজদে । মশক অসিদি মরু নোংদম্বনা থংবিগনি ।। রাবু তাবদা লৈসিরেন্না হাইএ মরু নোংদম থৌঙম থৌশিনবা মশক অসিনা ওইবদো লুতুং চংলম রাবু ওইঙম্নশু মশকুদি শখাইনা তাকচম্বীও মরুনা তাংগ্রিকপদি পনম থাইনা পাওশাবদো রাহৌজবা ওইঙমলে অয়োন পাওশাবু ওহগবরা লৈথল্লমাম্লে, পনম অত্তু তাজরগা অনোই শাকোই ওইনা লৈশাজহুনা তেংবানবগী মপুদা লৈহুন লৈরাংনবদা হঙম ওইনা লৈহুন থৌগনবু লাংজগে ।। মরুনা লৈশিরেনগী রাখনবু লৈথংলহুনা হাইএ । ইবেম্ম মশক অসিবু লৈথংলগে মহাইরবনিনা হাইবদি হাইরগে, মমিংবু হান্না লৈঙনগে ।। অনিনা লৈরুবদি অমাই পানবা অচংপা লৈঙম্বা অপুম্বগী পেম্নবা মুংশি মুংঙানববু শাথোক্লএ থৌকাওদনবা অমনা মশক অসে পোইরৈ মোইরেংচাম্বনা শাজবনি থংনবা (পেমা) র শ হ, শ হ র, হ র শ লাইয়েক্না খাঙনগা নাওয়োমগা ওইনা ফিশেংপা কৌগে ইবেম্মা ।। খোইথুম পুম্বশু তারো পেনা হাইবা মশক অসিনা ওঙখিবা পরম্ম অনোই শাফোংনা তেংবানবগী মপুরেন্দ লৈগুন লৈরাং ওইনী নোংদমলে, পেনাগী মশক হাইগে তারো ।।

লৈম্নুং থুং থুং অচিবা = চক্রিবা কৌবদি মুংশিংনিদো ।। পোইরৈ মোইরেংচাম্বা = তাংগ্রিকপা কৌবদি ঈশিঙ্গী মশক্নিদো ।। অনিমক্না মুংশি মুংঙোম্না নোইনবে অসিদো (শজুম্বা লৈথাগী

মিউনা) শজুম্বা লৈখাগী পুঙ্গোইগী অখুবোক্তা হুকচিন্দুনা খোইজং খোইদরগদবা মশক্কি ।। অনি তক্লে নেত্তক্লে তোক্তি নোইএ তিলু লৈতিন্নবদা লৈথুংনদ্রিবা ফাওববু তক্লরগদবা মশকপু লৈতম্না পেনাদা চৈজিংনা তক্লিএ ।। তক্লববু লৈথুংজ্রিবা মখৈদি মুংশি মুংঙোন্নবনী তাক্লিএ ।। অখুয়োইনা কাইনা লৈশংলে (তক্লদুনা য়রা ইখোল মুংশিববু লৈশাবা লৈথুংলবদা অখুয়োইদগী মুংশি মুংঙোম্না খাইদোক্লগদববু) লৈত্তাকপনি অনিবু তক্লবদগী তোকওম্নকপনা খোইনৌ পাম্হোইবী মুংশিম্নবী খোইজং খোইদবী পুঙ্গোই অতুগী মপানবু থোংনা থানা নৌনা পাল্লগদববু পেনাগী পুঙ্গোই মমাইনা শাফোংলিয়ে ।। খোইনৌ কৌবদি পানা থোংনা লৈবা খোইরিনে মশক্কি তাংক্লিকপনি, পেম্মা হাইবদি নাওকম হাইবা মশক অমা লৈরগনি অতুঙ্গুংবু থংহনবনি ।। মশক্কি থুংখোংবা, = চাক্লবা = তকুপতয়াং কৌবনে। লুতুং অয়োইবদ. লৈগদবা লাহমিংথোইগী মশক্কি ।। রাবা. তোকপা, শখীনা থোংঙারেনগী যুম্বী পাইনা পাওরোইবদি হাহবদি মুপা মুপী অনিনা লিতিন্নবদা, শাগোম্নবদা থাজা অমদা লৈপিবা লৈ অতুনা য়েন্নিং হুন্নবা মশক অমা ওইখিহুনা ইরু তাঙ্গ লৈত্নম্না মপোক শাথোক্লগদবা রাবুনি । পোইরৈত্তোনবু ভানফংলে ।। তপোপতয়াং শংবা, চংনিংহনবা, মোইক্ফেংবা, মরি লিশাবা, মরাংলাংশাবা য়েন্দোরিবা, শাকারিবা হিংচা চাবা মরম ১০০, মুন্না চাবা মরম ১০০ অচা অথক পুদ্ধবু চাহিবা, চানিং থক্লিংহনবা, অরাম্বা খৌবাংববু থংহনবা, রাথনবু লৈতরুনা খলহনবা, খোইরি নাওরি হাইনা শখাইনা শেম্বা মরিবু অমগা অমগা লৌশিন্নহুনা থৌরম্ব শখাই নাইনা থৌপুরগদবা, য়োমশন্দুনা মশক মওংবু শগংলগদবা. ইমু নাইমুবু শিংলি নাওরি লৈহাপ্না থাগী থোংদা পোক্লগদবা মশক্কি পরম্ব লৈতাক্লা (পেনাগী মশক ওইনা) লুতুঙ্গী য়ুম্বাল লোনবু শাথোক্লক্লেদো, মশক্কি খোইরিনা মুমিংনি, নাওফমগী মশক্লা থানিদো ।। X

পেনা হাইবা মোইরেংজম্বগী মখুৎশু অশিদি লুতুঙ্গী ওইগদবা শাথোক মপোক চৎনরম মুংশি মুংঙোম্না লৈপাম্নবা চানিং থক্লিংবা, শেংনিং ইন্নিংবা পুম্ববু লৈহাপ্না শাথোক্লকবা মশক্কি থংলোদো ।। মহুদি মুমিংকি মঙান্দগী মপান চারি থানবা মরু ওইস্বা মশক অমা পোক্লনি ।। থাগী মওঙ্গী মকগী মমুংদা মউ মপাম্বী হৌনবা পোক্লবা ময়োন য়েন্নিং চোংনবা মশক অতুবু পোকহন্দুনা হাপ্লে লৈহল্লে ।। থাগী পুঙ্গোইগী মপুং মপান্দা লৈবা মুরৈ রাওথাং শংথাংনবা মশক অতুনা ময়োং তেংখল ওইনা হাপ্লে ।। তুম্বানা নিংশানে, তুম্বাগী মমাইদা কুপ্লিবা অতুগা পুঙ্গোই পাম্হোইবীনি ।। অনিগী তাইনবদা হুংলিবা হোরিবা মথুম্না (অখুরেয়েনে) থুরোয়ে অতুগী মমুং অখুবা অতুদা শজুম্বদগী মিউবু হুকচল্লবদা - থাদরবদা, পানা থোইনা থুনা পাল্লিবা পাম্হোইবীগী পুঙ্গোই অতুনা কোইনা উমহুনা শাজুম্বদগী মিউগী অখুবা লৈখুমবু মমুং মপান ফাওনা চুপশিন্না লৈশোক্লহুনা পুঙ্গোইগী মমুংদা লৈরিবা শিংলি মৈরোম্বগা অনিমকপু লৈশোক্লনা থাদনহুনা মতম অতুদা লৈখম্নরকদবা পুরম্ব থৌয়েংনা (উয়েকওইনা) পুঙ্গোইগী মমুংদা উয়েকলৈ, হায়বদি মুংঙাইবা পেম্নবা ওইনবনি হায়বনে ।। X

চৈজিংনা শিংলি মৈরোম্বীগী মত্তোন তেংবানবগী পেম্নরিবা মখুন অথুবা অহুদা উত্তোং ওইনা হুক্নুনা উয়েক ওইগ্নিবা শিম্নুংদা হুক্লে ।। থোৱম অশিদা মুংঙাইবা পোক্নুবা রাথমবু পোকহল্লিবা শিংলি অহুদা হুকলে ।। ময়োন ওইবা খোইরি অহুনা (চৈচিং) ওইরে ।। খোংইদোদগী কায়ক-লিবা ময়াই থংবা মরি লিশাব কোবা শিংলিনা চৈচিং ওইরপপা (মনাং লাংশাবা) পুন্নমন্না শন্নিক ওইনা হাপুনা খোইরি মরিলিশাবগী নাক ম্লেং ওইদা কান্নিবা (চংঙ্গিং হেনবা, অথোপ-ওয়াংশব) শিংলি অনিবু পান্দম্না (লংহিং লংফাইনা হাপুনা নোংখরিকপু য়ান্দুনা পুথোকলি ।। পুঙ্গোইগী মনুংদা লৈন্নিবা লৈফম অয়ুংবা লৈফম অহুগী শিংলি মচা অপুম্বনা পেনাগা চৈচিঙ্গা অনিগী মরি লিশানা লৈথম্নুনা শাথোকলিদো ।। অউংবা কৌবদি, তেংবানবগী হুকচাং পুম্নবু লৈ-থুংনা ইফাওনা মুংঙাইবা লৈফম অহুনে ।। লৈফম অসিদগী হৌনরকপা মুংশি মুংঙোন রাথন্দগী মুংঙাইবদি হুকচাং পুম্না লৈশিম্না মুংঙাই তুজুং ইফাওনা লুরাই কোরেল লৈশাংনরগনিদো ।। x

শিংলিগী থ্বাংনপ লৈফাববু শাদম্না পেনা পুঙ্গোইবু লৈফারিবা মশক অশিমি পলেম মমাগী শিওম্নুংদা মরু ইহুন লৈতম্না মশকপু (নাওয়োম্না লৈথম্নগা খাগী থোংদা ইফাওনা মশকপু অপোক শাথোকনগনি পাওশা লৈতাকপগী পুঙ্গোইগী মমাই মেনবনি ।। x

মুকমু হামৈচোন == (খৈরোইগী মউন) না খোংরিনা খোইশেংপা থ্বাংলি লিফাববু লৈতম্না পেনাগী পুঙ্গাইগী মমাইদা থ্বাংলি ফিশেং লাকপনি ।। শজুম্বা মিউবু উম্না পুল্লিবা পানা খোংপী পুঙ্গোহ ময়াইদা নপ্লিবা লৈভক উয়েকশেক্লা নপ্পবু লৈতম্না পেনাগী পুঙ্গোই ময়াইদা (তেংখন) বু হাপ্লনি ।। পাম্বোইবীগা পাম্বোইবগা অনিনা তকুববু তেংবানবগী পেম্নফম অউংবা ওইনা শাথোক-লগদবা পরম্বু লৈতম্না শাওম্নবা মশক্কি অহুপুঙ্গীদমকপু নথুংগু অশিবু ্না (পেনা হাম্না লৈহুন-বনি ।। মশক্কি পেনানা লৈশিরেনগী শক্লি, চৈচিংনা ঐগী ইশকপু ওইজনা নোংদম্বগী লৈফমদা লৈহুন ওইনবা লৈথম্নশি নোংদম্না লৈথমলে ।।x

হৈরোংলৈমনা চরৈ ফিরোনবু লৈখন নাইনা লৈহুনবা

চিংথৈ খোঙ্গাবী হৈরোং লৈমনা লৈথেংবদা খোইয়ুম কোইজাইমখিবা পুম্বনা কংলৈপুংম্বা ইয়োন্দা খোঙ্গা লৈথংহুনা লৈওম্নবা খোইয়ুম মন্নিনা নোংদম থোদবু খোওয় থোপুনা মথুংগু অমমম লৈশাহুনা লৈরাংনববু উয়কলহুনা, ঐবুদি থাকৌবিদ্রে রাথন্দুনা মপুক তাথিনা কংলৈ

পাংনা লৈয়েংলকলে ।। লৈশিরেন্না থংলহুনা হাইরকলে, লোইনবী নঙ্গী ঐগী , মন্থুং মতম য়োঁদয়ি কৌদরনি , করি মুংবু , শাওবনো নঙ্গী নওস্থু লৈকায়কলো নংনা লাকলগা শেৎলরদি লৈগনিদো চানবদি লৈশিদরি অহু মুঙ্গীবু কৌদবনি, লৈকারনি হাইররনিনা লৈকা লৈয়াংবিরক্নো পাওশা-রকলে ।। পাউশা বাবু পাউজেন হৈবা মালংবনা লৈপু পাওদমলহুনা হৈরোং লৈমবু খোজা লৈথম্নওমলে ।। অতিয়া মরু শিদবনা হাই, ইদাইরেন ইবেম্মা পুঙমলকলিবা অসিবু মরোম মশিং লাকওমদনা ভুমলেন মালংবনা পুরকুনা পংথাদা মথাদৈ লৈরাং হৈরাং করিবু ওইবনো ? নোং-দম্বনা নোদম্বীদবনা যাওজববু থৌওমদ্রে, চরৈ ফিরোন নোংদম্বদি লৈচুওনা লৈখিবদা তানফং-হন্দুনা নোংদম্বনা শেম্বী শাবিবা মখৈদি য়াওজরকলী ।। কদাই ইবেম্মা লৈচু লৈথনবু য়েংওমশি ।। মকগী নোংদম্বু ফংবদা হৈরোং লৈমনা চরৈ ফিরোন ময়োম পুম্বর পুথোক্নমা মকদা মিংয়েং তাহল্লে ।। x

ফিরোম মশক :— থরাইপিচা শক্তিকী মচুগী মওান্দগী কুমম্মিন কানোক পোৎলাই, কোন-থাং শাইককপা, ফিয়াই নমথাং, খ্বাংলি ফিয়ান, লুরেন লৈচাও, খুৎশি, নাশি, খোংশি, খুৎশি ।। ফৈচোন খ্বাংশেৎ, ফিয়ান খ্বাংশেৎ, ফিয়ান খ্বাংয়োৎ কোনথাং, নমশা=ভোলোক, খুৎশি নাশি, খোংশি খুৎশিগী প্যায়োম অমা ।।x

অশওবা মচুগী কুময়িন কানো, খ্বাংলি ফিয়ান, কোনথাং শাইককপা, ফিয়াই খাওন, লুরেন লৈচাও, খুৎশি নাশি খোংশি ।। ফৈচোন খ্বাংশেৎ ফিয়ান খ্বাং কোংথাং শাইককপা নমশা ভোলোক, খুৎশি নাশি খোংশি । মরম অনি অনিনা চুকথানা লোঙ্গবী মচুগী ময়োম অমা ।। অভোবা মচুগী ময়োম অমা ।। কফোই মহৈ অমুনবা মচুগী ময়োম অমা ।। অঙাংবা লৈচুগী ময়োম অমা ।। রাহোং মতুগী মচুগী ময়োম অমা ।। নাপু মচুগী ফিরোন ময়োম অমা।। মথল মথলগী ফিরোন ফৈচোন, কোনথাং, নমশা, নমথাং, লেংয়ান লেংফাই, লেংয়ান খাওন পং-ককশা, লাইয়েং, লিথাং, লিরৌ খোইরৌ, হৈকোই, ওঞৌ লৌঞৌ, খুৎনা লোন্দুনা শাবায়াবা মশক মখৈবু পুথোকুনা লৈহুল্লবদা অতিয়া মরুনা হাই, ইবেম্মা মচু মশক ময়াম লিরোল খোইরোন কানোক অসিবু কনাদা করিবু শেৎহন ইজহনগদগে ? মতুদি নোংদম্বনা মাগী মাগী লাইরম য়েংনা মথৌ মওস্থু থৌয়েংনা চরৈ ফিদমবিগনি ঐগী ইওম নৎচদে ।। করে অতুদি ঐনা ময়ম খাইনা লৈশিন্নবা লৈথমলগে হাইনা থমলে ।। x

অতিয়া মরু শিদবনা লৈশিরেন্দ য়াফু পিবা [ইমোইনুগা, লাইকৈরুংবগা শাফোংবা পরম]

অতিয়া মরু শিদবনা থৌরম অমা থৌহৌরগে হাথল্লক্লে ।। লৈওম্নীবা মশক পুম্নমক অসি

অয়াম থৌরাংবা মুংশি মুংঙোম্না ঊকাই লৈথুম্না লৈপায়বা চৎলম্ব, লৈছৌন্দুনা নোংদম্বগী থৌওম থৌপূনথিবা পম্বম্ব, মকমলাংদা সৈছুন লৈকৎলগে রাখল্লছুনা (য়াইফু) অম্না শাথোক্ত,না লৈশিং-য়েন্দা পীয়ে ॥ ইদাইয়েন লৈশিয়েন লৈঙম্লিবা মশক পুম্না অসিনা থক্তে চাগে লৈমিয়ল্লবদা মানা মানা চানিংবা মশক, নিংবা নিংবা মশক লৈরাক্তনা পিজ পিথক্লবা নংমা লৈশিন থৌওম্ব, থৌপুনৌ ছাইনা য়াইফু ফুহিংবু পিওমলে ॥ য়াইফু ফুহিংবু তাঅফংবদা লৈশিয়েম্না মপুক হম্বাও তয়াম্মছুনা মরুবু পুরুম লৈপাইনা শাকোইবজা অতিয়া মরু শিলবগু মুংঙাইছুনা অনিমকপু থুংচেং পালোই লাক্লছুনা নোইত্রেএ ॥ অনিগী অনোই শাথেকপু উবদা খোইয়ুম পুম্বগু মছৌ মছৌ ময়াং-নছুনা মানা মানা হৈগুম্বা মগুংদা নোইনৈএ ।' X

অনি মরুা পাওশা লিরোয়ে—
কংলৈ শ্না পুংমাইয়োন
লফু লাগুম মঙান শামদে,
শং শংদ্রো শংদ্রো পিলো শংদ্রো ফা
পাত্তগী থরোগা ইংখোন্দগী ম্নাগা
রাইনৌশে রাইনৌশে শম্না লাংলৈ রাইনৌনৈ,
শাবন লমথোকশে, কোইনা লময়েংশে
হা মি মি য়ো য়ো,
কাংথং তারো ॥
চীংয়া পামেন অমুনহৈ,
শেমজবনা চানবা হৈ,
সে সে চাজরো,
সে সে লৌজরো সায়ানশিদা ॥

শ্না পুংমাইশোন লফু লাগুম মঙান শামদে শং শংদ্রো শংদ্রো পিলো শংদ্রো ফা, পাওগী থরোগা ইংখোন্দগী ম্নাগা রাইনৌশে রাইনৌশে, শম্না লাংমৈ রাইনৌফম, শাবন লমথোকশে কোইনা লম-শেংশে. হা মি মিয়ো য়ো, কাংথং তারো য়ো ॥ চীংয়া পামেন অমুন হৈ শেমজবনা চানবা হৈ সে সে চাজরো, সে সে লৌজরো শয়ানশিদা ॥ X
লাই ময়াম্না পাওয়োকএ—

খোইনৌও তুথরো নাওরা ঐখোইনা থুঙরগে
ইপুয়োই চংনিংলোই

নকা ইকা খোংথিল্লোই
হুংগা মুন্না লৌও লৌও
কবোক পোক্নুম মকালাম
থোইনা হেন্না মকেয়ে ।। x

অশুম্না পাওশানহুনা শাকোঙনা নোইনহুনা অচা অথকপু য়েন্দুনা চাবা থকপা হৌরে ।। পীজ পীথক্নুনা চাবা থকপা খংহল্লবদা লৈশিরেম্না মহাক্নগী (ও)—লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা লাইরেম্বী অমা শাথোক শাফোংনহুনা মমিংবু (ইমোইমু অহোং অচাওবী) মিংহুন্না লাইম্বিং মেক্নববু (ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং ক্রং) তেংবানববু নাওয়োক নাওকোন্নবা চাক্ন কনকুবিরিবী লৈহন্না ফুহিং অহুবু লৈশিন্নহুনা লৈথমলে ।। থৌরম্মু উবদা অতিয়া মরুনা মহাক্নগী ওঁ লাইয়েক্না নাওয়োমহুনা লাইপাখং অমা শাথোক শাফোংহুনা লাইমিংবু থাহিং কৈতেকপা কৈরুংবা, মেরুবা লাইম্বিংনা ওম হ্রিং হ্রিং শ্রীং শ্রীং লনগে পুম্নবু লৈয়েং লৈপান্নবা লৈহন্না চরৈ ফিরোন লিক্লোন খুৎশি-নাশি পুম্নবু লৈশিন্নহুনা লৈথম্লে ।। x

লৌ-উবা তম্বীবা খোইয়ুম লৈওম্বা পুম্নবু

অতিয়া শিদবা রাখল্লক্লে, অচা অথক শেংনা ইম্নবা থৌরম অসিবু য়াইফুদগী লৌহুনা মালংবনা কোইনা পুরূপা খোথয়ুমশিংবু মানা মনা চানংবা শেংলনংবা অনিং অনিংববু পুহুনা পীহুনা চাহনবা শেংহনবা অসি লুত্তুংদা অকাহবা অরাবা পয়ম অমা লাক্নদৌরি ঐনা নোংদম্বদা থৌরম্মু লৈহন্না পাদম লৈরাঙ্গে নিংবা অসি থৌরম থরুগু লৈরাংলিদনা অসিবু কমদৌশিবা থৌরম অনি লৈবাক অসিগী লুচিংবা শাবা কংলৈ লৈশংবনা লৈহাপ্না থৌরম্মু অমুক লৈহৎলশনু থৌরম অসিমদি ঐনা লৈকৎপদা থৌয়াওনবা তৌওম্বা তৌয়ে হাইহুনা খোইয়ুম পুম্নবু কৌশিন্দুনা হাইয়ে ।। খোইয়ুমশা তেংবানবা অশিদা লৈরিবা অচৎপা চত্তবা লৈম্নরুদবা পুয়মক্তি মমা হাইনা মশকপু ওইহুনা চানা থরুবা, শেংনা হুন্নবা, চিন্নবা লৈবা থিবিকপু শাথোকহন্দুনা (মালেম লৈমা ইমানা) মথাক্নদা কোন্দুনা য়োকপি থাকপিগদবা ভাক্তনি ।। কোয়ৌ নোংথৌনা ইপানি, কোয়ৌ নোংথৌদগী মরেক মহাও লৈবা থিবিকপু থাদরক্নগা মালেম ইমামা ইমাই চোন্না য়াহুনা লৈয়ৌরগা মহৈ মবোং মপানবু মথল মথল পোক্নুনা চানবা শেংনবা লৈবা থৈবিকপু পিওম্বীহুনা নাওয়োক্নদবনিদো থংঙ ।। মালেম ইমাবু হোপাইহুনা মহৈ মরোং চানা থরুবা থৌরম্মু তৌওম্নশি পাওশানহুনা অতিয়া শিদবা মরুনা মালেম্মু থিনগাই হোগাইনবা থৌরাংলে ।। অতিয়া শিদবনা মালেমবু থিজাইবদা য়াওগদবা মশক পুম্নবু থাকৌহুনা মাগী মাগী মথৌবু লৈশিল্লে ।। x

ফাইরেন থাজা ৫ নি পানবা শগোলশেনবী মুংখিল পোপ্পা হুনবদা কৈনা তিতি ফাই; নোংশা ভাওনা অরৎ ফাই, থারৌনা পোংপু ওইরে, লিন্দুনা ভাংজে হাপ্লে, নারিন্না লুম্নিপাল্লে, লিনথান্না রাইথুম্নিং হাপ্লে, তিনবুন নাপুন্না য়োং থাংলি ওইরে, খৌনাইবনা য়োংচৈ পাল্লে, ভৌভাইবনা য়োংথোন হাপলে, তাংলৈনা লাংগোন ওইরে, লিলহানা চৈবুল শারে, খুলাই খুদোনপান চাক-লৌপুংদা লৌভাবা মিংহুন্না অতিয়া শিদবনা মালেম্নু থিনগাইবা হৌরে ।। মালেম্নু থিনগাহবা উবদা খোইয়ুম লাইয়াম্না পাওলৌহুনা শাকোই শাদম্না ভুংভাইনে ।। পাওশা :—

হে মালেম শমপোংলোই
মালেম্ন থিনগা লৈহৌরে
ভিজোই পুমথাং লোন্নেদা
লৌভাশে চৌনরে ।।
হে, হে, হো ইভাও হোয়ানগেদা
হো ইভাও হোয়ানগেদা ।।

শমপোংলোই অতিয়ানা খুম্নি :— হো হোই হোই, হে হে হংস য়োইবু য়োইহৈ ভানফংনবা কৌখা খুম্নমলো ।। লাইয়াম্না—য়োইবু য়োইহৈ ভানথেংনা কাওথুম ভানজগে, পাওশাইদো ।।

লাইরেম্বীশিংনা লৌলিংবা হাইনা লৈশিরেন্না লুচিংহুনা লাইরেম্বী পুকশিখোম্বী, অভাইবী, থারৈমা, থৌভাইবী, থিংবালোইখোম্বী, কোংটিংলৈমা, য়ুচেং লৈমা, চিংবা লৈমা, চিংচেপ্রঙ্গবী, হৈরোংলৈমা চরৈ ফিওম্বী, লাইনৌভাবী, ইমোইনু ভুরৈখোংলৈমা, চিংখৈ লৈমা, পিথ্রাইবী, খোং-জ্রাইবী, লাংজিং লৈমা, হৈপোক লৈমা, চিংভা লৈমা অসিনচিংবনা শৈখুন্না শকনৈয়ে ।।

লৈশিরেন্না — হোই ভৌ হোয়ানগেদা
হে খোইনৌ ইভাখোই শিখোং
ইবুং ভাইওম্নবা হোয়ানওমশি ।।

লাইরেম্বীশিংনা— চীংয়া পামেন অমুল হৈ
শেম্নজবনা চানবা হৈ
সে সে চাজরো চাজরো পাওশানহুনা
লৌ লিংলো ।। x

লাংবন কারবদা লৌ উবা লোইরহুনা—লাইয়াম পুম্বনা মপুক হুয়াও তয়াম্না মথুভা চৈবুল পাই-হুনা লৌভারুহুনা পাওশাইদো—

হে হে হে ই ও হে হে ই ও
য়ারৌ কারে হে হে ই ও,

লাংবন কারে হে হে ইও,
খমঙা খমলে হে হে ইও,
শিখোং জিকোল লাংজেংলে
হে হে ইও।।

অশুম্বা পাওশনহুনা লৌউবা হৌওমহুনা তেংবানবগী য়াইফনবা থৌহৌহুনা লৈথম্মিদো ।।x

মৈতৈগু নোংদালাই—লৌউশিংউবগী থৌরম্ব থৌরোইরবদা নবুথৌনা থৌরম্ব লৈকৎনিংহুনা লাই কৈরুংবদা নোংদম্মিদো ।। কৈরুংবা খোইয়ুম লৈঙম্বশিংবু মাগী মাগী লাইরকচনবু থোয়েংনা চরৈ ফিরোন পিডমলো ।। খোইয়ুম পুম্বা নখোই থিবিক্কা লোইনহুনা ইপূক ইরু মাইক্তানা লুতিন ফন্দান লাংওম্বা তেংবানবা মপুগী লাইমিংবু নিংশিংনহুনা থৌখনবু ভানফংনবা তৌঙমশি নোংদমলে।। অতিয়া মরুগী নোংদম্ব তাবদা খোইয়ুম লৈঙম্বা পুম্বা কংলৈ পুংমাইয়োনগী লাইথুন্দিনদা লৈকা লৈফমলে ।। লাই কৈরুংবমা চরৈ ফিরোনবু পুথোক্না পারম লিক্রম থাইনা ফিরোন লৈচু লৈয়েংনা য়েল্লক্লে ।। খোইয়ুম পুম্বা মকোক মউ ইতুম্বা থুজিন থুয়া লৈপেংনা ইরু ইশেং থাকো লাংমা মশা মউবু লৈশেংনহুনা. মশা লৈফম ৯ দা মালেম লৈতিন লৈকৎনহুনা মাগী মাগী লৈথংবা ফিরোল লৈচুবু শেৎচন হুনগম, লিংশন, য়েৎশন, য়ানশন শিজিনহুনা নোংদম থৌখন লৈপাববু য়েঙ্গদবগী য়াওগদবগী লৈকা লৈফম্বা লৈচৌনয়েদা মৈতৈগু নোংদালাই পাখংবা ।। লইবুংখৌ ৮ লাইরেম্বী ৮ মাগী মাগী ফিরোন মচুবু পরম নাইনা ফিশেংনহুনা শাথোক থৌখন ভাইওমলে ।। হরাওতয়াম্বগী ফিশেং অতিয়া মরু শিদববু— শ্বা ফিগে ফৈচোন খ্বাং শেংলাং. হিয়াইনা লৈহৎ কানো লৈথাব কোনথং শাইককপা লিক্তনা নমশা শলাই= তেংলোক মথক্কা উরিশেক লোনি লাংওম্নহুনা থুংশি নাশি, খোংশি ফিয়ান লৈতেংমা শাথোক্কা কোন্দুপ ভাইওমলে ।।

হরাও তয়াম্বগী ফিশেং

লৈশিরেন লৈপূনবীশু কফোই মপান মচুগী কুময়িন পোৎলোই খ্বাংশেং লাং, অসংবা লৈচুগী কোনথাং শাইককপা লিক্তনা, ফিয়াই নমথাং খ্বাংয়েৎ ফিয়ান থাহুনা, থুংশি, নাশি, খোংশি লিকফাং শিওম্বা লুরেল লৈচাও হাপ্তুনা, উরিশেক শম্বজিন লৈথেংনহুনা ভুংইন থোগন ভাইওমলে ।।

লাইরেম্বী অঙাইবী শজিক থরাইপিচা মচুগী কুময়িন কানো পোৎলোই খ্বাংশেৎনা, কোংথাং শাইককপা; ফিয়াই নমথাং থৌওনলাং; থুংশি নাশি খোংশিহাপ; লুরেল লৈচাও নমশা হাপ্তুনা উরিশেক লৈথেৎনওমলে ।।

হরাও তরাম্বগী ফিশেৎ



লাইপাখং অঙাইবা থবা থরাইনিচা মচুগী খ্বাংশেং কৈচোল মাঙদা মোক্তোক লাইথল লৈহাপনা শেংহুনা কোংথাং শাইককপা জিন্থ্না খ্বাংজি, খ্বংজি খ্বাংশেং মাকদা ফিরান মোক্তোক শানা রামহয় লৈকাহুনা খোংশি নাশি নমশা-জোলোক (শলাইখুংয়েং) য়েংবা নম; উয়িশেক লৈথেং হাপ্থ্না মরুংগী থৌথল লাংঙি ॥

লাইয়েম্বী কোটিংলৈমগা, লাইপাখং উকোংলেনসনা অশংবা লৈচুগী ফিরোনগা লৈত্তেংঙনা শেং, শিহুনা থৌথল লাংনা লৈঙম্বী।

লাই পাখং কোংটিংলেনগা লাইয়েম্বী পুকশিখোম্বীগা অনিনা নোংজৌবী মচুগী ফিয়োম ফিশেত্থ্না থৌথল কম্বাঙি ॥

লাইপাখং থৌঙাইবগা লাইরেম্বী থৌঙাইবীগা অনিনা ফিরোন ককোই মক অমুনথা লৈচুনা শুমজবু ফিশেংশুনা শেত্থ্না থৌথল লাংলে।

লাইপাখং থয়াইগা লাইয়েম্বী থাইয়েমগা অঙৌবা ফিয়োন কুমজিন কানো কৈচোল লৈত্তেং শুনা লাংহুনা থৌথজি।

লাই পাখং য়ুহাগা লাইয়েম্বী খিংবালোইখোম্বীগনা অঙাংবা লৈচুদা ফিয়োন শুনা লৈত্তেং ফিশেংত্থ্না থৌথল লাংঙি।

লাইপাখং চেঙাগা লাইয়েম্বী চেংবালোইখোম্বীনা য়াহোং মঙুগী মচু মানবা মচুগী ফিরোন্দা পরম শুমা ফিশেত্থ্না থৌথল লাংঙি।

পোইরৈ য়োইয়েচাম্বা লেনা অশেবা, খু খুং অচিবা খুং অশে খোনপাংবা অনিনা অঙৌবা খ্বাংশেং কৈচোন মোক্তোক লাইথম ভুংয়েপ্পা, কোনথাং শাইককপা অশংবা, খুংশি নাশি; খোংশি নমশা শলাই য়েংনা নম্বা উয়িশেক শমজিন লাংনা থৌঙাইহি।

লৈলুং থোংঙাবেল - খোইয়ৌ জিথংপনা লৈচেং অঙাংবা লৈচুগী কৈচোন খ্বাংচেং নমথাং থৌঙন কোনথাং শাইচোনবা লৈত্তেংনা ভাইঙহি।

ইংাংথেন পুংশিম্নবগা মোংপোক মহৌলাইগা অনিনা নপু কেচোন কোনথাং শাইককপা খুংশি নাশি খোংশিবু লৈত্তেংনা য়ংনা শাবা পুং মাইপাকপা; পুংমাইখুববু থৌওমহুনা থৌথমবু ভাইয়ে ॥

অয়াইবী লাইনেইভাবীগা; হৈয়োংলৈমা লিয়ৌ খোইরৌবী, মাঞ্জিলা লৈঙবীগনা অঙৌবা খ্বাংশেং কানো লৈশাঙবগা নমথাং ফিয়েল লুকুং শমলাং কিশিথানা থৌথনবু ভাইঙহি ॥

মৈতৈত্থ্ বোংদালাই—ইঙাইথকপা পোম্বী চেক্লাওম থৌয়ম্ ভাইহুনা লৈঙয়মক্লবদা চিংথৈ অচিবা মরুম্ ম্না অহিংবা মচুবু ভমজবা খ্বাংশেং কৈচোন মাঙদা মোক্তোক লাইথন লৈহাপা খ্বাঙশেংলে ॥ কোনথাং শাইচোম্বা জিত্থ্না নমশা শলাইঅঙৌবা লৈথক্কা উয়িশেক লৈথেং লাঙনা ইশইথু ইমাইচোম্না হাপথ্না মঙ্গুংদা (উয়ুঙ মনাখু) থাদহুনা মাগী জিঙবিগনা লুপ্থ্না খোইমুম পুম্বু ফিকশেং থাশেংনা ইচাই থৌপু মরুগী ॥

মুরৈ উথিং ইনে, লোকচাইনা চিংজোল ইনে, কোকবা ইনে, থাংকোং ইনে, ইশেং মতানা চৈথিল হৈয়ম লাংজ্রা চেক্লিওন্না, ওম হৈ, ওম হৈ, ওম হৈ ।। ম

হয়ম হোয়াবে, ওম হৈ, ওম হৈ,
কেগা য়োইগা মোংগা য়াইগা
থৌরি থৌয়াংলা থৌরি থৌদিল্লাং
থাবা মাবু লায়ংদে
মুমিং পোংথৌ তম্রিএ ।।
পোংথৌ মথং পিজগে
মুমিং মাবু লায়ংদে,
য়াব্রা কোংগাংশাগী
পোংথৌ মথং পিজগে
কুমজা লৈপাল থৌজয়গে ।।
ওাল্লয়ে জেরয়ে
ওমহৈ, ওমহৈ, ওমহৈ,
নহায়োং মোংবা তুদৌ খোংদৌগৈ
তুদেং খোংদেং নোঙ্গী
থৌরি থৌয়াংলাং
থৌরি থৌদিল্লাং
থৌরি থাবা পোংথৌতম্রি
থাবা মাবু লাচংদে,
মুমিং পোংথৌ তম্রি
মুমিং মাবু লায়ংদে ওম হৈ ওম হৈ
তিজবা লাইনবা তিজুবা লাইচুবা
অনবা অহাবা তিনশেং লাইশেংনয়শে
হৈয়ম হোয়া হায়া ।।ম

ঐরৈক্তৈ কোংদালাই শিকশেং থাশেংবা লোইহনা খোইমুক্ত প্রুমবু নিপানা পস্লেং অমা, লাই ভুমানা পকেং অমা, অনি থাব্রাংবা মুকোং পাত্তা খোমুমহনা অমাইবী লাইনৌভাবীনা শানক পাওনা য়াক্লেনা, অমাইব চিংখৈ মুক অচিবনা কাইথোন হিরি লৈকানুবা (তেংবানবা মপু

উংলৌ য়াইখিরেম শিদবু) মোংলোম লৈয়োনবু লৈক্তা লৈচিংবা লাইজাতুনা থাকৌ লৈকানহুনা থাকৌনয়ক্লেদো ॥ X

খৈয়োম ইনবা :—

হৈয়ম হোইমৌ হোয়ানজিদো
পোইরৈ তোপ্পা থুম্বিরকপা,
পোকনাও তাম্না থুন্দাম্লবু
থম্মৈ শুংমুং নংবু থুন্দামঙম্মীওম্লো
অঙানবা মীওয়েন মীথুয়েন লাও লাও ও
সংলৌরেম্বা লৈয়োম্লাংতমোবা কৌওম্মগে ॥
নোংদম্বা নংবু কৌজ্রবনে,
অঙানবদা লৈওম্বা শুম্মরেম্বগু শায়োম্লে ॥
নোংপোক লৈমা পান্থোইবীগু শায়োম্লে,
নোংদম্বা নংবু শাথোম্লক্লো
নঙী নোংদম থৌরম্ব
থৌরম ফাজম শিনখিবা
নফম্নাংদা লৈকং লৈছন লাংজম্বগে
নজা শয়োন শাদম শাথোক্লা
কৌরৌ অসিদগী লৈছন থৌথন লাংজগে,
লৈকা শাথোক শাকোংলো ॥ X

হাইনা খৈয়োম্ব (হো য়ো সো) হাইনা লৈয়িন্দুনা (নিং নিং নিং রি রি রি) পাওশানা নোংদম্ববু থক্লকোনা থাগোম্লহুনা (অতিয়া শিদবগা লৈশিরেনগা) অনিজা লৈশিনহুনা মরুবু কংলৈ পুংম্লাই-য়োন্দা (মা তাংবন ফম্বীবু) লৈথানা লৈথম্লেদো, মৈতৈগু পাখংবা নোংদালাই ॥ চিংখৈ মমনা লুচিংহুনা থৌমাওদবা লাই পাখং শিঙ্গা লোইহুনা মাইকৈ চিরা মরিদা লেপ্তুনা নোংদম মরুবু মশল লাবা অমোম্ব কোনজনবিগে শাকোংলে হাইনা হোই লাওনা পাওজেনবিহুনা মাইগৈ পুম্বদগী থোইয়ুম পুম্বা লৈকা ফম্বাল্লরেদো মৈতৈগু ॥

হৌজিক্কি মৈতৈগু হরাও তয়াম্লবদা শৈরাওবা, তানয়ৈ শৈশকপা পরম্ব পাজগে পাওশনা পুক্নীং থোইঙংলো ॥ লাইপাখং মথৈনা পম্নেং অমা অতিয়া মরু শিদবনা মাংদা লুচিংনা লেপ্লেদো ॥ লৈশিয়েন লৈপুনবীনা লুচিংনা লাইরেম্বী মথৈ অমা লেপ্তুনা থাজ্রাং—থাজ্রাংনা কেপ্তুনা চোং,

শেকপীন, হয়াই, শেনথক শেনথা, পাইনা লেপ্লে।। অশৈবা পেনা খোংবনা হৌইরো হোইয়া লাওয়ে—

হৈয়ম হোইয়ৌএ, এ-এ-এ
হোয়ানগে, এ - এ - এ ইংশো ।।
নহানোং ময়ুম য়ুরেললোক
লুরেল খুম্বী রোক,
মান্তক থয়াই রোক
চীঙ্গোই পাওরল্লি
মরিং ইথৈখোং অচম্বা
লেমলৈ পাক্লা হাথাবা,
পোম্বী নাওথেম চীং
থৌছু মুংশুম চীং
লাইবুংখো মাপন্না ভুয়গা জাইনুবা তরেৎনাও ক্রৌবা চীং
লাইনুরা তরেৎনা ভুল্লগা
লাইপাখং মাপন্না ওক্রৌবা চীং
নুরা ফিবুল ডাইরোই চীংদগী
হৌনিন্নরকপা চীংও, ইবুংঙো
খোইযুম লাইমিংথোই
খোইযুম য়াইবি য়েলহৌঙৈগী
য়েলহৌ মচিনঙৈগী
অমম লৈশা হল্লকপা,
য়াইবী ওমথি হুম্মোইনা
খেরে মুজুম তগুপহৌ
ফোইদিং নোংথাং তরংলেন
তরং লাইজ ইপোক্লকপা
লাইমিংথোই মুংনাং চয়াইরোই অহেনবা
কোয়ৌ কাপ্পীবা য়াংবন কুবিবা
রাংবা মিংথোই পানজুম্বা,
হুপ্লাং মপালথা চাব্রি মউ জিংনা

লাই, শেমপোং কাইবী পুয়মকপু,
মুঙ্গুম পরিং লাংশম থা,
উকক মাইথোংয়ান
মালেম লৈশেম লৈহৌরকপা
চীংগু ইবুংঙো নোংদম্বা
কোয়ৌ অসিদগী নদাইরেন পুম্বনা
শ্না থৌগন লাংজনা কুমজা থাজা খুদিংদা
শ্না থৌগন লাংজনা
নোংদম্বা নঙ্গী থৌদাবু
থৌওম থৌদা থৌপুনা
নঙ্গী লৈস্তুন লৈরাংজবা
কুবি নোংদম য়াৎপীও
পপ পপ হু তুপ হুং-ও
ওম হুং সো মনিক হোমনিক য়োননিক লৌতয়েং হৈযম

লাই নিপা মুপী উমুংবঙুম লেপ্পুনা লৈরম্বদগী পাওশাবু লোইবদা অশৈবা পেনা থোংবনা
হাথেফু হাথেফু হোপরা আও আও
হৈ হোরিং জিং,
লোয়ক লোয়ক
খাও ক, রু খাও ক, রু
রুদি ফোংচিন মফোংচিন
য়েত্তা হুক্তিম হুক্তিন ।।

শৈরাওবদা নিপা মুপী অনি থোক্লা থাইদোকচুনা শাকোই শাদমচুনা, মমৈগা মকোকা শমজিম-চুনা (অতিয়া মরুগা লৈশিরেনগা) অনিনা ময়াইদা লৈওম্না শাদম অনোই লোলবু য়েত্তা অনি-রক হন্না লৈরম্মগা শাফোং শাদয়ে ।।

কুমহৌরোন

কুম কুম কুম শ্না
কুম্নীরাই ঈবাং চৌংদালান্দা কুম্মোইতিনবা ।।
কুম পোকপীনা পোকপীহল,
জাইরোংনা জাইরোং হনগে কেন,

য়াংখোংজা নিঙোনবী লাংলেন কোংয়াং মচৈঙম্বা
খৈনা ভুনবী মকুমশা
কুন্থী মমুং ঙইদে-এ ॥
খোইমা নায়োম্ন্ংদা লাংজেং তোংগাংকানা
কাওরেন শন খোজ্ন্দা মিংয়েংবীনা
মিংয়েংহৌবা মকুমশা ॥
হুইয়েন্না পুংহেম্বোক
থয়োনা মুঙ্গাই শানা হৌবা কুম
কুন্থী মমুং ঙইদে-এ ॥
থাংজিংনা কেবাক থোক্লা হৌবা কুম
কুন্থী মপুং ঙইদেদো ॥
হৈরুক্লা নারেং থাংনা হৌবা কুমশু
কুন্থী মপুং ঙইদেদো ॥
থম্বনা লাকোলকানা হৌবা কুমশু
কুন্থী মমুং ঙইঙমদে
কুম নোংদম জম্লগে
শি নোংদম জম্লগে
চংনোংদম জম্লগে
শি নোংম্বেনে পাই নোংম্বেনে
করি হেলমে করা হেলনে
কশা দালোন খোম্বা য়ালোন
কশা তিলু ওম থোলি ওম কশা
য়াংদা চংশা য়ম্বা কোজাং লাই
খিজো য়াদোলাই. অওক অচং লাই
লাই ময়ম তয়াগাতয়েং মকুপু
খংজহৌয়ো উজ হৌয়ো
জেংবানবন্সী নোংদম্বা
নোংদম থৌদারকপবু
অতিয়া মরু শিজবনা

মিংথোই শম্থুম মহায়াবা হাইবা লৈরিক্তৈদা
ইমা লৈশিজন লৈপুনবীনা
থোংনু লৈমা হাইনা লৈরিক্তৈদা
নোংদম্বগী থোদাবু
থৌওম থৌপিম্নহুনা
থৌওম থৌপুনখিববু
অনোই শাদম্না লৈশানা
নোংদম্বগী লৈফমদা লৈহুন থৌগন ওইহুনা
লিয়োন পাওশা শৈশক্লা
খৌথন লাংনা পাদম্বদা
থংহৌরো উহৌরো অহা, ইহে হোয়া হোয়া
হৌইয়ো হোইয়ানগেদা ॥ x

মলাংসিদা (তোং তোং, তোং থোং থোং থোং) পুংয়ৈদো

লৈহৌ লৈশা শৈরাওবা

হযম হ হয়মহে অহা ইহে হয়মহে ॥
হোযাহে হোয়াহে, হোয়ানগেগে ॥
হোই হোই হোই হোই হা-হা হা
হয়িলো হয়িলো, ও হয়িলো ॥
হেরিলো হেরিলো, ও হয়িলো ॥
হয়ুতে হোয়াতে, ও হোয়াতে ॥
হয়ুতে খুলাইতে, হয়াহে হয়াহে ॥
অঙ্গোএ অঙ্গোএ, ও অঙ্গোএ ॥
হারুং হুং হারুং হুং হৌহে হো
হোয়ানগেদা হো ॥
কংলৈ শ্রা পুং মাইযোন
লফু লাগুম মডান শামদে
শং শংদ্রো শংদ্রো পিলো শংদ্রোক্া
পাওগী থরেগা ইংথোন্দগী সনাগা

তেংতা তেং
খিত্তেংতা খিনতাতেং
খিত্তেংতা
ডখুপ ডখুপ চোং-
দ্রেম চোংদ্রেম, তোং
দোংখোং ধন ধন ধন
তা তা ধন তা তা, ধন
তা তা ধন ধন ধন, ধিন
তেংতা খিত্তেংতা খিত ধেনতা
খিত্তেংতা

রানৌসে রাইবৌশে
শম নারশম রাইবৌশে ॥
শাথন লমথোকশে কোনবা শমখেংশে ॥
চৌংয়াগী পাম্বেল অমুলচৈ
শেমজবনা চানবা হৈ
শে শে চাজয়ো শে শে জৌজয়ো শয়ানশিদা ॥ x

শৈশক শৈয়াওমজুনা (যৈভৈঙ্‌ নোংজলাই) অতিয়া শিদবগী লৈশিয়েন লৈপুরখিগী অনিবা ময়াইদা নোংখাগী (ফদ্বি থারিবা) মনাক্তা লেপ্তুনা থোথন লাংজবা ওইনা নোংদম থোজা থোঙম থোপুখিবা শরম, নোংলোন্দা ইঙান লৈশানবা শেমগংপা মৈ, ঈশিং, মুংশিং, লৈচিম, থরাইশিচা মুমিং থাবু শাথোক্তুনা শেমগংপা শাপংপা লৈহাপ্তুনা চংলম তরুক মুমিং থা কুমজা লৈথমবা থোপুমমদগী শৈশেহৌনা মালেমদা লৈকুমহুনা মথং লেংনা শমথনা থোপুনখিববু (অবোই শাথেক) ওইনা শাকোই লৈশানা শাহুনা নোংদম্বা মপু উংলৌ য়াইবিরেন্দা) লৈহুন শাংহুনা থোক্ত-মুম পুমগী মপুক হৱাও তম্রাম হন্দুনা লৈহন থোপন ওইনা কালেন কোবা থাজা অমবু লৈচুখা শানৈদো, অহু হুজীবু (লাই হরাওবা) হাইনা থোরম অসিবু মিংহুনখিদো যৈভৈঙ্‌ ॥ x

হরাও তম্রাম্বা লাইরোইগী অমুক্তগী কোয়োহনমবা মুংথক থানবা ফাওবা উমংলাই কয়া মরিনা শগোল কাংজৈ শামহুনা (ভেংবানবগী মপুরেন্দা) লৈহুন লৈরাংবা ওইনা শারেদো ॥ শামবা লোইরগী লৈশিয়েন লৈপুনবিবা থোইয়ুম পুমবু থোকংলৈ লম্বা হনবদা কৌশিজুনা অধুম অহাও লৈতমবু শিজ শিথক্তুনা থোইয়ুম শিংবু জুংওাই হজিদো ॥ x

কাংজৈবুদি– ৫৫ং পানজনকরা কুকম চীংমৈগী, মপা পুজদা ওইদো ॥ মথাগী শানজনকরা চীংতা শীঙমদা ওইদো ॥ ফুন কাংজেম জনকমদি নোংপোক অচিবা মরুনা হজিদো ॥ কাংজেরোই ১৪ গী খুাংশেং, কোনথাং শাইককপা, নমশা=(তালোক কিশাং) লাংবদি কৈয়োং লৈমনা তশি-দো ॥ কিয়েনবনা লাই কৈকংবনা কিয়ান মচু তম্রা য়েন্দুনা শেংনৈদো ॥ উবাং হৈবনা ফৈচোন তাংতুনবা, কোনথাং নাপু কিশাংনমশা অতৌবা ॥ মথা হৈমনা ফৈচোন নোংথৌ মচু কোনথাং অসংবা, কিশাংনমশা অতৌবানিদো ॥

নোংপোক লেম্না মথা হৈবা	নোংচুপ লেম্না উবাং লেম্না
১। পনভাকপা—মার হনবা	১। পনভাকপা—থাংজিং
২। পনভাকচন—চিংঙ্‌ থম্নাংবা	২। পনভাকচন চিংঙ্‌ থোইদ্বিঙ্গনাবা।
৩। পনলকচন—চিংঙ্‌ ইরুম্না	৩। পনলকচন—য়াংম্রেন
৪। লাংচৈ—চিংঙ ইকোপলাই।	৪। লাংজৈ— য়ুজোইলাই

৫। পঞ্জেন পল্লকচন—চিংঙু, ইয়োংলাই
৬। পঞ্জেন চল—নোংশাবা লাইমিংথোই।
৭। পঞ্জেনবা—নোংপোক অপাম্বা ॥

৫। পঞ্জেল পল্লক চিংঙু, নম্বুলাই
৬। পঞ্জেল চল—চিংঙু, মুংবা মহাবা
৭। পঞ্জেনবা—কৌব্রু লাইলোংবা ॥
তরামরিনা শানহনা লৈহল্লেদো ॥

মুমিৎলাং নোংদম্বা মকবু নোংলোম্না লৈথিনবা পয়মু থৌপুহুম্না (ঐগ্যমিকোন) থৌপুবা থৌ-শিল্লে ॥

চিংথৈ মকনা শৈরাওবা—
খেক্কোরে খেক্কোরে, খেক্কোলংমৈ খেক্কোরে,
অচিচিরো চিচিরো
হাংমং খেক্কোং মখেক্কোং
থুয়োলও লৈখোং কাই মরিও লৈয়াম্বী।
চীঙ্গাল লিক্লা লাইবংথু
কোকাই মোইদাই অয়াংঙা ॥
ছিথা থাংমৈ অচোংঙা,
থোইদিংও মকেয়ে ॥
কবোকও মকায়ে
ভঙ্গনুবা লিও লিও।
ইপুবাই চংনিংলোই,
নকা ইকা খোংথিবো।
নাওরা ঐখোইনা থুক্কপ ॥
হে নওরা শমাদোন
থরাই মীরেন লিখাও খাও ॥
ককয়েন থুজিন চুচু
য়াঙ্গোই তোংবা কাইরংবা
নংনা তোংবা হাংদেদা ॥
লমপী পানা খোংশাংবী,
নংবু শাইবা ঙাংদেদা ॥
ইনিং ইমাং ঙাহৌনা থুবাক হাহৌনা ॥
ধনকোরে ধিনকোরে
হে হো তানহে হো নে নে নে ॥ X

পাওশা লিরোন :—
অঙৌবা হেকংদা লৈছৌবা
হৌনশে হৌনশে ॥
রি রি পাওথেম লিরি রি,
য়েংথমনা লিরি রি ॥
লাংশং কুমশং লাকম ভোক্পা
খারৈ মরৌ মাংদ—অ
অকুবা কুবি শোবিমা
লোইবী রিজেসো ॥
মিরি খুম মিরি খুম
হে তৌ লিরি খুম খুম ॥
শিংজ্রংনা মপান শারেদা,
নিংথৌ খুংশা মুক্লরে ॥
থেঙ্গু নম্বোল নোই নোই,
হরাই থাংপাক মথংপাক
চীংবি লোইয়া মরোইয়া
লমলোই খরোই খজিক-এ
খজিক খজম চম চম ॥
জুংতি য়েপশে মপ্যেপশে
এনবু শোকশে মরোকশে ॥
ভোঙ্গমদগী ওমুনা
থোইজু তো'পাক চীন্দিরি
কোলবদগী ওখানা
কোনবলৈ কাকবা লাক্কুরি ॥
লমহাংপুজী কাকফৈনা
মনা - হুমাই শাজরি ॥
যারৌদগী শঙাইনা
মচি কেক্রু থোক্করি ॥
শুক্লা মহৈ য়ান্দরি,
য়াংকোক্লা মপান শান্দরি ॥

থেঙ্গুও অঙাংপো
ইনম পোল্লি পোঙমদে ॥
গুক থুবী মৈকাম্লো
ইচিন তুম্মি মৈছোম্লোই ॥
কারি শমনো, য়াংকোক শানি
কনাবা ফাই য়াম্বনা ফাই ॥
লোম্নরু লোম্নরু
য়েত্তা হন্না লোম্নরু
হঞ্জিল হঞ্জিল হৌইরৌ হোয়াশো ॥

মরু নোংদম্লবু নোংলোন্দ লৈথিনবা

বাকয়েও বাকয়েও,
বাকয়ে নংবু হোন্দেদে ॥
লাইমিংথোইবু হোনবনি,
তরেঙা তরেঙা ॥
নহা শিংথোই পুংথু থোই,
হোইয়া লিথোই থোই ।
ইতাথোই মুরাথোক হৌমশে হৌনশে ॥
য়োইবু রাঙম শুমাংদা
শিংদ্রেংনা মপান শারেদা
লিনৌনা ময়াই কারেদা ॥
নচি লাম্লোই অঙম্বা
নোংয়াই চরৈ রায়েনবা কদাইদা তাগনা ॥
শ্না কৈথেল নিংথৌও
থৌহু মুংপাক রায়েনবা কদাইদা ভাগনা ॥
লোংপোক লৈমা ঙান্দগী
য়োইবু রাঙম শুমাংদা

তারয়ো তারয়ো ॥
হে হে লাইরৈমা
চরৈ ফিগাও শাহুনা য়ারয়ো য়ায়রো ॥
হে হে লাইঙ্গিংথোই কাময়ে কাময়ে,
কাবিমশিদ কোয়ো, সো, শ্রীং ॥
পাওশানা অচিবা মরুনা মথুং থুংয়াইবু নোংথৌদা হাইগৎলুরগা থম হাইনা থুংপু হাইথ নওয়ে ॥ X
খোইয়ুম লাইয়াম পুক্না অমগা অমগা
চখোক চংশিন্নরমু ঔগ্রী লাওরগেকো :—

ঔগ্রী ইও কোলো—ও—ও
নমায়েন্দা মতাইমদা কোল্লো ॥
কংলৈ পুং মাইয়োন্দা কোল্লো,
য়োইম য়াইবু তাওদনববু কোল্লো ॥
অঙামববু মালেম খৈববু কোল্লে ॥
লাংজখৈববু কোল্লো
শ্যতানবু খোম্মদোনবু কোল্লো ॥
থবিরেনবু শেনগোইরেনবু কোল্লো ॥
শ্যাহনবু নমু তাইবং শেমগদববু কোল্লো ॥
খোইয়ুম্ব লাইবু শেম্ববু কোল্লো ॥
খোইবু শেম্ববু নোংশাবা মৈবু কোল্লো ॥
নোংপোক লৈমা চাবু
খৌবি লৈমা চাবু কোল্লে ॥
মালেম হৌ লৈরাই পনগীবু কোল্লো ॥
নিংথৌ চম্লুবু কোল্লু ॥
পাইমগীদি নিঙ্গোইগীদি কোল্লো ॥
পালেম শিন্না পিথাং শিন্না কোল্লো ॥
নাওযোকপিববু মৈবু কোল্লো ॥
মপনলোনবু কোল্লো ॥
কোরৌ চম্লুবু নোংখোম্ব চম্লুবু কোল্লো ॥

খ্যাংগিদি নিজোইগিদি কোল্লো ॥
ছুমিৎ ওল্লবদা য়ুম্মীং ওল্লবদা কোল্লো ॥
হেনবা থাম্বদা মাংদা থাম্বদা কোল্লো ॥
লোইজিংলুম্নবদা, চীংবু লুম্নবদা কোল্লো ॥
মালেম লুম্বা চম্নু লৈবু লুম্বা চম্নুবু কোল্লো ॥
য়োইময়াইদি ওাওদনবদি কোল্লো ॥
লাইজা হনথিশম্নু হুয়ম চক্‌ঙৈগী
মালেম হৌঙৈগী
লৈগা শেমঙৈগী
পোইরৈ শেমঙৈগী কোল্লো
নোঙ্গা হৌঙৈগী
খোইয়ম থোগা লাইবুংথোগা
শমজাম্বগা চীংমাবগা
মমোম্বগা মুরাংবীগা
ঔগ্রুই লাংদা শামৈ লাংদা
লাংজে' বা'ইনা লিতোন ৱাইনা কোল্লো ॥
কোন্নম্মগী মকোম্থোক্তি কোল্লো ॥
হুজে কোল্লো, হুয়ম তোয়াজো ॥

অশুম্না মৈতৈশু. হুরাওবা হুইবা অশে অশুম্না লাইরোইনহুনা থোথন লোইশন্নরে, খোইয়ুম পুম্বনা খংদবা খাজহুনা মুংঙাইনা হক্তিম্নরেদে। ॥ ১

খোঞ্জো পাওশা ঔগ্রুই মীকোনবু তাবদা অতিয়া মরু শিদবনা রাখল অমা অমুক থল্লক্লে ॥ ঐনা লৈওম্বশি হুক্তা মুংশাংলবোইনা ওসি চিংথৈ মরু অচিবনা পাওশবদা তাইবং মীবু শেম্ববু কোল্লো ॥ খোইয়ুম্নাইবু শেম্ববু কোল্লো। শামদোন অয়াংববু কোল্লো—পাওশা অহুম অশিদা পাওশা অনিদি থোকওমদ্রিবা পাওশানি ॥ অসিনদি ঐগী ইওম লোয়্নে নমু তাইবং শেমহুনা খোইয়ুম লাইগী মপোক শাথোকপা তোক্লো, শাথোক অসিনা মপুং ওইনা থৌপুরম্নু, তাইবং তাইবা মপোক অমা থোহোনবা (পীগা—পাগা) য়ুমদিন কালম্না চাদা নাওদবা ফালম অমা থৌশিন্নবা থোহোরো নিংশিংবা ৱাবা পাওশবা ওই'র ॥ অতুদি নোংদম্বগী থোথন অসি লৈওম্বা

খোইয়ুম শিঙ্গী লাইবুংদা কোইছুনা হয়াঙ তয়াম্বা থৌপু তৌবা তারে ছায়ইছুনা মুন্নাং থাংজিঙ্গী লাইবুংদা হয়াওয়ে ।। রাংব্রেনগী লাইবুংদা, নোংপোক অপান্বগী লাইবুংদা, মায়হনবগী লাইবুংদা, চিংথৈ থপ্লাংবগী লাইবুংদা, কৌক্র—অচিবগী লাইবুংদা, কোইনা চত্তুনা হয়াও তয়াম্মা খোইয়ুম পুম্বগা নোংদম্বগী থোগনবু লৈছল্লগা হৌ কংলৈ লম্মহনবদা অহিং অমা চুপ্পা (চৎলম ভরুকপু) চিংশিম্মা লৈশা থৌখন তৌঙমছনা অতিয়া শিদবনা পরম অমা লৈহৌনবা তৌঙয়ে ।।

অতিয়া শিদবনা মচা অনিদা থৌদ নোংদম কুবি শেম্বীবা (নোংখোং কোইবা)

মৈতৈঙ নোংদলাই হৌজিক্তি (পাগা পীগা) জিলু লৈতিন্নছনা (নমু তাইবং লাইপোক) ছাইবা অমগা (তাইবং মপোক) ছাইবা অমগা শাতথ রুবা থোহৌবা পরম্ব পাদুনা পাওশারগে পাতনা শাথোকপা. মাতনা শাথোকপা শ্না হকচাংদগী শাথোকপা খোইয়ুম লাইগী মপোক শাথোক্লা শেমগৎ শাগৎপবু লোমশনলক্তুনা নোংদম থোঙপু পরম অমা পৈহোংলকপগী থানিদো তাবিও ।। অতিয়া শিদবনা মচা অনিবু কৌছুনা ছাইএ ।। পাম্নি লাইমিংথোই অশিবা, পারি শ্না কোঞ্জিনতুথোকপা পারি নচিননাওবু তেংবান্নবা অসিদা লৈরিবা অচৎপা চত্তবা শা, ভা, উচেক, তুমিং, য়ুরান, ককচেং খোইযা তিন, কাং, লাই, হিংচাবা. পুম্নমক অশিগী হৌনফম মউ মপানবু মশক খংলবরা ? খংলবদি নপা ঐবু খংহল্লু, খংদবশিংনা লৈবা লৈবা লৈফম খুদিংদা চত্তুনা তাহন্দুনা খংবগু খংহল্লু ।। নচিন ননাওনা খংদরগা খংনবা অখুংববু শৈশখিত্তুনা, খংজনবা হংঙম্ম ।। পরম অশিবু পাওদম অহানবা মশক অত্তুদা কংলৈ পুংম্যাইয়োনগী (শ্না থম্মাল মেনফম্ব) লৈশংবা পরম্বু লৈশিন্নরমগে ।। ইপাদি অহমগী মতমগু ওইঙম লদো. খংদববু খংহন্নবা থৌঙম থোপুনৌ ।। লাইমিংথোইগী র খনবু থ দববু খংহন্নবা তৌঙম্ম থৌদা নোংদম্বা ওইনা রাখনখিছুনা হৌঙম্মীদো (নোংদলই মৈতৈ) ইশানৌ কান্দে তন্নৌবা মকগী নোংদম্ম থোপুনা লৈফম খুদিংদা লৈকোই পাওহংবা ওইনা পাওশকশিদো. করি ছাইবগে ইশেনৌ নংবু ? য়াম্মুং ননাওদি কোন্দে নৌহৌজবনা হৈনা থৌখন ইনবদা যাম্বগী খোংলৌ থুয়ৌ চনবা ওইগনি লৈফম অসিদা লৈজহৌরগে লাইমিংথোইনা মকদা পাওশাবা মতমদা লৈখংদববু নোংদম নয়াথংদগী তাজছুনা ননাওবু লৈখংজবা তানফংবা ওইজরগে । মনাওগী পাওশা তাবদা লাইমিংথোই মরুগা লৈশিরেনগবু পুকম লৈপাইনরম্মগা কংলৈপুংদগী খোংশানথোক্লে ।। x

মৈতৈঙু নোংদলাই, লাইমিংথোইনা কংলৈ পুংদগী থোকঙয়রুগা হাইদো উম লৈফম অসিদি লুতুঙ্গী থৌরম লৈফম অমা য়াৎলম্ম হাইরিনা, অতুদি লৈকোইবশি ঐ লৈফম অসিদগী লৈহৌবগু

লৈকম খুদিঙ্গী লৈত্তম্লিনা মশিংদি ম্লাহৌ রারোই (লৈফালপক্কা) লাংদাইফম মিং মিংহুন্না লৈহৌফম লৈরোইকম ওইওম্বা ভারে ।। মালেম নংনা লৈশংলোদো লৈফম অসিদগী হৌওমহুন্না খোংদম্বগী থোদাবু থোওম থোপুম্বা চৎপা লৈহৌখিএ হাইবা খাংওম্বীহুন্না থোরম পুম্বমু থোওম্বা কুবিবা নোং-দম্বীমুকো লৈবাক লৈম্মি অমা শিংহাপ লমলগে, লৈম্মি অমা মালেমদা চিংহুন্না হল্লগা খোংশাল্লে ।। x

নোংখোং কোইবা

মৈতৈশু নোংদলাই লাইমিংথোই অশিবনা কুবং=মকু হাইবা উচেকপু কৌহুন্না লাইমিং-থোইনা মথক্তা তোংহুন্না লাকপবু (থুং তিং খিকশো) কৌব ওক্তা লৈপুবগী মথক্তা, তোক্লেনলিশিং অমদা হিয়াই মঙান নাইবা লিশিং লখানা লৈতেংলিবা লৈমুং লোঙ্গা অরিবা তাওরোইলাইগী নাওফম্ব, লৈথানা লৈওম্লীবা লৈফম, লাইশোরারেন (মিকুরুহিংহিং) কৌববু চাখা খোংজোম্বী তরেংনা কোইহুন্না লৈবা, লৈবু ভাকপনা (শুরাইনিংতৌবা চাওরা মপানথিবা, লৈমুং লিশিল্লু) অহুম্না ভাক্লিনা লৈফমদা লৈচংলক্লুনা তেংবানবা লৈওম্লিবা মশক পুম্বা অহুগী লৈহৌফম মক মপানগী পরম্ব লৈফম কদাইদগীবু লৈহৌরক্লুনা লৈওম্লীবনো প, ওহং পাওশানবদা, লৈফম অহুদা পানফরিবা মিকুরুহিং হিং কৌবা লাইশোরারেম্না, লাইমিংথাক পরম অহুদি নংওনা খংবনে ।। মরম অহুব লৈফম অসিদা লৈবা থোইনা খংব উবা ইতিক নত্তে ।। লাইমিংথোইনা লেংবিরক্লী লৈগিদা পরম অহুবু শিনু ক নোংদংও হাইহুন্না লাইমিংথোইগা পরম্ব পাওশানহুন্না কুংগ ইনাহুন্না লৈরম্মগা লৈফম অসিদগী লৈহৌফমদা হুপ্পিল্লক্লুনা পাওশা পাওদমলে (ম্লাহৌ রারোই লাদাইফমদা) অমুক হৈথ অমগা চিংহুন্না অনিশুবা লৈহৌবা হাইহুন্না খোংশাল্লে ।। x

২। পরাইপিচা অপকমানা পুবা লৈফম (সং ত্রেং তরেংবা) ক্লৌবা লাই শোরারেলনা পামবা, মনাওা লৈফুরেন কিনাইবগা, যুহাগা, ভাভোক লৈযাম্বগা) অহুম্না লৈভাক থোখলবা তিনমুরেম্না লৈপুবা লৈফমদা থুংলরে ।। লাইমিংথোইনা চংবক্পা উবদা লৈওম্বা লাইশিংএ তিনমুরেনবু লাইমিংথোইগী কম্বী=খুদা ওইওমলো হাইহুন্না থেমনৌনা থেমথোক্লে ।। তন্দন হাই-খোক শেনজি শেনজাও থ্রাও থ্রাও শাওম্মো) ।। পাওশাবু তাবদা তিনমুরেনবু—(লিংবোন খোং-ম্লোন লিশি খোইশি, পরৈ লোংগ্রৌ) শানা লৈওম্লহুন্না লাইমিংথোইগী (ফম্বিখুদা) ওইহুন্না লাইমিংথোইব লৈফমহুন্না লৈহংবদা লাং'য়াম পুম্বনা পরম অহুদি লাইমিংথোইদনা থংবনি, থংজ বমা তাকওম্বীও হাইজেএ ।। লাইমিংথোংম্না পরম পুম্বর পাওশা পিহুন্না মুংঙাইনবম্মগা হনওম্লক্লুনা (ম্লাহৌবারাই পুঙ্গা)। লৈক অমা হাপম্লগা অমুক খোংশাল্লক্লে ।। x

৩। থানা লৈফম্বা লৈফমদা চংলে—থানা লৈবা লৈফমদি (কারে লৈরাং শম্রা ঙাংগ্রুবা) কৌবা (সোম্রায়েল অসিগী মমাংদা লৈএ ।। থাবু ইরু মাইতা থৌগল লিবন্দ (চায়োৎ রাইকয়েং) কৌবনি ।। লাইমিংথোইবু লাকপা উবদা লাইয়াম্বা লৈমুয়েমবু লাইমিংথোইগী খুদা ওইনবা পাও শানা থেমথোক্লে—কৌথেম্বী কৌথেম্বী কৌনা মভোন হাইজশে কো কো) পাওশাবদা হুয়াওনা খুদা ওইনা লাইমিংথোইনা নোংদম পরম্বু পাওশাহুনা তাহল্লম্মগা লাইমিংথোই হনওম্লক্না লৈম্রি অমাগা হাপ্লয়ে ।। লৈমুয়েলনা পুবা লৈফম অসিদা লৈবদি (তরাংখোইমুচা, লৈমুংহিপোকপী, লৈহাপ লৈয়াইরেন, হিরৈমা অসি থৈবিকপু লৈঙম্লিবা লৈফামদো মৈতৈঙ্ মনিংশিংশিদো ।। X

৪। মুমিংবা লৈবা লৈফমদা লাইমিংথোই অশিবা থোংশাল্লক্লে, ।। লৈফম অশিদ লৈবদি মু-নাংলেন অপোকপা, তরাংঙাং, ঙাম্ভাং, মিত্তরং অসিগী মমাংদা রাকপা - শক্তিক লৈ। শক্তিকপু ইরু মাইতাবিবদি পিনশুঙাশু কৌবমচিবনা লাইমিংথোইগা ফম্বাল্লাংমিয়হুনা পাওশানবদা লাকপা শক্তিক্লা হাই ।। লাইমিংথোই খংদবনা হংলম্লবদি ঐখোইশু পাওশা থম্লা মখেদি পাওশাজবা ওয়গদবনি, অথংবা নংনা হংলগা করিবু পাওশাগবনো লাইমিংথোইনা লৈয়োসিরকলিঙৈদা লৈবাংপা শরুকপু লৈহাপ নোংদম কুবিরম্মু। লুভুঙ্গী ইখোইঙমদা লৈবাংগুনা থোপুজবা ওইমবা, লৈথুং-ফমদা থুংজনবা, লৈহল্লকপা হুমওম্লকপা মত্তমদা ইঙাল লৈশা পরম্বু লম্বী ঙাম্না শাওম্লবা রাকপা শক্তিক্তি রাবু তাবদা লৈঙম্বা পাওশাবু লৈশাহুনা তাহন থংহনবিহুনা মতিক মঙম্বু লৈহাপ্প। লৈ-থম্লমহুনা লাইমিংথোইবু হনওম্লক্না লৈম্রি অমা অমুক লৈহাপ্রগা লৈফম অমদা চংলে ।। X

৫ শুবা খোংচং :— লাইমিংথোইবু তিনবাওরম্মা পুবা লৈফমদা থোংশাল্লক্লে। লাইমিং-মিংথোইনা লাকপবু (লেহক্লেন লৈশাবা, থিনবিলাবী, কামারবা, রাকৈরেমা, থাবিল্লুকোবী) লাইমথোই তরুক্লা উহুনা তিনবাওরনবু থেমনৌনা লাইমিংথোইগী ফম্বি= খুদা ওইনা (চাকঙান চনিংশাবাগুম শাও) হাইহুনা শায়ে ।। হাইবদি মৈতৈঙু নোংদালাই চাবথোং চমুনা মনিংদা মৈগী মৈশা লাংলবদা চফু অহু লৈশাগ তিলু থানা শায়ে ।। মৈশাদা তিলু থানা চফু অহুনা শারক্লবা অহুদা চফুগী মমুংদা হাপ্লিবা ঊশিং অহুশু মৈগুম্মা শারকুনা ঊশিঙ্গা তিলু থানা হাপ্লবা মশক অহুবু কল্লম্বদগী পেথনবা থেয়াংহুনা থৌপুবদা (পিক্রিক, পিক্রিক, পুক্রক পুক্রক) য়ারা ইনিলগা লোইননা ইরিক কোজোল থানা শৌবগুম থৌদাবু লিয়োল থোইয়োম্মা, লিথুপ থোই-থুপ শুনা শাহন্দুনা ইরিক কোজোল থাকগুম পরম তুথুপ লৈগুনা শাথোক্না লাইমিংথোইগী খুদা ওইরে হাইবনিদা মৈতৈঙু ।। লাইমিংথোইমা মম্না ফম্বাল জাংবদা হাইদো ভেংবানবম্বী লৈ-হৌরকফম্ হংবদা লাইয়াম্বা মহুবু ঐখোইনা হাইজবা ওম্বা নত্তে, লাইমিংথোইনা পাওশাবিবগা লাইয়াম্ব ঐখোইবু থংহনমিও ।। পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোইনা (থুম্ম দেগী ইঙাল লৈশানথিবা)

পরম্ব, পাওশাবিবদা মপুক হয়াও তয়াম্না লাইমিংথোইগী মমাংদা পাওশা লিয়োল শক্তনা মুং-ঙাইনৈএ।। হোইরৌ হোয়া পিড্রিক পিড্রিক, হৈয়াশে হৈয়াসো পুড্রুক পুড্রুক, হিংশো হিং-শো হেহুপ হৈ-এ) লৈশক্তুনা মুংঙাইমরগা লাইমিংথোই রাহৌ রারোই লাংদাইপুংদা হল্লক্তনা লৈয়ি অমা হাপ্লম্মগা অমুক লৈচিলনা পূবা লমদা লাক্লে ।।

৬ শুবা থোংচৎ :— লৈচিলনা পূবা লৈকমদা লাইমিংথোইনা উচেক মকুরিবু তোংহুনা লাকপা উবদা লৈকম অমুদা লৈঙম্লীবা (থোংঙাইরেল কৌবগা, মনাক্তা লৈবা থল্লাইপিচা চিংচোইবীনে, থাজা কুমজা পরম্ব, শানবা লাইনে, নোংম্লাইবা মশকপু চুহল্লবা থৌপুবা লাইনে, নোঙ্গী মশকপু মতুম ওইনা তাশিন্দুনা লৈথমহুনা নোঙ হংরোকহুনা তাহল্লবা লাইনে, নোংমৈ শিংজংবু থাদনবা থৌপুবা লাইনে, অথাক-অরাওনবু তৌনবা লাইনে, উম হাইবা মশকপু তাহল্লবা লাইনে, চুম-থাংগী মশকপু শাথোক্লবা থৌপুবা লাইনে, তেংবানবদা লৈবা উ-রা, নাপী শিংবী পুম্ববু অনৌ য়েন্নিং চোংতনবা লাইনে, নোংথাঙ্গী মশকপু শাথোক্লবা লাইনে, মথোই অসিনা লুচিংহুনা লাই-মিংথোইবু মপুক ভরাও তয়াম্না লৈগক্তনা লাইমিংথোইনা পাওশাববু তাজহুনা লৈখিবদা তান-ফংবা অদোদা পাওশাবু তাজহুনা মুংঙাইনৈ ।। লৈকম অসিদগী মালেম লৈয়াইলেন্দা লৈকুমলক্তনা লাইমিংথোইবু রাহৌ রারোই পুংদা লৈয়ি অমা চিংহুনা লৈহাপললমলগা লৈকম অমদা অমুক চৎ খ্রে ।।

৭ শুবা থোংচৎ :— শ,মুনা পূবা লৈযমদা লাইমিংথোই লৈচালাক্ল । লৈতৈঙ, নোংদালাই লৈকম অসিদি শামুগী মথক্তা ওক্তী নাওকম্ব, লৈথমলগা শমুগী লাইমিংবু পিশাম্নু কে-ক্তিয়েং) কৌইদা । মমিং অমনা (লোতাংকে মশেং) হাইনগু কৌইদো । লৈকম অসিদা লৈবদি (য়ুচেংনে. থৌগী লৌফানবীনে, পীশাতাও) অশিনা লুচিংনা লৈঙম্মিদো লাইমিংথোইবু উজবা তানফংদা মপুক থোইক্তং থোইদবগা লোইননা লৈচংক্তনা থৌথম্লা লৈহংক্তে ।। লাই-মিথোইনা কুবি মিংয়েং নোংদম্বীহুনা তেংবানবদু নেদম্বীবা নোংদম্বী মপা মপুরেনগী লৈথোক শাক্লোংবা পরম পাওশবিহুনা তাহন থংহনলম্মগা মাগী মাগী মথৌ মওম্ব, পরম বাইদনা থৌঙম থৌপুনা লৈঙম্নবা লৈশিন নোংদম্বীহুনা মংথাই পুম্বগী মওম্ব, থৌয়েংনা লৈহাম্লীহুনা মখল মথা পাওশানহুনা লৈশিন নোংদম থৌপুনা শিন্তাক থৌদা নোদ্দঙম্বী ।।x

মৈতৈঙ, মনুং অসিদা মশানৌ কোঙন তুথেকেপা - ওমলৌতোন লৌথিবনা মপুক থোইশাংবা ওইঙমলক্তনা মুমিং থুদিঙ্গী মিংশ্লা ইরা চেন্দুনা মাইথোংবু লাংশিন্না মুংশুক মুংজাননা পাথং পুথং থবদনা লৈঙম্মিদো ।। নোংকোয়ৌ অমদি মমা ইবেম্মনা উদুনা ইংঙি । পারি কোন্দে তনৌবা

করি হুংবু নপুক ননিং থুংদবা লৈবা, পারি নঙগী মাইথোংচানবু কোয়ৌ হনববু লৈচিন্না থনবগুম্না মঙবু য়াথন করিবু থন্দুনা তৌওমলিবা নমা ঐবু লৈকাওবন্না হাইয়ু নমা ঐঙোন্দা নপুক চীংনবা লৈতনা পাওদমলো করি য়াবু থংদবা ননিং থংদবা করিনো হাইয়ু ।। তেংবানবগী ইমা নচানা লৈথংদবা মরম্ব, তাকপীনবা থংহন্নবা শিন্নাকপিনবা মশকপু তানফংজখিগদরা ইমা ? করি কোঞ্জত্ম খোকপা পারি ইচানা থংদববু লৈথংনবা লৈতাক্নবা মচাগী ওমক্না মমা হাইবা মশকপু তেংবানবা অসিদা লৈথম্বনি ।। পারি নংনা লৈহংদবনা তাক্ত হাইদবনি খুঙবক্ত লৈখোং য়ৌনা লৈতাক হৈ-দবা উনা উনা উহন্দনা লৈঙম্বা মশক্তি নমানা তাদবা অক্ত উদবা শক্তে থংতি নমনা থৌরম পুম্বা ।। ইমা, মরুগী পাওশা য়াহং অসিবু করি হাইনা পাওদমগদগে ? য়াম্মং লাইমিংথোউদি থংদবা উদবা ওমদবা লৈতবনিনা লৈথুংলহনা পাওশররনি মকক্কী লৈফমদা ইমা তাকপিরো নচাদা মরুদা পাওশা নহৌজরগে ইমা ।। পারি কোঞ্জন তু থাকপা নয়াম্বদি মকদা পাওদমহনা মরুগী ফম্বালবু লৈনিহনা ফংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈশংবা নয়াম্বা নত্তে, হাই ঠৈদে ।। নয়াম্বদি থংদবা মরম্ব লৈ-থংহন্নবা নোংদম্বীগদবা নয়াম্বনি, তেংবানবা অসিদা লৈরিবা অচৎপা চত্তবা, লাই, হিংচাবা পুম্ন-মকপু লৈশংহনা অফবা ফত্তবা থৌরম পুম্ববু পুথোক শাথ রুহনা লৈয়েন নোংদমলিবা নযাম্নান কাওগন্নু পুম্নমকপু লৈশংনা থাগোনবিহনা নংবুত্ত ঐবুত্ত য়াহফংনবা শেম্বীগদবা নয়াম্বনি ।। অদুবু মরুনা পারি ইচাবু শাথোক শফোংবগা নোংদম থৌদনা হংনখিহনা নযাম্বগী হৈনা তুইনখিবনা পরম পুম্বা লৈথংনবা কোয়ৌ অসি হুমিত্তা নমা ঐনা ইথাম্নংদা কোন্দুনা ফৈনাকওা লৈথম্নহনা নমা ঐগী খোম্নাংবু খাবোং থম্না লৈউম লৈথকপগুম লৈথক্নো পারি নংনা লৈথংনদ য়াঙংবনু নম্না ঐনা পাওশাগে তাওম্না থংজো ।। ননা দমহনা মৈতৈজ্ন নোংদাম ই—পালম মমানা লেংনা লৈথম্বা য়াবু পাওশাবিহনা তাকপিরেদো, পন্মেগী পাওশা য়াথংবু যিগাও শানা য়ারুগা থোক্ত কোইরেন্দা লৈথম্না লৈপাইরম্মগা ক লৈপুং ময়োন য়ায়েন নোংদম শংনৌন্দা শ্না তাংবন মথক্নো (অতিয়া শিদবা, লৈশিন্নেন লৈপুনবী , মরু অনিনা য়েৎ ওই ফম্বাল লাংনা লৈফমহনা খোইথুম অশাই অশম পুম্বনা থৌখাল লাংহনা লৈফমলবদা মক অনিগী খুদাবু তরেৎলক লৈক্কৌইরগা মক অনিবু পুরুম্নহনা থুবাং চেপ্না লোম্না খুলৈদা পক্না মরুগী য়াথংবু তাইহনা কোঞ্জত্ম খোকপা মরুগী মাংদা লৈঙম্মিদো ।। মরুনা হংভি—পরি কোন্দে তনৌবা করিবু পাওশা হাইনিংবা হাইম্নদনা ।। নোংদমথিবনা নোংদমখিবা লৈথি লৈহংজহনা পাওশা পাওদমলো নয়াথংবু নোংদমথিবা পাওশা পাওদম্নজগে নফমলাংদা পুরুম লৈপাইজবনি ।। পারি ইচানা নপা ঐগী পাওহংবু পাওদমগে হাইবা হুংশিদা খোইথুম পুম্ববু তানবা নপা ঐগী ইফমদা পাওশারো । নোংদম য়াথংবু তানফংবদা কোঞ্জত্ম খোকপা পাওশা য়াবু থৌহৌনৈ ।

তেংবানবা পুম্নমক্তি লৈহৌফমদি লৈয়োল মাপন পানবা লৈফমদা খোংলম অহম্ব লৈফাংনা লৈঙম্মি ।। মপান থংবা খোংদা চকমম্নিবনা থংনা লৈঙম্মি ।। অনিশুবা খোংফমদা পামম্নিবনা থংনমা

লৈ, অছুমশুমা ছুকথংবা থোংদা তুমহাবনা লৈঙম্মি ।। মশক অছুম অসি থাপ্লদনা লৈঙম্মি ।। লৈবাক নোংথৌ তুবা লাইনা লৈবদি অঙাইরেন্না থংনা লৈতুনা মথকশু মথাশু অনিমক্তা থংনা লৈরগা অনিগী মথাইদা লাইমিংথোউ লৈনিংতোংবমা লৈঙম্মী ।। লৈবাক্কি করোংদি লৈতোং লেংবা কৌই ।। মশক অসিনা লৈবাক থংবনি । নোংথৌগী করোংদি নোংদংলেংবানি, নোংথৌবু থংবা মশক্নী ।। লৈফম অসিদগী থরাইপিচা মিংথৌশিদবগী মপূক মজুংদা চংতুনা লেমলৈ ঙাচিং কৌবা ঙাগী মমু মকুশুম থোংশংলক্কনা মুংনাংলেন অথুবা মিংতুম্না ঐগী লৈফম অসিদা কনা য়োৎকরোই হাইনা ঙাক্তনা লৈবা লাইমিংবু কোনথে অতোনবা লৈতুন্না লৈঙম্বা মশক্কি ।। অমম্বা (শোয়ায়েন অমম্বা অচিবা শলাইলেন— থমলেন থম্বা) লাইগী নিংথৌ (থোই থোইবা) শোইমুম পুম্বগী মক অথোক্তবা নশঙ্গী মহাক্কি মহাকপু উজনা লৈ ।। লাইমিংবু অথৈবা মহাক্কো (নোংকজাও মুংনাংলেন) লৈতুম্না লৈথারোন নোংলোন পুম্নমকপু শাথোক্লগা মুমিংথা, থরাইপিচানা লৈয়োদনা, অচিক অশাবনা লৈথুংদবা লৈফমদা শাথপ লৈফম্বনা লৈঙম্বা পুম্নমক্কি চৌবকফম মউ লেমহনি । হাইনা মরুবু পুরুম্না লৈমাইথক্তা মশা কোকনজুথোক্লা কোংয়াং চৈ তাবশুম তাতুনা লৈঙমখি ।।

অতিয়া শিদবা মরুন মচাবু মালেমদগী মচাগী লেংজুম অনিদ থুংনা পাইতুনা পারি কোন্দে তনৌবা পাবু থংবা পা থংবা হৌগংলো শপা এবু লৈহাপকে পারি ইচাদি অহনগী নাক্তা লৈচতুনা পাশো পাশতং চেংচবনা মমা লৈশিন্নেন লৈপুনবীগী নোংদমদগী (লিক) অনিদি ভানথ নতুনা শবানবা পুম্নমাক্ত লৈহৌবা । শিশপা । লৈহৌ লেথংলা অতুবু হৌ কংলৈ অসিদা লৈশং লৈপু লৈফমগাদবা মশক্কি লিবম অতুম হংনা চিক্লু হৈক মকবু লৈহাপ লৈখংদবনা শাংফদে ।। অতুবু মপা ঐনা ইচাবু লৈংহন্দনা শিনম্নবা পবমদি কিয়াংনা থৌদাংনা লৈহা মাখবনা পাসি ইগানা লাইশুদবনি ।। লিক্রম অমগা হৈক অরাংপা অতুদি নপা ঐনা লৈশাংক পারি নংশু ফংজরো ।। হৈশক থংনা চাঙম্মু লৈশক থংনা লেথংচৌ, নযাম্বদি লৈশক জুনা হৈরাং হৈশুনা হৈখং লৈথংবা কুবি নোংদম্বীবা অশাংপা নোংদম্বা নয়াম্বনি । পারি নংদি অপোক নোদম্বা নগাক্তি, চেরা নথৌ পোজম্ম, পোম্বী নথিক নোইগম্ম নযাম্বগী লৈফমদা ।।

কুয়োম ৭ খোংফম ৮বু তাকপা

পারি কোন্দে তনৌবা পাবু থংবা (পা থংবা) লৈঙমলিবা লাইহিংচাবা অচংপা চত্তবা লেংলি পাল্লিবা পুম্নমক অসিগী মমাদি মালেম ইমা লৈপিরেন্নি, লাইমিংবু লৈহিং নং ইপুথোক

ইয়াবী ম্নিরি হিং লৈয়োম্বী) লৈছল্লিদো ।। পম্খোইপানা কোয়্নৌ লোংথৌনি, লাইমিংবু উম ভাং য়েং লাইয়েক্লি ।। অনিমক্তি পম্খৌ মপাদি লৈমরেল ফুয়োম্ন তরেৎনা য়োম্নলগা খুদা নিপান শুমদা থকনি চাগনি ফুমগনি লৈখল্লুবা স্তৌদনা থৌকাও লৈখম্নছনা লেংলি পাল্লিবা পুম্নমক্লা অক্নবা ফম্ভনা, অমম্বা অঙানরা থৌপুরিবা পুম্নমক্পু ঐগী য়েংথংবা খুবাক ময়াই অসিদা ছাপ্পুনা পীরো লৈ-শিন্নরো থাকৌনা শাথোকখিবা মশক্লা অয়েপ্পা মশক ওইনা মাতাবু মহাক্না নিংছুনা স্না ফম্বী মথক্তগী মখোং অনিবু মালেমলোমদা য়াম্ননা লৈঙমলিবা মশক্তি ।। কৌর্নৌ মশিদগী পরম অশিবু থৌকাওদনা হৌ কংলৈ জম্মা হনবনু লৈশংবা ওইছনা কংলৈ পুংমাইয়োন লৈবাক অশিদা লৈঙম্বা পুম্নগী লুচিংবা ওইছনা নপা ঐনা ফমলিবা খুদা অশিদো পারি ননা কেয়ো অসিদগী মথংলেংনা ভানফংজবা ওইজরো ।। নপা ঐদি পারি নঙ্গী মরুম্বু লৈথপুনা লৈঙমলগে নোংদমছনা কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈশংবা ফম্বান মেনবু লৈশিন্নছনা স্না ফম্বাল খুদাগী মথক্তা থাঙ্গত্তুনা লৈফম-হল্লেজো (মৈতৈঙু নোংদালাই) ।। অছুগা মরুনা খোংয়ুম্ন শিঙ্গা লোইনছনা পারে কোম্নতুখোকপবু মুক্লেং পাংকি ঈশিংবু ঈশোক লাংঙম্নুছনা মচাবু মকোক মউ ইতুম্না ইহৈনা ইরু মাইকৈবিরে ।। মচানা ফম্বাল লৈফম্বা লাইমিংবু পাবুথংবা (পা-খংবা ওমনৈ নোংথাং তরংবা চাতং ওন্ন) লৈছম্না লৈবাকপু লৈশিন্নছনা মচাগী মরুম্বু লৈথপুপা লৈঙম্বু হৌজমজে ।। x

পা-খংবনা স্না খোংনাং লৈমবু লুতিন লৈরোবা

কোম্নস্তুখোকপবু পা-খংবা মিংজন্দুনা কংলৈসনা পুংমাইয়োনবু লৈশংবা, লৈবাকপু লুচিং ফম্বাল লৈফম্বা ভানফংবদো উবদা মতম ওইরে রাথন্দুন মমোম শরু। নাওকোম্নবী সনাখোং-নাং লৈমবু পুঙম্নক্তুনা লৈজন লৈরাংঙি ।। মৈতৈঙু—পা-খংবনা লৈবাক্তি লুচিং যম্বাল ফম্বদা মাইয়োকথা থৌগন লাংনবা নোংপোক অঙাইবদি করি লৈজদবনা তাওজিং অথেন মাইয়োকথবু লাংজবগুম নখোং খাদা লৈরাং লৈজন তমজবগুম নোংপোক লৈমা কোন্দা চাওজবী, কং লৈপুংদা শাথোকপী ইমোম লাংলেন নদাইরেন অসিবু নখোং খাদা লৈরাং ওইনা তমজরি লৌবিয়ুকো ফম্বাল মেনবু লৈশং লৈফম্বা ।। ইংঙ নঙাল লৈচাওবা অয়োন অরান লৈবা খিনিকস্তু কুবি নোংদম্না ইমোম্বু লৈজন তমজবা লুতিন লৈয়ানবিও প্যাওশানা লৈরাংগুম লৈজ-ল্লে ।।

থৌরম্বু উবদা চিংথৈমরু অচিবনা হাইয়ে, মৈতৈঙু পাবু খংবা অঙাইবগী লৈরাং লৈজন অসিদো ময়ুম য়ুম্বানবা চংলম্বু লৈহৌনবা লৈজল্লি. কুনিনোংদম তম্বীছনা ময়ুম লুহোংনছনা য়ুম্বান চংলম লুত্তিন লৈয়া লৈরোবা পরম্বু কংলৈশংবনা থৌরম অসিবু থৌহৌবিও ।। পাখংবনা হংজৈঞ-চিংথৈ

মরু ময়াখং কুবিবদো ফিগাওশানা লৈয়াজরি অতুবু চংনরম অশিবু করিবু করম্না থৌজোগবনো ? পরম্বু থৌলিংনা কুবি নোংদম তম্বীও ।। মৈতৈশু লুতিন পরম অশিদো থৌরমগী ইছানবা মৈবু ইরাত্তুনা রারেপ রাশক লৈথমগনি ।। রারেপ্পী নোংপোক লৈমা কোন্দগী অঙাইবা চনু ঐবু ইপাম লৈহৌলুবু কোরৌ অসিদগী লৈছোংতুনা কংলৈলুদা লৈত্তিনজবা তানফংজরগে ।। হে মৈ কোবা নঙ্গী নফমদা থোইযুম পুম্বগী মঙগ লৈথম্না ফম্বাল লুতিন ওইনা লৈজম্বা লাইনিদো, অতুম্বগী দমক্তা নংবু ইরাংচতুনা পৌবম অশিবু থোইযুম পুম্বগা লোইনতুন তাবিয়ো খংবিও হাইবগী ইরাং লৈপাংজরিএ পাওশানিদো ।। মৈতৈশুনা হাইবিনিদো—হে মৈ মফম্নাংদা লৈত্তিাল্লবা থোইযুম পুম্বগা লোইনন। তাবিরো খংবিরো অঙাইবা চনু নোংপোক লৈমাকোনগী নদাইরেন মা খোংনাং লৈমানা লৈহৌলুবু লৈথারমতুনা কংলৈলুদা তিল্লগে হাইবগী লুহোং লুতিন লৈরাংজবশে পাখংবা ঐনা লুতিন লৈয়াতুনা কোরৌ অসিদগী লুতিনজববু থৌয়াবিনিদো ।। খৈবম্ব থৌরোইবদা মৈতৈশুগী নিংলেগবু লুতিন (লৈরৌ লৈযাবা) মিংতুম্না লুতিন লৈয়া ফম্বাল্লাংদা লৈফমতুনা লৈম্বাং লৈতুঙ্গববু লৈরৌ লৈয়াবিনিদা ।। নদাইবেন অঙাই লৈমনা বুমশং পুমথিং খ্বাংজেৎ অকোইথী ফিবান কানো থাববু লৈহোংতুনা, কুমথিন কানো পোৎলোইবু শেত্তুনা মৈতৈশুগী লৈরৌ লৈয়া ফম্বানগী মাংগুইন মাইর শম্তোং পানা মা নাক্তা থৌথন ফম্বানতঙ্গা, লাইরুম নমথাংবু পাইতুনা মৈতৈ-শুগী যেংথংবা খুবাক্ত নগাইবনগী খুবাক্তা লোম্নবিরগা পালেম শরু নাওকোঞ্জবী চৌং-চবাইবী মমানা ভূম্নীনাবু মাপন্ন লুতিন ফিফামবিনা লাইকম নমথাংদ লৈহাপ্তুনা পাওশা কুবি-তুনা লৈশিন্ননি ।। মৈতৈশুনা খোইচংনা থৌনাতুনা লাইকম ফিরাংগী লৈচুং যেংনা মরু অতম্বু মিংশিংগনি নোংদম পাওশবনা মরুগী লাইমিং হাইতুনা মরুগী মতিক মঙানবু লৈলিনা লৈহাপ-কনি ।। অঙাইবী চনুবু লুতিন লৈরাংবী মিংতুম্না লৈওম্মিবা ঐখোঙ্গ পুম্বনা কুবি নোংদম্বীতুনা থৌবম্ব, থোযাবা থৌপু নোংদম্নগনি অনিমক্তী যাইফংনবা ।। নোংদম কুবিবগু থৌরোইম্নগা নোং-পোক লৈমা লুতিন লৈবাংবীনা লুতন লৈয়াবগু য়েংলোইননা ৭ (তারৎ) লক শাকোইগনি ।। অহানবা শাকোইবদা মিউ লৈফমদা লুতিন লৈতুন লৈবাঙ্গনি ।। অনিশুবদা শাজুম্বা লৈফমদা লৈরাঙ্গনি । লৈফম অসিদা শাকোই অতুম্নক ৯ াঙ্গদবনি) মঙাশুবা শাকোই অমনা মরি লিশাবা থোইদোদা লাঙ্গনি ।। ওকুবশুবা শাকোই অমন (থবাল— লকাদা লাঙ্গনি ।। তরেৎশুবা শা-কোই অমনা লুরাই কোইরেন্দা লাঙ্গনি ।। মতুংদা শাকোই লৈহৌফমদা লৈচতুনা লুতিন লৈতক লৈরাংজতুনা ওইথম ফম্বাল্লাংলনি ।। লুতিন লৈবাংবু পরৈ লৈবাই অমা লৈথাইবিতুনা লুতিন লৈতুক লৈবাংলনি ।। মৈতৈশু তিল্ল লুতিনবু নমথাং ফিচি কিশি লৈপুম্নগা ফম্বাল্লাংদগী পুকম থৌনিবা থোইযুম অমাই নেংদম্বনা লুতিন ফম্বাল থক্তগী লুহোং লুতিন লৈরাংবীগা. লুতিন লৈরৌ লৈয়াবগা অনিবু থেমথোকপিতুনা লুতিন ফম্বান্দগী লৈকুমহন্দুনা থৌরোইগদবনি ।। থোইযুমশা,

য়ুম্বাল চৎলম লুহোং লুতিন লৈয়াবা থৌরম অসিদা ফম্বান্নবা থাবা খুদা কম্ফি অসিদি ফম্বাল মেম খুদানি থংও ।। x

থোইয়ুমশা কোয়ো হুমিং অসিদা লৈফম্নবা লৈথাবা ফম্বী খুদা অশিদি লৈথমখিবদগী জেংঙ্কদেদো ।। মতিক মঙম লৈঙাক থৌপুবা লাইমিং লাইশকপু থংঙ, নোংদম্বনা লৈয়াংবা লৈথমথ্রবা মঙদ্রি ।। কুরুম চীং, শ্মা থেঙ্গুম চীংনে, নোংপোক লৈহৌ চীংনে, থাগুকমু চীংনে, নোংচুপ লোইয়া হুংঙাইরেন চীং, চীংবা প্যানশা ৮না পনশা ৯ মাপনবু লৈথাহুনা লৈঙাক্লীবা লৈফমদগীবু পানলাকতুনা লাই হিংচাবা ত্তিনয়েং থোংয়েং হুনি নারো লৈঙম্বনা লৈকায়ক্কুনা নামুংবা ফত্তরা পরম্ব থৌবুরকুনা নোংখাই নোংদম্নববু ঙমদনবা হাইহুনা খুদাগী চিরা অমগী মথেংবু লৈপুহুনা লাইমিংথোই কোংচিলেন্না লাইমিংব (লাইগিংলেন কিংনাইবা) মি হুন্না লৈফমহুনা থোংঙাকপবু (কোংনিংথৌ) বু ঙাকহন্দুন অমম্বা ময়োল ৯ মপান মতুগী য়েখাই থিঙ্গাইবা লাইব, লৈচংবা ঙমদনবা মারুক্তনবগী লাইবুংথৌ (২০) গী মথোং লৈফমবু লৈশিন্নহুনা (লৈম্নতেক) কৌনা ঙাক্লিবনি লুত্তিন ফম্বানবা কোলুপ অহুদা পরম্ব থংনা লৈপাই লৈফম্নবা থৌনি ইয়াংকদবনি ।। x

নোংলোন ৯ মক্তগী ফত্তবা মত্তিন মরাই মৈখী শঙাইশেল নোংমৈ শিংজং কুমথি যুমগাংবম চংঙম্নকনি হাইহুনা চিরা অমদা লাইমিংথোই কোস্থৌরেন্না লাইমিংব (লৈফু রন কিনাইবা) লৈফমহুনা থোংঙাকলাইনা কোংতিংলেন্না নোংথৌ ময়ান্দগী থোকঙম্নকদবব, লৈবাক শেন্দা শাংনাকথিবা লাইবুংথৌ ৪ গা লোইনহুনা মথোইগী লৈপুবা থোং ওইনা ঙাক্কনিদো ।। নোংলোন ৯ দগী লৈথোংদগী হুনি নারো অয়েং অথোং লাইনা শাথোক্লকুনা হুমিং শিঙ্গম ৫৬০ থাঙ্গা ১২৮ লৈচুপ্পা লৈমাং লৈমুংনবা থৌপুনদা থৌঙমদনবা হাইবগী চিরা ১দা মীশি মীনা লৈচংদনবা লাই মিংথোই অপুম্বানা লাইমিংব পেংবী শানোই হিংশা রিতং) লেহুন্না লৈফমহুনা থোংঙাকপনা থাও ঙাইবনা থাংজিঙ্গী লাইবুংথৌ ১৭ কা লোইনহুনা মথোইগী থোংওইনা ঙাক্লি ।। নোংথোংহুনা থেক লাওহুনা মতিন মকাং মহিক মবাং লৈশারকুনা তিঙ্গু লাইচুবব চৈবিননি হাইবগী লৈচংবা ঙমদনবা নোংথৌ লৈয়াই লৈথাহুনা লৈফম্বা শলাইলেন অমম্বা শ্মা ফম্বাল লৈতম্বনা চিরা অমদা অবাং নোংফুরেন কিং থিং কিংনাইবা) মিংহুন্না চীং শেম্বগী লাইবুংথৌ ১৭ কা লোইনহুনা লৈফম্নগা মথোইগী থোং ওইনা নোংদম্না লৈফম লৈঙাক্লা লৈগদবনি ।। খুদা অহুগী মথাদা লাইমিংথোই তাওয়োই লাইনা লৈপু লৈফম্না খুদানি মরুবু লৈথিনা ফম্বি খুদাবু লৈথা লৈফমগদবনি থোংয়ুমমশা ।। থোইয়ুম পুম্বনা থৌয়ারে নোংপোক চিংথৈ মরুন্না লুহোং লুতিম লৈয়ৌনবগী চৎনরম লাইরকচন লুতিন নোংদম অসিব হোকংলৈ লম্মা হনবা কংলৈ শ্মা পুংমাইয়োন্দগী থোহৌনা মথং

লেংনা চংনরম লাইরকচন ওইনা য়ুম্বান য়ুমদিন থোপুনরশি ।। থোরম্বু থোপুদনা য়ুম্বান য়ুমদিল্ল-বদি লাইরকচন্দা নামুংবা চংলম য়ুমদিন ওইনরশি রারেপ্পত্থুনা লৈথয়ে ।। মতুংদা থোরম পুম্বু থোরত্তুনা থোবুত্তুনা পাথংবা শ্লা কোঞ্জন ভুথোকপনা লৈরো লৈয়াহুনা নোংপোক অঙাইবা চম্বু শ্লা খোংনাং লৈসবু নোংপোক অঙাইবনা লৈয়াবগী থুবু পাইহুনা লৈরাংলে, কংলৈলুনা লুতিঙ্গুহুনা ওইথম ফম্বাল লাংওমথ্রে ।। লৈরো লৈয়াবা, লুতিন লৈরাংবী অনিগী নমথাং ফিজি অনিবু তিলু কিশি লিপুনবিহুনা লুতিন ফম্বান্দগী নোংদম্বনা লাইশোন্দুনা কৌথরে ।। মতুংদা (লৈনপ করোক) ইন্দুনা লাইরেম্বীশিংনা পাওরোএ ।।

পাওরো : — হিথা থাংমৈ অচোংঙা
থোইদিংও মকোর
করোঙ্গুম মকারাম
চঙ্গম্বা লিও লিও
ইপুরোই চংনিংলোই
নকা ইকা থোংথিল্লোই
তৌ হে হোযানবশে ।X

পাংশানবা লোইহুনা লাইরেম্বীশিংনা থিন্দোক্লে লাইবুংথৌশিংনা লৈওক্লনা কংলৈ পুন্সী শংলেন্দা লেংশিন্দুনা (রাকোংশংদা) চরৈ খ্যাংশেং ফিযাম লৈকোংহুনা মঙ্গাইরেন শ্লাথেং-নাং লৈম্বু লাইরেম্বী ১— পুকশিখোম্বী, ২— লাইরেম্বী, অচাহবী, ৩— লাইরৈমা থংরৈমা, ৪ — লাইরৈমা খোঙাইবী, ৫— লাইরৈমা থিংবা রোইখোম্বী ৬— লাইরেম্বী কোংটিং লৈমা, ৭ লাই-রেম্বী য়ুচেং লৈমা, ৮ লাইরেম্বী চিংবা লৈমা ৮ মকা থোথল্লা লৈওয়ে ।।X

মৈতৈগু পাবুথবা কোঞ্জম্বু থোবপবু লাইবুংথৌ অঙাইবা, লাইবুংথৌ উবোংলেন, লাইবুংথৌ কোংটিংলেন, লাইবুংথৌ খোঙাইবা, লাইবুংথৌ থরাই লাইবুংথৌ য়ুমজাও, লাইবুংথৌ য়ুচেং, লাই-বুংথৌ চেংঙা লাইবুংথৌ ৮ না থোথল্লাংনা লৈওয়ে ।। য়ুম্বানবা চংজম্বু থোহৌরবদা লাইবুংথৌ লাই রেম্বীশিনা হুংদাইহুনা পাওশা লিরোয়ে ।।

হৈয়ম হোয়াহে
লৈরো লুতিন লৈয়াবদা
লুহোং লুতিন লৈরাংবীনা
হুমলাংবু হুল্লক্লে ।।

হুমলাংবু হুরবদা—
লাংচন রাইয়ে চাকরাইথী লিতোন রাইরেদো
রাইতোন মশোক তারে, শোক্তা মখোং কক্রে
হৈকক য়াচন চনবদা
শোম্ন লাওনা চল্লি ইপোক কৌমদে ।।
লৈয়ৌবা লৈরাংবী অমিনা রাতানহুনা
পুক্কংদা হরাইগী মরু থাবদি
মহৈনা অজোবু অঙ্গা পাল্লনি— সয়া সায়েদো
খোইনৌ মৈবু লাংজেং সংনা
কোনবা শক্লা লৈশংপদা কোল্লো ।।
সরাবা চীংদা, তুকেনবা চীংদা কোল্লো ।।
খোইয়ুম থৌগা লাইবুংথৌগা ওংজাম্বগা
চীংমবগা মগোম্বীগা মরাংবীগা
অঙ্কুরি লাংদা শমৈ লাংদা,
লাংজেং রাইনা তিতোন রাইনা কোল্লো ।।

খোইয়ুমশিঙ্গী পাওশা তাবদা মৈতৈশু, কোঙ্গপুথোকপা পাখংবনা লৈবাক্তি যাইফনবা হাই-হুনা (পিশুম খোংথৈ ওইনা অরাংদা থৌগাইববু লৈভাকহল্লে ।। নোংপোক্লা—থৌগাইববু ভাক-হল্লে ।। নোংচুপ্ত— খোইয়ুম কোংটিংহনববু ভাকহল্লে ।। মাঙ্গৈ মরিদা খোইয়ুম ম না লৈভাক লৈফমবদা মৈ, ঈশিং, মুংশিং ইন, ঙুংবি-মুংলাই, তিনলাহ অপকমা করি করাবু য়েথাইবা থিন-গাইবা লৈচংবা ভমদনা রায়েন নোংদমা লৈপানবা থৌহৌর ।। মতম অসিদা নোংপোক অঙাই-বগা মদাইরেন লাইরৈমা চিংচ্রাইবীগা অনিনা মমোম শ্না খোনাং লৈমনা লুহোংহুনা চংঙম-খিবগী মপুক অরা রাথম্না লাংতক্লহুনা লৈঙম্ববু মদাইরেন চিংচ্রাইবীনা মচা নিপা অমা তান-কংজহুনা অরা রাথনবু লৈকোক্লহুনা মচাগী মমিংবু (পামশাবা , লৈহুনজহুনা মপুক খোইজংনা নাওকোন শিন্দম্বীহুনা মতিক মতম ফবা রারপ লিচুম শৈরেং হৈশিংবা নাওরা অপিচা অমা ওইনা মুংঙাইনা লৈঙমহুনা চাদা নাওদা শৈহৌরে ।। x

লাইমিংথোইলা লৈকোই লৈহল্লকপগী থৌদোক

মৈতৈশু, নোংদাইলাই—হৌজিক্তি নবুখো লাইমিংথোইনা শামুনা পুবা লৈফমদা লৈঙম্বা খোইয়ুমশিং নোংদম লৈহৌনরকপগী পরম্ব পাওশাবিহুনা, তাহন থংহনবিহুনা মুংঙাইনরম্বগী লৈকোইববু

লৈহনজিনবা মতম ওইরক্লুনা হনওম্লকপগী থৌরম্ পাজহুনা হাইয়গে ত্ব্যবিও ॥ লাইমিংথোইনা লৈকোত লৈহৌফমদা লৈহল্লক্লুনা লৈফম্ কোইনা য়েংহুনা হাইএ ॥ ঐনা লৈকোইবা অসিবু হনক্লা লৈয়ি ৭ শুরে ঐনা কোইরুবশে লৈফম ৭ শুরবোইরে অদুগা ঐনা লৈকোইবদা লৈফম অসিদগী লৈহৌফম ওইনা থোংশাল্লিবা অদুগা চৎলুবা লৈফম খুদিঙ্গী লৈফম অসিদা লৈহল্লক্লুনা মালেমদা লৈয়ি অমমম চিংহুনা শিংথারম্লিবা অসিনা কম্মিল্লংবু লৈবনা থৌরম অসিবু ঐনা থৌওম থৈপুবনো হাইমা লৈকশু কোইনা য়েংও ॥ উম লৈফম অসিদা ঐবু অমুক অমুক লৈহঞ্জিল্লিবা অসিদি কংলৈ পুংমাইয়োন অসিদগী চৎনবম পুম্বা লেনফম শিন্দম্লফম ময়াই শুমদোন পাংন লৈফম ওইদৌরিনা লৈফম অসিনা লৈবাক পুম্নমাক্ক (লাংওন লাংদাই পুঙ্গী) লৈফম ওইরে, অদুগা লৈফম অসিদি রাক্সৌথম বারোইফম, ব্রারেপ রাশক্রফম রাওম থৌপূ লৈতাম্লফম (পল্লান্দনী, অশুম্ব। হাংবা লৈফম্লিনা মশিদি লৈঙাক লৈকন কমাইহাং কুমাইথিং থাকোনা লৈফম নংবু মিংহুম্না লৈহুল্লশনি নংনা থৌবম পুম্বা লৈহাংজ্, থৌরম পুম্বা লৈথিংনা লৈকল্লু নোংদম্লগা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা থোংচং মিংয়েং তাল্লক্ল॥ কংলৈ পুংমাইয়োন্দা চৎলম অমবু উহনা তিঃ কররিনা লৌওম্মিবা অশিদ তাইনা থোংচং লকপবু থোংশান থোংলপ্লা রাওাংদনা মপুক্ক রাখন লৈতক্লনা রাখন্দুনা যেহুনা লেপ্পনা লৈএ ॥ থমোই লক মুংদা তোগদন থৌওম্ বাথন্দুনা থৌবম্ থৌযনা লাইমিংথোহনা লৈশিন অহুন্নগীবু লৈফম্ (মুংমুংবী মিহিংফাংপফা) লৈহুন্না লোয়্লে ॥ কমদৌরিনা ঐগী ইমা অসিবু চৎলম অসিবু কৌজিক্লা থৌ হৌবরদি কমদৌনা তুদা পাবু মশক মশম নবেংরগবনো? থবশি খাশি লৈনাইদ মাতন যম্মনা মপান্নশিব কবিবু চৎলম কৌরগা মশি খব রারক থৌকাও হৌদ্রবদি চৎলম পুম্বা নামুং চৎলম ঙাদ লৈবাক অসি চংঙম্লনা তারে। তেংনবগী চৎনরমদি লৈফম অসিদগী থৌরৌনফম ওইগদবা লেথম্লি অহুবু নাতুঙ্গবদি থোয়েংদনা ঐদি অরাং লুতোন ফম্বানবু তানফংজগা লৈইবে রাখন হৌইনা অসিবু খাংয়ম্লনা থৌহাববু তৌনবরা হক্লা মনিং লৈতা ম্ল, লুতুঙ্গী রাখন খংমন্দবে ॥ এনা তৌওম্লিবা পুম্বাশ মাগী য়াইফংনবতা থৌওম্লবা থোপুবা ঙাক্লনি, মাতমা লুতোন ফম্বাল লাংজনবা লৈথ লৈথম্বীবা ওদনিদ মপুক রাখল পিরমাল্লে ররক থৌকাও হৌদ্রবাদ মাগী রাখন অরাংবা লুতোন ফম্বালবু লৈপাম্বনা মশাবু লৈথন্দিহুনা চৎনরম পুম্বা থৌকাওনরগনি বাখন্দুনা অশাওবা মিংয়ে উহ্নুনা লোংকাপ ইঙ্গুল তম্লক্ল॥ লাইমিংথোইগী শ্লা ম্রিংয়েং কঞ্জাও শুম্লা লৈচংলকপবু উবদা পাখংবা শ্লা কোঞ্জন ভুথোবপনা অকি তুজুং ওইহুনা শ্লা তাংখন (মিহিং সংসংদ অপাম্বা) কৌবা উদ্রা — ফম্বী থঙ্গুগী চোংথারহুনা চেনগ তৌওয়ে। পাবুথংবগী মতৌবু লাইরেম্বী ১ পুকশিথোম্বী, অঙাইবী, খাইমা থৌঙাইবী, থিংবারোইথোম্বী, কোংটিং লৈমা, যুচেং লৈমা, চিংবা লৈমা চনা থংও উরহুনা খুজেং পালোই লাক্লা লিশম্লহুনা পাখংববু শাকোইহুনা লৈথন্তুনা লেখায়ে। কানবু মুংবু চেনবনে নপুক তয়াং ওশোইবনো? ঐথোইনা থৌখল্লিঙৈদা থেউয়ুম কনাবু চংওম্লগবনো

চেনবিগন্নু ঐখোইনা লৈঙাক লৈকঞ্জগনি পাওশানা শাকোই লৈথংমতুনা পাওশা লিখোল নাঙ-থেম্না কোইনা থংনা চোংতুনা লৈখাম লৈঙাক পাওশারক্লে ।।

কে ক্রেক কে মো মো,
য়াঙোই শম্বা শ্যাও শ্যাও,
তোকপগা কম্বগা
কৈগা য়েনগা চাইবা,
য়েনখোং কত্তে চাশল্লো,
লাইগী য়েম্নি চাফদে,
নোংদম্না মউ লৈথানা
চাম্নি মপাম্ন লিংবন্নি
সে সে বাইনৌশে
শবা লাংদা ব্রাইনৌশে ।।
কেক্রেক কে মো মো
যাঙোই শম্বা শ্যাও শ্যাও,
শাবল লমখোকপা কোমবা লমাযংশে,
হো ইপু মেক্রুকপা
নংনা যাঙে য়াংঙবা
অরিবনা শোইদোকশে
অনৌবনা শোইজনশে
চীংয়া তময়া অমুল হৈ,
শেমজবনা চাজবা হৈ,
য়াঙোই শম্বা শ্যাও শ্যাও ।।

লিয়োল পাওশা তাবদা লাইমিংথোই ভুংঙোল্লে ।। উম থোরম অসিদি ইশাদোনা কঞ্জাওবা নমজনবা নত্তবোইয়ে, ঐদি চুম্নত্তা ইনাওবু লৈখংনবা ব্লারক খোকাওগে তোওম্বনি অহুবু মখোই ৮ অসিনা করিবু মওম লৈতুনা শাকোইনা লৈথংশাবা মযুম্ন য়ুম্নানবা চম্নুগী নাক্তা ঐনা চ'ঙম্বা হৌনদবনিনা লৈকম অসিম্নদি লৈকঞ্জরো ।। পাওশা কম্নি অরিবনা শোইদোক্লে, অনৌবনা শোইজল্লো, চীংয়া তময়া অমুলহৈ, শেমম্বনা চাজবা হৈ. কনানা শেম শাহুনা নোংদমতুনা লৈফম্বা, করিবু মওম হেন্দুনা, ঐদি থোদবগী য়াঙেইনা লৈকোইবগুম কোইনা চত্তুনা থোম্পুবনি, অহুবু

ঐনা করিবু নামুং চৎলম চত্তুনা তাল্লদবা, ঐ কনানো ? হাই লাইরেম্বীশা নয়ুম য়ুম্বাল চৎলম্মা লৈথুম্মখিহুনা থংদ্রমাম্লে লৈথংনবা থৌপুগে লৈকনবা ওয়বা নথৌ নওম্ব থৌপুজো ।। নোংথৌগী মখা মালেমগী মথক অশিদা ইমিংবু থৌয়েংনা (অশিবা, মাঞ্জিবা, হাই লোম্বা, নোংখেরেন) ইমিংবু মিংহুম্মা লৈবাক অসিবু (চুকশেন ওইনা) লৈফাহুনা মিংহুন অমদা (থৌবী লৈফম্বা= লৈফম্বী) থাকৌনা শেম্বী নোংপোক থংনা লৈফম্বা ইমিংবু—ভাংঙোই মৈরাম্বা= মৈরাম্বী কৌনা খোংনা= নোংচুপ্পাংনা চৈ যম্মা লৈঙাক্লিবা ঐনি, ঐনা তৌঙমগে নিংববু কনানা লৈথিংবা ওম্বা থৌয়েংশিদো লৈফম অসিবু মথক মখা ওস্থোক্লগা লৌনা অমুক শেমগৎকে থংঙ ।। ঐবু লৈথাম্বওম-গদবদি (মহাক, নহাক) অনিতনা ওমগদবনি থংঙদো ।। হাইরম্মগা থাংহিং ভাংঙোই তম্মা চোংখিহুনা লৈবাক চিরা মরিবু চুকফা লৈথত্তুনা হৌলম্মহনবা কংলৈ পুংমাইয়োন লৈবাকপু মথক মখা খুম্মোক্তুনা লৈথম্মবা হুনি রৈখাইলাই ১ বু শাদোংহুনা খেক লাওহুনা মৈবি পাইবওম (খুস্তাক লৈতাক খোংলম্ব লৈশানখ্রে ।।

খুস্তাক লৈতাকপা খোংচৎ :— কংলৈপুংমাইয়োন তম্মা খোংফম অহুম্মক চংশিল্লক্তুনা য়েংঙি ।। য়েৎথংবা খোংবু ফুক্তুনা য়েৎলমদা লৈরক্তুনা খোংবু তুংলোমদা হোত্তুনা নোংচুপকি ওনশা চৌংখোংদা লৈথুংহুনা য়েৎকি খোংনা ৩ লক থিন্দুনা ৩ লক অমুক খুদোম্মা হোৎলে ।। ওইগী খোংনশু ৩ লক থিন্দুনা ৩ লক হোৎলে ।। য়েৎ থংবা খোংবু থাঙত্তুনা চোংথৎলগা খোংবু শৎলে ।। ওইথংনশু থাজত্তুনা চোংহুনা খোংবু শৎলে ।। মাইগৈ ৪ বু য়েরবা লাইমিংথোইদা শাগ্রেম্মবা কনা লৈবা নাখম্মা কোইনা চোংহুনা খৌশারম্ফা য়েৎলোমদা লৈশল্লক্তুনা কংলৈতাম্মা চনখৎ-লত্তুনা খৌশা খোংদহ্রে । য়েৎথম্বা খোংনা (৩) লক মালেমদা থিন্দুনা খুদোম্মা (৩) লক হোৎলে ।। ওই থম্বা খোংনা ৩) লক থিল্লে খুদোম্মা ৩) লক হোৎলম্মগা চোংথত্তুনা য়েৎকি খোংনা শেৎলে ।। ওইনা অমুক শেৎলে ।। চোংখুৎ চাংশত্তুনা মাইগৈ ৫ কোইনা য়েংলে ।। য়েৎলোমদা লৈশল্লক্তুনা মাকৌ মাথাই লাংদাই পুংদা চেনশিন্দুনা লোম্না রাখল্লে ।। (খোংচৎ-অসিবু পল্লিং পনমাং খোংচৎ কৌএ) ।।

লাইমিংথোইনা কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈতাক কেম্মংহল্লগে নিংহুনা খৌহৌরে খোংকাপ (৩) কংলৈরোমদা চংশল্লম্লগা য়েৎকি খোংনা হাইদোক্তুনা (২) রক হোত্তুনা ভাইহাত্তং লৈরে ।। য়েৎথম্বা খোংনা (২) রক থিল্লে, খোংদোম্মা (২) রক লৈহোৎলে ।। ওইগী খাংনা (২) রক থিল্লম্মগা খোংদোম্মা (২) রক হোৎলে ।। য়েৎকি খোংনা শেৎলে । অমুক ওইগী খোংনা শেৎলে ।। মাইগৈ ৪ বু চোংহুনা থুগাইনবা লৈফম্ব য়েংলে ।। য়েৎথম্বা খোংনা (২ রক থিন্দুনা থৌহম্লগে তৌববু

য়ৈথাই থিঙ্গাইবা লাক্তদবৱু লৈথংলে ।। ওইনশু ২ ৱক থিন্দুনা থংলে ত্তাল্লে।। ৱাখল্দা অয়েং অখোং লৈঙম্বৱ লিকা লিপুম্নহুনা ফার ।। খোংলম অসিবু চিরা ৪দা খোংচংলম্লগা খোং অনি-ৱক হোত্তুনা শম্থোং চিৱাদা চেনশিল্লক্তুনা য়েংকি খোংথাঙ্গত্তুনা অনিৱক থিঙ্গম্মগা লৈবাকপু মথক মথা ওনগদবগী তৌঙমলে ।। খোংচং অসিবু থুম্তাক লৈত্তাবপা খোংচং কৌঔ ।।

লাইমিংথোহুগী মঙম উবদা চাথা খোংচোয়বীনা পাথংবদা হাইএ—মৈতৈংগ পাবু থংবা লাইমিংথোইবু পুক্কম লৈপাইনা হাইজহুনা থেমনৌনহুনা লৈনিহৌ নত্রবদি লৈমাং লৈমুংপনা লৈহাল্লনি ।। পাওশাবু তাবদা পাথংবনা ঙ্গুংকেং নাক্তা চোংথোক্কুনা মাই শম্থোং ওম্না খুবাং ১০বু চেপ্না লোম্না খুনিং কাং, খুদোন লৈদা নেং, খোং নাম্না লৈথাঙ্গং মমিং পাংমা উংশিন্না থৌনি লৈপাইনৱক্লে ।। ‘হে লাইমিংথোই নত্তিক নঙমবু লৈহকপও, হৌ লম্মা হনবা কংলৈ পুংদা য়ৈথাই লাইনা থোংদারক্তুনা য়ৈথাই থিনগাইবা থৌঙমদনবা মাইগৈ ৪ শুংদাই ৪ লৈথক্তুনা চিংবা পনশা ৯ বু লৈথোন্না লৈথিংবিবা লাইমিংথোই, শেম্বিবগী মশেমথোক শেম্নৌগু নিঙ্গবিএ ০নাওনা, নকোক-থক্তা পোম্বী বাহোং মতুনা উরিশেক লৈথেং ওইবও, নপুক্তা নোংপো অতিয়াদা লৈথম্বা, ননম্না মালেমদা লৈথানা, নকুনা য়োং ওইবা, শিংলিনা থৌবা ঈশেং মরু, ঈরিক ঈশেং মরু, তুরৈ ঈচাও ঈশেং মরু ওইনা লৈথম্বা, মরি লিশাবা, ভপোপ তয়াংশাবা, চংনিং হেনবা অক্তম্না ঈশেং ঈখোং (৩) গী মরু ওইনা লৈথম্লিবা, ঈনা উপি উৱেন ওইরিবা লাইমিংথোই লকাদগী নতুনা উঙং উৱাংবু ওইনা মালেমদা হৌহুনা তেংবানবৱু পোকলেন শাংপগী লেগুন লৈৱাংবু লৈওম্লিবা লাই-মিংথোই চিৱাই লোং অংহনবা, মিং শ্না থম্বাল মিংলাংচান অনিবু ঙ্গমিং থাদা লৈগাপ লৈথম্লিবা নকোক্লা শাম্নচিদা লৈফম্বা, নয়ুংনা থুম ওংনা শাথোক্লিবা, নখিনা তেংবানবগী অচা অথক্কি মশক ওইনা মালেমদা লৈহৌহন্দুনা পিজ পিথক্তুনা নাওয়োক নাংকোনবিৱিব, মিউনা অথুম ওইনা শাথোকপা, লৈবাকপু শেংগী লাইমিংবু নোংঙমশংকন্দা (লৈৱংলেন ভাথংপা) লৈহুনবা মিংলেন অমনা (ঙ্গুংনাংলেন (অপোংবা) থাকৌবা, শাম্নচিন্দা লৈবদা (ঙ্গুংকোম্নবা) থাকৌবা নয়ুম শংলেন লাইগী শঙবু চক্ক ৎনা কোনথা লৈথম্মিবা ত্তাংলোই নাইদবা অঙৌবা মচুনা কো-ইশিল্লবা, শ্না মিংলেনবু (শ্নাকোনশৌৱেন কৌৱেনবা) লৈহুনবা, মিংলেন অমদি (চিৱেন তোংলে-নবা) থাগোল্লিবা, নচু নঙানবু (মৈত্রেং শ্না অহিংবা) মিংহুনবা, নয়া য়াখোং য়ারক থুদিংদা শ্নাগী কোঙ্গাল শৌবগুম শ্নানা পাদাং থোংলিবা, সনা হকচাঙ্গী লৈনম্ থম্বাল ১০৮ কৌবা লৈৱাংনা তমজরিবা, নথুংয়ত্তা সনাগুবা, নথুং ওইদা লুপা থোকপা, থক্তা লৈবা লাইনা থকখন ওইনা থানবা, খাদা লৈবা লংইনা থুদা ওইনা ফম্বা, অমম লৈশানভৈদাং নংতা মত্তাইনা লৈৱকপা, লিন মাম্মং-ববু কোনথাবা, তমফানা থোথিংলিবা, ঊশিং খোইকপুম্বদা কুনবা মিশিগুম্বনি, য়ুহাবশু নহাক্কি, উপোই কাংদা লৈবশু নহক্কি, নমিংবু (সনাতিনম্নুৱেম) হাইনা লৈহুনবশু নহাক্কগী নহাক্কি, নংবা

তৌগে নিংবব্ কনানা লৈথিংবা ওমগবা, অয়োন লৈবা খিবিকপু লৈঙাক লৈকন্দুনা কুবিও, শেম্বি-বগী মশেমথোকপু নেংদম্না শেম্বিও নখোং খাদা পাইমা শিল্লে লোম্বনা হুন্না হুম্না লৈপাইনা নকা-ঙুংদব্ লৈনিজবা ওইজবি কুবি নোংদম্না য়েংবিও ।। X

পাখংবনা হাইজা রাব্ তাবদা লাইমিংথোইব্ ঙুংঙোল্লি, করিনো ঐনা তৌওল্লিবা অসিব্ ইঙ্গম চাওই হাইতুনা নমথেক নমজানবা চৎলম্ব্ লৈবাকপু মাংনবা ঐনা নাম্মুংবা চৎলম্ব্ থো-ংহৌবা, ঐগী চৎলম অসিব্ চুম্বরা চুমদবরা রাখন্দুনা মনাওনা পাওশাবা মাইগৈদা মনাওব্ অরাক তম্না য়েংলক্লে ।। পাখংবদি লাইমিংথোইব্ য়েংজবদা লাইমিংথোইগী মতিক মঙম্না ওকমনখিবনা মিৎসনা পাংতিং মান্নানা য়েংজবব্ ওমদতুনা মমিৎ পাংমা উশিল্লে. মখোং নাম্মা থাঙ্গত্তুনা মশা মউ ওনিক ওশোইনা য়েংতুনা লৈরম্বব্ উওয়ক্তুনা লাইমিংথোইনা মনাওব্ অমুক তাথিরে ।। রাহৈবু তাপদি কয়া ঙুংশি হাল্লবা মতৌ মওংদ করেম কথাইনতুনা এবু লংনা শাথেক শাওম্নতুনা পাওশাবা, নপুক্কি ইকুমাইতাদনা লোনম রাহৈনা অফাশানা ঐবু পাওশানরিবোই (কোংকোন্তে থুরাই তাংবা শোংবু চিরাই কাংবা শানা) ঐবু শাগ্রেম্বা শারিবোইদা, পীওশিরা রাখনবনি নওং মতৌ য়েংনিংদে ঐগী ইথোবু তোক্লরোই রাখন্দুনা খুদক অতুদা থুনা য়াংনা লৈমুৎনবা শাফোংলে ।। ময়াম্বুঙ্গী লাকওম ফাওমদবা মওম্ব্ উবদা প্খাংবনা লৈকনবা ওল্লরোই থংকতুনা অকি তুজুংবগা লোইননা অরাক অখংনা লৈবাক লৈমাং লৈমুৎলে, মরুনা লৈকনবিদ্রবদি লৈঙাক লোকনবিয়ো হাইনা থুলাম হোইনা কৌওম্ন ।। অতিয়া মরুশিদবনা করিনুংবু তৌবনো অরাক অখংনা লাও-থেককপবু নাখন্না য়েংবদা লৈবাকপু মখক মখাওন্দুনা লৈখম্নবা হৌওম্ব এওম্লে ।। খোরম্ব্ উবদা অাতয়া মরু শিদনগু অকিতুজুং তানখংলে, হৈ: কনানা কদৌরকপা কংলে পুংমাইয়োন মরুগী খুদাবু লৈমুৎনবা থোয়াংনা খোওম থোপুনরিবা করিব্ লৈমাং লৈমুৎপাওনগবা ঐমক লৈয়ে লেখং-দবা কনানো নাখন্নতুনা অশাও লৃতো. লৈকাখতুনা করিবু তুগী কনানব শিস্তারিবা নাখল্লমদ্রে ।। তোওম্নম্বা মওংনা অকি তুজং ওকমনখিবনা লৈমাংবনা ই.ল. রাগন খতুনা থাকৌরকপা তাবদা থুংগু থাংলন (লিক্তুথাং কুনাইং শেং মিরাকথাং) বু পাইতুনা লোংথক্লে ।। মবনা খাংব্ শংপদা (শ্রীং ওং ক্লং ক হাই ওরা) লাইমিং পীতুনা খাং শংলো । খাঙ্গী ময়াদা—ক্লীংখং ওরা হাইনা লৈহাপ্নুনা, মথৌ লৈহাপ্নুনা য়েক য়েক য়েকতিংসে হাই পাখবা নংদি শ্না থাঙ্গুম মত্তাল্লাইবাঙম্বা খাংনি সেং হাই তুম্লো হাইনা থাংদা নাকগা ওই হিংশৎ নংনা তৌবা থবক্তি চুমথোংপাই কৌবা কাইথ্রো হাই) হাইনা খোংথিন্দুনা লাতুনা থাংতাই অমুকংবু হাইরক্লে ।। মরুগী খোংথিন খোনলাওদা লৈয়ুৎ খোওম্নবা থোপুবা মশক শাখেক্রম্বনু ফাইতুনা নাইগৈ ৮ দা লৈবা লাইশিঙ্গী লৈকমদা লৈচংতুনা লোংথ্রে ।। লাইমিংথোইদ অবিতুজুং লৈতনা খেক্লা নোক্লা ইঃ থোরম পুখদি মকনা তোইনবনিদনা অচুদি মরুগী মনিং কেমাংথক্তু রাখল্লতুনা অকি তুজুং

লৈত্তনা থেক্লা লাওনা লৈগুম্মি ।। মরুগী থাংলেনবু অমুক্তং হাইখিবনা লাইমিংথোইগী হকচাংবু থাংফম ৭ লৈকক্লে ।। মরুগী থাঙ্গী মগান্না লাইমিংথোইবু থাংফম ৭ থোক্লা লৈকক্লবদা লাইমিংথোইনা সনা হকচাঙ্গী লৈকম ভককুগী লৈথাইহূনা মলেম লৈমাইথক্লা ৭পু থাদরম্মগা মরুনা নিংবা লৈথুংনবা লৌবিহৌরো মতুপ ৭ অসিদো, য়াইফা নোংদম্মা পানগুম্বা তৌবিরো ঐদি লৈহম্নজরগে পাওশারগা মকোক্লেনগী মশক্লা লাইমিংথোইগী শকথোংবু লৈহন লৈরেপ্পুনা নোংথৌ পাংনা থোঙ্গা ইহুন তমথরে ।।x (মৈতৈগু নোংদলাই থৌরম্বু উবদা মরুবু অরা লৈখম তানফংনরেদা)—

অতিয়া মরু শিদবনা লাইমিংথোইবু থেম্নৌনবা লৈফমথিবা

অতিয়া মরু শিদবনা হীঃ কর্নিনো ঐগী থাংনা মাংহনবদি ভমদনা, মশক মতুপ ৭ তুমথাদরম্মগা মশানা নোংথৌপাংমদা চংখিবা গুম্বা অসির কনা ওইরিগব ।। মতিক মগুম্বু থোইমা য়াম্না হকপ্রেদ রাখন্দুনা নোংথৌ পাংনা লৈথি লৈয়েংভি ।। হীঃ অসিদি মপারি সনাহন ইচানিনা (থ, ক, ন, গ, র, ম, হ, শ) লাইয়েক ৮দা শথপুনা লাইমিংবু (মুংহিং তোংলৈরা মুংহিং তোংনানিক) লৈহুন্না লোত্তুনা লোইদাম থাদা তিলু লৈফম্না লোত্তুনা লৈপ্রেনা করিব্র পুঙ্গীনো ? মালেমদা ইহুৎ ইরেং লৈশিন্না ইশক ৮বু লৈথম্মুবনি ঐবু খিগুমলরমু শিনাক্লা লৈরোৎলিবোইরে, লাইয়েক ৮ অসিবু কনাবু ওইবনো মরুনা রাখল্লে ।। (থ) দি থাংজিং লাইওইরে ।। (ক) দি কক্তোক অরিবা কোইরেংলাই তেংবানবা মপু মুংশিংপু ওইরে ।। (ন) দি চিংচোইবীগী মশক ওইরে ।। (গ) দি গৌবরেন=কৌবরেল ওইরে ।। (র) দি লৈশিরেল ওইরে ।। (ম) দি খানা চাওবা ওইরে ।। (হ) দি মরু শিদবা ওইরে ।। (শ) দি নোংশাবগী মশক ওইনা লেতৌরবান ।। ঐদি ৮গী মরুম্বু থুপ্তুনা লৈবগে লৈরোৎলেদনা অসিদি ফালম লাথুপ লারৈ শাম্নগদবা ঐদগী হৌনা লৈগুম্বা ভাক্রি, শেম্বী শাবিনবা থরাই য়াইবিরেনবু লৈফানবদি কনানা ওইগদগে ।। কন্নিবু কমদৌনা থেমথোকশিবা উম কনাবু লৈতবা অচিকপা লৈফম অমা লৈয়েংহুনা ঐ চৎপা ভারে, লৈফম অহুদা ইপা ইচাদা পাওশানহুনা থেমথোক্লুনা লৈথম্নবা থৌপুলবা যাদে, থৌবম পুম্বদি পারি ইপা অরিবা লাইমিংথোই মহাক্লনা নোংদম থৌগৌগদবা মহাক্লি ।। নিংশিংলক্লুনা কনাবু থংহন্দনা কংলৈ পুংমাই য়োন্দগী থাপাংনা অচিকপা লম্ব লৈখিবা লৈকুমপ্রে ।x

মৈতৈগু নোংদলাই—নবুধৌ পাখংবা কোঞ্জম্তু থোকপনা লৈকনবিরম্বা মরু অতিয়া শিদবনা মনাক্তা লৈরম্বদগী হেক মাংখিহুনা উদবা অহুদা হীঃ করিবু তৌরবনো ? মরুনা ঐবু থাদোকশিহুনা চংখিবা অসিবু ঐগী অয়োনবা চংলম্না হকমন্দুনা অরাবা লৈফম অসিনা লৈকনবিরম্মগা

হৃদোকপিরম্মবোইরে কমদৌশিবা ।। মরুবু কদাইয়ৌনা লেংঙমথ্রবনো রাখন্দুনা মাইগৈ ৪ জুংদাই ৪ বু তুনা কোইনা য়েংতুনা লৈথিরে ।। করিনো মরুনা তাংজ লুক্না মুংগুক মুংবংনতুনা খোঙাপ নহাইব় ইপোম হৌদনা মপুক অরাবা রাখন্না মা হকচাংবু থুমহৎনখিবগুম খা মাইগৈদা কুমথরিবা অশিবু, অসিদি এনা মাইগৈ নাকোই অমারোমদা মরুগী মাংথানবা লৈকুমথগ্রগা। হনগুরক্তুনা মরুগী মাংদা লৈথক্তুনা পুরুম লৈপাইনা লৌখামচৌব্রবদি মকবু লৈহল্লগুবা ভাঙমদোরি, অহুদি লম্বী অমরোমদা লৈফাক্তুনা চথবা তারে রাখন্দুনা চথখরে ।। খোংলৌতোন লৌথিবা মা কোজক্তুথোকপনা নাকোই অমরোমদা চথখিতুনা মরুগী মাং থানবা লমদম থরদং চথরগা অমুক অরাংপাংনা হাইগৎলক্তুন অতিয়া সিদবগী মমাংদা মশা কোঞ্জন তুথোক্না মাংলম থক্তা কোংয়াং চৈগুম লৈক্তুন। মরুনা লৈকুম্নকপা য়াংলৌবু লৈথক্তুনা লৈগুরে ।। মরু অতিয়া শিদবনা লাইমিংথোই মচানা লৈরোক্তুনা লৈখিবগী অম্নাবা রাখন মুংশি মুংতোনবনা মরুগী মা হকচাংবু থুমক্তুনা তাংজলুক্না খোঙাপ নাহুইবু থাংগুমদ মপুক রাখনবু লৈতক্না লমদম খদাইদা থেগ্নৌনা পারি সনাহন লাইমিংথোইবু থাকোশিবনো রাখন্না খোঙমলকপদা লম্মথাদা মশা কোজক্তুথোক। লৈথংলম্বা উবদা চীঃ মশিদে কমদৌশিবনো মাগী কাম্নবগী মরমদা চিরোন চিলহাইনবা থোপুনদি হৈশিংদৌরিদা রাখন্দুনা মচাব় চিংনা য়েংতুনা হাইযে ।। চিরোন চলহাই হৈশিংবা পাখংবা নংদি লৈফম অসিদা কাদৌরিবা হৌগৎলু এ চৎকে ।। পাখংবনা মাংলমদা য়াহিপ শংনা লৈপাইরম্বদগী খু লৈদা লৈনম্না থুবাং চেপ্না লেংম্না হাইজেয়ে ।। মরু নচাবু খাদোকপীগম্নু তুংইন থোগন ওইজগে ।। কোংলৌতোন নংয়াগুনা চৎপা য়াব নখৌ নত্তম্বু নক্তে নংবু চংবা য়াব থোঙমনক্তে ।। মরু কুপি নোংদম্বীও নচাবু মরুনা লৈথাবিরগা নচাবু কনানা শিঙ্গাক নোংদম্বীতুনা লৈঙাক লৈকন নোংদম্বীগদগে ? লুতুঙ্গী পবম্বু লৈথংজদবা পারক খোকাগুবু থৌলিংদবা মীংক মঙম পাইদবা নচানি কুবিনোংদম্না লৈকাইবা থোপুনখিবা অয়োন চৎলম শিঙ্গামখিবব লৈঙাক লৈকম্নবিগু নচাগী কনা লৈজদে ।। কোংলৌতোন নঙ্গীদমক নপা এবু চৎপনি নংবু বুবি লোমদম তম্বীনবা নয়ানবু থেমথোক্লগে চৎলিবনি, নংবু শেম্বী শাবিনবা থুঙ্গাও লৈচাগুনাব লৈপান্নবা নংবু নোংদমগদবাদ লাইমিংথোই নয়াম্বনা নোংদমপ্পদবনি নপা এনা নোংদম্বা গুম্বা হথৌ ইঙম নগে ।। কোরৌ আসদগী নথাম্বব থৌক ওদনা লৈথংজৌ, নংদি থৌরম অশিদা য়াগুবা মমরাই নপা এনা থেম্নৌখিগে, নয়াম্বনা থাকৌনবিরকপম্ব জাইতুনা লৈফম অসিদা লৈঙমজৌ ।। নঙ্গী চৎলম লৌজনবা নঙ্গী কান্না পৌরমদা চিরোল পাগুশা হৈশিংবশে লুতুংফাগুবা লৈথংনবা নমিংবু (চিরোন পাগুশা হৈশিংবা) কৌনা লৈফম অসিদা লৈবমখো, লৈফম অসিনা (শমুলৈথৎ লৌথামফম) মিংজুন্না লৈথংনচৌরশম্নু লৈহৌরা নোংদমলগা অতিয়া মরু শিদবা লৈকম অতুদগী অমুক চথখরে । x (পাখংবা চিরোন চিহাইরা—শামুরৌ) হাইগ্রে ।। x

(লৈশিরেন্না মরুবু লৈথিবা পরম)

লৈশিরেন লৈপুনথিনা লৈয়েংবদা ঙৌলম্মাহনবা কংলৈপুংইয়োন্দা অতিয়াম্বক শিদববু উবা ফংজবদা মরুবু কদাইদা করি করা কদৌববু চংঙমখিবমো ম্রাইগী শিন্না কোইনা লৈয়েংনা লৈথিরে ।। খা ম্রাইগীদা তাংজলুক্লা মরুনা লৈকুম্ববু উঙমতুনা কদৌরম্নো মকনা মপুক অরা মুংশিন্দাথম্না লাংতক্লবশুম খোংথাং লেংঙম শাঙমদ তাংজা লুক্লা লৈকুম্নখ্রিবা অসিব চংঙম্নলমদাহৌদগু ঐহ্ব লৈতাক লৈহৌববু নোংদমদে ।। ঐনা করিবু লাংজকতুনা মরুমা ঐবু তাথিবিরিবা, অতুদি পরম থংনবা ঐ মরুবু উনবা চত্তবা য়াদ্রে ব্রাখন্দুনা কংলৈপুংদগী খাপাংনা খোঙ্গুমলক্তুনা মকবু তান্থ নরক্লে । লৈশিরেন্না মকবু তানফংনবা য়েংনা খোংদেট্টে হুনঙমলক্তুনা মরুবু তানফংগে হাটবগী মরুনা লৈকুম্নাথবগী ওইথম পাবদা শাথোক্লে ।। মরুবু তানফংগে নিংজতুনা শাথোকপা লৈফম্বু (মক তানফং লৈয়েং শাথোকপুং) থাকৌম্নে ।। লৈফম অতুদা লৈঙৌরম্বা মশকপু (য়েংদৌ) মিংহল্লে, য়েংদৌপোকপী = নিংথৌ পোকপী শাথোকফম কৌরমলে ।।x

অতিয়া শিদবনা লৈশিরেন্না শাথোকপবু উবতুনা পামেল অমগী মকমদা নাহোং নাথেতুনা লৈশিরেন্না উদনবা অতিয়া মক চংঙমগ্রে । লৈশিরেন্না য়েংঙবদা মকবু উরে, পামেল অতুদ মউরে. লৈশিরেন্না হাইয়ে—পামেন নঙী মন জো চংঙমজন্না মকন্থ নংনা কদাই লৈথমখিবা করম্না হাইনা নাথেতুনা মকবু চংঙমখিবনো পাঙশানা হবেম্মনা পাঙহংনৈ হাইতুনা পামেলগী মমিংবু (থৈবোং) মিংহল্লম্মি ।। অতিয়া মরু শিদববু উরম্বদগী উখিদবদা লৈশিরেন অভাঙবীগী মতৌগ ম খাংশেং নমথাং কিশি লৈফাতুনা শতু যাঙ্গেনগী মবক্তা অকিতৃজুবা লৈতনা মনম মাই গ শিন্না চেন্দুনা লৈথিরে ।। লৈশিরেনগী হকচাংদা নাপী শিংবী হৌজন্না য়াংথক্তুনা ঊথং চবা শিন্থবনা হৌঙমলিবা নাপী শিংবিদা কৈতুনা পুক্তুনা লৈহৌবা মশকপু (ত্ত) হাইনা মিংহল্লে ।। লৌশাবেনগী অন্নাবর উবদা অতিয়া শিদবা পামেন অমগী মথোংদা লৈচংতুনা মরুগী সনা হকচাংবু লৈফম অতুদা লেংদনা লৈবগুম্না মরক মবক্তা উহুন্দুনা পামেন অতুক মকগী সনা হকচাং ওইনা উহনতুনা লৈশিরেনগী অন্নবকু কোবহন্না অতিয়া মরুনা মারোক্তুনা কোইনা লৈফম অচিকপবু লেথিনৈ ।। মকগী মশকপু উজবা তানফংবদা লৈশিরেন লেপুনবিনা য়ান্না হৈশিংনা মারোক্তুনা নাপী শিংবি হৌঙম্ববু লোংহন্দনা ইপোম নাশোন থাংহন্দনা মরুনা লৈবা লৈফমু তানফংনবা লাকপদা ম-লেমদা হৌঙমজিবা মশক অতুনা ইবেম্মগী রাথনবু তেংবাঙ্গে হাইবগী হৈশিংনা লৈজাংতুনা পারেংদনা তেংবাংলক্লে, ইবেম্মগী অতুমুঙ্গী লৈফম অতুদা হৌঙম্বা মশকপু (শিংনাং) মিংহল্ল লৈতম্বী ।। লৈ-থিবদা নিংশা ইগুনবু হোহা লাওনা লৈহোম্ন লৈথিজৈএ হাইতুনা ইবেম্মবু (অহোম্নু) লৈজন্দুনা

অহোম শোরোৎপী শিনখোম্বী মিংহুনখি ।। পামেল অতুগী মনাক্তা লৈথ্রেবা ফাওবদা মরুগী রাখল্লা থুমহুৎখিবনা পামেন অতুগী মখোংবু লৈকোন্দুনা পুরুম লৈপাইনৈ, পাওশাজগে তৌঙ্ঘদদি মরুদি নওরে পামেন উৱু ওইরম্মে ।। পামেল অতুগী অকোইবদদি মরুগী সন্না হুকচাঙ্গী মনম হুংশিবা হৈরাং লৈরাংতগী মনম্না চুরবা মনম্বু নমহন্দুনা ইবেম্মগী থম্মোইবু খোইজং লৈতানহন্দুনা কৌহল্লি ।। অরা হুংশি হুংঙোম্না হাইজৈএ. পামেল নংনা ঐবু করি অশুক হুংশি হুংঙোলহল্লিবা পামেল নংদি য়াইফংঙিদা মরুগী হুকচাং মনম্বু নংনা করম্না তানফংহিবা নঙ্গী নফমলাংদগীবু কয়াদা হৈনা চংথ্রবনো মরুনা পামেল নফমলাংবু তানফংবদা তানফংখিদ্রবা মরুগী সন্না হুকচাঙ্গী লৈনম হৈনম খোইজং খোইদজববু পামেন নংনা তানফংহল্লে ।। পামেন নংবু কৌরো ঙসিদগী (হৈনৌ) হাইনা মিংহুনজগে নফমলাংদা মরুগী সন্না হুকচাঙ্গী মনম্বু তানফংহন্দুনা ঐগী হুংনাংবা রাখল্লা চাক্লবা থমোইবু নফমলাংদা ঐবু পোথাহন্দুনা কাইনা মৈচাকপু লৈমুংনা নফমলাংদা পোথাববু লুতুংনা থৌকাওনদবা অতুগা পামেন নংঙোন্দা মরুগী হৈনম লৈনম্বু লৈথম লৈশিন্নরম্বদা মরুবু লৈফম অসিদা চংকনি. মফম অশিবু য়ৌনা চংকনি. লৈফম অসিদা হুনওমলকথিনি, হুনওমলক্লরোই তাল্লম্বরা. হাইরম্বরা মরম অতুতদি পামেন নংনা ঐবু থংহল্লু তাকপীয় হায়না পামেন হৈনৌদা পাওহং পাওশাহুনা মশম মনা ইফাফা খুদাং পীফম লানা কোইনা কোইনা য়েংহুনা লৈঙম্মি ।। লৈশিরেন রাখনবু উবদা মরুশু রারে কমদৌশিবা পারি সনাহুন লাইমিংথোইশিদি তাংঙম্না শাফোংথ্রবা ইচানি কমদৌনা মফম কদাইদা থেম্নৌশিবা রাখল্লা লৈশিরেনগী মংোবু লৈয়েংনা রাখন্দুনা লৈঙম্মি, লৈফম্বু অতাংবা = তাংঙল্লা ইচানি রাখনফম, তাংঙমপাৎ = তোংঙাপ ৎ থাবৌরে । X

অতিয়া মরুগা লৈশিরেনগা শায়োন শাথোক্লবা

অতিয়া মরুনা মচাগী রাখন খন্দুনা হুংশুক হুংজামহুনা পোথাহুনা কৈববু লৈশিরল্লা অমুক উঙম্নহুনা মরুগী লৈফম্বু তানফংগে হাইবগী মপুক খোইশাওবগা লোইননা খোজাপ কল্লাও হুল্লা মরুবু তানফজে চংশিল্লক্লে । লৈশিরেল্লা চংশিল্লকপা উবদা অতিয়া মরু শিদবনা (ওকশি থারাম্বী পুজালাইনৌতাবী লমগী খুম্ন) ওইনা শায়োন্দুনা পাইদুনা চংথ্রে ।। খোইশাওবগী মথক্তা অমুক্তা হেল্লা খোইশাওরে লৈশিরেন, লাকৈদা ঐবু হুপীচানি তৌঙমলীবোই মীগী অবাবদি লৈথংদনা চংখিবা থঙ্গনিদো ঐনদি করিবু তৌঙম্মোইদবা পাওশানা মাম্বিক থারাম্বী থম্মংথম্নু ওন্দুনা অরাক তম্না তাম্নরাক্ল ।। লৈশিরেনগী খোইশংনা লৈতান্নরকপা উবদা মরুবু অকিতুজুংনহুনা শহু য়াঙ্গেন মরক্তা পাইথহুনা মারোক্তুনা লৈঙম্নে ।। শহু য়াঙ্গেন মরক্তা হাইথরকলে ।।

মালেমদা লৈতাবা উবদা মরুবু লৈরোৎফম লৈতহনা, লৈরাং মপান ঙৌনা শাৎপা পাম্বী অমা ওইনা হৌদুনা লৈরে ।। খুদক অহুদা ইমা লৈশিরেনবু (কাইরৈ এনবী) ওইনা শাথোক্তুনা মালেম্নু মখোংনা হোক্তুনা মচীন্না তু— তুমা লৈচাইনা লৈখিবদা ভানফংদরে, বাঙমলক্তুনা মঙক থাঙ্গত্তুনা নোইবদা লৈরাং ওইনা হৌববু উরক্তুনা লৈখোংদা চংহুনা কুন্দুনা মচীন্না লৈখোংদা তুহুনা লৈঙম্মী হাইহুনা শিংঙম অহুগী মমিংবু (কুন্দোন অঙৌবা), তিলু লৈরাং লৈফম্নে মিংথুল্লে ।। লৈরাঙ্গী লৈখোংদা কুন্দুনা লৈশংনা মরৈরবদা মরুমা ঐবু কমদোশিবা রাখল্লা লৈরম্বদগী রাথন অমা থোপুরে ।। নোংথৌ পাংবদগী অমম্বা লৈচিন্না মাইগৈ মরিবু মালেম পক্কা লৈশিন্না কুপ্তুনা মমহুল্লগা অমম্বগী মরক্তা শাথোকখিহুনা শহু য়াঙ্গেন মরক্তা অমুক হন্না চংখিহুনা মালেমদা কুন্দুনা লোক্তুনা লৈঙমখবে ।। কাইরৈ এন অহুনা মরুবু লৈ হাইবগী লৈরাং কুন্দোন অহুগী মখোংদা কুন্দুনা লৈজবদে মপুক রাখল তয়া তশোইরব্রে ।। ঐবু কদোরংনো রখক্তুনা লৈরাংবু হন্না হন্না য়েংলকপদদি মরুবু মফম অহুদা লৈঙমলমদ্রে ।। মরুদি লৈত্রে চৎথ্রেনা কদাই অমুক য়ৌ-খ্রবনো করি মুংবু মকনা ঐবু অশুক হক্কা শাওবনো হাইনা অমুক কোইনা থিরবে । মাইগৈ মরি শুংদাই মরি লৈফানা য়েংহুনা লেয়েংবদা উবশু ফংদে থিবশু লৈথংদরে ।। মপুক রাখল অন্না মুংশিবগা লোইননা পাম্মন অমদা ভাহুনা নোংকারোই লৈচুপ্পা বোইনা মকবু লেয়েং লৈখিবদা লৈথদরে । ইবেম্মনা নমঙা ওইনা লৈফম অহুদা নোংকোরৌ অমা অন্না রাখনবু লে-তক্কা খন্দুনা লৈঙম্মি অহু মুঙ্গী পামেল অহুবু (নোংলৈশং = নোংনাংকোরি) মিংথুল্লে । লৈশিন্না করিবু কমদোন লৈখিবগা তাংযঙ্গবা অথাপ্পদশু উঙমক্তে, কদাইদবু লৈরিগবা রাখল্লা তাংজক-থরক্তুনা ইবেম্মনা লৈজবিবা মনাক অকোইবদা কোইনা হন্থুনা য়েংজবদা লৈঙম্মিবা মফম অহু-দগী ইবেম্মগী মাং ওইন লমঙম থগাই লাপ্পা শহু মরক্তা কাওরেন কুন্দুনা লৈনহুম্মা কুন্দুনা লৈরম্মে ।। লৈঙম্মবা লৈফম্নু (তুপাকপী) কৌরে ।। ইবেম্মনা মকবু য়েংঙমজে ।। মরুনা থোক-শাওবা মিৎয়েংনা য়েংহুনা লৈরম্মি ।। মরুগী রাখলবু উবদা লৈশিরেম্মা নোলুক্কনা লৈচংজহুনা থাম্মোইনুঙ্গী মুংশি মুংঙোনগী থাংজিনা মরুনা থোইজং থোইদাবিনবা পাওশাগী হুন্নলাংবু তন্দুনা মরুবু অউপ লাংনা উপ্পগুম থেম্নৌনা লৈচংলক্তুনা থুংলে কোঙ্গাই লৈশানা মরুগী মখোংদা লৈশোক্পা লৈচংজে ।। মকম্বু (উনপুং) হাইএ । লৈশিরেনগী অন্নাবু উবদা মকম্বু শাপগে শাওঙমদ থোইশাওই হাইশি হাইঙমদ, তিল্লাংবু থোইদাইদ হাইশি হাইঙমদ মরাপা থুংশা পাম্বোম ২ না ইরাংমদা লৈথম্মহুনা কেনা নৌনা পাওশাংহুনা তিলুক লুতিন ফম্বাংহুনা অনিমক্পা লিতিন তম্বাল লাংববু মঙৌ লাইয়েকপু লৈথমহুনা লৈযম্বু (কেঙ লমহাই হাইরে ।। মরুনা থুংনা শোথিবা লৈকম্বু থংজরবদি নিংবা খিরিক ভানফংনৈদো মৈতৈজু নোংদালাই লৈফম অহুনা মালেম অঙানবগী মঙমা লৈরিবৈঙা কোরৌ নোংথৌথঙা (থরাইপিচা শংদববু ইঙম-গনি ।। মশক্তি (লফোইগী মওংগুম্মা) উগান ।। অচাব চান্দা অনিগী পুংনি ।। থুম্নু অঙোরা

পু ১, শ্না তাঙ্গা লুপা তাঙ্গা, ক্ষিরোই নমথাং নমশা শুনা থাহুনা হৈফাং ওমপোং মোনথাং চাহাওনা অনৈ চাজালাংজোও ফংবনি খংঙু ।।X

লৈতৈঙু, মতৌ অশুম্না ভাইহাক লৈঙম্নবদগী মরুবু মচা লাইমিংথোইবু কাইনা মৈশা দুংশি মুংঙোম্নবু নিংশিংহুনা লৈওম্বা ওমদরে ।। ঐনা কৰি করম তৌরগা পারি ইচাবু উনবা ফঙ্গবা লৈখনবা, মচাবু উননিংবনা মরুবু লৈফম অমদা চথোক্লনা হাইনা হুম্না থোইরাংনা খাংহুনা লৈঙম্নে ।। লৈফম্ন, মরুনা অরা বাখল্লা থুমহৎখিহুনা স্না হুকচাংবু ভানা শানা ওলাংখোইশাওনা খাংনখিএ হাইবগী লৈফম্ন (ভাংলো) থাকোনা লৈথম্নে ।। মরুগী অরাববু উহুনা লৈশিবন লৈপুনবীরু থেম্বা চন্নুনা মরুবু থেমনৌনা লৈফম অহুদগী লৈফম অমদা পুথোক্লনা লৈফম অমদা তিলুফম্বাল লাংমিন্নহুনা মপারি লাইমিংথোইবু কাইনখিবা পবম্ন নিংশিংন্দুনা মচাবু থাকৌনবা রাহৌনৈ ।। লৈফম্ন মহৌ ফাইবোকচৌং থাকোরে ।।X

লৈশিরেন্না লচাবু থাকোবা

মরুগী অরাবা উবদা লৈশিরেন্না হাইজেএ ।। নোংদম থৌদাবু থৌঙম পরম্ন, লৈশিনবা মরুশ্না পুক্রিংদা অশুক ভাঙন নুমওম্না অরা মৈশা লাংঙম্না খাংলম্মিবা অনা দুংশি করিবু তানফংহুনা শানফংনরিবনো? থেম্ব চন্নু পোংক্লম পোংখাংনবী ঐনা নোংদম্বগী থৌদাবু থৌঙম্নবা থৌশিনবদি নপারি লাইমিংথোইবু লৈরম্বদগী থৌশিনক্তবা ওমজবনি তাংঙম্না শাথোক শাফোংনখিবা নচাবু ঐনা বাখল থেনজিবনা পারি ইচাবু মপুক খোইশাওনখিবনা কোরৌ থক্না নারোং লৈথুম্না লৈঙমখরে, পারি ইচাবু থেমথোত্তুবদি থৌঙম থৌপুনবা লৈজমদাবে, নোংদম্বগী থৌদাবু থৌঙম্নবা খৌশিনগদবদি ফেদাম মবিশু লৈয়াং লৈথন্নদরি থোপুনবাদি থোইযুম কমানশু থৌওম্নোইদৌরি তাংঙম্না ইচা নত্তনদি, রাহে করি করা বমদৌনা পাঙশারগা পারি লাইমিংথোক নচাবু থেম্নৌ থেমথোকপা য়াগবা বাখল্লা ভারৌ থুমঙনবনি, পারি নচা লাইমিংথোইদি তাংঙম্না শাথোকরবকপা মতিক মভানবু লৈহকপা মহাক্তগী মহাক ওইরিবা নং ঐগী ইশক্না তিলু ইভান লৈতিন্না শাফোংবা খোইযুম নং ঐবু পুরিবা নচানি ইবেম্মা।। পাংশানবা লৈযম্ন (তাংপাং) হাইরে ।।X

থেম্বা চন্নু—লৈশিরেন্না হাইএ, নোংদম্বা পরম অহুগীদমক্তী অরাবা মৈশা লাংবিরম্নু পারি ইচাবু মমা ঐনা থেমথোকনওমগে, পারি ইচানা লৈফম থুদিংবু লৈক্কোই লৈচংবিহুনা তেংবানবা মপুগী মতিক মভানবু লৈথংদনা লৈওম্নম্বা খোইযুমশিংবু লৈখংনবা পাঙশা পাংদাকপীঙম্বব থো-

রোইহৃনা হনঙমলক্লগা মমা ঐবুগু পাঙদাক্লমদন। করিমুংবু মপুক অগুক থোইশাওনা তাথি নাও-ইনা লোৎপনো, পারি ইচাদি লৈমুৎ লৈমাংবা য়াবা মশক্তি নন্তুনা মচাদি মমানা কৌবদা শোষ্ট-দনা লাক্কদবনি, মমা ঐনা কৌজগে হাইনা মচানা লৈরমক্দম্বা লৈফম্ব, কদাইদা লৈরমগবা লৈথি লৈয়েনরক্লে ।। মাষ্টগৈ মরি চিন্না মরিবু কারন থানা য়েংবদা উবা ফংঙমদহৃনা লোংথো পাংনা লৈথিরকপদা (থ, ক, ন, গ, র, ম, হ, শ) লাইয়েক ৮ না নাওয়োমহৃনা লোইদাম থাদা তিলু ফম্বাল লাংহৃনা লোতুনা লৈবা উরে ।। মচা লাইমিংথোইগী মতিক মঙম্ব, উবদা খেম্বা চনু পোংথাংনবী মমনা মিৎস্নাইরা চেন মশম মন কোইফানা, খুদাং পীফম লাংঙম্না মালেমদা ওথোইনা নুংশি মুংজোম্না মচাবু থাকৌনরক্লে পারি শ্নাহল লাইমিংথোই, নোংদম থৌদা থৌশিনবা নপা মকবু লৈফম অসিদা লাকঙমনহৃনা পারি ইচানা ফমলেন লুচিং ফম্বালবু ফম্বান শিংকক লাইরোই চৈশিং লৈশুনা তাংথেং পাক্লা শাংনা তানফং পরম্ব, নোংদমগে অহুমুগী লাকঙমনি, করিমুংবু লৈরোং লৈফমজিবনো ? পারি লাইমিং-থোইবা পলেম নমা ঐগী ইনক্লো হনঙমক্কখো ।। লাইমিংথোইনা তানা তানা ৮ শ্রুখুমদে থোরঙমল-রোই নাথন্দুনা । থৌরম্ব উবদা খেম্বা চনু মমানা মাষ্টগৈ খদেন বৌএ ।। পারি লাইমিংথোই অশিবা, পন্থৌ নপানা শাথোক শাফোংলকপগা নোংদম থৌদানা লৈহানখিবনা নমা এনা যেৎবা থক্লা পারি ইচাবু নাওকোন্না লাইনক থীবী নমানা খোমজাঙ্গী খোমজিনব হন্দুনা পারি ইচাগী মাইথোং নিংথিবা খোন্দানখোইমুনা জান্নরিববু মিৎলাং থম্না য়েংজহৃনা নমা ঐগী খোমলাংবু ইরজবু তান-ফংজদ্রিবী নমানি ।। পারি নংবু হনঙমলবখো নোংদমথৌবী নমানা পারি ইচাগী শাক্লোংবু লৈথম্না নমা ঐগী খোমলাংবু নৌহৌননা হনক্কখিগ, ইমাগী যেরাদা যম্বান্না নমা ঐগী খোমলাংবু অমুত্তা খাবোংথঃ। থক্লাগা মালেম লৈমাইদগীবু নোংথো লৈফম লৈথংবা শ্নাগী চৈরাক থাডনানা, চৈরা খুদং লৈনেংনা মলেম চোদা কুমলক্লো ইমা খোমলাং ইনাখগ পারি লাইমিংথোই হল্লবখো। পলেম মমানা শরাম তোইনা থাকৌবা মিৎশ্না ইরাচেন, খুদাং পিকমলাং নুংশি মুংজোম্না থেমজৌরকপদা লাইমিংথোইবু পাও-খুমদনা নারোক্কুনা খাংঙম লেঙমলক্কহৃনা হাইরক্লে। হাদা পলেম, ইমানা খোমলাং থক রো নচা ঐবু থাকৌবিবদা থোকমক্কারাই পাওখুমহিদ্রবা নচানি, নচাগী লাংঙনখুদিংদা ইমাগী খোম-লাং থকথ্ররোই পলেম মমাবু থৌখদ্রবা নচানি ইমানা থাকৌবিবর নচানা পাওখুমজবদি ।। নোংদম থৌদাবু থৌশিনবা মক শলাইলেন শিদবগী থৌশিন নোংদম্ব, কাইঙমলনি, মরুগী থৌশিনবু কাই-দনবা ইশানৌ কোন্দে তনৌননা থৌঙম থৌপুক্কনবা নচা ঐবু মালম লৈতাক্তরোই তাথি নাওইবা তৌবিরম্ব ।। মপোক লাংওন অমদা পলেমগী নাক্লা লৈজহৃনা ইমাগী থৌগনবু তামফংজনা পলেমগী নাক্লা লৈজবব কবি নোংদম্ব, ফিগাও শানা নফমলাংদা নিজরি পলেম্ব, মিৎশ্না ইবা চেনবিরম্ব ।। লাইমিংথোইগী পাওশা তাবদা অতিয়া মরু শিদবনা হাই, পারি সনাহল লাইমিংথোই নপ ঐনা ইচাগী মঙম্ব, শান্নবা নপা ঐবু পাওশাবদি থৌঙম থৌপুনখিদেনা, করি মুংবু নপা ঐবু পারি

নংঙোন্দা পাওদাক পাওশানঙম্মি নশানৌ কোঞ্জন ভুথোকপনা পাওদম পাওশা হানবদগী নপাগী থুদাবু তানফংথিবনি ।। ইচাগী নতিকনঙম্মু চাইথাইবদি নতিক নঙম্নদি হকপনিনা নপা ঐনশু পাম্নি নংননি লৈখংহৌদবনা পাম্নি ইচানা তেংবানবগী য়াইফংনবা লৈথোন চীংবা পনশারুবা হৌ-শম্মাহনবা কংলৈ শ্না পুংমাইয়োনবু লৈমুং লৈমাংবনা লৈহানগ্রান হাইবগী লৈকম্নবা থৌপুবদা পাম্নি ইচাবু ওইরম্বনা করিনুংবু শাওবনো পাম্নি নংবু থাকোবা নপা ঐবু লাকওম্বান নপা ঐদি কদৌদে ।। লাইমিংথোইনা হাইএ-- মরুনা তাকপীবা নয়াথংবু থৌপুনা লৈকোইনা পাওশাবা চংঙমজবনি পরম্মু থংঙম্নমত্রা হংবদা নাওবা ওইবনা লৈথংদে, য়াম্বনা পাওশাবা মতমদা ননাওবু লৈথংবা পরম্মু তান-ফংজগে পাংখুমহুনা লৈকোইরুশি য়াঙমদনা লৈহৌবা ইনাওনি করি করাবু কমদৌনা ইশানৌনা লৈফংলকুনা মরুদা পাওদম্লম্বনো ? মাদি থংদে হাইহৌবদা করিগী লৌনম্বা বাবু থৌহৌবনো, মঙুং মতম অশিদা পাওশা অশুম্নবদি থোইয়ুম লাইগী মরাব্ন মতিক মঙম্বু শাম্নবা থৌঙম থৌহৌন-ববা ।। পাবি লাইমিংথোই য়াহল লাইগী রাব মতিক মঙম্বু শাম্নবা লৌনম্বা রাবু থৌহৌদে ননাওবু তাথিবিগম্নু পাম্নি নংনা কুবি নোংদম্না নাংকোনবিনি পরম্বু থংজদবা নওনি ।। মরু থংদবা ইনাওনা লৈথংদবা পাওশাবু করি হাইনা পাংদম্বা ? লাইমিংথোই পরম থৌরম্বু লৈখজনিংহুনা ননাওনা মিংশ্না ইবা ইহৌ ইচেম্না অহনগী মনাওা কৈচংঙহুনা রাহং পাওহনা লৈথ লৈহংজ-বদগা পরম অহুব অহনশিংনা লৈতাক পাওশাবিবদগী কোন্দে নৌনা লৈহৌবা ননাংনো লৈথংননা তানফংনহুনা নপা ঐদা পাওদম্বদগী নাপা ঐনা অরাংপা হৈক অমবু লৈহাপ্তুনা হৌ কংলে শাম্ম হনগী শলাইয়োন চিংবা পিংগী শ্না কম্বানবু নপা ঐনা শিন্নথিবনি ।। মতম অসিদা অহন কনানা লৈশংশমহুনা প তুগাবা অহন কানাব্ন ওইরিগবা য়াইফংজানফংনা শাথোক শাফোংব, অতাংবা তাংঙম শাংঙন শাথোক্লিদা ।। পারি সনাহম লাইমিংথোই পরম অহুব লেখংনা অহন কনাব্ন লৈগদগে, পালেম নমা শিনাই ফমথোন লৈপুবী পোংখাংবী খেম্বা চনু লৈশিরেন নমানা পাওশা পাওদাকপীবনি ।। পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোই অশাও লুতোন বাথাব ঐনা মরুগী থুদা লৈ-শজবা তানফংগদবরু য়েথাইবদি ইমানা থৌপুনবিরগা লৌনম্বা বাহৈ বয়ানা পাওশাহুনা ঐগী রাথনবু মমা মপা মচিন মনাও কইনা মৈশাবু নৌহৌমনা এবু অমুক রাহনবা ঐনা অয়োন চং-লম্বু করি থৌপুরমহুনা করিগী ইমানা ঐবু লংনবা মাহুং চংলম থোতাগে, মচা পোক্লে হাইরগা অচান মিরাই লৈখাংবা চংলম্বু থৌহৌবা মশকপু মতম অসিদগীবু থোহৌরবদি লুতুংদ চংলম্বু, করি থোক্কদগে চংলম আসগুম্বা থোপুনা মশকপু হৌকংদৈ লম্বা হনখদা লৈথংম্বা হৌনদে রা-থন্দুনা অশাও লুতোন কানা লাওহুনা মখুংগু থাংলেন চুমথাং পাই কোবা লাইমিংনা (উতুং তিংবা হোহুক ছিক ছিক) কৌবনু থুংপাই চেংনা পাইহুনা নোংবৌদগী মালেমদা চোংথারক্লে ।।X

মচাগী মঙন অশাওবদগী লৈশিরেন লৈপুনবীবু মাংখিবা তারে হাইহুনা অতিয়া মরু শিদদনা

মচানা মাল্লেমদা হেক তাবগা চোংশিন্দুনা লাইমিংথোইবু কোন্দুনা পাম্বি লাইমিংথোই করিবু ভুঙী পাইমা নরিনজেন অতুক হক্না খানা শাওবনো লৌখায়ে ।। মরুনা থাগোন লৈষ্কাবদা লাই-মিংথোবু শাওগম্বা রাখনবু মাংখিত্নুনা হীঃ করি মতৌনো ঐদে ইমাবু মাংহল্লবা থোহৌরুবা ঐবু কদাইদা কমদৌনা লংঙবা ঐগী ইরানবু কনাদা কমদৌনা ঐ মাংলে, রাখন্দুনা মালেমদা ওস্থোইনা ভাওন থ্মওম্না লৈঙম্লে ।। লাইমিংথোইগী অরাবা রাখনবু উত্নুনা পারি লাইমিংথোই ইচাগী করি মরান লাইমিংথোই ইচাবা মমা হাইবা মশক লৈঙম্নগদববু মতিক মঙম্, শামগ্রনি রাখন-বিত্নুনা ইমা হাইবা মশক্কী মঙম্ লৈহক্না মালেমদগী কোরৌথক্কা লৈথাঙম্নুনা লৈখম্বীগে থোহৌ-বদো নপা ঐনা লৈখাই, পারি লাইমিংথোই হৌগৎলো নপা ঐমা নোংদমগে ।। ফৈদোম মরি লাকওম্নক্কদববু লৈথুংনা ফালম পুম্বা কাইদনবা পারি নংদি থৌরম পুম্ববু থোহৌগদবা অয়োন অরান্না লেচং লৈথংদবা পারি নংনিদো ।। অথংবনা খংদশানা পরম অমুক অমুক থোপুরকপা অসিদা নপা ঐবু রাওমলে, লৈখংদবদা শিন্তাকপদি রাওমদেদো অথংবা পারি নঙী লৈফমদা নপা ঐনা করিব করম হাইনা পাওশাশিবনো অত্নুবু পরম থরদং পাংশামিন্নবা ওইওম্না নপা ঐনা মোংদম্নবু ওইওম্না নৌতৌননা শিংথগে পারি নংদি অফবা যম্ভবা থোয়োদনা হৌহৌনা লৈথম্বীগদ-বশু নহাক্কি ।। খোইযুম পুম্নগী মথক্কা রায়েন থোদগদবশু নহাক্কি, অচুম অবান থোযেংগদবশু-নহাক্কি ।। শংলেন খুদিংদা রায়েন লৈফমগদবশু নহাক্কি । শংলেন লৈফম খুদিংদা শিন্থংনা মশক পুম্বগা লোইনগদবশু নহাক্কি ।। অশাৎ অপোক নোংদমগদবশু নহাক্কি ।। থোরম হম্নরম্ শিন্তাকা থোপ্নগদবশু নহাক্কি ।। পারি নঙী নম্নিংব নপা ঐনা বৌরৌ অসিদগী (খাবা লাইমিংথোই) থাকৌরগে ।। কোবৌ অসিগী মুচিত্তা পারি ইচানা কোরৌ মোংথোদগী মালেম লৈকুম্নবা শাখোক থোপুনববু লংজবা অয়োনবা চৎলম্নী পারি ইচানা রাখল্লিবদা লৈকারুবা অয়োনবা লৈরম্নবশু লৈংকারুবা ফৈদোম মরি লৈচংবগী লৈনুংদা যুম খুদিঙী শম্ভোং লৈফমত্নুনা পলেম নমানা লপলেন কাজাও যানা যম্বান্দুনা লৈঙম্নশম্নু নপা ঐনা পারি ইচাগী নমাংদা লৈফম ফম্বাল লাংঙম্না লৈ-ঙমগে, পারি নংনা তাইবং পুম্ববু লাংবন কাওরেন শেনবওম পোনশেনবিযু । মঙম অত্নুদা শা-থোক্কবা অমাইবনা পলেম নমাবু ফম্বা লৈফম থোপুনা রাহে কারন থোপুনা নকাত্নুংদা লৈপাই লৈচংনরবা অমাই মশক অত্নুনা পারি ইচানা পলেম নমাবু লৈমাং লৈমুং নহনগে থোপু থো-হৌবগী লাংজবদো অমাইবা মানা তানফংনবা ওইরশান্নু, পাওশানা মকনা মচাবু মালেমদগী কোনথৎলে । X

রাঙোই লাইকোল লৈথম্বা, পাখ্রংবগী লৈফম তম্বিবা

অতিয়া শিদবগা লাইমিংথোই খাবগা তিলু ফম্বাল্লবদা পলেম লৈশিরেন লৈপুনবীনা মরক্কা

শকয়েংনবা মিংশেলগুম্না ওাম্না থোইনা ফম্বাল লাংকম্লয়ে, লৈফম ম্না ফম্, (থাবা ফমলেন মখোংচুক অহুম) কৌরে ।। মঙাং লুরাং, খুমন মরুগী ফমলেন অহুম কৌএ ।। শথুম্ Δ ফম্বী লৈওংনি ।। লৈফম্, কোরৌ নোংথৌ অরাংবদগী চোংথৈ (রাঙ্গো) হাইরে ।। অতিয়া মরু শিদবনা হাই, "পারি থাবা লৈফম অসিবু নপা ঐবু খোইজং থোইচনম্রেদ, অদুবু পারি চানা লাইখোং তিনখোং লৈথি লৈয়েংনদুনা খাখোং, মরোং খোং লাইখোং অহুম্ লৈয়াংনা চীংও খুবম্ লৈথল্লা (পেন) ওইমা লৌশমদুনা লৈংমলবদি ইপুক রাথনবু তানথোং তাম্নকনম্রানিদ ।। নোংদম ময়াথংবু থৌওম থৌপুজগনি নচামা সনা মিংয়েং তাথিও ।। লাইমিংথোই থাবনা ফম্বাল্লাংদগী হৌগদুনা য়েংথংবা খুৎপু তিংথোক্লকপদা (ট) লাইয়েক অমা শাথোকুনা খুবাক ময়াইদা লৈওমজরে ।। লাইয়েকপু লাইমিংথোইনা ববি ওইশিবা রাংল্লাক্ল ।। সনা মিংফম্, লৈহোংদনা য়েংবদা লাইমিংথোই থাবগী মথুংগু ওইনা (টা) হাইবা মশকপু ওইওমদুনা মশিদি ঐগী ইথুংফা থুংলাই অমা ওইয়ু নোংদম্বনা পীওমলীবোইনা থেনবু শেম্বদা ইথুংগু ওইনা পাইদুনা লাইখাং তিনখোং লৈথিনৌ নোংদম্বনিনা । অদুব মশলি লৈরে লাইমিংদি খংদে করিব হাইদুনা খুংগুশিব পাইগবা রাখল্লা মপুক নাথন ওকচানদুনা কেপ্পনা লৈ ।। রথনবু মরুন খংদুন পারি থাবা লাইমিংথোইবা নংনা পাংহরিবা মশক্তো পারি মঙ্গী নমিংবু কোরৌ অসিদগী মিংহুনখিবা লাইয়েকা নথুবা ক্লা শাথাকপা লাইয়েক্কা লাইয়েক অনিবু লিরৌনা মিংহুনগদবা (থংগুটা) হাইবা অদুনি, মেরুবা লাইয়েক্কা ওম হিং লাইয়েক যাবনি নথুংফা নোংদম্বনা পীবনে ।। নোংদম্ তানযংবদা লাইমিংথোইনা থৌগৌরে । X

থেন শেম্বা লাইমিংথোই থাবনা মাংলোমদা থোংকম ৩ চোংশিন্দুনা মক অনিবু পুকস্মি ।। য়েং থম্বা খোংবু চাংদাক্কুনা খোঙ্গাও ৩ লক কাওদুনা চিংথৈ পাংনা চিরাদা তাওয়ে । খোং ৩ লক থিম থিন্দুনা য়েংকী খোংনা ৩ লক চেংংলে ।। ওই থম্বা খোংনা হৌদুনা • লক অমুক খোংথিল্লক্লে ।। ওইথম্বা খোংনা মালেমদা ৩ লক অমুক লৈহৌংলে ।। য়েং থম্বা খোংনা শেংলে ।। ওই থম্বনা অমুক শেংলে ।। য়েংলোমদা লৈশল্লক্কুনা মাইগৈ দা কারন শানা লাইফম তিনফম্ লৈয়েংলে ।। য়েং থম্বা খোংনা ৩ লক থিন্দুনা লল্লম লাইরম্ লৈথংলি । ওইথম্বগু ৩ লক থিন্দুনা লৈথংলে ।। খোংথিন্দুনা টাদোন্না অনিবক মালেমদা থিন্দুন লাইফম্ যাংলে ।। য়েংলমদা লৈশল্লক্কুনা খোঙ্গাও ৩ লক কাওদুনা চিরা অমদা অমুক তারে ।। লৈহৌবদা শাখিবা খোংফম্ কাইহন্দনা লৈশানা লৈথংলে ।। য়েংলমদা লৈশল্লক্কুনা চিরা অমদা লৈথুংলে, হাম্নগুম্না লৈশা লৈথেমলে ।। য়েংলম লৈশিল্লক্কুনা চিরা অমদা অমুক লৈথুংলে, হাম্নগুম্না খোঙ্গাও খোংহোত্তুনা খোংশেত্তুনা লৈশা লৈথয়ে ।। মতুদগী খোঙ্গও ৩ লক কাওদুনা ময়াই শুমদোংদা লৈচংলক্কুনা মরুবু পুকম থাংগোল্লা থেনবু শেম্বা লোইজরে পাওদয়ে ।। X

খুঙ্গাও লৈচাওনবা থৌগ্নু খ্রোশারোন

পাল্লি লাইমিংথোই খাবা স্তিনখোং লাইখোং লৈথি লৈয়েংনা চিংগু খুবম্ব লৈয়াং লৈথ-স্থীহুনা থেঙ শেম্বদি লোইবিয়ে অহুবু খুঙ্গাওনবা লৈচাওনবদি খোংচৎ খোংথিন খোংহাইনবিদব-শিবু নপা ঐনা লৈফমজবদা লৈচাইবৰু ওইগুমগত্রনে লাইমিংথোঙ ইপাবু [শেম্বীবদি শেম্বীবা মরম অসিতদি ।। মরুগী কুম্বি নোংদম থৌদা নচানা থৌগম থৌপুজনি, নচানা ব্রাথন থেনবনা লৈরোইবা পম্বম্ব, লৈথংদবনা থৌরোই পম্বম্ব, লৈব্রাংলমাম্নে নোংদম থৌদাবু ঙাকগম্বা নয়াথংবু থৌরোইনবা থৌপুজরগে ।।x

লাইমিংথোই খাবনা থংগু টাবু য়েংকি শেগাদা চপ্তুনা খোংফম ৩ লক চোংশিল্লকুনা অতিয়া মরুবু লৈপাইনরম্মগা য়েংথম্বা খোংনা হাইদোক্তুনা ৫ লক হোত্তুন লৈথম্ব, লেংদনা তারে। য়েং থম্বা খোং ৩ লক থীম্লে ।। য়েংথম্বা খোং অহুনা অমুক ৩ লক হোংলে ।। ওইথম্বা খোংনা ৩ লক থীম্লে, ৩ লক হোংলে ।। য়েং থম্বা খোংনা শেংলে ।। ওইথম্বনা অমুক শেংলে ।। মাহুগৈ ৪বু চোংহুনা অয়েং অখোং য়েথাই থিনগাইগদবা লৈফম কদাই কদাইদা লৈবা, লাকগমগদবা লৈবা লৈয়েংলে ।। য়েং থম্বা খোংবু ৩ লক থীন্দুনা লাকগমগদবা তিল লাইবু থীংলে ঙাকথোক্লে ।। খোং ২ বু থীন্দুনা অয়েং লাইনা লৈরগদবা লৈফমদা টাদোম্না ২ রক থীন্দুনা লৈচং লৈফম্লবা গমদনবা লৈথিংলে ।।x

অহুদগী খোংলম পরম্ব কাইদনা হোংহুনা মাইগৈ ৪ চত্তুনা লৈহৌথিবা খোংলম পথেংপু লৈব্রাত্তনা চোংহুনা শেত্তুনা থীন্দুনা খুঙ্গাও লৈচাওনবা লৈভাক্লম্লগা খোংহোং হোত্তুনা ময়াইদা ৩ লক চেনশিল্লকুনা তারয়ে ।। য়েংকি খোংনা থাঙত্তুনা ৩ লক থীম্লে ।। ওইথম্বনা অমুক ৩ লক থীম্লগা থাংগুটাবু নাকন্দা য়েপ্তুনা মরু অনিবু লৈপাইদুনা পাওদমলে । x

মরুনা হাইএ, পাম্নি লাইমিংথোইবা খুঙ্গাও লৈচাওরনি লৈফমগী মতিক মগম মথৌ ময়াই লৈহাম্নীরো ।। মরুগী নোংদম থৌদাগ্নু তাবদা খাবা লাইমিংথোইবু টা নাকন্দা য়েপ্পা য়েপনা খোংক্রম ৩বু লৈ চোংশিন্দুনা মরুবু লৈনৈ ।। অমুক খোংকম অমগা চোংশিল্লত্তুনা তারে ।। তুং-লোমদা খোংকাপ ৩ বু হল্লে ।। খোং থীম্লি ।। খোং য়েং থম্বনা চুম্না ৩ লক হোংলে ।। ওইগী খোংনা থীনহুনা খোংদাম্না ৩ লক হোংলে ।। য়েংলোমদা লৈশিল্লত্তুনা ফৈনা খোঙ্গাও ৩ লক কাওথোক্লমলগা লুতুংলোমদা ৩ লক চোংহুনা লৈহল্লে ।। ওইরোমদা লৈশিল্লক্তুনা ফৈনা খেঙ্গাও ৩লক

কাওথোক্লম্মগা লুত্তুংলোনদা ৩ লক চোংহুনা লৈহল্লে ।। ওইরোমদা লৈশিল্লক্নুনা ফৈনা খোজাও বু হল্লে ।। য়েৎলোমদা লৈশিল্লক্নুনা তারে ।। য়েৎ খোংনা শেংলে ।। অমুক ওইনা লেংলে ।। মাংলোমদা চোৎশিন্দুনা লেপ্পুনা মাইগৈ ৪ বু কোইনা লময়েংজি ।। খোংথীল্লম্নগা তুংলোমদা খোং-হাই হাইদুনা লৈকোইরে ।। য়েৎথম্বা খোংনা লৈহৌনা খোংথীল ৩ লক থীন্দুনা মতিক মঙম্ব লৈ.ফাংলে । ওইনা হৌদুনা খোংথীল ৩ লক থীন্দুনা অমুকশু মতিক মঙান লৈফোংলে ।। খোং-অমুক থীন্দুনা মাংলোদা থাংশু টানা ২ রক লৈথীল্লম্নগা খোং ২ বু লৈথুপ্পা মরু ২ বু পুক্নম থাগোম্বা (অথৌ অঙম লৈগাম্বা) থৌরোইরে ।।

য়াঙ্গোই থেনবু লৈশাবা লোইদুনা লাইমিংথোইনা লৈহনবা

লাইমিংথোইনা পুক্নম লৈপাইনা লৈচংলক্নুনা নোংদম থৌদাবু থৌঙম থৌশিনবা মকময়া-থংব থৌপুনা থেনবু শেম্বদি লোইজরে থেন অসিবু মমিং করিবু কৌগবা ? পাদ্রি শ্লাকল থাবা থেন অসিদি পার ইচানা অনাংবা নোংথৌদগী লৈচোংথোরক্নুনা শেম্বা লৈফম্মি য়াঙ্গোই থেবুং লৈংহৌশি ।। মক লৈফমগী মমাংবু তানফংজরবনিনা লেশক লৈচু লৈথংনা নকানুংদা লৈল্লম্নগে ফংনে। ফম্মান ওইরিব্বা চানা নখোং থাদা লৈলল্লো ওইজগে কুবি নোংদম্বা জৌবিমী ।। পাদ্রি শ্লাকল পাদ্রি ইচানা নপা ঐগীদমক্পু নোংদম্বা লৈলহনবা য়াঙ্গোই থেনপু অসিদি নপা ঐনা খোইজাং থাদনা পশেম নমা পোংলম পোংথানবী থেম্বা চম্ব লৈশিনবকশু তিলাং খোইদম্বা মুংশি মুংশি মুংশংনসিনা লৈঘম্মি ।। নপা ঐনা লুচিংনা পশেম নমাগা তিলু থানা লৈকম্নগা কৌশৌ অসি-চক্ষ থৌজনা পালি মংবু লৈফম আশদা তিলু ফম্বাল লাংশিজও ।। চুথেক্লম ৩ বু শিংহাপশি ফঙশানা মচাগী থুজাং লিকানা চিংশিন্দুনা মকগী চুকথেন ৩ থোশারে । x

খোইয়ুম অক্নম্বা তিলু যম্বাম্বা লৈফম্ববু খোইয়ুম লাইগাম্বা উডমহুনা মাগী মাগী লৈফম থাংদাক্নুনা য়াঙ্গোই থেনবুংদা লাক্ল ।। লাই অহন নোংপোক অচেবনা লুচিংলুনা খোইয়ুম খোং-ঙানেন; খোইয়ুম থুং থু, খোইয়ুম মোইরেং চাম্বা, খোইয়ুম ইম্বাংথেন পুমম্লবা, হেরোং লৈমা, খোইয়ুম অঙাইবা, অঙাইবী, খোইয়ুম উকোংলেন, কোংটিংলেন, কোংটিংলৈমা, খৌঙাইবা, খৌ-ঙাইবী, খোইয়ুম চেংঙা, চিংবা লৈমা, খোইয়ুম থম্বাই, থাবৈমা খৌঙাইবী; থিংবা লোইথোম্বা, পুকশিথোম্বী, খোইয়ুম যুহা, যুচেং যুচেং লৈমা; চিংচোইবী, নোংপোক ঙপাম্বা, থানা চাঙবা, বাংরেন, থাংজিং, লোইয়াম্বাকপা, মারজনবা ওয়রেন, য়াংকোইমিংথোই, থম্লাংবা, ইরোং মিংথোই,

নম্বুল্লাকপা, চিংথৈলেম্না অসিনচিংবা লৈওম্বা লাইয়ম্থৈবু ম্নাগী ম্নাগী মথুংশুগা লোইন্ননা লৈক্তারক্তুনা লাইখুল্লিদিন্না থোৌথন্দুনা নোংপোক অচিবনা থিকশেংলে ।। লোইরৈ মোইরেং চাম্বনা মরু ৩ গী মঙম্বু নাওথেম শিংথারে ।। লাইনৌতাবীনা মরু ৩ গী পাওশাবু লৈমিহ্নুনা পাওজেল্লে ।। ইরাং-থেন পুংমিন্নবনা পুংয়েরে ।। লৈন্থুং থোংঙারেম্না খোইরৌ লিথংলে ।। খুংখুং অচিবনা খুং খোংঙে, লাইহুরা মথৈনা অনোই শাথেক্লা মানা মাবা থংবা হৈবা তৌওমহুনা থৌখল্লরে ।। x

(লাইমিংথোই খাববু লাইগী নিংথৌ হাপ্পা)

অতিয়া শিদবনা হাই,— খোইয়ুম পুম্বশু পারি লাইমিংথোইগী থৌগনবু লৈকা লৈত্তিন লৈ-ক্ষমলীতৈ অসিদা খোইয়ুম নখোই পুম্বগী রায়েন থৌদবা লাই নখোইগী নিংথৌবু ঐনা ওসিদগী লৈ-শিন্নরবনি ।। পারি খাবা নঙ্গী লাইমিং মেরুবনা খাবা = পুংচেপ ভাংথুপতু) থাকৌনা (রাংবা পল্লান্দবী = রাংবন লাইক্কোম্নুংদা) লৈথাহুনা নপা ঐগা নমা লৈশিরেন লৈপুনবীগন্না (ক) লাইয়েক ওইনা ত্রিলু থানা লৈফম্বা খুদা পারি নঙ্গা লোইনহুনা লৈফম্বা তাংবন (হো রো সে) লাই-য়েক্কী মশক অশিবু লৈশিন্নহুনা পারি নংঙোন্দা নপা ঐনা লেহুন তম্নবনি ।। অমনা নপা ঐনা (খাবা ফান্দোংববু) কোরৌ অসিদগী পারি নংনা তোংখরো ।। খোইয়ুমশা পারি (পুংচেপ ভাংথুপতু) বু চরৈ খ্বাংশেং নমথাং নমশা শলাই, শমজিন্না লৈতোশুনা লৈহাপ্প মযম লাংদা ফম্নবা ।। নোংদম রা তাবদা খোইয়ুম পুম্বনা লাইমিংথোইবু নাঙ্গোই পলান্দবী লৈফম শম্থোং পাংবদা লৈশাবা (মহৌ কাইবোক মহৌরেল) কৌবা লৈফমদা পুশিল্ল ।। লাইনিংথৌগী শেংনা ইন্নবা ফিরোন পুম্বা হৈরোং লৈম্না ফিওম্বীনা পুঙমলক্তুনা লাইনিংথৌবু শ্নাফিগে ফৈচোন অশংবা খ্বাংশেংলে, কোনথাং ফুরিং অঙৌবা লিংলে, খোংশি নাশি, খুংশি হাপ্তুনা লৈতেংবা লোইরে ।। x

খুদক অতুদা লাইমিংথোইনা (খ) লাইয়েকপু নিংশিংহুনা খুংয়েং থংববু ভিংথোক্লে, ম্না খুত্তা (থাং) অমা তানকংলে, থাং মমিংবু থৌপোংবা—ঘেং ঘেং ঘেং মিংহল্লে খোইয়ুম লাইয়াম্না ।। x

লাইমিংথোইনা থাং—টা অনিগী লাইমিং মেরুবা হাপ্লে ।। "(হাই হিংশং চুমথাংপাই হাংতুপ) লৈহাপ্তুনা ওইথমলোমগী খ্বাংলিদা থাংগ য়ানশিল্লে ।। x ·

টাগী মচিন্দা "ওমচিতে ওমতং সরাক্, ওমতং সম্নাতং, ওমলু সম্নাজু ওম করা ফুরা" পাওশা লৈহাপ্তুনা খোইয়ুম লাইয়ামগা লোইনহুনা লাক্লে ।। x

মরুম্বা হাই। "চিংথৈ মরু মিহিং ম্রোহিং বুং সোং হাই হাই, ওমনিবিরিং শংনৈতেশু লাইয়েক মাবা ২৬ না নাওযোম্বা অসিদগী লাইগী নোংদম মরু ওইহুনা, পারি থাবা পুংচেপ ভাংথুপ্তু কৌবা লাইমিংথোইবু লাইনিংথৌ ফম্বাল্লাংদা অতুক থাজংপিরো, পারি ইচাগী মিংহুন লৈরাংলমগে নোংদম্মলে ।। নোংদম থৌওম থৌপুনা চিংথৈ মরু অচিনবা লাইমিংথোইবু শ্না তাংবন মৈ, ঈশিঙ্গী মশঙ্কা ওইবদা থাজন্তুনা লৈফম ফম্বাল লাংলে ।। লাইগী নিংথৌবু মরুনা লৈরাং লৈহুন তমলক্লে ।।X

হৈয়ম হোয়াহৈ, লাইনিংথৌ সনা মক্তিনা নোংপোক অচিবা ওইমা ম্রাবা শঙাইগী নম্বিংদি কে কৈ রেক কোয়ে, হুঁ হুঁ শরৈন্নু নপঙ্কা ।। লাইরেমগী নমিংদি—কে কোয়ে, কে ক্লকো হিংনপ, মি মহি নিন তবুং কৌএ। লাইনিংথৌ নমিং অমদি কে কে রেক কোয়্ম উহিংনু সরৈ নপকা হুম ।। লাইরেম্মা নমিং অমদি কেকোতক কেকে তক কোকোতক কেকো তরাম্নু নপ ম্বা তুনা ম্বা চহিংনপ কৌএ ।। কে কো তক, তক তক কেকো তম্নাইনু নপ জা জা জা চহিংনপ ওবা ।। লৈহুল্লে ।।X

চেং থুংনা খোকপা ও তিংথৌ মপোপ ঃ লা লাতোন ঃ দা তাপ্পুনা মেশেং মৈরা থান্দুনা মেক্কুক মৈথু লাংনা অমুক লাংলে ।। সরা পোম্বী লুক শনা লিক্রা তরংবা ওবা ।।X

অমুক চেং থুংনা খোকপা ও তিংথো মপোপ ঃ অমুক লাংনা লৈহুল্ল ।। শম্নোং নিংথৌনা নোংলাইগী মঙ্গুংদা লৈকিতে নমিংদি শাকবা হাং হাং পিংলুপ অ অ অম্ম খিংজরংবা উংঙা ঙাক্কা হংঙা কৌবা ওবা X

অমুক লৈসাং অমা পাইহুনা সো হং হং ঙং ঙুম্ন ওবা ।X

অমক লৈবাং অমা লৌহনা লাইনিংথৌ শম্নোং অক্কিবও অভিয়াদা লেবও নোংলাইগী মঙ্গুংদা লৈপ্দিতৈগী নমিংদি মিং মিং মিং ও পিং পিং পিং অকোনহিং লয়োল্লাং তমৌবা কৌবা ওবা ।।X মকনা লৈহুন মঙারক লৈতম্লগা মতুংদা হাইএ—পারি লাইমিংথোই নকাম্নুং লৈফম অসিদা লুচিংবা থোইমুম ভিজা লৈফম্ব নোংদম্বীহুনা লৈবাকপু য়াংক্ক। নোংদম্বীবা কোরো অসিদগী থৌপুনবিরো পা শানা লৈশিম্নরে ।।X

নোংদম থৌপুবা অচিবা মরুনা হৈরাং আথেনপোং অমা লাংহুনা থোইথুম লাইয়ামগা লোইনহুনা লৈপাইনা থেমথৌএ, ওম কো হিক রোহিক সো হিক মোহিক সনা ভাং তম্নংবা নমিংদি মো হাইনা কৌবা ওবা. কুনি নথোজানবু তম্নিবা ওইবিও ।। পাওশা লৈপাইনা থেমথোকহুনা থোইয়ুম পুম্বগা লৈফমহুনা হুংভাইনরে ।। লাইমিংথোই থাবা পুংচেপ ভাংথুপপুনা হংঙ,

খোইয়ুম ল্যাইয়াম পুম্ব। লৈক্রম অসিদা লাইয়াম পুম্বদি লৈত্তিল লৈফম্রে, অদুবু অমদি উদেদা করি সুংবু য়াওদবনো ? অতিয়া মরুনা হাই, পারি লাইমিংথোই নংনদি কঞ্জাও হুন্না চংখিবহুদা পায়রি নংদি নতিক নঙান লৈহকপা ইঙান চাওবা লাইনিংনা পুরুম লৈপাইনজগে লৈদি লৈকুমলক্লগা ননাক য়োৌনা লৈচংবদি অকি ভুজুং ওইজহুনা (শমুলোক লমহাংদা লৈরোত্তুনা পারি ইচাগী কুবি-নোংদম নয়াথংবু ইভাইথক্লা ননাক্লা য়োৌশি য়োৌওমদা, লৈচংবদি চংজনিং হনশি হাইয়া হমওমদা, নয়াথংবু কুবি নোংদম্বীরক্লা মপুক রাথম্না লৈঙমজরিএ ননাওদি অদুবু পারি নংনদি ।। হিং মরু ইনাওবু ফনাম্না করিঙ্গুঙ্গীদমক্লা লৈকম অসিদা লৈচং ভুজুং তানফংবা করি মবাল্যবু য়োন্দুনা পাঙশাম্না লৈথোকখিহুনা মনাওব্র থাথোরে ।। ইশানৌ কোন্দে তানৌবা পাবু খংবা কোঙনতু-থোকপা নয়াম্বা ঐবু ম্বাংজিং পালান্দবী লাইকোন্দা ইশানৌ নংবু ইভাইহুনা লৈরিএ, করি স্নুঙ্গী লৈচং লৈয়োরক্লীবনো ? য়াম্বগী নাক্লা ল্যাকওমখো নঙ্গীদমক হাংহুনা যাহনা লৈবা লৈফমদা ইনাওগী ফমলেন লৈথাক্লুনা নয়াম্বা ঐনা লৈহুন লৈরাং লৈতমগে অদুনুঙ্গীদমক্লা খোইয়ুম লাই-য়ামগা লিত্তিন ফম্বাল লাংঙম্না লৈওম্রিএ. লৈচংথোঙ্গা তম্নকথো য়াঙ্গবু মপুক তাথি তাওইনখিম্নু, হো লাকও য়াম্বগা তিলু লৈফম্মিমখিশে ।। পাপশাবু তানফংজবদা পাথংব খোঙ্গা লৈচংলক্তুনা ১রু অত্তিয়া শিদবপ্পা লৈশিরেল মমাগা, ময়াম্বুং লাইমিংথোইগবু পুকম লৈপাইজহুনা খোইয়ুম লাইয়ামগ তিলু ফম্বাল লাংঙমজ্জরে ।।২

লাইমিংথোইনা রাঙ্গোই লাইকোনবু মরাক মখুংবু পরিং লাংশম থান লৈয়েং লৈথিহুনা কাবন লৈকম্ লৈফারে । কারণগী থাথং থংবা, লাইমিংথাইগী সন সঙ্গাহ শংকেন্দগী মৈরম পাংবদা মনাওগী ফমলেন লৈফম্ লৈতমহুনা খোইয়ুম লাইয়ামগা চোইশনা গুপ্রান ৮, তিংথো সপোপ ৫, খুৎনা খোকপা চেং ৭. হেরাং লৈরাং মৈশেং মৈরা লাংনা, নোংদম মক চিংথৈমিং-থোহনা অচিননা মাইচিংখৈওন্দুনা পাথংববু মিংলেন ৭ লক লাইশোন লৈগুল ওম্লাক্ল ।। আঞ্জ মো হে, মোং হে, মোংহে হুঁম হুঁম হে হে খেচাক থরা ।। হাহনা ৭ লক লৈগুন্দুনা লৈপিরে ।। পাথংবনা মমা সম্পাংওম্না পুকম ৭ লক থৌনিজরে- লিক্লা পুনগী মখুংদা ইবুধৌ ইবুংঙোনা চোং-শিনবদ ইঞ্জগে ননাই ঐবু থাথোকপীগম্নু, ননাই ঐশু ইবুংঙোনা ভিনবা লৈফমদা যাওজগে ননাই ঐশু তিঞ্জরবনি .থৌজানবিও কুবিও ।। লৈপাইনা থৌনিজহুনা তিলু লৈকম্নরে ।। x

রাঙ্গোই লাইকোন্দগী কংলৈদা খ্রোঙ্গবা, মরুনা নোংদম্বা

অত্তিয়া মরু শিদবনা রাঙ্গোএ লাইমিংথোই ননাওনা পুরুম থৌনিজবদা কুবি নোংদমশু ওম্বীথরে পারি ইচানা অদুবু হোকংলৈ লম্বহনবা অসিবু লুতুঙ্গী লৈথোক্লগদবা খুবম্ লৈশুনা

লৈয়াৎ লৈথম্লবরা ? পারি ইচানা লৈফম ১০৮ বু লৈয়াৎ লৈশুনা লুমাং লুতুঙ্গী লৈথমগ্রবদি লৈফম্বু লৈথংজনবা নশানৌদা লৈফম থংনা লৈতাকপীও ।। কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈশংদুনা লুচিংং পিবা ওইগদবা মশক্তি থুবম্বু লৈশুনা লৈথংদবনা লৈফম ফদে কংলৈ শ্না পুংমাইয়োন মেন্দোং ফম্বাল লৈফমগু থুবম ১০৮ লৈশুনা লৈথাদবা লৈফমদা ফম্বাল মেনগু থমফদে, পারি তিনখোং লাইখোং থংবা ইচানা লৈকা লৈফম্বীদুনা ননাওবু তিনখোং লাইখোং লৈথংজনবা অতুক তাকওম্নবা তৌওম্বীও ইচানা ।। নোংদমগী নয়াথংর নচানা থৌওম্নবা থৌপুজনি নয়াথং ।। X

কংলৈ খোঙ্গানবা খোইয়ুম পুম্বা মহৌরে লাইমিংথোইনা শাথোক লৈশিন্নগুম্নে ।। খোইয়ুম ময়াম্নগু কংলৈ খোঙ্গাম্বনি মপূক হন্নাও তয়াম্নদুনা মহৌ মহৌনবক্লবদা লাইমিংথোইনা মহাক্তগী মশক অমগু মহাক্তি মহাকমক ওইনা শাথোকুন. লাইমিংবু লাইনিংথৌ পিংশানু মান্নু হোম্নু ওনপ হুঁম লৈং-লংতোলং ভাং ভাং চিনপন্নো সে হাইনা মিংহুন্দুনা ব্রাঙ্গোই পালান্দবী থুবম্বু লৈশিন্নদুনা মচি-শ্নাকপু ভান্নু :, চেং-থুম হৈন্না অথেনপোংপু লৈতম্না লৈথম্নে ।।X

কংলৈ খোঙ্গনবা খোয়ারে---

লৈসং থুং থুং অচিননা রাকৈরে ।। পোতরৈ মোইরেংচাম্বনা পেনাবু খোংনা থেমথোক্লে ।। চিংখৈ মরুনা তিনয়েৎ লাইখাই.ব । ইব্রাং খেন পুংমিন্নবনা রাং পুংলেন পুংস্নাও তানয়েরে ।। লৈসং খোংভারেম্না খোইবৌলিথংনা খোইযুম (৩) গী মওম্বু শিংথা শৈন্নাওরক্লে।। শনিক লাইনৌতাবীনা শানিক পুংলোন থুথেক্লা নোইতনা খোইথুম (৬) লিচিং থাক্‌নুনা খোইথুম লাইয়াম্না থৌখল্লাংনা হৌ কংলৈ লম্মাহনবদা খোঙ্গা লৈতুল্লকুনা কংলৈ শ্না পুংমাইয়োন্দা লৈথুলে ।। কংলৈ ফম্বাল লাংলবদা অতিযা মরু শিদবনা কোজুম্নুথোকপবু কৌশিন্দুনা হাইএ পারি কোঞ্জন তুখোকপা নমু তাইবং মশক (৭) তং শেমদুনা পীনৌও ।। ময়াথুংবু থৌপুনা কোঞ্জন তু থাকপনা ৭ থক শেমদুনা মরুদা পীরে ।। মশিদি লাওজনুংদা লৈগদবা মশক্তি মখোংগু মথুংগু পান্দে নমু তাইবং হাইরগা পারি মথোং তুক্তেদা ল্নাইজ্ঞ মুংদা লৈথমলু হাইনা থমখ্রে ।। মশক অমা অমুক ৭ থক শাহনা পীওমলয়ে মরুনা মশক অসিদী হংজোইগুম্না হাইবা অতুনি, লৈকু লৈরাইদহুম থাদোক্লু হাইহুনা থাদোক্লুরে ।। মখোং মথুং পাম্না ৭ অম্না শেমদুনা পুরক্লে ।। পারি নংশে কাংলম কাংথং নাইদবা পন্নম থৌরম লৈথংদবা য়োঙ্গম্বা মতৌঙাক্তা তৌওম্মি ।। মশক অসিদি উরক রারক্তা লৈংগজবনি লৈথমলু, নমু তাইবংবু নংনা শেম্বা শান্না ওমলরোই নয়াম্বা লাইমিংখোইব থাকৌরবউ লৈথংনবা য়েংজহৌ নোংদম্বদুনা মশব ৭ পু উরক রারক্তা থমলুরগা ময়াম্ববু থাবৌজহুনা মকগী নাক্তা থুংলয়ে ।।

নমু তাইবং শেম্বা পরম্ব পাওশাবু হাইগে, মৈতৈগু নোংদালাই তাও-ও

লাইমিংথোই অশিবনা পুকম লৈপাইমা হংজেএ, মরুনা মচাবু থাকোবিরা কুমি নোংদম তম্বীগদবা করিবু পাওশা লৈবনো নোংদম্বীনি নয়'থং ॥ পারি লাইমিংথোই নপা ঐনাম নমু তাইবং মিংগুনবা মশক লৈচু ৭ তং মরুগী থোথনবু নোং'কায়ৌ অমগী মহুংদা কোলুপ লৈথাইনা তানফং য়েলুপ্না লৈথম্লবা মলেম লৈয়াইলেন অসিদা লৈথম্নিংঙি অহুবু পাম্নি নংবু নগুনদি থোপুনবা লৈগমদে ॥ থোঙম্লবা থোপুবাদ নচা ঐনা থোঙম থোপুনজনি অহুবু (নমুতাইবং) হাইনা অশিবু মশক মওং করি কমদৌনা শেম্নগৎ শাগৎলু হাইবনো ? লাইমিংথোই নংনা ঐবু নপানি হাইদুনা পাপ্তেংলিদো থংদবনা হংবদি নপা ঐনা তাকওম্বা ইৎম্নি দা পারি নংদি নপা ঐনা লোংবা খাবা শাদাংবা ওম্বা ইঙম্বু নফমলাংদা লৈশিন্নখ্রবা পারি নংনি । নংনা লৈংংবা থৌনৈ হংদে নংনা নিংঙিবা নশক অহুনি অহুবু নপা ঐনগু ইপাললাংবু লৈফাওনা পারি নফমলাংদ পাংগে নাগ, মালেম অঙানবগী মশেক মঙাম্না ভাম্নোম্নপদা নপা ঐগী হকচাংদগী ঐংংদি মহাক ওইরিবা (শবাম=মি হাইবা লোহনবা মহাক) কৌবা মশক অসিব মিতম্না শম ওনা শাংংলা । মশক্কি নযাথং খংজরে মউ মচাক্তি কবিবু কদাইদগী কমদৌ ? মহ'দ পারি যেনাংম্নং লেংবা ২৫ লাইমিংথোই নংনা মরুপ ৭ লৈথাইনা মা কমদা লৈথম্নখা পারি নঙ্গী হকচং অমেম্বা লৈ।ং।বা অশিবু লৈশম ইথকা অশম লৈথমহুনা মাংংলানবা ? নযাথং নো দম্ব জোনফংজাম শম পুম্ব থোকাওদনা তৌজনি থৌতামবা তৌজগে x

লাইমিংথোইনা নমু তাইবং শেমগৎলবা থৌরাংবা হাননা য়েখ.ইনবা তোঙ্গ।

লাইমিংথোইনা মশংগী তাক্তিয়া মশিদবনা মতুপ ৭পু লৈথাইদুনা মালেমদা লেথমহৌদুনা লৈরেথক্তুনা কংলৈপু মায়দা নমু তাইবং মশকপু শেম্বা লৈম্নংলগে ॥ অতাংনা লৈমেং লৈতৌনা মশকপু লৈমেংপগু লৈচংদে থৌত হুঙ্গম্না লৈকাম্ল ঈশিং ইচাইনা লৈমেংলি লৈমেং লৈচংদে ॥ মপুক ব্রাখন পানা য়েংভম্নি, হাঃ মশিদি ঐনা লৈবাক মথক মশা ওনাগে জাইনা থাইহৌকদা শাপোকপা মশকি থোঙ্গী লৈফগ্নিদনা থোং অসিনা লেখহুনা মালেম'দ থাব পাংনা লৈচেপঙনখিবা থোরাইবদি ভমখিদবনা মশক শেম্না লৈমেংপা য়াদবোইরে । অহুদি মশিদি লৈশোকপা য়াদবা নিংবা পরম্ব লৈবাইনবা এলুপ লৈফম ওইহুনা মশিবু য়াওনা লৈজানবা লৈমেংলবদি— নমু তাইবংদি শেমগৎপা য়াওমলোইদোবিনা ব্রাখন্দুনা পুংমাইয়োনগী মপান লাংদা থোক্তুনা অম্নিংবা লৈ-

খুনগী লাইচিপাংবা সুংগোইবীদগী নোংচুপ পাংনা লৈথমলগা হাইএ, এলুপ নংদি থোহৌরগা থোওমদবা থোমাংনবা থোহৌবা মশক্তি লুতুংনা লৈথংনবা এলুপ [শথাই নংবু মিংছনবু (ঙইদপুং) লৈছন্না লৈফম অসিদা নংবু ঐনা লৈথমলগে পাওশানা। লৈথমলগা কংলৈ পুংমাইয়োম্দা অমুক লৈচংলক্কনা লৈমেৎপা হৌরে ।।x

লাইমিংথোইনা রাথল্লি মশক্তি ৭ শেম্মু নোংদমথি লৈপিদি তরুক্তা মঙাইরে ঐবু কমদৌশিবনো রাথন্দুনা লৈয়েংলক্লে ।। লাইমিংথোইগী মথা খোইগীদি মথক্তি লৈফমদগী শথাইনা লৈথমলম্বা এলুপ অতুনা লৈঙমলিবা এপুপ মঙাতুদগী নোইনা চাওনা লৈঙমলমলে ।। উম লৈফম অসিদগী অনি থোক্লা শাদম্মু নোংদমলিবোইদো হাইতুনা মশকপু অনি শেম্লবা লৈথাইতুনা শাদম ৭ পু নোংলুমগুম্লা তাশন্দুনা লৈযম্ব মরুগী মমিবু মিতম্লা লৈশাবা হৌববু এলুপ করম্বা মশক্লা হান্না শেমশিবা বাথম্লা থমতুনা ডাইহাক য়েংতুনা লৈথম্মি লৈফম্ব (মিতমপুং) মিংছল্লে ।। লাইমিংথোইনা তাইবং শেমগওনা শাথোক্লবা থোহৌগে থৌরাংববু উবদা লাই হুনি ৯ না মপুক তাথিরে ।। লৈবাকপু লৈমাংনবা থোপুগে থোহৌবদা থোঙম্লবা হাইতুনা ঐখোইবু শাথোক শাফোংলম্লগা থোঙম্লবশু থোপুদনা থোরোইদনা তোকওম্বা, ঐখোই খিবিকী লৈফমশু লৈয়াং নোদম তমলমদনা, ঐদি ইঙম চাওববনি ঐনা নিংবদা তৌঙমগনি রাথম্লতুনা ঐখোইবুদি থোকাওবা, নোংদম্বা মানা নোংদম্বা পরমদি থোঙম্বরা থোঙমদবরা মঙম্ব থংনবা থৌরম্বদি ঐখোই খিবিকপু শাথোকপীবা ।। লাইমিংথোই মানা থোঙম থোপুবা নমু তাইবং শেম্বা অশিবু থোঙমদনবা থোয়েক্তনা য়েথাইনবা তৌঙমশি ঐখোইনা য়েথাই থিঙ্গাইনবা থোয়েংবদা খোঙমদনবা লৈঙাক লৈকনবা ঙম্বা খোইযুম কনানো পরম অতুশু খোইযুম মশকপু লৈথংহৌশি রাতাম্লতুনা করিবু কমদৌনা য়েথাই থিনগাইতুনা মাংহন্নবা থৌবুশিগে রাথন্দুনা য়েথাইনবা থৌরাংনরে ।। থৌরম্ব অতিয়া মরুনা উতুনা মখোইখিবিক্লা লাক্লদবা খোংলম মাইগৈবু লৈতাক্লবা মহাকতগী (তুইচিন তুইয়া অথৌবা) হাইবা মশক অমা শাথোক শাফোংতুনা মাইগে পিল্লা চেন্দুনা চংকপা মাইগৈবু খোংতুনা তাক্লবা (হুমিংচিংপু চুপ্পা) লৈঙমলে ।। মরুনা শাথোক্লখিবা তুইজিনথৌবনা খোংবা তাদা লাইমিংথোইনা থংঙাল্ল ।। ঐনা তৌঙমলিবা অসিদি থোহৌবা য়াঙমলোইদৌরিদনা অতুদি অয়েংলাইম। উদনবা মশক অশিবু লৈরোক্তনা লৈথম্লবা তৌঙম্বা তারি নত্রবদি মাংখিবা য়ানা লৈঙমলি করম্বনো হাইনা লাইমিংথোইনা কননা য়েংবদা উদনবা হাইতুনা লাইমিংবু শকুয়ম—মথুং মশাবু তিংনা শন্দোক্তুনা (অশন তরং) থকৌ মিংছম্লা মিতমপুংদগী নোংলুমহুম্লা লৈমেং লৈতাবা ৭ পু পুতুনা (লৈয়াই শাথুপলেনবু লৈফম লৈঙ ক্বপা। মারহমবগী মফমলাংদা কমাওম্বনা লৈথি লৈথংদনবা লৈরোংথাগে মুশিন্থানা মশক ৭ বু লৈশিন্নরে ।। ঐনা মশক ৭ অশিগী মওং শেম্বা শাবা মতম নত্রিবা মথৈবু

মাংদনবা লৈগ্নেং লৈরোংনা লৈথম্মু পাওনা লৈশিন্নরম্মি অতুম্বুম্গী লৈয়াইক্লেন লৈঙাক লাইবু (মারহনবা) মিংহুল্লে ।। খোইয়ুম মান্না হনবনা মশক ৭ পু শেম্নগদরা নোংলুম গুম্না লৈমেং লৈতারবা মশকপু ঙৈম্নাং পনবা পম্বিং পনঙাক লৈশবা নোংলোন পরম লৈয়াং লৈথম্ম ফমদা পুঙম্নকুনা মথুংগু উরুংনবদা থাংমৈ=উথাংমা লৈশারা উপ্রানা মশক ৭ পু, কুপ্পুনা লোত্তুনা লৈথম্নগা, মপাল্লাংদা লৈক্ষমহুনা লৈয়েংনা ঙাক্তুনা লৈএ. লোংলিবা লৈফম্বু (ইরু নোংলুম কোন) মিংহুল্লে ।। চীংপা নাপোম অমদি "(ওমলা চীং)" মিংহুন্না থমলে ।। খোইয়ুমগী লাইমিং অমনা থাংমৈ মারহনবা লৈহুন্না ঙাক্লে ।। লৈশিন্নরম্মগা লাইমিংখোইনা খোইয়ুম ৪ বু থাকৌহুনা লৈঙাকহল্লে, য়ৈখাই লৈচংবা ঙমদনরা হাইহুনা লাইথংবদা অব্রাংদা নম্বুলনা ঙাক্লে ।। মোংপোক্তা ভুবুনা ঙাকহল্লে ।। মখারমদা লৈখোমতাওনা ঙাকলে ।। নোংচুপ্তা মানখোম তাওনা ঙাক্লে ।। খোরম্বু হুনি লাইহিংচাবনা খংলে, মাইগৈ ৪ বু লৈথুংনা লাইমিংখোইনা ঐ.খাইবু চংবা ঙমদনবা লৈঙাক লাইবু থমগ্রে ।। ঐখোইনা লৈতংবা ঙমদ্রেদো অহুদি নোংলোন্দদী লৈঙাক লেফমদরি নোলোন্দগী লৈকুম্বা ওম্নবা লৈরোং লৈথমখিববু লৈথিনা নেংখাই য়ৈখাইবা ঙম্বা (শাগোল ওইনা শাখোক্তুনা নোংলোন লোমদগী হাইথহুনা লৈচংলগা থাংমৈ উপ্রান্না কুপ্পুনা থম্মিববু মাংহন্নবা থৌপুরশি রাতান্নহুনা নোংলোন লোমদগী শাকুয়ম=মশা পানবা শাগোল অমা শাখোক্ল ।। শাগোলগী মমিংবু (মহা মনিকমা তে পাক পাক) মিংহুন্না মালেন পাংনা হাইথরক্ল । হুনি না রা লাই হিংচাবা শিঙ্গী থৌশিনবু উবদা (চাখা খোংজোম্বীনা হাইয়ে, নমু তাংখাই লুচিংবা ভুংগদবা শ্যাকোঙ্গনহুথোকপা নঙ্গী অশাঙ অশম ওইনবা নয়াম্বুং লাইমিংখোইনা মরুগী থৌদাবু থৌপুনা নঙ্গীদমকপু নমু তাইবং মশক তরেং শেমগৎ শাগৎপীহুনা শাফেংনবা থৌপুনববু য়ৈখাই লাই হিংচাবা মখৈনা নমু তহবংবু শেমগৎ হল্লে ইন্দ্রগী রাতান্নহুনা নোংলোন লোমদগী শাগোল অমা থাদখিহুনা নেংখাইহুনা মাংহন্নবা তৌঙম্নখিবা অসিবু উদবরা নয়াম্বুনা নঙ্গী নওম্বু য়াইফংনবা থৌপুবিরগা নংবু অশুম য়েংহুনা লৈবরা নয়াম্বুংদি মাইগৈ মশিবু লৈঙাক্লবা থৌশিনবগা, লৈখারোলগীবু লৈঙাকত্রা থৌঙম খোপুবা ঙকচানরে, নংবু কমদোংগে রাখল্লিবা, নয়াম্বুং নমু তাইবা শেমগৎপবু থুংলোইহন্দোরিববা ? চাথা খোমজোম্বীগী রা তাবদা ক্লোজন্তু খোকপা মপুক রাখন খোইশাওনা মাইগৈ শিন্না য়েংবদা উঙমলে ।। লাই হুনি হিংচাবশিংদি ঐ লৈ হাঙ্কশি খংদ্রেমান্নেদা নংখোইনা শাগোল শাবদি ঐনা ফাহুনা রারক থোকাওনবহু ঙাইদনা হাইহুনা শগোলবু ফাবা ঙম্বা মশকপু লৌহুনা মালং খোংদোই ইহুনগা লোইবনা চেনশিল্লক্লে ।। শাখোকপা লৈফম্বু (মালংপু = মালং চীং) থাকৌনা লৈলিরেল য়াইবিবু (ওমফা হিংনপ, ওমফাহিংনপ, ওমফাহিংমপ ওমফাহিংনপ, ওমফা হিংনপ) লৈহুন্না লৈথমলমলে ।। শাখোকপা লাইমিংবু মালংনা ইহুন কম্না হৌরকপঙম লৈহৌনা শাখোকুনা চেনশিনখিহুনা তাইবং মশক তরেং শেমগদববু শাগোল মহা মনিকমা তেপং কৌননা

মখোংনা নেৎথত্তুনা মাতুনা মাংগ্রগদববু লৈকম্বা শাথেকএ হাইতুনা মারজিং মিংহুন্দুনা লাইমিংবু শা ওংলোয়েরল ওংথিয়াং লৈহুল্লে ।।x

মারজিংনা "মহা মনিক তেপাক" কৌবা শাগোলবু তাম্নতুনা মোংবা খুরৌ থানা লেংফাইচন্না য়েৎনয়ে ।। চেনশিন্নকুনা মঙক্কা কোনশিন্নগা মখোং ২ গী মরক্কা খোংনাম্মা থিনজিন্দুনা খুরৌ য়েত্তুনা শাগোল মথাদা মরেংবান্না থাশিন্দুনা কানবা তৌগমলে ।। মরজিং পাখংবনা খুরৌ চন্না লিপুন লিফাগে তৌববু শাগোলনা শাকুয়াম শানা মঙক ওকচাও থেক্না নাম্থোক্নবা হোৎনতুনা মাইগৈ শিন্না চেন্দুনা ইরম কোন্দা লৈচংনবা তৌগম্মি, শগোলবু নাম্থোক্নুনা চেনখিবা মফম্বু লৈশং চীংলাং মৈ থাকোনয়ে ।। মারজিংনা শাগোলবু ফাবা ওম্নদবা উবদা মাদাইরেম শা খোংনাং লৈমনা মারজিং পাখংববু লৌথাম্মে ।। লৈশং লৈকনবা শাকুয়োম পানবা মশক অতৈদি থৌয়ম অতুম্ন লিপুন লিফাবদি য়াওমলোই, খ্বাংলি অসিনা লংতুনা কানবা থৌপুমবিও পাওলানা ঈ- জবেম্মনা মখাংদা পুল্লিবা খ্বাংলি থৌরিবু লৌথোকুনা মারজিং পাংখংহন্দা পীরে ।। শা ওমরৌরল মার্জিংনা শাকুয়োম নাইবা মহা মনিকমা তেপাক পাক কৌববু মাইগৈ শিন্না থত্তুনা তাঙশিন য়েৎনতুনা খ্বাংলিবু কোঙ্গোই লিহাপ্পা হুম্নলাংবু লৈশেমতুনা হুম্নলাংবু হুল্লে ।। শমদোন অয়াংবা শাকুয়োম্ব কোঙ্গোই থৃরে লিফানল্লে ।। শমদোন অয়াংবগী মখোং জিপূতুনা মকোই মরাং ফোই- তুনা চৈবিএ লৈফম্ব, মরাং (কোইফোইচী) কৌরে ।। মারজিং পাখংবা মপুক রাবু অশাও লৃতোন লৈথম্নিবনা শমদোন অয়াংববু লিফা জিপুম্ন পুরকপদা য়াইবিহৌনা মজুংতৌনা হিলাং- তৌনা মখোই শাওনা লৈপুনতুনা শমদোন অয়াংবগী মতুমমানবু ফোইতুনা চৈবিএ লৈফম্ব (শরা তুকেনবা চীং) থাক্লোরে ।। শাকুয়ম্ব কত্তুনা ফাতুনা থম্লে (লানশং) কৌরে ।। শমাদোন অয়াংবগী শাকুয়াম ২ বু কত্তুনা লৈথমগ্রবদা অমুক রারক খোকাওবু নোংদম্মি ।। শমদোন য়াংবা মহা মনিকমা তেপাক পাক ,কৌবা মশকপু শাদম শাথোক্লবা থৌশিনব লাইহিংচাবা তুনিশা ন- খোইগী নম্নুং নতম নথৌনঙুম্ব নোংদম থৌয়েন তমদবিন্ডেদা রারক খোকাওনা কবিবু থোহৌবা শাকুয়াম শামদোন অয়াংবা ওইনা চৎলম অশি লুতুংদগু তৌগম্নু লৌখামলে ।। লাইমিংখোইনা হাইএ, অয়েৎ অখোং লাইপা নখোই ২ বু ঐনা রাখন কঙ্গাওবদগী শাথোক্কুনা লৈথম্বদি লৈদি লৈথম্নগা নথৌনঙমদি লৈখাইলমদরে নপুক কঙ্গাও হুম্ননু ঐনা কঙ্গাও ইন্তুম হেনখিবনা থৌপু থৌগমখিদবগা লৈহন্না উনবনু থোকওয়খিদবনা নঙম নথৌবু য়েলুপলমদবনি কোরৌ অশিবু নৌ- হৌনা লৈতমগে পরম্ব খোংলম কাইদনা লাইরকচনবু চৎনশি ।। নখোই ২ না মথংলেংনা থৌপুনা অরাবা মুংঙাইবা পরম্বু নোংদম্না অচৎপা চত্তবা লাইহিংচাবা লৈহুম্নবা মশক পুম্বগী অরা অনং মুংঙাই য়াইফা নোংদম্বু কোরৌ খুদিঙ্গী থাজা খুদিঙ্গী কুমজা খুদিংবু নোংদল্লো ।। থৌগম থৌপু

থৌহৌনবদি মশক লৈঙম্মবা, লৈঙম্নগদবা মশক অহুনা শাদম শাফোংবা কোয়ৌ অহুদা লৈপাম লৈপুবা থরাই পিচা অহুগী থোংলম্মু লৈয়েংনা নং নঙী নঙম অরা মুংঙাই নোংদম্মু থৌহৌনগদবনে পময়্মু থৌকাওনগম্মু ।। X

হুনি মারো ৯ গী খ্রোংচং

থরাইপিচা শাজুং তেলহৈবা ৩ মোংক্রাশাক্রা ১২, হৈরৈময়ে ২১ অহুম অসিন লৈপুবা মুমিং ৩ অহুদা শাথোকপা মশক মখৈনা হুনি মরোং নংনা নোংদম থৌহৌহুনা নংনা কুমজা ৬ নোংদম্লো ।। নংনা নোংদম্মা লৈম্মুং অহুদা নংনা থাজা ৪ নোংদম্মু ।। মতুংদা নংনা নোংদম পুংয়ান কুমজা ৬ লৈফম্মা মম্মুংদা নঙী থাজা ৪ নোংদম্মা লৈরোইখগা মশিং হুনিনা থাজা ১০ নোংদমগনি ।। মতুংদা মকাপ হুনিনা থাজা ৫ কোরৌ ১০ নি নোংদম্মু ।।

মতুংদা	অশিং হুনিনা	কুমজা	থাজা	১১	কোরৌ	১৩	নোংদম্মু
,,	মশেং	,,	,,	৬	,,	২০	,,
,,	হৈয়েং	,,	১	X	,,	২০	,,
,,	হুনিনা	,,	X	৮	,,	X	,,
,,	হংশিং	,,	১	২	,,	X	,,

চংলম অশুম্না চংনরো ।। X

থরাইপিচা লিক্লাপিচা ৪ লুরাংশাক্লা ১৩ হৈরৈময়ে ২১ অহুন অসিনা লৈপুবা কোরৌ মুমিং অহুদা শাথোকপা মশক মখৈনা নোংদম থৌদাবু মশিং হুনি নংনা নোংদম থৌদাবু থৌপুনা শা-ফোং শাদম্মবা ওইয়ু কুমজা ১৫ বু লৈচুপ্পা মম্মুং অসিদা—

কুমজা ২ থাজা ১ কোরৌ পুংয়াম্না নোংদম্মু মতুংদা মকাপ হুনিনা

কুমজা ১ থাজা ১ কোরৌ ১০ নোংদম চঙনি ।।

অসিংনা	,,	২	,,	৪	,,	১০	,,	,,
মশেংনা	,,	১	,,	৪	,,	২০	,,	,,
হৈয়েংনা	,,	২	,,	৭	,,	২০	,,	,,
হুনিনা	,,	১	,,	৮	,,	X	,,	,,
হংশিংনা	,,	২	,,	১১	,,	X	,,	,,
মরোংনা	,,	X	,,	১০	,,	X		

থরাই শিচা চিংচে্রাইবী, নাক্লাশাক্লা, খাবী লৈতেং অহুম্না লৈপুবা কোয়ৌ অহুম অসিদা শা-দমথিবা, শাথোকপা মশক্কী নোংদম অহানবদি মকাপ হুনি নংনা ওইহুনা কুমজা ৮ লৈফম্মু, নংনা থোহৌনা নোংদম্বদি থাজ ৭ কোয়ৌ ২ নিংশা ইহুন ২০বু অরা অনং অফা হুংঙাই নংনা নোংদম্নীংবা লৈতম্লো ॥

অশিং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৩ কোবৌ ৩ কোল্লুপ ২০ নোংদম লৈয়েংঙু ॥

মতুংদা মশেং হুনিনা থাজা ৮ গা কোয়ৌ ২৬ মিহিং ৪০ লৈয়েংঙু ॥

মতুংদা হৈয়েং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৪ কোয়ৌ ২৬ নিংশা লৈয়েঙনি ॥

মতুংদা হুনিনা থাজা ১০ কোয়ৌ ২০ নি নোংদমগনি ॥

হংশিং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৮ কোয়ৌ ২০ নোংদম্মু ॥

মরোংনা থাজা ৫ কোয়ৌ ১০ বু নোংদমগনি ॥

মশিং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ১ কোয়ৌ ১০নি নোংদমগনি ॥ X

থরাই শিচা চুংশেন্নাগা, ওকপুরোইগা, শিক্লি লিরেঙ্গা অহুম্না লৈফম্বা কোয়ৌ অহুমগী মতুংদা শাদম শথোকপা মশক অতুগী নোংদম্বদি হুনি নংনা কুমজা ৮ বু লৈহৌরকপদগী নংনা মিংয়েং থোপুবদি কুমজা ১ গা থাজা ৫ গা লৈয়েংঙু ॥

মতুংদা হংশিং হুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ৫ ফাওবা নোংদম্মৌ ॥

মতুংদা মরোং হুনিনা থাজা ৮ নোংদম্মু ।

মশিং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৮ নোদম্মু ॥

মকাপ হুনিনা থাজা ১০ গা কোয়ৌ ২০ গা নোংদম্মু ॥

মতুংদা অশিং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ১০ কোয়ৌ ২০ গা নোংদম্মু ॥

মতুংদা মশেং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ১১ কোয়ৌ ১০ নি নোংদম্মু ॥

মতুংদা হয়েং হুনিনা কুমজা ২ থাজা ১ কোয়ৌ ১০নি নোংদম্মু ॥ X

থোরাইশিচা মিংথো নাগা, তাওহুইয়েং, য়াক্লা থুরো অহুম্না লৈপুবা হুম্নীগী মতুংদা শাদম শাথোক্লবদি হুয়েং হুনিনা নোংদম থোহৌতুনা কুমজা ১৬ নোংদম থোশিল্লু। থোয়েং নোংদম্বদি কুমজা ৩ গা থাজা ৪ কোয়ৌ ৩ মিহিং ২০ লৈচুপা নোংদম্মু ॥

মতুংদা হুনিনা কুমজা ২ থাজা ১ কোরৌ ১০ বু নোংদম্মু ।।

মতুংদা হংশিং হুনিনা কুমজা ৩ গা কোরৌ ২০নিগা নোংদম্মু ।।

মরোং হুনিনা কুমজা ১ গা কোরৌ ২০নি নোংদম্মু ।।

মশিং হুনিনা কুমজা ২ থাজা ৭ কোরৌ ২০ নোংদম্মু ।।

মকাপ হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৪ কোরৌ ২৫ মিহিং ৪০ লৈচুপ্পা নোংদম্মু ।।

অশিং হুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ১১ নে কোরৌ ২৬ কা মিহিং ৪০ গা লৈচুপ্পা নোংদম্মু ।

মশেং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৯ কোরৌ ৩ মিহিং ২০বু নোংদম্মু ।। x

থরাই পিচা নিংথৌতুরেন, তোংচেংম্বুবী, য়াকপা শক্তিক, অহুম্মা লৈপুবা কোরৌ ৩ অসিদা পোকপা মশক মথৈদি মশেং হুনি মংনা নোংদম থৌহান থৌপুহনা কুমজা ১২বু নোংদমলো। নংনা লৈয়েঙ্গদবদি থাজা ১১ কোরৌ ৩ কোলু ২০বু অফবা ফত্তবা পয়ম্মু নোংদম্মু ।।

মতুংদা হৈয়েং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৯ কোরৌ ৩ কোলুপ ২০বু নোংদম্মু ।।

মতুংদা হুনিনা কুমজা ১ থাজা ১ কোরৌ ১০ নোংদম্মু ।।

হংশিং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ১১ কোরৌ ১০ নোংদম নোংথাইরো ।।

মতুংদা মরোং হুনিনা থাজা ৬ কোরৌ ১০নি নোংদম নোংথাইরো ।।

মতুংদা মশিং হুনিনা কুমজা ১গা থাজা ৪ কোরৌ ২০ নি নোংদম নোংথাইরো ।।

মতুংদা মকাপ হুনিনা থাজা ৮ কোরৌ ২৬ নিংশা ২০ গা নোংথাইরো ।।

মতুংদা অশিং হুনিনা কুমজা গা থাজা ৬ কোরৌ ২৬নি নিংশা ৪০ নোংদম নোংথাইরো ।।

থরাই পিগা নোংথৌশামু; থয়াই, থাবা, অহুম্মা লৈপুবা মথৈদা শাদম শাথোকপা মথেবু অশিং কৌবা হুনিনা কুমজা ১৭ নোংদম নোংথাই লৈফমহুন' কুমজা ২গা থাজা ৮ কোরৌ ৩ কোলুপ ২০বু নোংথাই নোংদম্মু থৌহৌরে ।।

মতুংদা মশেং হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৬ কোরৌ ২৬ নিংশা ৪০ নোংথাইরো ।।

হয়েং হুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ১১ কোরৌ ২৬ নিংশা ৪০ লৈথুংনা নোংথাই নোংদম্মু ।।

হংশিং হুনিনা কুমজা ২গা থাজা ৬ কোরৌ ২০ লৈথুংনা নোংথাইরো ।।

মরোং হুনিনা থাজা ১১ কোয়ৌ ১০ লৈচংহুনা নোংখাইরো ॥

মশিং হুনিনা কুমজা ২ থাজা ৪ কোয়ৌ ১০ লৈচংনা নোংখাইরো ॥

মকাপ হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৩ কোয়ৌ ৩ কোলুপ ২০ বু লৈচংনা নোংখাইরো ॥ x

থরাই পিচা শামু পিচা, থাদোন, খোংজোমনুবী অহুম্না লৈপুবা কোয়ৌদা শাদম শাথোকপা মথৈবু নারোং হুনিনা কুমজা ৭ নোংদম নোংখাইনা লৈফম্মু ॥ চৎলমদি হুনিগী চৎলম নোংখাইবদা লৈচংনা নোংদম থোপুনৌ ॥ x

থরাই পিচা উকোংতু, নিংথৌনাগা, অপবঙা অহুম্না লৈপুবা কোয়ৌ অহুদা শাদম শাথোকপা মশক মথৈবু হংশিং হুনি নংনা নোংখাই নোংদম্বু থোপু লৈহান্না কুমজা ১০ লৈচুপ্না লৈফম্লো, নোংখাইবনা কুমজা ৪ গা থাজা ১ বু নোংদম্মু ॥

মরোং হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ২ বু লৈচংহুনা নোংদম্মু ॥

মতুংদা মশিং হুনিনা কুমজা ২ গা থাজা ১১ লৈচং লৈয়েংনা নোংদম্মু ॥

মতুংদা মকাপ হুনিনা কুমজা ১ গা থাজা ৬ কোয়ৌ ২০নিবু লৈচংহুনা নোংখাইরো ॥

মতুংদা অশিং হুনিনা কুমজা ৩গা থাজা ৩ কোয়ৌ ২০ বু লৈচংহুনা নোংদম্মু ।

মতুংদা হৈয়েং হুনিনা কুমজা ৩ গা থাজা ৮ কোয়ৌ ২০ বু লৈচংহুনা নোংদম্মু ॥

মতুংদা হুনিনা কুমজা ২ গা থাজ ৫বু লৈযমহুনা নোংদম্মু ॥ পরম অশুম্না মথংলেংনা নোংদম লৈচংনা খোপুনরো ॥x

মথংদা পরম অমা কুমজা ১০০ চামনা লৈশবা হাইনা পরম অমা লাকনি, মতম অহুদি

থরাই পিচা শজুং তেলহৈবা. শিং ৩ শুবা; শিং ৪ শুবা লিরাপিচাং শিং ৫ শুবা চিংচোইবী অসিনা লৈচং লৈফম্বা কোলুপ্তা শাদম শাথোকপা মথৈনা মরোং নংনা নোংদম্বু থোহৌনা কুমজা ৬ পু লৈচংনা লৈফম্লা নংনা লৈফম্বা মতমদা মখোইপুম্বশু মাগী মাগী লৈচং খোংলম্বু থোকাইনদনা লৈতংনহুনা খোয়েংনা চাক্লি ক্লিনিনৌ ॥ x

চুংশেংপুবী, নিংথৌনাগা, নিথৌতুরেন, নোংথৌ শামু ৪না লৈকম লৈপুনবা কোয়ৌদা শাদম শাথোক্লবপদি মশিং নংনা লৈহৌ লৈচংহুনা কুমজা ১৫ নোংখাই নোংদম্বা লৈহৌহুনা লৈফমলো ॥x

শামু পিচা, উকোংতু, মোং কা শলকা অহুম্না লৈপুরকপা কোলুপ্তা শাদম শাথোক্লংদি

নোংদম লৈচং অহানবা মকাপ নংনা লৈহৌডুনা কুমজা ৮ বু লৈফমডুনা লৈচং নোংদম থৌশিল্লো ।।

লুরাং শলকা, য়ালকা শলকা, ওকপুরোই, তাওছুইরেং ৪ না লৈফম লৈপুবা কোরৌদা শাদম শাথোকপা মথৈবু অশিং হুনিনা নোংদম লৈহৌ লৈচংডুনা কুমজা ১৭ থৌপুরো, নোংদম লৈচং থোংলম্ব থৌহেল্লা লৈয়েম্নরো ।। X

তোংজেংমুবী, থয়াই, থাদোন ৩ অসিনা লৈপুবা মতমদা শাদম্না শাকোংবা মশক মথৈনা হুনি মশেং নংনা নোংদম লৈহৌ লৈচংডুনা কুমজা ১০ লৈপুনা মথংল্লেংনা নোংদম থোংলম্ব, লৈশিন্নডুনা লৈফমল্লো ।।X

নিংথৌনাগ, হবৈমা, ক্ষোরৌম্ব ৩ না লৈপুবা কোরৌদা শাদম শাথোকপা মথৈনা হ.য়ৎ হুনি নংনা নোংদম লেহৌ লৈচংনা কুমজা ১১ বু থৌয়েং লৈফমল্লো ।।X

থাবী লৈতেং, শিলুকিলিরেং, য়রাথুরো ৩ না লৈপুবদা শাদম শাথোকপা মথৈনা হুনি নংনা লৈহৌনা কুমজা ১২ বু ফমডুনা নোংদম থোংলম্ব থৌশিল্লা ।।

রাকপা শজিক, থবা, খোংজাংমহুনী, অপবমা ৪ না লৈপুব কোলুপ্পা শাদম শাথোকপা মথৈনা হংশিং হুনিনা নোংদম লৈচং লৈহৌনা কুমজা ২১ বু লৈপু লৈফমডুনা নোংদম থোংলম লৈচংববু মথংলেংনা লৈশিল্লো ।। X

হুনি ৯ গী চংলম্ব থৌকাও নোংদম্ব রায়েন ইহানবা থৌহৌনা নোংদম্নগা শায়দোন অয়াংবগী মশকপু ওইনা শাথোকপা শাগোনবু (থাং ষ্মমারহুনবগী) শমুমাদে পুক্তম্নকুনা থাদোকখবে ।। শামদোন অয়াংববু রারক থৌকাওনবা লৈখম্ব (রায়েন থৌরিং অহানবা কুচু শংশেল) মিংহুন্না লৈথম্লে ।। X

রারক থৌকাও নোংদম্বা লোইদুনা নমু তাইবং শেম্বা

মথোইগী ঐম্না থৌকাওরম্না চংলম্ব নোংদম্বদি থৌরোইরে অতুবু মথোই অসিনা তৌরমদবা লৈতবা অসিদা নোংদম থোদা অসিবু থৌরোইবা য়াদনা তোম্নগত্রা মরুলোন ৭ কি লাইমিংগু মথোই ৭ ডগু লৈহুম্নগ্রে ।। মগুমগু লৈহকপাগী মথক্তা অমুক থোইমডুম লৈহাপ্ন রারক থৌকাওনগ্রে ।।

মসিদা অমুক নোংজম চংজম্ব, মগুম চাংয়েংনরক্লবদি হক্লা লুংশাংনা কোরৌবু লৈচংনা থোয়রোইনবা তাঙখৈদৌরি, অহুনদি লৌচংবা ওমদনবা লৈঙাক লৈকল্লবা থোশিলহোৌবা তাঙখ্রি রাথন্দুনা লৈঙাক শাথোক নোংদম্ব, থোপুরক্লে ।। অনাংলমদা শাদম্না শাথোক্তুনা থাকৌরে, লাইবুংথৌ উকোংলেনবু লাক্তুনা লৈঙাক লৈকল্লবা থোয়ান্নরে ।। অগুম্না লৈফম ৮ গুনা লৈচোং শাথোক্তুনা চিংখৈদা— চেংঙা; নোংপোক্ত্রা—অঙাইবা, মৈরমদা—মুচেং, মথাদা—থোংঙাইবা; সম্থোংদা য়ুরা নোংচুপ্পা— কোংটিংলেন, লাইচিদা—থরাই, লৈহৌমিন্নবা লাইবুংথৌ ৮ না লৈঙাক লৈকন থোয়ান্নবদা লাই- মিংথোইনা হয়াও তয়ামহুনা মথুং ২বু শাকুয়াম্না নোইহুনা থাকৌরবদা থাংমৈনা কুপ্তুনা লোং- লিবা ইরুম নোংলুম কোনবগুম্না কেল্লম্বা ওমহুনা থয়ুবা লৈফম্ব (ওম্নাচীং, ইরুম নোংলুম কোল) মিংহুন্দুনা লৈহুন মিংথৈবু (ওম উকহে, ওম উকহে, ওম উকহে) হাইনা লৈথম্নম্নগা ফুন ৭ পু পুরক্তুনা মারহনবনা লাইমিংথোইদা লৈশিন্নরে ।। লাইমিংথোইনা হাইএ—ইশানৌ কোন্দে তনৌবা নশাদি অনিথোক নশক্তী অমতা ওইনা লৈমান শকমান্ননা শাথোক্তুনা নয়াম্বগী ভেঙ্গাংখিএ লুভুংনা থোকাওদনরা নশক অমদি নোংলোন পথেং অসিদা নমিংবু মাক্সিং থাকৌনা লাইমিংবু (ওম কুং সংতে ফিংতে) লৈতুম্না লৈফমহুনা ওম্নাচীং (ওম উক হে, ওম উকহে, ওম উকহে) কৌবা লৈফম্ব লৈশংনা মাক্সিং অপাম্বা হাইনা লৈঙম্লো ।। অতুম্না লৈয়াইলেন পথেম্তা লৈঙম্বা নশক্লা (থাংমৈ মার হনবা পাথংবা) থাকৌনা লৈয়াইলেন (রীং ওইস্না পারি সোপা কোন্দে মরিক ওম থিয়াং) কৌবনু লৈশংনা লৈঙম্লো ।। নেংলোন পথেং ফম্বা মাক্সিং নংনা নোংলোন্দগী মতিন মকাং ফত্তবা লাইহিংচাবা থোঙ্গমলক্তুনা লৈবাক অরা অনং পিঙম্নগদবা লৈববু লৈকুম্বা ওমদনবা লৈঙাক লৈফম্বা থোপুরো ।। ইশানৌ নংনা শাকুযাম শামদোয়াববু ফাবা লৈয়াইলোন অসিনা লাইমিংবু (ওম ফোং ফোং হাই হাই, ওম ফোং ফোং হাই হাই, ওম ফোং ফোং হাই হাই) লৈঙম্না লৈফম অসিদা শামদোন লৈহুন তম্না থৌনিরবদি ইশানৌ নংনা শাথোক্তুনা কুাব নোংদমবিনদা ।। তুবু নংনা, লৈফমশিং অসিবু (মুমিং চিংপু চুপ্পা) থাথোক্তুনা লৈথারোন লৈফম্ব, লৈফমহুনা লৈ- ঙম্লো ।। নংনা য়াথোকপা লৈফম্ব (পাথংশাই) থোইয়ুম লৈঙাক লৈকনলাই পুম্বা নঙ্গী নঙ্গী লৈঙাক লৈকম্নবা লৈফমদা হুজ্জিন্দুনা লৈকল্লবা থোপ্পরসি, নথোই খ্বাইগী নোংদমদগী ঐগু নমু তাইবংমীবু শাথোক্লবা মিতম্নগে নোংদম্নহুনা মাগী মাগী লৈফমদা হুজিন্দুনা লৈকনফম্বান্নথরে ।। X

লাইমিংথোইবু মমিং (ম্লাকোং তিংলেন) হাইরে ।। ইরুম ইহা কোলবগুম কোল্লুবা ফুন ৭পু অতিয়া নরুগী মিবু লৈতম্না মথুং মথোং মশা মউ মিনা মালেমদা তিংনা তাবংম্না শাদম্না লাই- য়েক ৯না কুয়াম মাওয়াম থানা নমু তাইবং ৭ পু মিতম্বা লোইহুনা লৈফম্ব (মিতমপুং) হাইনা থম্লে ।। মশক ৭ পু পুশিল্লক্তুনা অতিয়া শিদবরু য়েংহল্লি, মরুনা—নমু তাইবং মী হাইবা মশক

অচুবু ওইগদবা মওং মতৌ মশক্তো অসিনি হায়িরে লৈকম অচুবু (মীয়েরপপুং) কৌরো ॥ অদুগা নমু তাইবং মীগী মশক্তি অসিনি অচুবু লৈকম কাইদনা করম্বা মশকপু খেমখিনা খংনিংঙিদো নপা ঐবু পরম অহু তানিং খংনিংঙিদো ।। x

মশক ৭ কি লৈফম নাওয়োম তাকপা পুরোন ৭ শাথোকপা ।।

অতিয়া শিদবগী নোংমম পাওহং তাবদা লাইমিংথোইনা মিয়েম্পুংদগী মশক ৭ লু লৌথগ্নুনা মিরেপকমদগী নোংপোক মৈরম শাংনা মথং লেংনা লৈথম্লগা হাইএ ।। মরু লৈকম ৭ লৈওম্লম্ববু লৈফম অমদি লৈয়েৎপবু লৈচংদগ্নুনা করি মুংবু ওইবনো রাখনবদা কংলৈ পুংমাইয়োনবু লৈমাংনবা লৈচোংবা খোঙ্গী শরুকপু ওইরমদ্নুনা ইপাঙ্লাংদা পুথোক্নুনা অদুংনা খোঙী খা থংবা, মুঙ্গাইরাগী নোংচুপ্তা (নমু চংলম খোপুবা, খোঙমদবা পুং) হাইনা লৈথমখয়ে ।। নোংদম্বদি ৭ শেম্মু নোংদম্বী লৈফমদি তরুক্ক মঙাইবে করম তৌশিবনো রাখনবদা খোইগী লৈথক লকাগী লৈখাদগী লৈথম্লম্বা লৈকম্ব নোইনা চাঙনা লৈরমদ্নুনা লৈফম অসিনা অনি থোক্না লৈমদ্নুনা এলুপ ৭ কেশুনবা শেমগৎ শাগৎনখ্রে ।। উম পারি অহু এলুপ শখাই অনিদি লৈহৌফম লৈফমদি অমা ৩ নিঙনা, অতুগা ৭ অসিবু মথংলেংনা লৈথম্বনা করি মুঙ্গীনো ? লৈফম্না লৈমেজ্নুনা নাওয়োম লাইয়েক্না করি করা কমদৌবা পরম্বু নপা ঐশু খংনিংঙি চংলম্বু লুতিন লৈহাপ্লদা লৈফম খংনা লৈহাপ থৌপুনিংঙি নপা ঐবু অতুক তাকউ ইপাদা ।। মশক ৭ মকি লুচিংবা ওইনা য়েংথম্বদা লৈথম্বা মশক অসিদো খোইদো লৈফম মকোক্কালন্দগী লৈথম্লম্বা লৈপিবু নোংঙান কোলুপ ৬ তগী কোলুপ তম্না লৈথুংবা ফাঙবা লৈমদ্নুনা লৈনুং অসিদা শিম্মোনা হৈয়েৎ মরুনা ওইহম্না নাওথোম্বা (অঙ্কহং) লাইয়েক য়াম্রানা লৈ.য়াম্না মেরা হিয়াঙ্গে) থাজ্জা ২ গী চংলম মঙম্বু লৈহাপ লৈথম্না শেমগৎ শাগৎনখিএ ।। লাইমিংথাই মশক অশিংমো কৈথংজে লৈকম অসিদগী লৈথাইদ্নুনা (মালং লৈথুনগী মনাক্তা) লৈফম খংনা মথংলেংনা লৈথম্লরুবা লৈথম্মুয়ো অতুগা মথং অশিমনা কমদৌবা ? লাইমিংথোইনা থৌদাবু থৌপুনা লৈথম্লগা হন্নগ্নুনা পাওশানা তাকংল্লক্ক ।। x

২। মরু মথং অসিদো মিঙগী লৈথক (শাজুম্বা) লৈকমদগী লৈথম্লম্বা লৈপিবু নোংঙান কোলুপ তবা তাবদগী শিম্মোংমু (অশিং মরুনা) ওইদ্নুনা কোলুপ ২ অনি তাওম্বগী লৈমুংদা (সং) লাইয়েক য়াম্রানা নওয়োম লৈথানা মথৌ মওম, (ফাইয়েন, লমদা) গা তিজু লৈথানা মরুগী মিনা মাসেম্রদা তিংনা লৈওম্বা মওংবু মিতম্না শেমগৎ শাগৎপা মশক্তি ।। পারি ইচামা লৌতাক্নুনা মশক অসিম্রও

লৈখংলে লৈথম্রফমদা মথংলেংনা থম্নুরো মথংশিমনা কমদৌবা লাইমিংথোইনা লৈথম্নুরো ।। x

৩ । মরু মথং অসিনা খোইগী মখা খুদোন অমা লৈকুম্বা লৈফমদগী লৈখাইরম্বা। লৈপীনা নোং-ঙান কোলুপ ১ তাপ্রবদগী লৈহৌনা শিম্বোংবু (হুংশিং) মরুনা ওইগম্না নাওয়োম্বু (নং) লাইয়েক য়াবানা লৈহাপ্নুনা মঙম চৎলম্বু পোইন্তু, বাকচীং থাজা ২ দা তিলু লৈথানা নোংঙান কোলুপ ৫ তাবগী লৈম্নুংদা শেমগৎ শাগৎপা লোইজবনি ।। অতুমক্তু লৈখংলে লৈথম্মুরো ।। x

৪ । মথং অসিদো কোক্কী লৈফমদগী লৈখাইরম্বা লৈপীবু মকাপ মকনা শিম্বোং ওইনা হুমিদাং কোলুপ ৬ তাবদগী কোং লাইয়েক য়াবানা নাওযাম থানা কোলুপ ১০ তাবা লৈম্নুংদা লুত্তিন মতিক মঙম্বু শজিঙু, কাঙেন থাজা ২ গা তিলু থাজনা শেমগৎ শাগৎপা মশক্লি ।। লাইমিংথোই মশক অসিমক্তু লৈখংলে লৈথমদা লৈথম্মুবো ।। ৬

৫ । মশক অসিমদি থবাক লৈফমদগী লৈখাই লৈথম্লম্বা লৈপিনা মিতমজহুনা শিম্বোংবু (মশেৎ) মরুদা লৈথম্না নাওয়োম্না (নং) লাইয়েক য়াবানা য়োমহুনা হুমিদাং কোলুপ ১০ দগী য়ুংথক খানবা মতুং কোলুপ ২ তাবগী লৈম্নুংদা শেমগত্তুনা মতিক মঙম্বু (ইংঙা, ইঙেন) থাজা ২ গী মঙম্বু লৈহাপ্না শাগৎচবনি ।। লাইমিংথোই মশক অসিমক্তু থংলনি লৈথম্মুরো ।।x

৬ । মরু মশক অনি অসিদি লবাগী মখা, খোইগী লৈথক্তগী লৈখাই লৈথম্লম্বা লৈপীনা অনি খোকচবনি শিম্বোংব (মবোৎ মশিং) মরু অনিনা ওইগম্না (উং, ঙা লাইয়েক য়াবানা নাও-য়োম লৈথানা মতিক মঙম্বু (থবান, লাংবন) থাজা অনিগা তিলু থানা অযুক্কী কোলুপ য়ুংথক খানবা মতুং কোলুপ ২ দগী হুমিদাং কোলুপ ৬ তাবগী লৈম্নুংদা অনিমকপু শেমগৎপা লোইজবনি।। লৈখাইজবদি অমগী শিম্বোংনা (মবোৎ মরুনি), নাওয়োম্না (উং) লাইয়েক য়াবানি ।। অমগী শিম্বোংনা (মশিং মরুনি), নাওয়োম্না (ঙা) লাইয়েক য়াবনি ।। পারি ইচ ০.। তাকওমহুনা মশক ৭ কী লৈতৌবা পরম্মু খংলে, অনিশিক্তু লৈথম্মুরো মথংলেনা, অতুগা মশক ৭ কী শেমগৎ শাগৎপা মরম্বু পাওশাবা লৈফম অসিবু (পুত্তরেৎ শাৎনপুং) মিংহুল্লোঃ অতুগা পারি ইচানা লৈথমখ্রিবা মশক ৭ অসিবু তানয়ৈদে, হাকথি, হাকাম চঙ্গে তিংলি য়াংলিদে অঙ্গ অঙ্গোক্তু পাওথম্নখিদে মশিবু কমদৌবা ? পরম অতুদি মরুনা নোংদম্নবিও ।।x

নমু তাইবং মীবু য়াইবী থৌপুবা

পারি লাহমিংথোই পারি ইচাগী নোংদম খৌদাম্ নপা ঐনা কোম্লৌ ঙসিদগী থৌহৌনা নোংদম থৌদাব্ থৌপুরগা নপা ঐনা নোংদম্ব্ থৌপুবদা থৌঙমনরক্তবদি পারি নংনা নপা ঐবু থৌঙমজনবা তেংবাংবিবা ওইগম্মু।। নোংদম পাওশাম্নগা অতিয়া মরু সিদবনা মহাক্তি মহাক ওইবা থরাই কৌবা লাই ৫ বু শাথোক্তুনা মশক ৭ ভূগী লুরাইদা থুংনিংথৌগী থুঙোম্না নমতুনা লমফাংলগা লৈচংহনখ্রে।। লাইমিংবু নাপললেম্বা, নপকবা, নোংখাইবা, লৈপুবা, লৈশংবা মিংক্তন থাকোএ।। থরাই অমনা খোংজাবীদা থুংলে, লাইমিংবু অমুক (তরৈ হংসং) লৈহন্না লৈ-কমলে।। থরাই অমনা রেন্মু=মিদা লৈথুংলে, য়েৎ ওই অনিদা কম্বান খুদা লৈথানা লাইমিংবু (শেম, মান) থাকৌ লৈজন্না ফম্লে।। অতিয়া মরু শিদবগী মশক্লা খোইদৌগী মথক্তা লাই-মিংবু (স্না লোই হিংসং লোইপূনবা) লৈজন্না সনা কম্বাল লাংতুনা থরাই পুম্বগী নোংদম নোং-খাইবা ওইহনা লৈরে।। পাথংবগী মশক ওইবা থরাই নাপল্লেম্বা কৌবনা কারনগী সনা মুমীগী মথাদা লাইমিংবু (সনাহিং মিকোনবা) লৈজন্না লৈথুং কম্বাল্লে।। লাইরৈমা সনা খোংনাং লৈমগী মশক্লা লাইরেম্বী য়োংকি চৈঙ শুবী ইঙৌ মনাক নকপী ঈমু ঈভাং পানাফমবী খ্বাংনৌবীগী মশক লৌতুনা লাইমিংবু (চিরিও কাডু কাঞ্জরি অরিম্না থ ুং নপ) থাকৌনা মেকবা লাইয়েক্লা (জ্রীং রোং হোং হুং রোং রিং সং) ল ইয়েক যারা ৭ না নাওয়োম থানা পাথংবগী খোংলম্ব লৈয়েং ভুংইম্না শাদোনগী মথা ওহথ বদা লৈথুংন য়েৎথংবা থবাক মথা (খোংশাবিদা) লৈকমলে।। অনি মক্লা তিলু থানা খোংলম অমা লৈফাংলক্তুনা খোইগী লৈথক খোংশাবিগী মথাদা শাদোন লৈশোক্লা কম্বী শেমতুনা লৈরে, লাইমিংবু (খুংরিক) লৈত্রাল্লে।। থৌরম্বু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবী ইমানা ঈশিঙ্গী মশক ওইনা লৈচংলক্তু না ঈরম ঈথোং ৭ পু লেয়াত্তুনা ৫বান্দ সনাযম ওইনা লৈতুনা ওইগী কমখোংবু লৈথুংনা লৈরে।। কদৌবঙ ভমদে মশক ৭ পু মপুক তাথিরে অমুক অতিয়া শিদবা মরুগী খোংলম্ব য়েংঙল্লক্তুনা ঈমু নমথাংনবীগী কম্বাল লৈফম্ব, য়েংলম্না লৈকুম্লক্তুনা ঈথোং ৭ পু ওইথম্না য়েংকী কারন ওম্না লাক্তুনা কম্নখোং ২ বু লৈফানা লৈঙম্নতুনা মমিংবু (সনামুক্তেম্মু নো-সনামনিক) শিংজন্না লৈফমলমলগা ঈখোং ৩০ গী লুতিন মরু ওইনা লৈপুরে, লাইমিংবু (লৈতিং-পুন তরেং জিং হিং) থাকৌনা মরুগী নাক্তা লৈথুংবদা মশক ৭ পু লৈচু ৭ শাথোক্লে।। তনৈদবা অঙ্গো অঙ্গা পন্দনবু থৌভমদে, থৌরম্ব উবদা অতিয়ানা নিংশিংলে।। ঐনা খাবা ক্তোংবদি লাই-মিংথোইদা পীখ্রে, ঐগী ইঙমদি লোইরেনা পাম্ব লাইমিংথোইগী মঙম্নীনা রাখন্দুনা লাইমিংথোইবু থাকৌনবা থৌরাংলে।।x

অতিয়া মরুনা হাইয়ে :— পারি লাইমিংথোই শেমগৎ শাগৎপদি শেমগৎ শাগৎপিরগা তানয়ে ইহৌদে (উংঙা, হুংঙা) য়াবা ঈহৌ ৩বু থৌঙমদনা লৈঙম্মিরা মশক ৭ অশিবু পারি নংগ য়েংঙমলিবরা ? পরম অসিবু থোইয়ুম কন্নাগী মঙয়ো, নপা ঐনা তোংলম্বা (খাবা শাদোংবু) নফমল্লাংদা লৈশিন্নহুনা পারি নঙ্গী নম্মিংবু (নোং লাইগী মন্নুংদা লৈুঙ্গী নমিংদি ও সা ও রা হোং হোং পিংলুপ ও, ও, ও সনা খিৎ .করুংবা উংঙা হুংঙা হংঙা মিংলেনবু পারি নফমলাংদা নপা ঐনা লৈহুনগ্রবা নত্তবরা কম্রিবু হুংবু কাওবনো ? পারি নংদি য়েনথুক য়েনথাক য়াইওইবা য়েনথুরেনবা মশকপু নংনিদো ।। নোংমাই য়েনথাক মথোংদা পারিনা হোৎপু হোত্তুনা মঙৌ মহৌনবা তৌঙম্বীরো ।। নমু তাইবং ৭ পু লৈশক লৈচু লৈয়েংনা তাকওম্বা পাওশা থোপুনা নপা ঐনা লাই-মিং ইহুন লৈতমলগে ।। ফৈদোম ৪ বু লাকওম্বগী পোবলেন শাৎপা লৈহৌ ফম্বী ওইওম্না ময়ুম থুবম শাৎনফম নাম্মা হনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োন্দগী) লৈহৌ শাদম্মা পু ৭ পু শাৎওম্বনি থোকাও-দনা মথংলেংনা থনবা নোংদায়ে ।। মরুগী নোংদম্বু থোপুনা লাইমিংথোইনা মশক ৭ কী থুজ্জিন থাদা থুংনাওবীগী থুজিন্না য়াওুনা মহ রুগী মহাক ওইবা নঙাক, মহাক হাইনা মিংহুন্দুনা লৈফম যম্বাল লৈথানা ফমলে ।। লৈফম অসিদা লৈফমলবদা লুতুঙ্গী চৎলম্বু লৈথল্লক্কুনা মশক ৭ কী লৈফমদা লাইবুংথৌ লাইয়েক ০ না লৈফম ৬ য়াওুনা মরু লোন ৭ পু লৈফম হন্দুনা নোংদম মপা মপুরেনগী থৌগনবু লোকোরৌ অমদা কোলুপ থোংলম লৈশাইনা লৈচংলিবা পরম্বু লৈথম্না লৈ হাপ্পহুনা কোরৌহনবনা লু চংবা লাইযমদা লু ৫ বু থমলে ।। লোইদাম থাজনা লুচিংবা (খাবদা) লু ৯ মরি অম থমলে । পরম ৮ বু থোক লৈখাইহুনা থমলে ।। মমুং মপানবু তুনা হৌ কংৌ লম্মা হনবা লৈবার্দী চৎলম মশক ৭ লৈফম ৬ মচু মঙানবু অনিনা মথংলংনা শমথনা লৈনবা পৌহাপ নোংদমনা লৈশল্লক্লে ।। মশক অসিনা চবানলোন ১০ ওইরগ অমুক (অয়াংওহনা) পোত্তুনা মশক ৬ তা হল্লিন্দুনা (অয়াং নিংঙোনবী) থাকৌনা থাংজামন্নবীদা লৈতিন্দুনা (ওয়াং-রমনাও) ওইরকপা, অতম মরু (ওকপুরোই) ওহুনা মথোই অসিনা লৈনাকি শিন্নাকপা ওইনা টশোই ইরাৎযমদা লৈরশলু । লাইমিংনা উ উমশিৎসং) হাইরগে; লুতুঙ্গী পরম্বু লৈয়েংনা লৈ-হৌখিবগা লাক্কদবগা ভিজু থানা লৈফা লৈথম্না থোশিন পৌঙম থোপুনরকপা উবদা অতিয়া শি-দবনা লুংঙাইহুনা পারি চরৈহন পারি ইচাগী নথুংশু থাংলেনবু অমত্তা মঙাইবা নপানা থংবদা মিংথুন্দে, য়েৎ থাং, ওইথাং লৈশুনবা নপা ঐগী ইথুংশু (পিংৎ থাং কুপফেংশেং মিয়াংথাং) অশিশু থুংশু ওইরো অসি কোরৌদগী হাইনা পিঙমহুনা লাইমিংথোইনা তানফংলে ।।x

লাইমিংথোইনা থরাই পানবা গুম্বগী হকচাংবু লৈপুনা শাদম্বা

হকচাং হাইবা মশক অসিবু লৈপুনবা মশক অমা (শ লাইয়েক্কি মশক্না নাওয়োমহুনা লাইমিংবু

লাইমিংথোই নোংশাবা হাইনা মিংহুল্লে ।। মশক ৭ কী হকচাংবু পুহন্দুনা লৈশিন্নরগা মেরুবা লাইমিংবু (পু'চেপ ঙাংথু,পতু) লৈহুন্না হকচাং হাইবা অশিবু শিনবা থু,ংনা লৈপুন্নবা হকচাঙ্গী মন্নুংদা লৈহাপ লৈথমলে ।। য়েলুপ শথাই নমু তাইবং মিতম্বা ৭ কী থুজিন খাদা লাইমিংথোই য়েনখু য়েনখাক য়াইনা মহাকমক্তি মশক ওইনা মঙম্, লৈহপ্লিবা (নহাক, মহাক) হাইবা মশক্লা য়েলুপ মশক ৭ অহুগী থুজিনখাদা লৈফমলবদা মসিংবু (খুমুতুংইন্নবা) মিংহুন্না লাইয়েকপু মি্ংহিং তন্বৈশং লৈপুবা) কৌনা লৈফমলে ।।x

মতুংদা তানয়েফম লৈফম্, ১০৮ লৈশুনবা লৈয়াং লৈশেংমহুনা লৈযম থুদিংদা লৈফম'ল ।। মঙাং, লুরাং, খুমন অহুম্না লৈতিনফম পাথংবগীনা শোইমাং লুরাংগীনা শোইনিং লৈরোং লৈকা ৪ পানবা লৈফমদা শ্নাফম থুদা অমা থাহুনা লাইমিংবু (সিনাখ) লৈহুল্লে ।। মতুদা মশক ৭ পু মচু মঙান লাকপা লৈহৌরে ।। থৌরম্বু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবীগী মশক্লা মচাগী তেংবাঙ্গে নিংলহুন্য ওইগী কমখোংনা সনাফম থুদা অমা থাহুনা লাইমিংবু (তিনখোইবী) লৈহুন্না লৈফমহুনা লাইমিংথোই মচাগী তেংবাংবা থো.হৌরে ।। পলেম মমাগী কুবী নোংদম্না তেংবাংবীবু উবদা ইপুক হরাও তয়ান্না লাইমিংথোইগী মশক ওইবনা মরু অহুমগী লৈতিনফম্, য়েংহুনা মাগী খোংলম্, ৪ থোক্লা লৈফাংলে ।। মমিংবু (অচাওপুং, চাঙদপুং, পারুপুং, পুনিপুং) কৌরে মবিমক্তি মমিংবু (সংসংদা হিংলিক হো) কৌরে ।। পাথংবগী মশক্লা লৈচংনখিবা থরাই নাপনলেম্বনা খোংনা লৈহৌখিবা মউদা সনাফম অমা মরোং লৈনা ১০ পান্না শেমলগা মনা ৪ বু লৈ বাং লৈংম্না লৈফম্, উন্দ্রা মিংহুন্না - ইপা ইপুগী পোক্ত শাংনফম মিংঙুন্না লাইমিংবু (মিহিং সং শংদা অপাখা) লৈহুন্না ফমলে ।। লাইমিংথোইনা মনাওগী মতৌ থৌরম পুম্বগী লুচিংবা ওঃজনিংববু উবদা শনা পুক্লিংদা খোইজং খোইদহিদুনা উন্দ্রা শিদরা মরু হস্বাল থোং কংলোইয়া কুচু রায়েন থৌদাযম (খোইদৌ শৌরা), কোরৌহনবগী তানয়েফম মিংঙুন্না লাইমিংথোইনা মনাওদা ?'র ।। ওইথম্বা লমদা লৈন্নুং থোংঙারেল, খাবা তাংলোইলাই লোইদাম থাজনা তানয়ে তানখুমনফম থাকৌন লৈফম অমা শেমহুনা থমলে ।। য়েংথংবদা (মমিং সনা (খামদোন অখাম্বা) মিংহুন্না লৈথমলে লৈঙাক লৈকনবু পাওখুম্নবা ।। মচা ২ গী থৌপু খোংলম্বু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবীনা লাইমিংবু লৈমরেল কুয়োম ৭ মিংহুন্না মশক ৭ পু মচু মঙান লৈহাপ্নুনা মচুবু লেপ্লে কোক্তি লৈফমদা লৈকা অনি পানবা ফমলেন অমা লৈশেম লৈথানা কোক্তি মরাল অহুমগী মন্নুংদা থমলে ।। পীগুম ২ গী মরক লাইবকী ময়াই তম্না লাক্নুনা অতিয়া শিদবগা তিলু থানা লাইমিংবু লৈশিয়েল লৈপুনবী হাইনা থমলে, লাইয়েকপু (কুং হিং) হাপ্লে ।। লৈফন অসিগী য়েত্তা (মঙাংলি) ওইদা (লুরাংলি) বু থমলে ।। অনিগী মরক্তা (খুমনলি) থংলে ।। লি ৭০৭ কি লৈপুনবা (শন্নুংদা) থাংহুনা য়াংবী-

তুনা লৈপুরে ।। লুরাং মেন্দা থৃংলে লাইমিংবু (ত্রিঅলিং) কৌরে ।। য়েৎকি চুবাদা থৃংলে শজিক্‌ম্না ভাল্লে, রাকপা কৌরে, লাইয়েকপু (শংহো) হাপ্লে ।। ওইরোমদা থৃংলে, থরাওম্না ভাল্লে, লাইয়েকপু (শোহিং) হাপ্লে ।। মিত্তা থৃংলে, য়েত্তা (মিংচিরেং মিংহিং) কৌরে ।। ওইদা (মিও- রেং মিংহিংমু) কৌরে ।। মিং অনিগী মরক্তা সনা ফম্বাল অমা থারে (কিংতিক) লৈহুম্না থমলে ।। নাগা নাখোং ২ দা থৃংলে; য়েত্তা (ওকপুরোই) কৌনা থমলে ।। ওইদা ভাও হুইরেন কৌরে ।। য়েৎলম থংবা লৈফমদা লুরাং শিদবগী মেনফম্ব্‌ য়াৎলে ।। লাইপক ময়াইগী শমখোংদা (শ্রীং) লাইয়েক হাপ্লে ।। নাথাংদা থৃংলে (কুং) লাইয়েক লৈথম্না ঈরোং অহুম্ব্‌ য়াৎলে ।। থবাক্তা থুংলে, মরোং ১৬ পাম্না সনাফম অমা থারে ।। ভকখোংদা (ক্ষ) লাইয়েকপু লৈহাপ্না থুম্হোকয়াই) মিংহুল্লে ।। লৈকা ১২ পানবা সনাফমদা শ্রীং লাইয়েক য়ারাবু লৈহাপ্না ভকখোঙ্গা থবাক্তা অনিগী লাইমিংবু কোনংসংমিৎ লৈহুম্না থমলে ।। লকাদা হিং লাইয়েক হাপ্লে ।। লকাগী মথা থক্লিন্দা থৃংলে, লৈফম অসিদা মরোং ১২ লোংনা সনাফম অমা য়াৎলে ।। খোংশাবীবু লৈশোক্না দ্রীং লাইয়েক্তী মশকপু থমলে ।। ওইগী খোমখাদা খুমন মকগী মেন লৈফম্ব্‌ য়াৎলে ।। খুমন তানয়েফম মিংহুম্না (খোমাচম্ন লাইনিং চেৎপীনা) লৈপুরে । য়েৎকি খোইথাদা (পোংলম পোংখাংনবী) কৌনা ফমলে ।। থক্তিনগী মথা খোইদৌগী মথক্তা (হুঁঐঁ) লাইয়েকপু থমলে ।। খোইদৌদা থৃংলে, মরোং ১০ পাম্লগা মরোং ২ না শিমুংদা লোত্তৃনা লৈফম্লিবা লৈফমগী ময়াইদা পৃঁ লাইয়েক লৈহাপ্তৃনা লৈথমলগা লকাগী মথা মরি লিশবগী মপাংনা সনাফম অমগা য়াত্তৃনা লৈফম অসিদা ফম্বাংবু ১ খোক্না লৈতমলে, মথক ফম্বান্দা ভাক্রমগদবা (কৌক্র পাখংবা) কৌ- গদবগী লৈতম্না থমলে ।। লৈফম্ব্‌ (অচিবা) হাইনা তমলে ।। মথাদা সনা খোংনাং লৈমগী তমলে লাইমিংবু (নোংশাগী মবেম্না) মিংহুম্না ঈরম ৭ পু শিম্নহুনা থকথা ২ গী লাইমিংবু (থৃংচিরিক) মিংহুল্লে ।। খোইদৌ লৈফম্ব্‌ খোক্তশোম্নু (চিরিক চিরিক) কৌনা থমলে ।। অখোমচি কৌবা লৈফমদগী খোংলম ২ বু লৈয়াং লক্তুনা শাম্নচি—নাতোন্দা থৃংলে ।। লাইমিংবু য়েৎলম্না হুকশো, ভক্টলমনা (পৎশো) লৈহুম্না থমলে ।। খারোমদা অমুক লৈহল্লক্তুন খোংথাদা য়ঁ মথংদা (হিং হিং) লৈথমলগা লকা মরোং ৪ পানবা সনা ফমলেন লুপাঙ্গী শোইনিং, পাখংবগী শোইমাংদা লাইমিংবু (চেখে) কৌনা লৈফমহুনা হ র স, লাইয়েক অহুম্না রাইথু শো ওইনা খোং ৯ বু লৈখিং লৈফারে ।।

মিউদগা, শজুম্বগদা— ফং হং সং বং লাইয়েক ৪ বু হাপ্লে ।।

থৈফেগন্দা,—শং রং লং রং য়ং লাইয়েক থমলে ।।

থৈবাক্তা

খোইদৌদা— ঝং ভং বং ফং পং লাইয়েক থম্‌লে ।।

থজিনলকাদা— নং ধং দং থং তং হাপ্লে ।।

থবাক্ত্রা— নং ঢং ডং ঠং টং লাইয়েক হাপ্লে ।।

য়েৎ কময়াদা- এঞং ঝং জং ছং তং লাইয়েকপু হাপ্লে ।।

ওইগী „ —ঙং ঘং গং খং কং লাইয়েকপু লৈহাপ লৈথম্লগা মিৎ, নাতোন, চিন অহুমদা ঔং ওং ঐং এং ঋং উং উং ঈং ইং আং অং লৈহাপ্তুনা লুরাইদা (ওমহা, অঙো মি মিকোন) পাওশানা কাম্‌লে ।। খুদুক অহুদা নোংমাই য়েনথাক মখোংদগী য়েনখুরেম্বা য়েনথাক য়াইনা মহো মহো লৈফম খুদিং শিন্থুংনা লৈফম্‌বদা (অখোম শিংঙুয়েনগা শম্মোং তাইম্যেনগা) অনিমক্না লৈয়াই লৈশাম্লোন্দগী অখোমচি তম্না লৈকাবক্তুনা ওইথংবা শোহিং খোংলমদা হো হাইনা কামথোকাখদুনা লাইয়েক্তগী মৈ হৌরক্তুনা ফগুবা হৌদিবা লৈরম্বা খৈবিকপু চাকথেক্তুনা মাংহনথ্রে ।। শংহো কৌবা য়েৎকি খোংলমদা রো লাইয়েক্না হনজিল্লক্তুনা অম্মোৎপা থুনাম্বা লৈববু ঈশিংগী মশক ওইনা চামথোক্লে ।। অগুম্না লৈচংদুনা উন্দ্রা কৌবা খোঙ্গী লৈফমদা লৈথুদুনা (সং) লাইয়েক্না শোগী মশক ওইনা উন্ত্রাখোং হাংলে ।। চুম্লেন অহুম্বু চিতিল লৈফাম্লে ।। হগু রগু সগু অহুম্মক হ-র স কৌনা লিস্তিন লৈফম্লে ।। খোংলম অসিবু কাইদনা হনা অমুক থোক য়নো অমুকচং সনা অমুক খোংথাংনা অহুম মক্না তিলু লুতিন থাবদা তানয়েরে: তিংলিরে উংঙ', হংঙা, শুংঙা য়ারা অহুম্বু লৈরাওনা কাইনা শেংনবগী য়্যরাগুম্বা লাওরক্লে ।। হাকথি হকাম চল্লে ।। লাইমিংবু (হকশো পৎশো) লৈহল্লে ।। খুদক অহুদা মশক ৭ অতুগী খুঙ্গংবু পাখংবনা পাইদুনা য়েংবদা পাখংবগী খুদোম্বী (তিং তিং) হাইবা ঈহুম অমা থেনরক্লে । হীঃ মশিদ করিনো অশাই মখৈদি লৈতে ইপোম অসিনা ইহুনলগা নমু তাইবংমী হাইবা মশক অসিবু শাফাংদুনা উংঙা লাওগশিদনা মশিদি মীবু হিংজি হিংদে লৈথনবা ওইরে, মানা ইহুল্লগা মীবু হিংলিদনা, অহিংবা মশকপু ওইবা অশিদ (মিহিং) হাইনা মিংদুনবা তাই হাইনা পাখংবনা পাওশাদুনা লৈঙম্বা লাই মখৈবু থংহল্লে ।। পাওশাবু তাবদা লাইয়াম্বু চংদুন লৈকম খুদিংদা পাইদুনা য়েংনৈ. মশিদি মিহিংনা তান য়েবগুম য়েনা হাইদুনা লাইয়ামশিংনা মহৌ মহৌ ইলাং লাংনদুনা মশক ৭পু য়েংনবা কদাই কমদৌবা ঐগু অমুক্তা য়েঙ্গ পাওশানদুনা ইস্নোক ইনশিন তৌনদুনা চংনরিভৈদা নারোন্দা পাখংবনা মশক মকোক লেন থংববু কনাবু থংহন্দনা লোম্না পুথ্রে ।। খোইযুম ময়াম্না নমু তাইবং উংঙা লাওরে মকোক অথোই চংখোনবা তানফংবদা রাগুম্নবা মচু ৭ পু শাকোংনা শ ৎঙম্লে হাইনা খোইযুম অনি তিল্লে পাওশানা অহুম্বু তিল্লে শিংথানবা মুংঙাইনববু তাবদা অতিয়া মরু শিদবনা হাইয়ে । লাইমিংথোই নমু তাইবং ৭ পু পুঙমলক্লো অঙ্গো অঙ্গা পানঙম্নবদি মশক মচুবু লৈয়েংনা এলুপ শথাইবু নপা ঐবু নোংখাইরমগে ।।

পাখংবনা তাইবং মশক ১ পুখিদুনা কৌক্ক লাইলোংবা লৈহুনবা

মরুগী নোংদম তাবদা লাইমিংথোইনা নমু তাইবংবু ল্লৌশিল্লগে লৈচংবদা মশক তরুক্তা ভাইরমমে লৈহংনবদা খোইয়ুম কনানা খংভি উই পাওশানদরে ।। লাইমিংথোইনা খোইয়ুম কোইনা লৈওম্বম্ববু য়েংবদা মশানৌ পাখংববু উভমদে ।। মাদি কদৌনোংখিবনো মাইগৈ ৪ শুংদাই ৪ বু লৈফানা য়েংবদা মনাওনা নমু তাইবং মকোকলেন্দা লৈথম্বা মশকপু ঔব্রাং কৌনা চীংথক্তা থৌহু মুংপাক ১দা লোংনা থম্লগা নাশ্ব্রাবু লংনা পাওশানহুনা (অঙ্গারা অঙ্গুরা) পাওশা পাওহংনা নোকমিগ্রহুনা লৈবা উরে ।। লাইমিংথোইনা হাইয়ে মরু মশক্তি ৬তা মওাইরে অমদি ইশানৌ কোঞ্জনতুংথাকপনা পুঙমখিত্নুনা (থেঙ্গুম চীংদা) থৌহু থক্তা লোংনা লৈথম্লগা নওরাবু (অঙ্গো অঙ্গা) থাকৌনা লংনা পাওশানহুনা লৈঙমখরে, নোংদম্ব করম লৈতম বিগদনা ? মশক অশিমদি ইশানৌগী লুলেনগা লৈতিল লৈথমজগে নিংওম্বগুম তৌজবরা মরুনা কুবিনোংদম ভম্বীনবা থৌওম্বীবনা যাইফংনবা ওইগদরা ।। কোঞ্জিনতুংথাকপ ননাও অসিবু থৌহম খুদিংদা মাগী (কাংলৌ লৌশিংসি) থৌপুনবা হৈওম্বদা পারি ল ইমি থোই ইচানা নোংদম্বীংবা থৌওম্বু থৌওম্মবা তৌংশ্মো ।। মরুনা নচাদা কবি নোংদম পিওম্বীবা নয়াখং থৌওম্নবা থৌপুজগে নচানা অতুবু লৈওম্বা পুম্বগা লোইননা মরুগ ।। খংভে লাইমিংথোই পারি ইচাগী নথৌজান খোইয়ুম লাইয়াম্বু পুহুনা মপা ঐবু চংওমগ, লৈচনখিবা ওমদনবা লৈকোই লৈংংনা লিফাননা লৈথম্নবা থৌপুরমগে মশক ৬ লৈওম্বদো তিনহেং লাইয়েংপা ওমদনবা মতিক মওম্বু লৈংংনা লৈহাপ লৈথম্নওম্নবা নোং কোরৌ খবদং লৈথম্নবা তৌওম্নম্ম মরুগী নোংদম থৌদাবু থৌপুনা লাইমিংথোইনা মশক ৬পু অাঙ্গা অঙ্গা তানফংযম লৈফম ওতুদা লৈহন্না লৈথংম্ম ।। লৈযম অতুবু মরুগী পাওশা য়াব্রাবু কৌত্নুনা (পুংসাংওম পুং) মালা ইশুন নিংশা ইহোনযম মিহুন্না মশক ৬ পু লৈংম্মগা মরুগী হৈনা থোগন তৌহুনা খোইযুম লাইবুংথৌ খোইয়ুম মুরাবী লৈওম্বা পুম্বুগা লোইনহুনা ঔব্রাং থেঙ্গুম চীংদা য়োংক্রুনা বোঞ্জংতুংথোবপবু চেনখি চেংখিবা ওমদনবা খুংশম্মনা কোইশিন্দুনা থংলে ফারে ।।

লাইনুরা লাইগাখং লৈখাই পাওশানবা

হাখেকু প্রাও প্রাও,
হোপরাহৈ হোরিংথিং
লোম্নক খাওনরু ফদি ফোংচিন মফোংচিন
য়েত্তুম হুপ্তিন মহনজল
হোপরাহোই হোরিংলিং
লোম্নরু খাওনরু ফদি ফোংচিন মফোংচিন
য়েত্তা হুপ্তিল মহনজল ।।
লাইরেম্বীশিংনা লিরোল পাওশা :
শলাইলেনগী লৈফমদা নোংথৌ থোঙ্গা মতোঙ্গা
থৌঙ্ভু মুংপাক মথক্তা নাওরা হুম্নি শুবনা
য়াহিপ ফম্বাল লাংডম্না
রায়েন থৌদা নোংদমগে
য়াহিপ চাকচা লৈতম্নিবা
মপা কনাগী মচানো
মমা কনানা পোকপনো হয়ম হোযাহে ।।

লাই পাথং লাইবুংথৌ মথৈনা পাওশা পাওথুম্নে—

নোংম্না মউ থাবনি নোংদমগী থৌদা থৌপুনা
চাম্রিকু মপান লিংবনি হৈয়ুমহে হোয়া,
হৈ যুতে হৈ য়াতে, ও হোয়াতে ।।
অঙ্গোএ অঙ্গোও, ও অঙ্গোএ ।।
উংঙা হুঁঙা হুম হুঁম ।।

অঙাঙ্গ মশক উবদা হয়াও তয়াম্না পাখংবু লৈকোই লৈথং লৈফানরিডৈদা লাইমিংথোইনা য়াহিপ্নিবা মুংফাল অতুগী মমাংদা লৈকোই ইশাইফু) অমা লৈতৌদুনা থমগল্লে । লৈকোই ইশাইফু উবদা লৈশিরেন লৈপুনবিনা মহাক্তগী তরং ইহৌহন্দুনা ইলুবু ইমাই চোম্না লৈহাপ্লে ।। থৌরম অনিবু উবদা স্না থোংনাং লৈমনা মহাক্তগী মহাকুম্বী অমা শাথোক হন্দুনা ঈফু মচুংদা

চোংশিনখিত্না শ্রাগী মচুনা তমজবা শ্রা থম্বালগী মশক ওইনা শাথোক্লে ।। শ্রা থম্বালগী মমুংদা লৈকা মনা লিপুল লাপুন্না য়োম্লিবা ময়াইদা লৈবা (থমচেৎ) অহুদগী মিরাং মরিগুম্না ইহৌ ইকাপ্লকুনা নাওরা হুম্নি শুবগী মচিন্দা তাঙরে । অঙাং হুম্নি শুম্বনা ঈরিক ইকাম্নকপবু খাবোং থম্না য়াহুনা ঈথকুনা খেক্রা খেক্রা নোত্তুনা য়াহিপ চাকচা কমফম্বু লৈতম্না লৈরক্লে ।। খোইযুম শিংনা মাগী মঙম শিন্থানরিঙৈদা লাইমিংথোইনা থেঙ্গ্রুম চীংলেনগী চীংশাংদা লৈকোই ইশাইফু ৭পু লৈশুনবা লৈৎৌত্নুনা লৈথমলগা হনগুম্লক্লে ।। লাইমিংথোইনা হাইএ, খোইযুম লাইয়ামশা নাওরা অসিদো হৌলম্মুহনবা কংলৈপুংমাইয়োন লৈবাক্কি কুবি নোংদম্বা মতিক মঙান লৈহাপ লৈথম্নবা নংনা নংনা লৈওম্বা নওম্ব, লৈহাপ লৈপুনওমশে অহুগা মশক অসিদো কোরৌ অসিদগী মঙাংলুদা লৈতিনখ্রবা মশক্কি ।। ময়াম্বা ঐগী এলুপ শখাঙবু লৈতিনবিগে নোংদম্না ইশানৌনা লৈয়ৌগ্রবা নোংদম থুন্দা লৈহানবনি পদম্ব কাইদনবা খোইযুম পুম্বনা লৈহাপ নোংদম্বীরম্লো ।। লাইমিংথোইগী নোংদম্ব, থৌপুনা খোইযুম পুম্বনা তাম্নহনা (থ, ক, খ, ন) লাইযক ৪ না মাইনৈ মনিংগী ৭ ফা উগুং চুক ওইহুনা লৈফানা সুংহনা ফিরান মচু ৭ পু লৈংথৎনা চুকফা নাওথেমহুনা অংংবা মথক্তা অঙৌবা খকখন মথোন ৭ লৈখন্না নাওরা হুম্নি শুবগী মিংলন মিংহুন তম্নবা থৌপুনা ।। খদক অহুদা লৈক্কুং লোংঙাবেন্ন মথুংশু খোইরৌ লিখৎ শঙনা নোংদম কোলো-

লৈয়ৗনা চংকক্তনা শাইএ, খোইগমশা লাইমি থোনবা ইওম্নি ঐনা লেহুন তমগনি লৌ-নাঙু মিংহুন লোয়াং লেক্তুনবু লৈরম্ম ।। নোংমগী য়াইবী কোন্দগী শাথোকপা নাওনা হুম্নি লৈচংবা নঙ্গী লাইমিংু মঙাংদা লৈতিনংগ লৈখংনবা (শ্রা কোঞ্জম্নাংবা ঙাংজ্রংবা) থাকোগে ।। লৌহু সুংপাক মথক্তা লোংনা হিপ নাখংম নাওশুম্ব তম্বদি (লাইনোংবা) হাহিংও অশনবা হাহুমগে । লেশংদ শা থাকংদ নোংদম হাল্লি খংনবা (লৈথুবেল থুন্দা অহানবা ওম চিরিং কৌওম্ল ।। থুং থু ংংবগা, পোইরে মোইরে চাম্বগা ২ না মথুংফ (থুং থুং পেনা থুৎ থুৎ লিবেন্না, ইবাংথেন পুংনিম্ননা মথুংফ তানখেন লিবৌ খাইনিহুন লাইলোংবা নমু থুন্দা অহানও বগী মঙং নাওয়েনরক্লে ।


উবা আরো ইরি হোইরো হোইয়া
অ আ, আ সো, ইংসো ইংসো
নোংদোন লৈরোল লৈহান খোংচংদা
নোংদান খোঙ্গা লৈতম্নবা
লোইবি থেঙ্গ্রুম মঙান্দা
অঙৌবা থকখন্না থক্তা থোন,

১—সনামহীগী মশাই করনবা মকমদগী শখিবানা তাকপা ২ মেৎতুনা শখিবা মতম। ৩ পুখোকখিবা মুমিৎ।
৪—চেনী মমিং : —মঙাং, অঙোম, লুরাং, খবাঃ ভানবা; মোইরাং থুমন। ৫ ইরুধৌশিঙ্গী মমিং। ৬—মচু ৭—নাইহেনবা পোৎ।
৮—কংকদবা লৈ : ৯ মৈ লৌফম ১০—অপোকপা থুকুম্বদা য়াওগদবা মুঙ।

১	২	৩	৪	৫	৬	৭	৮	৯	১০
লৈফম লৈ.বীবা	লৈমেৎপা মতম লোইচুনা শাবা	শেন্থোং ঙৌবা	নাওয়াম	লাইমিং	ফিশেং	থিকশেং নভাইবা	লৈথেং	মৈ	মুঙমচু
খোইদৌ লৈফম	নোংভান কোলুপ ৬ তাবদগী ১০ তাব মনুং	হেয়েৎ মক	অঙ্কহং	ভাংবারল চংত্রেংবা কোঞ্জল্লাংবা	ভাংভ্রনবা মচু	উহংমনা নাপী শীংবী	থম্বাল ১০৮ অভাংবা	মৈ মৈ মৈথাং মৈশেং	ভাংভ্রনবা মুঙ অভুম্বা
খোইদৌ মথং খুদোল অনিদগী	নোংভাল কোলুপ ১ তাবদগী ৫ ৬ । ফাওবা	হুংশিং মক	নং	পৌপ্রুলেল শিদবা কুপকোপো	অঙৌবা থ ম মচু	তাইরেনগা পুংফাইগা	থম্বাল ১০৮ অঙৌবা	তাইরেন্দগী মৈবা	মুঙ অঙৌবা
শজুম্বা লৈফমদগী	লেংভান কোলুপ ১০ দগী ২ তাবা ফাওবা	অশিং মক	সং	আ ভাংব- রেল কো প্লিংল্লাংবা	নাপু ভাং- ভ্রানবা	খে ক-উ রাখোক মনানি	খোঙ্গল মেল্লৈ	খোইজু মৈথাং	মুঙ নাপু মমুং ইনবা
থঙ্জিন লৈফমদগী লৈয়েৌবা ২	নুংথিল কোলুপ ২ দগী ৩ ফাওবদা শাদম্বা ২ দি	মরং মক	হু	তাওবুং লেনশিদবা	খে মচু	নাপু শেম্পু	লৈশং খেকবাইবা	মৈথম য়াই বীদগী	মুঙ অমুবা
		মশিং মক	ভা	চাওবুংল নশিদবা	লৈচেং	,, ,,	মেলৈ	,,	মুঙ ভাংতক তৌবা
থবাক লৈফমদগী লৈয়েৌবা	চুমিদা, কোলুপ ১০ দগী ২ তাবা ফাওবা	মশেং মক	হু	বো পোবোং খোকস্তাইবা	লৈচিল অরাওবা উৎ মচু	হুপ হুপ্লাং	একম লৈ	মৈথাং	মুঙ অরাওবা
থাগী কোক লৈফমদগী	নোংভাল বোং ৬ তগী ১০ তাবা ফাওবা	মকাপ মক	কোং	ক.দিবোং	নেংথৌ মচু	খোকনাগা পুংফাইগা	কাক্লৈ	তাইরেন মৈবা	মুৱেশং থানবা

অঙাংবা লৈচুনা খাদা খা,
মঙান মচু তরেৎনা
নোংদোন থকখন লাংচুনা
মাইগৈ শুংদাই নিপান্দা
মচু তরেৎকি ফিরান্না
মাইগৈ শিন্না য়ুংচুনা
নাওরা হুম্নিদা ঙাইববু
থোচু ঙাংবা লৈথক্রা
নাওশুম ফম্নে থাদুনা
অঙাঙ্গী ফম্বান তম্ববু
মিংচন্না লাইমিং শিংথানা
মিংলেন শিংথক হাপ্পগে,
খোইয়ুম তাদবা তাহৌরো
থংদবা খোইয়ুম থংহৌমো
ইংসো ইংসো ॥২

হৈযিলে হৈয়িলা ও হৈযিলা ।।
ঔরাং থেঙ্গু্ন মিৎলম লাইচি অশুপ্পা
লৈলুরেন খুন্দা অহানবা ।
নোংদমগী মউ থাবিবা
চারি মপান লিংবিবা,
অঙাং হুম্নিদা ঙাইবনা
নোংথৌ শৌরাঙ্গী লৈকোন্দা
রায়েন নোংদম তম্নিবা,
মপা ফনাগী মচানো



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

মমা কনানা প্যোক্পনো,
মরুগী নোংদম থৌপুনা
লাইমিংথোইনা শাংপনি নোংদম্বনা মপানি ॥
কংলৈ শংবগী লুতিন্নী
মঙাং য়ুমদিন লৈতাবা
খুন্থোক খুন্দা অহানবনি ॥
ঔরাং কৌত্র, অশুপ্পা
নমু তাইবং পুম্বগী
নোংদম্ব, খুন্দা অহানবা ॥
কংলৈ সনা লৈবাক্কি
মউ উরেপ মকোক্কি ॥
নমুনা খুন্থোক লৈহানবা
নাওরাবু কোরৌ হুম্মিদা শুবনা
মাইগৈ মরি শুংদাই মরিবু লৈত্তুনা
বায়েন নোংদম লৈফম্বা
কোরৌ হুসিদগী খুন্থোক খুন্দা লৈহৌনা
থোইয়ুম লাইরকচন্দবু
নমু তাইবং মশক্না
থোইয়ুম অথোইবা ওইত্তুনা
লৈফম ফম্ব ল লাংবিরো হৈয়ম হৈয়ম। x

লাইয়াম পুম্বগা লোইনদুনা শারোই ৭১-৭৪-৬১ গী পরম্ব, শিল্পাক্ল মৈথয়য়গা থোইয়ুম পুম্বনা থৌখম্না অতিয়া মরু শিদবা হোৌলম্মা হনবা কংলৈপুংমাইয়োন্দা লৈহল্লক্রে ॥x

লৈহৌবা মশক ৬ পু মমিং মিংহল্লুনা চৎলম নোংদম্বা

অতিয়া সিদবনা নোংদমলে, লাইমিংথোই মশক ৬ লৈঙম্বহু কুচু শংলেন অসিদা পুঙমলক্লো ননাও অসিনা তৌঙমদবা লৈতবা অসিনা কাইঙমহুনা থোঁঙমহৌদনা তোকঙমলনি, পারি ইচানা শেমগৎ শাগৎপিবা মতমদা মকলোন লৈঙম্বগা তিলু থানা লৈমেৎ লৈশানখিববু লৈয়েংনা মিংলেনবু লৈহুন চৎনলম্ব নোংখাইনা এলুপ শাথাই লৈয়েল্লমগে ।। নোংদম্ব রাবু থৌপুনা মশক ৬ পু লাইমিংথোকনা (লুরাং নোংফং শঙদগী) পুঙমলক্লুনা কুচুশঙলন্দা অতিয়া মকগী মমাংদা মথৎলেংনা থমলে । মকনা হাইএ, কোঞ্জতুথাকপা মশক অমদি নংনা তিলু থানা [illegible] তাইবংবু লাইবমালনগী নুংচিংবা খাঙযুম পোল্লন ওইনা লৈবাক্কিদমক লৈথমগ্রবনি। লৈশক ৭পু লৈশনবা পারি নংগু লেফম্বা অসিদা যাংঙমলো । নোংদম থৌদাবু থৌপুনা কোঞ্জনতুথোকপা চংঙমলক্লুনা মশক ৬ কী কোক্লেন্দা যম্বাঙ্খ্রব ।। মকনা হাইএ, (কোংলৌতোন লৌহিম্বা) [illegible] পারি নংশে [illegible] খুদিংদা [illegible] লুচি বদা [illegible], অতোংবদা [illegible] লৈফম ওইগেদা মঙাইবা, থোকমশু খংদবা নঙম [illegible] লৈংপ্পা অশিবু কমদৌনা তানযংনগবা, নয়াম্বা লা-মিংথোইবু লৈক্রবদি [illegible] কবিবু [illegible] গবানা, [illegible] নীংবা থৈদিকপু তান ফংঙনবা রাথন্দুনা নয়াম্বনা [illegible]দম্বা.দা, পবম অসবু লৈখ [illegible] খুদংব লৈপাইন, পুকমহুনা থৌনিজো ।। নযাম্বংনা নোংদম্বা [illegible] মুতিন [illegible] থৌ [illegible] অহুং খোঙম থোপ্পগদবনি [illegible] নথা [illegible] নমথেক নমজ থোপ্পরবা [illegible] ফম [illegible] দবা [illegible] ।। হৌজিক্তি মশক এলুপ ৭ লৈথাইবগে [illegible]

অতিয়া মকনা মশক ৬ কী নোংদম্বা [illegible] পারি লাইমিংথোই মশক ৬ অসিগী তৌ অঙমম [illegible]হুনা নুচিংবা লৈহাঙ্গীরবা মথোং [illegible] ননাওনা ওইশনু ।। অহুগা কোংহতুথাকপনা লৈবান্দী [illegible]ংবা ওইদুনা এলুপ শগাই ৭ কী নুচিংবনি পু ৭ কী শা থাবফম ক লৈপুং মযোন্দা পিবা ফম্বাল লৈ মচু লৈশংদবা য়াদে, লৈযম অসিদা [illegible], লৈগদনা লাই-যম্ব লৈথংদবা য়াদে লৈবাক পুন্নমদি [illegible]নফম মউ উরাংনি ।। অহুগা লাইমিংথোই ইচানা খোইযুম পুম্বগী নুচিংবা রায়েন [illegible] । থৌপুনা ননাওবু শিঙাক নোংদম্বা মশাইকোন্দা নোংদম লৈথম্বীও চৎলম পুম্বা শিং। নোংদম তম্বীও। লাইমিংথোংনা নোংদম্ব থৌপুদা মশানৌ কোঞ্জন তুথোকপর খুদোং পালোইনা পুহুনা লৈঙম্বা খুবম লুহুংদা মিংগুল্লগদবা লৈফম পুম্বা লৈতা কলক্লে ।।X

লাইমিংথোইন কোঞ্জন্নুথোকপদা লৈগুবা লাই তাকপা

ইশানো কোন্দে তনৌবা নংনা ফম্বাল তোংবদা মশক পরম অসিবু কাওরোইদবনি ।। উশোই ইরাংফম কৌবদি কংলৈ শ্না পুং মাইয়োনগী মেন্দোংফম লৈবি তোনশোন মরি লৈফম্নু হাইবনিদো ।। কারন মরিমক্তা লাইমিংথোই কৌব্র, অচিবনে, মারহনবনে, রাংএম্মে থাংজিংনে, মরিমক্তা লৈবাক নোংথৌ তুনা চিরা অমদা লাইনিংথৌ কোংটিংলেন্না লৈকংলাই থাকৌনা চিরা অমদা ফমলে ।। ঙাকপদি কোংটিংথৌনিদো ।। চিরা অমদা লাইনিংথৌ কোন শংলেন্না, লাইকিংনাইবা কৌনা ফম্লে ।। ঙাকপদি কোংটিংলেন্নি ।। চিরা অমদা লাইমিংথোই অপুম্বা রায়েন শোইফদবনা পোকপী শানোইশিংথাভং কৌনা ফম্লে ।। ঙাকপদি য়োইঙাইবনে ।। চিরা অমদা লাইমিংথোই শলাই-লেন্না, শ্না থম্বান্দা ফম্বা অচিবনা নোংফুরেন কিংনাইবা কৌনা ফম্লে ।। মরি মক্তা ফম্লবদা অতিয়া মরুগা অপাম্বাগা বৌনবা উমুং ময়াই লৈপাফ নোংথৌতুংগী মতোন্দা (নোংনাংলেন অপোবপা কৌনা) ফমলেংদা ।। অগুম্না ফম্ববু লৈমুং থাবনা মপুক ভাথিরহুনা তেংবানপ্না শিঙ্গুংনা পুরিবদি ঐনি, মগুম করিবু লৈহুনা ফম্বা শাবা হাইহুনা লৈবাকপু মাংহনগে ত্রৌবদা মাংহনবা ঙমদহুনা মানা ওইথিবা মশকপু হাইগে ।X

মহাক্তো মরুনা করি ওইহনখিবগে খুংঙো তাও ঃ—

লাইরেল য়াংবী খুদোনপান যুমজাও কংলৈ পুংমাইয়োন তুবালাইদি শেম্থোনাই খুদোন (মনিনা খুদোনপান) কৌবনি ।। মথানা – ঙায়াম্নি, হকচাংনা— যুমজাওনি, থনাক্সা– কংলৈ পুং মাইয়োনগী চৎলম্নি, চিরক ফাদোং ফম্নি, শেন্দি – লুতোনফম্নি, মিত্তি—মুংঙাইবা পাৎনি, না-তোন্দি—খাবুং লাইবুংনি, (উ.ফাংপাৎ পুঙ্গাইপাৎ) কৌবনি ।। নাকোং অনিনা—শোরোক থোঙ্গ মুপী থোঙ্গনি ।। থয়াত্তি থাপাৎনি=লুত্থুং লুচামপাৎনি। নখাংদি অয়াং শিংথাফম ওহএ। নাগী মতোম্না খোংশংনে=ফম্বাল তোংফমদা লৈএ ।। যানা জুরাং নোংফংপুংদা থম্মি ।। মরৈনা—নোং খোংবা শভদা লৈএ।। (লৈফম্বীপাৎ অসিনি) ।। লৈতোম্না—কাংপাকপী পাত্তা লৈবনে।। খুমাং অমনা—কোলৈমা য়োনা লৈবনে ।। খুমাং অমনা - চৌপ্ পুংয়োনা লৈবনে।। মশম্না – শমদোংজু পাৎ য়োবনি ।। মচি মাপন পানবদো মঙাদি মকনা ফুক্তোকখে ।। অমদি – ফুঙ্গা মখোং মরু চুল্লেন ও ওইনরে ।। অমনা—, মুম্বীরেন ওইনরেদো ।। অমদি—(চিরংলেন ঙাংঙাংবা) থাকৌনা

অতিয়া মরু শিদবগী থুংলাই ওইখ্রে ।। অমদি— রাঙ্গান ইশাইফুদা থম্লি ।। অমদি— জানশন্দা থমখ্রে ।। লাইয়াম্মা তাম্নহুনা নিজবা মচি ৫দি থৌম্নম অসিনি ।। মচি ৬দি চাইহুনা লৈরি, মফম থংদ্রবদি লৈবাক মাংঙি, মতিক মওম ময়েং তাই লৈফম্থু খংজরবদি ফম্লাই যম্লাইবা মতিক মওম্থু লৈচাওজবা ওই ।। পিবানা ফম্বান তোংবা তানফংজগনি ।। তেংবানববু শিনবা থুংনা লৈপুবা লাইনি ।। ইরাংফম থৌনিবু থংলবদি তিন্থুং লাইথংবু তিনকোক লাংকোক্লগনি লৈফমদি মাইগে ৪ শুংদাই [illegible] নি ক্যোংচিংদা লৈবনি ।। নোংলুম পাৎ অনিদা য়াতাথিবনি ।। কংলৈ পুংমাইয়োন্দা তুবা পাফন অহানবা হৌ কংলৈ লম্মাইনবগী কংলৈ পাফন অরিবা তুবি লৈরোং শানা কোম্ভাবা কৌনা লাইমিংবু (তরং লৈশ্না লৈতোনশি কংলে [illegible] নশাবা) কৌনা লৈবনি ।। মৈরমদা রাইরোব [illegible] বোনবা লৈফম্থু য়ৌবনি মথা শংথুংদ ([illegible] হিংনপম [illegible] মেংথম্না [illegible] লম্থু য়েবনি ।। অনাং [illegible] চংথৈদা (তেংনপোক মা[illegible] [illegible] বা মেম্না কোনবা লম্থু য়ৌবনি ।। মাংলম [illegible] মরু (কাং) য়ৌবনি ।। [illegible] জাইমিংবু (কোং) [illegible] ।। মকন্সী শ্না ফনথোংবু ([illegible] পংশংবা পুরেম্বা) কৌএ ।। [illegible] ফম্বা অনিমক্তা লাইমিংবু অচিবী, অচিবা কৌবনি ।।×

[illegible] দলাই, মনাওগী মযমদ মযাম্থুং লাইমিংথোইনা মাংলা শাথোক্লবা [illegible] [illegible] লৈফম্বা [illegible] ১০০ [illegible] লৈগুনা লৈতাকপীহুনা ফম্বাল লৈফম্নদা থৌওম্থু [illegible] ফম্বাল মেনশংবু (উদ্রে =[illegible]) [illegible] ।। [illegible] নোদম [illegible] তামা শাড়না (অতিয়া মরু শিদবগী [illegible] ১ । কাইবরোক [illegible] [illegible] পুনবীদ) লৈ [illegible] ।। [illegible] লৈতাক লৈকল্লান বাবা শংলেন [illegible] লেত্তম্ম [illegible] । ৪ । অমাই অনপ লোশঙ্গ শংলেন অমনা নোংপোক [illegible] ।। মতুংদা লাইমিংথোইনা [illegible] ([illegible]) বু [illegible] ফম্বাল লৈফমজনদা [illegible] ফিরেন [illegible] [illegible] । [illegible] লৈমনা [illegible] ।। [illegible] পিনা [illegible] মাইথিবনা [illegible] [illegible] ।। [illegible] মাগী [illegible] লোপিন্থুনা [illegible] [illegible] তোংবা [illegible] ফম্ব [illegible] লাংদি নদুথো কোক্ত থাবপা [illegible] কোং [illegible] অসিগী লাংবকচম পিবাবু লৈথম্লবা [illegible] ফম্বাল তোংহুনা রাংয়ন থৌপুরেদো ।। অতিয়া মরু শিদবন [illegible] লাইমিংথোই খুং

ছুপাল্লাংদা শাছুনা নমু তাঙৈবং শেম্ববু লুতুংদা পন্নি ইচাবু রাওম্বনি পি-পা লৈথমছুনা পাদগী পীনা লৈম্নৌছুনা, পীগী শিয়োম্মুংদা লৈচংনছুনা শেমগৎ শাগত্তুনা তাইবং মপোক অমা শাথোক্কুনা লৈ-ফম খুদিংদা লৈথম্নবা থৌপুন্নশি নোংদমছুনা লেপ্পরে ।। মতুংদা য়ুম্বানবা থৌরাংনরে ।।x ।।x

লাইয়াম্না তাইবং মপোক শাথোকনবা রাখম্নব

হৈয়ম হোয়াম্ছে থাংজিং, রাংব্রেন, খপ্লাংবা; নোংপোক অপান্বা মার্জিং, চিংথৈ মরু অচিবা, নোংচুপ মরু অশিবা, লৈমুং থোংঙারেল, খাবা তাওরোইলাই লোঞ্জা অরিবা মাপনমক্তা লুচিংনা খোইয়ুম উমং লাই পুন্বগা লোইছুনা লাইখুন্দিন থেঙ্গ্রুম চৌংদা থোঙ্গরক্কুনা কৌর্রু লাংলেংবগী মফম লাংদা পাওশারৈএ ।। অরাংবা লাইবু লৈশুপ্পা লৈমাই খুন্দা অহানবা নফম্নাংদা নোংদম্বনা মোংদমখিবা থৌরম্ব, মমুং মতম লৈহেল্লবদা ওইঙম্নদ্রিবা অসিদো করি মুংনা ওইদবা, ওইদনা থৌশিনবিরো উঙমদ্রিবা তাইবং মপোক খোংলম লাইরকচনবু লৈশিন্নবা তৌরশি ।। খোংচুন পুন্বনা লৈকা লৈফম্ববু থৌহৌবিছুনা নোংদম্বীবা থৌদাবু থৌঙবা থৌপুজনি খোইয়ুমশিংনা তাইবং ইপোক খোংলম্ব লৈথোনববু মহৌ মহৌ নঙমদবনা ঐবু ভাইছুনা নৌরবনি মমুং মতম্ব লৈহেল্লবনি অসিদা অম্নবু থৌশিন্দবা অসিবু কনানবু! কৌব্রু লাইসোংবগী রাবু তনদা লৈমুং খাবা তাও-রোই লাইনা হাইএ— অরাং নিংথৌ লৈশুপ খুন্দা হাইনবা থৌরম শাথোম্ব থৌবু থোয়াংবা অদুদি ঐগী ইঙল্লি পরম অদুদি চিংনবিগনু ।। অদুদি নোংথৌ সনাযম্বানবা তেংবানবা মপুরেন উংগৌ য়াইবিরেন সিদবগী নফমলাংদগী ঐ হোইদোক্লুরগে খোইয়ুম পুন্বশু লৈহনবিরো পরথু কাইদনবা খোইয়ুম পুন্বনা থৌঙম্নবা লৈয়াইরেনগী থৌরম্ব থৌশিনব থৌপুনবিরো থৌশিন্নরগা কোব্রৌপাংনা লৈকারক্লে ।। x

থৌরম পুন্বু খোইয়ুম লাইয়াম্না লৈমুং খাবদা লৈশিন্নরম্মগা মাগী মাগী মশাইকোন্দা লৈহনখরে । লৈমুং খাবনা কংলৈ পিবা মৈতৈগু পান-খংবা কোঞ্জুতু থাকপগী মফমলাংদা লৈচংলক্লে ।। পানংবনা হংজি, লৈমুং লোঞ্জা অরিবা খাবা তাওরাইলাই নংবু করি মুঙ্গীবু লাকপনো? মৈতৈগু হৌলপ্পা হনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু লৈশং ফম্বান থৌপুবা লুচি পিবা নফমলাংদা লাকচাবদি লুচিংপিবা লৈহাপ্পুনা কংলৈ সনা ফম্বাল লৈশংবশিবু ঐগু থরদি য়াওজগে নিংশিংজবা লাকচবনি ।। লৈমুং লোঞ্জা অরিবা ফম্বাল লৈফমদি অমতনি মরুনা নোংদম্নম্বদি করিবু কমদৌনা ফম্বাল লৈফম আন থোক্লা লৈথাই লৈফম্মগনি? মৈতৈগু পিবা ফম্বালবু শথাই এলুপ্পশি সিংশিং পরম্ম নৎচদে, অদুদি

থাবা তাওবোইলাই নংবু কমদৌনা কংলৈ সনা ফম্বানবু লৈশংবা য়াওগে হাইবনো? মৈতৈগী কংলৈ পিবা, লৈবাককী মপী মপা মাংলবা মতমদা মৈতৈশিংনা শাথোক শাফোংদুনা লৈগম্বা পুম্বগী মপি মপা ওইবিনবা লৈঙাক লৈপানবা লৈহৌবিবা মতুংদা এনা ইবুংঙো নঙ্গী চাদা নাওদবা ওইনা নপাইরেন লৈময়েল ফমলেন ৭ লুচিংবী ওইথম ফম্বাল লাংলিবীগী শিয়োম্মুংদা লৈচংজদুনা ইবুংঙো নঙ্গী নচা ওইনা শাথোক মপোক ইহুনজনা লুতুং সনা ফম্বালবু লৈশংজবা তানফংজগে লৈনিংনি ॥ লোনজা অরিবা নঙ্গী শাথোক ফম্বাল লৈশংবা অদুদি তাইবং মপোক লাংঙন শাথোকপা হাইনা নোংদমথিবা মপোক অদুদি নঙ্গীগী শাথোক মপোক ইহুনবা ওইনা লৈগমগে তাইবং মপোক্তা শাথোকপদি ঐবু শাথোক্নম হাইবনিদনা, উম মদু ঐ হোয়ারগে অদুগা অরোইবা ফৈদামদ"? মৈতৈগী লাংবা চক অদুদি ইতিক ইঙম ওইঙমদে লুচিংবনা শাথোকপদগী মথংলেংনা কংলৈ সনা যম্ন লৈশংবিও ॥ অদুদি নংনা কমদৌবা? মৈতৈগী মতম অদুদি মপু নঙ্গী অফা হুংঙাই অবাবা অনংবগী পাওশা পাওজেনজবা ওইনা তুবি লাইগী মশক= (তাংজ জিনগী মশক। ওইন লৈফম খুদিংদা শিন্নুংনা লৈঙমজদুনা লৈবাক্কি পাওশাবা ওইনা শাথোক শমথনা লৈজগে ॥ অদুদি চৌ-জিক নংনা কমদৌবা? মৈতৈগী য়াইবিরেনবু হোইদোকপা কৌরু লাইলোংবা চংথরে, য়াইবি-রেনগা লোইনদুনা ঐশু লাকওম্নবা থৌপুজরগে নকমলাংদা লৈচংলবা মতমদা লোইদাম থাজ্জা ২ বু চেংনা চান্না কোনবিও ॥ পাওশানদুনা মফম্নাংদা লৈহনথরে ॥ x

তাইবং মপোক শমথনবা হোইদোকপা

কৌরু অচিবনা নোংলোম্দা থোঙ্গারদুনা নাদহনলাই উংলো য়াইবিরেন সিদববু লৈপাইনা হাইরে ॥ হৈযম হে মপোক অথোই চংখোনবা কোরৌ ফাল্লিবা রাংবন বুবিবা অরাংবা নোং-থৌ য়োইরেন তোমপোকপা লৈফম্লিবা থিরেল উংলৈনুংদগী লাংখিয়াং পোক্ত শাথোক্তবপা, থৌরা থোংজাবেল কৌবা শিদবা লাই উংলৌ য়াকবিরেন শিদবা থরাক য়াইবিরেল মাংম্বা নহাওনা অচৎপা চঙবা পুম্নমক্কি মশক মওংবু শাথোকপাবা শাথোক শাফোং থোংলম অংম্বু নোংদম্নম্বা নংশাংথাদা লৈচং লৈপাইনা নিংশিংজবনে মপোক খোংলম অমনা শাথোং শাথোকপা) মপোক খোংলম অমনা (লৈমেৎ লৈশা শাথোকপা) মরুগী হবপু মিতম্না (অযেৎ অখাৎনা, লৈখেৎ লৈশানা) শেমগৎ শাগত্নুনা লৈথম্না থরাই নিংশা হোন্দবব্র হোলহম্নবা লৈচং লৈহান্না ইপাল্লাম্বা শাদম শাফোংবগু উঙম্নে মপোক খোংলম্বু নমুত ইবং শাথোকপা মিংল্লম্না খাংহনবিরে ॥ নিংঙম্নকপদা

খোইয়ুমশিঙী হক্কুগী মতিক মওমগা লোইননা শাথোক শাফোংদা থৌরম্ম্, খোইয়ুম লাইগী মপোক মিংহুম্না উহন থংহনবিহুনা লৈফম থুদিংদা কোইজাইনহন্না লৈঙম্মবা নোংদমহুনা লৈঙহন্দি লৈঙল্লে ।। অহুবু শাথোক শাফোংবা খোংলম অনিশু লৈরেপখিহুনা লৈশিনবা লৈথুংববু থৌঙমল্লে ।। তাইবং মপোক হাইনা মপোক খোংলম অমা নোংদম্মশু উঙম্মা থংঙম্মশু তানফংনদে মশিবু করিবু করম্না নফম লাংদগী হোইদোক্কুনা মালেক অসিদা লৈকোই থুন্দানবা লৈশনগবনো কুবি নোংদম ঙম্বিরো শাফোংবা মতমশু লৈহেল্লে ।।

লাইলোংবা খোইয়ুম নখোইনা নিংশিংদবনা লৈবনি, নখোইতনা লৈপানবনা মুংঙাই য়াইফং ওইঙম্মনা ঐনা লৈথুপ লৈথম্লিবনি ঐবু ঐনা লৈখাইহুনা তাইবং হক ওইগদববু (নহাক মহাক) মিংহুম্না হক্তি মমুংদা লৈগদববু (ঐহাকপু কৌম্ম) কৌনা মিংহুম্না লৈঙম্মবু হক্না মুংশাংলবনি হৌ-জিক্তি নংনা হোদোক্লল্লবনিনা শাথোক খোংলম ১৯ তরামাপন লাইরেক ৪৫ নিফুমঙাবু লৈশুনা লৈথম্মহুনা হোইদোক্কুনা পুঙল্লা ।। নংনা হাইববু ঐনা হোইয়ারে, শাথোক্তি কৌথোকপশু লৈ-হনবগী কৌথোকপশু নঙী নঙম ওইহুনা নংনা ঐগী হক নহাক ঐহাক্না লেমুৎথ্রবদা কৌম্ম কৌবা ঐহাকপু অমুক লৈহন্না পুঙম্লক্কুনা লৈফম অসিদা ঐ কৌবা ঐবু ইফমদা পিঙম্লা ।। নংনা হোই-দোক্লদ্রিবা, কৌথোক্লদ্রিবা মথৈবু ঐগী ইফমদা লৈতিন্দুনা কৌম্ম ঐহাক কৌবা থরাই য়াইবিরেল শিদববু লৈমিন্নগে ।। অহুগা নহাক মহাক কৌবা তাইবঙী হক্তি মশক ওইগদবা (য়াইবি হামোইবগা) মিরেন হায়চংপগা অনি মক্তি লৈফম থুদিংদ লৈতোংনা নংনা মউ চারি থানিংবা লৈহমদা লৈথানবা নঙা লোইনহুনা লৈঙম্মু ।। অমদি নংনা নংনা নঙী মশক মঙানবু লৈথম্লিব রাকপা শক্তিঙা লৈশিনহুনা ঐগী ইফমদা লৈয়োনবা শিনগদবনি হোইদাকখ্রো লৈশিন্নরে ।। X

লাইলোংবনা ঐহাক কৌবা য়াইবিরেনবু কৌম্ম কৌনা কৌথোক্কুনা উংলৌ য়াইবিরেল শিদ-বগী হক্কুদগী হোইদাক্কুনা পুরক্লে । থরাই য়াইবিরেল কৌম্ম কৌবা মশকপু লাইলোংবনা কৌথোক্লে হায়হুনা লাইলোংববু কৌব্র, কৌঅ, কৌব লাইলোংবনা মহাক্তি মহাক মনাওগুম্না চংনা চান্না লৈমিন্নরে ।। অহু তুঙীবু থরাই য়াইবিরেল কৌম্ম হাইববু মমিং অমুক (কেবরেল, কৌনা লৈমিন্নরে ।। লৈফম অশিদা কৌব্র লাইলোংবগা কোরৌ তুমিৎ তুম্মি লৈমিন্নরম্মগা মিংবু (লো-কয়াইলাইজি থোংবা) মিংহুল্লে । লাইমিংবু (শলৈতরুম্প) কৌরে ।। X

হে মৈতৈঙু নোংদালাই পা-থংবা লৈফম অসিদো তাইবং মীওইবা মপোক খোং-থোক খোংলমগী লৈথুং অহানবা লৈফম্লিদো ।। মক্কমদি নোংপোক রাকপা শক্তিক থরাই পিচাগী

লৈফমদনিদো ॥ মৈতৈগু লাইমিং অসিনা ওন্নবু হাইগে - শিখিরোইএ পুন্সিখিগে হাইরবদি শিদে নাদেএ ॥ কমদৌনা মহুদি তাইবং মাগী মাগী হক থুদিংদা নোংদম্বনা নোংদমখিবা শিদবা নাদা হিদাক মউ চারিবু লৈমুত্তনবা (য়েনলো) কৌবা পাম্বী লৈফম ৪৫ বু তাইবং হুকপু শেমগৎ শাগৎপা মতমদা লৈহাপ্তুনা লৈমুত্তনবা থাগদ্রীএ ॥ শিদবা হিদাক হৌরিবা লৈফম অসিগী মহুং-দগী (মিং কৌবা লৈফমদগী য়েন শিদবনে; নাকোংদগী য়েন শিদবনে; খোঙদগী য়েনশিদবগা; লৈ.তান্দগী য়েনশিদবা=(তিনথিৎকা) ৫ বু তিংথোদা পকপা (লিক্লানে; চুহিনে, ঈশিংনে) তিল্লগা লাইমিংবু নিংশিংদুনা থকউ ॥ নহুৎপু লৈশিন্নহুনা য়েলহিং অমা থাদোকউ ॥ ঈশিং অহুনা নশাগী থেঙ ১১ বু খরা খরা তৈহুনা নশাবু কোঞ্জল্লু হে মিওইবা শিত্র নাদ্রে থংও ॥ x

মৈতৈগু পা-খংবা অমগু হাইগে শিরোইএ—

হাইরিবা লাই ৩ অসিনা পোকপগী থোংলম্ব, শেম্বা হাইবা অসিবু ৩ অসিনা শেম্বনি নোং-পোক লাই হাইনগু কৌই ॥ নোংপোক লাই কৌবা অহুম অসিদো ল.বা ভাক্কনি ॥ অহুম অসিগী লাইমিং মকবা অমনা (কে কে রে কে শরৈহুনপ পোল্লি ম্না কোনকুপ মোং হো° হেং উং তিনানৌ তিদহিক্লা°) কৌএ ॥ লাই অহুম অসিগী মিংথৈবু খংজহুনা থৌনিন্নবদি নাহুনা শিবমক ভাবদা খ ইবেল মক নৈথুংলবগু কুমজা অহুম তগু লৈখাম লৈথম্নবা মিংলেন্নী খংও । থৌনিবু হাইগে ভাবিও ॥ চুকশিন নুমিত্তি নাবাদা হৌও । ফি'র ই অশেংবা শেংলো ॥ অদাং লোমগী লৈভাইন ফুল ১ তারো । থাংমৈ হৈকক পানা য়াওনা অথেনপোৎ মাইয়োকথা চাগনা শেমহুনা লাৎলু । লোং ৪ গা শেমহুনা মাইপৈ ৪ দা যুম্মু ॥ অহুগা মাই অল্লাংওন্না লেপ্তুনা ৩ লক কৌও (হারাবা) হাইনা শোল্লু । মতুংদা কহিঙ্গী যুংথক খানবদ মাই নোংচুপ ওন্না শোল্লু (তুং হৌ নৈশংনা) হাইনা. মতুং অফক চেং হুনো খাবপা ৭ তিংথো মপোপ ৭ কা পাইহুনা মাই নোংপোক ওন্না শোল্লু (হুংনৌ নৈশংনা) হাইনা কংকনি ॥ x

মৈতৈগু পা-খ্রংবা হৌজিক্তি তাইবং ইগোক কাদৌরিবা

কৌব্র কৌবা য়াইবিরেল শিদবনা থোঙ্গুম খোংথোকলাকপদা শনা ঋম্বাল ওইনা নোংলোন্দা নাওকোম্দুনা লৈগুম্নকপা লৈফম্ব, হাইরগে ॥ কৌব্র লাইলোংবনা মহাক্কি মহাক ওইবা আজ্ঞি

শংকুপ্পেন—য়াকপা শজিক কৌবা থরাই পিচাগী লৈফমদা তাইবং ইপোক খোংথোক পন্ম লৈথুং ফম্বাল লৈশিন্নহুনা মথংলেংনা লৈথমনহুনা মওম মওানবু লৈহাপ নাওকোন্না লৈথমগদবা পরম খোং-লম্ব লৈতাক পাওশানা লৈশিন্নরম্মগা হনওমলক্ত্না খোইয়ুম মালেমদা থন্দাস্নিবা পুম্নমকা উংহুনা তাইবং ইপোক ওইগদবা মশকপু পীগী শিয়াম্নদো লৈথুংলবদা মশক মওবু শেমগৎ শাগৎনবা লাইথুন্দিন (থেঙ্ৎ চীদা লৈফমহুনা থৌরম্ম শিন্নহুনা মাগী মাগী মংম মথৌদাংবু থৌপুগদবগী থৌঙাইহুনা তাইবং মপোকপু খংওম উওমলনি হরাওনা ঙাক্হুনা লৈএ ।।X

১—শজিক্লা কৌম্ন কৌবা ঐহাক য়াইবিরেনবু (ইরিক কোঙ্গোনগী) মশক ওইনা কোরৌ থুমিং ৭ নি চেংনা লুনা নাওকন্দুনা লাইয়েক (উ, আ, ই) অহুম্না নাওয়োমহুনা মেরুবা লাইমিংবু (বৃং শ্ং কুং) য়াইবিয়েন সনা লৈহিংচিক তুকুপলন কৌরে ।। মচু মওান্না অশনবা মচুনি ।। মিংলেন অমনা (হোরিকহো থুম্নী লৈশংমু লৈয়োম্বী) কৌরে ।। লাইমিং অসিদি মৈতৈঙ চিং-থৈগী খুমুক্লি ।। ইমুংদা হিপলো, মৈ মুথংলু থৈজপ মরোল ৩ শুপলো; ফিরুক থুম্মু, নমিত্তা খু-দোম্বীনা নম্মো (থুমিং, থা, থরাই পিচা) ৩বু উগনি, মিও, হাইয়ো ৩ মকি মশকপু ওংবনি ।। শাগী ঙাগী মশক্তা চংদেএ শিরবদা ।। তাইবং মপোক অথোই চংথোনবা ওইনা শোইদনা মপোক্লে ।। নোংদম্বা মরুনা মচাগী মক্ষমদা শিন্নখিবা লাইমিং রানি থংবিও ।

২ শজিক্লা থাবদা থংদবা :— য়াকপা শজিক্লা নাওয়োম্নিবা কৌম্ন য়াইবিয়েল (সনা লৈহিংচিক তুকুপলেং কুং শ্ং কুং) কৌনবু থেমথোক্তুনা কৌব্র যাকপা শজিক থরাই পিচা আঙ্গিগী মশক ওইবগী লৈফমদা লৈবা মশক পুম্নবু চুপথোক্লওনা (ই, উ, ঋ) লাইয়েক ৩ না নাওয়োমহুনা কোরৌ থুমিং ৭ নি নাওকোন্দুনা মম্নিংবু (নিরেল য়াইবি শিদবা) মিংহল্ল । X লাইমিং অমনা (ওং ওক হিক নিঙ্গোনপ) কৌএ ।। মিংথৈ আসদি ঐবু নাহুনা শিবা তাববদা শিদৌরিবা থুমং অহুবু ঐনা নিংবা থুংদবা থুমং ওইরবদি থৌনাংদা ২রক্তং শোল্ল থুমিং ২৮ নি য়েথেকএ ।। ৩ লক্তং শোল্ল থুমিং ৩৪ নি লৈথামনৈএ । X

৩ থাবনা থুমিত্তা লৈশিন্নবা :— থবা থরাই পিচানা কৌম্ন য়াইবিরেন সিদনবু থুমিত্ত লৈ-শিন্নরে ।। চিংঙ থুমিংনা থবনা থংথারক্লিবা মিরেল য়াইবিসিদবর খোইজং লৈতানা চুপথোরক্তনা (এ, ঐ, ও) লাইয়েক ৩ না নাওয়োম লৈথানা লাইমিংবু (য়াইবি তেতৌম্ন) বৌনা কোকৌ ৭ নিবু লৈথয়ে ।। লাইমিং অমনা (ওরিক হংকুপ হংচো) লাইয়েক য়াবানা মেরুবা হাপলে ।। মৈতৈঙ নোংদালাই লাইমিং অসিদি নারবা মতমদা ফগে নিংবা মতমদা ফবা ওধনি ।। লাই-মিংবু নথুংবাক্তা শোন্দুনা য়াহৌরকপা মতমদা নপুক্তা পম্মু উপ্পনা । হৌপতুনা তিংথৌদা পকপা

লিক্লাবু লৌ ।। লৌবদা হাইনি— (লাইথুং লাইনা শিগদববু কোকপা ওম্বা লিক্লা তাক্লবা নংনে ঐগী ওইরোমদা (য়ুমশানা লৈঙাক লৈকন হন্দুনা শিদা নাদ য়াইবু হাপ্লিরো) মুমিত্তা কৎলগা মিত্তা থরা হাপ্পু থরনা থকউ শিবা হৌনদে ।।

৪ মালেম অঙানবনা তাওবোইলাই চিংঙু থাদা :— হে তাওরোইলাই চিংঙু থা থরাই য়াইবি সিদবা অসিদো নংনা অমুক কুবি নোংদম তম্বিরোদো নতিকপু নঙম্বু কুবি নোংদম তম্বা হোরো তাইবং ইপোক্তা শাথোরুবদা য়াইফ পরম্বু ওইহুনা তানথেংলুনবা পাওশানা থরাই য়াইবি শিদববু থকথমহুনা শিন্নরে ।। চিংঙু থানা থরাই য়াইবি শিদববু লাইমিং (থবি শিদবা) থাকৌহুনা মেকবা লাইমিংনা (থুম্লিনংম্বু মিংম্ব সো তিনখাকসং (লৈতম্না মুংশি খোইজং লৈতানা নোংকারৌ ৭ নি লৈথম্না নাওকোন্না লৈথম্নে ।X

মৈথিঙু লাইমিং অসিদো লৈতোন্দা থোরাক্লবা ঈশিং অতুগা লোইনহুনা শোন্দুনা য়োৎলু থোকাওদনা থমচেৎ মরুগী মনুংদা লৈবা অনংবা ময়োনগুম্না শংনা নৌনা লৈএ । পুন্দগী য়েন্নিং চন্দুনা তৌতহন্না লৈবা ওম্বা পাম্বি মরা তাবা রানি । X

৫ থানা ঈশিদা থংথবা :— থাক্ত শাওক্লাংবা কৌবনা কৌন্নু য়াইবিরেন শিদবা তেতৌন্নু কৌববু থথক্লবদা তরাং লাইজগী মশক্ত খোইজং লৈতানা গ, ঘ ঙ, লাইয়েক্লা নাওয়াম লৈথানা লাইমিংবু (হে থু) মিংঙুল্লা কোরৌ ৭ নি লৈ মম্লবে । X

৬ ঈশিনা মেদা থকথবা :- ত্ত্ত্বং ত ইতনা কোকৌথত্তা ফম্বাক্লবা মেথইং ভাতুনগী মফম লাংদা লৈশিনহুনা থবথবক্লরদা মৈতাইং ভাতুনবনা খোইজং লৈতাজবা খে নংমজহুনা লেঙম্লম্বা মশবপু ((চ ছ, জ) লাইয়েক্লা নাওয়াম লেথানা ত নং (কৌন্নু য়াইবিরেন সিদবা হোয়ুংহো) মিংঙুল্ল কোরৌ চুমিৎ ন নি থাগান লৈদমলে । X

৭ মৈইনা হুমলন মুংশিত্তা থকথন . নালোন্দা লৈথম্ব ভাংদুনবা মৈইতিং কৌবনা কৌন্নু য়াইবি শিদব হোয়ুংহো কৌববু হুমলেন –মালং কোইজাইনবদা থকথরে । হুমলন মালংবনা থকথরম্বা মশকপু খোইজং লৈতাজবা থোকওম্না মপুক হয়াও তয়াম্না থকথরম্বা য়াইবিশিদববু লৈঙৌএ হাইবগী (হুমলেন থাংজিং) কৌএ ।। থকথরম্বা য়াইবিবু (ঝ, ঞ, ট) লাইয়েক্লা নাওয়োম লেথানা লাইমিংবু (মিমিহো) মিংহুল্লে ।। লৈফম অসিদা মুমিৎ ৫ নি চুপ্পা লৈঙমলে, লৈফম ৭ লিক মরু লাইয়েক ২১ কুনমাথোই লৈগুরে ।। হুমলেন থাংজিংনা কোইজাইননা পুতুনা তাইব ম াক

খোংলমগী শাথোক শাফোঙদোৱিবা কৌম্বু য়াইরিবেন শিদবা মহাক্তনা নোংকোরৌ খুদিঙ্গী তাইবং মথোক শাথোক লাপ্‌ন অমামম্থ শাফোঙদোৱিবগী তাইবং পাবু কনাবু ওইহনশিগবা লৈথি কোই-জাইনরক্লা লৈপুবদা মিংছুনবদি (চুপনরা থাংজিং লেপশিন) কৌএ ।। x

মৈতৈশু মিংথৈ অসিদি ঐগী হক্লা মুংশাং পুন্সি মন্দুনা পাঙ্গনবু শোন্ডক্লবদা নংনা পাম্বা মী অমদগী মপাঙ্গল মশকপু লৈশিন্নদুনা ঐনা ওইহৌবা উম্বা য়ানিদো ।। খৌরমদি শেংজিবা ফিরোই ফিজাম অমবু শেন্তুনা নংনা পাম্বা মী হৈনা তুংইন্দুনা ওইরবশু মাইয়োক্লদুনা ওইরবশু শিন্নগনি ।। বাহৈদি (চুপনরা থাংজিং লেপশিন) কৌবা তোংলেন তোএ মি মি মি মিতোংখৎ তোংখৎলে, মি মি মি হা ভুংইনবা ইনখরো ।। খৌরম মমিংবু মাইয়োক্লনা শিনববু (লেপশুন) কৌএ ।। তুংইন্নদুনা শিনবা তুংদা লৈদুনা শিনববু লেপশিন বৌবনি ।। x

৮ তুমলেন থাংজিংনা পা ওন্থগদবদা থকথবম্বা :— তুম্লেন মালং খঙ্গোলনা কোংজাই লৈম্বুং লৈথিরক্লপদা লৈম্বুং খাবা তাওরোক লাইগা পাবু খংবা কোপনতুথোকপগা পাওশানবদবু উদুনা থাংজিং তুমলেম্না পাখংবা কোঞ্জনতুথোকপগী লুনাই কোইবেন্দা য়াইবারে চুপনরাবু) থকথবমাল । ফুরেল লৈমা, লুচাওবী, তম্প্াক লৈমা কোবোইনবা মরিনক্ল খংকদুনা পাখংবগী হক্লংদা তৈগাং খাবা তাওরোক নাইবু (ঠ, ড, ঢ, ণ) লাইয়েকী মশক ওইনা নাওয়াম লৈমা নদুনা তোংলক্লুনা থকথারম্বা য়াইবিরেন (মি মি হো) গা তিপু থনা লৈথমদুনা লাশমিংবু (ব) হাইনা পুরাই কোইবেন্দা লাইয়েক ৪ না নাওয়ামদুনা, নওয়াম অসিগী মমুংদা (চৌকি কোজাল) ওইনা থাক্তা ১ বু লৈঙুম্নবদা পন্থৌ অদুগী কেঞ্জন তুগাকপা পাংবগী পীরেম য়েংলবদা লৈবুম্নদুনা ঐনা লৈরিবা হক উবাং আসবু নাপ্লি কবাবু লেঙাংশিনবা কোইনা য়েংবা হৌএ ।। কাইদো লৈবা হক অদুগী (শান্নচি) কৌবা লেফমদা তেংনানবব নোংদাম্নবা ঐ, হাইবা মশক্লা হৌদি মাপাক্লা সনা ফম্বাল্লাংনা লৈঙম্লগে চাংগ থক্ল নিংশিংদা লৈতনা মহাক্তি মশক মদানবু লৈহাপ লৈথম্বিবা লাইয়েক অহুম্না খোংথোক চিৱম্থ লৈফাত্তনা মাঙ্গ পাইহিংবু নিংদুনা লাইবু নিংবা লাক-নিংবগী মশক্লুম্না নাশু তাংদা নিংশা ইহুনদা কোংনা শাক্লদুনা শান্নচিগী খোংলাম অনিদা লৈববু কৌম্বু য়াইবিরেল শিদববু (র) গী মশক ওইনা লৈগা উনক্ল; শান্নচিবু মকুগী মশক ওইনা উরক্তনা, হে কুরং কৌবা নংবু লাওগবা ঐগা পাওশাশে ঐগী নাওবা । শান্নচিগী খোংলাক খোংচং লম্বী অনিদা শান্নরীবা তুমলেংগী মশক ওইনা চংথোক চংশীন শান্নবনা খুদম্বী । ঐ লাকপা য়াদ, নংনা খল্লীবা থীরীবা অদু ঐশু নত্তে, নংনা উগে খঙ্গে পাশন্নগ হাংরগা ঐনা খোংচংখীবা লম্বীবু নংনা মুন্না য়েংলগা চংলক্লুনা লাও হাইনা হাইনা হনজীনখীএ ।। অমুকশু থোকতম্বা চংবশু

চাংঙমখিবা হুজং হন্দা চথোক চংশিন শান্নহুমা লৈঙাব্রিবা খোংলম্বু থোয়েংনা য়েংবদা উরে ।। হক্তি মথোক্তা শ্না অহিংবগী লৈচুনা তমজনরিবা মরু ওইবা মোইতান কৌবা= ঙাম্ব থঙ্গোংবু তোংচুনা মতম অহাংবা লৈথমদনা হকপু শাথৌহুনা থৌদা নোংদমম্বিশবু উরক্লে ।। মশকপু উবদা রাথমবা হৌরে, মশক্তি উরে লৈকমগু থংলে, অতুবু ঐবু কৈদৌঙৈ কৌবিগবা কন্নি কয়স্বা মতমদা চং-লগবা য়েৌঙম্রংনা পাখন তৌনা মাগী লৈফমদা হজিনগ্রে ।x

মৈতৈঙ্ নোংদালাই পাখংবা মতম অসিদা কোঙনতুখোকপা পা-খংম্বনা মাগী হকুঙ্গী মরু ও না নোংদম্বা নাপু ঙাংঙ্নবা (সংফম্বু) কৌবা থাজা নোংমা পানবদগী ১০ নি পানবা, ১১নি পানবদগী ২০ নি পানবা ফাওবগী নাপু রাওথাংনবা (সংহেম্বু) কৌবা; ২১ নি পানবদগী ৩০ নি পানবা থাজা মশক উবদা ফাওবগী মরৈ রাওথাংনবা (সংত্রাম্বু) কৌবা মচু অহুমনা উবা ফংলজ্হুনা পী-গী ফিশেং ঈত্তিন মুনিংপু লৌয়েংনা লৈঙাইহুনা লৈঙমলে ।। মতম অসিদা কৌম্ন য়াইবিবু লাইমিংথোই লায়োল্লাং তশৌবা কৌনা শিন্নুং খেনলমদা লৈরে ।। পী গী ঈশেংবু ১৬ তরাগা তরুক্তি লৈশুব, মুনিত্ত পা-গা পী গা লুত্তিন কম্বাল লাংমিম্নহুনা (হো-হা) হাইনা থরাই য়াইবিরেল কৌম্নু (ব) গী মশক ওইনা লৈববু পা না থাদৌনকপদা লবাই কোইম্নেন্দগী নাম্বরঙ্না পা-গী শিন্নুঙ্গী লে দি ঙংকোংনা তমজংবিবা হকুঙ্গী অকুৎপা মযমদা তাবরে ।। লেথম অসিদা লিক মক লাইরেক ২৫ গী নয়ওয়োম্ব লোইদনা পা পী অনিনা (হো-হা) হাইবা লাইমিংবু শোন্ন-কনপদা লোঙম্বা হুমাদ্রে ।। লৈথাংবা য়ারংহুনা মিটগী লৈকনদা হাইংখিহুনা পী গী পুঙ্গাই অঙ্গী লাপাগী তেংতংনা তমজরিবা অকুৎপা ৈ যনদা য়াইবিরেল শিদবা লাইমিংথোই লয়োল্লাংদা লৈববু মমিং সনারেন, সনা তুকুংলেং সনা লেহি চিক তুকুশলেন লৈগুন্দুনা (লাংবুং মনিক সনা-না য়োমহুনা মমিংবু (নিঙ্গোত্থি) থাকৌনা (রা) হাইনা ইনশিল্লকনা লৈথমলে পী ওইনা মিউ লৈচুপ লৌচক খোইজংনা (রে) হাইনা লৈচুপ লৈথম হৌরে ।।x

মৈতৈঙ্ লাইমিং অসিদো তাহবংনা হকী লৈয়োন এংনংবু লৈতুহুক্রুবদা সনা খোংনাং মনা ৭ তা শোল্লগা মতুংদগু শোন শোন্দুনা মিউদা য়ৈয়ু ।। মথক শাজুম্বদগু যৈও ফুও শোইদনা ১হ না রানি ।।

পা-গী মমিংবু (শেমগৎপা) কৌইদো ।। পী-গী মমিংনা (শাগৎপী) কৌই দা । পা গীনোংদমবু শাগৎপী ইমাগী সিয়োম্নং খোইকং লৈতাজবা ওইজনা থৌরমবু থৌঙম থৌপুজবা লইজনবা(চিংঙ্ থোংজান খুদিংবু) পুরুম ইরাংনা থাগোন থৌনিনা লৈঙমলকলে ।। পী শাগৎপীগী পুরম থৌনিনা হকখিবনা চিংঙ্শিংবু লৈথাং

লৈফম্না লৈবা য়াদহুনা পি শাগৎপী শিয়োম্‌দা লৈচংলক্তনা জাজা ৩ বু লৈচংলক্তনা মাগী মাগী মথৌ মওম্‌ থৌপুনহুনা (তাইবং মশক) শাথোক শাফোক্লদববু শারেপ্পবা শাগৎনয়ে ॥ লোইদাম থাজা ৩ বু শেমগৎ শাগৎনবা পৌপুবদা তুমিন্না লেংদনা পীগী শিয়োম মুংদা য়াইবিরেল নিজোক্নি কৌববু মমিংবু (খোইদৌ শন্নাই রা) কৌনা খোইগী মখাদা (রা) কৌনা থমলে ॥ লাইমিংবু হৈরোম লাংবম রা লৈছন্না শাগৎলকলে ॥ তুমিন্না লৈএ লেংদেএ ॥

পী শাগৎপী ইমানা থাজা ১০ নাওপুবগী থৌরম

মৈতৈশু নোংদালাই পা খংবা কংলৈ পুংমাইয়োন লৈশংবা ময়ুম শখাই ৭ কি লুচিংবা পিবগী ফমলেনবু সনা কম্বাল লাংবিনবা শাথোরকপা তাবিও, খোইজং খোইদববু ওইওম্বীহুনা ॥ হৌজিক্তী (নমু তাইবং) মশকপু ইপাল্লাংদা শেমগৎ শাগত্তনা শাথোক্নবা থৌপুবদা ইপাল্লাংদা খোইয়ুম মওম চাওবশিংনা মাগী মাগী মওম্‌ থৌপুনহুনবা শেমগৎ শাগৎপা থৌরম্‌ তোকলে ॥ মালেম লৈকোইববু লৈথংনবা লৈথম্বা য়ানববু থৌওম্নবা থৌপুবদি লৈথুংলরোই রাখম্নবদা লৈথংনা লৈশিন লৈথম্নবা পী পা অনিদা লৈশিন্নহুনা (তাইবং) ইপোক শাথোক শাফোংবা খোংলম অমা অমুক নোংদমহুনা থৌরম্‌ থৌওম্নবা থৌপুনবনা পী ওইবা পালেমদা লৈথংলবদা পীগী শিয়োম্‌দা খোইয়ুম শিংনা তাইবং মশকপু শাফোংবা য়ানবা থৌপুনহুনা শাথোকপা শেমগৎপা শাগৎপা পরম্‌ মথংলেংনা পাজরকলগে তাবিও ॥ হয়ুম ॥X

পীগী শিয়োম্‌দা লৈথংবদগী লোইদাম থাবুং ৩ বু লৈচংনা তাইবং মশকপু সেমলে ॥ অহানবা শাগৎপী ইমাগী মশক ওইনা (লৈশিরেন লৈপুনবীনা) লৈচংলক্তনা ঈরিক কোঙ্গোল (সনারেল সনা তুকুপলেং সনা লৈহিংচীক তুকুপলেন) কৌনা লাংবম মনিক সনানা শোম্নহুনা লৈরিবা মশকপু (রে) হাইনা পাউথত্তনা লাইশক লাইয়েক ২০ না নাওয়োম লৈফানা লাইমিংবু (লাইরেম্বা তানৌ মুংদেম্বী) মিংহুন্না লৈমেত্তনা লৈশাবদা লৈথংনবা লৈথমলে ॥ লাইশক লাইয়েক ২০গী লৈশক (ত, থ, দ, ধ, ন, প, ফ, ব, ভ, ম, আ, য়, র, ল, র, শ, ষ, স, হ; ক্ষ) অসিনা য়োমহুনা (ক্ষ) গী মশক্রা শেগা ২ কময়া ২ গী লৈফম ওইরগদবা লৈফমদা লৈফা চুকথানা হাপলে ॥ তাইবঙ্গী হকপু শেম্নবা মচাক মউবু লৈরাক্তনবা লৈহাপ লৈথম্ববু উরহুনা খোইয়ুম কৌরু হুংশিং শিশুবগা তাওরোই লাইগা মাজিজা, থাংজিঙ্গা, নোংপোক মরু অপাম্বগা, লৈমরেল সিদবীগা, সনা ফোজন তুথাকপগা, অতিয়া শিদবগা ভেংবানবা মপু উংলো য়াইখিরেনগা ঐগী ঐহাক

ওইবা কৌদ্রু য়াইবিরেন শিদবগী লৈচং লৈফমছুনা শেমগৎলক্লে ।। মখোক লৈফমদগী (মরি লিশাবা= খোইরিতিং) কৌবা শেম্লে ।। য়েংথংবদা চংনিংহেনবা, ওথংবদা তপোপ তয়াংবা কৌবা শীংলিবু লৈথম লৈফানা য়াংলম পাংবদা লোংবা থেক্লা য়াংবু নম্না লৈথমছুনা শিংলি লুচিংবা ১০ গা হুমলেন থৌপুবা ১০ গা লিশম্মছুনা শেমলে ।। শিংলি ১০ গী মমিংবু য়েত্তা (চংনিংহেনবা), ময়াইদা (মরিলিশাবা = খোইরিতিং), ওইদা তপোপ (তয়াংশাবা) কৌবা শিংলি (৩) না লুচিংবা ওইনা ঈশোং খোংলম (৩)বু লৈথম লৈকাংনা মখাদা খোংলম মরি লৈথমছুনা শিংলি মিত্তরেং মিহিংমু; শিংলি মিৎতরেং মিহিংমু, শিংলি চিংখৈ লাবা = শংহো কৌবা, শিংলি শমাদোন য়াংবা = শংহো কৌবা, শিংলি শমাদোন য়াংবা = শোহিং কৌবা, শিংলি মৈরোম্বা = থৃংচিরি কৌবা, শিংলি তিংলিংশং, শিংলি চেখেকু কৌবা লুচিংবা ১০ অসিনি ।।X

হুমলেন থৌপুবা ১০ গী মমিংনা—হুমলেন য়াইবি শিদবা, হুমলেন য়াইবি হামোইবা, হুমলেন হকপুবা —লৈপু লৈশংবা, হুমলেন লৈয়াবা, হুমলেন মিত্তোংলেন, হুমলেন তনিক তশোইবা, হুমলেন ইখৌ ইয়াবা, হুমলেন য়াকৈ ইছনবা, হুমলেন হকযাং লৈপুবা, হুমলেন মরু শিদবা = (নোংদম নোংখাইবা) অসিগা হাপ্পা লোইরে ।X

মরি লিশাবদগী (তিং) শেম্লে, খোইতিংবু শাদোক্লে ।। তিংদগী লু শেমছুনা হাপ্লে ।। লুদগী (রাম) শেমছুনা হাপ্লে =লুগী মথক্তা কুপ্পবা রাম — বুরামপান ।। রাম হাইবা কুরামপান = কুরাম্বান্না কুপ্পবদা শিংলি শিংনাও মরি মরাবু লৈশিন লৈথম্বা হাপ্লে । শিংলি শিংনাওগী মথক্তা (তোং) গী মশকপু শেমছুনা হাপ্লে ।। তোংদগী ঈগী মশকপু শেমলত্তুনা হাপ্লে ।। ঈদগী (কু) শেমছুনা কুপ্লে ।। কুনা য়োম্লবদা ভুপোক্কদবা লাইবু =খুজিন পোক্কদবা লাইবু তাইবং ওইগদবগী হক্তংদা লৈচং ফম্বাল লাংছুনা লৈরে । তিংলদে য়াংলিদ, থাংগ (৩) লৈংবদা মক অতিয়াম্মা মপারি লাইমিংথোইবু (পারি শ্নাওল সনারেল লাইমিংথোই মহি মক্তিরেল) নংবু কাংদাম্লিরগে লাক্লোগবা কৌএ ।। লাইমিংথোইবু তাইবং ওইগদবগী খুজিন থাদা শংনাওবী খুজন্না য়াত্তৃনা লৈচংলক্কুনা শ্না ফম্বাল ফমলেন লৈচংফম্বৃ লৈথারগা হক অতুগী মন্নংদা লুচিংবা ফমলেন ৬ তরুকপু লৈথারগা লৈথম ১০৮ লৈশুনা লৈয়াং লৈফমলে ।। লাইমিংথোইনা লৈফমলবদা তানয়ৈর ।। তিংলি য়াংজিরে থাজা ৪ মরিবু লৈচংলে ।।

নোংদম্বনা পীগী শিয়োম্‌দা নাওকোলরিগে লৈফমলরে । লাইমিংবু (উং লৈজিংবা লৈফাওএ কুং নোংলুম) উংলো য়াইবিরেন শিদবা কৌএ ।। তাইবং ওইগদবৃ নাওরেংবা মোইরি খি

ন্নি মিংছল্লে ।। অজো অঙ্গা পান্দ্রিবা তাইবং শাফোংনবম্বিবা মশক্কি হকচুংদা লৈচং কম্বাম্লাংলিবা লাইমিংথোইগী লাইমিংব, (মিংস্ব'সোত্তিনথাক সং) কৌএ ।।

লাইয়েক লাইশিং হাইগে মৈতৈগু– পলেম ইমাগী সিয়োম্নুংদা লৈগুম্বা থাজা মরি লৈচংবা অসিদা লাইয়েক ৪৫ ব, তাইবং শাফোংগদবগী হক্কি মম্নুংদা মাগী মাগী কম্বাল লৈফম শেমদুনা লৈগুমদেদো ।। অদুগা নোংলোন্দা কোরৌ ৭ তরেৎনি লৈগুম্নকপদা নোংলোন্দা লাইয়েক ২১নিদো ।। পাদা থাজা অনি লৈগুমবদা লাইয়েক ৪নিদো ।। পীদা থাজা অহুম লৈফম্না তাইবং হকপু লৈশাবদা লাইয়েক ২০ বু লৈচংঙিদো ।। লাইয়েক লাইশক পুম্নমকসে গাগী হক্কগী ওইবা ভাক্কনি । X

হৌজিক্তি হক্কি মশক শেম্বা লাইগী মমিং হাইগে কান্নবা মৈতৈগু পাথংবা—তাইবং হাইবা অসিগী হক হাইবা মশক অসি মরোল ৭, মশক ৭ অসিনা ওইবনি শিন্নুন্দী হকপু ।। মহুদী অসিনি তাবিও কান্নবা পরম্ব লৈরৌনবা ।। হৈয়ম হোয়াহে—গুমরু = মরি লিশাবা শেম্বা লাইদি মুংশিং শিত্তবা লাইনি ।। তেংবানবগী মপু লেংদবা তুমদ-মাংদবা মরুনি ।।X

তুবু শেম্বা লাইদি—তাওরোই লাইনা শেম্বনি, মমিংবু তিনতরেং তিনতরিং) কৌনা লৈএ ।। মৈতৈগু তাইবংনা লাইমিং অসিবু শোন্দুনা তিনবু য়োৎলু তত্তনা ।। তিনহৌদে ঙিংয়াং হৌবা কৈ ।। লাইমন তিনমন কাংবা হৌনদে ।। শোন্দুনা থকউ চাও পুন্সি মুংশাংবা লাইমিং লাংগী রানি ।।

লুবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—মার্জিং কৌবা লাইনি, মমিংবু (তীনকাপ হোথাহো) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো শিরমদাইদা লুশমদা শোল্লু হম্বদবা হৌনদবা রানি । X

শিংলিবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি – কৌব্রু (ওম ওম চিবিৎ ঙিভি) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো লাইহৌ=নিংথম্ববু থাম্মি । মিহিংবু হাইথরক্কুনা মফমদা লৈগনিএ ।। লাইমিং অমদি (হুইনি মাংদপায় হুইনি) কৌএ । X

রাম=কুরাম্বালবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—থাংজিং লাইনি, মমিংবু (য়োকথাং রাই কোংদিং) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো কেক্রুগুম্না অনানবা, হৈক্রেগুম্না পোংলিংপা রানে ।। মিংনহানা চেল- লক্লবদা শোল্লু, হজিনবা রানে ।।

তোংবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—নোংপোক মরুনি, মমিংবু (এরং) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো মতম মুংশাংনা মারক্লবদা শোল্লক্লবদা নিংশাদা শোন্দুনা শান্নৌ থকউ চাও, তোংগুম্না হৌনদে য়াং কাবা হৌনদে ।।X

ঈবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—লৈমরেল লাইখুৎলোংবীনি, মমিংবু (চিন্নিও, ক্বা, কতু কাঞ্জরি অন্নিয়া থুরুংনপ) কৌএ ।। লাইরা অসিদো থাংনা শোকপা ঈথোকপা মকমদা শোল্লো ঈবু থকপা ওম্বা ন্নানি ।। কোক ঙাওবা মিৎ ফিংববু নেম্নবা ফনবনি ।।

কুবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—কোঞ্জল তুথোকপা পা-খংবনি মমিংবু (সেনত্রেং ত্রেংবা) কৌএ ।। লাইমিং অসে শকপূ শেম্বা ওম্নি ।। পুক্নিং লৌশিং থোকএ ।। হক্কি উনবু থুইবা হৌনদে ।।X

তুবু-খুজিলবু পোক্লবা শেম্বা লাইদি—অতিয়া মরু সিদবনি মমিংবু (থুপলং মরুবা) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো লুমিৎ খুদিঙ্গী থাঙ্গা ১২ বু লৈহাংদনা নিংশিংহুনা হাংজো লাংফমদা শিবা হৌনদে থোইরেনবু লৈথ্ৰংদনা ।। থৌরমশু লংজো তাকপীএ ।।

থরাই য়াইবিরেনবু হক্কি মুংদা লৈচংনবা থৌপুবদি থরাই শিদবা য়াইবিরেন্না নোংথক্লা ৭নি লৈএ থাদা পীরে থবী কৌএ ।। লাইমিংদি (মিংস্বা স তিনখাকসং) কৌএ ।। হকপু তৎতনা য়েন্নিংহনবা ন্নানি ।। শিন্নমদাইদা ফিরোই ফিশেং হোংহুনা শিবা ওম্বা ন্নানি ।। রাখল চোইদে লাইবু নিংজবা ওম্বা ন্নানি ।। তত্তনা শান্নৌ শোন্দুনশু থকউ, চাজোও, তিনবু কংবা হৌনদে ।।X

মৈতৈণু তাইবং হক্কি কয়াৎ ৯বু লৈথম্বা হাইগে

হে লাইরেমা শিদবী শিদবা তাবিও, হকচাং হাইবা মশক অসিদো লাইনবু তাইবংনশু পোথাকম লৈফম ওইনা অহিং মুংথিল অনিমক্লা মতম অয়াম্বদা লৈচংহুনা লৈনরিবা য়ুম হাইবা অসিগুম্বনিদো ।। মশক্তি লৈশিরেল ইমানে ।। হয়েং য়ুম্ব শিদোক্লশি হৌগদবা হাইগদবশু নংননিদো ।। মচুশু নপুক তাথিবা নাওইবা তৌগনু ।। হাম্নশু হাইপ্রবা ন্নাবু অমতা ওইনা হক্কি কাবু মমিং মশক খাইনা হাইগে ।।

১—কা অমদি কোক্কি ।। লাইশক্তি উংলোয়াইবিরেন শিদবগী মচিক মঙানবু লৈথম্বিব। মরু অতিয়া শিদববু চিংয়াংথক্লা লেপ্লুনা কংলৈ স্না পুংদগী কৌহুনা উনাখিবা লাইমিংথোই কৌবরু অশিবনি লাইমিংবু পোয়ান কৌইদো ।। থরাই য়াইবিরেন্নি ।।X

২—কা অমদি ঐপেনি ।। লৈফম অসিদা লৈবনা কৌব্রু লাইলোংবনি লাইমিংদি অহুম (থংটিন্নিক) মকৌই ।।X

৩—ক্বা অমদি শম্বোম্বীনে—থম্বোম্বীমে ।। লৈকম অসিদা লৈবা লাইদি মার্জিং পা-খংবনি, লাইমিংদি (উংভিনয়ান) কৌএ ।। ঈশিংগী মরমু য়াথল্লি ।।

৪—ক্বা অমদি খোংজাবীনে ।। লৈকম অসিদা লৈবা ল্লাইদি (অভিয়া মরু শিদবনি) লাই-মিংবু মাপন্নান কৌএ ।। মশক্তি অশিবা থরাইনি ।।X

৫—ক্বা অমদি থিবোং খাওনি ।। খাও অসিদা লৈবা লাইগু মার্জিংনি=মায়হবনি ।। লাই-মিংবু বিয়ান কৌএ ।। শগোলগী মশক্তি ।।X

৬— ক্বা অমদি মশিং খানে ।। মকম অসিদা লৈবা লৈাইদি খোংঙারেম্নি লাইমিংদি (ক্বাং) কৌএ ।। মশিদো শাদোংবনি ।।X

৭—ক্বা অমদি শৌনাওনি ।। লৈকম অসিদা লৈবা লাইদি (লাইমিংথোই শনা মহিরেমনি) ।। লাইমিংবু (তক কক) কৌএ ।। অসিদো অয়ান মুংফাম্নি ।। মমিং মিংখৈরেনর লিকচাও লিগ্রাং কৌএ ।। শোনবিও শিরমন্নাইদা শদো থোংবা হৌনদে ।। X

৮—ক্বা অমদি খোইদৌনি ।। খোইদৌ হাইবা ক্বা অসিদা লৈবা লাইদি (লৈমরেন শিদবীনি , মশক্তি শিম্বোং বাইবোংগুম্বনি ।। অনাবগী মওংবু চৈলাওবা লাইনি ।। লাইমিংদি হেঁৗ লাইরেল লৈকুম্নী লৈহিংনপ ফা ফা মা) কৌএ ।। লাইমিং অসিদো মিংপু উংশিন্দুনা শাম্নো ।। য়াংফম্বু তাওবা হৌনদে ।। খোইদৌবু থ ৃকপা হৌনদে ।। লাইহৌর শোইদনা লেপক্কদবনি, নত্রবদি মু ভাই-নবা হোংনরো শোইদনা শিরনি ।।X

৯—ক্বা অমদি হকচাঙ্গী মিহিং হুনকম মহুদি (ঈশিং, মুংশিৎ, মোইতান) অহুম মক্তি খোংনি ।। লৈমরেল শিদবী কৌবিগী ক্বাইরেন (লৈখৈনি) মরম অশি থজ্জদবনি ।। পরম খোরম অসিবু য়াংপা লৈথাইবা লোইহুনা থাজা ৪ লৈচংবা মম্ভুং অশিদা মমিংবু নাওরেবা (মোইরিরি , মিংহুন্দুনা পলেমগী হকপু শাথৌ শাদোংলিবা মরুগী নাওা লৈচংবা থোহোরেদো ।।

থাজা ৫ লৈচংবগী মথৌ মওম থোং ১৪ য়াতুনা মমিংতম্বা হাইগে

মৈতৈগু পাখংবা তাইবং মপোক শাফোজদবা মশক্তা পলেমগী শিয়োমুংদা লৈচংহুনা শেমগৎ শাগত্তুনা তাইবং ওইনবা শাগৎপবু থাজা ৫ লৈচংলক্লে ।। তাইবং হক্তি থোং ১৪ বু য়াত্তুনা থম্মে ।।

থোং ১৪ হাইবদি থোং অমনা লুরাই লেমফুনি।। অমনা নাকোং ২ নি।। অনি অমনা মিৎ ২ নি ।। অনি অমনা নাথাঙ্গী নাতোনগী খোংলম ২ নি য়াংলে।। থোং অমনা চিনগা য়াগা য়াংলে।। থোং অমনা খোনাওদা য়াংলে।। থোং অনি অমনা চগোত্তা লেংলক্তা য়াংলে।। থোং অমনা মথোক্তা=থোইদোদা য়াংলে।। থোং অমনা পেংথোং কোনা য়াংলে ।। থোং অমদি ঈশিং থোংদা য়াংলে ।। মশকপু (মোইরিরি শংথ্রপলেন মিরেম্ন) কোবা থোইরিনা য়েত্তুনা পয়মগী খোইজিথাদা লৈথ্রম্বদা তাইবং শেমগৎ শাগৎপবু লাইয়েক ৪৫ চৈনপ ১৪ অপক্কমা ৭ লৈত্তিন ৭ লাইয়েক ৭৬ না নাওয়োম্বা তেংবানবগী মপু উংলো য়াইবিরেন শিদববু লিংশিংজবা তানফংলক্কুনা থুৎশা ১০ শী লাইয়েক্কা লাইমিং শিংথা ওইহুনা শিদবা মরু নোংদম্ববু থাগোন লৈপাইবা লৈওমলক্লে ।। মতম অসিদা লিকত্তন মরু লিপূন অমা চলুপ তরুকা কুনশুরে ।। শিবু মৈতৈশু খোইয়ুম লাইমিংথোই ৫ গী লাইমিং লিকওন ৩ চৈথাবা কৌনৈদো ।।x

থাজা ৬ চংবগী থোরমবু হাইগে

থাজা ৬ লৈচবদা নোংদম্বনা তাইবং শাফেঙদবা মশক্কপু শাফোং শাথোকপদা ফিশেত্তুনা শাপোক্কববু কিকোৎ শংবা=নাওফম হাইবা মশক্কা ফিশৎপীহুনা মমিংবু (মুবা লাংঙাং মঙাং নাওরা শংপা কুপ) মিংজনবিহুনা পালেমগী লিয়েম্মুংদা নোংদম্বগা লৈমিন্নবা তানফংলিদো ।। x

থাজা ৭ লৈচংবদা তাইবং ওইগদববু নোংদম্বনা মমিংবু (হোরে অঙ্গ) মিংজন্না লৈমিন্নে । x

থাজা ৮ লৈচংবদা তাইবং ইপোক্কা থোকখিগদবা খোংলম (পোক্কপুংগী) লম্বীবু লৈতাকপিহুনা মমিংবু (সংথুপ থুপ্লি) মিংজনবিহুনা থৌখনববু তানফংনহল্লে ।।x

থাজা ৯ লৈচংলকপদা হাইজৈদো নোংদম্বগী লৈফমদা।। নোংদম্বা মরু—মরুনা ঐবু তাইবং মপোক হাইনা নোংদম্বীহুনা শাথোকউ নোংদম্বা অশিবু কনাগী নাক্তা লৈহুনা, কনাগী থৌখনবু তানফংজবা ওইজনা করি করাগবু লোইনহুনা লৈওমগদবা মতুতদি কুবি নোংদম্মা তাকপীও, ঐদি মরুগী নখোং থুয়ারেন থৌখনবু লৈথাবা ঙমলোইএ ।। নমু তাইবং মপোক হাইনা পরম অসিম্না শেমগৎত্তুনা নংবু ঐনা তাইবং মপোক খোংলম অসিদা শাথোক্লু হাইবা অসিদো নংনা শাথোকপদা লোইনহুনা লৈমিন্নগদবা মশক্তি নংবু তোংহুনা শিন্থা নোংদমগদবা মহাক্তো অসিনে থাংগো (শেম্বা দেবারাবা) অসিনি ।। অসিদো ঐহাক্নি, ঐহাকশু মহাকনি, নঙ্গা মহাক্তা থানবা

লৈতনা লৈগদবদি নঙ্গী হক্লা লৈম্নাংবা লৈমুংপা ওইদরিবা মথৈবু মানা নংবু থানবা লৈতনা লৈগদবনি ॥ অদুগা ইপাল্লাংদদি—নহাক্লা মহাকপু শাদোংলু, হক্লুংদনা নংবু মহাক্লা শাদোংদুনা নঙ্গী হকপু লৈম্নাংদরিবা মথৈবু লৈশংবা ওইনা লৈশন্নু. নংনা মহাকপু খোরম থুদিংদা পাওতাক্লদুনা নথোনঙম্নু, থোকাওদনা থোপুও, নংনা মাবু থোক্তৌনা খোপুরিবা পুম্নমক ঐনা থোপুবা থোগুবনি কাওগন্নু ॥X

থাজা ১০ লৈচংলকপদা তাইবং মপোক শাথোক খোংলম লৈফাংলে ॥ খোজুম শাথুপ =ফিদুপ শেম্নীরে ॥ মরুগী লাইমিং তাকপীরে; হে তাইবং নংবু কাওরন্নু (উঁ) হাইনা কৌবদি পম্বৌ নপাবু কৌবনি ॥ (হুঁ) হাইনা কৌবদি পলেম্ন নম্নাবু কৌবনি ॥ মিংশাগী ঈহোন থুদিংদা (হ, র, স) কৌনা হোম্না থাকৌনবদি নোংদম্বনা নোংদম্ববু নিংজবা কৌজবনি থংগু কাওগন্নু ॥ মহাক্তি নংবু শেম্লিবা নংনা মহাকপু তোংলিবা (শেম্বা দেব রাবা=শেব রাম) কৌবনি থংগু ॥ পাওশা পাওদাকপীদুনা শেব রাম তুকুপ্পনা নাওয়োম্নীর ॥

লৈমরেল ফম্বাল ৭ লৈফম্নী শ্না খোংনাং লৈমবু মতম অসিদা । রাঙ্গোন শংলেন্দা । খোঙ্গুল্লে হৈরোংলৈমা ফিগুম্নীনা অমাই চাবোকপী থোচংলে ॥ থরাক্ত পীচা থাদোন লৈমনা অমাক্ত মাং-খোক্লবী লৈচংনা লাইরেম্বী মণ্ডাইরোক্ত পুকশিখোম্নী; চিংযা লৈমা, শিদম্নবী, তমথোং লৈমা, চিংঙা লৈমা, এনা খোগন লৈচংলে ॥ নোংদম্বনা তমং য়ম্না ঈশিংদা থোখদুনা লৈথোক খোংলম লৈফাংলল্ল ॥ য়াম্না ঈশিঙ্গী মথক্তা থাজংলে হে তাইবং অসিদা তোংদুনা পোকচুম নোংদম্না খোইরিনা খোইশেংনা, নাওফম্না ফিশেংনা খোজুম লম্বীবু নৈথাং নোংদমনা ইম্বোংক্লে ॥ তাইবং মপোক শাথোক্লে ॥ নোংদম্ববু উখিদরে । কাইনবগী অরাবা, হুংশি হুংঙোম্নবা মিংলেনবু অরাও ইখৌ তম্লক্লে (উংঙা হুংঙা, অংঙা) য়াম্না ইখোল তাবদা খোইয়ুম পুম্বা হুরাওনবে ॥ অমাইবীনা খোইরেল্লে ॥ খোইরি নাওফম্বু শ্না সঙ্গাইগী থাথংবা লপলেন কাদা লৌকুমখ্রে ॥ মুঙ্গং পাংকি ঈশেংনা ইক্লমাইতানদুনা ঈশেংবু উহংলাগা, নাপীগা, শিংবীগনা লুপুনা খিকপেংলে ॥ পাথংবা কোওনতু-থোকপনা মপারিদা মরুগী লাইমিং লৈহাম্লিরে ॥ চিংইরেনশিং=শৈয়িশিংবু হুংয়ৈদগী মৈলৌদুনা মৈ থাগত্তুনা ইবেম্মা শ্না খোংনা লৈমা থাম্বি মৈবু থ্বাং য়াইদুনা মণ্ডাইরোই লাইরেম্বী পুম্বনা থৌথল লাংদুনা পোম্বনবা ওইনা লৈগম্লে ॥ মৈতৈগু কোঞ্জনতুথোকপা পাবু ৎবনা ফম্বাল তোংলল হুয়িচক শাথোক্লে ॥ মম্নুং মতম্নু হেম্লবদা মচা ইবুংঙো অমা কালেন থাজা হুম্নি পানবা নোংকোরৌ হৈয়েং মরুনা লৈপুবগী য়ুংথক থানবদা তানফজবদা মপুক হরাও তয়ামজদুনা খোইয়ুমশিংবু হুংঙাই-নদুনা পিজ পিথতুনা থোনিজৈএ ।X

চাৰোক নাওদা য়াইফং থৌনি থৌহৌবা মতম

পাবু খংবা হৌকংলৈ পূংমাইয়োন অম্মা হনবগী লুচিং পিবা শ্মা কোঞ্জত্থোকপগী কুবি নোংদমদগী মদাইরেল হৰেম্মা শ্মখোনাং নৈমা লৈমরেল ফমলেন ফমথোন পকি লুচিং ফম্বাল লাংবিবু মপারি অমা তাইব ইপোক শৈহৌন। পোকওমলে তাংম খংওমতুনা চিংথে নিংথৌ মরু অচিবা মিত্তোংলেন কৌন্দু লৈত বা ওৎনা য়েংওম্বা লাকএ।। মরুবু তানফংবদা কংলৈ পিবা পাবু খংবনা হংঙি, চিংখে মরুশু লাকওম্বার অদুবু হন্দক তানবং মপোক হাইবা অদুবু খংওমদবদগী খংওম্নবা চৈকাক অহৌনা ওইনা (হৈয়ম ৩ বা মংশু লোমলমদাই) হৈয়িচক ইভানবু লৈহৌনগদবগী ইওাল, মঙান মপান লৈক [illegible] অসিদা লোংদম্বনা ঐবু (পা) হাইনা মশকপু লোংদম্বীদুনা তাতৎং ইচা অমা [illegible] অসিব তানব মপোক হাইবা অসিগী চৎলম্ব করিব্ব কন্ন। কমদৌবা হেনমা, থৌরঙ্‌ লৈ [illegible] চপিং লানগ য়াইফা পৎপু লোংদ[illegible] কুবিশু।। মৈতৈ [illegible] পাবু খংবা [illegible] মতম অসিদো [illegible] মতমদা থক্কা [illegible] দি অাইথু ১০০ [illegible] লুচিংবা লাইথং [illegible] জিত্তি লোংমা [illegible] চৎলম লেহোংন। মখল মখল [illegible] অথোৎপু থোক্কুন। [illegible] দবনিদা অদুবু মৈতৈ [illegible] পা খংবা শ্মকোঙ্কত্থোকপা নংনা [illegible] মতম অসি। [illegible] লৈঙম্হৌনব। লৈবাক্কিশু এগী [illegible] মতম খুদিংদা য়াই[illegible], অমা [illegible] তাঙ্গ [illegible] চাওনা তানফংবা, [illegible] মরা [illegible] অকম্ব বু য়াইফা [illegible] থৌনি থৌওম্বা শংলেন কাওিরোন হাওবা অনবু [illegible] ইবুংঙোগী য়াইফ [illegible] থৌনি [illegible] অসিনা [illegible] ওইনা কাইবিরোল শং[illegible] গী [illegible] মওম্বু লৈহাপ [illegible] নচা ইবুংঙো অপিচাগী য়াইফং [illegible] মপান মউ [illegible] পালেমদা তাঙ্গা। ঈরু লৈ [illegible] ইপোক খুমন্তগী [illegible] তানফংবা অঙ্গমশুভ খুমিত্তা থৌনিগনি।। [illegible] মরু [illegible]? মৈতৈ [illegible] কোঙ্কত্থোকপ নচা [illegible] শাফোং শাহৌং [illegible] কোরৌ অতদগী হঙ্গংনা কোংবা মমিং [illegible] তাঙম কোরৌ [illegible] পালেম মমানা [illegible] মপাদগী লৈচুপ লোরৌ হৌনা খুমিং [illegible]। অহুদ নাওরা [illegible] লোংকোরৌ হৈয়েং [illegible] লৈপ্‌না লোকোরৌদা শাফোংথবনি মরু কমদৌবা? মৈতৈ মহুদি মকাপ মরুনা লৈপু [illegible] লোকোরৌ [illegible] তাঙ্গা মরু [illegible]।। মকাপ মরুগী থৌপান খুমত্তা পুরুম থৌনিনদুনা যত্তবা হাওদিবা [illegible] লাকদবশু লৈরম্বশু কাঙ্গথোক্লগা লাইভামথা লাকদবনা ওাকং থোক্কনা [illegible] বা ওনদনবা লৈবমনা তৌবিও।। চিংথৈ মরু অচিবগী লোংদম্ব মৈতৈ পা-খংনা

কোঙ্গভুথোকপনা থোরম্ব থৌঙম থৌপুনবা (কাইথয়োল শংলেনবু) চিংথৈ মরুদা লৈহুল্লে ।। পাবু থংবনা লৈঙাক লৈকম্নবা থৌপুনবা থোরাংঙে ।। চাপোকপা মুমিত্তগী নোংকোরৌবু শিংথেক শিংথানবা শিং চৈ তরুক শুবা মুমিত্তা নাওরা অপিচার ইরু তাঙ্গা লৈতুনখিবা মুমিৎ মকাপ মক কৌবনা তেংবানবা মপুগী থৌথনবু লৈচংবা কোলুপ তানথংহুনা অমাইবী হৈরোং লৈমা চরে ফিঙন্থী অমাইবীগা, মাইয়োক্লবী থরাইপীচা থাদোন লৈমগা অনিনা অয়ুক কোরৌহনবনা নোংপোক পাংলমগী রাতোন লোম্বগী কোলুপ্তা ইবেম্মগী মঙাইরোই লাইরৈমশিংনা ফমুং কাম্নুং, ফিরোন ফত্ত- হৌদি থুনাম্ববু ফিশু-ফিজাম্বা লোইহুনা মরু অচিবনা খিকপেং ইচাইনা অনম অথৌ লাইথাহবিরে ।। অমাইবীগা মাইয়োক্লবীগা অনিনা রাঙ্গোন শংকেনগী মাঙ্গেল থেনচংলাংদা ঈশাহফু ইমাইচোম্না হাপ ফৌথাং লুক অচোনবা মনা মশিং লুকমাই থেন ২, চেংবা লুকথেন ২, হৈকল লাকল লৈ- থানা মালেম অঙানবদা লৈহুন খোংগম লৈশারগা থৌনিএ ।।

তিং তিং চাওহল্লু
অঙান্না খিঙ্গবগুম কাহল্লু
নমথি হঙাই মাংহল্ল
তিঙ্গ লাইচুবা কে কহল্লু
তিং তিং চাওরা
হাদা মালেম অঙানবা
মহৈ মরোংবু চুমহল্ল
লৈরাংবু শঙ্গা শাংহল্ল
হৈয়ম হাযানাশ শুরা ।।

অযুক্কি থোরম্ব পৌরোইনম্বুনা মুমিদাং থোরম্ব রাথম্মহুনা চিংথৈ মরু মিত্তোংলেন অচিবনা লিরুং (ফিরাক মোংথাং) কৌবা ১গা তেঙ্গে (চাগিং নপফা) কৌবা ১ গা শাহুনা থমলে ।। থৌরম অসিবু নোংপোক অঙাইবনা উঙম খংহহুনা মদাইরেন চিংচরোইবীদা হাইএ,- করম্বনো তৌঙমথম্বিবা অসিবু চিংথৈ মরুনা তাইমং চাবোক্তি হৌবদা মঙাইরি, থোরম চৎলমদি লৈবাত্তনা নোংদম থৌপুনবা লৈশিনলক্লে, নং ঐদি যুমলিংহুনা নাওদাম্নরি কমদৌশি হাইবনো ? লাইরেম্বী চিংচরোইবীমা হাউএ. লাইবুংথৌ অঙাইবা নং ঐনা পোল্র তুনা থৌনংবশু থোকঙম্নরোই করি করম তৌঙমগবনো, নং ঐনা খংঙম্বা রাবু নত্তরে মোংদম থৌদাবু থৌঙম্নবা থোশিনবা মরু অতিয়া শিদবদা লৈহং পাওহংনবা থৌপুহৌশে তাম্নহুনা লাক্লে ।। মরুদা হংলে মরুনা হাংএ, অঙাইবা

লাইবুংথৌ লাইরৈম্বা চিংচরোইবী ঐদি নোংদম্বগী থৌদাবু থৌওম্বা লৈশিন্নজবতন্নি থৌরম পুম্নককপু থৌশিন লকপদা থৌওম্বা থৌপুবদি চিৎবু শেম্বা চিংচ্রাইরা—লাইমিংথোই অশিবতনা থৌওম্বা থৌপুবা ওন্নগদবনি হৌজিক্কি মাপ্পী থৌরম্নি পাম্নি লাইমিংথোইঙ্গা থৌনংনবা থৌনিও নোংদম্নে ।। খোইয়ুম অনিম্বক্তা তিলু ফম্বাল লাংনা লৈফমতুনা লাইমিংথোই অশিবা মরুবু (ম্নিকু চীংন্না থাগোন্দুনা) নিংওম্বলক্কে ।। খুঁদক্তা লৈবা থাংবা য়াদতুনা লাইমিংথোইনা মহাক্কী মহাক অম্না লৈথাইদোক্তুনা কুমজা ১৫ লৈচংলবা (লাইমিংথোই শম্বোং অপাম্বা) লাইমিংবু (শম্বোংনিংথৌনা মোংলাইগী মম্নুংদা লৈবিঙৈগী নমিংবু উংঙা. ভুংঙা. হংঙা) হাইনা মিংহুন্দুনা খোইয়ুম অনিগী মম্নাংদা শথোরক্তুনা মালেমদা লেপ্তুনা লৈথম্নগা লাইমিংথোই চিংচ্রাইবম্না হাইএ, লাইবুংথৌ অঙাইবা, ইমা চিংচোইবী নমিং পাংলো নচা থৌপুনবা থনম্নবনি নচাবু নাও কান্দুনা লৈফম থংনা লৈথম্বীতুনা ফৈংদাম মরিব থৌপুনবা ওইনা লৈথমাহৌরো পাওদাম্নগা মাংখ্রে ।। পাওশাবু তাবদা খোইয়ুম অনিম্না মমিং পাংতুনা য়েংবদা শাথোকলম্বা মশকপু উবদা মপুক খোইজং খোইদজবা থোকওম্নগা লোইননা খুজেং পালোই লাক্লা মথা মুংদা থাগোম্না মরাম য়াইদা পুশিন্দুনা মপারি শক্লা লৈথমলে ।। চিংথৈ মরুনা তাইবং ইপোক্পী চংকম্ব নোংদম থৌচৌবগী চংলম্ব থৌনাংতনবা মশকপু পীওম্বা থৌওম্নিনি রাথম্নতুনা লৈওম্বা খোইয়ুম পুম্বনম্ভ মুংঙাইনরে ।।

ঐ, মপান মরা লেমফু লৈতানবা থৌনি চংলম

নোংদম্বা লাইগীদমক্তা থুদ অম মালেমদা থাঙম্নে ।। মথক্তা ফিঙৌ ফিশেং অমানা কুপলে ।। অচুগী মথক্তা ফিরাংজি লৈচু অঙাংবা ফিশেং ১না নমতুনা, মথক্তা অঙৌবা লৈচুগী, ঙাংঙ্রবা লৈচুগী, নোংথৌ মচুঅশেংবা মচুগী ঋকখন (৩)না লোম্না খল্ল ।। থুদা মথক্তা ঙাংঙ্রবা লৈচুগী ফৈচোল ১, ফিয়াঙ্গ নমথাং ১, ফিবেল নম্বা তোলোক ১, লুংহিং লংজা ৯গা থারে । মনাক্তা লৈথেং লৈরাং থম্বাল লৈনা (১০০) কৌবা ১, হৈফাং ওমপোং থারো ১, লৈশংলেন মরোং ১, চাকথাং ১, হৈশাং ১, ওমপোংকী লফাং ১ গা থাওম্নগা থোংশি-নাশি, থুংশি, লিকফাং লৈখাতুনা য়েংলমদা লিরুম্না তেনগা ঙাতুনা লৈথম্নে ।। ময়াইদা নোংদম্বগী সনা হকি কুয়োম ওইবা পুনা লাইয়েক লৈয়েকপবু (থম্নুং ইংঙাল লৈপাবব) থমলে ।। মাংলমদা মালেমথক্তা লারোন ৭ লৈ থানা চুঙৌ হৈরুক ১. হৈকল লাকল কবোক অথুম অহাত্তগা, য়েত্তা মাইয়োকথা চাইরেল পুথম চেং অচোলবা ১দা হৈফাং চংথোকপা ১ লোংনা বাপ্তুনা থমলে ।। লাইবুংথৌ ৯গী হৈরুক থাঙম্নে ।। পুম্নমক্কি মমাংদা মালেমদা চেং অকুপ্পা চাইহুনা খোইয়ুম ৫ বু থাকৌ থাগোন ইরাংনবা মাইগৈ ৮বু

চুকথাবা (কন্থী) য়াংলে ।। ময়াইদা ঈশাইমু লকোই মরোং ১ লৈছাপ্পুনা খিল্লগা লংছিং লংজা ৯না কোইশিল্লে ।। খোইমুম ৫গী হৈরুক ৫ থারে চেং অকুপ্পগা শজোম, চুছিং, খোইছি লকোই, তিন্দুনা অনৈ চাজা শেমদুনা থমলে ।। চেং, তিংথৌ মনা ৫ পানবা, খোইদিং অমুবগা লৈগা উহং মনা লৈয়োন শেন্দাং মথাশাবা ১০৮ পৈদুনা থমলে ।। নাপীনে শিংবীনে পাইদুনা জুংকেং পাওগী ঈশেংদা লুপ্পুনা পোংলম পুম্বু খিকপেংলে ।। খোমইন লৈমগী মাইয়োংকথা অথেলপোংপু মাইয়োকুথা অথেনপোংপু ইচাইরে ।। x (পুরুম থৌনিবা চংলমলোন তাকপা)

চিংথৈ মরু মিত্তোংলেন্না উমচুম অঙাংবা=উঙাংবু থৌদু থক্তা তরং ঈছাপ্প লৌরগা ঈশাই-ফুদা (কন্থী) লৈচিন ৬ পানবা) য়েল্লগা ময়াইদা ইঙাল লৈশাবা আঙ্গিবু লৈথমলে মশক্তি ওঁ হাপ্লে ।। খোইমুম ৫ বু থাকৌনা ঈহৈরে ।। ইরাৎ লাইগী বাবু হাইগে মৈতৈঙু পাথংবা, খিক-পেংবদা লাইরাবু—

ওমহৈ ওমহৈ ওমহৈ
কেগা য়োইগা মোঙ্গ য়াইগা
থৌরি থৌয়াংলাই
থৌরি থৌদিনলাই
থাবা মাবু লান্নংদে
মুমিৎ পোংথৌ তম্লিএ ওমহৈ ওমহৈ ।।
পোংথৌ মথং পিজ্জগে মুমিৎ মাবু লান্নংদে ।।
য়াবা কোজাংশাঙ্গী পোংথৌ মথং পিজ্জগে
কুমজা পালোন থৌজগে,
ঙাল্লরে তেররে ওমহৈ ওমহৈ ।।
নহাম্নোং মোংবা ভুদো খোংদৌঙৈ
তুদেং খোংদেং নোঙ্গী থৌরি থৌয়াংলাই থৌরি থৌদিল্লাই
থৌরি থাবা পোংথৌ তম্লিএ থাবা মাবু লান্নংদে
মুমিৎ পোংথৌ তম্লি মুমিৎ মাবু লান্নংদে ওমহৈ ওমহৈ ।।

হাওম হায়েং— থৌবিতেং লোইবিতেং চেংলৈঙাক্টি ভাংলৈনাই

উত্তাংগৈ শিনন্ত'গৈ লনগৈ
চরোইনা থোংগৈং য়াম্বীনা থোংদৌগৈ,
হুইথৌনা চিনক্কেংগৈ, কৈরেল্লা য়াথোক গৈ
লংমাই হুইজিন হুইয়া থৌজনা লৌখাইগৈ
লৈবাক শেম্বালাই, নমু তাইবংমী শাবা লাই
লাইমিংথোই মক্না থৌওম্বা য়াদহুনা
অওক পুংফাইনা লৈওল্লরক্লবদা
লৈওম্মিবা মওমচাওবা খোইয়ুম পুম্বনা
মথৌ মওম্ব মাইগৈ শিন্না লৈওারুহুনা
লৈফম ফম্বাল লাংওম্না
মাগী মাম্নী মথৌ মথৌ মওম্না তরং লাইজগা পান্দম্না
থৌবু থৌরম্ব, থৌয়েংনা তরং খিকপেং ইচাইনা
লৈওাক লৈকন থৌবুনরক্লবদা
নমু তাইবং শাব লাইবু তিম্নম্বা লাইনম্বা,
তিঞ্জবা লাইচুবা লৈপক্লহুনা নোংদম থৌদাবু
থৌওম থৌপুনখিবা খোইয়ুম লুতিন ফম্বান্নহুনা
নোংদমগ্রবা খোইয়ুম মতিক হেনবা
মওম চাওবগী নোংদম্বা লাইব্রানে
অনম্বা অহাবা তিঞ্জবা লাইচুবা
তিনশেংবা ব্রানি পানম্নশি শেংনরশি
ওম হৈ ওম হৈ ওমহৈ হুয়ম হোয়ানগে হংসো ।।

খুগাম্বি কাপ কাপুনা মাইগৈ লাইবু লাইমিং হাইহুনা লৈপাইবা থৌচৌরনি—
চিংখৈদা—ওমনিং খ্রিং খ্রিং সংনৈতৈ মিত্রোংলেন চিংখৈ মরু ওয়া ।।
নোংপোক্তা—ও সংসত্তে ত্যাইম্ব নোংপোক অপানবা ওয়া ।।
মৈরমদা—ও আসং সংতে ওখুনে মৈরম খপ্লাং পনশাবা ওয়া ।।
মখাব্রমদা—ওম চুংগুং ফংত্যাগু ব্রাহ্ম খানা চাওবা ওয়া ।।
অন্নোংলম—ওম হুঁ হুঁ সং য়িনেত্ত ব্রাহ্মা থাংজিংবে ওয়া ।।
নোংচুপ—ভংপুং ব ং সংতে ব্যমাই লোইয়ারাকপা ওয়া ।।

কৌব্রু লাইচি—লিক্লম=ওম হু হু ফত হুমলেন মুংশিং শিত্তবা ওর়া ।।
অরাংদা—ত্যং ত্যং ফত্তক পেল্লাইয় থাংয়াই মায়হনবা ওর়া ।।
থৌয়ম্ব্ লৈঙাক্লবা তাওয়োইলাইদা লৈহুন ভম্লাশিন্নে—

ওম কোং খোং পা-পী ময়েক নিক নিক নিক
লোং লোং লোং য়োং য়োং য়োং চিক পান
কান কান, ক্রে ক্রে ক্রে; প্রং প্রং প্রং কু
লুম লুম লুম সো য়ো য়ো য়ো থুপ থুপ
থুপ ওর়া ।। থৌরম অসিবু থৌখম থৌনিবু থৌয়োইনদম্বিবা মথৈবু

থৌনি থৌরম্ব্ অকাইবা লৈজনবা অয়েং অখোংপা লাকণ্ডবা নমু চংলম লৈচং থৌপুবা পুম্ববু লৈচংবা ওমদনবা কুবি নোংদয়া লৈঙাকপীও ।।x

লাইরুরেল ৫ বু থাকৌনা ঈ হৈয়ে—ওম উংলো য়াইবিরেল শিদবা ওর়া ।। ওম অতিয়া শিদবা ওর়া ।। ওম লৈশিয়েল লৈপুনবী ওর়া ।। ওম লাইমিংথোই অশিবা ওর়া ।। ওম সা কোজম্ব্ থোকপা ওর়া ।। থোয়ুম ৫বু কালেনগী ৮নি পানবামকাপ মরুনা থৌখ-বগী নুমিদাং কোলুপ অসিদা থাগোম্না মিকু লৈথানজরিবসে লৈফম অসিদা সনা ফম্বাল লাংবিহুনা কুবি নোংদম্বীনবা পুকম লৈপাই থৌনিজগে চংজক্কমদা লৈচ হুনা, হাইজফমদা হাইজহুনা থৌনি পরম্ব্ নোংদম্বীনবা মিকু থাজবনি সনা ফম্বাল লাংবিও ।। নগু হে বুং থে অপিচাবু পুন্সি মরা লেমফু লৈতামা মুংশাংনা লৈপানবা তানথেংময়ুং পাক্লা শাংনা তানফংবা, হৈরাং চুম্বা লৈপানবা, লুৈরাংবু শন্না লৈশাংপবু কুবিও ।।x

লাইরুরেল লুচিংবা ৫ বু চেং লৈ, থোইদিং, তিংথো

উহংমনাবু লৈহুন্না লাংপা, লাইবুংথো মাইপৈ ভাকপা ৮বু চেং, থোইদিং, লৈ, তিংথৌনা লাংপা

১। খয়ুং পরম লৈথংলবদগী ইঙাম্বা থৌডম থৌরম্ব্ শায়েপ শাথোকপা, লাবা থিয়াং-থোক্লা লমহৌবা, উংলো য়াইবিরেল শিদবা ওর়া ।। উং লৈহিংফা লৈফা ও-এ ওর়া, কুংনোংলুম ওর়া ।।x

২। কৌয়ৌ কাম্লিবা রাংবন কুবিবা অরাংশা নোংথোইবগী মচা য়োইয়েন তোনপোকপা ময়ুম শলাই লেন ওর়া ।। মালেম লৈকুম শাথোকপা হুংগাং মহারাবা ওর়া ।। ওম সনা খম-লেথম অতিয়া শিদবা ।। x

৩—ও পোকপীভু ঈংখৈরেল লাইওইবী ওবা ।। ওম তাওবী লোইনাই মুংমু ভুমদমাংদবী ওৱা ।।X

৪— নোংদম থৌদা থৌওম থৌপুরেল অচা চাদা লাইহুই হৌয়কপা লাইমিংথোই কুবি নোংদম্বা ওৱা ।। লাংবন তৌশ্না তৌরিক্লাইবু ঈমু মচেং খোম্না থবী শেনগোইরেন অপানবদা য়াহিপ্পা অশিবা মরু ওৱা ।। ওম হে মৈচিক শ্না মুংভুরিকপা, মহি সনারেল ওৱা ।।

৫। ও হে সনা কোঞ্জল্লাংবা =ছায়াবা ওরা ।। মহামনিক খোম্বা ওবা ।। পাবু থংবা সনা লৈত্রেং খোম্বা ওম লৈ নোংথাং তরুংবা চাতং কৌবা ওৱা ।.X

লাইবুংখৌ লৈঙাকপা ৮ বু লাংলে—

১। ওম মিরুহিং পুরৈচি চেংচা নিংথৌবা, ফোকচী ওৱা ।।X

২। লোইবিক লৈহিংমু সংসংগে ত্যাইশু অপাম্বা ।।X

৩ ও আসং সত্তে ওথুনে খপ্লাং পনশাবা লাইবুংখৌ ওৱা ।।X

৪। খা পুংলেন খমনিংথৌ ওৱা, ওম হিং ক কফা হিংক্ক কংফা ওৱা ।। খানা চাওবা থ হিং সনা শিংবিরেল ওর ।। ণৈুনা মিাহ ি ওনা ।।X

৫। ওম উহ ফ্রাং চিং থং শ্রোং ওরা সনা নোংনাংখৌ তরেংবা ওবা ।। শন্থোং নিংথৌ ওম হুঁ হুঁ সংখ্যিনেশু ওৱা ।X

৬। ভং পুং বং বং সংত্য ব্যমায়, লোইয়ারাকপা খোংফেন থৌবা ওবা । হুই সনা বা হুইরাং কৌবা লাইনিংথৌ কোরৌহনবা হুঁ রারিচি ওৱা ।। অরোইমু হুমখিখি থা ওরা ।।X

৭। ওম হাই চিংপা ছাই ফাহিং কৌব্রুবে ওরা ।। মিহিংলেন মীপোকপা ভৌবা ওরা ।।X

৮। ওম কুং শংতে হিংতে মার্জিং ওৱা ।। ওমথিয়াং রিরি ওই সনা পারি শেম্বা কোন্দে মরিকপা ওরা । X

লিরুং তেনগা লাংলে :—ফিরাক নোংথাং কুপক্কেৎশেং কৌবা নোংদম্বগী মখুৎফা লিরুং ওরা ।। লৈঙাক লৈকনবা তেন; চাহিং নপফা কৌবা নোংদম্বগী মখুৎফা তেন ওরা ।।X

হৌকংলৈ লম্মা হনবগী পিবা; নচা ইবুংঙোগী য়াইফ লৈহুন অঙ্কুক তম্বীও—হৈয়ম, কোরৌ থক্তা কৌম্নু য়াইবিবেম্না হুমলেন মালংবগা লোইনহুনা মমিংবু চুপনপরা থাংজিং লেপশিন লৈহুন্না কোরৌ ৫ লি লৈঙম্লগা পম্হৌ মপা ওইগদবা মপাগী লুরাই কোইরেন্দা থকথ-রমহুনা পাগী মফমদা মমিংবু (হো হা) কৌনা লৈরম্মিদো ।। পা-পী অনিনা তিলুক ফম্বাল ল্যাংনা (হো হা) হাইনা থা কৌনবদা পানা হো হা কৌববু মমিং (নিঙ্গোম্বি । লৈহুম্না (য়া) হাইবা লাইয়েক্লা নাওয়োম্বীহুনা পীগী লুপাগী তে কোৎকী অকুপা লৈফমদা থংথবম্মে ।। পানা থকথাম্বা মশকপু পীনা (য়ো) হাইনা ইযানা লৌশিন্দুনা থোহাজখাদা লৈথমহৌরেদো ।। নোংদম পরম্বু থৌঙম্নবা (লাইরেম্বী শাগৎপীনা) পলেম মমা ওইগদবগী শিয়োম্নুংদগী শাথোক্লকুনা পম্হৌ শেম-গৎপনা লৈথমলম্ববু (রে) হাইনা লৌথৎলক্কুনা তাইবং হকপু শাথোক্লকপা য়ানব মচাকপু লৈ-রাওনবা লৈমেত্তুনা মমিংবু (থোইদৌ শল্লাই রারা । হাইনা থমলে ।। ওম শাগৎপী লাইরেম্বী ইমা নংনা তাইবং হক্তি মশকপু মিতম্বদা মউ মচাকপু রাত্তনা নোংদম্বিবা ওইবিও ওবা ।। মৈতৈচু কোঞ্জল লাংবনা চেং থোইদিং লৈবু লৈহুল্লে ।।X

মৈতৈচু সনা কোঞ্জল লাংবা চেং লৈবু পাইবিও মবি লিশাবা থোইবি তিংশেমাল ।। তিংদগী লু হাপ্লে ।। লুদগী রাম হাপ্লে ।। রামদগী শিংলি শিংনাও হাপলে ।। শিংলি মখি মরাদগী তোং হাপলে ।। তোংদগী ঈ হাপলে। ঈদগী কু হাপলে ।। কুদগী তুবু, খুঙিল খুথাবু পোক্নবা হাপলে ।। খোং খুমিং নিংশা থুং থুদাং, খুনিং, শেগা, লেজ্রম লেংলক শমলে । ঙক, কেংক হাপলে ।। না, পিশুম, লাইপক, নখাং, মিৎ, নাতোন চীন, চীনবান, খদাং, ঈশিংপোং, পেঙ্গী থোং ফাংলে ।। ফিরাক নোংথুম, শৈ, মশিং খা, ৬কখোং থবাক, শদোন, লকা, মখাক কময়া, কমখোং, শাজুম্বা মিউ, হকপু শম্বা শাবা লোইরে ।। তিংলিদে য়াংলিদে লাইমিংবু ভুমহুনা লৈঙম্বঙুম লৈএ অহুনুঙ্গী (হেরোম লাংবুমবা) লৈচনা থাজা ও লৈচনা লৈশাইএ। X

থাজা ও লৈচং লৈহৌবদা থরাই য়াইবিনা হুমলেন ১০গা লোইনহুনা তাইবঙ্গী হুরুংদা লৈ-চংলে, তাইবং ওইগদবগী মমিংবু (নাওরেংবা মোইমরিং রিরি) কৌএ ।। তিংলি য়াংলিরক্লে ।। য়াইবিনা শাহৌরকপদি থরাই য়াংবি শীদবনা নোংথক্তা ৭নি লৈএ; থাদা পীরে থবী কৌএ: মিং খৈরেন্দি মিমিম্বস তিনখাকশং) কৌএ ।। নফম লাংদনা লেংফ হোংফদে ওবা ।।X

মুংশিং ১০গী মমিংবু—হুমলেন য়াইবি শিদবা ওরা ।। হুমলেন য়াইবি হামোইবা ওরা ।। হুমলেন লৈপু লৈশংবা ওরা ।। হুমলেন লৈয়াবা ওরা ।। হুম লেন মিত্তোংলেন ওরা ।। হুমলেন তনিক তশোইবা ।। হুমলেন ইথৌ ইয়াবা ওরা ।। হুমলেন য়াকৈ য়াকইবা ওরা ।। হুমলেন লৈপু লৈয়াংবা ওরা ।। য়াইবি হুমলেন=হুমলেন লৈশংবা = হুমলেন মরু শিদবা= হুমলেন নোংদম্বা ওর ।। X

শিংলি ১০গী মমিং ১। মরি লিশাবা=খোইরিতিং=শিংলি লৈরোম্বা= শুমুরু ওবা ।। ২। তপোপ তয়াং শাবা ওবা ।। ৩। চনিং হেনবা=লাইরোংবা ওবা ।। ৪। মিওরেং মিহিংম্ব ওরা ৫। মিচিরেং মিহিংম্ব ওবা ।। ৬। চিংথৈ লাবা=শংহো ওরা ।। ৭। শোহিং=শামদোন য়াংবা ।। ৮। থুংচিরি মৈরোম্বা ওরা ।। ৯। তিংলিসং ওরা ।। ১০। চেথেকু ওরা ।। মরি লিশাবা শুমরুবু শেম্বা শাবা লাইদি মুংশিং শিত্তবা লাইনি ওরা ।। মরি লিশাবা খোইরিতিংবু শেমগৎ শাগৎলিবা তাওরোই লাই নংনা নঙ্গী খোংজম্ব কাইদনবা শেম্বীও লাইমিংবু তিনতরেং তিনতরিং কৌবা ওরা ।।

লু পোকপা শেম্বা লাই হে মারজিং লাইবুংথৌনা নগু হেবুংথৌগী লুরম্ব, পরম কাইদনবা অসি মরুনা লৈমুৎ লৈমাংদরিবা মথৈবু অসিদগী শেম্বীও (তিনকাপ হো থাহো) কৌবা ওরা ।।X

শিংলিবু পোকপা শেম্বীবা লাই অরং কৌত্রু অশুপ্পা হংনা নগু হেবুংথৌগী হকপু লৈশা। লৈপুরিবা শিংলি পুম্ববু মাগী মাগী পরম্বু কাইদনবা শেম শাত্নুনা লৈথম্বীও (ওং ওং চিবিৎ জি ভি) কৌবা ওরা ।।X

রাম=কুবাম্বাল্লব পোকপা শেম্বা লাই হে থাংজিং লাইবুংথৌ তাইবং শাফোংনরিবা নগুগী হকুঙী রাম্ব, মথৌ মগুম্বু লৈরাৎতনবা শেম্বীও লাইমিংবু (য়োক থাং রাই কোংদিং) কৌবা হে থাংজিং ওরা ।।X

তোংবু পোকপা শেম্বা লাই হে নোংপোক মরু তাইবং শাফোংলিবা নাওবা অপিচা অসিগী তোংবু মথৌ মগুম্ব, কাইদনবা শেম শাত্নুন লৈবিও লাইমিংবু (এ রং) কৌবা ওরা ।।X

ঈবু শেম্বী শাবিরিবী হে ঈম্মা লৈমরেল শিদবী=লাইরেম্ম থুৎলোংবী ঈমানা তাইবং শা-ফোংলক্লিবা অসিগী হকপু ঈরাৎপা ঈথোইবা নাইদনা লৈবিও লাইমিংবু (চিরিও কাত্নু শাগুরি অরিয়া থুরুংনপ) কৌবী ওরা ।

কুবু পোকপা শেম্বা লাই হে শ্বা কোঞ্জম্মু থোকপা তাইবং মপোক্তা শাক্যোং খোংদরক্রিবা অপিচা অসিবু উমগী লাইনা লাইথুংবু লৈচংবা চমদনবা নোংদম্মা শেপীও হে ইবুংঙো সেনক্রেং ক্রেংবা) কৌবা ওরা ।।z

তুবু পোকপা শেম্বা লাই হে অতিয়া মরুশিদবা, মরুনা শিংথেক ৭ থাক্কা ১২ বু হাংহনবা লৈতনা হক্কগী তুবু লৈমুৎতনবা চোংহনবিও পরম খোরম লৈথংদববু লৈহংজবগু তাকপীবা কুবিও হে থুপ্লং মরুবা কৌবা তাক্কনবনি ওরা ।।

থেবা ৩গী মমিং কোক্কি মরোল মচু মমিং

হে থেবা তোকপা, হনি, নখোই অতুম্বা হক্কি মমু'দা লৈবদি খোনাও ছাইবা লৈফমদা তিম্মা লৈবনিদো ।। অতুমুঙ্গী লাংবুং কৌবিদো ।। কৌবিদো (ব) হাইবা লাইয়েক্কি মশক্কা যোমহুন লৈযে অতুমুঙ্গীবু লাইমিংবু (পংফং শঙ হঙ) কৌবা ওরা ।। প'ফ' শঙ হঙ কৌবা ও ।। নখোই তাহম্মু তাইবং নাওরা অপিচা অসিনা নিংশা ইহুনবু চিংশিনবদা লৈচংনহুনা খোইদো তুম্মা লৈ-কুমহুনা য়াংফম লৈফমদা শাবোত্তুনা লৈবিরো লাইনগু করি থয়ানগু থিবদা উহন । হনবিগমু কৌরবগু চৎফদে লেংবিগমু ।।

মিং লহানা কোনবা লমলেন্দি কোক্কি মমু'দা কোপ্লিএ (হ'ঙ স' হ'ং) বৌবা ওরা । তাইবং অপিচা অসিদো মিংলাং চে'কুপ শিহনগমু কোক কৌবা মশক্তি মরোন (ং)নি । মপান থংদি শঙ্গোম অহিংবগী মচুনি লাইমিংদি (হ' স' স') কৌবা ওরা ।। শ' র' হ' কৌবা ওরা ।। শুশাং শুশোং হু হ্যোং ওরা ।।

ময়াই থংবগী মচুদি হিগোক মচু অমুবনি । তরং তরেং তমু তহেনবা) কৌবা ওরা ।। অনম্বা অহাবা অকি তুজুং অথংবা মংলাক হরাকপা তৌহনগমু ।।x

হিগোক মচু ময়াই থংবা শুমদোং অসিদা কুমদম্বা লাইনা লৈঙম্লিএ ।। অমাংবা ময়েংতাবা লৈতবা নাইদবা লাইগী শংলেন অসিদা (থরাই থাইবিরেল শিদবনা লৈএ ।। থরাই অসিদি লৈম-রেন শিদবীনি ।। থরাই অসিনা হিংনবা শোজবা লাইমিংদি নিংশাবু হোন্দোক্লকপদা হোঙ্গিল্লকপদা ল্যাইরেক তত্তনা নিংশিংজবা ওইনা (শ' র' র হঙ্ক কুং) হাইনা শোপ্লিএ ।। তাইবং মপোক

হাইবা অসিগী লমলেনগী মশক ওইনা নোংদম্বীবা মাইমিং অসিবু খৌকাওদনা মুমিং শিজ্জ্রম ৭নি থাজা ১২ নিবু লৈহাংদনা শোগ্নবা পুন্সি মরা লেমফু তানা লৈজস্নয় তানথেং পাক্লা শ.বনা তাব-ফ.জববু তাইবং মপোক্লী মরু ইহুন তাহন্নকপা কোরৌ অসিদা কুবিও ।।X

লংহিং লংফাই ইরাৎপা লংজা ৯ বু, পীগীনা লাংজা ৭ লাৎকনি]

ওম হৈ উংলৌ য়াইরেন শিদবা ওব্রা ।। ওম হৈ অভিয়া মরু শিদবা ওব্রা ।। ওম হৈ লৈন-শিরেন লৈপুববী ওব্রা । ওম হৈ লাইখিংথোই মহি সনারেল ওব্রা । ওম হৈ লমা কোঞ্জ্জু খোকপা ওব্রা ।। ওম হৈ নোংপোক অপাম্বা ওব্রা ।। ওম হৈ থাংব্রন খানা চাওবা ওব্রা ।। ওম হাই থাংজিংবে ওব্রা ।। ওম কৌব্রুবে ওব্রা ।।X

নাওরাবু থিবাশংহুনা লংহিং লংজা ৯ পুনব, তেন কাপ্পুনা লৈত্তাকপা ।।

তাইবং অপিচাবু পুথোক্কুনা থিকশেং ইচাইহুনা খুদাং খুৎশি যেৎলমদা লংজিং জিপান্দুনা তিন-শেং লাইশেংলে ।। ভয়ম হয়াহ ।

ওম হৈ ওম হৈ ওম হৈ
কৌরী মচি ঈনা শেংনরগে
কোবী মচি ঈ শব মমাও ঈ
কুরেল লোকচা ম জা ঈ,
শারোই মংলেই ঈ,
মুকেং পাৎচা ঈশেং ঈনা শেংনরগে
উহং মনাবা লাপীনা শিবৌনা ইচাইনা
শীদনা লাতানা নাপুন্না শেনপুনা
উথোক্ক রাথোক্ক হুপ্পা হুপ্পাংনা
তাইরেম্না পুংফাইনা ইরুপ ইচাইম্নুনা
পাম্নে শেংনরে, কপ্পা খোংথৌ লাইয়েম্মা
লাপীনা নোংথোইনহুনা মগুগী হক্কা
থনাম্বা না ভৈবা নমথিবা হংওাইবা

তিজ্ৰন্থা লাইচুমন্থা ফত্তবা লৈঙমন্থা
খিবিকপু শেংনয়ে কোম্নয়ে
ম্নাদা ম্নাশিন হৈবী নংনা বাশিন্নবিখয়ে
উদা উশিন হৈবী নংনা শিনবিয়ো
উতিংকোক নংনা শেংবিয়ো ওমহৈ ওমহৈ ওমহৈ ।।x

অঙাইবনা মচা নিপা শম্ভোং মিংথোই অপাম্বর পুশিল্লকুনা চিংখৈ মকদা পিঙমনে।। মরুনা হাইএ—শম্ভোং মিংথোই অপাম্বা নচা ইবেম্মা লৈমরেল ফমথোন ৭ লৈপুখিনা তাইবং মাওম্না অমাবু মপোক ইহন তমজবা নম্নান মিংথোগীদমক্তা মাইগৈ ৮ ম লৈঙাক লৈথিংবিহুনা নোংলানগা মা-লেমগবু থাগোন লৈনিখিন্নকুনা নমান নিংথৌগী য়াইফং পয়মু থৌনি থৌঙম থৌপুনখিরো।। মরু নম্নাথং কুবি নোংদমু থৌপুজনি। মরুনা লিরুংবু (শ্রীং ঙং ক্রুক হাই ওরা।। শ্রীংওং ক্রুক হাই ওম্না)।। হাইনা লৌখতুনা লিরুংবু পীরে।। য়েক য়েক তিংশো হাই, পা-থংবা নংদি সনাগী তেঙৈ মৈহৌবনি নতিকপু নওম্ শামফাদ) ।x পাওশনা তেঙ্গৈ ৯বু লৌথংলগা তেনগী মচিন্দা লাইমিং (মুগুরুবা লম্মুরুবা, মিরেং থাওরোম্নবা) তংনা মাইগৈ ৮ বু লৈথিং লৈঙাক্লুরো, য়েরুবনা থোংদম্নকপা লৈচালুকপা য়াঙয়োই পাওশরগা তেঙ্গৈশু পিরে।।

তেন কপ্নবা থৌপুবা— শম্ভোং মিংথোই অপাম্বা ফৈচোল মোক্তোক মাংলমদা হাইথবদ্ মতুং লোমদা য়েপশিল্লে, ফুরিং কোনথাং লিংলে, মথক্তা নমথাং থৌংন ওনশিল্লে, কোক্তা নমশা তোলোক হাপলে।। লিরুং তেন পাইহুনা চিংখৈদগী থৌহৌন তেনবু লিকাপ্পুনা মাইগৈ মরি গুংদাই মরিবু লৈশুনবা লিকাপ্পুনা অরাংদা থৌরোইরে ।। তেঙৈ ১দ লিরুংদা লেহাপ্নহুনা নোং-লোন্দা উত্তুনা পাওশানরক্লে ।। তংবানবগী পম্ভৌ ইপা নোংলান মরোল ৯ মক্তগী অচা অথক লৈথম্নম্ববু লৈব্রাংতনবা খিকথবিহুনা মালেম ইমা লৈয়াইলেন্দা তাইবং ইচানা চাজনবা কোরৌ অসিদগী কুবিহুনা লৈথম্নীরো।। মালেম তম্না তেজিনবু লুক্তুনা হাইয়ে ।। তেংবানবগী মমা মালেম শিদ মাংদবী ইমানা কোরৌ মোংমদোন পম্ভৌনা খিকথরকবিবা অচা অথক লৈবা খিবিকপু ইমাগ চেম্না লৈচুগ্না লৈরৌ ইয়াবিহুনা তাইবংনশু হেবুংথৌবু অচা অথক লৈবা খিবিকপু লৈব্রাশুনা লৈংন নোংদম্বীহুনা নথামুংদা কোঞ্জন নাওকোনববু আসদগী কুবি মবিও ।। পাওশানরগা লিরুঙ্গ তেন ১ হুগা পুহুনা চংলক্লগা তেনবু থম্নবা মরুম্না শিম্নরে ।। মরুনা লিরুংগা তেনগা লৌহুনা ওমচি তিমুং ওরা, ওম চিতিমুং ওরা, ওম চিতিমুং ওরা) ফত্তবা হাওদিবা অয়েৎ অথোৎ লাকঙম্। পুম্না নংনা ঙাকথোকউ ।।x

শম্লোং ম্নিংথোইবনা কুবিয়ে—ইমান নিংথৌ কোরৌ অসিদগী তাম্লেং পাক্লা শাংনা তানফংবা, পুন্সি ইপুঙ্সি মরালেমফু লৈতানা লৈপান্নহুনা মরুগী লাইম্নিংবু থৌকাওদনা থাগোনজবা হিমক য়াই মরুবু তানফংনা লৈপানবা তানফংবদো ব্রাইথুংলো ।। মতুংদা থোইয়ুম পুম্নবু লৈচংলক্লুনা কুবি নোংদম্মীরে ।।X

খেম্বা চন্নু পোংলম পোংথাংনবী চিংথৈ লৈমা থোম ইনবীনা থৌপুবা—চিংথৈ লৈমা থোম ইনবী মমানা তাইবং নাওরাবু থাগোম্নহুনা লৌথংলগা পাওশানা লৈশিন্নরক্লে ।। লৈমরেল ফম্না ই ফমথোম ৭ লৈফম লুচিংবী তাইবং নাওরাবু অপোকপী পলেম মমাও কোরৌ অসিদগী থৌহৌ না নপারি তাইবং নাওরাবু তিনয়েং খোয়েংপা লৈওমদা, তিঙ্ক লাইচুবা লৈওমদা, তিনশেংবা লাইশেংববু তানফংনহুনা নথানুংদা কোপ্পন্নহুনা হৈরাং চুম্না পানওম্নবা লৈরাং শম্না শাংওম্নববু তানফংনবা পলেম মমা অপোকপী নঙ্গী কৈরা থক্তা লৈপান্না পলেম নঙ্গী খোম্লাংবু নপারিগী খবোংথম্না য়িন্দুনা নাওয়োক নাওকোন মহৌরো শে সে লৌজরো ।। হৈয়ম হোয়াহো ।

ঐশেংবা লাইরমলেন তাইবং লুতিন

চাবোক মুমিং নোংকোবৌ ১২নি চংবগী অযুক মুমিং নাত্তোল লাম্নকপা মতমদা নাওম্না অপিচাবু খুজিন খুয়া লৈশেংনা লুরাই শম্লাংবু কোকপিহুনা মকোক মউ ইতুম্না ইক মাইতানবিরেদো ।। তাইবং পোকপী পলেমগু চেংহি শম্বাল্লাং উগি শমখোং শেংনা ইক মাইতানহল্ল ।। মাঙ্গোল খেঙ্লোং লাঙ্গী খা থংবা উখোং অভেনবা শিংকাপ পুবগী মখোংদা খুদা ফমলেন্ন অমা থাবিহুনা তাইবং নাওরবু মকোক মথা পাংনা মমাই নোংপোক ওম্না লৈথম্না য়াহিপ পোম্খবা লৈতমহম্না থম্নগা চিংথৈ মকনা খিকপেং ইচাইনা থৌনিয়ে ।।

শুম হৈ শুম হৈ শুম হৈ,
তিং তিং চাওরো মুমিংনা করিঙৈ কাহৌরো,
মুংশাও শারো, মহৈ মরোং চুমহল্লা,
হৈরাং চুম্না পালহল্লো ।।
লৈম্নাংনা শম্না শাংহল্লো, নমথি নাহং মাংহল্লো
হুকি পাঙ্গল কলহল্লো, তিঞ্জেল লাইচেল তুমহল্লো ।।

কোম্মৌ হুনবনা ঙানকণ্ড়ম মপুক মাখল
মতিক মঙাল ঙালহল্লো,
তিং তিং লৈহাপ্লো, ওম হৈ ওম হৈ ওম হৈ
হয়ম হয়াহে ।।x

তাইবং নাওরবু শাখুংবা মিংহুন্না তাইবং চাক ইন্দুনা উম্বা

তাইবং অপিচা নাওরাবু থা ৫ লৈচংলবদা তাইবং মচিঙাক চাবা থকপা তম্বীনবা খোরম্ব (চাক ইনবা=চাক উম্বা) মিংহুন্না চিংথৈ মরু মিত্তোংলেন কাইথিবোল শংলেন লৈফম্বনা নোংদম শংলেন লৈপু লৈফম্বা লাইমিংথোই অশিবা-মহি সনালেম্বগী খোদা নোংদম্বু থৌপুনা চাক ইম্নবা থৌশিন থোপুরে ।। শিং মরম ৬=থৈবোং, হৈনৌ, খোংনাং, হৈজ্রু, বোয়েই, শয়িরেল, চেং-থোইদং, মনা ৫ পানবা তিংথৌ, লৈ, উহং মনা ১০৮ মেক্রুক মৈখু, চু হৈরুক, হৈফাং থোকপা, ঈশাইকু ১ মাইয়াকথা চেং কম্বী অচোনবা ১, হৈশাং ১, হৈংচেল ১, কোনথাং ফুরিৎ, খ্বংয়েৎ, নমথাং, নমশা=তোলোক, পান্থোম য়াঙ্ট, খোংশি, খুংশি মাশি লিক ফাং মথাং, কোন্দুম, লিক্লাং লৈবা খিবিক তানফংববু খোরাংনা থমলে ।। পালেম মম মচা ২বু থাঙ্গা ৫ লৈচংবগী থিকপেং থাশেং ঈচাইন থিকশেং থাশেংলে ।। উচিরা ৪ লাখু চুগা লিপুন্না মাইগৈ ৪বু চুকশা লৈফানা য়ুংতুনা থকখন মথাল ৯ খাল্লে । মখাদা ফম্বি য়াংলে চেং অকুপ্পবু চাইওয়া ।। ফম্বি শনা শিংথন ৯বু মালেমপা শিংথানা হাপ্লে ।। মৈবু হৌরে, মৈহুম ১ লৈশনুনা অম্মাংবা মৈশি অসিদো মথন্না শঙ্খোং পাংনা হুন্দোক্লে । মে কৌবা লাইবু থাকৌনা হৈফম লল্লে ।। মাইগৈ ৮ লৈঙাক লাইশা লেমুং লোঙ্গা অরিবা তাঙয়োই লাইগদা খোরম্বু য়েথাংবা থিজাইবা লাইবু লৈচংবা ওমদনবা হৈঙাকপা লৈশিন্নহুনা লৈথম ল ।। অহানবদা সনা তাংবন খুদা লৈথাবগী মথক্তা লৈহুন লৈরাং তমলে খোইখুম ৫বু ।। মতুংদা মৈ কৌবা লাইবু মৈখুদা লৈহুন তম্বা হৌরে ।। খুদাদা লৈহুন তম্বদি ১—উংলৌ য়াইবিরেল শিদবা ওরা ।। ২ । ওম অতিয়া মরু শিদবা ৩ । লৈশিরেল লৈপুনবী ওরা ।। ৪ । লাইমিংথোই মহি সনারেল অশিবা ওর ।। ৫ । মৈতৈভু সনা কোঙ্গন লাংবা পাবু থংবা ওরা ।। নত্তু হেবুংখৌ নপারি তাইবং অপিচা অশিদো খোইয়ুম ৫গী কুবিবা নয়াথংবু থৌপুনা তাইবং অপোক্লা শাখোকবা নাওরা অপিচা অসিদো মমিংবু পাপ্রংবা থাকৌনা মেরুবা লাইমিংবু লৈনুংলোঙ্গা অরিবা হুঁম চিকউম লৈহুন তমজরগে কুবি নোংদম্বু থোয়ানা ।। ওরা হৈয়ম ।।

মৈবু ইবাং থৌহৌ খোপুনরক্লে :— হে মৈকৌবা লাই নংবু নত্তু হেবুংখৌ পাখংবনা থাগোন

থাগোন লৈপাইনজরিএ, ওসি নত্ত হেবুংথৌগী ওন্না চাক ইন্দুনা তাইথং হায়বা মপোক্লা পাগী পুন্নী তাইবং চীঙ্গাক ওইনা নোংঙমতুনা পীজববু থৌহৌবা অসিদা চাওমখিবা মতুঙেত্ত চাওমকপা পুন্দী মচু ময়াই ফত্তবা পুন্নবু মাংহনবিবা কুবিও অহু মুঙ্গীদমক্তা নত্তনা ইরাংচরি কুবিও ॥

১। ওম ভাংঙানবা চিংথৈ লৈফম্বা মৈ ওন্না

২। অঙৌবা লৈচুনা তমজবা থাম্বি নোংপোক লৈফম্বা ওন্না ॥

৩। কোরি অহিংবনা তমজনবা থাম্বি মৈরম লাইচি লৈফম্বা ওন্না ॥

৪। অমুবা লৈচু মানবা মথা মাইগৈদা লৈফম্বা মৈওন্না ॥

৫। অঙৌবা মচুবু অমুবা লৈগী মচুনা তিলু লৈফানতুনা শাকোংবা থাম্বি অরাওবা শঙ্গোং লৈফম্বা মৈওন্ন ॥

৬। মে ম নবা লৈচুনা লৈতেংবা থাম্বি নোংচুপ লৈফম্বা ওন্না ॥

৭। নোংথৌ মচুনা লৈতেংঙিবা থাম্বি কৌত্র লাইচি লৈফম্বা মৈ ওন্না ॥

৮। সংবানবা মচুবু লৈ • বা থাম্বি নৈরাং লৈফম্বা ওনা ॥

৯। নাপু ভাংঙানবা লৈচুবু লৈতেলিবা থাম্বি নোংলোন্দা লৈবা ওন্না ॥

১০। সনা অহিংবা লৈচু :০না তিলু থানা লৈতেংলিবা, হে থাম্বি ময়াই শুমদোনপনবু লৈফম্বা ওনা কুলিও ওন্না ॥ উং মৈমুৎশং ওন্ন ॥ উং মৈতরংভাং ওন্না ॥ উং মৈঙান তুহিং ওন্না উং মৈ সংতরেং ওন্না ॥ উং মৈবেম্লি ওন্না ॥ উং মৈ হিংসন ওন্না ॥ উং মৈমুত্তরেং ওন্না ॥ উং মৈ শংমুবাক ওন্না ॥ উংমৈঙান তুভান ওন্ন ॥ মৈহৌরোল ৯ মক্তা নত্ত হেবুংথৌ পাগ্র বা— লৈজুংলোক্লা অরিবা ছ'ক কোববু কুবিও ওন্না ॥ সনা কোনয়াই লুপা কোনয়াই থারে—উই মিলিং লিং লিং লিং লিং নরাই লাংথৈ, লিং লিং লিং লিং ওন্না ॥ উই মিংলিং ৫ লক নরাই লাংথৈ লিং ৪ লক হাইনা হুঞ্জে ।

ঈহৌরোল ৯ না শঙ্গোন অনৌবনা হৈহুনা মৈ মুৎলে—উংচিরি ওন্না ॥ উংচিথোম ওন্না ॥

উংচিপাক ওৱা ।। উংচিস্নিং ওৱা ।। উংচিতক ওৱা ।। উংচিস ওৱা ।। উংচিলা ওৱা ।। উংচিথা ওৱা উংচিথুম ওৱা ।। ঈহৌয়োল ৯ মক্না নগুবু কুবি নোংদম্না থাগোনবিও ।।X

চউম লৈফম ফিদাব্ নিজেঞ

হে মরু উংলৌ য়াইবিয়েল সিদবা নোংদম্বা মপু নংনা সনা ফম্বাল লাংঙম্বা খুদা সননা মযুং কাবা মনিক্না মফেল য়ৈহুনা মুক্তানা ফিবান চনববু মরু নঙ্গী কুম্বিবা য়াথংনা অতিয়া শিদবা মরুনা তানফংনা লৈফম হৌবা খুদাবু অসিনিদো ।। অতিয়া মরু সিদবনা মপারি অহন লাইমিংথোই সনারেন্দ শিন্নবিরে, লাইমিংথোইনা মশানৌ কোন্দে অংনীব পাবু থংবা কোঙ্কন তুংথোকপদা লৈমিন্নহুনা পিওম্বীবদগী পাথংবনা কলামেনগী মথক্তা মৈতেন চিন্দান য়াতোন চিক্না উমনা ফমাল ।। লৈফম্মিবা খুদা অসিবু পাথংবনা মৈনে ঈশিংনে, নু শিংনে অতুম্মকি মফমদা শিন্নহুনা নোংখাম্লিবা খুদা অসিদো খোইয়ু ৭ কী নফম্লাংদা পুকম লৈপাইনা খুদা অসিবু নিজারএ ।। কাংরী আসিবু তাইবং ইপাচাগী নোংদম চাক ইন চাক উম্বা অসিদা লৈফমদুবা তানফ নজগে পাওশাববু খুদাদা লৈফম্বা মতিক মঙমগা লোইনা লৈহাপ কুবিনা পিনিও ওৱা ।। মরুগী পাওশাবু ৬ পদা পাথ বা কোঙ্কম্ তুংথোকপনা নোংদম্বিএ ।। পরি চহৈহন য়াইতোম্মাপাক পাঙ্গপা লপা ঔনা তানফংজবা থোইয়ুম লাইগী খদা অসি কোংবৌ অসিদগী পারি নংনা তানফ চহুনা লৈফম্নরে লোদম্না পিনারো ।। হৈথুম ।।X

নাওরাবু ফিদাথক্তা ফ্রমহল্লে খুদাবু পাওশাই

হে তাইবং থৱাই হকচাংবু থাগোল্লিবা হুমলেন ১০ মক মৈ, ঈশিং পুম্বা তারশি ৩ংলশি য়ানরশি হোংনরক্সুশে ।। হুমলেন তাইবঙ্গী হকপু চেনবা চাংবগী থৌজম থৌপুগদবা হকপু অনোপ অহিং শান্নগদবা, অরাম্বা থৌরাংনবা থৌপুবা থরই য়াইবি হুমলেন চাওমথিবা থকওমথিবা মশকপু তুমহন্নবা থৌপুগদবা হুমলেন, হিপহন্দুনা পোথানবা থৌপুগদবা হুমলেম, অরুম্ববু য়াংহন্নবা থৌপুগদবা হুমলেন মিকপ য়াকৈ ইহুন্নবা থৌপুগদবা হুমলেন থৱাই য়াইবি রেনবু হিংনবা লৈশং থৌপুবিবা হুম লন ১০ মক্না চেংনা চান্না কোনবিরো নথাক্সুংদগী তাযরোই অসি কৌংনা লৈমুংনদ্রিবা মথৌবু মথৌ মওম্ পরম খোংজম কাইদনা কোরৌ অসিদগী লৈপুনরশে হয়ম ।।

পলেম্না চাকইন থোৗপুরে, মরুন। লায়ইশোয়ে চদুম অহুম শুনবা ॥

ঈশিং খরা লৌহুনা—নোং কৌব্রৃশেং, কু কুকু ॥ খোং থাংজিংবে কু কু কু ॥ সোং চিংখে মরু অচিবা অব্রা কু কু কু ॥x

চাক ইনবা হৌরে—হে নাওরা তাইবং মপোক নঙ্গী মচিঞ্জাক্কে, নপা, নমা, নপু, নবেমগী চিঞ্জাক্কে ॥ নোংদম্বগী লুকলেন লুকমন্নে চাদবা য়াদে চাও ॥ থব্রাই নঙ্গী নমিংদি শুৎ শুৎ শুৎ কৌই ॥ চিংি নঙ্গী নমিংদি মি মি মি কৌই ॥ চিনবান নঙ্গী নমিংদি মম মম মম কৌই ॥ চাক ইনবা লোইহুনা তাইবং চিঞ্জাক নোংদম্বা হৌরে ॥x

লৈশিরেন্না থিংবাওম্নীবু পুখোকপা

নশু হেন্দংখৌবু অরা চাকইনশিবা লোইরবদা লৈশিরেন লৈপুনবিনা মহাক্কী মশাক ওইবী পাংবেম্বী আংাচা অনা শাথোক শাকেংনওম্নগা খাগোম্নহুনা কৌব্রু লাইলোংবদা শিম্নবেঞ। নমু তাইবং লাই লৈফু থুন্দা অহানবা নোংদম্না মউ লিংওম্বা, চারি মশান হৈথাবম্ব নমোম অমা এনা পুওমলাক্ক. নংনা চেংনা চাম্না লুব নাওকোম্লু মক্লং মত্তম ওইরগা কংলৈপুংদা লুতিলহান্না পিরে ॥ কৌব্রু লাইলোংনা ফিগাও শানা যাওম্ন হৌরে ॥ হাইত্র ইমা নয়াথংবু থৌপুমা ইখোমগী মিংজনু লৈদুরেল নমু তাইবং লাই থুন্দা অহানবা নঙ্গী চাইমিং থিহু না (লৈফুরেন থিংবাওম্বী) লৈতনশে. নম্নং হৌওম্নবা থৌপুন্দানি হৌহৌরে ॥x

লাইমিংথোই অশিবনা থৌচম্নু উর খওলহুনা কৌব্রু লাইলোংবা থাকৌনা নোংদমলে—লৈফুরেল থুন্দা অহানবা নোংদম শওলেনবু নঙ্গী ফমলেন ওইওমলো । (খমুং ইওাল লেশাবা, খুম্নোক লৈশেমলোন, চৎলম লুতিন লাইবকচন, ম্রা ইখোল লাইয়েক লৈশু লৈথম্বা, নমু তাইবং ইপোক মৈহৌরোল) পুরারি অসিবু নখুংশু ওইন লাইয়েতুনা লৈমাংদনা মথংলেংনা শমথনবা থৌপুনরো। লৈশিম্নহুনা লৈহাপ লৈশিন্নহুনা লৈথমলে ॥x

তাইবং নাওদা নাওয়োক নাওকোন চংলম নোংদম্বা

পাথ্রংবা লৈমুংলোঞ্জা অরিবনা তাইবং মপোক হৌহৌনা শাফোংবা কুমজা ৩ লৈচংবদা (কুম শংলংহিং নায়ানবা) হাইবা থৌরম অমা থৌহৌনা মৈফু ইরাং থৌনিহুনা নাওরা তাইবংবু লাইরেম্বী ৭ না ঈশেং থোং মুংগেং পাওগী ঈশোক লৈথম্নগা থুঞ্জিল থুয়া শেং, শিযোমুংদগী শাথোক মিম্নবকপা ইপাল্লাঙ্গী শম্নাংবু কোকথোকপিহুনা থক্তা ফিজং ৭ থনবিহুনা লাই লৈম্না ৭না মকোক মউ ঈতুম্নবা ঈহৈবিহুমা ইরু মাইতারগা থ্বাংশেং, ফৈচোল, কোনথাং ফুরিং, থুংশি, পাম্বোম থাই তান, নমশা=তোলোরুচিংবা লৈতেংবিয়গা (নাহুং নারেং লৌফাংপা) হাইনা মনা ২ গী মতোনগী মথক্কি ময়াই অকুংপদা হুত্তুনা নাশি=লৈমাম্নববু হুংপিহুনা অনম্বা অহাবা, মাংবা অতাবা, লৈওমলমগদববু লৈকোক্লবা থিবশেং থিকপেংলেন তরু চাইথোরম্না লৈংনেল।।

কুমজা ৫ লৈচংবদা লাইয়েক লাইশক লৈতাক্লে

মচা ইবুংঙো তাইবং মপোক অথোই চংখোনবা পাথ্রংবানা কুমজা ৫ লৈচংবা মেহৈহুপা খংবা সনা কোঞ্জন তুথোকপা (সেনাত্রেং তরেংবনা (নোংদম শংজন লৈপুব কৌব্রু লাংলোংবগী লৈকমদা লৈশিম্নহুনা লাইযেক লাইববচংবু তম্বীহল্লি। কৌব্রু লাইলোংবা লাইয়েব চেগাবা মশকপু লোথোক্লবগীদমক্তা লাইয়েক ১১বু মশক নাইনা লৈথম্বা অমুক হৌহুনা মচা ইবুংঙোদা অমুক নৌনা লাইয়েকা লাইশক্কা কোম্নবা তম্বীহুনা থইনববু তাকপনা বোংহৌত, থংখিবনা হাম্লক্লুনা তম্বীনবা লাইয়েক লাইশকপু লৈতনদারে।। খোইযুমশিংন নংঙোনব তাইবং নাওনা অসিবু হৈদোই শিংদোই য়ামখ্রেদা মগী মপোক অসিদা অথোই চংখোনবা মপংগ্রিদা।। মাংদ নাওরা অসিগী ব্রাখনশি বযাদা খোইনা যাংবনা চাং ইংলশি লাইশিদবা তংবাংবা মপুগী হক লাইয়েক অসে, নং এগী লাইয়েক থরা শাথোক্তনা পীওংশি থংবা চাংদমাক হাহনা খোইযুম লুংবা মহারাবা=লোংপোক অপাম্ব, ব্রাংত্রেন মং জং, নোংইয়ারাবপা, মাঙ্জিং খোইংম ৫না তাম্নহুনা লাইয়েকপু লাইশক অমতদা লাইহুব বনোবপূ মালামনা লিংজেল্লকপা থুংইবুরেতুনা মশক অসিবু কবি কব্রি ওইবা হংবা মচা ইবুংঙোংশ থবউ নোংদম্বা পীওল্লে। পাথ্রংবনা খোইযুমশিনা শাথোক্লকপা লাইয়েকপু লৌরগা খোইনা মোমান তোনা খোইবনিংগী মফমদা কৌব্রু লাইলোংবনা লৈতাকপীবা লাইয়েক্না লৌহৌবা চৈব ওইনা লৈয়েব্লগা মথং কেংনা শমথনা লৈয়েক্লুনা হাইয়ে।। খোইযুম বাখল চাওবা পুম্বনা লৈত্তাবপিরিবা কানোক লাইয়েক অশিদা লাইশক্কি লাইয়েক লাইচত্তি অমতদা লাথুপ লারে লৈথাগদবা মশকপু ওইবরা, লাইয়েক অসিনা তাকলিংশিবু লৈবাক অসিবু লুতুঙ্গী চৈশিং অংরাইবদা লৈফম ৭ শথাই নাইনা (পুবারি মওম শাথেংনহনগে থৌশিন থৌপু লৈযেক্লবা ওই)।য়েকখ্রবা কানো ল ইয়েবনিনা লৈওম্লশম্নু।। লৈহৌবা লাইয়েক মশক্কি হৌ বংলৈ লম্মহনবনা লৈশুনবিবা অশিনা অশুম মওইন লৈতমজগে লৈথংনবদি খোইযুম ৫না শাদম্বীবা লাইয়েক অশিগু লৈথমজগে হাইনা শাথোক্লক্কিবা লাইয়েকপু মশক লাইয়েক অশিনি পাওশানা উংলে।।

	মখলন	
ক =	[illegible]	৫
খ =	[illegible]	৩
গ =	[illegible]	২
ঘ =	[illegible]	২
ঙ =	[illegible]	৩
চ =	[illegible]	১
ঝ =	[illegible]	২
ঞ =	[illegible]	৪
ট =	[illegible]	৩
ঠ =	[illegible]	৩
ড =	[illegible]	৩
ণ =	[illegible]	৩
ত =	[illegible]	৪
থ =	[illegible]	৫
দ =	[illegible]	৪
ধ =	[illegible]	৫
ন =	[illegible]	৩
প =	[illegible]	৩
ফ =	[illegible]	৩
ভ =	[illegible]	৩
ম =	[illegible]	১
য় =	[illegible]	৫

	মখলন	
র =	[illegible]	২
ল =	[illegible]	২
ব্র =	[illegible]	২
শ =	[illegible]	২
ষ =	[illegible]	৪
স =	[illegible]	৩
হ =	[illegible]	৩

	মখলন	
অ =	[illegible]	৩
ই =	[illegible]	৩
ঈ =	[illegible]	৩
উ =	[illegible]	২
ঊ =	[illegible]	১
ঋ =	[illegible]	১
৯ =	[illegible]	
এ =	[illegible]	৩
ঐ =	[illegible]	২
ও =	[illegible]	২
ঔ =	[illegible]	১

কোত্র, লাইলোংবা মোংদম শংলেন লৈফম্বনা
লাইয়েক্কি লাইশক কনো শাথোক্লবগা চংলমগী
মচা ইবুংঙো পাখ্রংবগী মফমদা মৈতৈ চীংতমগী
লাইয়েকপু তম্বীবা হৌবা ।।

ক,—লাইয়েক্কা নাওয়োমগী মশক ওইদুনা অপাম্বা=পাথংবগা, লাইবুংথৌ কোংটিংলেনগা, লাইরেম্বী কোংটিং লৈমগা কৌত্র, অচিবগা ৮শি শাফোংঙিদো ।।

খ—লাইয়েক অশিনা নাওয়োম ওইদুনা লাইবুংথৌ থৌঙাইবগা, থপ্লাং পনশাবগা, থানা চাওবগা নমা ইবেম্মা সনা খোংনাং লৈমগা শাথোকইদো ।।X

গ—লাইয়েকনা নাওয়োম থানা লাইরৈমা থিংবাতম্বীবু শাফোংঙিদো, তক্কদি মুংশাংদ্রি মশক্কি লাইথুংলোংবীগী মওম্ম ।। লুতুংদা শোবোন লাইরেম্বীগা লাইসনাগা শাথোবগনিদো । X

ঘ লাইয়েক্কা নাওয়োম থানা চিংখৈ লৈমারেনবু শাফোংঙিদো ।।X

ঙ—লাইয়েক্কা নাওয়োম থানা মোংচুপ লাইমিংথোই অশিবগা, লৈরু মোংঙাইবগা, শা-থোক্লেদো । লুতুংদা চেংবা থুংলো অমাইব হাইনগু লাইবানিদা ।।

চ- লাইয়েক্কা নাওয়োম থানা চিংখৈ মরু অচিবগা, লাইবুংথৌ চেংঙাগা, লাইরেম্বী চিংচারাই বীগা, চিংবা লৈমগা, চংনিং খোনবীগা, চিনফুরোন লৈচিক ঙানবীগা শাফোংলে ।।X

ছ—লাইয়েক্কা লম্মবী যুমজাও লাইরেম্বী গা, লাইবুংথৌ লম্মবগা শাথোকইদো । X

জ—লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা কৌব্রু অশিববু রাকপা শাক্তক্লা মঙম মশিনবু তিল্লু থানা শা ফোংঙিদো ।।x

ঝ লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা থরাইশিচা থবাবু শাফোংঙিদো ।।x

ঞ রাকপা শক্তিক শাফোংঙিদ ।x

ট লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা লাই রপী পান্থোইবীবু শাফোংতুনা কৌব্রু লাইনোংবা ঐবু ইচা চম্বী পান্দমগুম্না নাওকোলহল্লিদো, ঐগী ইচাবু অনি শুরিদো। x

ঠ—লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা ঠরৈম-ফুরেল লৈমা শাফোংঙিদো ।।x

ড-লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা লাইরেম্বী লুচাও লৈমা শাফোংঙিদো ।।x

ঢ-লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা লাইরেম্বী তমপাক্লৈমা, তক্সা লৈমা শাফোংঙিদো ।।x

ণ—লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা লাইনুংধৌ কোরৌ হনবা শাফোংঙিদো ।।x

ত লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা তাওবাইলাই অক্লাশিদবনু শাফাংখি লৈক্লং থোংঙারেমগু কৌরেদো ।x

থ—লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা লাইনুংধৌ থৌভাইবগা লাইরৈমা থৌভাইবীগা, ইরাই লৈমগা শাফোংঙিদো ।x

দ- লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা শিল্লাক্ষপ = শিদাল্লুবী লাইলেমবু শাদঃ শাফোংঙিদো ।।x

ধ- লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা মালেম ইমাব লৈচাইবনিদো ।।x

ন—লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা নোংথাং লৈমগা রাংব্রেন থানাচাওবগী মচাগা শাথোক শাফোং নওমখিংনিদো ।।x

প-লাইয়েক্লা নাওয়োমতুনা লাইবুংধৌ পান্থোইবা, পোইরৈ মোইরেং চাম্বগা, ইরাংয়েন পুংমিম্নবগা লাইরেম্বী পুকশি থোম্বীগা শাফোংঙিদো ।।x

ফ—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা শুমলেন লৈমা=শুংশিং লৈমা শাফোংঙিদো ।।x

ব—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা লাইথুংলোংবীগা লৈম্লুং খাবা তাওয়োই লাইগা শাথোকইদো ।।x

ভ—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা নম্মলেং=মালং লমলেম্বু থম্মিদো ।।x

ম—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা মারহনবগা মার্ত্তিঙ্গা শাথোকপনিদো ।।x

অ—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা থাংছিং ফক্তোক অরিবগা লাইবুংথৌ অঙাইবগা লাইরেম্বী অঙাইবীগা শাফোংখিদো ।।

য়—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা লাইক্লমলেম্নে, লাইবুংথৌ হৃহানে, লাইরেম্বী যুচেং লৈমনে শাফোংখিদো ।।x

র—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা ইংখে লৈমগা লৈশিরেল লৈপুনবীগা শাফোংবনিদো ।।x

ল—লাইয়েক্ত নাওয়োমদুনা লৈম্লুং খুং খুং অচিবগা তেংবানবগী লম্বীগা লাইরৈমা থরৈমনে, লিরুংতেম্নে, লাইনৌতাবীনে, লিরি লৈমনে, কৈফুরেন চন্নু লৈমনে, লৈপিরেল চন্নুনে, লৈচিক লৈমম্বে, অসি খিবিকপু শাফোংনখিবনিদো ।।x

র—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা পাগ্রংবা নংবু শাথোক্লিবা অসিনিদো ।। লুতুংদশু নঙ্গী নাওয়োম লাইয়েক্তা লৈফামদুনা লাথুপ শাফেং লৈঙমলিদো । x

শ - লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা লাইমিংথোই অশিবা, লাই কৈরুংবগা, শনিক লাইনৌ তাবিগা শাফোংখিবনিদো ।।x

য—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা তিলিরোনবু শাফোংবনি, লাইয়েক অশিদি মরু শিদবা শিদবী নিদো ।.x

স—লাইয়েক্তা নাওয়োমদুনা লাইরিরেলবু শাপোকপনিদো ।।x

হ—লাইয়েক্তা অতিয়া অক্সাশিদবা=শলাইলেন অমম্বগা হৈরোং লৈমা= ঘিরৈমগা শাফোংবনিদো ।।x

ক্ষ—লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা নপা ইবুংঙো পাবু থংদনা হন্নাবা লৈচাইবা থনবা হাইনা শাথোকপবু লৈচাইবা ওয়্দনবা নপাবুংবু কৈকাবা লাইয়েক্নি ॥

লাইয়েক য়াইবীশিদবা ১০গী রা

আ—লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা লাইরৈমা, অরাই কংদবী শাফোংঙিদো । x

ই—লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা ইরৈমগা ইচাইবীগা শাথোক্লেদো ॥x

ঈ—লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা ইরোং নিংথৌবুগু শাথোকনৈদো ॥x

ঋ- লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা খোইযুম পুম্বনা লিরি পোংগন হিক্কাপ্নরিদো ॥x

উ—লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা তেংবানবগী মপুনা থম্মুংবু ইঙান লৈশানরিদো ॥x

ঊ—লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা লাইবুংথৌ উকোংলেনবু শাফোংনৈদো ॥x

এ—লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা লাইবেম্বী এ লৈমগা এরাং লৈমগা শাফোংনৈদো । x

ঐ লাইয়েক্না লাইবুংথৌ এয়েং থাবা চৈংলৈ তাওবা, ওইমিংশুম্বা শাফোংনৈদো ॥x

ও- লাইয়েক্না নাওয়োমত্থুনা কোংক্রুথোবগা নপা ইবুংঙো পাবু থংববু শাফোংবনিদো ॥x

ঔ লাইয়েক্না ওগ্রুই কাংলা শামৈ থাববু হৌনেদো ॥x

লাইয়েক ৪৫ অসিতনা লুতুংদগু লাইরৈ শাথুপগুংনা চৈপাক্লবা থৌশিল্লদুনা কৈতল্লবা শা, উচেক, তাইবং মী লাইংচিংবা পুম্মক্কি লাইমিং য়ারা ইথোক পুম্ববু শাফোংনবা তেংবনববু লোংদক্লিবা শেমগৎল্লীবা মরুগী সনা হক্কি কুয়োম্না লাইয়েক্কি মশক ওইবনি ॥ অমা হাংব্দি (উং ; লাই-য়েকপু থঙ্গদবনি, লাইয়েক অসিগী য়ারা ইথোলবু লাওবদগী তেংবানবা অসিবু শাথোরবা উরেন উয়ুংবু লৈথল লৈৎস্বা কৈহৌদুনা ইঙাক্লৈশানরকপনিদো ॥ মৎংদা ওনি হাইবা লাইয়েক অমা লৈশাইদো লাইয়েক্কি (ক) লাইশঙি অতিয়া শিদবগা লৈশিরেল লৈপুংবিগা) তিলু থম্বাল

লাংবনি ।। অগুম্বা লাইয়েক অমগা অমগা ভিলু থানা অমদি লাইয়েক অমগা অমগা য়ারা থরবোন থানা লাইয়েকপু য়ৈথাইনদুনা থরাই পানবা পুম্বগী লাইমিরা মরা ইখোন ইরাইখোনবু শাফোংনবনিদো ।।x

লাইয়েক ৩৫গী চৎলম লাইরকচন হাইগে :—ক, হাইবা লাইয়েক অসিদো অচৎপা চত্তবা থরাই পানবা লৈবা থিবিক্কি হক্লীদো ।।x

খ, লাইয়েক্কি মশক্কা থরাই পানবা পুম্বনা চাবিবা চিঙাক্কি মশক ওইদো ।।x

গ, লাইয়েক অসিনা চানিং থক্লিংহল্লিবা অরাম্বা খোরাংবা তোইল খংহল্লিবা মতংক্কা থোপু নওমলিবনিদো ।।x

ঘ, লাইয়েক্কা থরাই পানবা পুম্নমক্কি যুমগী মশক ওইনা তুংনকমগী লৈফম্ব ওইরিদো ।। x

ঙ, হাইবা অসিনা থরাই পানবা পুম্নমক্কি হকপু কোংহনবা থোপুরিএ ।।x

চ, লাইয়েক্কা নিংথিজহা, ফজবা মশকপু খংহল্লিবা পমহল্লিবনু থোপুইএ x

ছ; লাইয়েক অসিনা অচুম্বা না ভাংবা অরেপ্পা রাবু শিজিন্নবা পাম্বা, তুম্বা য়াংদনা থোরম্ব থোপুরিএ ।।x

জ, লাইয়েক অসিনা থোরম খুদিংদা পরম মতৌ মওং অশুম্বা থোপুগে রাথলহল্লিবা থোরম্ব থোপুরি । x

ঝ, লাইয়েক্কা মীবু উশিত্তবা থোপু খুদিং কঞ্জাওত্নরা তোঙম্বা থোশিল্লী ।x

ঞ, লাইয়েক অশিনা মীপুম খুদিংনা চাইববু থোয়ানবা মপুক রাথন কলক মিহৌবা লৈতনবা থোশিল থোপুবা লাইয়েক্কী ।.x

ট, লাইয়েক্কা মপুক রাথন অথোই কানবা, মশানা কনকানবা চৎলম্ব থোপুবা লাইয়েক্কি । x

ঠ, লাইয়েক্কা রাঙাং হৈশিংবা মরাহৈ পাওশানা মীবু পেলহলদুনা শুমহত্তুনা লৈথম্নবা চৎলম্ব থোপুবনি ।।x

ড, লাইয়েক্কা শা, উচেক, মী, লাই-পুম্বনা কনাগুম্বনা মমাক্কা লৈহন্নবা থৌপুন্নবশে লাইয়েক্ক অসিগী মগুম্নি ।।X

ঢ, লাইয়েক্কা মীবু মাংনবা হোৎনবা মীবু ফত্তনবদা হোৎনহল্লিবা মগুম্বু থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

ণ, লাইয়েক্কা থবক খুদিংদা অক্লিংবা, অম্বগা অমগা থেঙ্নাইনবা, খৎন চৈনবা থৈনা শুনবা লাইয়েক্কি

ত, লাইয়েক্কা থৌরম খুদিংবু থৌগুম থৌপুবদা রাগাং রাত্তা খুদিংদা মংনা ঐবু করি হাইগনি লুতুংদা থৌরম অমদি রাহৈ অসিদগী করি ওইগবা রাথন চৎলম্বু থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

থ, লাইয়েক্কা থৌপুবদা, থৌদাবদা ভাইথো হোরেল তৌশি, হয়েং তৌশি লৌথাম থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

দ, লাইয়েক্কা পরম খুদিংমক্কা তাংজলুক্কা রাহৈ কারাম চাওদবা নোলুকপা চৎনলম্বু থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

ধ, লাইয়েক্কা ইরাং ইশৌ লাংনবা থৌশিনবা থৌরম লৈফম অমদা চনিং লৈতান লৈ-গুমদনবা থৌশিন থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

ন, লাইয়েক্কা লোন হাই পাওশাবা হাইজ চৎচবা থৌরম্বু হৈশিংবা, মীনপ রনম্বু হৈশিংবা লাইয়েক্কি ।।X

প, লাইয়েক্কা মীনা মুংশিনবা, চৎলম্বু থৌপুনবা রাহৈ পাওশাবু ভাংনবা থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

ফ লাইয়েক্কা মীয়োক মীচাম কুবি লোংদম চৎলম্বু হৈশিং থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

ব, লাইয়েক্কা মীথোই মীহেনববু পাম্বা ঐ মভাইরে হাইনা শাথোক্লিংবা লাইয়েক্কি ।।X

ভ, লাইয়েক্কা অকি ভুজুংবা রাথন পোকহনবা লানজিং নাস্থংনবদা মাইয়োক্কনা ভমদবা চৎলম্বু থৌপুবা লাইয়েক্কি । X

ম, লাইয়েক্কা ঐনা মহেক্কে হৈবা থগু, কৌশিভবা ঐনি থৌরম পুম্বা ঐনা নওনা শনাগী মগুম্বু লৈননা রাথনবা লাইয়েক্কি ।X

অ—য,—শীজ শীথকপদা পাম্মুবা লৈতবা মীপুম খুদিংবু অমত্তা ওইবমি মানা য়াবদা ঐবা য়াবনি, মানা মুংঙাইরগা ঐশু মুংঙাইবনি হায়থল চৎলম্বু থৌপুবা, লাইবু নীংবা থকশি কায়ম চত্তববু থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

জ, লাইয়েক্কা মানা মানা ফংখিবা পোৎচৈবু ফমাদগু পিথোক্কনীংবা শীজনিংবা লৈত্তবা পুম্ববু য়রা ইথোজ থোকহল্লিবা লাইয়েক্কি । X

র, লাইয়েক্কা উরিবা পুম্ববু পাম্বা লৌনিংবা চারিবা মখৈবু লৌশিল্লিবা মখৈবু পেনবা লৈতবা লাইয়েক্কি ।।X

র, থৌপু থৌরম খুদিংদা মানা তৌনিংবদা তৌদবা ফনাগুম্বদা য়াহংলগা অফবনি ফত্তবামি মুম্না লৈখংলগা থৌপুবা লাইয়েক্কি ।।X

শ, লাইয়েক্কা লাওথোংহনা অকি তুজুংবা উত্তুনা পাওশাবদ করিনু মাচুংবা লৈজনা ভুমিম্না তাহনা লৈওম্বা ওম্বা লাইয়েক্কি ।X

য, লাইয়েক্কা নিংশাবু হোম্নবা থৌপুরিবা য়াহিপয় তানা পোথহল্লিবা মপাঙ্গলবু লৈহাপ্নরিবা লাইয়েক্কি ।।X

স, লাইয়েক্কা থরাই পানবা পুম্নমক্কী মপাঙ্গলবু লৈহাপ্নবা থৌপুরিব লাইয়েক্কি ।।X

হ, লাইয়েক্কা লৈওম্লিবা মশক পুম্বনা তাইজবা রাবু হোয়না থৌপুনবিনা লাইয়েক্কি । X

ক্ষ, লাইয়েক্কা তেংবানবা অসিদা যত্তবা লৈবা মী লাই হিংচাবা য়াইতম্বা লৈবা থিবিকপু তাক্কথোকনবা মাংহম্নবা লাইয়েক্কী ।X

লাইয়েক ৩৫ অশিবু থাংজরবদি থৌরম্ব থৌওম্নদবা লৈওমলয়োইদবনে মশক অশিত্তনা লাইরৈ লাথুপ শায়োনলগদবনি থংভু হৈয়ম ।।X

হৌজিক্কি থোইয়ুম পুম্বনা শাথোকপা লাইয়েকশু তানফংলেদো, লাইয়েকপু য়েথাইবা ল ইয়েক য়রা থারবোন, লাইয়েক চৈনপ, অপকজা, লৈতিল য়ারাবু শাথোক্লশি নপুকচংনা য়েংলো তারো পাগ্রংবা :—

ময়েক্কি খোস্থোক প্লুথোকবা ঃ—

লাইয়েক ২গী য়ারাবু লৈহন্দুনা হন্না হন্না হাইরকপদা গ হাইবা লাইয়েক য়ারাবু তানফংবনিদো ॥ পন্নম অশুম্না লাইয়েক ২ গী য়ারা ইনিলবু হন্না হন্না হাইরগা মতুদা য়ারা ইথোল শমথরকপা য়ারাবু লৈক্না লৈরৌত্নুনা লাইয়েক মরক্তা লৈবা ১১গী মশক য়ারাবু অনেশ্না অন্নাংবা লৈথাইনা শাথোক্লখিএ অসিবু লাইয়েক থরবোন তৌবা কৌবনিদো ॥

লন্তুদি ক । খ গী যারাদগী গ গী য়ারা ফংলে

(খ । গ) অনিদগী ঘ গী য়রাবু তানফংলৈ ॥

অশুম্না থৌরম অসিদো কাইফা হোংকদবা লাইরকচন লাইয়েক লৈথম্বনিদো ॥

মন্তুঙ্গে — ক+খ= গ । খ+গ=ঘ ॥

চ+ছ= জ । ছ+জ=ঝ ॥

ট+ঠ = ড । ঠ+ড=ঢ ।

ত+থ= দ । থ+দ=ধ ॥

প+ফ= ব । ফ+ব ভ ॥

য়+ল= র ॥ অসিনিদা ॥

লাইয়েক য়েখাইবা

লাইয়েক অতুগী মশক য়ারাবু মশক মওং লৈশুদনা শাথোকহন্দুনা য়ারা ইথোন অমবু শা-ফোংনবা লৈশুমলিবা লাইয়েক অতুদা নপশিল্লগা লাইয়েক অতুগী য়ারা ইথোনবু হোংদোক্লবা লৈনপ লাইয়েক হাইনা লাইয়েক ২৮ দগী শাথোকলকইদো ঃ—

মতুদি আ=া, ই=ি ঈ=ী; ঋ=ৃ উ=ু, ঊ=ূ,

এ=ে, ঐ=ৈ, ও=ো, ঔ=ৌ, ট=ৎ, র=্র, নম=ং,

ঙঞ নম=ঁ, রস=ঃ, য=্য, রপ=র্ অসিমিদো ॥

অপকণ্ডা লাইয়েক

লাইয়েক অমদি লাইয়েক মশা মক্না অপক ওইনা লৈচংবা, লৈচংভিবা লাইয়েক মাগী খো-য়োক ইরাইবু লৈগুনা হাইবা য়াদবা হাইনা অপকণ্ডা লাইয়েক হাইবা ৭ অমা অমুক শাথোকই্তো ॥ মশক্তি ই=ই; ক=ক্; ঙ=ঙ্; ন=ন্; প=প্; ম=ম্, ল=ল্; য়=(য় মচেৎ); য=ল অপকণ্ডা লাইয়েক লৈগুদবা কৌঞ ॥x

লাইয়েক তিলু থাবা

লাইয়েক তিলু থাবা হাইবা মখক ৭ অমগা শাদম্মিদো, মতুদি ক+ম=ক্ম; ক+ল=ক্ল; ক+স=ক্স, য+এ=যে ঙ+এ=ঙ্গ, লাইয়েক তিলু অসিদো মাগী মাগী য়ান্না লৈমুৎ লৈ-মাংহনকদে ॥x

পাঞ্জংবা মগী লাইয়েক লৈভম্বা লোইহুনা লাইয়েক অনিগুবা লৈভম্নলনিমা ঐৌভিক্তি লাই-য়েক ঐৌভিক্তি লাইয়েক ৪০ অসিগী য়ন্না ইখোলবু শাহুন্নকপা হাইগে তারো ॥ খৌরি চাউবা লৈফম অসিবু লৈশোক্না য়না ইখোলবু হাইগনি, অ, ক, ক. খ প থ, ঙ লাইয়েক অসিদো ॥ ঙৌদগী লৈহৌনা—ই, ঈ, য, শ, চ, ছ, জ. ঝ, এ লাইয়েক ৯ হাইগনি ॥

লাইয়েকশিঙ্গী য়না ইখোল লৈহৌ শাথোকফম তাকপা

কোক হাইবা লৈফম অসিদগী ঋ, হ, য়, ট, ঠ, ঢ, ণ লাইয়েক ৮ অসিবু লৈহৌ লৈচংনা হাইগদবনি ॥ য়া হাইবা লৈফমদগী ল, স, ত, থ, দ; ধ, ন লাইয়েক ৭ অসিগী য়নাবু হাইদা লৈচংনা হাইগনি ॥x

চীনবান হাইবা লৈফম্বু লৈচং লৈশোক্লহুনা উ. ঊ, ৱ, প. ফ, ব ম, লাইয়েক ৮ অসি হাইদোকপদা লৈশোকহনগনি ॥ খৌয়ি অমদি ঙৌদগী লৈশোক্না এ. ঐ হাইবা লাইয়েক অনি অসি হাইদোকই ॥

থৌরিগী চীনথানগবু লৈচং শাথোরুহনা ও, ঔ লাইয়েক অনি অসিবু হাইগদবনি ।।X

লৈত্তোয়ে ঙৌনে ২ সি শোক্লা ক্ষ লাইয়েক্কী য়াৱাবু হাইগদবনি ।।X

লাইয়েকশিংগী য়াইথিগী শাথোক লৈফম্বু হাইবা ।।X

ঙ, ঞ, ণ, ন, ম, লাইয়েক ৫ দি নাত্তোম লৈফম্বু লৈশোক্লা লৈবনি ।।

শ, ষ, স, হ লাইয়েক ৪ অসিনা নিংশাগী ইহুন অশাবা শাথোকফমদা থরাই য়াইথীবু লৈংঙম্মিদো অশাবা ময়েক ।।

য়, ল, র, ৱ লাইয়েক ৪ বু ইস্তাল লৈথুংদবা ময়ক্কা লৈবা মশাগী শাথোক লৈচৌফম্বু লৈথুংনা থরাইবু লৈত্তাদবনে ।।X

মতিক মঙম্ব কৈগু লৈচাওবা লাইয়েক য়াইথী শিদবা (থরাই লাইয়েক) কৌবনি অ, আ ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ ৯, ঐ, ও, ঔ লাইয়েকশিং অসিগী মওম থরাইবু চাপ্পনা লাইয়েক ৩৬গী য়রা ইংথোলগু হাইঙমদে, অদুগুম্বীবু লাইয়েক ৩৪ বু লাইয়েক চামোইবা কৌবনি। X

অরুপ্পা অয়াংবা চৈন্প হাইগে

অয়াংবা চৈনপ থরাই লাইয়েক্তি অ, ই, উ, ঋ, এ, ং, ন্ । X

অরুম্বা লাইয়েক চৈগাদি আ; ঈ; ঊ, ঐ, ঔ; ৺, ঙ, ল, অসিনা থংনগমিদো ।।X

হৌজিক্তি কাং কিং লৈশাবা অমুক হাইগে ক, কাং, কি কিং, কী কী ৺, ঙ, কু কুং, কূ কূঁ ঙ, কৃ কৃং কৃঁঙ, কে কেং, কেঁঙ, কৈ কৈঙ, কো কোং কোঁ, কৌ কৌঁঙ, কন, কল কৎ ক্ব ক্ম, ক্য ক্ ক্র, ক্ল র্ক ।X

খ, খা, খি খী খু, খূ, খৃ খে, খৈ, খো, খৌ, খং, খৎ, খন, খল, খম, খ্ব খ্র খ্য র্খ ।।

গ গা, গি গী, গু গূ গৃ, গে গৈ, গো গৌ গং গৎ, গ্য গ্র, গ্ম গ্ন গ্ব গ্ল র্গ ।X

ঘ ঘা; ঘি ঘী; ঘু ঘূ ঘৃ ঘে ঘৈ, ঘো ঘৌ ঘ্য ঘ্রু ঘল ঘন, ঘ্ব ঘম ঘ' ঘং ঘং ।।X

ঙ ঙা, ঙি ঙী ঙু ঙূ ঙৃ ঙে ঙৈ ঙো ঙৌ ঙং ঙং ঙূ ঙ্য ঙন ঙল ঙব ঙম ঙ´ ।।X

পাগ্রংবা পরম খুদিংবু লৈয়েংনা লাইয়েকপু হাপ্লুনা য়ারা ইখোলবু শাথোক্লিবনি, হৌজিক্তি লাইরকচনগী পরম খুদিংবু নংনা খংদবা উদবা লৈঙমদরে ।। শা উচেক লৈঙমলিবা পুম্বগী য়ারা ইথোল ইপাও লৈবা খিবিকপু নংনা খংদবা উদবা লৈতরেদো ।। হৌজিক্তি খুংগু খুংলাই লৈ-শুববু তম্নবা থৌহৌরশে পাওশানহুনা লাইয়েকপু লৈখংনবা তম্বীবা লোইহুন লিরুং তেনগুবা মথল মথা থাং, তা, য়োংগুক শুবা, অরাম্বাই লংবনচিংবা লৈঙাক লৈকম্নবা মহৈ মশিং পুম্বনু নোংদম শংলেন লৈফম্বা কৌব্রু মরুনা তম্বীরেদা ।। মৈতৈগু নোংদালাই পা-খংবা কংলৈ ফম্বাকবু লৈশংবীগাদৌম্বিবা নবুথৌ পাগ্রংবগী মঙম্বু উনদ নবুথৌ পাখংবা কোঙ-ভুগোক না লৈখংলহুনা ঐগী ইহৎপু লৈশিন্নবা লৈঙমলে হাইহুনা লৈশিন্নরমম্ল গ রাখম্নুনা মচা পাগ্রংববু লংহিং লংফাই য়াননবা থৌরাং থৌপুনঙম্লক্লেদে, মৈতৈগু । X

লংহিং লংফাই য়ানবা পরম থৌগুবা

মাইগৈ ৪ দা উচিন্না অমামমগা লফু চু অমমমগা হুংহুনা ময়াইদা থকথন থাল্লে ।। মথে লা ইশাইফু অমমমগা হৈরুক অমমমগা খোইরু থাউমৈ অমংগা পান্দুন মাচৈগ চবু হৈরাং খৌনি লৈপাইনহুনা মৈবু থাবৌনা থৌহৌরে ।। লৈ চেবু লৈহুংনা নোংদম্বা থোইংনম্বু লৈহুন্দুনা মৈবু ইরাংনা লৈপাইনহুনা তৌঙম্লিনা থেংনম্বু লৈপাইনহুনা খংহল্লে । মচা ইদুং ঙ পাগ্রংনা থুহনহুয়া লৈশেংহুনা লাইরেন্বী ৭না মপক্তো থকথন থন্দুনা অশেং ইহৈনা মংশাক মচুনু ইকুয়া উক্ত মাইতানা থৌরাইরে ।। চিংথৈমক অচিবা মিক্তাংহেম্না মচা হবুংতোবু থিকশং থাশেংবিহুনা পাগ্রংবগী মাক-থোং লাংয়েন ৭ তা মালেম লৈরাং লৈহুম্নবগী চংলম কানো লৈথা লৈয়ক্লা আগ্রা শিদগী হক্কী মপুগী লৈফমদা লৈরাং লৈহুনখিহুনা হক্কী পরম্বু থাইনা লৈতাকপীহুনা মালেম লৈং৭ হক লৈফম ৯দা লৈকং লেহুক লাংহল্লে ।X

হক্কি লৈফম ৯দা মালেম লৈহলবা তাকপা ।।

চিংথৈ মরুনা হাইএ, পাগ্রংবা হক্কি মমুংদা লাংয়েন ৭ লৈ হাইবদি মিৎ ২, চিম ১ মা—২ লয়াই লৈফম ১ নাতোন লৈকম অহুম্বা লৈফম অশিবু কৌবনি, লৈফম অশিদা আগ্রা শিদবনা

মাগী মঙানবু চাইথোক্না লৈএ ।। অতুদগী মথা রুমদা মখোক লোমদা কয়াং ৮ অমা শেমদুনা আত্রা শিদবগী হক মঙানবু লৈফম্না থোৌপুরিদো ।। হক্তি কাদি ২নি অমদি থক্না লৈবা লুরাইনি, লৈফম অশিদা লৈবা কম্লিবা লাইদি লাইমিংথোই ঐহাক কৌত্রু হাইনা কৌবনি ।। করি মুংগীবু কৌবনো হাইবদি থেঙ্গুম চীংলেন কুরুম চীংলেন অনিবু শেমডৈদা নপা ইবুংঙো পাথংবনা কুরুম চীংদা ফম্বাল্লাং, থেঙ্গু চীংনা নমঙা ওইনা লৈফম্না শাগ্নদুনা লৈডৈদা লাইমিংথোইনা মশানৌ কোন্দে তনৌবগী মতৌ লৈওংবু উবদা মপুক্ত হরাও তয়ামলদুনা থৌরম্ব, মরুবু স্না মিংথেং লৈ-ভাহনগে নিংথদগী থেঙ্গুম চীঙ্গী মতোন্দা লেপ্তুনা কংলৈম্মা পুংদা ফম্বাললিবা অভিয়া মরু শি-দবব্ কৌদুনা উনথা কৌওমখিএ অমুঙ্গীবু কৌত্রু অচিবা হাইবনে, মিংথৈদি (পোয়ান) কৌইদো ।।X

কা ১ দি খৌনাওনি, কা ১দি যেংক্কি থবাক মথা ফিরাক নোংখুমনি, কা ১দি ওইগী থবাক মথা পৈনি, কা ১ দি থ্রোংজাবিনি, কা ১ দি থিবাংথাওনি, কা ১দি মশিং থানি, কা ১ দি মখোক কৌবা—থোইদৌনি, কা ১ দি হক্তি মিইং হুনফম্মি মফম অশিদো মৈ, ঈশিং, মুংশিংতনা লৈফম চংনা ফম্লিন্দা ।। লৈফম অসিবু লৈমরেল শিদবীগী কাইরেল লৈফম্লিন্দা ।। মশিংখারি শেমীবা লাইদি থোংঙাবেম্মি লাইমিংদি (কাং) কৌবনি মশিদি শাদোংনি ।। থিথোং খাওবু পুনা লাইদি থাংমৈ মারকনবনি লাইমিংবু (য়িয়ান) কৌইদো ।। পথ্রংবা মালেম লৈকং লৈবাংবা হাইবা অসিন্দা নোংকারৌ থুদিঙ্গী থৌকাওফদবা চনম্লিদো তাইবং হক অমা শাথোক্রবা শেম্বদা মালেমনা লৈপীথৈরগা ঈদিঙ্গী শরুক, মৈগী শরুক, লৈচিংগী শকাক্ত মুংশিংকি শকাক্ত, নোংথৌগী শকাক্ত, অসিনা হক্কিদা ।। হক অসিদ পুন্বা লাইশং অতুন লৈংম্ম লৈফম্মিবা লৈ-ফম্ব থৌকাওদনা নিংশিংদুনা হক্কি মম্মংদগীব ইপাল্লংদা লৈথ কুনবগীদমক্ত্বা থেংখংগী মপুগী লাইমিংবু লৈযক্না। লৈফম থুদিংবু লৈফাবনি মালেম লৈকং লৈতিন লৈফাবক লৈথংনা লৈফা-ববদি লৈগে হাইবা মথৈবু ওম্মিদো, লাইথুং লৈনাবু ঙনিংবা মুমিত্তা কবা ওম্বা থৌ ক লৈ লম্ম-হনবা লৈফমগী চংলম্মি ।। নুমিৎ লিপুন ১ না গোবপহুম মতিক মতম্ব, ঙাঙ্গোদো, থাজা লিপুন ১ না শাথোকপগী মঙাল্লা ঈংবগুম ইনা লৈনানবা ওংনেদে পাপ্রবা ।X

আত্রা শিদবা কৌবদি তেংবানবা অসিবু শাথোকনবা থৌওম পৌশিনখিবা মপু; হাইবনি ।। মপু মানা লৈবা লৈফম্বু থুংনঙ্গু শোকহৈদে পাইহৈদেএ অতুম্নঙ্গী মরক অহাওবা নাথাং হাইবা লৈফম অসিনিদো লাইয়েন্দী কুং লাইয়েক্বা ফম্লিএ লাইমিংবু কুং নাংলুম কৌইদো ।। লৈকারক-পদি মখোক=থোইদৌ লৈফম অসিদগীনিন্দা ।। থোংথোক থোংচং লম্বী ওইদুনা অহিঙ্গী থোংলম মুংখিলগী থোংলম্ব, লৈথাইনা চাগে থকে পেথগে বাথনবা লৈতনা চংথোক চংশিনবু শামদুনা

লৈওগ্লিদো ।। লৈফম অহুম্ লৈখংমবা মাতোম হাইবা লৈফম অশিদা মালেম লৈকৎপদা শাংথা লেমথথনিদো ।। মমিংবু শাম্মচি কৌবনে ।। শাম্মচিন্ কম্নি মোংগীবু কৌবমো তেক্কানবগী, মপূনা থোং-এম ২৮ বু ইপাল লাংফাওনা শাম্মতুনা লৈত্র হাইবগী কৌবনে ।। শাথোক্কুবদি মৈগী মশক্কে লৈ-চংলক্কপদি ঈশিঙ্গী মশক্কে ।। লাহ্‌য়েক্তি, (হ, য) হাইবনি, লৈথুংবদি (স) হাইনা থুংলৈএ ।। থোংলম ২ বু অহিঙ্গী থোংলম সুংথিলগী থোংলম্ কাইদনা শাম্নরিকা লৈখিরা হাইবা মথেবু ওম-জৈএ অহুবু লৈথংনবা লৈয়েক লৈকং লাংবনিদো ।। পিওম ২ গী মরক্তা (কুং ছিং) লাইয়েক্কী মশক ওইবা অতিয় শিদবগা লৈশিন্নেনগা লৈত্র, লৈহৌ 'থোংগাম্মকপদি' মথোক লৈফমদগী খুদোন ১ লৈকুম্বদগীনে ।। লাইপক ময়াইগী শমথোংদা শ্রীং লাইয়েক্কী মশকপু লৈএ ।। লৈহৌরকপদি মথোক লৈফমদগী খুদোল অনি মথাইগী লৈফমদগী লৈকা লৈফম্নবনি, লাইশক্তি লাইমিংথোই ওইবং শেম্বনি ।। লৈফম ৩ অসিবু লৈপাই লৈশোক্ক হৈদবনা লৈথা চৈবু শেমহুন্না লৈকং লৈ-রাংবা মতমদা মালেম লৈনা লৈখা লৈথম্বনিদো ।। লুরাই কোইম্নেন্দা লৈবদি কৌবরেল অচিননি লাইয়েক্তি (স) নি লাইয়েক্তি পোরাম কৌএ ।। লৈফম অসিদি লৈফমপুম্বা লৈকৎপা লোইরগা লৈনাং লৈরোই লৈশেংনগদবা লৈফম্মি ।। ওকথোংদা লৈবদি লাইমিংথোই শানা মতিদা লাংবনি লাইমিংবু (তকক্ক) কৌএ লৈফম্ অরান মুংকান কৌএ লইমিংবু লিকচাও লিক্লাং কৌবনি ।। থবাক এৎলম থংবদা লৈবা ল উদি মার্জিং পাথংবনি, লাইমিংদি (উৎতিনয়াম) কৌএ ।। থংবা থবাক্তা লৈবদি কৌত্রু লাইলোংবা নোংদম শংলেন লৈফম্মিবগী মওাম্নি লাইমিংবু ((থুংরিক) কৌএ ।। লুকা লৈফমদা পুম্বা লাইদি অতিয়া মরু শিদবনে লাইমিংবু মপাং মান কৌবনি থরাই লৈহনবা থরাই লৈথোকপা য়াইবিনি ।। মথোক কৌবা=খোহাদো কৌবদি লৈশিন্নেন লৈপুনবী ইমংনি, মশক্তি শিম্বোং কাইলোংওম্বনে ।। লাইমিংদি (হো লাইরেজ লৈবুম্বী লৈতিংনপ কাক্কা চ কা কা মা) কৌবনে ।। লৈফমদি মরু অতিয়া শিদবগী লৈফম্মি মরুনা মপাঙ্গ লোনে ... মেতওু নশাবুং পাথংবদা লৈশিন্নেয় নপা ... ফমলে শংলে লাইমিংবু মিতিংসং স.দ অং খা কৌএ থরাই য়াংবি লৈশংবনি হরু। লৈমুৎ লৈমাংনদরিবা মথেবু লৈশংদবা ... ।। হেৎথংবা পাম্বাম মরুদা বাংত্রেম্না লৈফম্নিএ লাইমিংবু মথিং ককক্কা হিংক কাক্কা কৌএ ।। ওইথংবা পামবোম মরুদা লোকনীংথৌ থানা চাওবমা লেপ্ন লৈফাম্ন লাইমিংবু (থাগীংশ্না থিবেল) কৌএ ।। মরম অসিবু লৈথংনা মালেম ইমাবু ঐ এগী হরু। লৈরাং লৈকৎচরগা লেমহৌবা অহুনা ঈশিং থংগা তিল্লগা লুরাইদা লৈরাংহুনা লোইগনি লাইয়েক্তি (স) মশক্তি তেংবানবগী হকপু শেম্বা পুবা য়াইবিরেন শিদবনিদো । থৌরম অশিবু থৌদুবদি ঐগী হকপু মমুং মপানবু লৈশংদনা মালেম ইমাবু লৈতিল লৈহনবা য়াদেদা পাম্নংবা । মরু থৌরম অহুদি বমদৌপা মঙ্গল অহু অহুক হাংগে তা.মা । X

পুক্লিং হকচাং ইরুমাইতাবা পরম

থুবাক য়েৎথংবদা ঈশিং খরা খরা হাপ্তুনা লাইমিংবু হাইদুনা ৩ লক থক্তুনা শিয়োম্নুংদা ইরু মাইতানা শেংদোক্কনি ।। থুবাক ময়াইদা হাপ্লিবা ঈশিংদো লাইমিং হাইরগা থুজেং মথক্কি ইরোং (৩) ফাংবদা চেম্মহন্দুনা থক্কদবনিদো ।। লাইমিংদি ১—ওম হাই চিংপা হাই ফাঙ্গিং কৌব্রুবে ওরা ।। ২—ওম উই ফ্রাং চিংথং শ্রোং থাংজিংবে ওরা । ৪—ওম শ্রা ভাং তরেংবা, নোংপোক অপাম্বা ওরা ।। লাইমিং লাইশকপু নিংশিংদুনা হক্কুংবু ইরু মাইতাগনিদো ।। মতুংদা হক্কি লাংয়েন ৭ কা হক লৈফম ৬ কবু লৈশেংদুনা য়েৎকি থুজিল ৫বু লাইমিং হাইনা থরাই য়াইবী মঙানি রাখন্দুনা নিংশাবু চিংশিন্দুনা য়োৎকনি ।। থৌরম্ব হাইগে ঃ—য়েৎকি থুংশা মঙাবু য়ুংখৎলগা থুবিনা তাং ১ বু থেক্তুনা নাতোনগী মমাংদা অমুক, খদাঙ্গী মথক চিনবানগী মথা অকুৎপা অশিদা অমুক অশুম্না থকথাবু অশুম্নক লৈশোক্কনি লাইমিংবু (কোনং সংমিৎ) হাইদুনা থকথাবু লৈশোককনি থুবি মনমনা । থুংশা ৫বু থম্বাল শানা উম্লনি, রাখন্দি ঐগী থরাই য়াইবী ৫ নি রাখন্দুনা কৌগনি মমিং হাই হাইদুনা হে থরাই য়াইবী ৫ লাইমিংবু (যুহা য়ুচেং চেংঙা থোংঙারেল, অঙাইবা হ র স মিরেল চান পাখংবা নোংদম্বগী থৌখনবু তানফংনবা থৌপুশি কোরৌ অসিদি হাইদুনা মমস্থ নমদুনা নিংশাবু চিংশিন্দুনা য়োৎকনি ।। মতুংদা থুব মতেলগা থুদোনথী মতোনগা শমনদুনা লাইমিং হাই হাইদুনা নাভোন নিংশা শোকফমগী নাক মেৎতা ৩ লক শোককনি ।। য়েৎলমদা হকশো, ওইরমদা (পাৎশো) অশুম অশুম্নক পাইগদবনি ।। মতুংদা থুবিগা থুং য়াইগা শমদুনা লাইমিং হাইদুনা শম্নবগী মতোননা মিৎ ২ দা অশুমলক শোবকনি ।। য়েৎথংবা মিত্তা (মিৎচিরেং মিৎহিংসু) ওইথংবদা (মিত্তরেং মিৎ হিংসু) হাইগনি ।। না রেৎ থংবদা (শংকো) নাওই থংবদা (শোতিং) হাইদুনা য়েৎ ওইবু অশুমলক শোবলমগনি ।। মতুংদা থুবিগা থুনিংথৌ মতোনগা খোইদৌদা অমুক লাইমিং (শিনখে) হাইনা শোককনি । থজিল লকাদা (থুংচিরিক); থবাক্না ভিংলিং, শকখোংদা (চেংথেকু), রেৎ থংবা পামরোমদা (ওম হোরিক) ওইথংবদা (ওমথিরাং), পিশুম ২ গী মরক্তা (কুং হুং), কহাইদা (বিং তিক ওরা) লৈশোক্তুনা লৈপাইগনিদো । x

মতুংদা তেংবানবা মপুগী মঙম লাইয়েক লৈথমলম্বা হোইদোদগী মথা থুদোন ১ মথাইদগী, থুদোল ২ মথাহুদগী লাইয়েক ৪ লৈথাম্নবু য়াকৈদুনা চিংখত্তুনা লাংয়েন ৭ না কোইবা লৈয়াইলেন্দা লৈহাপকনিদো ।। মহুদি নিং নিং নিং হাইনা য়াকৈগনি ।। রি রি রি হাইনা চিংখত্তুনা হাপকনি ।।

খোইদৌদগী (কুং) নথাংদা থমজো ।। খুদোল ১ মখাইদগী (কুং হিং) পীওম ২ গী মরক্তা, খুদোল ২ মখাইদগী (শ্রীং) লাইয়েকপু লাইপক ময়াইগী শমখোংদা লৈহাওুনা নোংদম্বু নিংশিংলগা মতুংদা লৈকং লৈহ্নজনবনি খংঙো ।।X

লাংহিং লংফাই য়ানবগী ম্মরম হাইগে পাখুংবা

লংহিং লাংজা লংফাই ৯ অসিদো ইপাল্লাংদা হক্তি মমুংদা কা ৯ থোক্না লৈথাইদুনা লৈওম্লিএ ।। কা ৯ অসিনা হক্তি মরোং মশানি, মরোং মশা ৯ অসিগী মথোক্তি খোইদৌ হাইবা লৈফম অসিনি ।। খোইদৌ হাইবা লৈফম অশিদা নোংদম্বা লই ৫ না নোংদম থোদাহিদুনা তাইবং খোঙ্গুম চিংবগী চকপু শাদোংদুনা কোইনা শাথোরিএ ।। হক হাইবা অসি খোইয়ুম ৫ গী কাইদোংফম য়ুমনি য়ুম অসিবু লৈফম ৩ দগী কা ৯ থাইদুনা ৫ মক্না শাম্মদুনা লৈরিএ হাইনা নিংশিংনবা ইপাল্লাংদা শাথোক্কুনা থম্মনি ।। অমদি লংহ ৩ ৯বু লাইদুংশী ৯ নি থংনৈএ লাইয়েক্কী অ, ক, ঙ, হ, ন, স, উ, ও, আ লাইয়েক অসিনা মক শেমগৎপা ৭ কী লাকমিংবু শাক্কোংলগা মক ৭ পু লৈফম ৬ তা লৈথমনা লৈফমগুনখিদো পাগ্রংবা লৈফম ৬ কি খোংলম অসিগী লংফাই লংহিং লেংয়াম্নবদি লাইমিং কোলোই লৈগুনম্ভিবা তেংবানবা মপুগী খোখন লৈঙন চৎলম লৈচংদ্রীবা মথৈদি লংফাই ৬ য়ানগনি চুক্লন লিপুন (৩) না চিকফাদুনা ।। লংফাই ৯ বু লাংযানবদি থোংলম লিপুল (৩) থোক্না য়েলুঙ্গা লিপুল লৈফম ৪ চুক থানা লাই মং ৫ বু লৈহাপ্পগনি, ওক্লাংদা লিকচাও লিথুপ অহুম্বু লাইমিং থানা লিকশিদুনা লাইমিং শিংহাপ শিংথাংববু লৈথম্মগদবনিদো ।। লাইমিং শিংথা শিংকক লিকচাও অসিদো পামেন অমা অমনগু চেক ককফাদ কোয়্নৌ নোংমদগু শেমফদে. মরোং মরুনা লৈপুবা মুমিং মুমিগু শিং অমমম শিংকরদুনা মরোং মরুনা লৈপুবা ১০৮ দা শিংবক চালুপ অমগা শিংকক ৮ লৈগুনবা শেমগনিদা । X উশক্তি উহং হাইবা অসিগী মউওনা কক্কান শেমগনি, তৌগদবদি মউ ১গী মমুংদা লৈহৌরখ্রিবা মালেমগা তাইনবদগী মথক্লোমদা খুদোন ৪ বু পাদমনা কক্কুনা লৌরগা কক্কুনা লাইমিং শিংককপু শেমগদবনিদো পাগ্রংবা নত্রবদি লাইরকানবু নামুংবনিদো ।। লংহিং লংফাই ৬ য়ানবনা লিপুন (২) থোক্না য়েলুম্লগা লিফা লৈফম্ (২) না ৯মদুনা লিপুনগনি লাইমিংনা (ওম হাই চিংপা হাই ফা হিং, ও কুং শংতে হিংতে, ওম উই ফ্যাং চিংথং শ্র) হাইনা লৈফম (৩ বু লিপুনবদা শোনগদবনি । লংহিং ৯ বু য়ানবনা তৌগদবদি লংহিং থোংলম ৯ বু (৩) থোকনা য়েলুপ্পুনা লিফা লৈফম্ ৫ বু মথং মথং থাগনি

(৬) মরু অহুপা লিপুন্নবা লোইনগা লাইমিংবু (ওম লৈনোংথাং তরংবা চায়তং ওৱা ।। ও হে মৈচিক খ্না মুত্তুরিকপা ওৱা ।। ও খ্না থমলে থম ওৱা ।। ও খ্না মুহুহু নোং খ্না মনিক মোখী ওৱা ।। উৎমৈচিংকা লৈকা ওএ কুং নোংলুম ওৱা ।।) লাইমিংবু নিংশিংদুনা লৈহাপগা য়াংগদবনি, তাকপিদুনা লংহিং ৯বু য়ান্দুনা লাইমিং পিত্তরলে ।। হৈরম হোয়রহে ।।X।।X

মৈতৈশু কংলৈ পিবা নোংদালই পাখংবা চৎলম অসিবু লৈহৌতৈদগী মথং মথং শিন্দাক্লদুনা ইবুধৌশিংনা হৌকংলৈ খ্না পুমাইয়োন লম্মাহনবগী চৎনলম লাইরকচন থৌপুনরিবা অসিনিদো ।।

য়ুম্নান থোপুবা পরম

মতুংদা পাখংবা কোঞ্চন তুথোকপনা মচা ইবুংঙো পাপ্রংবগী চৎলম্বু উবদ্রা খ্না পুক্লিংদা পেন-লিদুনা খ্না ফন্নালবু লৈশিন্নরমগে রাখন্দুনা নোংদম শংলেন লৈশংবা কৌব্রু লাইলোংবগী মফমদা হাই এ ।। নোংদম শংলেন লৈপুবা মরু নঙ্গী চন্দ্র লাইরৈমা থিংবা ওম্বী (সনামুহেহু লৈনপক্কা) কৌবীবু কংলৈ লুদা লৈতিল হুল্লশি, অচুবু মরুনা করি হাইবনো ? মৈতৈশু পাখংবা খোইয়ুম লুচিংপিবা সনা নোংদম তাকপিবা য়াংফংজবনি সনা পুক্লিংবু পেন্নবা লৈথুংনবা লাইরমলেনবু লুতিন্নবা থৌপুনবা তৌওম্বীরো ।। লাঙ্গলোংবগী য়াথং তাবদা মৈতৈশু কোঞ্চলাংবনা (হৈ শিং হৈ দমবা) শাংদুনা রারেপ মিন্নর ।। মতুংদা হৈবাং লৈরাং কাবাফ অথুম অহাপ অশোকপুদা পোংকনে শাৎপদা লৈহুন লৈথানা মৈফু ইরাৎ রাশকনা য়াংরুম ফিরোল লৈপাইনদুনা খোইয়ুম পুন্নবা কুবি নোং-লৈহুন্নদুনা পাপ্রংবগী লাইমিংবু লৈরো লৈরাং লৈয়াবা লৈহুল্লে ।। লাই লৈমা থিংবা ওম্বীগী লাইমিংবু (লুহোং লুতিন লৈরাংবী) মিংতুন্না পপ্রাংববু লৈকোই ৭ রক লৈহুন লৈরাংশু ।। মিউ ফমলেন্দা (৩) লক মুরাই কোইরেল নমশা তোলোক মথক্তা ৪ রক, মথংদা কুন্দোন পরেং ২ পাইশুনদুন লুতিন লৈয়াবদা লৈহুক্লগা ওইথম ফন্নাল লাংনা থৌখল্লে ।। লৈরো লৈয়াবনা লৈ পরেং অমা লৈখাই-বিরগা লুতিন লৈরাংবীদা হুকপীরে ।। মতুংদা লুতিন ফন্নাল্লদগী অনিমকপু চিথৈ মক অচিবনা থেমথোক্তুনা খুবাক (৩) লক খুরগা খুবাক লাইকা শানা ফন্নাল লাংদগী থেমথোওনা লুতিন ফিজি লিপুন্দুনা শঙ্গাইলেন্দা লৈচং ফন্নালনথ্রে ।।X।।

নোংদম্বা মরু ৪ (লৈবাক্তি য়াইফ থৌরাংবনা)
লৈথপ্লগে রাখল্লদুনা মহুৎ মরেং লৈশিন্নবা
থৌপু থৌশিন্নরকপা

অতিয়া মরু শিদবনা চিংথৈ মরু অচিবা মিওোংলেনগী মফমদা থৌঙম থৌপুন্নবা লোংদম থৌশিনবা মগুম্বু লৈশিন্নরক্কে ।। লৈশিরেল লৈপুন্নবী তেংবামবগী মমাগী মগুম্বু লাইলৈয়্যা খিংবা ওঙ্গীগী মফমদা লৈশিন্নরক্কে ।। লাইমিংথোই অশিবগী মগুম্বু কৌত্রু লাইলোংবগী মফম্নাংদা লৈশিন্নরম্মগা থোঙ্গ লৈতমখিদুনা লোইঙাম থাঙ্গী লৈফমদা সনা ফম্বাল লাংনা তিলু লৈথানা লৈখরে ।। মৈতৈগু পাখংবা সনা কোঙ্গু থোকপনা মচা ইবুংগো পাগ্রংবগী মফম্নাংদা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু লৈশিন্নদুনা অশাই অশম ওইনবা নমু তাইবং কোঞ্জিলাংবা, নমু তাইবং পৌপ্রুলেন, নমু তাইবং পোরোং থোকহাইবা, নমু তাইবং চাওবুংলেন শিদবা, নমু তাইবং কোনচি লাংবা, শখাই ৬ পু কৌশিন্দুনা পাগ্রংবগী অশাই অশম হাপ্তুনা পগ্রংববু লৈশিন্নরম্মগা মরু অতিয়া শিদবগা লৈশিরেল লৈপুনবী মরুগা মরু ২গী হৈনা তুংইন্না থোঙ্গামিন্নদুনা মালেম অত্তানবগী লৈফমদা তিলু ফম্বান্না লৈওন্নরে ।। মহুদা অতিয়া শিদবনা হংঙি, পাকি কোন্দে তনৌবা পাবু খংবা নয়াম্বুং লাইমিংথোইদি কদাইদা লৈহৌরে মরু নচাদি খংজদে মরু ২গী থৌখম লেংওম্মজ্রা লৈখনবদগী য়াম্বুংবু ঐদি লৈয়েংলক্কে কদাইদবু চংওমলগবা লৈফম অসিদা লৈথুংলমদবা অসিবু মরু ।। ওম্হোকপনিদা পাখংবা নং অসিদো মপুক রাবু মথোং তক্কেদকো, নংবু ঐনা নয়াম্বুংবু লৈথাগম্বু নঙ্গী নপুক রাখল্দি থৌরম খুদিংবু নয়াম্বগা রাবু তান্নরগা থৌঙম থৌপুনৌ নপুক রাবু ননিং নখা লৈতম থৌপুগম্বু হাইবদি নপুক রাখনবু ননিং তৌওমলুবনা নয়াম্বনা লৈতাক্লমদনা চংখ্রেদনা কমদৌনি থৌরমদি লৈহৌবদা মরোইরি লুতুঙ্গী থৌরম পুম্বশিদি কাংথং পূখং নাইরোইদৌরে কমদৌশিবা, পাখংবা নংশিদি নপুক থোঙ্গল লৈতাদেদকো ।। পাওশানা কদাইদবু লৈওমলমগবা রাখন্না লৈফম খুদিংবু কোইনা রাখনগী মিংথেংতনা য়েংলক্কে ।। তি করিনো মমাংতৈওন্না লোত্তুনা লৈখ্রেন মশক লাইরেক অসিদে ।। পাখংবা নয়াম্বনা লোত্তুনা লৈওম্লিবা লৈফম অসিদা নয়াম্ববু থৌথল্লিবা লাইয়েক অসি উবরা ? মরু লাইয়েক্তি ৮ থকপু উওম্বা তানফংজৈ অতুদি করি করিবু লাইয়েক্লো ? মরু লাইয়েক অসিদো থ, ক, ন গ, র, ম, হ, শ, অশিনি মরু ।। অতুদি লৈওম্মিবা লাইয়েক অদো লাইশক্তি খংলবরা ? মরু লাইয়েক অসিবু লোংদমখিববু 'থ' না থাংজিং ফেপ নওবরা ? উম চুম্মি ।। 'ক'না ফকথোক অন্নিবা কৌত্রু নত্র ? মান্নি ।। 'ন' দি চিংচরোইবী 'গ'না গৌবরেঙ্গ= কাবরেল 'ম'না রাংব্রেন থনা চাওবা নওবরা ? মান্নি ।। 'র' দি ইমা লৈমরেল ফমথোন কালম ৭ লৈতন্নীনি ।। 'হ'না নোংদম থৌদাবু থৌওম্নবা শিম্বাবা অতিয়া মরু শিদবনি ।। 'শ'না নোংদম থৌদা থৌপুবা লাইমিংথোইনি ।। অহুম মরা মৈ ঈশিং জুংশিং হোরো শো, রো, হো শো, শো হো রো মশক শাফোংবিববু ওইগদরা নিংজৈ অতুবু অয়োন পরম কুবিও ।।x

পাখংবা ময়ম অহু লৈবনা নয়াম্ববু লৈথাগম্বু হাইবনি নয়াম্বনা লৈবা লৈফমদা পুন্নমক্তো

লৈবনে ।। নহাকশু মহাক্কি, ঐহাকশু মহাক্কি অহুমুস্তীবু মহাক ঐহাক নহাকা কৌবনি, হাঃবনে খংলোদো নপা ঐনা নফমলাংদা অমুক লৈহন্না লৈকৌনহুনা লৈথম্বী রনপে কাওগদ্ধু কুবিরে ।। মরুনা হাইএ, লোইদাম থাজদা তিলু ফম্বানবা লাওমিংথোই মপ। ঐদি কোয়ৌহনবগী লৈফমদা লৈ-ফৌমবা লৈকাকয়ে পারি নংবু লৈরমগদ্রা হাইহুনা পারি ইচাদি লৈথংনবা খোজরমদ্রে, নপা ঐবু থাদোক্লগে হাইহুনা নঙ্গী লৈফম্, লৈথংনবাঁখোজ্রা ইহুন লৈতমনরমদবরা থৌরমপুম্বা নপ ঐনা লৈথংই মত্তিক নঙর লৈহকপা পারি ইচাগী চৎলম্, তাংজলুক্লা লৈফম্বা অসিদো লুতুংনা লৈথংনহৌ নবা নপা ঐনা পারি ইচাগী ফম্বাল অসিমতং লৈহুনগে নপুক তাথি নাওইনহুনা লৈফমদবা তৌগদ্ধু তিলু ফম্বাল লাংমিন্নশি ।। পারি নংদি মুমিংনা ফিরাংজি খুদা থাওম্মু লোইদাম থাজনা থকথন ওইনা লৈথনবা হাইনা নপা ঐনা পাওশানা কোয়ৌ অশিদগী থাকৌ লৈহন্না পারি নঙ্গী চৎলম্, লৈথমলমগে লৈথিবনা লৈথংশম্মু খংদবনা খংদশম্মু পারি নঙ্গী লাইমিংনা (লাইমিংথোই শম্মোং অরিবা মুমিংনা ফিরাংজি খুদা থাম্নিবা থানা থকথন ওইশুম্বা অতিয়াগী লৈমরেমও নোং-লাইগী মমুংদা লৈতৌগী লাইমিংবু মিং মিং মিং ও পিং পিং পিং অকোলহিং লৈয়োল্লাং তনৌবা) হাইনা নপা ঐনা লৈহুন লিএ পারি নংবু লাওগবা হাইনা থাকৌনবদা লৈচংলক্লুনা মক ৪ বু তিলু ফম্বালনা লৈথ্রে ।।X

মৈতৈগু পা-খ্রংবা নোংদলাই মতম অসিদো ঃ—

হৈয়িচক ফৈদোম লৈহৌরে, হৈয়িচং তাইবা ফৈদোম অসিনা লৈপানবদি তাইবং কুমজাদা লাপুন ১৭ লিপুন কুনগানিপানবু লৈপাল্লনি=চৈয়েক্লা ১৭, ২৮০০০ অসিনিদা ।। তাইবংনা মনিং তম্বা পুম্নিনি ।। মশাগী মরেপ মওম্মা মহাক মহাক্কি মথুৎ থুৎশাগী মতৌন্দগী থুংকি থুনিং য়ৌনা কুইবা চৈদম্, ২০ য়াংইদো ।। লাইনিং চৎলম লাইশোন্না (উং লৈহিং ফা, লৈফা ও য়ে, কুং নোংলুম ।। ও সনা মুহেম্মু মোং সনা মনিক খোম্বী, হুং থমলে থং শলাইলেন অময়া) লান্না থুবম্নে ।।

হৌজিক্কি নবুৎহৌ পাথ্রংবনা লৈঙাক লৈপুম্বিবা য়াবু হৌজরগে হৈয়িচং হাইযে :—

হৈয়িচংগী মওম্মা লৈচংলকপা কুমজা লিপুন ও চালুপ ১গা শুপ্পা কুমজা ৮ লৈচংবগী নোং কোয়ৌ হৈয়েৎ=(শগোলশেল) মরু, কালেনগী ৩নি পানবগী মুংথিল পোপ্পা লৈথাইবগী যুংথক

থানবা মতমদা নমু তাবং ১ কোজিন্নাংবা, ২ নমু লাই তাইবং পোন্নোং খোংমাকবা, ৩ নমু লাই তাইবং তাওবুংলেন শিদবা, ৪ নমু লাই তাইবং চাওবুংলেন শিদবা, ৫ নমু লাই তাইবং কোনচি লাংবা, ৬ নমু লাই তাইবং পৌপ্রুলেন ওরুক্না ঈশোং ঈচৈন্না মকোক মউ ঈচুম্না খুজিন থুম্না লৈশেংনা হৌলম্মহুনবা কংলৈ সনা পুংমাইয়োলদা লুচিংবা পিবা লৈকম্বা সনা কম্বাল লাংবা লৈহান্নবী কম্বানবু ইবেম্মা থিংবা ওম্বীবু লৈমলেন কমলেন ৭ লুচিং কম্বাল্লাংবী লৈহাপনা কম্বাল লৈকম থৌখন্দুনা কম্বাল লৈকমলে ।। চিংথৈ মরু অচিবা, মরু কৌত্রু লাইলোংবা অলিনা লাইরকচনবু নামুং চৎলম থোকহন্দনা পম্মম পুম্বা থৌরাঙনবা থৌপুম্না অশৈ খোম্মকাংনা, অমাই অজম্বা থৌরাঙনা য়োইরেল থাবী লেংনা লৈতিন্দুনা কম্বাল মেন্দগী থেমথোকুনা শঙ্গাইলেন্দা লৈচং কম্বাল লাংহুনা মুংঙাইনবা রায়েন থৌদা মোংদমলে ।।

হৌ লম্ম হনবা কংলৈ পীবা পাপ্রংবা হু চি উম ওং সনা শোম মমিক শেন ওম্মং= লৈমুং লোঙ্গা অরিবনা থাংহিং ঙাংঙোই চৌঙনা কোনবা লম্ব, হৌ কেগে মাইগৈ থাথংবা মুরা পনথান অরাপ্পা, লৌতাং ঈরেন্না শকয়েং শেল ওইবলম, থাংজিংনা উঁফম ঙইরিবা লৈম্না কুমজা চালুপ অমা=২০০ রায়েন নোংদম্মা লৈওয়ে ।। কুরুম চৌঙ্গা নোংপোক লৈহৌ নোংলান চৌঙদা (নোংচুম শংলেন) শেয়ে ।। ল্যাইমিংবু (ভু থৈহিং ঙাংচুকংবা) লৈহুল্লে ।। য়ুহানা হাদ চৌঙ য়ুচিক্না চিক্ক চৌঙ শেলোই নিক্ক নীত্তবা হাইনা থয়ে । X

পুং পুংজাও মাইশাকপা ৩ শাথোকুনা, তিংচুনা থৌরম্ব, শিম্মা পাউ:জলচুনা লৈনম্মা হৌকংলৈনা কোনবা লম মনুংদা লৈবা লাই, অমদি তাইবংনা পৌহৌনা থৌপুনবা অরাম্বদা পাঙশা নোংদম থৌদাবগীদমক্কা (মৈচুম মুরো) হাইনা মৈবাবু শেমচুনা লৈথমলে । পুঙ্গী মমিংবু (লানবুং) ১ না (শাবুং=কৈবুং) ১না (নোংলেনপুং) কৌবা পুং অসিবু তানয়ৈরবাদি অথবা মুমিং অচুদা তৌদবা য়াদবা অথবা পাওনি লৈথংনহল্লি । পুংশিং অচুবু লৈথম্বা পুং অচুগী মমিং লৌচুনা মিংচুন ওমলে ।। মতৌ অশুম্না লৈফম খুদিংবু থৌরম লিংনা শেমথোক শাদাক্কুনা লৈবাকপু য়াইফংনবা খুঙ্গাও লৈচাওনা লৈপান্নবা থৌরাং থৌপুনা কুমজাবু কুংশাংনা লৈপান্নরকবদা মৈতৈ লৈম্না কমলেন কমথোন ৭ পু লুচিং কম্বাল লাংলিংগী ইবেম্মা থিংবা ওম্বী মৈতৈঙ্গু কংলৈ পীবা পাপ্রংবগী নোংদমদগী রাঙ্গোন শংলেন্দা থোঙ্গুমুনা মচা ইবুংচো অমা পোক্লে ।। মচা পোকপগী চৎলম লুতিন নাওয়োক নাওকোনবু নোংদম্মা মমিংবু (কংলৈ থোম্বা, সনা সং লিং ত্রৈাং চৌং) লৈহুন তম্বী, নাওয়োক নাওকোম্মা সনা পুক্লিং মুংঙাইনা লুতুঙ্গী থৌরম্ব রাখম্মা পানওমলে ।।X

কোজি লাংথনা লাইরৈমা লৈথমলেম্বীগা য়ুম লিংচুনা মচা লিপা লাংবরেল পোতুনা থুন্দা লৈপান্নরক্লে ।। (লুবাঙ্গী পুকোক্লে)

৩। পৌপ্র্ লেপ্পা ইঙোই য়াংঙোই লৈমগা য়ুমলিংহৌনা মচানিপা ইঙৌরাবা পোক্নুনা থুন্দা লৈশন্নরক্নে ।। (অঙোম পুকোক)

৪। পোয়োং থোক হাইবনা লাইফুরেম্বীগা য়ুমলিংহৌনা মচা নিপা য়োং মুরাওবা পোক্নুনা থুন্দা লৈশন্নগল্লে ।। (মোইরাঙ্গী পুকোক্নে)

৫। তাওবুংলেন শিদবা—ঙেদে অসনবনা লৈচিক লৈমগা য়ুমলিংহৌনা মচা নিপা চিংয়িরেন পোক্নুনা থুনশল্লে ।।X থাবগী পুকোক

৬। চাওবুংলেন শিদবনা লৈপী লৈমগা য়ুমলিংহৌনা মচা শয়িরেল পোক্নুনা থুন্দা লৈশল্লে ।। (ঙানবা)

৭। কোনচি লাংবনা লৈফুরেল লৈচিক ঙানবীগা য়ুমলিংহৌনা মচা নিপা সেমানবা পোক্নুনা থুন্দা লৈশল্লে ।। (খুমন পুকোক)

উমংলাই লৈঙম্বা খৈনিক মানা মানা লৈঙম্বা কেনম খুদিংদা য়ুমলিংনহৌনা মঙম অসিদা তাইবং মপোক্তা শাকোংবা মী আক চালুপ—উক অমা লৈগুহৌনা সনাফম কোইজাইনবা লৈহৌনহৌনা মানা মানা মপুক থোইজবা লৈফম লৈথিনহৌনা লৈশন্না থুন্দা থোংদনা মনিং তম্না লৈনরক্নে ।। (উক অমা হাইবদি ১০০০০০০০০০০০০০০০০০০ চৈশিংনে ।X

গাখুংবা পিবনা মচাইবুংঙো কংলৈ খোম্নদা লৈশিন্নবা পরম

মৈতৈগু পাঞ্জংবা হৌ কংলৈ লম্মা হনবগী সনা ফম্নাম লৈশংবনা মচা ইবুংঙো কংলৈ খোম্নবু চায়াক পরম্ম থৌখিনা নাংকোনবিহৌনা থৌরম খুদিঙ্গী চৎলম্ম, নোংদম থৌদাবু থোঙম্নবা শিন্নাক নোংদম্না মহৈ মশিনবু তম্বিহৌনা মচাগী চৎলম্ম, থৌয়েহৌনা লুতুঙ্গী রাখনবু থৌয়েংনা লৈথম্নক্দা অনিগুবা লুতুঙ্গী ফৈদোমদা লৈহৌ শাথোক্নবা পরমদি মচা ইবুংঙো পাবু থংবা সনা হকপু কো-ঞ্জলতুথোক লৈপাইনববু থৌহৌ শাফোংবগী মফম্নাংদা লৈনিবদা পাওশা হংহৌদবনা ফালম শা-থোক ১ গা লুতুঙ্গী ফৈদোম ৩ গুবগী লৈহৌবা ফালম ১ গা শাফোং পরম ২ বু লৈরাংলমহৌনা, থৌরম অসিবু থোইয়ুম বনাগা রাতামহৌনা থৌরা লিব অসিবু লৈন্নাংতনবা শাথোক শাফোংনবা

থৌপুনবা থৌওম থৌপুবীও হাইশিবা ৱাখন্দুনা খোইয়ুম্মশিংবু উনহুনা পাওশানবা লৈফম থরবু লৈকোইহুনা পাওশানরুগে ৱাথল্লে ।। হৌজিক্তি পারি ইচগু মম্নুং মতম লোইঙৈন্ন, লৈঙাক লৈকনবগী থৌন্নম অসি পারি ইচাগী লৈফমদা লৈশিন্নরম্মগা থৌরম অসিবু থৌওম্নবদি মফম্নাংদা লৈশিন্নরম্মগা কংলৈ কোইহুনা থৌওম্নবা থৌপুবা তাৱে হাইহুনা কংলৈখোম্বদা লৈপাকপু লৈয়েংবা লৈয়েংবগী থৌরম্ব লৈশিন্নহুনা অশাই অশম পুম্বগা পাওশা পাওশিন্নহুনা মপারি কংলৈখোম্ববু লৈশিন্নরম্মগা কংলৈদগী লৈকোইবা থোংশানগ্রে ।।

কংলৈ থোম্বনা মপা পাখ্রংবনা লৈকোইখিবা মম্নুং অসিদা লৈফম থূদি'বু চত্তুনা লম য়েংলগা ফত্তবা হাওদিবা অকাই অতোই লৈবা থৈবিকপু শেমজন শাজন্দুনা ৱাইশেং ভুশেং লমশোহুনা লৈবাক্কী ফজনবা লু হেন্নবা শেনগৎলি ।। লৈঙম্বা পুম্বগী অচা অথক ৱাত্তনবা য়াইফং থৌরম্ব তানফংনবা লৈফম থুদিংদা (লোউ শিংউবগী) থৌরম্ব মপুং ফানবা লৈফম খুদিংদা ৱাইশেং ভুশেং নহন্দূনা লৌ উহনবা, ইংখোল কোইবগী থৌরম্ব চাওথোকহন্দুনা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু মাইগে ৯ দগী অরু অহেনবা লৈফম ওইনা লৈহুম্নবা শেমগৎ শাগত্তুনা (সনানা ইংগ শিংপঙ্গম মনিক্ক তমফা থিনবগুম্না) লৈথমলে ।।x

মৈতৈগু পাখ্রংবনা কংলৈ সনা পুংমাইয়োনবু থাদোক্কনা লৈকোইবক্কুনা তেংবানবগী লৈফম কয়ামুক্তা কোইহুনা থুন্দারম্বা তাইবং, লাই লৈঙম্ব শিঙ্গা লৈফমদা চহুনা পাওশানবদা লৈঙম্নম্বা তাহবং লাইশিংনা পাওথুম্মি মেতৈগু লৈম্নুং লোঙ্গা পাখংবা হৌ লম্মাইহনদগী (তুঙ্গী) শাংথা লেংথনা লৈৱোংশানা য়াহিপ লৈতানা লৈপানগদবা নঙ্গী লাথুপ মারৈ ফাংনগী হৈনা থোকম ওঙঙম্না থৌখঞ্জৌ নোংদম্বীব ওইন্নবদি ঐখোই খ্বাইগী হওয়ি, কুবি নোংদম্বা নয়াথংবু থৌওম থৌপুবা ওমগনি, নংনা শাথুপ লৈফম্না লৈঙম্নগা ঐখোইবু নাইজোম শাথোক শাথোরুহুনা ফালম থোংম্ব লৈহৌহুনা লৈশাম্নৌ কুবি নোংদম অসিদো ঐখোইগী ইওম ইতিক ওইকমদে, লৈফম অহু'দ নোংদমগী মউ লৈথারবা নেঙ্গাংদনবা মউ চারি লিংঙম থবা হৌ লম্মাইহনবা পরম থৌরম চংলম লুপিন থোকওম লৈঙমলগদব থৈবিক্কী (লৈৱোনফম) ওইবা লৈংম্মি, ইৱাংমদা থস্তোকথবা ইথোইনা লৈহৌ শাথোকপদি ইওম ইতিক নত্তে পওথুম্না লৈংলুশা লৈফম পুম্বনা থৌয়ানওমকত্তুহুনা হৌ লম্মা হনবা কংলৈ পুংমাইয়োন্না লুচিংলিবা লৈফমদা হনওম্নক্কুনা লোইবী হাওকপ চীশাংদা লৈকোইনা কোইনা পাওশানহুনা থৌনেকপদা ইতিক নত্তে হাইনা থৌয়াদৱে ।।

মতম অসিদা নোংপোক পনশা লৈহৌবা নোংচুপ থোংলোন ৯ বু লৈথিংনবা থোহৌবা নোংলোন

চীংথক্তা পনকবা লুঙ্গ মহারাবগী মফমলাংদা লেপ্লে লৈব। থৈবিক্কী লুচিংবা পিবা (ঙাহিং সনাঙাং) কৌববু লাক্তুনা হৌ কংলৈ লম্মইনবগী লৈরকপা পরম্ব, হুংঙমলবদা লুঙ্গ মহারাবনা লেপ্লে পিবা ঙাহিং সনা ঙাংদা লৈতাকপী ।। ঙাহিং সনা ঙাং কংলৈ সনা পুংমাইয়োম হাইবা অসিদো তেং-বানবা অসিগী লৈহৌকম মউগী লেমফুনি, লৈকম অসিদগী শাথোক্তুনা লাইরৈবাক নোংলোনগী পরম্ব, শাফোংতুনা লৈথমখিবন্নিদো ।। লৈফম অসিদগী লৈথারোনগী লৈকম্ব, লৈখানা লৈথমজি-বনি ।। থৌরম পুম্বগী হৌনকম মউ, তেংবানবা অসিগা হুক্কি মথোক=থোইদো কৌবা উরাঙ্গী মথোক্কি=লেমফুনি ।। লৈফম অসিবু ঐনা লৈথাবা লৈতনা লৈবশে নোংদম্বনা নোংদম্বীরক্তুনা লৈহৌঙৈদা অতিয়া শিদবনা লৈশিরেল ইমাগা লোইনতুনা লাইপাখং ৯ লাইহুরা ৯ শাথোরকতুনা লৈহৌ লৈশেংরকপা থৌরম্ব, (অনোইলোন শাকোই লৈশাবা) মিংহুন্দুনা নোংদম্বগী লৈফমদা লৈ-ম্নাংনখিদো, অতুবু ঐগী ইপুক্তা থোইজং লৈতাজবা পরম থৌরম্ব, ওইখিবনা থৌরম অতুবু তমজবা ওইনা লৈফম আসদা শান্নজবা মওম্ব, তানফংজতুনা নোংদম্বগী মথোং থাদা লৈচংনতুনা লৈহুন লৈরাংজববু করম্বা মতমদা তানফংজগবা য়াথন্দুনা থৌরম্ব, থৌনিবা তানফংনবা লৈফম্মিবনি অতুবু ঐতনা পামজবগী নিংজবা নোংদম্বনদি নোংদম্বীরক্কে, অতুবু করিগুম্বা মতম অমদা কুবি নোংদম্বীনবা অতুমুঙ্গী লৈফম অসিবু লৈথাদনা নোংদম্ব, নিংলিবনি (ঙাহিং সনা ঙাং পিবা) ।। অনি-মক্সা পাওশানরিভৈদা পাগ্রংবা পিবাগু লৈফম অতুদা লৈথহুনা চংলক্লে।। মুঙ্গা মহারাবনা মৈতৈগু, কংলৈ পিবা প-গ্রংবা পাওশা করিবু কুবি নোংদম লৈবনো চংবিরকও, ঙাহিং সনাঙাং লেপ্লে পিবা নংদি য়াইফংঙিদা নংবা লাকপা কোরৌদা নোংদম্বগী পাওজেনবু ইন্নন নোংদম লৈথংনওম্মিদো পাওশানা অনিমক্সা মফমলাংদগী হৌগত্তুনা মৈতৈগু, পিবাগী থুংশাবু লিপাইনতুনা পুশিল্লগা মফম-লাংদা ফমহল্লে ।। অতুম মক্সা মফমলাংদা লৈফমনতুনা মরুগী চুক মথোং (৩) বু লৈশা ফম্বাল্লাং মিন্নতুনা পাগ্রংবনা রাহৌরে ।। লাইমিংথোই মুঙ্গা মহারাবা নফম্লাংদা ঐনা চংগম্লকপদি অসিনি, ঙাহিং সনাঙাংগু নফল্লংদা লৈওমলাম্ল ঐনা মিংবা পরম্ব, লৈথংলগত্রা নিংগুম্ল, মরমদি ঐনা লৈ-নিবা মতমদা পগ্লৌ কংলৈপিবা মৈতৈগুগী মফমলাংদা লৈনিবদা লৈহৌবা শাথোকপদি লৈহংহৌদে ঐনা লুতুংদা ওইরগদবা ফৈদোম ২ অমবু লৈহৌ পরম অনিব, থৌরাংলে অসিব, লৈনাং থৌরাগু-নবা শাথোক পরম অসিব, থৌওম থৌয়ানবা তান্নজগে লংবপনি অতুব, কমদৌশিবা ।। মৈতৈগু, পাগ্রংবা থৌরম অতুব, করম্বা মতমদা তানফং পরম্ব পাওতজবা লৈফংগদগে ঙাইতুনা লৈওম চক-পনিদো থোইয়ুম শিঙ্গী তৈয়ম কৌবব, হৌখিতুনা হুয়িচকপু লৈহৌরেদো চক অসিব, শেরোইপ্রগা লুতুং ফৈদোম শাথোবপব, লৈহৌনা লৈরংপা ফালম্বু লৈম্নেনবদি হাহিং সমা ঙাং নংনা শাথোক্তুনা লৈহৌরো অতুগা ফালমদি মৈতৈগু, পাগ্রংবগু তেংবাং থৌপুনবিরো মতুদা ফালম অমা তেংবাংজগে।। ফৈদোম (৩) গুবগী লৈহৌবা শাথোক অতুনা ঐগী পরম শাথোক থোংলম্ম অমা ওইজববু

তানফংজতুনা নোংদম্বা লাইগী লৈফমদা লৈকন থৌগন ওইজগে লেপ্লরে ।। খোইযুম অহুম্না তাম্নতুনা নোংপোক চীংদগী থোংশান্দুনা হৌ কংলে লম্মহনবম্না কোপ্পিবা লৈফমগী চিরা ৪ বু ভুনা মাইগৈ ৪ বু চণ্ডুনা লৈকম্বু কোইনা লৈয়েংলকই লৈকম খুদিংদা নিংথি চংখোম্না লৈময়বু উবদা মৈতৈগু পাগ্রংববু মপুক ব্রাখনব্রু গুকচাম্লে ।। লৈকমশিং অসিবু খোইয়ুমশিং, তাইবং কনানা য়াইশেং লমশেং লিঙম্মীবনো নিংথি চংখোম্না মচি খুদিং লৈঙম্মীবা অসিবু ঐনা য়াইশেং লমশেংবদগি লৈকম শিংশিবু লৈথুংনা য়াইশেং লমশেং ভুশেংলমদে, মশিবু খোইহুম কনাগুম্বনা তাইবং কনাগুম্বনা লম্বু লৈকন থৌপুবরা, পাগ্রংবা ঐনা কুমজা মুংশাংনা চংগুম্বা অসিদা ঐবু লৈরি হাইবা থৌকাওনম্নবোইনা মগুম কম্নিবু লৈঙম্ন থৌপুনরম্মীবা, মপুক ব্রায়ৌ তাখিনরক্কুনা ব্রাদি ঙাংদনা তুমিম্না ব্রাথমতুনা মাইগৈ শিম্না শনা মিংয়েং তাঙম্না লৈথিরক্ক ।। উম থৌরম অসিদি পারি ইচানা মগুম থৌপুজবনিনা ঐদা বা ব্রা পুক্রী লৈচাওনৈদা লমকৌবরাম লৈচাওইদা, মপোংপু নিংথি চংখোম্নবা শেম্নমিদনা ।। পাগ্রংবনা ব্রাথন্দুনা ব্রাঙাংদনা তুমিম্না লৈকোইনবদা ঙাহিং সনা ঙাং লেম্রে লুচিং পিবনা মৈতৈগু লৈঙ্গুং লোঙ্গা অম্বিবা হৌ লম্মহনবদা শাথা লেমথনা লৈরোং শানা লৈপানবা য়াংলৌ কোঙ্গাই চণ্ডুনা লৈয়ংবা অসিদা শমু অহুমদা চংমিংবদা অনিনা লৈয়েংবদা লৈফম খুদিঙ্গী নিংথি চংখানবা উজবদা হপুক খোইজং লৈনজবা থোকগুম্বদগী লৈকম খুদিংঙী মতিক মঙালবু লৈথাবা ওইনা পাওশানতুনা হৈনা থৌগন মায়ন্দা ময়িম্লি, মৈতৈগুনা চুম্মিগু হাইদে লাম্লগু তাকপাদে মুংগুক মুংনংনতুনা সনা খোংলেংবা অসিব ঐনা তুংহন থৌগনবা অসিদা সনা পুক্রিংগী ব্রাখন পরম্ব অকাইবা থোকহুমতুনা তৌবরা ? ঙাহিং সনা ঙাং এ মচু নম্বে ঐনা ব্রা ঙাংদবগী নপুক ব্রাতোম কিশি কাংহম্মীগনু এনা ব্রাং ঙাংদবদি হৌ লম্মহনবা কংলে অসিবু ঐনা লৈথাদোক্কুনা চংহম্নকপা অসিবু কুমজা হক্ক মুংশাং মনথিবগ লৈফম খুদিংনা নিংথি চংখোম্লম্বা অসিগা উবদা হপুক ব্রাখনব্রু তনৌ তয়ানখিবদগী, ব্রাখন কাম্নাখংগী ব্রাখন অহুনা ঐগী হকপু থুংহংখিবনা ব্রাহে পাওশা যাশ্নদবনি ।। মতুদা মুজা মহারাজনা মৈতৈগু পাগ্রংবা পিবা লৈরাক্কি লুচিংবা পিবানা অতুক কুইনা লৈথাদোক্কুনা লৈবোংবা হৌনখেনা কনানা লৈরাক্কি অম্রা অনং থৌয়েংবা থৌরম আসদ নামুংইদা ।। চুম্মি লাইমিংথোই মহারাজবা অংবু লৈবাক্তি থৌরম অপুম্বা লৈঙাক লৈকম্লান পুম্বব নগু হেবুংথৌ পারি ইচাগী মকম লাংদা লৈশিমতুনা অশাই অশম পুম্বদা থৌশিন্নতুনা লৈয়েং লৈকোইনবনে । ঐনা লৈযম খুদংদা নোংকোংরৌ অমমম লুচিবা কম্বাল লৈকমতুনা পাওশানবা ঙয়বদি পারি ইচাবু লৈঙম হৌবনা থোঙম্নবনি, লৈকোইবদা লৈফম খুদিংবু য়াইশেং তুশেংনা লৈহম্নদি নগু হেবুংথৌনা য়াইশেং লমশেং তুশেং লৈথম্বনি ঐনা লমশেংলম্বদি হাওকপ চীংশাংবু লৈয়ীদনা য়াইশেংদা লৈহীবনি, মাইগৈ ৪ গু দাই ৪ বু লৈশিম্না চীংঙশিঙ্গা থুবম্ব লৈপি লৈথম্বা অসিদো জেবাকপু য়াইফংনবগী দমজা পারি ইচানা

লৈয়েন লৈথমজহুনা লৈহৌঙৈগী থুবস্থ, লৈমাং লৈমুত্তনবা নৌহৌননা শেমগত্তুনা খোইয়ুমশিংগী থুন্দ লৈতানবা থৌশিন থৌপুজবা ওইনা থোকওস্মি অহুবু ।। থংঙে মৈতৈঙু নপারি অসিদি থরাই পানবা লৈঙম্বা খৈবিক্কি লৈচংনফম তুংনফম্ব, ওইঙম্বা মচানিদনা, থৌওম থৌপুরম্বা পুম্ববু য়েংঙু য়েংঙুবা লৈফম খুদিংদা মিংলা'বু লৈহোংনিংহন্দনবা থৌপুনা শেমদোক শাদোক্লুনা রাখেং লমখেংহুনা লৈথমলিবা অরু অহেনবু লৈখংনা থৌওম থৌপু চংখোনবা নপারিবু তানফংনৈদো, কংলৈপুংদা সৈহল্লশি নপারিগী মশক ঐখোইশু লৈখংনবা ওইওয়ুগে ।। সুঙ্গা মহারাবগী রাবু তাবদগী কংলৈ পুংমাইয়োন লোমদা খোংশাল্লক্লে ।।

হৌ কংলৈ পুংমাইয়োন্দ খোইয়ুম ও বু লৈচংলক্লে ।। লৈমবেল ফমথোন লুচিং ফম্বাল লাংলিবী লাই লৈম। থিংবা ওম্বীনা সুঙ্গামহারাববু উবদা কংলৈ পুংমাইয়োনগী শাথোক লাংওন থৌরম্ব, পরম থৌরম থরবু রাথন মিংয়েং লৈতানা থৌরম্ব, পথ্রংবনা থংওম্নহুনা লৈমরেল ফম্বাল লাংঙিবী ইদাইরেন নংবু উনানিংহুনা লাইমিংথোই মহারাববু কংলৈ খোংচংলকওমলিএ পাওদম্মি ।। পাথ্রংবগী পাওশা তানফংবদ লাই লৈমা থিংব ওম্বীনা লাইমিংখোই সুঙ্গামহারাবা কোরৌ অসিদি কংলৈ খোঙরফপবু উওমক্তে নোংদম করিবু তাকপীনিংবনো ? লৈবাক্কি মবেম্মা লাই লৈমা নফয়াংদা লৈচংজবকপদি হৌ কংলৈ লম্মহনব লৈবাক্কি লথুপ ফালম্ব, ঐখোইশু তুংইন থৌগন ওইবা তানফংবা ওইজগে হাইবগী নফয়াংদা চংজরকপনি ।। লাইমিংথোই খোইয়ুম মহারাবা লারৈ লাথুপ করম্না শাথোক শাফোংনবিগে লৈখনবা ? মতুদি ইবেম্মনা শাথোক শাফোংবা লাথুপ খুদিংদা তুংইন থৌগন তেংবাংজবা ওইওম্না য়াওজবা থৌরম্ব, লুচিংবাদ ইবেম্মগা ইবুংঙোগনা থৌহৌবা ওইবিবা অসিনি ।। মতুদা পাথ্রংবনা লাইমিংথোই মহারাবা ঐনা লুচিং শাথোক্না থৌহৌবা ফালম অতুনা লৈশুদবনা নফম লাংদা ঐনা লাকপনি, নংগী ফালম ওহুমদি ঐবু য়াওহল্লগনু লাইরৈমগা নবাঙানিগনা লৈশুনবা থৌপুখরো অতুগা ওাহিং সনাওাং লুচিংবা পিবগি অনিশুবা ফৈদোমগী লাথুপ শাথোক অহানবা অসিদি ঐখোই অহুম্ব, লৈচংনা ফালম্ব, লৈপুন ফানবা তেংবাংনশি মরক অনিদা ঐগী শাথোক খোংলম নত্তনা ঐবু শাথোকনরুরবদি লুতুঙ্গী থৌরম্দা লৈরাশুনা ফতুম লৈওম হৌরনি ।। লাইমিংথোইগা লাইরৈমগা অনিগী লথুপ শাথোক অরোইবগী থৌহৌবদদি ঐশু থোকওমলক্লুনা লৈহৌবগী তেংবাংবা ওইনা তুংইন থৌগনবু তানফ জগে ।। পাথ্রংবা মৈতৈঙু কংলৈ লুচিং পিবগী নোংদম্ব, খোইয়ুম অহুম্না থৌওম থৌপুনববু হোইয়া থৌয়ানরে ।।

মতুংদা পাথ্রংবা পিবনা মচা কংলৈ খোম্ববু কৌশিন্দুনা খোইয়ুম ২ গা শকথং লৈথংনহল্লে ।। মচাগী চংলম নিংখি চংখোনবা থৌওম থৌপুনরম্বা মতিক মওম্ব, উবদা মপুকপু হরাও তয়াম্নহুনা

লৈবাকপু লুচিংবা লৈশিন্নরম্বদা রায়েন থৌশিল্লম্ববু উবদা। থৌঙম্নি রাখল্লদুনা থোইয়ুম অহুম্বু রাজান ফম্বাল্লাংনা হৌকংলৈ পুংমাইয়োন লম্মহনববু লৈশংবা লুচিংবা পিবা হাপ্তুনা লৈবাক নোংথৌতুবা (উয়ুংমথক ক্যোংচৌঙ্গী চৌংয়াংদা থাজন্তুনা ফমহল্লে ।। ইতম অসি হয়িচঙ্গী কুমশিং ১.৮৯০০০ =ল্যাপুন অমা লিপুন মরিফু মাপন চংলে ।। কংলৈ থোম্বদা লাইয়েক ৪৬ শাথোক্তুনা তম্বীরে ।। অ আ ই ঈ উ ঊ এ ঐ ও ঔ অং অ: ।। ক খ গ ঘ ঙ, চ ছ জ ঝ ঞ ট ঠ ড ঢ ণ, ত থ দ ধ ন, প ফ ব ভ ম, য য় র ল ৱ, শ ষ স হ ক্ষ ।। লাইয়েক থরা শাদম শাথোক্লা তম্বীরে ।। মতুংদা লাই ৩ বু হৌনদুনা কংলৈ পুঙ্গী অকোইবদা লৈ ক্ষী লৈফানা লৈথম্লিবা লাইফম ১০৮বু কোইনা চত্তুনা লৈয়েংলম্মগা থাহিং সনা ঙাং কৌবা নোম্লে লুচিংবা পিবনা থা পাংনা চথখিদুনা রাংব্রেন পাথংবগী মফমলাংদা লৈচংখিদুনা লৈঙমথরে ।। মৈতৈগু প্যাপ্রংব পিবনা অরাং পাংনা থোঙ্গখিদুনা লাইমিং (অরাং লৈতোংলেন অতোংবা) মিংহুম্না লিক্লাই কোঙ্গোন শোৌবী অরাং কলে থংপাৎ হাইনা লৈফম্বু মিংহুম্না অরা থেঙ্গু চৌংনা লেহৌরকনা পরম্ব। মাগী লারাই শিংদা পাণ্ডশান্দুনা মহাক্কগী মপুক মথানা চৎপা তুবি লাইরেল কৌবা মশক ৭ পু শাথোক লৈথমদুনা চক ৪গী মঙম শিম্বানা লৈকক লৈয়ারেন্দা লৈঙম্মু নোংদম্না লৈঙমনখ্রগা মতুংদা অরাং নোংথৌ নোংলৈ পাখংবা থৌইয়ুম শলাইলেন (হুমচি উমহুক মিংহুম্না লৈখ্রে) ।। হুংঙ্গাং মহারাবনা মফম্লাংদা লৈহনখিদুনা শাথোক ফালম্বু মম্বুং মঙম ঙাইদুনা লাইমিংবু (লুপারাক য়োমশং) থাকৌনা লৈঙমখ্রে ।। লাইরৈমা থিংবা ঙম্বীনা তাথিরে ঐনা করিবু হৌঙমদুনা ঁবু হৌদবা তাক্লুবা, ঐশে কনানো খংদ্রেমা করিগী কাওবা অরোন থুপচানবা চৎলম অসিবু খোইদুম অশুম্বা চৎলম্বু চৎপা হৌনবরাশে, খংগনি লৈরমশল্লু হাইনা লৈকোইনা লৈথিনবদা অরাং কংসৈ তাংঙপাৎ লিক্লাই কোঙ্গান শোৌবী হাইনা লৈফম্বু লৈহুম্না তুবী লাথুপ থানা লৈঙমখিববু লৈথংলে ।। মিংশ্না ইর চেম্না হাঙবাক্লু মৈতৈগু নংদি নপুক তাথি নাওঙনগ্রবোই ঐগী অয়োনবা লৈঙাক লৈকন্নবিগু, ঐদি রাখন থেনবী হুপীজনি নংনা কুবি নোংদম তম্বীরম্মু ঐগী ইবান লৈখিবা, নঙ্গী শাথোক ফালম লৈবৎপবু ননিং লৈথংনবগীদমক্তা শাথোং খোংলম্বু থৌয়াবনি ।। ঐগী ফালম থুদিংদা নঙ্গী লারৈ ঙাক্তনি খগু মশি পুম্নকশে নোংপোক হুঙ্গ। মহারাবনা কংলৈ থোঙ্গনরকপদগী থৌরম পুম্বশে থোকঙম্নখিবা ঙাক্তনি, লাইমিংথোই হুঙ্গাং মহারাবা নঙ্গী শাথোক থুদিংদা ঐ লমন শিংজগেকো হৌজিক্তি ঐ কাইনা শেংনবা মৈশাবু লাংনা লৈখিগে, নঙ্গী শাথোক শাফোং থুদিংদা ঐগী কাইনা অরাবা মৈচাক অসিদো লাইমিংথোই নংনা অমুক লৈশিন থৌপুবা ওইঙম্মুদো মৈচৈনরম্মগা কোইজাইনরক্লে ।। লৈফম থুদিংদা লৈকোইনদুনা লৈপাক্কী শেক্লিংদা হাওশমগুম্না মচুবু নোঙ্গী মচুনা তমজনা মচাগীদমক্তা য়াইফনবা মমিংবু লৈঙাক কৌনা শান্নদুনা লৈঙাক লৈমা হাইনা লৈরম্মগা মহাক্কি মহাক ওইবী লাই লৈমা ১। লৈফুরেল লৈচিক ঙানবী ২। লাই লৈমা লৈথমলেন ৩। লাই লৈমা

চিংমু লৈমা ৪। লাই লৈমা হাইলু লৈমা ৫। লাই লৈমা পিশিন খোম্বী ৬। লাই লৈমা পিশিন্নু, লাইরেম্বী ৬ পু শাথোক্লুনা মালেম কোইনা শান্নহুনা লৈমিন্নরম্মগা লুতুঙ্গী থৌরম্ব পাওশানা লৈশিন্নহুনা লৈথয়ে।। মতুংদা মযুম য়ুমলেপ চারি কালম্ব অমুক হাথগে রাখল্লহুনা মমিংবু লৈমা তারিংমু থাকৌনা লৈহুনবু ন ত রো লেখ তাঙা পোকপী লিতিন্নু মিংভম্মা কোইজাইনরক্লে।। লাইরেম্বী থিংবা ওম্বীগী ফালম্ব উবদা নোংলোন্দা লৈফম ফম্বাল লাংঙমগ্রব। অতিয়া মরু শিদবনা নোংলোনগী লাই লৈমা ২৬ পু মালেমদা লৈকুমহুনা মযুম চারি লিংঙম্মা নাগুদা চাদননা হাথরু নোংদম্মা মালেম লৈকুমনহল্লক্লুনা মালেমদা কোইজাইমরক্লে।।X

কংলৈখোম পাখংবনা মপুক তাথিদুনা লৈকোইখিবা

কংলৈখোম পাখংবনা লৈঙাক লৈপুহুনা মতম মুংশাংনা মপা ইবুংঙো মৈতৈঙু পাখংবগা মমা ইবেম্মা লৈমা ফমলেন ৭পু লুচিং লৈফম্বী লৈবাক্কি পলেম শেম্বী ফম্বানবু তানফলিবী লাইরৈমা থিংবা ওম্বীগবু লৈহৌলকখিনি রাখন্দুনা পলেম পম্ভো অনিগী ফম্বালবু লৈবঙহুনা খুবম অনিগী থোগন লৈহুনবু তানফংজবা ওইনা মপুক হরাও তয়াম্না লৈপাক্কি য়াইফংনবা থৌওম থৌপুনহুনা লৈওম্মি, থৌরম খুদিংবু লাইলৈমা ৬ কা তান্নহুনা থৌওম থৌপুনৈ।। পরম থৌরম্ব লৈথংদবা লৈরগা চিংথৈ মরুদা অমদি নোংদম শংলেন লৈপুবা কৌব্র লাইলোংবদা অমদি কাইবিবোল শংলেন লৈপুবা থাংজিং ফকথোক অরিবা ফেৎকি মমলাংদা অশুম থৌপুরকপবু রুক্কা মুংশাংলক্লুনা পম্ভো পলেম অনিবু মপুক তাথিরে।। করিনা অসিদ করিনুঙ্গী হনওমলক্তবা অসিনু ইহুনমক হনওমলক্লরোই দৌবিব্রা নাখনবদা তানফংদহুনা নোংদম শংলেন লৈফম্ব। কৌব্র লাই লোংবদা হংজৈএ।। মরু লাইলোংবনা মচা ইবুংঙো মৈতৈঙু মপাবুঙ্গা মমাইবেম্মংদি কদাই হনওমলক্লগে, মঙুং মতম্মু লোমহুনা চৎখ্রবনি লুতুঙ্গী ফালম্বু লৈশিন থৌপুনখরে।। মরু মরম অতুদি ঐবু করিবু পাওদাকপিদবা ? মৈতৈঙু কংলৈ খোম্বা পাখংবা পম্ভোনশু পলেমনশু লৈঙাক লৈশিন্নরম্মিনা।। কমদৌনা মরু শংলেম লৈপুবা ? নপাবুংনা লৈথল্লগে নিংলক্লুনা মচা ইবুংঙোবু লৈপাক নিংথৌতুবা উঙুঙ্গী মথক্তা থাঙ্গত্তুনা লৈবাক অসিবু লৈশিন্নখিবা অতুদি মচা ইবুংঙোনা পুকহং পাওহংবিহুনা লৈপাক নোংথৌতুবগী ফম্বালবু লৈফংলে হাইদুনা শ্না ফম্বালতা মলাংবি পরমদি হংবিরোদবননি।। উম চুম্মি মরু থৌরম অসিদি ঐনা লৈথংদবনা থোকওম্বনিদনা মরু মরম পুম্বা ঐননি থংজরে হাইনা হঙ্গিল্লক্লে শংলেন্দা।। মতুংদা রাখল্লক্লে ইপাগী খুবম মুন্দুনা ঐদি লৈফমল্লবোইরে

কমল্লেন অসিনা কংলৈ খোম্বদা কন্নিবু কান্নবা কন্নিবু ডোংজবা, লৈকম অসিবু থাদোক্লম্মহুনা ঐ লৈকম থুদিংদা লৈকোইহুনা লৈণম্বা তাই হাইনা রাখয়হুনা লৈয়াই লোন লৈখালোন ভুনা চক্ত্না লৈকোইনরক্লে ॥ মরুনা য়াথোক য়কানবদা ঐবু শাদোং খোংনেৎ থুদা ওইবিনবা লৈকম থুদিংদা থৌঙাইজহুনা লৈগে হাইনা মহাক্তগী তাওয়োইলাই ভুবি ৭ পু শাদম্না লৈরে ॥x

মাইগে ঙাকগা লমপুবা য়েলুপ শখ্রাইশিংনা মনিং মখ্রাতম্নবা

মৈতৈগু কংলৈখোম্বনা মপুক তাথিনবদগী হৌ কংলৈ লম্বা হুনববু লৈথমলমহুনা লৈকোইখিবনা মুংশাংমনখিবনা লমপুম্বা খোইয়ুমলাই নমু তাইবংমী তাইবং মপোক অথোইবা লৈণম্বাসিংনা মনিং মখা তম্না লৈপান্নরক্লে ॥

১ নং নোংগোক পানফা অঙাইবনা

নোংপোক লোক্লৌ কোন্দা পানফবা অঙাংবগী মদাইয়েন লাইরৈমা চিংচোইইনা মচা নিপা সম্বোং মিংথোইবা কৌববু তাইবং মপোক্তা পোকওম্নগা লাথুপ লাৱৈনহুনা কোইজাহনখিহুনা মফম থংদনা মাথরে ॥ মতুংদা মতম মুংশাংনা চাদাদনা লৈওমলুরগা লাইরেম্বী চিংচোইবীবু মচা নিপা পামশাবগা, মতুংদা মচা ইবেম্মা ঙাংশাবীগা পোক্তুনা মপুক হুরাও তয়াম্না লৈপান্দুনা লৈংম্নম্বদগী মতুং থরা লৈরগা মচা ইবুংঙো পামশবনা লৈপুবা ওম্নবা মতমদা লমথোক কময়েংবা থোকখিবদগী নোংপোক অঙাইবা লৈফম্ব লৈফম থংদনা লৈমানখিহুনা মপাগী খুবম্ব লৈশিন্দুনা লৈপাল্লে ॥ লাইমিংবু নোংপোক পামশাবা হাইনা মিংথন্দুনা মনিং তম্না লমপুবা থৌনা ফবা উইন কনবা থৌঙম থৌপুবা ওইনা লৈপান থৌপুরক্লে ॥x

২নং হৌকেগেনা কোনবা লম খ্রাখ্রংবা মুরাং নিন্দু পানবান অরাপ্পা মনিংথৌ

লাই পাথং য়ুহানা লাইরৈমা য়ুচেং লৈমগা ময়ুম খুল্লিংনহুনা মচা নিপা হৈ রাওবগা, মচা মুপী পামশবী হাইবীগা পোক্তুনা মনিং তম্বা মাইগৈ পুবা লুচিংবা পাজনবা ওইনা লৈওমলক্লে ॥ মচা ইবৈম্মা পামশাবী কৌবী অসিবু অঙাং ওইদ্রিডৈদদি তাইবং মীয়োনবু লৈশুনা রায়ম পুম্ববু পাও-

শানরন্দি মতুংদা মথোং কাবী অমুনহা ওইরকপদগী য়া জাংখিদরে মরমদি কনাগুম্না মতিক মঙম লৈবা লৌশিংবনা মাঙোন্দা পাওরো পাওশাতুনা মাবু য়াঙাং পাওগা পাওথুম (৫) লকপু থুমহনবা গুম্বা মশক অচুম্বী থৌগন তৌগনি হায়বা য়ারেপ অমগী মখা য়াশক থৌরম্ব থৌপুনা য়াম্লাংদে ।। কনাগুম্বনা লাইরেমবু য়াঙংনবা থৌওম থৌপুগে লাকওম্বা পুম্বগী চৎনলম থৌগনবু নিংথি চংথোম্লবা থৌরম্ব লোইনবী মঙাইরোইশিঙ্গী লৈকমদা লৈশিন্নতুনা লৈথমলম্লগা কনাগুম্বা পাওশাবা হেক লাক পগা মহাক্না তাংবন অমদা হিপ্তুনা ফিরান ফিজং ৭ লৈথম্ল। য়াঙাংবা তৌদবা পাওশারবা য়াহৈবু তাহ্নুনা লৈওম্মি ।।

মৈতৈগু নোংদলাই পাখংবা ফমলেন লৈপুবা লাই লৈমা পামশাবীবু য়া ভাংহনগনি হাইবগী খোইযুম মশিং হাইওমদনা লাক্তুনা পাওশারবরু মাইথিবা ফংদুনা হম্নরক্তুনা মতুংদদি লাইগু তাইবংগু কোইজাইনরে মাইথিদুনতা তোকওম্লনি লৈমবু পাওথুমহনবা ওম্লরোই হাইদুনা পাওশানৈ।। পাও অসিবু নোংপোক লাইমিংথোই পামশাবনা তাওম্লদুনা মপুক তাথিনওমলে ।। মানা লৌশিং কয়াম্বু হেনওমদুনা খোইযুম চৎলম ৬পু মাইথিবা পীবা ওমথিবা. অদুদি ঐনা মাবু য়াঙাংহন্দুনা খোইযুমশিঙ্গী মঙম্ব লৈশামদনবা ঐ থৌপুবা ভাওমলেদো য়াখন্দুনা লোইনবা কনাবু য়াওদনা খোং-শাল্লক্লে ।। নোংপোক লাইমিং পানশাবনা লাকপা উবদা চৎলম লুতিন লাই ওলাং থাজা থৌ-পুবগা, নিংথম থাজা থৌপুবগা অনিনা লম্বীদা শাথোক্তুনা পামশাবর লৌথামলে ।। লইমিংথোই পামশাবা কদাইদবু খোংশানবনো? নংনা চৎলিবা ঐখাই ২গু তুংইন্দুনা থৌওম্নবা তেংবাক্লে ।। খোইযুম অনি ঐদি লৈকোই পাওশাবা চৎপনি লাই নখোইগা লোইনদুনা চৎওম্ব। য়াবা থৌওম নওে । লাইমিংথোই পামশাবা থৌরমদু এথোইগু খংদবা নাত্ত থংডি থৌরম্ব থৌওম্নবা তুংইন থৌগন ওইগে হাইবনি ।। ঐখাই ২গী ইশকপু থংহন উইংল্লোই লাই ঐখোইনা লৈমগী মফমদা নাইত্তোম নাইতোম গোংচংলুবদদি মাইথিবা তানফংদুনা লাক্লবনি ।। অদুদি খোইযুম ২ না কবিবু কম্নদৌনা নশকপু থংহন উইন্দনা ঐগা লোইননা চৎওম্লগে হাইবা? লাইমিংথোও পামশাবা হুন্নিং হাইবা মশকপু লৌদুনা থৌওম্নদরিবা ফাওবা নঙ্গী নাকোং য়েং ওইদা তোংদুনা চৎলগা নঙ্গী পাওশা থুদিংদা থৌরোই থুদিংবু থৌওম্নবা থৌরাংলক্লে ।। য়া তাবদা থৌয়ানদুনা নিংথম লাইগা ওলাং লাইগা ২ না হৃদ্রিদ্বী মশক লৌদুনা লাইমিংথোই পামশাংগী না য়েং ওইদা তোংদুনা লোইনদুনা লাকখিল্লরে ।।

মতম অসিদা মঙাইরোই সিজ শজাই মাজেজ খেনচংদা থুংলোকপী শান্নদুনা লৈওম্লম্বদগী মঙাইরোইশিঙ্গা লোইনদুনা সজাই মমুংদা চংশ্লগা ফিজং ৭ না থন্দুন হিপ্তুনা ভুমিল্লা য়াঙাংদনা

লৈঙমখরে ।। মঙাইরোই শিংগু তুমিন তুমিন লোম্ব্বনা লৈনখি ।। নোংপোক লাইমিংথোউ পাম-শবনা হংঙি, য়ুম অসিবু লৈশংবা কনা লৈঙহ্নগে? কনাগুম্বা কনাগুম্বী অমত্তন পাওখুমদে, অমুক হন্না পাওহংলক্লে মহুদা ওলাংবগা নিংথম্বগা ২না মশক্তি উহন্দনা খুম্লক্লে ।। লৈবাক্ত ঐথোই লৈঞ করিগুম্বা তাকপীগদবা লৈঙহ্নবো? লম অসি মী লাক্লগা ফিদাদি থানদবা লোম্ব্বনা লৈরবা অসিবু হৌ কেগে মাইগৈগী থাথংবা মুরাং পনবান অরাপ্পা লম অসিগী চংনরম ওইত্রা? মী লাক্লগা লোংপগু নংচদে; ফিদা থাদবগু মত্তে, মঙম চাওবা লৌশিংবা মীওই ওইঙহ্নবা য়াথঙজহুনা শঙ্গাই মমুংদা খুদা থাজগে লৈচংহুনা লৈথাবা খুদাবু লাংজরি অহুবু ইপাল্লাংদনা ফুংঙাইগত্রা পাওদজদবদি শঙ্গাই মমুংদা ঙাইজরিদো ।। পাওখুমবু তাবদা নোংপোক পামশাববু লৈচংলক্লুনা ল্যাইরৈমা পামশাবীগী ফমলেনগী মাংদা লৈথারিবা খুদাদা লেংশিন্দুনা ফমলে ।। থৌরম পাও-শানবা তাবদা লৈঙম্মিবা ইবেম্মশিং পুম্বা ইঙক ঙক্লরে ।। পাওহংবদি মশক উই পাওখুম্বদি শক-উদে করিবু কমদৌনা কদাইদগীবু পাওখুমলকপনো মপুক ঙকচানহুনা ইবেম্মগী লোইনরম্বী মতা-রোই পুম্বনা কোইয়েং য়েংনৈ ।। পামশাবনা হাই, ইমুং অসিবু মী হাইবা অহুবু কনা লৈঙম-দবরা রাম্নি অমতা পাওশাগে হাইববু তাবিনিংঙাহ লৈতেদা ।। নিংথম্বগা ওলাংবগা মশক্তি উহন্দনা খুমলকই — পাওশাবু তাজগে হাইবগী মুংশাংনা ঙাইহুনা লৈজরক্লবনে পাও-শাবিমবা লৈজদবনা তাজবা লৈফংদহুনা ওলাং ওমশাওহুনা নিংথম কম্বী লাংনা লৈঙমজরিবনি ঐথোইদি পুরারি লিবিদবা লৈরবদি থম্বু লৈথুনা লিবিরো তানফংদবা থৌরম্ব্ব য়াইফং থৌরম্ব্ব ওইজরগে ।।

তাবিরো লাই লৈমা হে পামশাবী, মমাংঙৈদা নমু তাইবংবু মৈহৌঙৈদা লাঙোংলেন কৌবগা ল্যাইরৈমা তোংখাংম্বু কৌবীগা অনিনা তাম্নহুনা য়ুম্বান থুহ্নাক্লরকপবু মচা অমতা চাদ নাওদববু তানফংদনা কুমজা কয়াবু লৈঙম্লক্লবদা অনিমক্লা তান্নহুনা য়োং মচা অমা মচাদা মচাগুম্মা মুংশি মুংঙোন্না থোইজং লৈতানা লৈমিম্মে ।। মখোই অনি অসিনা য়োং অসিবু চেংনা চাম্না লুনা মুংশিনা নাওয়োক নাওকোনবা চংলম অহুবু উবদা নোংদম্বা লাইনা পেনবিহুনা কুবি নোংদম্ব হুনা মতম থরগী মতুংদা মচা নিপা অমা পোকচবা তানফংলে ।। অঙাং অসিবু য়োংনাও অহুনা মতম পুম্বদা থানবা লৈতনা কোঞ্জন নাওকোন্দুনা লৈঙম্মি ।। য়োংনাও অসিনা অঙাং অসিবু লুনা চাম্না নাওকোল থৌরম্ব্ব উবদা মমা মপা অনিনা মতম পুম্বদা অঙাং অহুবু য়োংনাও অহুদা নাও-রোইবা থৌরম্ব্ব লৈশিম্নহুনা মখোই অনিনা মাগী মাগী মথৌ মওম্ব্ব শুহুনা লৈঙম্মে ।। নোং কোরৌ অমদি অঙাং মম্মা অহুনা নিংথা নাহোং অমোং অকাই থম্বু শুদোক চামথোক্লে হাই-বগী অঙাংবু য়োং অহুদা লৈশিম্নহুনা থনম্মি অহুগা অঙাক্কী মপানা শিং থিবা চংখিঞ ।। অঙাং

অহুবু য়োং অহুনা ঈরু থুদেং অমদা ঈশিং থরা হাপ্তুনা ঈরু থুদেং অহুগী মখুংদা থাঙ্গত্তুনা শাম্নহল্লগা য়োং অহুনা ঈপাল্লাংদা ফৌহুনা লৈবা শিংয়ন ফিলোনবু ইমুংদা লোইশিন্নবা থৌরাং নৈয়ে ।। ময়ক অহুদা তাংজা মিয়োনবী অমনা ঈশিং থৌরাংহুনা থুদেঙ্গী মখুংদা লৈবা ঈশিং অহুবু থগ্রয়ে ।। অঙাংহুনা শাম্নপোৎ চইনা রাখন্দুনা লিন অহুগী মবুক্তা ফুফুহুনা শামৈ, মানা অমুক্তা নত্তনা অরেপ্পা লৈতনা ফুহুনা শাম্নবহুদা থাংবা রারক্কুনা লিন অহুনা অঙাং অহুদা চিক্কুনা হু কামশিল্লম্লগা চংখ্রে ।। য়োং অহুনা মথৌ লোইহুনা অঙাঙ্গী মনাক্তা চংলকপদদি লিনগীহুনা মশা পুম্বা কাহত্তুনা তুম্বগী মতৌগুম্না লৈরমম্লে ।। থৌরম্ব, খংলহুনা য়োং অসিনা অঙাংবু লৈ-কন্নবা রাখন্দুনা নোংপোক লৈহৌচৌং মুঙ্গমহারাবগী চীঙ্গোন্দা চত্তুনা শিদ নাদয়াই পাম্বী হৌ-রিবর হেক্কুগে রাখন্দুনা থুনা য়াংনা খুদক অহুদা চংখি, ময়ক অসিদা অঙাং অহুগী মমা মপা অনিবু মাগী মাগী মথৌবু লোইহুনা হল্লকপদদি অঙাঙ্গী মতৌ উবদা অরাবা রাথন্না থুমহংখিহুনা মচাবু কৌহুনা লৈমাই থক্তা ওম্বোইনা খাংহুনা অরাবা মুংশি মৈচাকপু খাংহুনা লৈওমলক্লে ।। খুদক অহুদা য়োং অহু তবি তবি অঙাঙ্গী মনাক তম্না চেনশিল্লকই, য়োংনা চেল্লকপবু অঙাঙ্গী মমানা উহুনা ইচাবু লৈমাংনবা থৌশিল্লিবা য়োং লাক্লে নংঙসিদি খঙ্গনিদো লাওরকই ।। য়োংনা রাহে অহুবু অকি ভুজুং লৈতনা চেনশিল্লক্লে. খুদক অহুদা অঙাঙ্গী মপানা মখুত্তা উতুপ অমা পাইহুনা য়োংনা চেনশিল্লকপদা মকোক্তা থাহুনা য়োং অহু মকোক কাইহুনা ঈনা ইঙাং ঙাংনা চেম্বহুনা তুহুনা তুম্বগুম্না লৈখ্রে ।। খুদক অহুদা থোং অহুগী ময়াদা উনা চিক্কুনা লৈরম্ববু থেংনহুনা উনা অহুবু লৌরগা শুগাইহুনা ঈশিংদা নৈরগা অঙাং অহুদা তৈবদা অঙাং অহুবু মশাদগী লিনগী হুবু মাংখিহুনা হাম্নগী মতৌহম্না ঈরু খুদেং মখুং অহুদা শাম্নহুনা লৈঙম্ল উনা অহুবু লোক্টখিহুনা য়োং অহুদা তৌনবদি লৈথাকহৌদনবদগী যোং অহুদি অহুমমক মাংলে ।। অহুবু য়োং অসিনা মাংখিবশিগী অয়োনবশিবু পাঙশারিবা ঐনা ঙানফংগদরা, চৈথি চেমথেং পিরিবা য়োংবু মাংহন্নবা পাওদাক্লিবী অঙাঙ্গা মমানা পুগদরা মরম অসিমতা খংজগে ?

রাহং তাবদা নিংথম লাই, ঙলাং চাক ফনিন মশক্তি উহন্দনা শাইরক্লে; মরাল করি অমত্তা লৈজদবা য়োংবু মাংহনবগী অয়োন অরান লংজবা অসিদি অঙাংবু চীয়ম্বা লিম্নগু পুফাদ মাগীগু মথৌ মঙম পাংথোচবনি, অঙাং মপা য়োংবু মাংনবা থৌগুবনগু পুঙম্নোই পুরারি পাওশাবগু থৌরম অসি লৈ পাওশাজবনি থৌরম অহুগী অয়োনবা অরানবব থৌয়ানফম লৈউমদেএ ।। অহুদি অয়োন অরান অসিদি মাংফদে কদাই লৈংমগনি ? নোংপোক চাইমিংথোই পামশাবা অয়োন থৌরম্ব লৈথম থৌপুগদবাদ মীনা পুরারি পাওশারগা হোই মাই থংই থংদে হাইদনা

মনানদি তান্নগা তুমিন্না ফিজ্জং ৭ লৈখন্দুনা লৈঙম্বী মহাক্ত্রনা লৈথম্বা ওমগদবনি মানা তানফংশন্নু ।। ন্নাছৈ তাবদা ওক্লে, মশকশু উদে রাতা মঙাংলক্কুনা অশুক লুবা অয়োন অসিবু ঐঙোন্দা পুউম্নু হাইবা করম্না থোয়াকম থোকই, মসিদা ঐনা থুমজ্রবদি অয়োন লংজবগী পরম্ব থোপীবা থো-নম্ববু থোয়াবা থোক্লেদনা ন্নাথম্লক্কুনা হাইএ, করিনো পাওশানন্নিবা থোন্নম অসিবু করিশু মন্নাল লৈখিজ্রবা মাগী য়াইফংনবদা থোপুজঊম্বা য়োং অহুবু মাংহনখিবা অয়োন লংজববু ঐদি করি হুঙ্গা তানফঙ্গনি থোয়ম অহু ঐনা থোয়াবা ঊমজন্নোই ।। থোয়াবিগে থোয়্‌বিরোই হৌজিক্কি ননিংনি লৈম্নি চৈশিং অমদি লৈহৌরে । পামশবীগী ন্ন,থল অসি দুমঙাও ঙাওন্নে করিনে উসি অসিদা ওইউমলিবা থোদোক অসিবু ইমুং অসিদা ঐগী ইনাক অসিদা লৈফম্বদি তাইবং অমতা মন্নৈ প্নাওশাবদি তাইবং ৩/৪ লৈফম্না পাওশানবঙম থোকউমলিবা অসিবু করি ওহউন্নিবনো মওন মওন ন্নাথম্না তুমিন্না অমুক লৈউমথন্নে ।।

ওলাং লাইগা নিংথম লাইগা হাইবা ২শুবা পুন্নারি অমুক লিবা

পুন্নারি পাওশা অসিবু ওস্হোক্লনিংথি চংখোনাংগ্র অহুবু নাবদি ন্নাবিরন্নিনি, পুন্নারি পাওশা অসিগুম্বা অমতগা তাজনিংউদকো ।। লিবদি লিজ্জগে পুন্নারি তবিনবা তাইবং অসিনা শাংউম্না অসিদা ঐতনা পংঙাং ঙাংবা ওইঙমগজ্রা নিংবংনি ।। মচি মরুমদা পুন্নারিবু পাওদাবিবী পাম-শাবীগী লোইনবী লাই লৈম সিংনা লাওরকই ।। হাদা ইবুংনহাবা অমনা অগুম শাক্কাং পাওশা শাদম্বা, পুন্নারিবু পাওশাবিন্নিবা মখৈদি তাজ্জগে হাইবগী ঐখোই ময়াম লৈজন্নি পুন্নারিবু শংও্‌বদি ন্নাঙাংদবশু মঙাংলকই, করিবু তৌবনো থরশু মন্নিখো ।।x

তাবিও মমাংঙৈদা লুপ্রশিংদা চংলবী অরৈম্বনা মচা নিপা ১ গা তাওবা যুম্নশং ভুক্কয় থোবগা লৈমিন্নৈ ।। মতম মুংশাংনা লৈন্নক্কবদা নোংকোন্নৌ মদি তন্না চান্নবা তানফংহৌদ্রহুনা চন্না হেন্দুনা নোংকোন্নৌহুমা চন্না হেম্নক্লে ।। মতম অহুদা লুপ্রবীগী মচা মুপানা তাওবা অহুবু তাথিন্নে তাংবা অশি লৈরমজ্রংদি মানা চাখিবা চাক অহুনা ঐনা ঙাস চাহুনা লৈগদবনি চন্না মক্তৌ হেন্নোহ্নদবনি, চানিংঙাইমক লৈতবা ইমা অসি তাওবা অসিবু অশুক লুনা তৌহুনা য়োক্নিবশি য়াম্না চুমদবা চংলন্নি, তাওবসি ইমা খংহন্দনা য়োংস্তান্নগা মমন অহুনা মতম থন্নদশু চানা থন্নগনি হাইহুনা হুইগং শেমহুনা পুন্দুনা পুথন্নে । হুই অহুনা মাবু হুইগং থাংনা তিংহুনা পুন। অহুদা চংনিংদবা য়ানিংদবগী থূদমবু উত্তুনা মখোং খোংথাংবু থাংনা থাংনা ভুংবু ইন্দুনা থোংহুন হাইন্নকই ঐ

অসে নমানগু নংনগু লোইগুম্বা য়োকগুম্বা তাওবদি নত্তে ।। য়োনবদি চুম্মি নংনা ঐবু য়োনগনি পূম্মিবশে, অহুবু ঐ অসে নংবু পোকপীরম্বা অয়াংঙম্বা কৌবা পম্মৌ নপানা য়োক্লম্বা লোইরম্বা হুইয়া থৌজ্জানি, পম্মৌ নপানা লাথুপ লাইরৈনরগে রাখল্লকুনা চৎলমদাইদা করি হুংবু পম্মৌ নপানা ঐঙোন্দ লৈশিন্নবম্মিদে। ।। ঐগী তাওবা নংনা নাইরে লাথুপ লৈহোং ফালম নদরিবা মথৈবু পারি অপিচা অসিবু ননা ঙাকশেন্দুনা নাওকোন্দুনা লৈঙম্মু হাইনা নোং- দম্লমহুনা নম নচাবু ঐনা থানদনা লৈবনি নংনা ঐবু থাদোকন্নু, ঐ অসে পম্মৌ নপাগী ময়াথংবু থৌপুনা পালেম নমা নচাবু ঙাকশেল্লা লৈজবা য়ুমশং হুইয়া থৌজানে, য়ুমদা হজ্জিল্লশি চৎকন্নু পাও- শাইএ ।। হুইবু নহা অহুনা তাওবা অহুগী পাওশাবু থৌওইনবু তাবিদে, মাগী অশাওবা রাখল্লা থুমহুংখিহুনা নংনা রা অড় হাইরগা নংবু ঐনা য়োম্মোকলনি পুঙম্লক্লগা য়োন্দনা তোকওমগনি নিংবা শাবরা নজী নমন অর্দুনা তরা নোংমতবু ওইরবগু নোংলেম্মগে লাও নংনা চৎপা থাংহুনা কান্নরোই হাইনা কল্লা চিংহুনা তাইবং মরোল থংবা হুইজিন হুইয়া য়ৌজ্জব লৈনিংবা কনা কনা লৈঙম্বগে থুঞ্জা থুঙ্গং অম্বাইশিব, পাওশা লাও লাওহুনা লমথোং থুদিংদা কোইজ্জাইনরক্লে ।। থুদক অদুদা থুল অহুগী মরল লৈবা নিপা অমনা তাহুনা অঙাং নংনা য়োনগে হাইরিবা তাওবা অহুব মত্তিক মঙম্মু করিব লৈঙম্বা মাগী মমল্লা কয়াব লৌগ হাক্তঙম্লিবা ? ঐগী তাওবা অসিদি মমল লৈতে মাগী মথৌ মঙম অহুদি নংনা ননাক্তা থম্রগা লৈখঙ্গনি ঐনা হাইবনাদ নংনা উবা থংবা নত্তবনিনা হাইরুহুনা কান্নরোইএ ।। ফরে অহুদি তাওবা অহুগী মমন্দি ঐ কোম্মা পীগে হৌজিক ঙ্গী অথুবা করম্বা অচিন্নবা লৈবা থৌরম অহুগী মরম থরদং থৌহৌনবা ঐ লুপা থাং- ঙেন থাও অসিমা পিথিগে নং য়াব্রা ? ফরে কদাইনো পিরো ঐগী তাওবগী মঙম্মু থংলগ মাগী মমল অগুক পীবনা মঙম চাই হাইবদো মঙম য়েংলগা ঐগু লৌগ নংনগু পিরো ।। য়াহুনা লুপা থাংঙেন থাও অমা পুরক্তুনা অচা অথক্তা কোম্মনা পুরক্তুনা চরা তুম্মা তৌহুনা লৈরে ।। মমা অরৈম্ম তাওবগী মশক উদবগী অরাব রাথন্না থুমহুংথিবনা থোকাওরল্লবা মশানিবু নিংশিংনা তেংথা নাওরৈহুনা চাদ—থক্তুনা কপ্পতনা মাগী পোথাফম ওইহুনা লৈরমলাক্ল ।। নোংকবরৌ অমগী অঙ্গিংদা মীপোৎ মীরন পাম্বা তাইবং কাংবু অমনা মরল লৈবা নিপা অহুগী ময়ুমদা লাক্তুনা লুপা সনা হি য়াই লৈবা থৈবিকপু ঙম্ব মথৈ হুহুনা ময়োম ময়োম য়োমহুনা পুনবা থৌরাংলে ।। মথোই লাকলিবা মী শিংদগী মথোম পোৎ অমা হেন্দুনা য়ুম্ব অহুগী অরাং থংবা ইং.থাল চিথেক উরি রারি নাপী শিংনা হৌবা মোংশোং অমদা লোস্তুনা থনম্মগা মাগী মাগী নম্বো ময়োম অমমম পুহুনা ময়ুম পাংনা হম্মরে । থৌরম পুম্বা তাওবা য়ুমশং হুইয়া থৌজানা তুমিন তুমিন মাবু লৈঙম্মি লৈথংহন্দনা মথোইগী মতুং কোইন ইন্দুনা লৈথংথোকলগা হুরানবশিং অহুনা ময়ুম ময়ুদা লৈচংনহুনা লৈনথবা মতুংদা হনঙম্মকুনা ইনাক থুনবা অহুগী য়ুম অকোইবদা কোইনা চেন্দুনা

খোংহুনা লৈঙম্লে ॥ ইমুং অহুদা লৈবা তাইবং মখৈবু তুংবুন লিফানহুনা লৈবম্মা তাওবনা অহুক কন্না তত্তুনা খোংহুনা হৌদোকপবু তাইবং অমতা ফাওবা মপাল্লাংদা থোকওমলক্রে মহুদা তাওবা হুইয়া থৌজানা কদৌরবনো তাওমদে থোকওয়ক্কবা অসিবু হাইহুনা হুয়ালবশিংনা হুংলম্বা লৈথুন্দা চংলক্কুনা য়েংবদদি লোইনা ভুংবুন লিফানহুনা লৈঙমলম্লে ॥ খুঁদক অহুদা থৌয়িবু লিতোন চিক চিক্কুনা ভুংবুন লিফানববু লৌথোক্লে ॥ খুদক অহুদা কৈয়োই লৈকাই লৈঙম্বশিংগু কৈদৌরবনো ইমুং অসিবু তাওবা অমা য়াম্না খোংলম্লগা তুমিম্লগু লৈঙমখ্রি, ইমুং অসিগী মীগু লৈবা অমতা ইপাল্লাংদা উদে কয়ি মুংবু ওইরবা হাইনা লাক্কুনা য়েংওম্লবদদি তাওবা য়ুমশং হুইয়া থৌজানা তুংবুন লিফানববু লৌথোক্কুনা নাম্বোনবা থৌপুহুনা থাদোক্কববু উওম্বদা তাইবং পুম্বা তাওবগী মঙম্ব অঙকপা তানফংনহুনা য়েংঙমনৈ ॥ লিপুল্লম্ববু থাদোকপা লোইয়বদা ইনাক খুনবগী ফৈচোন ফিঙ জিবু ময়ানা চীক্কুনা চীংহুনা মপাল্লাংদা থোক্কবা থৌপুনহুনা ইমুংদগী মপান্দা পুঁউমক্কুনা ইংখোল ঔব্রাংথংবগী মোংশোংদা লৈথম্লম্বা পোংয়োম্বু তাক্কুনা ফংহল্লে ॥ মতুংদা তাওবা য়ুমশং হুইয়া-থৌবনা হুয়ানবাশিংবু ময়ুম তাক্কুনা লৈঙম্বা খুঙ্গা হৌনা চত্তুনা হুয়ানববু ফাহুনা তুংবুনলিফান ওমলে ॥ লৌওম ক্তুওমলকপা পুম্ববু লৈহন্নহন্দুনা পোংলম পুম্বা লৈরক্তন, ইনাক খুনবনা তানফং-নহুনা মপুক হুরাও তয়ামজুয়ে ॥

মজুংদা ইনাক খুনবা নিপা অহুনা শাগী খাংঙেন থাও অমবু য়োক্লম্বা কাংগী মপু অহুদা পীরু পাওশানা পীওমলে ॥ তাওবা অহুনা পোংশক অসি ঐনা হৌজিক পুহুনা চংলবদি লম্বী লম্মথাংদা তাইবং মপুক ফত্তবনা মুলহৌহুনা মাংহুনা তোকওমললনি, মুমিদাং অথেংবদা থিম্নবা থৌপুগ ব্রাথন্দুনা লোত্তুনা লৈথমলগা মুমিদাং অথেংবা লম্বী লম্মথাংদা তাইবং চংওমনদরবা মতমদা শা খাংঙেন হাপ্পা থাওবু ময়ানা চীক্কুনা মানা হান্না লৈরম্বা য়ুম অহুদা লাক্লে ॥ মতম্মা থেংবনা মীপুম খুদিং অহিং তুমওম তাম্নবা মতম ওইবনা পোথানরমহুনা তাওবনা মাঙ্গোল থেঙ্গং-লাংদা ময়োম অহুবু লৈথম্লগা থেংহুনা হৌদোকচৈ ॥ তাওবগী মথোল তাবদা অবৈন্দুনা কম্বাল্লাং-দগী হৌগংচবদি ওমদবনা মচাবু হৌদোকচহুনা তাওবা লাক্রে খোং থম্না হাংদোকপায় থৌদাজে, মহুদা মচা অহুনা মপুক খোইশাওবগা লোইননা হৌগংলক্কুনা য়োনম্রবা মক্তদা তুম্বা হীপ্পা কাইনবা খোং লাওহুনা অহিংদা হেক্তা মতৌয়ৈ লাখিংলরগু অয়ুক মুংথিল লাকপা য়াত্রা নংবু করম্বা হুইনো হাইনা খোং হাংদোক্লগা চোশিন্দুনা উতুপ অমনা তাওবগী মকোক্তা থাহুনা ইভাং পাক্করা ঈমু পামফেম্মহুনা তাওববু মালেম থক্তা ওম্বোইনা হৈ নাহেনা লৈথুপ সৈমাংনখ্রেগে ব্রাথমহুনা লৈখ্রে ॥ তাওবা য়ুমজং হুইয়া থৌজবু তানফংলিবা থৌরম অসিগী লংঙবা অয়োনবা ময়ান আসব সনা থাওজাও পীয়ক্লিবা ইনাক খুনবনা পুগদরা? অহুগা চৈ পাইহুনা তাওববু মাংহল্লগে থৌপুবনা

পুগদয়া ? অদুগা পুরারি পাওশারিবনা ফজদয়া পময় অসিতদি পাওদাকপিও ? ওলাং লাইগা নিংথম লাইগনা পাওথুমলক্লে মশক্তি উহন্দনা ।। পুরারি লিবজি ঐথোইনা তাজগে হাইবগী লিখিবনি পূফদে ।। পুরারি তারিবা ঐথোইশু তাওব হুইয়া থৌজনা মাংখিবগী অয়োম লংজববু পুফদে, মরমদি পুরারি হাইবা পাওশা তাবদা ইপুক্তি য়াথনবু চৎলম করিদা য়ারাক ভেংবাংনবগু পাওদাক করিবু লৈরো লৈওন্নগে পরম্ব লৈখংজগে তাবনি ।। ইনাক খুনবা নিপা অদনা তাওবা অহুবু পাওশিরমত্রবাদ তাওবশু মাংলমল্লোদবনি; অহুবু ইনাক খুনবা নিপা মাশু তাওবা মাংবগী অয়োন লংজববু পূফদে, তাওবা মাবু লৈভৈদা মাগী চৎলম লৈখংলগা পীওল্লগে হাইনখি অদু মুঙ্গী মাগী মমনবু লৈথিন্নহনখিবনি ।। তাওবনা মাগী মমনয়ু মাবু হন্না লোইরম্বা মপু অদুদা পীওমলগা তাইবং লক্তা লৈপানবদা মুংঙাইজবা তানফংনা লৈপাঙ্গবা ওইজশন্নু য়াথনবিতুনা অহিং অথেংবদা পুওমলক্তুনা পীওম্নবা থোংহুনা হৌদোকপীওমলগা শাওদুনা মথুং থুংলাই পাইদুনা তাওবয়ু মাংহন্নবা থৌপুহুনা চৈবী তেমথেংনহনবা নিপা অহনশু পুফদে, অহিং হাইবা অসিদি তাইবং মপোক্তা পোকওম্বগিদি য়াহিপ পোথাগদবা মতম্নি=য়াহিপ পোথাববু মপুং ফাদরিভৈদা য়াকৈরুম্বনা মাংখিবনি ।। থৌরম অসিগী অয়োন লংজবা মরানবু তানফংগদবদি য়াহিপ পোথাবগী মতমশু নত্তনা য়াহিপ পোথবী মরোন থোক্কবশু নত্তনা লোম্থোক্কবা শারিবী. মনা পংবশু নত্তনা মনাবু থোক্তজংনরিবী, মমিং তাংবশু নত্তনা মমিং তাংবা শাহুনা মনাক্তা লৈবা মীবু উশিন্নদনা লৈরিবী লাইরৈমা পামশবীগী মওম্নি ।। রাবু তাবদা পামশাবীনা হাইয়ে, তাওববু মাংহনখিবগী লংজবা মরানবু কবি মুঙ্গী পামশবী ঐনা পুগদগে ইতিক ইওমশু নংচদে, মরাল করি অমতা লৈখিদরবা মাগী তা য়াইফনবা থৌপুজরিবা তাওবা য়ুমশং হুইয়া থৌজা মাংহনবগী অয়োন লংজা পুম্বা ঐদি পুবা ওমজরোই ।। লংজা অয়োলবু পুরোই হাইরবশু পুগে হাইবিরবশু হাইবিনিংবতা হাইখিও পুরারি পাওশা ২থক্তি লিওম্লে, লৈয়ি অনি । x

উরাওবনা তেনরা হাংগা

ওলাং লাইগা নিংথম লাইগনা হাইএ হো ইবুংঙো লৌশিংবা পুরারি অসিবু ওঙ্গোক্না মুংঙাইজখয়ে, রাবদি পংবা রাবিররিনি অহুবু পুরারি অসিবু তাবগী অওকপা নাইখিদরে পুরারি অমত্তগা লিবিখো তাজহৌথিগেবা ।। লাইমিংথোই পামশাবনা হাইএ, পুরারি তাবিরিবা ইশানৌ ইবেম্মা নথোইবু কনা কনানো নশক অমতশু উওমদে হাইবিরকপা পাওশা মথৈদি তাওশি অহুবু

নখোই খ্বাইদগী নয়াথংবু থোবুনা পুন্নারিবুদি লিজগে ।। ইশক ইতৌ ইওং উবিদবগী মপুক রারো খোইশাওনখিনো ইজুং ইতম লৈথুংদবগী নাথৈ নারোংনা পুন্নারিবু তাজবনি ।। পাওশানববু তাবদা লাইরৈম্মা পামশাবী য়াখন কোইচাইমওয়ে ।। কনানো ঐবু শানা পাওশা পাওথুম্নরিবা অসিনা, পুন্নারিবু লিরিবা ইবুংলোই অলিবু খোইয়ুম লাইনা তাইবং শানা লাকওম্মা তাইবং মপোক অথোইবা তাইব' শানা লাকওম্বরা তাইবং মপোক অথোইবা মশক ওইরিগদবা থোইয়ুম কনানা ইকমলাংদা লাকপবু মাইথি মাইথুমনববু তানফংনহুনা হনওয়খিবনি ঙহুব্র ওসি থোংচংলকপা অসিবু রাওম থোপু থোয়াংবা ওইওমনখিদোরিবরা মতিক মওম চাওনা পাওশানৈদা নোংদম্বা নজী পাওথোনলোইবু ওইরবরা থংদেদকো নজী নোংদম নথৌজান হাইনা মওন মওন রাথমহুনা লৈওম্বা হৌএ ।।x

মৈতৈ লৈমা পামশাবী তারো থা থোংঙারেন কৌবা লমদমদা রায়েন নোংদম লুচিংবা উরাঙবা কৌবনা তেনরা তাইবং মীরোনবু নিংথিচংথোম্না খোকপা শম' য়োক্লম্মি ।। তেনরা অসিনা লম অসিগী রায়েন থৌদা অচুম অরান নোংদম্বগী থৌবম্ম মনাতনা নোংদম থৌপুনা রায়েম নেংদমহাল্ল ।। লম অসিগী রায়েন কয়া রাফাওবা লৈওম্বা অওম্বা কনাগুম্বগী মনা মপাও অমতা পাঙদৌনহুনা রায়েন নোংদমদে, মহুদা তেনরা অহুবু অওম্বাশিং লৈওম্বা অহুনা মপুক্তা তাথি মরোন লৈথানা তাংহুনা লৈওম্নেদা ।। নোং কোরো অমদা নোংথৌদা তেনরা মরুপ অমা পাকহুনা লাক দা পাইওমালবা তেনরাসিং অহুগা মরোন্দা থোংহুনা পাওশানৈএ ।। মথোইগী মরেল্না পওশানরগ চংলখিবা অহুদা রায়েন লুচিবাং উরাওবনা হংডি, নথোইনা থোংহুনা হাইনখিবা পাওশা অহু কারবু হাক-নাখিবনো ঐগী তেনরা ? অওম্বা ঔরাং কৌক্র চীংদা লৈবা (সিনমরি ' কৌবা হৈকোন্দা মহা ওইবা ওম্বা উহৈ (পাথং য়াংদোং হৈ)=অমু নহা তানফংহে হাইবা উহে অমা হৈকোন অহুদা পাল্লি হৌরিএ উহৈ অহুবু চারুসি হাইনা হৌবনি, মহুদা ঐনা ঐদি তাইবংঙ্গা লৈবানিনা নখোই খ্বাইগী নরক্তা তিন্দুনা চংশা ওমদ্রেদো পাইখিগনি হাইনগী খোংদা হেংলিং মলাং থাহুনা পুন্দুনা লৈবনা কোইনা চংপা ওমখিদরে, নখোই খ্বাইদি কোইনা থিহুনা পাইহুনা চারুবা য়াবানিনা চাকরো নথোইনা চাবা লোহরগা ঐগীশু পাথং য়াংদোং তানফং হৈ অমমং পুবিরকউ হাইনবনি ।। অহুদি নংবু চংনিংবরা, চংনিংবরামে ? অওম্বা চংচনিংঙি চাজনিংঙি, উহৈ অহুবু চাজরবদি ঐশু নহা অমুক তানফংনগদব হৈরাংনিদো ।। অহুদি নং পুন্সি মুংশাংনবা চারুরো নংনা থাদোকজুকো মফম অসিদা নং অমুক হল্লবউ ।। অওম্বা ঐ সোইদনা লাক্কনি অওম্বগী চা-নবশু পুজরকে ।। পাওশানহুনা তেনর'বু মথোংদগী য়োংহিং লৈথাদোক্লুনা চংহনখি । ঔরাং কৌক্র চীংলেন্দা লৈথুংহুনা মরুপ মপীজ্জা মাংথাখিবা তেনরা পুম্বগা উনহুনা মপুক হরাও

ভয়াম জহুনা তাইবংলক্তা লৈবগী মুংঙাই ব্রাম্নি কোঙ্গাই কয়াবু পাওশানহুনা তেনৱা লৈমিন্নবশিংদা তাহন থংহহুনা মপুক হরাও ভয়ামজহুনা (শিমরি হৈকোন্দা) পাইশন্নহুনা পাখং য়াংদোং তানফং হৈবু মনিং ভম্না চানরে ।। উহৈ চানববু মপুক পেন্নরক্লুনা হন্নশি হাইনা পাওশানরক্লবদা তেনৱা তাইবংলক্তা লৈবনা লুচিং থোপুবা অঙম্বা উরাওবদা পীজরগা (পাখং য়াংদোং তানফং হৈগী মঙম্ব) লৈখংজনবগীদমক্তা উহৈ অমা ময়ানা চীক্লুনা পুম্নক্লগা থংলরে ।। উরাওবা অঙম্বগী মথুক্তা পাখং য়াংদোং হৈবু পীঙম্মগা মাগী কাইদোং অক্লাদা তোংহুনা লৈঙ্গম্ম ।। উরাওবা অঙম্বনা পাখং য়াংদোং হৈবু চাগে তৌবদা অঙম্বা ব্রায়েন করাবশিংনা হাইএ, লুচিংবা উচেক ব্রাযানা পুরক্পা উহৈবু হেক্তা চাবিগে তৌবা অসিবু চুম্ব্রা অমুক্তা চাবা য়াবা উহৈরা নত্তবম্না চাং য়েংবিথিবনা ক্ষগদরা কমদৌনা অঙম্বা ব্রায়েন করাবা ? লুচিংবা উহৈ অদুবু উচেকশিংনা চাবদি অফবা ওইরগা তাইবংনা অমদি থবাই পানবা মশক অমনা চাবদা য়েনমৌনবা চীঙ্গাক ওইরম্মবদি কমদৌগবনো অঙম্বা ? অদুদি ব্রায়েন করাব কমদৌনা হৈরঙ্গী মঙম থংবা ভম্বা ? অঙম্বা লুচিংবা হৈরাংবু ঐভোন্দা অমুক্তা পাবিয় হাইহুনা হৈরাংবু লৌরে ।। মখোইদি তেনবাগা উরাওবগা পাওশানবা মতমদা হৈরাং পুরক্কনি হাইনখিববু তাঙমহৌহুনা থাং মচা অথৌবা অমদা হুতৈহুনা পুনরক্ললহুনা নাকন্দগী হু তৈবা থাং অহুনা হৈরাং অহু মচেৎ অমা শোইরগা লৌহুনা হুই অমদা পীজরে. খুদক অহুদা হুই অহু লৈবাক্তা থবো থরো ওল্লম্রগা মাংখরে ।। হুই অহুনা মাংখিবা উবদা উরাওবনা তাথিরে তেনৱা নংবু ঐনা য়োকপদি তাইবংনা চানা য়াদবা নচীঙ্গাকপু পুরক্লুনা পীজরগা ঐবু মাংনবা থৌরাংলিবা নং অসে ঐগী য়েক্লবনিদনা হাইহুনা অক্ল'দা তোংলিবা তেনবাবু চৈশুনা লামফু ফুবত্তুনা তেনৱা অহুশু মাংখরে ।। হৈবাং অহুশু অওহবমক ওইনা চাগদবনু অকি তুজুং পোক্লুনা হন্দাকখ্রে ।। অহুবু মাংবা য়াদদা হৈরাং পাখং য়াংদোং তানফং হৈবু মহুপুবা হৈবাং ভাহন্দুনা মতিক মঙানৱ মাংহনখিব থৌরম অসিবু কোকপ্পবগীদমক্তা হন্দাকখিবা হৈরাংবু নোংদম্বনা মউ মপান চাওনা হৌহল্ল ।। মতম থরগী মতুদা হৈরাং মপান শাত্তুনা মহৈ চুম্না পাল্লক্লুনা হৈরাং হৈজিং ফাওমহুনা হৈখোংদা বেন বন্দুনা য়াম্না তহুনা লৈঙম্লে ।। মতাং অসিদা পুন্সি নুংশাংলক্লবা অহন কুরু মালং কারবা তোলেনখোম্বগা মদাংবন লোংখাক্ত কৌবীগা মনুং মতম চারক্লবদা নিংভাই শাংদানহুনা পাওশানবদগী ইকাই নুংশি যাম্নখিবমা লোংখংনু কৌবীবু পাখং য়াংদোং তানফংনবা হৈরাংবু চাহুনা মাংগে হাইহুনা মখোংদা কেন্দুনা তাহুনা লৈবা হৈরাংবু খুন্দুনা চাবদা (অমু নহাগী) মওং ওইঙম্ম ।। খুদক অহুদা হৈরাং অহু খুন্দুনা মশাবী তোলেনখোম্বগী মনাক্তা লাক্লুনা মহাকী পরম্ব, পাওশাহুনা হৈরাং অহুবু পীজবদগী পাখং য়াংদোং অমগী মওং শক্তম ওইহুনা মবানিবু শক খংনরে ।। হৈরাঙ্গী মমিংবু অনিমক্তা তাম্নহুনা (মুরা হৈ) হাইনা মিংহুন্দুনা হৈরাংবু চাগদবগী মীপুম খুদিংনা মুম্নহুনা চানবদা মীপুম

খুদিং নোংঙৌনউম্রে ।। মতুদা তাওবং রাথন থেনবনা হৈরং অতুবু হুন্দোক্লুনা হৌরকপা লৈফম-দগী ফুক্লোক্তুনা মযুম ইংথোম্নুংদা থাওম্নগে রাখন্দুনা ওম্বা উরাওবনা থৌপুবদগী হুয়াক্তে মিংহুন-ববু মাংথ্রে ।।X

অশিদা ভেনরা তাওবা অমগা মথোই অনিবু মাংহনবগী ৫ংক্রবা অয়ান অসিবু কনানবু তানফঙ্গবা পরম অসিতদি তাকপিয়ু ।। ওলাং লাইগী নিংথম লাইগনা পাওন্নম্মি ।। হন্দকি অয়োনবা অসিদো অমতম্ম নত্তনা থৌরব অতুদা য়াওদবা থজবশু নত্তবা তাওবা অমশু য় ওনা মাংহল্লিবা মঙব চাওবা অয়োনবা অসিবু কনানবু থৌপুবা ওমগনি ।। থৌরম অসিবু থৌপুগদবদি ফিজং ৭ লৈখম্না হিপ্লিবী য়াহিপ মতম থংদবী মনাক্তা কনাহন্বনা পাওশাব্রগা মনানা তানা তা-শিন্নদনা লৈওম্বী, মরোল থোক্তবশু নঞ্জনা লোহ্নোক্তবী শারিবী লাই লৈমনা থৌপুগদবা অয়োন অরান মথৌনি ।। করিগী ঐনা থৌপুনগনি পুরারি তাগেশু হাইভুদবী ঐহাক্লি লাই লৈমা, [illegible] লংজ তানফংবদি মানা তৌজবনা মানা ফংবা ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা মতু'দ মশানা [illegible] অতুবু ঐথোইগীদি পাওশা অহুমগীদমক্তা পাওশাজবতনি পুবিজবশু কদৌ'দ শিংথব [illegible] হনবগী ইওম থৌপুজবনি লৈবিংহৌরো চংচবগে । থোইহুমগী পাওশা তানা লাগ্রমি থোই পাম-শাবশু হৌগত্তুনা ফম্নম্বদগী চংলগ তৌঙম্রে ।। থৌরম উবদা লাই লৈমা পামশানী নিংরোন [illegible] হাইদোক্লুনা ইতারোই নথোইবু কদৌওক্লিবনা লথংদদা হাইনা পাওতুমা চাংথবক্রে । থৌরম উবদা লাই লৈমা ময়াম্বু চোংথোক্লুনা লাহাংথোই পামশাব মত্তুনা ফারে ।।মতু'দা [illegible] পামশাবীনা মাগী রাশকপু লৈথুত্তুনা নোংপোক পামশাবগী ওইহন [illegible] নোংপোক মাইগেদা চাদা—নাওদনা লম্ব শেংদোকপা ওইনা পাম্লে । ১

২ নং ঔরাং লমদা হেনবা মনিংথৌ লমশেন লম্বুবা

উকোংলেনগা লাইরৈমা পুকশিথোম্বীগা অনিনা য়ুম্বান থুল্লিংহুনা মাইগৈ অসিদা লুচিংবা মনিংতম্বা অমা ওইনা হুংশাংনা লৈপান লৈপুনবম্বদা নোংদম্বগী মচানিপা অমা তানফংহুনা মমিংবু পোংলেমথোম্বা মিংহুম্লে ।। মতু'দা মচা হুপী অমগা পোত্তুনা মমিংবু থোংিং লৈমা মিংহুন তমহুনা মবম হুংশাংনা লৈপাল্লম্মগা লাই গুন্দুনা মাংথ্রে । X

৩ নং মখ্রা মাইগেদা খুন্দ যুল্লান খুম্হোকপা

থোংঙাইবা কৌবনা লাইরৈমা অঙাইবীগা যুম্বান খুল্লিং থোক্কুনা মাইগৈগী লুচিংবা ওইনা লৈপাল্লে ।। নোংদম্বগী নোংদম্মা মচা নিপা অমা তানফংহুনা মমিংবু নোংদম অথুবা মিংহুল্লে।। মতুংদা মচা মুপী অমগা তানফংহুনা মমিংবু (থোংঙাইবী) মিংহুঞ্জহুনা মাইগৈগী লুচিংবা ওইনা লৈপাল্লগা থোংঙাইবা লৈথুপখ্রে ।।

৪ নং ঔরাং হারম পানপাবা লাইবুংথৌ

লাই পাখং চেংঙাগা কোংতিং লৈমগনা পুম্বান খুল্লিং থোক্কুনা মচা নিপা অমা তানফং-জহুনা লম অনিগী লুচিংবা ওইনা লৈরম্মগা লাই ওইনা লৈখ্রে ।x

৫ নং নোংপোক চিংথৈ পানফবা মনিংথৌ

লাই পাখং খবাইগা লাইরৈমা থোংঙাইবীগা অনিনা যুম্বান খুল্লিং থোক্কুনা মচা নিঙা অমা তানফংজহুনা মমিংবু কুপ কংবা মিংহুল্লে ।। মতুংদা মচা মুপী অনশু পোক্কুনা মমিংবু লাইরৈমা খবাওম্বী মিংহুন্না লম অহুগী লুচিংবা ওইনা মুংশাংনা থুম্হাল্লম্লগা লাইওইখি ।।x

৬ নং খ্রামৈরম মনিংথৌ

লাই পাখং মুচেঙ্গা লাইরৈমা চে লৈমগা অনিা যুম্বান খুল্লিংথোক্কুনা মচানিং কুরুম্বগা মচা মুপী লাইরৈমা খিংবালোইথোম্বীগা, মুচেং লৈমগা পোক্কুনা মাইগৈ অসিগী লুচিংবা ওইনা লৈওম্লম্লগা মতুংদা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা করি করানবু লৈঙম্মিবা, লৈবাক্তি মপী মপা অসিবু লৈ-মুৎপা হাইবা অসিবু তশেংলত্রা লৈশেংলুগে ৱাথন্দুনা থোঙ্গা থোংরাই তম্লক্লে ।। মতম অসিদা

লাই তাইলং ওই থবা তেদে অশনবনা য়ুম্বান খুম্ভোকপদা পোক্লম্বী মচা মুপী লাই লৈমা তেং মাইমু কৌবীবু ময়ুম য়ুমলেপ্‌ মউ থাওমহুনা চাদা নাওদা হাথনা য়ুম্রীংলগে রাখল্লকুনা কোহজাহ-নরকপদা হৌ কংলৈ লম্মহনবদা য়ৌরক্লুনা শাথোক্লেএ ।। য়ুচেংনা তেংমাইমুবু উবদা খোন্দান খোই-মুম্বী মখোঞ্জেনবু ওমজনা পাওশানা লৈলংলক্লুনা নমথেক নমজনবা রাহৈনা পাওশা থেম্মোনহুনা তেংমাইমুগী মপুক্লিংবু শুমহৎনহুনা খুদক অহুদা খোইজং খোইদনবা ওইউন্নহুনা লিপ্পি খ্বাংজেং ওইনরে ।। (থৌরম্মু নংবা মহাম্রাবনা উওমহুন্না হি. থৌরম অসিদি ঐগী লাথুপ লায়ৈ লৈঅক্কৌ অমা শাফোংনবা থৌওম হৌবা পরম অমা তানফ'লে রাথম্লহুনা তেংমাইমুগী শিয়োম্ম্‌ংদ' লৈচং-লক্লুনা মউ চরি শাফোংনবা মতিক মওম অমা লৈথুপ ফম্বাল্‌ লাংহুনা লৈওমখরে ।। খুদক অহুদা তেংমাইমুনা মপুক মুংশি মুংঙোল্‌ ইকাই চরৈ মাইখুল লাংনা পাওশারকই ।। করিবু চংলম্লো খুদক অসিদা নমথেক নমজনবা চংলম্লা থৌওম থৌপুনখিবা অসিবু তাইবং চংলম্মদা লৈ-য়েনবদদি য়াওখিদবনি মশিদি শা-উচেক্লা লৈথুংখিবা চংলম্মু ওসি ঐব তানকংনহনবা করি মতে নো ওম্ভোকইদা, তম্বা নতিক হেনবা নভান চাওবনি ঐদি হাইবগা লোইননওম করি করাব লৈওম-দবা লৈকম অসিদা করিবু তৌওম্বনো' রাথন থৌপুনা থৌওম্বীবা অসিগী লমমন্দি লুতুঙ্গী থৌরম অমদা ঐগী লমমন শিংওমগে ।। হৌজিক্তি থোকওম ওইওমগ্রবনিনা মুপীজাবু লইবী ঐনদি ০া০ন মউ মরু হাইবা মশকপু ওইওমগ্রবনিনা করিবু থোইনা হাইওয়্‌রাহ পাওশারগ' মিংম্না হরা৮ন খুদাং শিক্ষম লাং মাইখুম চরৈ লাংনা লৈথ্রে ।। ইদাইরেন ইবেম্ম মুংশি মুংে ন খোইজং থো ই-দনখিবদগী থোকওমগ্রেদো, নঙ্গী নয়াথং লাংবচক্তি মতমদা ঐবু শোইদনা ত ানফ নব খইজংপ অহুবু চরৈ মাইথুম অহুদদি হাইদোক্লুনা ঐবু অমুক্লা য়েংওম্মুনা হাহতুনা কেপনা ভাইহুনা লৈববু তেংমাইমুনা য়েংওমদবদগী মফম অহুদা অহুম লৈথপ্পেত্রে । রা ওংবা লোংগ্রবদা তেংমাহমুনা মাইথম হাইদোক্লুনা য়েংওম্বদদি মশাবিবু লৈওমলমত্রে, হঙ্গদমা পাবু হংহৌদংনা লৈযম্বু লৌ-রোহৌদবদগী মতম থরা কোইজাইররম্মগা মবুং য়ুমদা হনওম্লক্লুনা লৈওমখি ।।১

লৈমা তরিংনু কনানো ?

কংলৈ তোংওপাত্তা পানফম্বা তেদে অশনবগী মফমদা লৈমা তারিংমু কৌবীনা ময়ুম য়ুম লপ চার কাংথং পুথং থংদনা কোইজাইনক্লুনা লৈবাক্তি মপী মপা ওইবা লিবা লুচিংবনা কাংলবদা কাংথং পুথংবু লৈথংবু লৈথংনগে হাইবগী লাথবদা মথা নিপা ৮ নিংতোল ১ গা পোক্লুনা নাওদা রম্বনি ।। মবু ৬ কি মমিংবু কোজোই, য়াংমা, দেশরোং, উরল খুবা, ইরেমা, থাবি ক্লৌএ ।।

মপ,া ২ গী মখিংদি উরেলহনবা লাংবা কৌএ ॥ তেংমাইঙ্গু কৌবীনা পাশকপু লৈথংহন্দনা নাওপুন্থুনা মখ,ং য়,মদা লৈওম্লবা থৌরম্, মখ,ং ৬না মপুক তাথি নাওইনা লৈওয়ে ॥ মপ,া ২ অহুনা অত্তাং ওইবনা মচেগী অন্নাবগী মরমদা লৈকোক্লবা করিব, তেংবাংবা ওম্বা মতম থোক্তবনা মতম অসিদা তেংমাইঙ্গু অসি য়াম্না রাবা খুদোংথিবা তানফংনহুনা লৈওম্মি ॥ কম থাদি লৈশুরক চাবদি মনিং লৈথুংদা হাইজ নিজবগু মিওমজ্জদবী ওইহুনা লৈওয়ে ॥ নোংকোরৌ অমা তেংমাইঙ্গু কৌবীনা মখোইগা য়,মলোন কৈরোম্লহুনা লৈবা অহন পুন্সি মুংশাংনা লৈপাল্লবা লাইনিংবা লোইদাম ওম্বা কৌবা ইং-খোল য়াম্না চাওনা কোইবগী যুমদা মনা মশিং থরদং নিরুপে ব্রাখন্দুনা চৎথি ॥ লোইদাম ওম্বনা তেংমাইঙ্গুবু উবদা তরাম তরাম্না কৌওমলক্লে ॥ মুপী মচা ইশুদি উদবা কুইরেদা, নচিন ননাও নখোইদি কমদোরিবা, নবুংশিঙ্গী চৎলম অসিনা চৎলম লৈতিন্নদবা চৎলম খুলোন অমা ওইহুনা ইপুনগু লৈচং লৈহংদবা হক্ল। মুংশাংলে, অহুব কমদোরিবা নংনা করি কমদোনা চারি থক্লিবা ? ইপু পলেম পম্মৌবু শেৎনা কাইনবিবা মুমিত্তগী চাস যাওগী মমুংদা নশুগী মু ও ইবা হাইবদো মশফ মতৌ করি কমদোনবে। লৈখংদনা ইনুং হতমু লৈখাংনহু ॥ লৈরিবী নশুনি ইপু ॥ মুংশিদা ইশুগী পাওশা অক্লিদো, অহুবু ইপুনা ইশুগী অরাবা ব্রাখনবু লৈকোক্লবা লৈতা লাইরাবু নোংলেম্লবা করিবু তেংবাংনগনি নপুগী হাইববু নোংদম্বগী থৌগনগীদমক্তা ইংখোল খরা খরা লৈশুনা হৈ লৈ খম্না খরা লৈথারিবা অসি মত্তাইদা ॥ মুপী মচা ওসিগী লাইরা অম্নেং তাবগী লৈকম্লবা চানিংবা মনা মশিং য়াওবরা লৈ-য়েংও, হেকওমজ্জক, থৌরম অসি মত্তাইদো ইপুনা অতুক তেংবাংনগদবা হাইববু মংনা চানিংবা রেংহুনা হেক্কচক নোংদমহুনা মনা মশিং হেকপা তেংমাইঙ্গু চংখি ॥ তেংমাইঙ্গুনা অশুম কোইনা যেংবদা পাল্লিবা হৈ-লৈ তৌরিবা ময়াম অহুগী মমুংদা মাইরেন অমতং তোমথিন ওইনা কৈরা শানা মা লোমদগী লৈথাং খক্ত,না পানবা অমা তানফংলে ॥ ম ইরেন অহুবু উবদগী অতোপ্পা অমা চানিংঙ্গ,রা লৈতনা মাইরেন অহুতগী ব্রখন খন্দুনা করিগুম্বা অমতা হেক্কনা মাইরেন অহুবু চানিংবা দাহন্দা লুপ্তুনা মযুমদা হল্লক্ল ॥ মতু'দা লোইদাম ওম্বা অহল অহুনা তেংমাইঙ্গুবু করি হেকওম পুওমজখিবা রেংবদা হেকওম পুওমনিংবা তাম্লেংনদ্রে । কদোরবনো করি করা অমতা হেকওম পুওমখিদেনা কদোরবনো ব্রাখন্দুনা লৈওমখি ॥ তেংমাইঙ্গুদি মুমিৎ তাবদা ওাইহুনা লৈওম্রমহুনা লোহদাম ওম্বা য়াচংবগী নোংদম্বগী কোলোইবু নিশিং শিংলাবা লোইহুনা ইমু' মমু,দা ফম্বাল লাংনা লৈওমগ্রবদা তেংমাইঙ্গুনা মাইরেনবু পানহৌবা মফমদা লৈচংলক্ত,না মাইরেন অহুবু হেক্লগা অহিং ওহুদা মরু মকু ফাওবা হুন্দোকপা লেমহনবা তৌদনা মপুক পেম্লবা চাহুনা পোথাহুনা লৈওমখি ॥ নোংভাল্লবদা অহন লোইদাম ওম্বনা ইংখোল কেইবা চংবদদি অশক্লহুনা অমতা পানবা মাইরেন লৈরমদবা পাল্লমদবা উবদা মবুক তাথিরহুনা কনাননো ঐগী নোংদম্বগী দমক্তা লৈথাক লেয়েংহুনা লৈথম্বা

মাইরেনবু লৈতাক্তনা লোম্না হেক্কনা চারিবা মশক অহুত্তদি নোংদম্বা মংনা অহন মতম ওইবা ঐ-ঙোন্দা অমুক্তদি মশক লৈখংনহনবিও পাওশানা নোংদম্বগী লৈফমদা মিংশ্না ইরা চেম্না থৌগিরক্লে ।। খুদক অহুদা নোংদম্বনা তেংমাইস্নুগী শিয়োম্নংদা লৈরিবা মশকপু মঙশমগী ওকখোংদগী লৈহৌনা মখোং মথুৎ পুম্মবু মাইরেনগী মশক্না য়োমহুনা লৈথমখরে; ক্লুমিং থরগী মতুংদা তেংমাইস্নু মাই-রেন্দা তাইবং মকোক পানবা মচা অমা পোক্লক্লে ।। মীপুম খুদিংনা কোইয়েং য়েংনৈ কম্নিনো মশক অসিদো ঈংগ্রে ফজখ্রেদা য়েংবগী পেনবা নাইদেদা অহুবু মশাদি মাইরেনগুম্না তুম্লিবশিবু নোংদম্বা কনানা শেমলক্লিবা থুংশেম্লো ওস্থোকপা অঙকপা থুংশেম শাথোক্লি কল্লকইদা শোম্নরক্লে ।।x

নোংচুপ লোক্লৌকোন্দা পানফা কোংটিংলেন

লাইপাথং কোংটিংলেম্না খুস্থোক খুন্দহুনা লৈফম অসিগী লুচিংবা লমপুবা ওইনা লৈহুনা ম-দাইরেন লাইরৈম্না ২গা য়ুম্বাম্মহুনা মদাইরেন অপানবী হাওম্ন লৈমনা মচা নিপা অমা তানফং-জহুনা লাইমিংবু পোংথা মিংহুল্লে ।। মতুং মচা নিপা ১গু তানফংজহুনা মমিংবু হৈনাওপোই মিং-হুল্লে ।। মতম অশিদা মদাইরেন অহন থিংবারোই খোম্বীও মচানুপী অমা তানফংজহুনা মমিংবু শ্মা লেম্বী মিংহুল্লে ।। মতম অসিদা কংলৈ তাংপাত্তা পাল্লম্বা তেদে অশনবগী মচা নুপী তেংমাইস্নু কৌবীবু মচা মাইরেন্দা তাইবং মকোক পানবা অমা পোক্কনা তাইবং মিরোনবু নিংথি চাংখোম্না ওাংগুি তাই হাইহুনা লৈফম খুদিংদগী চত্তনা য়েংনৈ ।। মতম অসিদা কোংটিংলেম্বা মনিং তম্বা ওইনা লৈএ ।।x

মাইবেন তাইবঙ্গী পুরারি

মাইরেন তাইবংনা কুমজা ১৫ লৈচংলকপা মতমদা মমা তেংমাইস্নুদা হাইএ, ইমা নচা ঐবু কুমজা কনন্ত ময়ামলক্লে অহুবু ইমানা নচা ঐবু পোকপীবগী নচানা ইমাগী থৌগনবু পোকপদগী ওসি ফাওবা অসিদা করিগুম্বা থৌরম অমতা পাংথোক্কনা থৌওম থৌপুক্তহুনা ইমাগী মতেংবু নচা ঐনা তৌগম্বা ওমদরিদো ইমা ।। ইমাগী মাইরেন ফমপ্রেং অহু ইচানা নক্তে মমা ঐনা লংজ-রকপা ইরাম্না মচা পোকচবগী মচাগী মপাম্না নুংঙাইজবা লেমজবা তানফংদবনি, মমা ঐনা পারি

ইচাগী মাংনবা চৎলম্মু পাম্নিনা মমা ওইবী ঐগী পীবুক্কুংদা লৈঙম্বা মতমদা চাহৈদবনু চাখিবা নামুং চৎলম থৌরম্মু ইপুক খোইজং লৈতানা থৌওম থৌপুখিবদগী তাইবং মপোক অথোই চংখোনবনু মাংহনবনি থৌরম অসি মমা ঐগী চৎলম ইরান্দগী তানফংবা তাক্তনি ।। মানি ইমা ইমানা তাকপীরীবা অহু ওইবা য়াই অহুবু ইমা কনাগুম্বা অমমা লংজা অয়োম থৌপুয়গা কমাগুম্বা অননা অয়োন লংজরুবা মরান্দগী তানফজন্দবা মরাল মহৈ অহুবু থৌশিন থৌপুবা হায়বা অসি লাই-রমলেনগী বায়েন্দদি থৌয়াদবা চৎলম্নি ।। ঐনা ইপোক অসিদা তানফংলিবা ইওং ইতৌ অসি নচা ঐনশু লংজবা থৌরম লৈবনা খোকওম ওইওম্নবনি, থৌরম অশিংগীদমক্তা ইমানা চিংনবা পূক্লিং অৱাবা তৌবীরুহু; ঐনা ঐনা ফংবনি, অহুগা থৌরম অসিতদি থৌপুনবা ইমানা থৌবাংবীও ।। ইমাগী ইবুংঙো নমাবু করি তৌওম্মু হায়বা ? ইমা ঐখোইগী মামহন ৬না খা মাইগৈদা হিদ ভোংহনা ললোন ইতিকপা চংপা অহু ঐশু থরা য়াওজগে হিদা থরা পুবিও হাইবিয়ু ইমানা ।। ইবুংঙো মহুবু কনানা য়ানিঙ্গবা, নখোংশু নথুংশু য়াওবা নত্ত কমদৌনা করিব পুবা থাংবা ওমগনি হাইহুনা য়াগবা ।। অচুম্বনি ইমানা তাকপীবা অহু নচা ঐনা ঐখ্বাইদৌন খোংখুংপু ইপাল্লাংজা লৈঙম্নবদি মাম্মশিংদা পুবিয়ু করিগী হাইজ বানোমগবনো ইমা নচা ঐশু তাইবং অমনা নোমফম শুফম থোকপন্ত নোমহুনা ইমাগী মতেং পাংবা ওম্নবা হোংনগদবনি অহুবু ঐনদি ঐখ্বাইপা মী মাম্নদবগী হাইজবাওনি য়াবিফম থোকইনা ইমা হাইদ হাইবিরু পোংচৈ শংবতশু মকাম্ননি ইমা ।।

মমা মচা অনিনা পাওশানবা রাবু অহন লোইদাম ওম্বনা মাগী ইংখোল মন্নংদা কোইনা চত্নুনা মহৈ মরোং পাওওম্লিবনু য়েংওম্বদা তাওমনুন অহন লোইদাম ওম্বনা মপুক রাখল্লক্লে ।। অঙাং অসিনা হৌঙিক মমাগী লৈকমদা পাওশাখিবা পরম অসিদি অঙাং অসিবু মাংনবা থৌপুবা অসিদি মমাতনা মাংনবা থৌপুবা নত্তে, লোইওাম ওম্বা ঐশু থৌপুবদা য়াওম্বেদনা ।। ঐনা মাই-রেন অমগীদমক্তা মিচৈ পীহুনা অশুক নিংথি চংখোনবা তাইবং মপোক শকথোং অসিবু মখোং মথুংপু মাইরেনগুম্না মশুং মশুং নাইনা তোঙ্গী মশক্তা য়োমহুনা মথক্তা কুনা কুপ্নীবশিবু ঐনা কুপহনবনিদনা, মশিংগী অয়োন অসিদি ঐ কমদৌবা ।। হে নোংদম্বা নঙ্গী থৌদা থৌপুবদা তাইবং নাওৱা অসিদি মাংলেদনা নোংদম্বা নংনা নোংদম্বীরো লোইদাম ওম্বগী লংজবনু লৈকোকপীহুনা ঐগী থৱাই হকচাংনা লৈঙম্লিঙৈ অসিদা তাইবং অপিচা অসিবু মপোক নিংথি চংখোনবু উহন-বিও হাইহুনা নাওৱা অপিচাগীদমক্তা নোংকোরৌবু নোঙ্গাংদনা নোংদম্বগী লাইমিং শিংথেক থা-গোম্না লৈঙমম্লে ।।X

তাইবং মাইরেন্না হিদিঙ্গা মরং খ্বানবা য়াওবা

তাইবং মাইরেন ফমপ্রেংনা নোঙ্গাংদনা পাওশাবা অহুনা মমা তেংমাইহুনা লৈঙম থাংওম্বা য়াত্রহুনা মবুং ৬ ক্কী লৈফমদা লাক লাকুনা হাইজরক্লবদা মবুং ৬না মমৈ থংদদি য়াবিহুন মবুং ৬না মমাক তাইবং মাইরেন অহুবু রাকয়ৈ অচৌবা অহুদা ফৈজা অমা কোন্দুনা থাংদে কুনা কমংহল্লে ।। ঐখোইনা মরং খাল্লিঙৈদা পোংশং হনবা হাইবা অহু মঙাইরে হাইহুনা পুবিহুনা খা মাইগে পাংনা পুথরকুনা (চীংনুং রাংত্রেনগী হিথাথেন্দা) হিথাংহুনা হিবু থনম্মগা কোঙ্গোইনে, মনাও য়াংমানে, মনাও দেমরোংনে, মনাও উরেল খুব', মনাও ইরৈবা মনাও থাঙ্গীনে মখোই মচিন মনাও ৬ পু শমজি খাইহুনা মাগী চাগী মঙাইশিংনা লৈঙম্বা লৈফমদা চংনম্বে । মখোই ৭ না মরং খনবা লাকপদা উচি পিবা অমগা, শবি পিবা অমগা লাইরেল শিদবগা মখোই অ..ম তাইবং মাইরেনগী ভুঙ্গী থোবাংনবা ব্রা তাম্নহুনা হিগী হিরমদা পাওশানহুনা লৈমিঙৈদা খো চং ৭ না থেংনবদগী মাগী মাম্মা ৬না মশক অহুম অনিদ্দি ইম্মাক্কি শাম্নপোং ওইরবগু মকাম্নবা ওইবা য়াই খঙুনা মশক অহুম্বু হিথক্তা হাপুনা পুরকই ।। মাগী মাম্মা ৬না মরং খনবা চংপ্রবদা তাইবং মাইরেন্না শবি পিবা নংনা উরুং কোংগে „উচি পিবা নংনা উরুং কোংগে লাইরেল শিদবা নংনা ঙাহিং শ্ম.ঙাং ঙমি পিবা নখোই অহুম্বু ননিং লৈথুংহনবা ঐদি ইখুৎ ইখোং লৈম্পান্দবনিনা ঙম্মারাই, মন্নুং মতম চাববা মং.দা কোরকে ঙসিদগী মরুপ শাম্নশে নঙ্গী নঙ্গী লৈফমদা চংলুখো হাংনে ঙাংনহুন মশথ অশং..
চংহনখি ।।

মতম অসিদা লাইরৈমা কোইজাইনবী চীনফুরোন লৈচিক ঙানবী, লাইরৈমা লৈংমালন, লাইরৈমা চিংহু লৈমা, লাইরৈমা হাইহু লৈমা, লাইরৈমা পিশিম্ন, লাইরৈমা পিশিনাংথৌবী, লাইরৈমা তোম্বী পীয়াইহু মখোই ৭ পু থৌনহুনা হিথাং থেন অসিদা ঈফুনাহুনা শাম্নগে হাইহুনা ভুরৈ হুংদা কুমথারকুনা চরৈ খ্বাংশেং ফিরোনব কংফাল্লাংদা লৈথম্নগা লাইজমুংদা ফন ফন চেংথনহুনা ইরোই, ঈফু, ঈচাইনহুনা অকি তুজুং লৈতনা শাম্নৈএ ।। মখোইনা ইগানা শাম্নবগী ইথকক ইপোমনা রকয়ৈ = হিবু হাইবনা তাইবং মাইরেন ফমপ্রেং ঙম্বাদৌর ।। খুদক অহুদা লাওরকই, ইশানৌ নখোইনা শাম্নবদো ওরেদনা তোক্লশি শাম্নবগি ইপোম্না হি অসিবু হাইবনা ঐবু ঙম্নগদৌরে কমদৌশিগবনো রাওইনা তাবিদে শম্নবনা নমহংখিহুনা কম্নিবু নাচুংদনা শাম্নহুনা মরৈরবদা অশাওবগা লোইনহুনা হাই, হাই চরৈ খ্বাংচেং য়াওদবগী ইকাই খংদবীশা কনাগুম্বনা পাওশাবগু রাওই থৌওইদা নখোই অশিবু হৈনাই শুনাইদবী কাংথং পুথং থংদবা ওইনা তৌবম্না-

ভোক্লো হাইরবদি মতোক্লে নখোইবু করম্বা মী লাইনো ? পাওশা অয়াকপা তাবদা কনাব লৈওম্বনো ছিথেনশিদা হাইহুনা মখোই ৭ না কোইয়েং য়েংনবদা কনাবু লৈবা উত্তমদহুনা ঐখোইনা ভাগ্যোদয়নিনা হাইনহুনা অমুক লুংঙাইনা অকি ভুজুং লৈতনা শান্নরক্লে ॥ মাইরেন ফমপ্রেংনা তাথিরে ঐ হৌজিক মখোই অসিদা করি থৌপিশিবা রাখনবদা নিংশিংলক্লে অবি লুচিংবা পিবা শরুং কৌবনে, উরং কৌবা উচি পিবনে, ভাহিং স্নাতাং কৌবা লুচিংবা পিরগা নিংশিং থাকৌরক্লে ॥ মত্তম অমতদা মখোই তবু লৈথুংলহুনা মরুপ মংনা ঐখোইবু কৌববু ননিং থুংদবা করিবু লৈওম্বা তাকওম্মু থোওম থৌপুনরগে । ভাহিং শ্নাতাং ঐদি হৌজিক্কি থোংগু থুংগু লৈক্না লৈথম্নরিবা অসিনা করিগুম্বা ঈশিং অসিদা তাহুনা থুদোংথিবা থোকলগত্রা ঐর ইপুক রাখল চিংনবা পরম অমা পোকওম্নকই. করিগুম্বা ঐনা খোংথুংপু লৈগুনত্রিভেদা ঈশিঙ্গী মঙুংদা তাবা থোকওম্নবদি ঈশিংদগী কংথাল্লাংবু য়োনবা থৌরম অসি কোরৌ অসিদগী নঙ্গী নওস্থ ওইনা থৌওাইহুনা ঐবু থরা লৈশংঙ্নে ॥ মহুদি ঐগী ইথৌ ইওম্মি নংনা চংপা ঈখোং খুঁদিংদা ঈমুংবুংদা ঐ কোইনা চঙ্না লৈবহু মত্তাই ঐবু কনানা করিবু থৌওমগবনো ঐ লৈরনি হাইহুনা লৈওমলে ইমুংবুংদা লুপ্তনা ॥ মরুপ উরং নংনা লৈরাইদা লৈওম্লিবা চরৈ থাংশং নমথাং অশিবু ইকাই খংদবী কাংথং পুখং নাইদবী মখোইবু উহন খংহন্দনা লৌরুরগা ঐগী ইনাক্তা চরা লৈথম্নস্নে ॥ মতু দ উচি ঐগী ইথৌ ইওম্মি ॥ লৌকরগে হাইহুনা লাইরেম্বী ৭ না হচাইনহুনা কন্না শান্নরিভেদা খংহন উহন্দনু দিবোন পুন্না চেনশিন্নক্লুনা মনাক্তা থম্বারে । মরুপ শরং শবি নংনা ক্তি অশিবু ইপোম অশিদা হাইদনবা ফাহুনা থরা লেহন্নু ॥ লৈবাদ লৈগে অহুদা ঐগী হওম তাশংনদি লৌপ লোমশোন মরিন ওংপনি, নংম খৌদরবনিনা হাইদনবা যানলা ওম্বা মথৈ পৌরাঙ্গে হাইহুনা লৈচাক লৈগে ৎথহুনা ইমুংবুংদগী রাকযৈবু লৈতাহল্লে x

ভাহাক লৈওম্নগা লাইরেম্বী ৭ পু শান্নবা লোইহুনা চরৈ পোংনগে য়ংনদদি লৈওম্নদহুনা কোইভাওনরে । কোইনা য়েংনবদা ইবেম্মা অতোনবী পীয়াইনুন উত্তমহুনা রাকযৈ হিংমুংদা লৈরে পাওদাকলক্লুনা চরৈ নমথাংগু লৌগে পৌবদা মাইরেন ফমপ্রেংনা মচেরে ॥ হাত লাইরেম্বীশা ঐ অসে নিপা অমনি থংগু ইখোং ইথুং পান্দবা অসিদা নখোইনা ঐবু অকি ভুজুংবা ইবাই লৈথুমনদ্রমান্নে, ফিরোন অহু ঐগী রাবু তাদনা নমথেক নমভনহুনা মখোং মথুং যওদবনি করিব তৌওমগবনা রাখন থৌপুনা লৈরৌরবদি নখোই থুদিঙ্গী লাথপ থুদিংদা ঐনা ওইঙম্মিবা ইওং ইতৌ অসিবু তানফনবা ওহওম্মু মফম অসিদা ঐ লৈ হাইবশিবু নখোই উদা খংদবরা নখোই ৭ কী ফিরোন অহুনা মফম অসিদা লৈরম্মিবা অহুবু করিমুঙ্গী লৈমম্বনো নপুক রাখন থন্দনদি করিবু মুঙ্গী রাথন্দবা করি নমকেং লমহাইনম্রিবা ঐনা ওইরিবা ইওং অসি উদবরা ঐগু নখোই-

দৌনা লমকেং লমহাইবদগী পলেমগী পিবুকলুংদা তানফংখিবা ইওংনি লংজৌ। মা তাবদা লাই-রেম্বী ৭মক ফিরোন পুম্বা মথুত্তগী হিগুলুংদা থাদরে॥ হবুংলোই নংবু কনাগো লৈফম অসিদা লৈগুম্বী হাইববু থংগম উগমজরুক্লে ঐখোইগী অয়ো লাংজা থৈবিকপু লৈকনবিছুনা ঐখোইগী খ্বাংশেং মমথাং ফিরোন অসিতদি পিনবিও॥ অশাইদি হাত্রগা মিচৈ ফংলগা নিবরা, পিগন্ন-বোই হৌজিক্তি ঐগী লাইরা অয়েং তাববু তেংবাংগগে ইথুৎ ইখোং য়াওদে হাইছুনা নমছুনা পুবদি পুজখো॥ ইবুংলোইনা লাইরা অয়েং তাবগীদমক্তদি ঐগী খুদোপ তম্ফা য়াই অসিবু পিজগে॥ করি লাই লৈমা তোম্বী পীয়াইমু ইথুৎতু য়াওদবা ঐনা খুদোপ্তুনা কদৌ দৌরিবা অত্থুগা মানা করিবু কান্নবা ফংদোবা? খুদোপ অসিদি পোৎলম পুম্বা পুথোক্তুনা থোকহল্লু লৈথম্ম পাওশিবদা পুথোক্তুনা লৈথম্বা গুম্বা তম্ফা য়াই কৌবা খুদোপনে॥ অত্থুদি নখোইনা শেংন ইন্নবা ফিরোনবু লৈগুম্মিবা অসি পুম্বা হেক থোকহল্লগা শেক্তুনা চৎপদি কৈদৌই? চুম্মি তাইবং মপোক্কি চৎ-লমদদি ইবুং লোইদি তাইবং মপোক্তা শাথোকলুছুনা লৈকাওনম্রমান্নে; ঐদি থৌকাওরুরবগু নিং-শিংজরকলে খুদোপ অসিদা ইবুংলোইগী লাথুপ শাথোক অসিগী তেংবাং পৌরম্ব ওহনা লৈথম-জরম্মগে লৌবিদবা তৌবিম্ম অত্থুগা ফিরোন অসিবু লৈথেকপা ডমদবা নত্তে শাথোকপবু লৈগুম্মি অত্থুমমক ওইছুনগু ঐখেই ৭না শাথোকপদা শেংগম্বা চরৈ নত্তনদি লাইরমনেন্দা লৈত্তিনব যা-গুমদবনা ফিরোন অসিবু নিজবনে। থংডে অত্থুদি খুদোপ অত্থুগী মগুম্ব ঐবু উহন থংহল্লদনা ঐ য়ারগে॥ লাইরৈমা পিয়াইমুনা মথুৎ খুৎনিংথৌদগী খুদোপ্প মাইরেন ফমপ্রেৎকি মমাংদা লে থম্মগা তম্ফায়াই খুদোপ তাইবং চিঙ্গাক ওইবা ফৌ হাইবা মশকপু হিজাও অসিদা মতিক চানা শাথোক লৈগাপ লৈথুম্ম পাওশিবদা খুদক অত্থুদা হিমাই থনকোক তৌনা লৈগুম্ম॥ থৌবম্ব উবদা থৌয়ানরছুনা ফিরেনবু পীগমলে লাইরৈম পিয়াইমুনা মাইরেন যমপ্রেৎকি লুতেনগী শম্লাংদা তম্ফা য়াই খুদোপ্প পুনশিনবিরগা হাই, হে তমফা য়াই ঐনা নংবু লৈথম্নাশে হবুংলোই মাইরেন ফমপ্রেৎকি ময়াথংবু তানফংদবা তাইবং কনাবু উহন থংহনবা তৌগম্ভু॥ কৈহৌর়া নংনা মখৌ মগুম্বু থৌগম থৌপুনবা তৌগম্ম্রো পাংশানা লৈশিম্নরম্বগা লাইবৈমা ৭ মক হমল্লে॥X

ওাহাক লৈরগা নম্বো মচা অমমম পুক্তনা মাইরেন ফমপ্রেৎকি মাম্মা ৬পু থুংলরে লৈবম্বা ফৌয়াম্ব উবদা গুক্তছুনা হংলক্লে, ইমান ইবুংগো ফৌ অসিদি কদাইদগী কবিবু কমদৌনা তানফং-লম্বনো? মামহন কৌ অসিবু নমাম্না তানফংজবদি ননাকনদি ইথুৎকা য়াওদা চানিংগাই থক্লিংগাই অন্না লৈথম তানবদগী মাম্মাশিঙ্গী তুংইগুছুনা হি তোংছুনা অচা অথকপু মরন থানবা লাকপনি ঐনা চৎপা গুমদবনিনা হি অসিবু সংজবা ওইনা লৈগুমহৌবনি হাইজবা অত্থুদা মযম অত্থুদা লাকগুম্বিবম্বা ইমা ইবেন ইপা ইপনশিং অক্তুনা নমাক্কি ইওং ইতৌ উবদা জুংশিবিছুনা নখোং

নথুংগু য়াওদবা নংনা চানিংঙাই লৈঙমদবনা লাকঙমগিবোইরেদকো য়েংদা মুংঙা'ংদা লায়রবা অনংবা হাইবা লাইথুং অসেনা ইতিক ইঙম্মি ইঙম নাত্তে লৈখনখিগ্রনিদো চানা থক্কবা থবাদবু লৈফংলবদি রাখন্দুনা লাকচারিবনিদকো ওংম্বাকপনি ঙাংনরম্মগা ঐবু মুমা মুম্না য়েংনরম্মগা হৌম্নংগ্রে অহুগা ঙাইহাক লৈরগ অহন নহা ময়াম লাক্কুনা ফো অসি পুরক পুংক্কুনা নমা নচানা লাইরা অয়েং তানববু লৈঙক্লবা তৌঙমনৌ পাওশানা পংহৈদা হৈহুনা পিনরম্বা ফৌনি মাম্মা ।। ঙুংঙাইদা মাঙ্গৌরেন ইমাক্না হনদ্র লাকপা অসিদি য়াইফং খোংশান তানংখংনিদনা হাইহুনা ময়ুমদা লৈহম্লবা তৌংম্মরে ।।x

মরৎ খানবা হল্লকপগী পরম

মচিন মনাও মখোই ৬পু ফৌগী মশক উৎদা মপুক হরাও তয়াম্মে, ঙাহাক লৈরগা মাইরেন ফমংপেংকি মরমদা মাগী মাম্মা কোঙ্গোইনা হংলকই, মাকলৌরেন ফো অসিদি কনাগুম্বীশিংনা ইমাকপু মুংশিন্দুনা ইমাক্কি চানবা পিরম্বা ফৌনিদো অহুবু মাম্ম খাইবু কমদৌ হাইবা? মাম্মা খোইনা পুরকপা ময়োম তানফংলকালবা অসিদি মাম্মাখোইনা থরদি পুরকলে নংনা শংবগী শংবা শংলমখে ঐখোই অনুক অমামমদা খাল্লুখিগে ।। মাম্মা অহম্মা তাকপীবা চুম্বদি চুম্মি অহুবু খোংফম অসিদা লকামম্নবা ঐখোই ৭ নি, অমনবু ফংলংগু ফংগ্রবগু ঐখোই ৭ অসিদি থরা থরদা থুংলবগু য়েম্মহুনা চামিম্নগদবনি মামহন, অমা অমদা অয়ুক মরন খাল্লরগনু হি অমা মপোং য়াওদ্রিবা অহুদা ফো থরগা এনশাং নপী থরগা য়েংম্বাকনা পোংলম মাম্মনবা শেম্নগা হৈহম্নবা তৌঙম্নশি মাম্মা ।। অংদি হনাওশা পোংশি থুগাইহুনা রাকয়ে ২ অসিগী পোং শেম্নবা তৌঙম্নশি, উরেলথুবা নংনা (থানিংথোদা লৈকৎনবা য়েলহিং অমুবা) অমতা লৌরু চংহনখিহুনা মচিন মনাও ৫ না হি ২ গী মপোং শেম্বা লোইহুনা লৈরে ।। উরেল থুবদি য়েলহিংদি থিবাদ থিদনা মপুক্কা রাখল অমা তৌহুনা য়েলহিং য়েল থিবা ফংদে তোক্লশি মতুংদা মকৎলাশি হাইরহুনা অহুম মানা ওমহুনা তোক্লে ।। উরেল থুবনা হাই য়াম্বা অহুমগা ইশানৌ ২ গনা হিবু নিংথিনা শেন্নবিয়ু অহুগা ইমাক্কি ঐগা তোংমিম্নহুনা হিনা মবুক লৈথল্লবনিনা শেংইবা হাইবশে তম্বা ওম্বা নক্কে ঐনা থরা চেকাশন্না ঙাকশেম্নবা তৌঙমগে হাইহুনা মাইরেন ফমপ্রেংনা তোংবা হিদা কাখত্তুনা মম্মাকী মনাক্তা লাক্কুনা ফমলে হিগা হিহোন তম্নকলে ।। থানিংদৌ তনখৎলকপদা নোংলৈ মুংশিং অমা হৌরকলে ঈশিং ঈথক ঈপোমবু ইহুন চাওনা চেম্নকলে রাকয়ে হিরু হিনাও লৈচুম্বদা রাকয়ে

ফৈগাকফৈখিত্তুনা হিবু লাকওমগে, তৌওমলে, মপা চায়ে হাইত্তুনা উরেল থুবনা মাইরেন ফমপ্রেংপু ঈশিংদা ইম্বখ্রে ॥ খুদক অত্তুদা তুবি লাই শিদবনা মনঙন্দা হাপ্তুনা মাইরেন ফমপ্রেংপু মুং-শিংকি মাং থানা পুখ্রে ॥ ময়াম্বা মনাওশিংবু কোরৌ ও নি চুপ্প ঈশিংদা কুমত্তুনা লুপ্তুনা থিন-হল্লি ॥ মানা থরই রাশিন্নবা শাত্তুনা কৌত্তুনা কপ্লি, হা মাবল্লৌরেল নম্বুং নতম লৈরাংলি লৈফম অসিদা লৈহল্লকখো, লৈফম কদাইদা শাথোকলগে চংখিবা লৈফমওদি লৈথংহল্লুনা, মাম্মবু কল্লিব হাইনা পাওদমগবনো হাইনা তেংথা নাওয়ৈত্তুনা কপশিল্লত্তুনা ঐ খ্বাইগী মমাংদা চুম্না ওম্ব-খিবা ওইনা থোকহল্লি থিবদা ফংদ্রেবা অত্তুদদি কদৌনিংঙাই লৈতবনা ময়ুম য়ৌনবা খোংশান ইহোন লৈতমলে ॥ তুবি লাই শিদবনা মাইরেন ফমপ্রেংপু মনঙন্দা পুবদি মওম্ব, থোংশাল্লরোই হাইত্তুনা ময়ানা উমত্তুনা তুলূ কোই খোংলম কয়াবু লৈশম্না অহিং হুংথিল পোথাবা লৈতনা পুওম্লক্কুনা মাগী খরাই থোঙান্দা থমলে ॥ চিংঙ ইবুংঙো ঐদি লৈহল্লগে চংলো তুবি শিদবা ঐ ইমাবু কৌত্তুনা থাংজলহল্লগে হাইনত্তুনা চংথরে ॥ মাইরেন ফমপ্রেংনা মমাবু কৌনদা মমানা তারত্তুনা মৌপা ২ বু কৌজত্তুনা মচাবু ময়ুমদা পুশিনহল্লে ॥ মাইরেন ফমপ্রেংনা মাবু ঈশিংদা ইম্বগী পরম্ব মাগী মাম্মা অতোনবা উরেল হনবগা লাংবগা মমাপা ও দা পাওদমত্তুনা থংহল্লি মাবু ময়ুম থোঙান্দা লৈথম্নীবা থৌরম্ব তাহল্লি ॥x

মমাং খানবা হিদা চংলুবা তাইবং মাইরেন ফমপ্রেংকি মাম্মবু লৈখুংলত্তুনা তেংমাইম্নু মচনগী য়ুমদা লাক্কুনা কপ্তুনা পাওদম্মি ॥ তেংমাইম্নু হৌজিক্তি কবি খোল্লবান মংলে, ঐ-খাইনা হাইবদা ইমাকপু চংহন্নীংদবগুম রাথনবদো থৌরম অসিবু উত্তুনা হাইহানচ ঈশিং চথক অঙাওবা লাকপদা ইমাক অমতা লৈজববু ওম্বখিত্তুনা মাংখ্রে ॥ কোরৌ ও নি চুপ্প থিববু ও নফংদরেদো হৌজিক ঐখোই পুম্বগী য়াইবী মশক ওইনা লৈজবা ইমাবপু লৈফম খংদনা মাংহনখ্রে দা মশিবু ঐখোইনা হাইবদা ইচম নংনা য়াওম্লবদি থৌদোক অশিবু থোকওমলোইদবনি, মশি তেংমাইম্নু নংনা থোকহনবনিদো ঐখোইবুশু মিংচং থিহন্নবা নংনা থৌশিল্লদে ॥ পাঙশা রাবু তাবদা ইমুং মমুংদগী মাইরেন ফমপ্রেংনা লাওরকই, নখাই অশিবু কমদৌনা তাইবং মপোক্তা পোকওম্লম্বা হিংচা য়াইতম্বা শাহিং চাবগী লমচংপু চংওম্লম্বা নখেই অসিবু ইমাগা পোকমিন্নবা মাইরেন ঐগী মাম্মনিকো শাগী লমচং চংপশা ইমা ঐবু মপান্দা পংদোবপিয়ু মামতোন ২ গা কৌবিবম্মু ॥ ইমাগা পোকমিন্নবা মাম্মা হায়বশি ঐগীদি মরুগী খোজাল ওইবনি হাইববু শাগী লমচংনা থৌ-পুবগী রাবু তাবদা ঐগী থমোই অসি নিক্লে, থৌরম পুম্ব লৈখনবা ঐগা পাওশানগে মাম্মাশিং অহিং অসিগী মমুংদা মপুক রাথন ফত্তংশু লেথংনবা পাওশারমগে ॥ ইমুংদগী হন্না হন্না বন্না লাওবদা তাওমলক্কুনা উরেল হনবগা লাংবগা মাইরেন ফমপ্রেংকী মামতোন অনিশু চংলক্ল ॥

মাইরেন ক্ষমপ্রেংনা মামতোন ঐবু মপান্দা অমুক্তা থাংদোক্কনীযু হাইতুনা ইমুংদগী মপান্দা থাংদোক্তুনা থম্বীয়ে ।। মাইরেন তাইবংনা হাই, মামতোন ২ বু নম্মাক্না লৈপাইনা হাইজরি নম্মাক্নদ থোং খুৎপু য়াওদবনা নামুং চৎলম্মু থোদা থোপুরে মপুক তাথি নবিহু, ব্রাকয়েগী মহুংদা লৈঙম্রিবা ফৌপুম্বা মম্মাক্কী ঙাক্তুনি মাম্মা ২ শা কুবিহুনা লোইঙম্বা লৈফম অসিবু য়োনবা খরা হোজিন্নবা থোপুনিও ।। মাইরেন ক্ষমপ্রেংকি ব্রা তাবদা উরেলহনবগা লাংবগা ২ না হিদগী ফোবু লৈহোনগৎনবা থোপুরে । কোঙোইনচিংবা মখোই মচিন মনাও ৫তি ঈশিংদা তাথিত্না থিবদা থংখিদরবা মাইরেন তাইবংনা ময়ুমদা লৈরম্বা উবদা অঙক পুংফাইনা অকি তুজুং তানফংনতুনা উয়ুংবগুম লেপ্তুনা কপ্প পাওদমম্বদগী তুমিন তুমিন লৈঙয়ে । তেংমাইহুনা হাই, ইমাগী মাইরেন ক্ষমপ্রেং নংবু কৱিবু অতুক শাওবনো, নংনা ফংলিবা ফৌ অসিবু নঙ্গী মাম্মাশিংনা মবংচৎপদা পুঙয়মত্রবদি তানফংজবা অসিবু য়ুমদা লৈঙম্লগা ফংঙমগদ্রা ? পারি নংবু নঙ্গী মাম্মাশিংনা মাংনবা তৌওম্রবগু মাংবমক্তি নংবু মাংদেদনা, পারি নঙ্গী নগুম্ব নঙ্গী মাম্মাশিংনগু লৈখংলে, নংনা নপুক তাথিগদবদি নমা ঐঙোন্দা তাথিও নমা ঐনা থোকহনবা ঙাক্তুনি ।। ব্রা তাবদা মহং কোঙোইবু তুমিন্না চৎখিহুনা মনাও ২ না ফৌ হোনগৎপবু য়াওঙমহুনা মমহাক্তি মাঙোন্দা হৌবু হৈবা য়াওররে ।। ময়াম্বগী লুচিং থৌরম্ব উবদা মনাও ৫গু থোয়াওরে ফোবু হিদগী হোনগৎ । লোইহুনা মখোই মখোইনা তানফংলকপা এনশাং মনা মশিং মহৈ মরোং পুম্বগু লোইনা তক্লা হোজিল্লক্তুনা মম্ম কি মাঙোন্দা লৈথম্লরে ।। মাইরেন তাইবংনা হাই, মামহন ৬মক নমহাক্লা লানবা ঙাক্তুনি মপুক ব্রারৌবিগম্নু মশক অতৈ অসিদি মামহন ৬না মরং খাংলুবদা ফংঙম্বা ঙাক্তুনি মাম্মা ৬না পুবিখো নম্মাক্ন তানফংবা নত্তে ঐগিদি শরুক লোক্তরাই ।। ফৌ অসিদি নম্মাক ঐনা তানফংজবনিনা ঐগী শরুক্কীদো, শরুক ৯ থোক্না এলুপ শথাইরো শরুক ১না ইমাগী শরুক ২না ফৌ হোনগৎপদা য়াওজবা মামতোন ২ গী শরুক ৬না হি পুথোক্তুনা মরং খানবা লমজিংবিবা মামহন ৬ কি ওইবিরো অতুবু ঐগী মাম্মা য়াইমা উরেলথুবা মপুক ব্রাখল লৌশিং থৌয়ঙবনা করি হাইবনো থোরম অসিবু ? ব্রাতাবদা ইকাইহুনা ব্রাঙাংদনা তুমিন্না তাংজলুক্লা লৈঙয়ে ।। মনাওগী মতৌ উবদা য়াংমনা হাই, মাক্লৌরেন ইমাক্তি কুবি নোংদম চৎলম্মু য়ারোইদবা লৈঙমদ চামিন্নবা হাওমিমৈ পুবথনমিমৈ থোং চোংলগা চীনচোংলি হাইবা পাংরৌবু পান্না পুনা পাঙশানি ইনাওতোন য়ুমদা লৈহৌনা ৬না মাগী মাগী চাকথুং ফংঙবদি মখোং চোংপা য়াওজবগী ফংজবানি, পুক্লিং লৌশিং চাওবা ইমাক্লা তাংজা=লিনবুগু মাদনবা কোংয়াং চৈ= চৈংগু মাদনবা থৌমিবিবা অসিদো পলেম=নমাগা পোকমিম্নরুবদগী য়াইফং চৎলম্ব য়াইফংঙরে মাকৌরেন নোংদম চৎলম্ব থোকাওদনা লুতুংদা লৈখংহৌনবা কাংলৌ অসিংগী য়াইফং চৎলম্ব ওইঙমসিকো য়াম্বা ইশানৌ পুম্বা হাইনা পাঙশানহুনা মতুদা মাগী মাগী লুপথুংবু শথাইনহুনা মাগী মাগী মমাময়াইদা

হোঙ্জিন্নহুনা মপুক হরাও তয়াম্না লৈঙমলে ।। তাইবং মাইয়েনগী পাওশা মতিক মঙানবু উবা তাবদা মাগী মামহন ৬না অকি ভুজুংবা তানফংনা ইফাই খুম্নবগা লোইনহুনা লৈমিন্নরে ।।x

মতম অসিদা মোইরাং নিঙ্দু মাইগৈবু লুচিংবা যুক্তানা পোক্লম্বা মচা নিপা হৈরাওবা কৌবরু কোংটিংলেনগী মফমদা লাক্তুনা থৌখনবা অশাই অশম অম। ওইনা লৈঙমলবদগী লুচিং থৌয়াংবা অওম্বা অমা ওইনা লৈরক্লে ।।x

তাইবং মাইরেন ফমগ্রেংনা য়ুম্বান থৌপুগে থৌরাং থৌশিনবা পরম ।।

তাইবং মাইরেন্না হাই ইমা নঙ্গী নত্তৌ য়েংবা অসিদা নচা ঐবু ওান্থাক্লা বারেদ। ইমা নংনগা অহন ওইশনলকপনে, নচানি হাইবা ঐনগা তাইবঙ্গী মওঙ্গা শুদবনে রাখ॰নদা রাগ্রেদা ইমা ।। কমদৌনি ইমাগী মাইরেন মমম পুম্বা অসিদো নমা ঐনা মাংলম চংকি চংলমদা নামুং চংলম থৌপুখিবনা ঐনা তৌজবা লমচংনা নমা ঐনা তানফংবদগী থৌহম্না পারি ইচাবু ফংবা অ॰। মৈশাবু লাংহল্লবনি পারি ইচাগী লংজা অয়োন চংলমনা তানফংববু নত্তে নমা ঐগীদমকপু অরা রাখন খনগনু ।। অহুবু ইমা নচাদা য়েংদনতা কৈবা অসিদা নচা নবু য়েংজবা ওমদরে ইমাগী নতেং ওইনবা নচাবু করিগুম্বা অমা তাঙমজে অহুবু ইমানা করিবু রাখল্লমগবা থংদেদা । ইমাগী ইবুংঙো ইচানা করি রাবু তাবগে ইমাদা হাইযু, ইচানা হাইনবু নমা ঐনা করিবু য়ারোইহনগে, ইমা ইচাদা লৈবদা মমানা হাই মচানা য়াদবা, মচানা হাই মমানা য়াদা অহুম তৌনরবদি মুম অসিবু করম্না লিংবা ওমগদগে হাইযু করিনো ইমাদা ।। ইমা নোংচুপ হারমদা লুচিং থৌপুনা কোংতিংলেন কৌবগী মচা ভুপী সনারেম্বী হাইবী অমা লৈ, মহাক অসি থাজা য়োনজবা মতম্ন ওইরে তাই মশিং ঐখোইগা লৈমিন্নশি হাইহন্নীংভি নচাবু ।। মহুদি ইমাগী তাইবং মাইরেন, হাইরগা তুমিম্না লৈথি ।। তাইবং মাইরেনা ইমা নচা ঐবুশু অহুকশু কৌরিখি অহুগা অহুগা অহুদি হাইহুনা তুমিন্না ফুংবংননা লৈখিবা অসিবু করি কমদৌবগে, ইমানা মহাক অসিবু খোইজং খোইদনদবরা ? ইমাগী তাইবং মাইরেন নমা ঐনা খোইজং খোইদাদবা নত্তে ।। অহুদি ইমা কনানা কদৌবা ইমা ? ইমাগী ইবুংঙো থৌরম অহুদা চম্নু পোকপা চম্নু পোকপী কনানাবু থৌয়াগবনো ।। ইমা মহুদি য়ানি দ্রংশু তোকশম্নু চম্নু লৈবদি হাইনা শিংনবা হৌনবগী হাংবতান ইমা, হাইবশু হাইরুদনা য়ারবলোই হাইহুনা থৌরমগী লৈফয় খদনা ইমানা থৌপু রানোম রা

হাইদনা লৈঙম্বদি থৌরম্বু লৈফম খংদনা লৈমাং হনবা অসিবু নাম্বুং চৎলুম অয়োন লংজবা লমচৎ তাদবরা ইমা ।। হাইহুনা ময়েংশি য়াদ্রবগুম্ তোকখিশম্বু হাইদা হাইবিরু ৱাহৌদোক হাইফম থোকপগী হাইবভনি হাইদবা য়াদে অচা অথক খন্না পুহুনা চৎনবা তৌবিয়ু ।। পাওশা অসিভবু তাইবং মাইরেন্না মমাগী মফমদা হন্না হন্না হাইহুনা পাওশিবদগী লৈঙম থাংঙমদবদগী চম্বু হাইববু অচা অথক হৈহে লৈনচিংবা পুহুনা চৎল্লে ।।X

কোংতিংলৈম্না মপুক তয়াং তশৈাইনা ইদাইরেন তেংমাইম্বু করিবু মুংবু লৈঙম্বা? পাওশা করিবু লৈবনো লাও চংলকউ করি কমদৌনা লৈপাল্লিবা ।। নোংচুপ মুবা লোক্লৌকোন, লিকোন খাওজাও য়ানবা লম, মোরবুং তপ তাই শিবা লম্ব, লুচিং থৌদাবা নফম্লাংদা চংজরকপদি হাই-জফমদা হাইজগে নিজফমদা নিজগে লাকচবনি অহুবু ।। কদাই অহুবু হাহুবদি হাইনিংবা রা হাইবদা করিবু নকোই তুংজুংনবনো নংনা হাইনিংবদা হাইঙম্মু. অয়োন লংজবা লৈখম্নবা তৌগম্ম হাইনিংবতা হাইঙম্মু ।। লুচিং থৌদবা পামজবগী হাহুজ নিজবনি অয়োন লংজ পুম্বা কুবিনি. মচা ইবেম্মা সনালেম্বীবু ইরাম য়াইদা লুতিঞ্জবা তানফংজবা থৌনিজগে অহুম্বুঙ্গীবু নফম লাংদা লৈচং লেপাইনজরি ।। উম মহুদি হাইনথম শিম্নফম রানি অহুবু নংগু হাল্লো ঐগু মতম থরদং নাখন্নগে ।। নোংদম্নহুনা তেংমাইম্বু ময়ুমদা হল্লক্লে । মাইরেন তাইবংনা রাহংভি ইমা কনদোরে কৈদৌডৈ তৌরো হাইবা? পারি হবুংতো রাখল্লখিগে নোংদম্লকই ।। চুম্মিদা ইমা চম্বু থাজরা হাইনশে থরগু রাখল্লদবা হাবা নঙেদা পিববু শোইদনা পিগদবা মবৈরবা রাযম্নি হুয়েংচু চত্তুনা ভুমিৎ অহু হেক হংদোকপা রা মথাইনা থারকপা ভুমিৎ অহুদা হেক লৌশিনবা হৌরাংবা হাইবা অহুনি ইমা, ইমানবু শুনোম্বা থবদং পোথাবা ফংলবদি নচাগী মুংভাইবা ওইগনি পাওশানহুনা লৈঙম্ম ।। নোংভাল্লগা মচাগী পাওশানা লৈঙম্বা ঙমদহুনা চত্তুনা পাওহংভি ।। কোংটিংলেম্না হাই, তেংমাইম্বু অমুক লাল্লম্বু নং রাহুনতা লোক্লনি থৌবম অহুগী ঐ রাখনবা ঙমদরি রাখনগী থৌরম লোইরগা ঐ পাও হাইরকে নোংদমহুনা ময়ুমদা হল্লক্লনা রারম পুম্বা মচাদা তমলে ।। মাইরেন তাইবংনা হাই, ইমা মীনা পাও হাইরক্লনি হাইহুনা ভাইহুনা লৈথোকপা তৌনদে ।। মীগিদি ময়ুমদা লৈজবা নচাবু কাইনা শেৎনাগদৌরিবনি ঐথোইনা য়াম্না তোইনা তকশিন্দুনা অরাব লৈথংদনা হঙ্গদবনি ইমা হায়ংগু চত্তবা য়াদে হাইহুনা মমাবু পাওসিনহুনা চৎহনখি ।।X

তেংমাইম্নুনা লাকপা উবদা কোংতিংলেম্না মবুক তাখিবে, তেংমাইম্নু অসিবু মপুক রাখন চাওবীনি অহুবু হন্দক্তী ঐগী পাওশা অসিবু মানা করি মতা থৈখংদবগুম লাক্লম্নু হাইরবদা নোঙাংদনা লাক্তুনা নমথেক নমজানারবা অসিবু কমদৌশিবা মাবু ঐনা অয়াক অকননা য়ানিংদবা রাহৈ

পাওশাহুনা মপুক ইকাই নুংশিবা রাঙাংবু হাইনিংদবনা হাইদবায়ে হাইবশে মাদি থংগ্রবোইদো লাক্কনবা ঐ পাও হাইরক্কে হাইরমক্কদা নোঙাংদনা মরাক্লে অসিনদি অশি অরেপ্পা ঐগী রাশক ওইনা মফম অসিদা অমুক হল্লা লাক্কনা পাওশাবা তারে রাখন্দুনা পাওশারক্লে ।। ইদাইহ্নেন শেম্বী তেংমাইহুু ঙসিদি ঐগী অরেপ্পা রাশক্কা লোইননা নফম্লাংদা হাইরবনি ত্তাও ইবুধৌ পাবু থংবনা তাবিবা থংবিবা ওইবিযু ঐনা হাইঙমগদবা রাফম অসিবু থৌঙম খৌপুবা ঙমদবা মশক্কা ঐগী চম্মু সনালেম্বীবু হাংঙম্লরবদি খুদক অহুদা তাইবং মাবু মাংহম্নবা কোংভিংলেন ঐনা থৌঙম থৌপুনগনি তাদবগু তারো থংদবগু থংঙো ।। অহুগা ঐনা হাইগদৌরিবা থৌবম্বু থৌঙম থৌপু থৌরোইবা মুমিৎ অহুদা লৈঙম্বা মশক অহুগী লৈফমদা ঐগী লুদা শায়োক্লিবী হমোম সনালেম্বীবু লুহোং লুতিন লৈরাং লৈহুম্না মৈহৌরোন ৯বু ইরাৎ লৈপাইনা লুহিন লৈকৎ লাঙ্গনি।। থৌরমদি কোংতিংলেন ঐগী ইরামযাইদগী মবাম য়াইরু লৈথুংনা য়াংকৌলম্বী অমা লৈক্কাংলক্কনা য়াংলৌবু মালেমদা লৈতাহন্দবা অমা লৈশমহুনা মথক্তা সনাগী ইঙ্গি, লৈশিংনা লৈথম্বা ঙম্বা মশক অহুদা পীগনি থৌঙমদবনা কোরৌ অসিদগী পাওশা পাওরীনথরোই হাইনা রাশক্কুনা লৈবাক্কি মাইগৈ ৪ চিন্না ৩ বু লৈথুংনা তাঙম থংঙম্নবা য়াঙ্গোই তোংববু মাইগৈ শিন্না থাহুনা পাওজেন পাওশানহনখ্রেদো ।। পাওশাবু তাবদা তেংমাইহুগু পাওশানহুনা হনখরে ।। মতমহুদা মুবাং নিন্দু দগী শাইদাংহুনা থৌগনবা লুচিং থৌযাবা অঙম্বা হৈরাওবা কৌববু মাগী রাথল শৈরেংবু কাইহুনা তাংজ লুক্লা ঐনা করি কমদৌনা নিংজবা লৈরাংবু হেক্কুনা ঐগী লৈথেৎ ওইগবা রাখন্দুনা মপুক খোংশাও সুংঙোন্না খাংখি ।। তেংমাইহুন মখুমদা পাওদয়ে, তাইবং মাইরেন্না হাই, হমা কবিবু পাংবনো পাওশা অহুদি অশাইনা তাজার খগোল পাওনা লাওরমহুনা ইওম্ব ঙাইহুনা নচাবু কৈঙম- জবনি, হাইরিব। থৌরম অহুদগী লৈহেম্না ইমাগা নচা ঐগনা শেম শাদিরগা লোইরে করি নুঙ্গাবু রাবনো ইমানা ।। ইমাগী মাইরেন করি লৈরমদবদগী ফৌ খরা চানবা তানফংলুবা অহুদা সনানা ইংগ্‌ শিংপা ফাওবা তানফংলনি রাখল্লরোই ইচাদি ।। সনানা ইংগ্‌ শিংপা অহুগু অঙম্বা নথোনা তানফংলো অহুগা য়াংদৌ অহুবু মালেমদা লৈতাবগু য়াঙম্লাই শুনগী তরং ময়াইদা লৈশা লৈথম্ন- গনি হাঙমলিবা অসিবু করম্না লৈথমগদৌবা ? ইমা মহুদি লাইঙমগ্রবা লৈশানি তাইবঙ্গী য়াংকৌবু নত্তবা খোইযুম লাইগী য়াংলৌনি মিংনদি মউবা তাইবং খোংনদি চংঙমদদবা লৈশাবনি রাংলেন অমদা লোইগদবনে ইমা রাবিন্নু নচানা হোরেন যুংথক থানবদা থৌরম পুম্বা পলেমগী নফম্লাংদা লৈকৎ লৈহুন তমজগে ত্তরা লুকমনবু তানফংনহুনা পোথাম্নুংঙাইনা লৈবিযু পাওশাহুনা কৈঙমলে ।।X

মাইরেন তাইবংনা অহিং যুংথক থানবা মতমদা মমাবু হৌদোক্কুনা মাবু ইপাল্লাংদা থাংদোক হল্লে ইমুংদগী ।। মতুংদা মমাব ইপাল্লাংদগী ইমুং মতুংদা চংহনথরে ।। অহুদগী মানা তমফা খুদোপ

য়াইওইববু নিংশিংহনা থৌথাইএ, হে তম্ফায়াই খুদোপ য়াইওইবা ঐগী দমক্কি হাইহনা লাইরৈমা তোম্বী পিয়াইহনা ঐঙোন্দা পিরমলবনিদো চৌজিক ঐগী ওইরবনিনা ঐদি ঐনা থৌদাবা থৌরম্বু থৌওম্নবা থৌপুগদবনি অহনা কোংথিংলেন কৌবা নোংচুপ লোক্লৌ কোন্দা পানক্কা লুচিংবনা মচিন মখাদা থোকপা পাওশা থরা পংভাং ভাংখিবা থৌরম তাইবং পান্দা ওইথোক্লোইদববু পাওশা-খিববু থৌরম থৌরাত্তনা শেম্বীরা অহুগা ঐগী ইংখোল অসিগু সনাদনা ইংগ শিক্তনা তাইবং পান অসিদা মত্তিক মঙম চাওবা অমনা শেমগৎ শাগত্তুনা লৈঙম্বা য়াব খিনিক থৌরাত্তনা ননা শেম শাহনা লৈথয়ো থৌদারক্লে ॥ তম্ফা য়াইখুদোপ তাইবং মাইরেনগী মকোক শমলাং মরক্তা পুন্দুনা লৈবনা তাইবংমী, লাইনা চিংবা লৈঙম্বা মশক পুম্নমক্কি নমিঙ্গা সনা, লুপা, তি য়াইওনা হৎপা থম্বা মশকপু ওইনা উনবা হাইখিবা থৌরম পুম্বা রাত্তনা শেহনা থমলে ॥ থৌরম্বু থৌ-শিননা লোইরগা তাইবং মাইরেন্না মমাবু কৌথোক্লুনা শঙ্গাই শংলেনগী মমুংদা থাংখিল হন্দুনা লৈরে ॥ ইমুংগু ভাল্লক্লে অদ্বাইদা লৈঙম্মিবা লাইতাইবং পুম্বনা তাইবং মাইরেনগী য়ুম ইংখোন্দা ওইঙম্মিবা মশক মওংবু উবদা মপুক রাথনবু ঙকচানহনা রাহঙ্গ, যেংঙমগে লৈচংনবদগী মফম মবাংবু লৈখংমদনা তাইবং মাইরেনগী লোইনবা অশাই অশম ওইনা খুদক অহুদা নিপা মুপী লৈ-ঙম্বা মখৈবু খাক্তনা লৈঙম্লরে ॥ লৈঙম্লম্বা য়ুম ইংখোনগী মশক মওং উবদা তেংমাইহনুগু মপুক রাখনবু কংঙাওনৈএ, অহুবু রাখন্দি লৈগাওবী ওইবনা মচা তাইবং মাইরেন্না থৌশিনবনি লৈ-খংহনা লাকওম্মিবা চংওম্লক্লিব নিপা মুপা পুম্নমকপু মশাই কোন্দা লোইনহনা মতম কুপনা লোই-নবক্লবা মচা মনাও মপিজাওম্না পাওশাকহনা লৈমিন্নয়ে ॥[১]

নোংচুপ লোক্লৌকোন্দা পানকব লুচিং থৌপুবা কোংথিংলেন্না য়াহৌরবপা মতমদা মাগী নশাই-কোন্দা লংলম্বা ভাল্লম্বা মগুম খবাই থোঙ্গানগী মালেমদা লৈতাদবা যাংলৌ লম্বী অহুনা নিংথি চংখোনবা মওৌ উবদা তাইবং মাইরেনবু অকি তুজুংনরক্লে । ঐনা ঙবাংদা তেংমাইহুদা পাওশাবা লৈখাক তানবা পাওজেনখিববু ঙসি ইনুং ঙানবদা থৌরোইহনা লৈথম্নমহনা উহনবা ঙম্বা অসিদি তাইবং মীদি নত্তেদনা তেংমাইহুগী মচা মাইরেন অসিদি মযুম লাইনা মাগী নিংবা মপুক রাখনগী লারৈ লাথুপ অমা শান্নবনিদনা থংলে মশিদা ঐনা তাইবং মাইরেন হাইবা অসিগী মশক মংংবু মকোক্লা তাইবং মীনি, মশানা মাইরেনগুম্বনি হাইহনা পিঙমদ্রবদি মাগী খালমদা থোক্লাইবা তা-ঙম্লবদি লুতুংদা অযোন চংলম তনফংবা থোকঙম্বা তাইদনা, অহুদি থৌরম অসিবু থৌঙম্নবা খুদক অসিদা থৌপুনবা ভৌঙম্বা তাইদনা রাখল্লক্লুনা মনাইশিংবু কৈরোই লৈকাই নান্না লৈখংনবা পাও-জেম্নবা পাওশিরে ॥ কোংথিংলেনগী অশাই অশম সনা ভুলাইগা শেক্তক শেঙ্গা সেনানচিংবা পুহনা তাইবং মাইরেনগী মযুম শঙ্গাই উবদা ঙকচানহনা পাওহংবদা তাইবং মাইরেনগী থোংশংবনা পাও-

হংঙি; কল্বিবু মুক্তী হংবনো ঐখোইগী লৈমরেন তাইবংবু লৈহংলিহবু ? ময়ুম শংলেনগী থোংশংবা মুবা লোক্লৌ কোনগী লুচিং ব্রায়েন লোংদম্বা কোংতিংলেম্মা নখোইগী নবুংঙোগী মফমলাংদা মচা ইবেম্মা মৈতৈ লৈমা শ্লালেম্বীবু কোরৌ অসিগী হুমিত্তা লুহোং লুতিন লৈরাংহনগনি নোংদম্মি শুক্কু হুঙ্গীবু লৌখংলু ছাইহুন ময়ুম শঙ্গাইবু খিবনি ।। ব্রাবু তাবদা মনাইশিংহুনা অহুদি অহুক লৈরমখো ঐখোই পাওশাক্লুখিগে হাহরম্মগা পাওদমখি ।। তাইবং মাইরেনগী মফমদা পাওশাহুনা থোরম্বু পাওদমহুনা তাইন মাইরেনবু ভূম্নাইদা হাপ্পুনা মচাইরোই খরগা থোখক্লা লোইনহুনা ময়েন মুবা লোক্লৌকোন্দা পুক্নুক্কুনা খুঙ্গা লিতিন ফম্বাক লাংঙমহুনা থাম্বি ইবাং খৌনি ব্রাংশংহ ।। লুতিন পাওদাক পাওশানা লৈহুন লৈরাং লৈকক্তুনা তাইবং মাইরেনগী মবাম মাইদা লৈখিল্ল ।। শ্লালেম্বীনা মাইরেন তাইবঙ্গী থোগন্দুনা থাজা অমা অনি লৈঙম্নবদা নোং কোরৌ অমদি তাইবং মাইরেনবু শ্লা লেম্বীনা উতি শমখোং শেংহুনা চেংহি শম্বাল লাংঙম্মি মহুদা তাইবং মাইরেনগী মকোক্তি শম্লাং মরক্তা পুন্দুনা থমলিবা খুদাপ য়াইবু উঙমখরে ।। শ্লা লেম্বীনা খুদোংকি মরম্ব হুম্বিং খুদিংঙ্গী থোকাওদনা তাইবং মাইরেন্দা লৈহংলক্কুনা খুদাপকী মঙম থোরম্বু পাংশাহু ।। তাইবং মাইরেন্না শ্লা লেম্বীদা খংহনখি । মতম অসিদা নোংকোরৌ খুদিংদা ইবেম্মা থিংবালোক্ল খোম্বীনা মুব্রাংদগী শাইদাংবা অঙম্বা হৈরাওংবু মচা ইবেম্মা শ্লা লেম্বীগী হৈরা চানবা লৈরাং চিন্নবা হাইহুনা হৈরাং লৈরাং খিনংবু মরক মরক্তা হেক হেক চংহল্লি, হৈরাং লৈরাংবু লৈখিললকপদ্দা সনালেম্বীগা উনহুনা হৈরাংবু লৈরাংবু পিবদগী হৈরা লেঙ্গাম্না লৈরাং লোক্তিংবা নপ ও মোইনহুনা তেমশিংনরক্ল ।। নোংকোরৌ অমদি তাইবং মাইরেন্না হাহিপ পোখানরিবৈদা শ্লা লেম্বীনা তাইবং মাইরেনগী মকোক্তা পুন্দুনা থম্লিবা ভম্বা খুদোম্মু শমগা লোইননা চপ্পুংবা থোংঙম্মগা অঙম্বা হৈরাওবগা লোইনহুনা শঙ্গাই শংলেন অহুগী ইমুং মঙ্গু দগী মাংখ্রে ।। মতুংদা তাইবং মাইরেনগী লোইয়িনশিংনা কোইনা লৈখিবদগু তানফংদরে নোংচুপ লোক্লৌ কোন্দগু লাক্তে হাইনা পাও তারে ।। মতম অহুদা তাইবং মাইরেন্না মাগী মপিজা শোরং শবি লুচিংবগা উরং লোং ।। উচি থৈবিক্কি লুচিংবগা, তুবি লাইশিদবগবু কৌহুন ঈশিং মঙ্গুংদা লৈকু লৈরাই লৈখুম্নচিবদা লৈথিহল্লি তানফংদরে ।। করম তৌশিবনো লৈযম কদাই কদাইদবু লৈয়েং লৈথিশিবনো হাইনা মখোই ৪ বু ব্রাতাম্নহুনা ফম্বাল্লাংনা লৈঙম্বদা উবংনা পিক্লবা থিবদা যুঙ্গা লাহক্লদা ব্লারবা লৈখুন অমা থেংনরে ।। লৈখুন অসিবু লৈফম চাদনা লৈঙম্মিদা কল্বিগী লৈখুম্মা হাইহুনা মমিং পাংম্না উইশিল্লগা মমিং পাংমনা চেপথনা য়েঙুবদা লৈফম অহুগী লৈখারোনবু লৈথুংনদম্বিবা ঈশিং মরক্তা মবানিনা শাম্নহুনা লৈবনু তানফংলে ।। থোরম্বু ঈরংমা পাওদমহুনা লৈখারোনগী ঈশিঙ্গী মথক্তগী করম তৌনা লৈফাশিবনো ব্রাখম্নরক্লে ।। শোম্নং শবিন হাই লৈযম অশিবু য়েংনবা লৈথুনবু

লাওনবদি ঐনা লৈজৈংলগে ।। উরংনা হাক মখোইনা অহাণ্ড অথুম চাবদা সনালেম্বীগী মথুক্তগী খুদোপ অমা লৌথোক্লুনা মখোই অনিগী শান্নফম অসিদা হৈরাওববুদি থংহন উহন্দনা হেক হেক লৈথম্লগা চাম্লিন থকামিন্নে, অসিনদি খুদোপ অসিনু পুরকুবদি ঐগী ইজ্জম ওইরগে ।। তুসি শিদবনা হাই ঈচাইথাইহুনা হৈরাওববু মাংহম্লবা সনালেম্বীবুনা ইপাঙ্লাংদা লৈয়োরকৃবানা ঐগী ইজ্জম ওইরগে হাইনহুনা থৌশিম্লরে ।। শবিনা লোচাংলে, উচিনা কৈচং লৈফাওথরে অহাণ্ড অথুম চাগদবগী য়াইপুদোম্ম লৌথোক্লুনা ফিদাগা মথাদা লোংলম্বদা উরং উচিনা ময়ান উবহুনা পুখংথরে ।। তুবি শিদবনা ঈচা-থাইরে মনমনা ইম্লুংবুংদগী সনালেম্বীবু ইনথংলকলে ।। মমৈনা হৈরাংলবু ঈঙ্গুং-বুংদা লাকথাহুনা লৈথমলে । য়াইখুদোম্ম তাইবং মাইরেনগী শমগী মরক্তা কিশিন্দুনা থম্বীরে ।। সনালেম্বীবু তাইবং মাইরেনগী তাইবং মপিজা খরনা লৈখুন্দগী চোংথোরকপদা লিকাহুনা তাইবং মাইরেনগী নাক্তা পুশিল্লখলে । মাইরেন যম চেংলে। ইাংশ্মা সনালেম্বী ঐনা ইখোং ইখুং ওমদবা উবদা লৈথিবগ থৌজমলোইদো বাখনবোইদো নঙ্গী চংলম্ম লৈবাক লৈখংশল্লু হাইহুনা ইখুং ইখোং পান্দবনি, ইবেম্মা লংদি ননিং নথা লৈতম্মা লাইরেম্বীনিদা, ননিং থুংনা নঙ্গী ফংলম্মু লৈজমল্লুখো লোদম্মা সনালেম্বীবু তাইবং মাইরেম্মা মাগী মপীজাশিংবু থাহুনা মপাম য়ুমদা লেপিন হনখ্র । X

তাইবং মাইরেম্ম থৌচম থৌপুনদা সননা ইংগ লৈশিংনা য়াংলো লম্বীনা পনশাহুনা সনালেম্বীবু লৈরোবীনবা হৌনম লুহংদা থৌবাওদনা হাইহুনা অহন লাইনিংবা লোইদাম ঙম্বনা কালৈ পুংমাইয়োন লম্মা হনব। লৈবকপ্ন লাইমিং । হৌ লম্মা হনবা কংলৈসনা পুংমাইয়োন হাইনা নিং-ভম্নু লৈশমলে ।। মকা অচুদা লাইনিংস লোইদাম ঙম্বনা নাখল্লক্রে ।। নোংদম্বগী মফমদা ঐনা নোঙ্গাংদনা থৌনিবা অসিগু ফজিদবা কারণনা ঐ করি মরাল লৈহুনা কুবিদবা, চুংশ্ম কুবিরেই তাইবং মাইরেন হসিনা ওইরিবা মশক অসিদি ঐনা নোংদম্বদা থৌনিখিবা মশক্কি থৌরম অসি ঐনা থোকহনবা জাক্কান মাস ঐগী ইরান্নি মশিবু ঐনা থোকাওনহুনা মতম অহুদা নবা ইপুঙ্ক রাবু পংহাইদা হাইহুনা লাইনং থৌপুবা অসমব ঐগী ইরান্নি ।। তাইবং মাইরেম অসিবু মশক মচুণ্ড মীখোই মীংহল্লিবা মশক্কি, মচাক মরল মাংক মওনণ্ড তকৈবনা তানযাংবোইদবা মওয়িম, অসিবু ঐগী বাখন অপংবা পুংজাইতবা অশাওবা চংশমদগী লৈমাংহল্লিবা চংশম অসিবু নোংদম্বা নংনা তাইবং মশকা শাথোক্লিবা অপংবা তাইনংদা কৱিবু মুঙ্গী থৌদা নোংদম্বীবনো ।। নোংদম্বা নঙ্গী থৌদাব তাইবং বাখনশেনবনা থৌওম্নবদি থৌপুখ্রে, থৌরম অসিবু তাইবংনা ইনমদা কৈহাগ্নুনা লৈপুন। লৈওম্বা ইতিক ইওম্ব মংচদে, নঙ্গী নোংদম থৌদানে লোশিনবিরো নোংদম্বা নখুংথুংগু তিংথোকলো কোরো অসিগী মুমিত্তা লৈজন পিবা লৈশক্রা ঐগী ইরান চংশম নোংদম্বা নংনা

নোংদম্বগী লৈপুখিবা থৌরম্, নকম লাংদা লৈকৎনা পাওশা পাওদগ্না নখুংবাক্তা লৈহাপ্লবনি লৌখিগ্নো হাইজহুনা মিৎসনা ইগ্নাচেগ্না লৈহুন লৈগ্নাং তমলকলে ।। নোংদম্বা লাইনা কুবিগ্নে, লোইদাম ওম্বা নংনা কোগ্নৌ অসিদগী তিল্লম লাইথোং লৈথিনা থৌনি পুরুম লৈপাইবা হাইব। চৎলম অমবু থৌহৌহুনা তিঙ্, লাইচুববু লাইকোক থৌনিববু থৌহৌবিহুনা নংনা নিংববু তানফংলো নোংদম্বীগ্নে ।। নোংদমগী থৌদাবু তানফ'লবদা লোইদাম ওম্বনা তেংমাইহনুগী মকমদা পাংশাবিএ তেংমাইনু নঙ্গী নচা তাইবং মাইগ্নেনগী মশা অশি তাইবং শকথাং মপুং লেপ্পা থৌওম্ব ঐ অমুক্তা থৌয়েজে, নচা অসিবু উবদা ঐবু লৈওম্বা ওমদগ্নে, হোগ্নেন্দি অহিং য়ুংথক থানবদা মাগী অবাববু লৈকোক থৌনি চৎলম অমবু থৌহৌরমগে কুবি নোংদমবিগ্নেএ ।। লাইনিংবা অহনগী পাওশা তাবদা তে'মাইনুনা মপুক হগ্নাও তয়াম্না থৌয়াজহুনা থৌনিবদা লৈচঙ্গদবা পোৎলম্, লৈরাক্তুনা লাংহুনা লৈথমলগা থৌনি মতম্ ভাইহুনা লৈওমজগ্নে ।।x

লোইদামওম্বা লাইনিংবনা লাইয়েংবা হৌবা

লাইনিংবা অহনবু শাদম্না শাথোকপা লোইদামওম্বনা তাইবং মাইগ্নেনগী অবাববু লৈকোক্তবা লাইগ্না লাইয়েকপু য়াগ্না ইনিল শাদম্বদা য়াগ্না ইনিল অমা শাদম্ববু শাথোক্তগ্নে ।। করি করম্নবু য়াওমদবনো লৈথি লৈ'য়ংবদা উম, শিননিদনা য়াইবি হামোইবা ৩৫ লৈশুদারদনা লাইয়েক অমবু লৈশৎনহুনা য়াইবী হামোইবগী য়াগ্না ইথোল ওইনবা মাগী লৈফমদা লৈহাপ্পখিনা লাইয়েক লৈশৎ লৈথম্বনা য়াগ্না শাথোকনদবনিনা লাইয়েক অশিবু লৈদ্রাংলবাদ নোংদম্বগী হক লৈশাবা য়া গ্নাই-দৌগ্নি, অহুদি অমুক লাইয়েবপু লৈশুনা লাইমিং লাগ্ন লৈথমদবশু য়াওমদে, অহুগা থোরম অশিশু থৌওমলোইদৌগ্নি হাইহুনা লৈহৌভেদগী লাইয়েক ৪৬পু লৌহৌননা লৈথমহুনা লাইয়েক লাইগ্নাবু শাদমহুনা ইগ্নাৎনবা থৌগ্নাংলে ।। লাইশুকৌবা লাইয়েক (অ, আ, ই, ঈ, উ, ঊ ঋ, এ, ঐ, ও, ঔ লাইমি'বু য়াইবী কৌএ ।। ক, খ, গ, ঘ, ঙ, চ, ছ, জ, ঝ, ঞ, ট, ঠ, ড, ঢ, ণ; ত, থ, দ, ধ, ন; প, ফ, ব, ভ, ম; য, য, র; ল, শ, ষ, স, হ, ক্ষ ।। লোইদাম ওম্বা অহন লাইনিংবা শাবনা থৌরম্ লৈশিনবা লাইয়েকপু লৈশৎলদ্বা লৈহাপ্পা লোইহুনা অহিং য়ুংথক থানম-দাইদা লাক্তুনা তাইবং মাইগ্নেনবু হৌগ্নগ্নে ।। তাইবং মাইগ্নেনগী মম্বা উগ্নেল হনবগা লাংবগা ২না তাইবং মাইগ্নেনবু থাংদোকুনা (চগ্নোৎ হাবুং) অমগী মনাক্তা লৈথম্লে ।। থৌরমগী হৈধা পোথাবু লৌথগ্নে লোইদাম ওম্বা লাইনিংবনা মতুংদা মৈ কৌববু থাকৌ থাগোম্না লাৎকল্লে ।।

উরেল হুনবগা লাংবগা মচিন মনাওবু লোইদাম ঙম্বনা নচিন ননাওদি চৎলো নমাক্তি মশাদা য়োম্লিবা অসিনা চোংথোকপদা নথোইদা করিগুম্বা চোংশিন্দুনা য়োমথ্রবদি নথোইবু অরাবা ফংবা য়াই ঐ থৌনিনবা চেং: লৈ থোইদিং তিংথৌবু লৈহুম্না লাইয়েক লাইরাবু ল্লাইশোন হৌগুম্লগে তাকপিহুনা চৎহনম্লে ।। লোইদাম ঙম্বনা, হা নাওবা তাইবং মাইরেন নঙ্গী নমিংদি (অহিং তাঙ্গ হঞ্জবা য়ুংথক লৈরোং অপানবা) কৌবনিদো কোরৌ অহিং অসিদগী হৌনা নঙ্গী নমিংবু কৌগুম্শিদো; নংনা নিংজবা লাহুদি (উংলৌয়াইবিরেন সিদবনিদো) লাইনিং পরৈ চেৎনা নিংথুনা পুক্ম থাগোম্লহুনা লৈগুমলোদো নশাদা য়োমলিবা অহুনা হেক পোকথাইবগা খাম্বী হৌনা লৈহুনগদৌরিব লৈফম অসিগী ইরাংমা য়ৌনবা চেস্তোক হৌগদবনি, নশাদা য়োমলিবা মাইরেন অহুনা চরোৎ হাবুং অহুদা চোংশিনখিবগা 'ক্ষ' লাইয়েক্তা কোইরিবা লৈফম, য়ৌনা চেনশনহৌকো হাইনা পাওশাহুনা লৈহল্লে ।।X

লোইদাম ঙম্বনা লৈহন থৌনিবা

হৈয়ম হে খাম্বী মৈশেং অসি কোরৌ থাজা মেরা থাবুং ফবা, নোংকোরো হৈয়েৎ মকনা লৈপুবগী অহিং য়ুংথক লৈথাল্লকপদা নংবু ঐনা থাকৌঞ্জরএ ।। কোইথক্তা লৈফম্বা নংবু লৈফম অসিদা হৌফবিও অহিং তাঙ্গ হঞ্জবগী তিঞ্জ লাইচুবশে কোকহনবিররো ।। উই মিলিং উই মিঙ্গিং নরাই লংথৈ লিং লিং লিং ওবা হোয়ানসে ।। (ঈশিং চেং লৈ লৈগল্লে) উং মৈমুৎশংওরা ।। উং মৈতরংঙাং ওবা ।। উং মৈঙান তুহিং ।। উং মৈঙান তুঙান ওবা ।। উং মৈশংতরেং ওরা ।। উং মৈকেম্নবী ওবা ।। উং মৈতিংশন ওবা ।। উং মৈমিৎতরং ওরা ।। উং মৈ সংমুবাক ওবা ।। উংও লৈতিংফা লৈফা ওয়ে মক্ম অসিদা লাকুনা সনা ফম্বানবু লানা লৈহুনবু লৌবিবা ওইহুনা কুবিও ওরা ।। ওম য়ো, ওময়ো, ওম ঠৌ ওম ঠৌ অহিং তাংগ্র হঞ্জবা—য়ুংথক লৈবোং অপানবদা তিঞ্জ লাইচুরিবা অযোন লংজ মিচৈবু তানফংলিববু মাংহল্ল কোকহল্লো ওরা ।। হুং হুংহুং, হুং হুং ওবা । ওং ফৎ ফৎ ওরা । হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ বঁ, রং রং রং, রং রং, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ, বঁ বঁ বঁ, বঁ বঁ, হুং হুং হুং, হুং হুং ড্রিং ড্রিং ড্রিং ড্রিং ড্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ, কৃঁ কৃঁ ওবা ।। ওম ঐঁ ড্রিং শ্রীং কৃঁ ইরৈমা লাইরেম্বীনা অহিং তাঙ্গ হঞ্জবগী মিৎলাংবু নংনা শেম্বীও কনবিও ওরা ।। হুং হুং হুং, হুং হুং, ওরা ।। হুং ফট ফট ওবা ।।

হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ, রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ বঁ বঁ বঁ, বঁ বঁ; হুং হুং হুং; হুং হুং, ড্রি ড্রিং ড্রিং, ড্রিং ড্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ, কৃঁ কৃঁ, ওরা ।।

ওম ঐ হ্রিং শ্রীং কৃঁ সনাথোংবাং লৈমা মথোং কাবী অহিং তাঙ্গ্র হঞ্জবগী মাইথোংচানবু নিংশি চংখোনবা ওইহনবিও ওব্রা ।। হুং হুং হুং, হুং হুং ওব্রা ।। হুং ফট ফট ওব্রা ।।X

হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ, বঁ বঁ বঁ, বঁ বঁ, হুং হুং হুং, হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ, কৃঁ কৃঁ ওব্রা ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ হৈরোং লৈমানা অহিং তাংগ্র হঞ্জবগী ওকথোজী লেংবানগী শরুকপু নিংথি চংখোম্নবা শেম্বীদুনা ফত্তবা লৈবা থৈবিকপু লোথোকপীও ওব্রা ।। হুং হুং হুং, হুং হুং ওব্রা ।। হুং ফট ফট ওব্রা ।।X

হাং হাং হাং, হাং হাং, যঁ যঁ যঁ, যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ, রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ, লঁ লঁ; বঁ বঁ বঁ; বঁ বঁ; হুং হুং হুং হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ; ওব্রা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ মুংমুতুমদা মাংদবীনা অহিং তাংগ্র হঞ্জবগী থবাক লৈফম্ন নিংথি চং- খোম্নবা শেম্বীদুনা তিঙ্গ্রবা লাইচুবা ফত্তবা হাওদিবা লৈওম্বা থৈবিকপু মাংহনবিখো ওব্রা। হুং হুং হুং, হুং হুং ওব্রা । হুং ফট ফট ওব্রা । X

হাং হাং হাং হাং হাং, যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ, বঁ বঁ বঁ বঁ বঁ; হুঁ হুঁ, হুঁ হুঁ হুঁ, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ ওব্রা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ লাইনৌতাবী অহিং তাংগ্র হঞ্জবগী থমোই লৈফম্ন নিংথি চংখোম্নবা শেমজিন্দুনা তিঙ্গু লাইচু লৈপকপা লৈববু মাংহল্লো ওব্রা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওব্রা ।। হুং ফট ফট ওব্রা ।। হাং হাং হাং হাং হাং, যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ; রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ; লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ বঁ বঁ বঁ বঁ বঁ হুং হুং হুং হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং, কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ, ওব্রা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃঁ পুকশি খোম্বা লাইরেম্বীনা অহিং তাংগ্র হঞ্জবগী পামবোম লৈফম অনিবু নিংথি চংখোম্নবা শেম্বীদুনা ফত্তবা থুনাম্বা লৈওম্না লৈফাববু মাংহনখ্রো ওব্রা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওব্রা ।। হুং ফট ফট ওব্রা ।। হাং হাং হাং হাং হাং, যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ; বঁ বঁ বঁ বঁ বঁ, হুং হুং হুং হুং হুং, হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং হ্রিং কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ কৃঁ, ওব্রা ।। ওম ঐঁ হ্রিং শ্রীং কৃং ইংথরেল লাইওইবী নোংলোন্দা লৈথম্বীনংনা অহিং তাংগ্র হঞ্জবগী খোইদৌ লৈফম্ন নোংদম পরম্ন কাইদনা শেম্বীরো ওব্রা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।। হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং যঁ যঁ যঁ যঁ যঁ, রঁ রঁ রঁ রঁ রঁ, লঁ লঁ লঁ লঁ লঁ, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺, ওরা ।। ওম ঐ৺ দ্রিং শ্রীং কৃং চিংবা লৈমনা অহিং তাংগ্রা হঞ্জরগী লোংথাঙ্গী পরম্ব লৈশেম্নবীরো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং, ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা ।। হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং, য৺ য৺ য৺ য৺ য৺, র৺ র৺ র৺ র৺ র৺, ল৺ ল৺ ল৺ ল৺ ল৺; ।। ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ ওরা ।। ওম ঐঁ দ্রিং শ্রীং কৃ৺ শনিক লাইনৌ তাবী লাইলৈমনা অহিং তাংগ্রা হঞ্জরগী খ্বাংদগী মিউ লৈফম ফাওবগু পরম খোংলম কাইদনা শেম্বীরক্রো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা । হুং ফট ফট ওরা । হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং, য৺ য৺ য৺ য৺ য৺, র৺ র৺ র৺ র৺ র৺, ল৺ ল৺ ল৺ ল৺ ল৺, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ ওরা ওম ঐঁ দ্রিং শ্রীং কৃ৺ মাংলেম লৈমা ইমানা অহিং তাংগ্রা হনজ্রংগী খোঙ্গী লৈফম্ব শেমজিন্দুন লৈয়াং লৈফাংনবিরো ওরা ।।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা । হুং ফট ফট ওরা ।। হ্রাং হ্রাং হ্রাং, হ্রাং হ্রাং য৺ য৺ য৺ য৺ য৺, র৺ র৺ র৺ র৺ র৺, ল৺ ল৺ ল৺ ল৺ ল৺, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺, ওম ঐঁ দ্রিং শ্রীং কৃ৺ লৈশিরেল লৈপুনবী ইমানা অহিং তাংগ্রা হঞ্জবগী হক হাইবগী মশক পুম্বগী মওংবু পরম শিচ্নুা শেম্বীবাক্রো ওরা ।X

হুং হুং হুং হুং হুং ওরা ।। হুং ফট ফট ওরা । হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং হ্রাং, য৺ য৺ য৺ য৺ য৺, র৺ র৺ র৺ র৺ র৺, ল৺ ল৺ ল৺ ল৺ ল৺, ব৺ ব৺ ব৺ ব৺ ব৺, হুং হুং হুং হুং হুং, দ্রিং দ্রিং দ্রিং দ্রিং, কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺ কৃ৺; মিউদগী নিংহু ফাওবদা ক্ষং হং সং ষং শং ওরা ।। কৈফগন কৈফবাক্তা রং লং রং যং য়ং ওরা ।। খোইদৌদা মংভং বং পং ওরা ।। থজিন লকা মপাদা নং ধং দং থং তং ওরা ।। থবাক্তা ণং ঢং ডং ঠং টং ওরা ।। য়েৎ কময়া ওইরগদবদা ঞং ঝং জং ছং চং ওরা ।। ওইগী কময়া মপাদা ঙং ঘং গং খং কংওরা ।। থঁ য়ঁ যঁ টং ভং

থং, নং পং ফং বং ভং মং য়ং রং লং বং শং সং ষং হং লং ক্ষং ওয়া।। অহিং তাংগ্রু হুনজবগী য়েক্লবা তিনয়েৎপা লাইয়েৎপা লৈরম্বা পুম্নবু মাংহল্লো তুমহল্লো। ওম জোং জোং জোং জোং জোং ওয়া।। ওম য়াং অতিয়া শিদবা লৈশিয়েনগী মেরুবা লাইমিং লাথুপ মিংথৈ লাইয়েক য়য়ানা তাইবং হুক্তা য়োম্লিবা মাইয়েনগী মশকপু কক্লবনি, কাইয়ো চোংথোকখয়ো হাই শেং শেগাক কাইয়ো খাইবোক খাইয়ো দ্রিং দ্রিং ফট ওয়া।।x

মাইয়েনবু খাইবোক হেক তাই, লৈম্নুং তাংগ্রু হুঞ্জবা চোংথোকখিত্নুনা ক্ষ ফম্বীগী ময়াইদা চোংশিন্দুনা লেপ্লে।। মাইয়েনগী মশক্লা খাইবোক তারম্বগী অমুক য়োমশল্লগে হাইগৎলকপদা তাইবং হক্তি লৈরমদবদগী চরোং হাপুং মনাক্তা লৈবা অহুদা চোংশিন্দুনা য়োমহুনা লৈখি।। লাইমিংথোই লোইদাম ওম্বনা তাইবং শকথোং চংখোনবা অহিং তাংগ্রু হঞ্জববু মমা তেংমাইহুগী মফমদা শিন্নবিরে, তেংমাইহু মমাগী হয়াও ওমথৈ লৈতনা মমা মচা লৈওম্বা হোরে।। অহিং তাংগ্রু হঞ্জবনা হাই, ইমা ঐথোইনা পুসিগী ইয়াত্তুনা নিংজহুনা চংকদবা লাইদি ইমা হচাদা অহনগী মতম ওইনা উহল্লিবা লোইদাম ওম্বা কৌবা লাইমিংথোই অসি ওনি ইমা তাইবং ঐথোইনা মিংনশু উজবা মতিক মওমশু ইশানা খংজরবা অহন অশিবু নিংজবা নওনা কনাবু নিংগদবনো হাইনা মমাগী মফমদা পওশান্নে।। মচাগী পাওশাবু মমানা হয়াও তয়াম্না য়াওম্না মমা মচানা লাই-মিংথোই লোইদাম ওম্বগী মফম লাংদা পুরুম লৈপাইনা হাইজবদা লাইমিংখোইনা হোইয়াবিহুনা লাইমিংথোই লোইদাম ওম্ববু মমা মচানা লাইমিং লাইয়েকপু মতম ওদা (হোহিক রোহিক সোহিক সনা ওান তরংবা নম্মিংদি মো কৌবা হাইনা লৈগুন লৈরাংবা তানফংনা তাইবংনা মাহৌন ওইরম্ববু লৈকোক্তুনা মওান চাওবা তাইবং মপোক অথোই চংখোনবা মীয়োক মীচান চংখোন হৈ শিংবা ওইনা লৈওম্লক্লে।।x

অহিং তাংগ্রু হঞ্জবদা সনালেম্লীনা চংজবা

অহিং তাংগ্রু হঞ্জবা=য়ুংথক লৈরোং অপানবনা চাবা থকপগী মরমদশু অরাৎপা লৈতাবা মাগী মওাইয়োই লোইইনগী মরমদশু অরাৎপা নাইরক্তবা, ফিশেং লৈতেংজী মরমদশু মানা শেৎপা চাবগুম্না লোৎহন চাহনবা থোরম খুদিংজা মামা লুচিংবা ওইনা থোপুহুনা হো কংলৈসনা লৈমাকী অকোইবাশিগী মওান কবা তাইবং মপোক অথোই চংখোনবা হোকেগে মাইগৈগী তাওজিং

তোমথিন পানবগুম্না লৈফম থুদিংদা লৈকোইহুনা লৈপাল্লক্রে ।। মতিক মঙান মশক মতৌবু উবা ঙাবদা মুবা লোক্লৌ কোন্দা তোমথিন শাৎপী লৈরাং মদাই কনশিংদা লৈচনথ্রবী সনালেম্বীনা চাবা থক্কপা লৈথংদা য়াহিপ পোথাকম লৈখংদনা মশাবী অহিং তাংগ্রু হঙ্গববু কোরৌ করম্বা মতমদা হৈখোং খাদা লৈচংহুনা তাওজিং তোমথিন পানববু মথুংনা ফংনা হেকপদো করম্বা থাজগী পিবুরুংদা তানফংজবা ওইগবা পরমতবু রাথন্দুনা ইঙাইথক্কী পোম্বীনা নোংদান লাইজবু ঙাইহুনা কোরৌ করম্বদা কুমদম নোংবু তারগবা রাথম্না ঙাইবগুম ঙাইওম্লক্রে ।। কোংটিংলেন মপান মচাগী মতৌ উবদা য়েংঙম থাংঙমলক্তহুনা নোংকোরৌ অমদি অহিং তাংগ্রু হঙ্গবনা লমকোইরুবদগী হনঙম্লক্পদা লম্মখাংদা লৈথত্তুনা মাইয়োকথাবু লৈরাংনা থেমনৌনা পাওশানা মরাময়াইদা পুহুনা লৈহৌথ্রবা রাবু হৌদাক্তুনা পাওশানা মমোম্বু লৈরাংনবা পাওনাইরকই ।। য়ুংথক লৈরোং অপানববু মরান য়াইদা লৈচংলকপা উবদা সনালেম্বী মপূক লাংতকনবনা সুংশি সুংঙোন পম্বেংনখিবা ইকাই হঙ্গোক অকি তুজুংনখিদরে, নিংঙমখিদবা রাথনবু হন্না হন্না রাথল্লক্রে ।। মনুং মতম্বু লৈঙাইনা মতমগী পাওশা পাওজেনবু ঙাইহুনা লৈজরবী সনালেম্বী নিংজবা রাথম্না থুমহৎখিহুনা খেক্লা খেক্লা নোক্লুনা লৈকা ফন্না শাৎচবী শিংঙেন লৈহাও কৌবীনা খোন্দান খোইমুনা ঙংককপা খোঞ্জেন তারগা মিৎসনা ইরা চেন্দুনা পূন্সিগী মতম ঙাইবগুম খোইমু কনশু কাইদোংদনা লৈরিবী শিংঙেন লৈহাওগী মতৌগুম ঐবু কনাদা চংজরগা লৈফম কদাইদা চত্তুনা রাহৈ করিবু পাওশারগা নিংজবা মহৈবু য়ান্দনা লৈরাংবু শন্না শাৎচববু ওইগদগে রাথম্না রাহৌজগে রাঙমদা মিৎসনা থম্বাল ২ দা ওরঙ্গী ইরা চেম্ববনা মিৎলাং পাংরা য়ারক্তা মরাই তাংজ লুক, খোংবী লৈদা লৈতক্লা নিংঙমদবগী সুংশি মিৎয়েংনা চিংনা চিংনা যেংহুনা খোন্দানবা খোইমুনা করি পাওশাবগে ঙাইজববু খোন্দানবা খোইমুনা শিংঙেন লৈরাং লৈরেন কৌবী নশক হেল্লি নিংথিজে নমম তারে খোইজংনৈ, খোন্দানবা খোইমুনা কাইদোং লৈরাং পাঙহুনা লৈরাঙ্গী লিহিংবু ইংথাজাংনা চুপ্পদা লৈরাঙ্গী লৈহিনা থাবনা খোইমুনা খোংজ লাম্ববু খোংদনখিদবনি, নঙ্গী পাওজেন ঙাইহুনা পুন্সি লাকয়েন তানফংনগ্রো হাইবগুম রাঙাংদনা লৈথ্রবদা মদাইরেন সনালেম্বীনা মখোং খাদ লৈপাই লৈকোইম্না নিংঙমদবা রাঙাংনা শিংথেক্লা তানফংজবা পাওরৌনা পাওনোইজ, ফন্না থোইনা মখোং লৈনা কোঞ্জন্দুনা লৈথরে ।। থোরম্বু মরাময়াইদা লোইদাম ঙম্বনা উবদা মুবা লোক্লৌকোন্দা লৈচংলক্লুনা হাইঙম্লগ্র ।। অহিং তাংগ্রু হঙ্গবা নখোং খাদা লৈচংলিবী অহুদি নঙ্গী নদাইরেন ওইগদবনি লৌখৎলু অয়োন অরান লৈজদবীনি, লুচিংবা কোংটিংলেম্না পোকপা মমোম সনালেম্বীদি লৈচং লৈফম লাংবদা ইন্নুংবুংদা লৈথুপ্পখরহনি, লৈঙম্মিবা অসিদো নঙ্গী তুবি লাই শিদবনা নঙ্গী নয়াথং লৈঙাক্তনা থৌঙম্বা ইনখংলকপা লাইরেম্বী সনালেম্বীনিখাও ।। লাইমিংথোহগী য়াথংবু

তানফংবদা অচিং তাংগ্রু হুঞ্জবনা সনা লেম্বীবু লৈমাই থক্লগী কোনথক্তুনা ওইথম্ম ফম্বাল লাংচল্লে ।। খৌরম্ম্ উবদা কোংটিংলেম্না মপুক তরাও তয়াম্বগা লোইননা চামা চামানা খুজিং ওইনা অঙং অউনবু লৈতম্না নোংপোক লৈহৌ চীংদোন পোক (সনা ফিরুকচীং) কৌবা মশাইকোনবু তানফংনা লৈপিম্না মপুক মরা লৈতপ্না লৈপাল্লক্লে ।x

কংলৈ তাংঙপাত্তা পোকপন। মীরমলেন্দা খুন্দবা

কংলৈ তাংঙপাত্তা লৈঙম্নবা তেদে অসনবগী মফমদা লৈমা তারিংঙ্গু কৌবীনা লৈবাক্কি থৌ-পুববু কাংলক্লবদা কাংথংপুথং নাইরক্লে ।। লৈবাক নিংথৌ কাংথংলবদা লৈমা তারিংঙ্গুনা অমুক হাথবদি—অমুক য়ুম্বানবদি মচা ৯ পোক্লুনা মচা ৯গী মঙ্গুংদা মচা নিপা ৬তি মিঙ্গু'শিবু খংদনা মশা মশাগীদা লৈখনবনা মথোইগী থৌঙম চংলম্ম্ ওইনা থৌপুনদুন চংঙমখিবনা তাইবং মাইথেং ফমপ্রেংনা তাইবং শকথোং চখোনবা লুচিং শাফবা ওইন লেরকপা মমি ণা তচি তা ' হৃঙবা —য়ুংথক লৈয়োং অপানবা মি হুম্না য়ুমথোং খুদবু থৌদা নো দমদুনা লৈঙম্নকপনু উবদা মথোই মচিন মনাও ৬কী মপুক্তা মশাগী তোঙমখিবা চংলম্ম্ লিংশি নরক্লুনা অহি তাগ্রু হঞ্জবু অাক ভুজুংলক্লুনা হৌলম্মাইনবা সনা লৈবাক কবৈ পুমাইয়েন্দা লোঙমগদববু অকি ভুজুংলদুনা মশাগী মবানবু লৈথ দবা লৈফমদা লৈঙল্লবা থৌপুরশি রাংলদুনা মগী মাগী লেইবী তাংলাইগা মচা মশগা লোইনদুনা মানা মানা লৈশিবা লম্ম্ য়েনা চংঙঃদুনা লৈঙম্নে ।। মতুংদা অহি তাগ্রু হঞ্জনা মাগী মামতোন ২দা মাগী মামহন ৬পু হৌঙমজবদা হমান ইবুঙো ঐথাংদগী তাকউম্নদে চংঙল-খিবা লমগী থংঙমহৌদে মহুম্ম্ মৈমুত্তনা লোঙমলিবা অনিদো ।। পাংশবু তাবদা য়ুথব লৈ—য়োং অপানবনা এগী মাম্মা ৬না এবু থাদোক্লদুন লৈযমথ দনা কদাইবু যৌনা চংখদনা লৈঙনা মপুক্ত লাংতক্লনা লৈকোইন লৈরিনরকপদা লৈফম তো তানয নদুনা পাংশ নরবই ।। মাপ্লোইমল কংলৈ সনা পুমাইয়ান লৈবাবপু লৈথনদুন লৈযম্ম্ লোইশা লৈংঙংনিন লৈহম অসিদা মঙম থম্না খুন্দাদুনা লৈঙল্লংস, ইমান নিংথৌ ননা পানাম নমাগা পোকমম্লব নম্মনি তাইদুনা নপুনা নুংশি খোইজং খোংহদরিনা লৈথিবদুনা থা কীনবিব অসিদা নযাংবু থৌম্মগ হইদুনা নপুক তা-থিনবিগনো ।। ঐগী ঐগী শংথৌ হওম লাবপদা ঐগী ঐগী পোকনা শংংঙম ইমা মৈতে লৈমগী লৈচ লৈফম্নদুনা ঐগী ঐগী ইযেক ইচু কাউ যকপু লৈথি লৈ বাংববু তানয নভবা ওজাগে নঙী কুবি নথৌজান্দগী, ইমান নপুক নাওইবগনু হাইনা কাংঙলদুনা অহি তাগ্রু হঞ্জবন কবৈ সনা

পুংমাইয়োন লৈবাক্তা লৈহল্লকুনা লুতুঙ্গী পরঙ্গু থোথিনা কৌত্রু লাইলোংবগী মফমল্লা দা পাওশা পাওদমহুনা লৈথম্লে ।X

লৈওন্নখিবা মশক মমিং

কোংঙ্গোইনা নোপোক অমদা চৎলমহুনা মচা মিপা (পো) কৌবা পোক্লুনা খুন্দহুনা লৈরৌরে । X

যামনা নোংচুপ পাংনা খুল্লমহুনা মচা নি । (ময়া) কৌবা অমা পোক্লনা খুন্দ লৈলানা লৈরম্মে ।X

দেশবোংবল মচা নিপা অমন পোংপা অমগ লোইনহন্না লৈত্তমম্লে X

উংরন খুবনা মচা নিপা থুচু পাথা কৌবা অমগা লৈত্তমম্লে ।X

ই কল্মনা মচা নিপা থেংদি পাশা । অমগা লোইনহন লৈনখোদা । X

খাদিনা মচা নিপা চাইবগা খাখিবগা পোক্লনা লৈওন্নখ্নগী চাইনা (চাইনল) হাইবা অমা পোক্লনা ফুহি মৈ ইবপ্পব মথল মথা শরনা লৈওম্লে মচা খাথিনা খাগী চাইদুনা লৈওম্লেরে ।X

কংলৈ কনা পুংমাইয়োনগা লুচিংশিবা কংলৈ খোম্বগী পুরা

মৈতৈত্তু ব লৈ খোম্বনা মিবমললেনু ওইনা লেওমাখগদা । লৈযম পুম্বনু লৈবাইনা লোইক্তা মরমলেন্দা লেওয়কপদা মযুম এপশমা শরা হগী মাইগৈ ল্যচিংনশিনা অমন অকনবনা নমথক নমচনহুনা মাগী মাগী নম্বু লৈবন্দুনা লৈপুনরক্ত। উবদা মপুক তাদি নাক্লহুনা দনম খুদিনু চংহুনা চীযা মনা থাওনা কোইনা লানাথহুনা লৈওম্বা লৈমা। লৈলাক ব লৈ পুমাইহৌনগী অকোইবদা লৈবা লৈফম খুদিংবু কোইচল্লক্লে ।। কৈওম্ব লুচি থোপুবা লৈবা লৈবিকপ খুত্তম লৈ-চনবা লোইহুনা হো বংলে মা পুমাইয়োন্দা লৈহল্লগে লাকপদা মুরা, নিন্দু থংহি ওয়াংওাই চীং লমগী চীয়াবু কোইনা য়েংওমহুনা লাকওম্মি ।। মতম অসিদ তেদে অসনবদা অমবক হুথানওম্মী মদাইরেন ইবেম্মা লৈমা তারিংম্নু কৌবীনা মাগী বাইথু, ফমলেনবু মরা লৈচেংত্তা, কা থ পুথ

নাইওম্নদবা অতুদা অমুক কোইজাইনদুনা লাকপদা থাংহিং ঙাংঙোই চীংথোংদা কংলৈ খোম্বগা উনরে ॥ লাংওন ফালম হৈশিং থৌথাংবী মউ চারি লিংঙম্বী, মালং কোইজাইনবীগী চেংলৌ শকথোংবু উবদা কংলৈ খোম্বগী খোইজং খোংদবা ওইরেমদুনা মৈতৈও কংলৈখাম্বা পাথংবগী রাখনবু লাইঙ্গ ঈথক ঈহৌবগুম, কুমগী ঈহৌ ঈচেগা তাংলক নাকদনা চেল্লকপা অকুং অতোংবু লৈমান্নমা ঈহনবগুম উহন্না মপুক মওন মওন রাখম্না, খনং মাস্থিক ওকশি হরাম্বা চেক্লান উরিং শেন্দাংবু উরগা শরাক তম্না পাইশিনবা কদাই কববু কমদৌনা নাস্থাকুনা চেনখিগদা রাখম্না ভূমজিন পাইশিল্লকপগুম খোংগাপ বঙ্গাও লৈওম্না লোংঙকুনা মখুং থুংশিবু লিযানা তিনু মাই-যোক্লম্না তিলুক রাবু পাওশা পাওহংঙনি ॥ ইশানৌ লংনু পাইনা লৈনা অগুক খোইজং খোইদানহল্লিবা অশিবু পেম্মা নংবু বনানে, লোইবা কয়া ওংশদা বরিন কনম লৌনা লৈঙ-ম্নবম্লিবনো ? হবুং রাওন থৌয়াংবা পালম পল্লৌ নাওযা লং বানাবংবা লৈঙম্নখিদবনা রাইথুং ফমলেন লৈথংনওমদবনা মালং কোইজাইনংগুম দুভাবু কেইও নদুনা তুশিং ফম্নন হুইথুং যথু কোইনা লৈথিনজরি চীংখোং চীংয়াবু লৈকোইনা, ... ওজন্না শকথেংনা তমজবা খ্বাংনৌবা খোইরাবা নহাকপু বদাই ... লেযমচ। কাইদাং ফম্ব নলু লাংলিবা ? খো-ন্দানবা নখোঙ্গেনবু তাইন্দুনা কোবৌ খুদিংবু নোঙ্ম্‌ংদনা মিংসান ইনাবু চেঙহ না মপুঙ্গী মওম্ব, লেলহল্লীবী লৈহাও কৌবী লৈরাঙুম ইপুন্সি মওম্ব, লোজংল্লাগ হাংদুনা পাওশ য়াবাবু তাহন-লমগ করিবু লুংবু রাবনো. মপা মপা পান্দবা রাইথংহমাংলন থদ্রবী শিংডেং লৈহাও কৌবীগা। ঐগা পান্দমজদুনা কোইনা কোইজাইনদুনা পুন্সিগী মওম্ব, ... হাইবগী কোইজাইনদুনা লৈজবনি ॥ পাওরৌ পাওথুম হৈশিংবা ইহাও লৌরেন কৌনিদ মাংলৌ হেংলো খোইবাংনা ও-রাংনি, লৈনম তারে মপুক কুংঙোন্নবা শিংঙোম্ন নাই লৈবা, ... রাখম্না শিংঙেন্দা থাই-দোং ফম্নাল লাংঙবদা শিংজেন মাগী লৈহনা মও মযাই বনবা কাইংলো গদবা খোইমুনা কাইদোংনদি অকি তুজ্‌ তানফদুনা নযম্ন দ লাক্লগা নশক ... লৈসাঙী লৈঙম্বদা তারগা লৈহল্লবা খোইমুংদা ঐদি মতু নংচাদ ॥ ক লৈ সনা পুনাইযোন লৈবাক অসিগী লুচিং পিবা খোপুবা ক লৈ খোম্বা কৌবতু ঐতাক্লি ঐ অসিগু শক্তা পাওয়া, হক্লা নুংশা না নাওকাল্লমদবা ক লৈ খোম্বনি অতুবু পাগী পুগী থুবমদি লৈথাদে ॥ ঐ। কুমজা কযদ লৈপাখাংডেদা মাইগে লমপুবা লুচি বশিনা মনি মথা লৈতম্না মগী মাগীবু ওম্ব কোইনদুনা লৈংঙইদুন ভুলুখাই তানা লৈঙাক লৈকম্নরমদুনা হৌ ক লৈ লম্মা হনববু লৈমাং হনববু লৈমা থোপুনরম্বদগী মথোই থ-বিকপু লৈখোমজন্দুনা মপুক অনাং লুতোন কানরম্ববু নমথানবা লৈকম থুদিংবু লান্দারুবা লোইদুনা ঐগু চীয়া তময়াবু লৈয়েংনা হনওম্নকপনি ইশানৌ নওু ক লৈ খোঙ্গনশিদা লৈকারশি লৈবাক্লি

মমা লৈমা ফমলেন ৭পু লুচিং ফম্বাল লাংঙম্ববা থৌপুরশে হাইনা কুধি যোংদম্লহুনা হৌ লম্মা হনবা সন কংলৈ পু মাইয়োন্দা লৈক। লৈচংহুনা লৈঙল্লে ।। মৈতৈঙ্, কংলৈ খোম্ববু হনজল্লক্র তাবদা ক[illegible] অঙম্বা অশাই অশম পুম্বনা মপুক হবাও তয়াম্না লৈচংলকুনা খোখল্লক্লে ।। মতুংদা কংলৈ খোম্বন অশাই অশম লৈঙম্বা পুম্বদা ফম্বাল তোংলনি হাইনা পাওতাকুনা মুমিৎ থা থরাইপিচা অচংবা মাইথোং ফলা লৈযেংনা কৌথ্র, মরু লাইলোংবা, চিংথৈমক অচিবা অনিনা থোঙম পরম্ব থৌশিন্দুনা ফম্বাল্লেফাম্ল । মিংলেনবু মৈতৈঙ্ কংলৈখোম পাখংবা সনা সংলি, ঙ্গী, চিঙ ঙবা চাইনা লৈত্লল্লে ।। ইবেম্মগী মিংলেনবু লেমা ফমলেন তরেৎ লুচিং মম্ব ল্লাংবী লাইলেমা তারিংম্বু, ৮ থা মদোন থৌপুবী, লৈমা য়াথু য়াবী ঙমরাং ঙবা লৈহুন্দুনা ফম্বাল মেন্দ মেন্দাংলে । লৈঙম্বা তাংচব পুম্বব মপুক লৈত্তিন বাখননহন্না জিনু ফম্বাল লাংমিংহুনা লৈবাকী মুংভাহনবা অচা অনকমু তঙনা লৈপাম্নবা থৌরম্ব মথা মথা থোংহৌদোকুনা শিন্থ শিন্দম্বীহুনা লৈঙম্বা মী লাইনা [illegible] অচান মিবাই থাইদনা মুঙাই মরাং কাইনা মুংশাংনা শিংথা শিংথেকপা ঙমদনা [illegible] শিন্দম্বী। লৈপাল্লক্লে ।। থরাই পানবা লৈঙম্বা পুম্বগী লৈচংফম তুংনফম ওইহুনা [illegible] পুম্নমক্কি মপী মপা লৈশক্লা ৱায়েন নাওংকোনবিহুনা য়েক্লবা লতনা লৈপাল্লে ।। কমত্ত মতম্না লৈপাল্লব্রবদা নোংমা কোরৌ অমা মদাইরেন লৈমা তারিংম্নগা লিরি খাংচেংনহুনা অশাই অশম্না থৌগম্না হৌলম্মা হনববু কোইনা চত্তুনা লম্বু লৈয়েংমিন্নবদা কনাগুম্ব লৈতারুমদনা মাংখ্রে লৈথিনবদশু তানফংদ্রে ।। লৈফম অহুবু মদাইরেন ইবেম্মা লৈমা তারিংম্নগ লিরি খাংচেংনহুনা লম য়েংমিন্নবদগী মফম হংদনা ক লৈ খোম্ব মৈতৈঙ্না মা খিবা লৈফম্মি হাইদুনা লুত্তুনা থৌকাওদনবা অহুম্নঙ্গীদমক্কা লৈফম অহুবু (খাংচে) হাইনা মিংথুল্লে ।। লৈফম অসিদা ইবেম্মা লৈমরেন ফমথোন ৭ লৈপুবী তারিংম্নুনা শংলেন অম্না শাহুনা শংলেন অসিদা ইবেমা তারিংম্নুনা অশাই অশমগা লোইনম্না [illegible]দমহুনা লৈশাক্তি নায়েন থৌদা [illegible]দমহুনা লৈফমজহুনা মশালী লৈমা নখিবা মৈতৈঙ্ কংলৈ খোম্ববু লৈখাঙরম্ববা বান্দুনা হুঙ্ ইভববু লৈফাওরক্কবনা কুমজা মুংশাংমল্লহুনা মপুক রাইনা তাথিবা ওইঙল্ল ।। লেমরেল ইমথোন ৭ লৈকম্বী লৈমা তারিংম্নু মপুক্তা মুংশি মুংঙনগী রাখম্নবা থুমহৎবিহুনা ক লৈম্না পু মাইয়োনগী খা জং শংলেন্দগী থোকঙম্লক্কুনা লাইলৈমা তারিংম্নু মমিৎ সনা লৈয়োন তদেকপী মিত্রে সনা শাজোইরেম্বী) লৈঙম্না অমুক চীংয়া তময়া কোইহুনা কোইজাইনহুনা লৈঙমথরে ।। অশাই অশম লৈবাক হৌনা থিওম্বগু তানফংনদরে কংলৈ পুমাইয়োনবু লৈশংব লুচিংবা পিবাবু কাংলে=তাংক্ল লৈতরে, লমপুবা লুচিংবশিংনা মাগী মাগী লম্বু লৈকম্নহুনা অকন অকনবনা নমথেক নমজানহুনা লৈপাম্নবা অমুক হন্না থৌহৌনরে ।।x

হৌ কংলৈ লম্মুহনববু তোলোম্নবা চীং মিংহনবা, লাইফদিবী শান্নবা হৌবা

লৈঙাক ভাইবংলাই শখাই য়েলুপমা লৈঙম্বশিংনা মাগী মাগী লম্বু মচেং মচেং কনশিন্নহনা লৈঙাক লৈকম্নরক্লবা থৌরম্ব উবদা ঔরাং লমদা হেনবা মনিংথৌ পোইরৈ কংলৈ অতোনবা কোবা লৈফমদগীনা ঔন্নাং কাংপোকপী লৈফম্ব লৈঙপ্পা লৈপানবা পোংলেনখোম্বা কৌবনা থাগী লৈফম্ব লৈয়েংলুগে রাখন্দুনা ঔরাং কংলৈদগী খোংশাল্লকপদা হৌ লম্মা হুনবা কংলৈ শ্না পুংমাইয়োন্দা খোংচংহনা কোইনা চত্তুনা লময়েংলকপা খোইয়ুম লাইথোং ১০৮ বু শহু য়াঙ্গেম্না কোইশিন কোইশিন্না হৌখিবনা তিমখোং লাইখোংবু লৈমি লৈয়েংবদা মাপি শিংবিনা শোংখিবনা লৈফম্ব ভানফংনবা থৌপুবদা য়াম্না রাঙম ভানফংনরকই ॥ লৈফম অহুদা কোহজাইনা চত্তুনা য়েংবদা খোইয়ুম লাইশু তাইবং কনাশু লৈঙমলমখিদরবদা রাখন লৈশোন লৈশোম্নরয়ে, লৈফম অসিদি (তোলোংবা চীং) ওইঙাম্নদনা মপু লৈতবা হাইবা অসিদি নিংথি চংখোনলম্বা মতিক মঙান পুম্ববু লৈমাংনরকুনা লৈফম্ব লৈমুংনরক্লেদো কমদৌরগবা লুহুংদা, পাঙশানা মথম্তা মুরুম মুরুম ভাংহুনা শোন্দুনা লৈকোইনরকই ॥ থৌরম্ব উবদা ইমা লৈমরেন লৈপুনবীগী জাংগুন ফালম্ব থৌপুবী মমিং শ্না লৈয়োন তাদকপী মিত্রেংশ্না শঙ্গোইরেম্বী লৈমা তারিংন্নু কৌনীনা লৈফম অসিদা শাথোক্তুনা তাংজলুক্লা মাগী ফালম্ব করি করম থৌঙমশিবা রাখন্দুনা শংফোংলক্লে ॥ পোংলেন খোম্বনা উন রক্তুনা হে ইবেম্ম লোইবী তোঙ্গোংবা চীঙ্গা পান্দম্নবা শহু য়াঙ্গম্না থুমহৎলবা তোলোংবা চীঙ্গী চীংয়া তময়া অসিদা শাথোক্লহনা লৈঙম্নরিবা ইশানৌ নংবু কনানো ? চেংলৌ নঙম্না লোইদাম থাজা পাখংবগী অভৌবা মচুনা থবাই পানবা পুম্বগী মপুক রাখনবু শুমহৎনহুনা শাল্লিবা, নশেক নঙান উবদা তাইবং মশক পুম্ববু মপুক ইরাং নহম্না মু শি মুংঙোম্নবা রাখন্ননা থুমহৎনহন্দুনা লাই তাইবং পুম্নমক্কী খোইঞ্জং খোইদববু ওইঙম থোকঙম্না ভাস্তোইরিবা নংবু কনানোনে, লৈফম অসিদবু কনাবু নোংদম্বীরিবা, নিংথি চংখোল্লিবা নশেক নঙান্না ঐগী থমোই লকান্নুংদা লৈচংখিহনা ঐগী হকি লৈফম পুম্ববু লৈশিনখিবনা পাংয়াই কাদা হৌঙম্বা চাম্না মনাগী মথক্তা তরং ইরিক পকপাঙম তয়াং তনিক তশোইনা চাম্না থক্না খাংবঙম খাংহল্লবা অশিবু এবু লংজবা করিবু লৈহনা মালং পাওজেন হৈবনা তময়া চীংয়া শিন্না পাওজেনবব লৈহিতবু ইথোলানা লৈঙম্নবা খোইমুদা করিগী পাওথুংবিদবা, অহুবু নোংদম পাওজেনবনদি তাকঙম খংহমবিদয়ে কোরৌ ভসিদি ইদাইরেনগী কুবি নোংদম্ব ফিগাও শানা য়াজরি ॥ থুম্ন মাস্তক ঙকশি থারাম পুজেং লাইনাও তাবও, ঐ অশে

লৈথায়োল লৈফুৱেল চুম্লনি ।। লাইরেম্বী নহাক্কি কনাবু লৈঙমত্রবা তোলোংবা চীংগুম্বা অসিদা করিবু কদৌরিবনো ? খোন্দান খোইমুনা তমজ্জানরিবা ঔরাং কংলৈদা পানফবা ঐ অসে করি কনাবু উত্রবা কুবি নোংদম্, থিরিবী নোংদমথৌবী অমনি, মুজ্জা ওইবিগী চংজফম্, লৈতবনা মালং কোইজ্জাইনহৃনা ফমলেন লুচিংবু তানফংজগে হাইবগী অহুমুঙ্গীদমক্তা মুজ্জা ঐগী চংজফম্, কোইজ্জাইনা লৈথিরকপদা তোলোংবা চীঙ্গা পান্দম্লবা শহু য়াঙ্গেম্না লৈথ্রবা লৈফম অসিদা রাইথুং ফমলেন ওইগুম্না নারোংনবী শজিগুম নাথৈ নারোং চহুনা লৈফম অসিদা লৈঙবানে ।। ইদাইরেন ইবেম্মা লাইরৈমা লৈফম অসিবু লৈথানবা তৌওম্বীরো ঔরাং কংলৈ চীংদানপোক কংলৈ নাইতোম পোকপী লৈফমদা লুচিং ফমলেন লৈফম ওইবিরো, ফম্বাল লুচিং লৈফম্, নোংদমজবা তানফংজগে ।। থুম্ল মাস্তক ওকশি থরাম্বা পুজেং লাইনাও পাওশা হৈশিংবা নোংদম্বাবা নয়াথং ফিগাও শানা য়াজগে অহুম্নদি ওইবদা ঐগী থৌরম পাওশা অমতংবু হাইজ্জা নিজবা ওইজগে থৌরম অসিবু নোংদম খোয়ানা থৌওম থৌপুব্রিবরকদি হৈনা থৌগল ওইজগে । তাকপীনি ইবেম্মা মঙ্গী পাওশা থৌরম্, থৌওম থৌপুনজগে হাইবিও ।। থৌরম অতৈ নচচদে ঐনা তৌজবা থৌরম নম্বী খুদিংদা নপুক তাথি নাওইবিহুনা পুকহং পাওহংবিগনু পাওশা পাওহংজ্রি মথৈদি নফম্নাংদা লৈগনি ।। ইশানৌ ইবেম্মা ইকাম্নুংদা লৈরগা নমিং তৌনা নঙ্গী ফালম্, কাইদনা নমিং তম্না শাম্নববু তানফংনৌ থৌরম খুদিংদা পাও হংজরোই হাইনা রাশরুহুনা পোংলনগোম্বা লৈমা তারিংল্লু অনিবু লুতিন ফম্বাল্লাং-মিম্নহুনা ঔরাং কংলৈ কলা অতোপ্পী লৈফমদবু লৈহনবা তৌদনা হৌকলৈ নম্বহনববু তোলোংবা চৌ হাইনা মিংহুন্দুনা হৌমল্লরে ।।৬

লাইদি = লাইফদিবী শান্নবা হৌবা

হৌ লম্মঃ হনবা কংলৈসনা পুংমাইয়োন=তোলোংবা চীংহেন্দা পোংলেনখোম্বগা লাইরৈমা তারিংল্লুগা লৈমিন্নবা অসিদা নোংকোরৌ ওমগী হহিং অমবু লৈচুপ্পা পোংলেন খোম্বগী মনাক্তা থৌগম্না লৈঙমদে, অহিঙ্গী মতম্, লৈচংলকপগা মাগী (তাবু) হাইবা লুবাক মথুম পানবা হাওশম তোংনবগুম্না লৈপুবা অমা লৈঙন্মি ।। তাবু কৌবা লুবাক অসিগী মহুংদা মাওোন্দগী শাথোকহনথিহুনা লাইমুরাবী ৮ থক মক্তি মরোনবু লৈচোম্নন শেংহনহুনা মানা নিংবা মশক মশকপু ওইহন্দুনা মানা নিংবা থৌরম্, শান্নবা হ ইহুনা লোক্তুনা তুমহন্দুনা লুবাক অহুগী মহুংদা থম্মি ।। অহিং হেক ওইবগা তাবু লুবাক অহুবু মনমদা পোহুনা পুরগা মিচিক মিয়াওখোম ভাদবা মফম

অমদা লৈচংহুনা মখল মথা অয়াম্বা যুম্বাল্লোনগী চংলম্মু মানা হৈশিং থোযাং পুচিংবী ওইহুনা তাবু লুবাক অহুগী মনুংদগী কৌথোক কৌথোক্তুনা মানা নোংকোরৌ কোরোগী শম্ননিংবা পরম খোরম্ব খোপুনা শান্নহুনা মাগী নুংঙাইবা থোঙম্ব থোপুজবা ওইনা অহিং অহিঙ্গী মতম পুম্ববু লেংভম্বগা অযুক মুংথিজনা হনগম্নক্তুনা পোংলেনখোম্বগী মমাক্তা লৈঙম্মি ॥ মতৌ অশুম্না লৈামিন্নবদা পোংলেনখোম্বনা নুমিৎ থুদিঙ্গী থেম্মৌনা লৈহোংনববু লাইরৈমা তান্নিংহুনা হাইজবদগী খাংম্নকহুনা কংলৈ তোংলোং চীং কৌঙম্নবা লৈফমদগী ঔরাং কংলৈ চীংদানপোক= কংলা চেম্বী খৌবা লৈফমদ লৈহল্লক্তুনা পাল্লয়ে ॥ মহুদা মযুম চান্নি হাথরগে লাখলক্তুনা পোংলেন খোম্বগী লেংদম্ব পোপুনা লৈমা তান্নিংহু রাঙ্গোন খোঙ্গম্নহুনা মদা নিপা অমা তাইবং মপোক অমা ইফাওয়ে । পম্পৌ মপানা ইক তাঙ্গা ঈপি ইন্নম্নথিবা ইপোক নুমিত্তগী ৬ নি শুবা নুমিত্তা তাংফংনববু থোপুনা ইপা মউ মুংশাংনা লৈপান্নবা অযুক নুমিদাংবু থোনিনহুনা নোংকোরৌ নমি লৈচংবদা লাইবমলেনগী চংলমদা ইমাংবা ওইবা থোরম্ব ইশেং ইথাইবা থোঙম্ব খোপুনরগা নুমিদাং হেক ওইবগা মচাবু লৈথম্নমহুনা মাগী তাবু লুবাকপু কশম তোংনবংম্না পুখিহুনা মীচিক মীরাঙখানবু তাদবা লৈফম্ব লৈয়েংহুনা চীংখোং চীংযাদা চংখিহুনা মাগী তাবু লুবাকপু মখুম লৈহা দোক্তুনা কৌরক্লে । খোইনৌ মঙাংবোই (অখোম্ন, অহুম, অরৈম্ন, চাখাম্নু, চপাং যাঙ্গাইবী কমপোংম্নু, কৌনী লৈমা; শিম্বা লৈমা থোযাবী) নঙ্গী নঙ্গী নথোনভম্ব শাথোক শাদম্নরণি শাথোক্লো থাকৌথোক্তুনা ইতা মঙাইরোই নুমিৎ শিঙ্গম থাঙ্গা ১গা কোরৌ ১১ নিবু তাবুম্নংদা হাওশুমহুনা লৈথম্নরেদো ॥ নপুক তাথি নাশইনগন্নুকো কোরৌ অসিদগী নৌ হৌনহুন অমুক লৈশান্নরশি হাইনা থোরম্ব, লৈশিন্না যুম্বাল্লোনগী খোরমদা মম্নু নিঙানবু লুতিন পানশা য়া হাইনহুনা য়াথং লুতিনবু রারেপ্পা হুহে, লুতিনবু লৈহুন লোয়া লৈরোনহুনা লুতিন ফম্বাপ লাংমিন্নবা মযুম যুম্বান থৌলিংনহুনা মানা মানা নিংকপা থোরম্ব, থৌঙম থোপুনা শান্নহুনা মু চাইনরগা অমুক তাবু লুবাক মনুংদা লৈহাপুনা মরাম য়াইদা হনঙম্নক্লে ॥ মতৌ অশুম্না মচাবু অহিং অহিং লুন্দাক্তুনা চৎঙম্ব। অসিদা মপুক তাখিবহুনা নোং কোরৌ অমদা পোংলেন খোম্বনা হাইজ্জএ ॥ ইদাইরেন ইবেম্মা কোরো ঙাসদি নফমলা দা থৌমম অমতা নিঙমগে ॥ অহুবু কুরি থৌঙম ওইবনো হাইবিও ॥ ইশালৌনা য়াঙম্বাইনা এৌনা থৌনিজবগু লৈহ ম্নাগে হাইবগা রাপপ রাশক অমতং তাঙমলবদি হাইজগে । হাইবিও থেঙম থৌয তান মাকেম লোমা ইমানা অরেম্বা ঐগী রাশক্লি ॥ থংজয়ে ইদাইরেন ইবেম্মা নঙ্গী রারেপ অরেম্বা পরম অতৈবু নংচাদ ইশালৌ নংমা নঙ্গী তাবু লুবাকপু পুহুনা অহিং অহিং কোকজাইনমা চংহুনা শাম্নবা অসিবু তোকঙমলাশি কোরৌ অসিদগী থোহৌনা ॥ উম, এৌনা তৌজবা থবক্তা ম্নোযে খোথিরবাইদো, নরাথবু থোপুনা

কোয়ৌ ঙসিদগী তোকচরগে পাওথুমলগা মাগী তাবু লুবাকপু মনঙ্গন্দা পোহুনা পুঙমহুনা পোং-লেনখোম্বগী মশাইকেন ঊরাং থৃ, চাংথৈ পাবা পোংলেন খোঙ্গ [illegible] হৈকোম্নুংদা লৈচংহুনা তাবু লুবাকপু লৈথমলে ।। মঙাইরোই ৮ বু [illegible] পাওমল্লি, খোইনৌ [illegible] মঙাইরোই ঐগী ফালম অসিদ ঐবু লোইরিবা ইপুরোংবগী মযা [illegible] নো দমদগী ফানাম অশিনা থোরোইনদরিবা মথৈদ নখোং [illegible] হরাওম থাই কামিম [illegible] বো বা ঙসিদগী [illegible] শেং [illegible] তাঙমলেদো নখোই ৮ বু [illegible] অসিদ [illegible] লৈঙমম্মু ঐগী [illegible] ঐনা নখোই থাইগী নরক্তা অমুক লৈহন্না যাওং [illegible] যাওদম [illegible] হাইহুনা ল [illegible] বু [illegible] ফদিবী [illegible] অবৈদ, চ থ মু, [illegible] কোরি [illegible] লৈমা থোয়া বী [illegible] ঐনা [illegible] পুঙনা [illegible] পাওদাক [illegible] নগী মরগা লৈচন [illegible] তৌগমলগ [illegible] । [illegible] তারিংন্নুনা [illegible] কৈবম্মনা পমহুন পাবি [illegible] নমা ঐক্তা নোংকাংগী থুদিংমু ইবম ৮ বু লৈফাংনা পী । পাথকদবনু কোংবৌ অহিং [illegible] পজ [illegible] তৌদনা পোখাহন্দ । [illegible] মখিনা থোরম্মু লুতুঙ্গী পাওশা ওইনবা [illegible] ([illegible]) [illegible] হুল্লমগে [illegible] নমাগী খোমলাং ১০৮ বু [illegible] চুপ্পা লৈথরু । ইচানি কোংবৌ অশি অশিদা [illegible] লৈশুনা ইমান খোম্লাং [illegible] খোংবা [illegible] মলো হাংনা থামলা বু [illegible] । [illegible] ওাল্লবদ নঙ্গা ঐগা হাইনবা [illegible] ।। [illegible] অসিদা পৌজাংহৌরো হাইহুনা পাওনজাংগা [illegible] থিহুনা [illegible] ।

মাইগৈ লমগুবা এ[illegible]গ লাইনা ল[illegible]রে লাথুপ্লদুনা লৈওম্নবা

মথা মাইগৈ [illegible] পোং ওাইবা কৌননা চিংযুরোং [illegible] পাম্নহুনা লৈ-ঙমককপবু মচা নাওদনা [illegible] লৈঙ্গনদ । [illegible] লাইমিংথোই অশিবনু থাগোন ইবাংনা [illegible] মকু [illegible] চাদনা মচা নিপা অমা তানফ লে ।। খোইয়ুম লাইগী নোংদনদগী তানফ জবনি হাইহুনা মঙ্গিংগী পুঙি মতম্মু কু শাংলক্রবা লৈঙমগদবা মতম্মু থুজিল্লরবা মতমদা তনফংনৈ হাইহুনা লাইমিংবু (নোংদম অথুবা) [illegible] । নোংদম অথুবগী মফমলাংদা মথৌ মঙমগা লৈফমগনু লৈশিন্নরম্মগা থা কংলৈবু লম [illegible] চংঙমথুগা কনাবু খংহন উহন্দনা ল ইমিংবু লাইয়েক (ওম ড্রী, ভং ওম থট) [illegible] ইখেংন [illegible] লৈহন্না লৈখ্রে ।। লৈফম্মু থা শুঙমু [illegible] তুবু পাথংবা [illegible] কৌনার ।।X

ঔরাং লমদা হেনবা মনিংথৌ চেংঙানা লাইওইখিবা

মনিংথৌরা চেংঙা কৌবনা লৈথয়েম্বীবু পাম্নবদা অহনগী মতম্, ওইবনা মুংশাংনা পাম্লক্লবদা লৈথ্রগে রাখল্লব্রদা মচা নিপা অমা তানফংনরে ॥ অঙাং অসিনা ঐগী ইচম্, লৈশিনহৌনবা হাইহুনা ইমুং ইতমগু নত্রবা মতম অসিদা তানফংলরিবা অসিদি নোংদম্বনা নোংদম্বদা ঐগী চাদা নাওদা অহানবা ওইনা নোংদম্লিবা ওইরে, অহুনদি অঙাং অসিগী লাইমিংদি ([illegible] দম্‌লেন অহানবা) মিংথল্লগে রাখল্লহুনা মচাগী মিংহুনবু লৈতম্লহুন, মথংদা নাওদা অমবু তানফং[illegible] থল্লহুনা লৈথ্রপ লৈমাংদনা থাংহুনা লৈববু মখাদা চাদা অমঙা তানখংনখিদ্রে ॥ ঐনা [illegible] অশিদা তানফংনবরোইদবদা নাখন্দুনা লৈঙম্বনিদনা অহুদ ডাইবশিনা [illegible] পুন্সি হক-মল্লে, ঐ লৈথ্রবা তৌওম্বা তারে রাখম্লহুনা মচা নোদম অহানবদা মাগী মথৌ মন্নম্, লৈশিন্নবগা ঔরাং কংলৈ লমকোইকগে যাথোন্নখ্রগা [illegible] লাইযেগ লাইমিং লৌহুনা তুবি নাইওইনা ঔরাং কংলৈ মক সনাহন লাইখম সনা [illegible] লৈথংহুনা লৈফম অমনা শেকমাই খম্নাং কংলা [illegible] লৈহুহুনা লৈপাক অসিগী [illegible] সনাফম্বাল লৈফম অমা ওইওম্মা লৈথম্নরিদো, [illegible] পান্থুমগা ×

নোংলেন নোংপোক লৈহৌদ গানযবা থরাইনা লৈথ্রপখ্রবা

মচা কুপকংবনা চিংনু লৈম পাম্নহুনা কংলৈদা [illegible] মচা নিপা বু তানফংজরে ॥ অঙাং অশি [illegible] মহুংদা মচা অমা [illegible] মচাগী মিং (কুরু মালেম মৈনাইতবা) মিং[illegible] মাগী মাথৌ মন্নম্, লৈশিন্নহুন [illegible] পাবি [illegible] চারি লৈথানা লৈপাঙবব তানফংহুনা পাগী পুগী থুংনম্, [illegible] লৈপানবা তানফংবা [illegible] হাইনা নোংদম্বীরগা নোংপোক লৈহৌ চিঙী [illegible] হাইবা লাইয়েকপু লাইমিং লৌহুনা তুবি [illegible] থম্নবগা থখ্রনা লৈঙমখ্রে ।×

খ্বা নোংপোক শুংদাই মনিংথৌরা য়ুচেংনা লৈথ্রপ্রখ্রবদা

মচা কুকম্বনা হাইমু লৈমবু পাম্নহুনা মচা নিপা অমা কুমজা মুংশাংনা লৈপাম্নরগা লৈথ্রপ রাখনবু লৈখম্নরব্রবা মতমদা তানফংজবা মচা ওইবনা মচা অসিবু নোং কোরৌ অমগী মন্নুংদা

কোলুপ অমা কাওবা থাদোক্লবা লৈতনা চেংনা লুনা মনাক্তা লৈথমজনা লৈমিন্নদুনা। লাইরমলেন মীরমলেনগী চংনলম্ব, হৈশিং থোইয়ানবা তাকপী তন্বীদুনা নাওয়োক নাওকোম্না লৈওম্মি। মথাদগী মমাওশিং মচনশিং কনাবু নাওদরক্তে হাইদুনা মচাবু চাদা নাওদা মরাং কাইনা তানফংনা লৈপান হনগে রাথম্নদুনা মচাগী মমিংবু (কুরুমলেন মৈনাইবা) মিংহুনবিদুনা কুরুম্বনা মাগী মথৌ মওম্ব, লৈহাপ লৈশিন্নরে।। নোংকোরৌ ওমদি মচাগা লৈরি থোংজিনদুনা= খুৎ শম্বুনা হৌ কংলৈ লন্ম হনবা সনা পুংমাইয়োম্না কোম্বিবা কংলৈ পুম্বব লৈকোইনদুনা লাইথোং থিনথোং লৈওম্বা থৈবিকপু লৈথিজন্দুনা মচাগী মফমদা লৈতান্নম্নগা (কৃ সনা কোনফু মনিক) ওম হ্রীং শ্রীং লাইয়েক য়ারাগী লাইমিং লৌদুনা খা নোংপোক শুংদাই তুবু থপ্লাংবা সনা হেদিং পাথং থপ্লাংবা, খোংদাই অতম লৈশুম্না তুবি লাংওন ৭পু হিওম্বা তুবি চারি মপা লৈথানা ল্যাবা থিয়াং থোক্লা লমহৌনরকপা হাইনা মিংহুনবু লৈওম্না মাংশ্রে x

থাংহিং ঙাংঙোই মুরাও নিলদু পানফবা

লাই পাখং মুনানা লাইওইনা লৈখ্রবদা মচা কোইজাইনখিবা হৈরাংবনা লৈখারোনলমদগী লৈ-ফাওনরদুনা পিশিন্নবু মুম্ব'ম্নদুনা মপাগী খুবম্ব, লৈশিন্নদুনা লৈপান্নবদা মচানিপা অমা তানফংওদুনা মমুম্ব, লৈমুত্তনা মউ চারি লিংওম্নবা রাথন্দুনা মচাগী মমিংবু ইরোংলেন নোংচুম্বা মিংহুন্না লৈশিন্নদুনা লৈথম্নগা লৌতাং পাংপু ইয়েংলুগে খোংশানপ্রগা লাইমিংবু আঁ শ্রীং হ্রীং হ্রীং আঁ শ্রীং লাই-য়েকপু লৌদুনা তুবি লাই মনিং তম্বা ওইনা লৈশ্রে।।x (মরোন অসিদো মনিং তম্না লৈপান্নবা মানা মানা লিংববু নোংলম্না নোংদম্বীদুনা লৈপান্নেদো শিবা নাবা লৈখংদে। চাবা শেংপা চানিংবা মতমদা চাবা শেংনিবতা শেংপা ফংনৈদো মৈতৈঙ)।।x

লাইখুং ১০৮ গী লুচিংবা লাইনা ৭না মথৌ মওম্ব থৌনিদুনা শিন্থাবা

হুয়িচক মিংহুনবা চক্তি ফৈদোম অতুগী মতিক মঙান মথৌ মওম তৌওমলম্বব মওম্ব, শামথা-নরক্লে।। মতম অসিবু ঙাইদুনা মাগী মাগী মথৌ মওম্ব, থৌপুগদবগী লৈওম্বা লাইথুং ১০৮ গী লুচিংবা লাইনা ৭না রাতান্নহনা লাইমিংথোই অশিবগী মফমলাংদা লাক্তুনা মথোইগী মথৌমওম্ব

থোৎহৌনা লৈঙম্বা মশক পুম্বদা লৈচং লৈথুংনহুনা চাক্রি ফিনিবা থোৎহানরগে পাওশাররে ।। মৈতৈঙু নোংদালাই পাথংবা লুচিংবা লাইনা ৭ কৌবদি ১ ঈ কৌবা মশক অসিদা তোংহুনা চৈবিগদবা ১ পাথৎপা; ২ ফিঙ্গৎপা; মমিংপু লাংথহুনা কোৎপু [illegible] খৌংম্না [illegible] চুনা ইগী মরমদা লাইনা মথল মথা পিনবগী লুচিং থোপুবা লাইমিং লাইযেক য়ারাবু ওম হুঙ্ রোংরিং লাইয়েক য়ারানা থরাই য়াইবি মেকবা ওইবগা (২) অমদি হকপু শানা ডান্না, শাংগৎনা ওলাং খোইশাও ববু চৈবি তেমথেংনহন্না মাহনবা লাইনা পুম্বগী লুচিংবা লাইমিং য়রাবু ওম থুং চুঙোং হন্না লাইয়েক্লা থরাই যাইবিব মেরুবা ওইবগা, (৩) [illegible] ইঙুল [illegible] থাক থঞ্জিনবু ফুলহনবা মরি মরাবু লৈশোক্লা লোবথুনা, থোংদম্বরু চৈবি তেমথং ওইন্না লাইথুং লাইনাব পিজম্-গদবা লাইনা পুম্বগী লুচিংবা লাইমিং লাইযেকপু মুজুংজাং লাইয়েক লাইরানা থরাই যাইনিরেল মেরুবা ওইবনে ।। (৪) হবপু ঈংনা [illegible] চৈব তেমথেংহন্দুন অনা লাইগুংং পিজমগদব লাইথুং পুম্বগী লুচিংবা লাইমিং লাইয়েক য়রান ওম [illegible] থরাই য়াই-বিরেস মেরুবা ওইবনে ।।

(৫) ইরম থোংলম খো ওখুদংবু চৈ শাক্লা হুংশিংনা চৈ ব তেমথে ওইন্না নাই গদন লাইনা পুম্বগী লুচিংবা য়রা লাইয়েক লাইমিং লাইবরু ওম দ্রোং [illegible] থরাই যাইবি মেরুবা ওইবনে ।

(৬) অথিংবা অশাবনা চৈবি তেমথেং ওইনা চৈবিহুনা নাইনদবগী লুচিংবা লাইয়েক হবা লাইমিংবু ক্লীঁ ব্লীঁ স্ত্রৌঁ ফট লাইযেক য়রানা যাইবিরেল ওইবগা ।।

(৭) লুভুং শিংলি নাওরিগী হকুদা চকথোংনা [illegible] লাইনব চৈবিনা [illegible] লাইনা পুম্বগী লুচিংবা ওম স্থং স্থং দ্রোঁও ঘট লাইযেক য়রানা থরাই যাইবী মেরুবা লাইবা ওইবগা ।।

লুচিংবা মখোই [illegible] লাইমিং থাই নোংদম্বদি নোংদম্বীহুনা অবাই ইনাও ১০৮গা লোইনহুন, ঐ থাহ ৭পু শেম্বীরগা শিম্বাখিবা হখো ইদমাদ হৌহিক যাংবা [illegible] ঐখোইবু চাদনা থনা অশুম লৈঙম্মু হাইবরা হয়িচক [illegible] লাকয়েন [illegible] লোইহন্নক্লে ইখো ইওম্মু শিম্বানহুনা চাকচা ফিশেং লৈতম্বীরো ঐগী ঐগী ইখোবু থোপুনবা য়াংনিরো ।। লুচিংবা লাইনা ৭ মক চুম্মি নখোংনা হাইবা হয়িচক হাইবা অসিগী মংলি লৈপানগদববু পুন্নিগী লাকয়েন ভংথাইদি চনত্রে অহুবু থোরম্ম অসিদো শেম্বা মতমদি নখোই খ্বাইগু য়াঙনা শেমগৎ

শাগৎপ্রবনি ।। মশিদা নোংদম্বা মতমদদি লৈঙম্মিবা মশক পুম্মক অসিবু মালেম জকোইবদা শিন্থ্রংনা লৈঙমহৌনবতা রাখনবদগী (নাবা, শিবা) হাইবা থৌরম অসিদি নোংদম্বদদি মাওহৌদরে, পোল্লগা হিংদুনা মানং মথা লৈতম্না লৈপানবা ওম্নবতা থৌশিন নোংদমথরে, লৌথোক্লবা পম্নদি শিনজমহৌদেদো মানা মনা লৈনিংঙিবা মথৈবু লৈবা ওম্নবা থৌশিন নোংদম্না লৈহনপ্রবা মশক ঙাক্তনিদো, নখোই খ্বাইগী মখো নক্লম থৌরম অমা নোংদমপ্রবমিনা থৌরম্ব, থৌওম্নবা লৈশিন্দবা য়াদবনিনা নখোই লাইথুং পুম্বা ঐগী হক্চংদা লৈরক্নো ।। ঐঙোন্দগী লাইনা লাহথ, নখোইবু তাইবংশিংনা লৈনি থোক্নদুনা নখোই খিবিকপু লৌওমহৌনবা ঐনা থৌওম্নবা থৌপুবা ওাওম্ম হাইনা নোংদম্বিদুনা লাইমিংথোহগী হক্চংদা লাইথুং ১০৮ গী জুচিংবা ৭ পু নোংদম থৌরম্ব থৌপুনা হক্চংদা লৈচংনা লৈওমগে ।। লাইমিংথোই অতিয়া মরু শিদবগী মফমলাংদা লৈচংদুনা থৌরম্ব থৌহঙ্গে রাখন্দুনা লাক্লে ।। থৌরম্ব লৈখংলদুনা অতিয়া মরু শিদবনা লাইমিংথোই মচাবু উবদা তম্নাম তশোই খোইজং খোহদানা কৌএ ।। কোরৌ হুনবনা খদা ওইনা লৈফম্বা লোইদা থাজনা থকখল ওইনা খাল্লিবা পারি লাইমিংথোই মুংঙাই য়াইফববু নোংদম্না মপোক অথোইবু চংখোম্না অপোক ইহুনবু কবিনা লৈপান্নবদি নপা ঐনা উঙায়ে, অহুবু অপোক শাথোকনখিবা মশক্লা লৈহনফমদা লৈহন্দুনা লৈথুংফমদা লৈথুংলগা মপোক ইহুনবু লৈতম্না শাথোক শাক্কোংনবদি নপা ঐবু উহল্লি ওহুনু পারি ইচান করিব করম নোংদম্লিবা মতম অসিবু হক্লা মুংশাংলবরা ? মথংলেনগী চক্পু মমি ভাবওম উঙমকেদ। ।। মরু পরম থৌরম অহুমুঙ্গীবু হংনফমদা রাহংজবা চংজফমদা চংজরক্কই অহুব করিবু করম্না থৌহৌশিনবনা লুচিংবা লাইনা পগু হথুং ইফাওররে ।। লাইমিংথোই মহুদি নশানৌ কোঙন ভুখোকপা পাথবগা পারি নচিন ননাওনা লৈবাক কোইনা তানবা পাল্লহেন্দুনা তাহন খংহনবিদুনা পাল্লশানবা থৌপুরো, অদুগা পারি নচিন ননাওগু লৈথ পথমদা লৈথুপ্না থৌ-ওম্বিদুনা হন্না থোংগু লৈযংনা শিন্দাফম্বিদুনা নতিক নওানবু লৈথংবা থোপুরো ।। মরুগী নোং-দম্ব, তানফংবদা লাইমিংথোইবু লৈহল্লক্লে ।। লইমিংথোই অশিংনা মশানৌ কেংকনজুংথাবপগী মফমলাংদা লাক্লনা নোংদম থৌরম্ব, থৌপুনবা থৌহৌবদা মশানৌ পাথংনা য়াম্বনা লোনখীবা পুম্ববু হৈনা থোগংদুনা থোংম্নবা থৌপুজবা ওইজনি হাইনা লোইনদুনা লাইমিংথোই মচিন মনাওবু তাইবংলক্তা লৈতিল ফম্বাল লাংনা লৈমিম্নববু থোয়ানবা শাথোক লৈফম্ব, কোইজাইনা লৈমি লৈয়েংনরক্লে । x

মংনম অসিদ, কেংহংলেনগী মচা পোংথানা পীয়াইম্বুবু য়ুম্বান্নদুনা ক্রমজা মুংশাংনা লৈংমলক্লবদা মমানিশা হৈরোং ঙাংলেনবু তানফংবদগী মতুংদা মচা অমুক তানযংনদ্রে ।। পোংথাগী মপুক রাখন্দা মচা অমা অনিদঙ্গা তানফংনিংদুনা নোংদম্ব লাই অতিয়া শিদবা, পুরুম থাগোহদুনা মচা অম অনি-

দগা তানক্ংজবা ওইজগে হাইদুনা চাবা থক্পা পোত্থবা লৈতনা মরু অতিয়া শিদববু নিংজৈএ ॥ পোংথাগী জাইনিংবা রাখন থোৌরম্ব লাইমিংথোই মচিন মনাওনা উত্থনা রাতানদুনা পোংথাগী মদাই-য়েন পিয়াইস্থগী শিয়োমস্নুংদা চংদুনা মচিন মনাওব লৈঙমথরেদো ॥ অনিমক্কা লৈচংকম্বাল লাংনা লৈঙমখিবব পিয়াইস্থগী শিয়োম্নুংদা কুমজ্জা অহুম লৈশুরে, তাইবংনা য়াকা কম্বাল্লাংবদা পাওরি পাওশানবদা য়াওনরে ॥ নোংকোয়ৌ অমা পিয়াইনুনা ইশাইফু অমা পুদুনা ঈশিং শোক্লুইএ. ইশাইফুম, পুদুনা লাকপদা থরাব রাওমদুনা থেলোং ময়াইদা=শুমাং ময়াইদা ইশাইপুব লৈথমলগা থু ২ দা মথুং শৌনা মরাই লুক্লা য়েংদুনা ঙাহাক অরা পোথাজৈ ॥ তাংজা লুক্লা মমিং উংশিন্না অরা লৈহম্থোক্লবা পোথারম্বদগী মমিং পাংথোকপদা লোইনবা মমিবু ইশাইফুগী মন্নুংদা মমি তাদুনা লৈঙম্ববু রাখন ভায়োম্লনা থবথিদুনা অকি তুজুংনবনা লুরাই কোরেল যৌনা লৈশাংবথিদুনা ইশাই-ফুগী ময়াদা উপ্রাক লৈশিংনা তুদুনা রাস্থদুনা লৈএ ॥ পলেম ওইগদবগী অরাবা মৈশাবু উবদা শিয়োম্নুংদা লৈবা মশক ২না মমা ওইগদবগী অরাববু লৈকোক্লবা হাইবগী মমাগী শিযোম্নুংদগী য়াংলম থাইনা মনিলগী মশকপু ওইনা লুরাই কোইরেন তম্না হাইগংখিদুনা মমাগী লুরাইদগী নোংথৌ লৈচিনগী মশক ওইনা শাথোক্লকুনা নোংথৌ অঙাংবা লৈফমদা লৈফম্ু ২ থোক্লা খাইদুনা লৈঙমলক্লে ॥ মশকপু (নোংথৌতুরেল) হাইরিএ হে মৈতৈও নোংদলাই পাখংবা ২ বিরো ॥ অনি থোক্লা নোংথৌগী লৈচিনব শাংথা লেংথনা লৈফাদুনা লৈফমলগা হাইরক্লে ॥ হা পলেমশেম্বী ইমাও নঙ্গী য়াংলম খাইনা থোঙদুনা নচা ইবীঙানিব পালেম নঙ্গী লুরাইদগী নোংথৌগী লৈচিন, গুম্না থোংথোক্লনা ইমানা অরা লৈথম তাবব লৈকোক্লবা শাফোংজায় ইমা নংশু রারম্ন ॥ হকপু তয়াং তশোইনা শুংঙাই য়াইবি মরাং কাইনা লৈরমথো নচা ঐখোই অনিব তাইবংলক্লো লাক্লনা তাইবঙ্গা তিলু লৈফম্নগনি ॥ নচা ঐখোই অনিদি (লৌশি লাংথাবপা শমদোন লাংদান শম্বা, মহি কক্লাওবা) কৌএ ॥ লাইমিং লাইয়েক্লা (শম চুঁঙ ওম চুঁঙ ওম চুঁঙ নেং নেং নেং নেং লাইয়েক য়ারানে ॥ ইপাল্লাংদা থোকওমজগদবা লাইমিংদি (অমাইবা, অমাক্সবী) মিংজ্ঞা লাক-ওমগে ॥ পাওশারগা মাংগ্রে পিয়ংস্নু পলেম শকপীবু কপয়াং তাংযাংনা মচা লৈশবপা অনিগী রারু তাবদা অরা লৈথম তামক্ংবব লৈকোক্লদুনা লৈঙম্ম ॥ মতুংদা তাইবনা ফালম মপোক আশিবু অঙকপনি হাইদুনা মৈতৈও নোংদাইলাই পাথংবা তাইব মপোক শাকোং থোংলমদগী অতোম্না থোংলমদা মপোক শাথোক্লখি হাইদুনা (পোইরৈ তোপ) কৌএ ॥ মশক্তি অনিশুনা থোকওম্নকএ হাইদুনা (তোনফাং) হাইএ ॥ মপোক ইদুনর তাংওম্বা ওইথোক্লদ্রবা মপোক অতাংবা মপোক্লি হাইবগী (তা থোং) হাইদো ॥ তাইবংলক্লবু থোইযুম লাইনা তাম্রদুনা শেম শাদুনা শাথোক্লে হাইদুনা লাইনা শায়োনবনি লাইশ্না হাইএ ॥ লৈফম থংদনা চংখিএ মাংখিএ হাইদুনা

(তাইবং মালং কোইজাইনবা) হাইনা মিংছুনবু লৈয়াত্তুনা (পোইরৈ তোপ তাংখোং অতোপ্পা মালং কোইজাইনবা লাইনা শাশন্নদুনা শাথোক্লম্বা লাইশ্না হাইনা মিংছুন্না থোকওম্লকপবু ঙাইহুনা মমা পিয়াইম্নুনা মচা অনিবু ঙাইহুনা লৈঙম্মলেদো। x

লৌউবা মাইগ ৪ লৈগুনা

পোংথা কৌবা নোংচুপ লোইয়া মনিংথৌরা লুচিংবনা মচা অমুকপু তানফংলনি নোংদম্বনা কুবিরে রাথঙদুনা মপুক রাখলবু হয়াও তয়াম্না লৈবদা মচা তানফঙদবা মশক্লা ওইথোক্কবা খোং-লমদা মনিলগী মশক ওইনা শাথোক্নুনা লৈকম খংদনা মাংখিবদগীনি মপুক মুংনাং মুংঙোন্নবা রা-থন্না মশাবু থুহুম লৈচিনখিবনা লৈঙমনিংলক্কুনা অরা মুংশি মুংঙোন রাখলবু পোথানবা হাইনা চীংমান উরক রারক্লা কোইনা চঙ্নুনা মতম থরা লৈরম্মগা মকম খংহন্দনা মাংখ্রে।।x

মতুংদা মনাও হৈনাও পোইনা ময়াম্বনা পোকলম্বা মচা হৈরোং ঙাংলেনগী মথক্লা লান্দা-রকলে।। ইয়াম্বনা লৈপুবম্বা লৈফমদি শপ্তৌ ইপাগী লৈফম্নি ঐনা তানফঙদবা লৈফম্নি হাইহুনা লালহৌহুনা মুল্ল।। মতম অসিদো মৈতৈঙু নোংদালাই পাখংবা হৌ লম্মাইনবা কংলৈশ্না পুং-মাইয়োন লৈবাক অসিদা লৈঙম্বা মশক পুম্বনা থোইয়ুম লাইগত্তা লোইনদুম্না অঙাবা অনংবা মশক খংদনা লাইতলা লৈপানবা হৈয়মচঙদগী হৌনা লৈঙম্লকপনা কৈদোম মরিগী লুচিংবা হয়িচং কৌবগী মপুন্সি লাকয়েন তংখাই ফাওববু অরা অন লৈখংদনা লৈপাল্লম্ববু তানফংনরক্রে।। চানা থরুবা, শেংনা ইম্নবা, পরম খুদিংদা মনিং তম্নাদা তানফংনবদা রাওম্নরদুনা লৈবাক হৌনা রাতাম্নদুনা লৌউবা হাইবা পরম শিল্লম অমা থোহৌনরে।। খুৎলাই খুৎশুদি খন মকু মমাকপু, মমংক্লা তে তি ফাইএ, মচুদি অমুবনি।। মকুনা অরং ফাইএ, মচুদি অঙৌবনি।। লেংঙা কৌবা রানা পোৎপু শোম্ন।। উয়ুংনা ঙাংজৈনা ওইরে।। মাইরিনং লুম্নি হাপ্লে।। নো লৈশঙনা য়োৎথোন হাপ্লে।। লম্মুক্লা বাইথুমিৎ হাপ্লে।। খোকরানা য়োৎথাংলি তাহুনা হাপ্লে।। লাইরানা শাক্কে শোম্ন।। য়োৎহিংনা লোংথুম পাল্লে।। লৈফম্ন চাবশৌবুং, অহোংপাৎ, কংলৈখোং, শুই পোকপি, লৈফম মরিদা কৈদোম মরি থাইনা লৈফম্ন য়াৎলে।। মতম অসিদা হৈনাওপোই লুচিংবগী মদাই-রেন নোংলেন খোম্বৌবু মচানিপা অমা তানফংহুনা মমিংবু নোংচুম্বা মিংহুল্লে।।x

লৌতাবা থাজা থবান নুম্মিৎ লেপ্তুনা লৌতাবা

মাইগৈ মরি শুংদাই মরিদা পানফরিবা তাইবংপুম্বনা তিলু ফম্বাল লংহুনা লৌউ লৌতাবা থাজা হুমিৎ থবানবু লেপ্লহুনা লৌতানবা থোপুনরে ।। ফাইরেন থাজা ৫নি পানবা হৈয়ৎ কোবা মরুনা লৈপুবা হুমিৎকি অযুক্কী কোলুপ ৫ তাবদগী কাংলুপ অমনা লৌতাহুনা মালেম্ব খিঙ্গাইবা হৌওয়ে ।। কাংলুপ অমনা মালেম অঙানবনা যুংথক থানবদগী লৈহৌনহুনা হু থিম্দ পোপ্তাগী মহুং কোলুপ (৩) তাবা কাওবা মরোৎ মরুনা লৈচং লৈপুবা মহুংদা লৌতানহুনা মালেম্ব থিঙ্গাইবা থৌহৌনহুনা মযুম এলুপমা ৬ কি মাগী মাগী লুচিংবা সং লাইয়েক্কি রাংবরেল, নং লাইয়েক্কি ঙৌবরেল, হুং লাইয়েক্কি রোংমুরাও, উং লাইয়েক্কি খেমানবা, ঙা লাইয়েক্কি রাও রাংবা, কোং লাইয়েক্কি ইমুশনবা শমপোৎ ৬ না লুচিংহুনা শৈরাও শৈথুমননা মালেম্ব থিঙ্গাইরকলে । মৈতৈগু পাথংবা মোংদালাই মালেম্ব থিঙ্গাইবদা পাওশানববু হাইগে নোংচুপ লৈপু লৈফম্বা হৈ নাওপোইনা হাইএ হে হে হুং সো, হো হোই হে মালেম শমপোংলোই হো হোই মালেম থিঙ্গাইবা লৈহৌরেদো । হো হোই তিঙ্গোই পুমথাং লোল্লেদো । হো হোই হে হে হে ইতাও হৈয়ানগেদহৌ ।।

মৈতৈগু খুলংলোইনা হাইদো- হে হে হং সো য়োইবু য়োই হৈ ওকবা কৌথা তানজমশে ।। হে হে হংসো, য়োইবু য়োই হৈ চান্নবা কাওথুম খুঞ্জিনশে হোই হোই ।।x

মৈ তৈগু পাথংবা লৌলিংবা হাইনা লৌক্কম খুদিদা খৌপুনবেদো— কাংলম কাংখুন ৩/৩ পয়েং নাইনা লৈতক লৈপুনহুনা হুপী হুপা হৌনা লৌহৌ ফৌমানবিবু চারি লিংনারক্লদে ।। মহুদা পাওশানৈদো নিপাশিংনা হাই - হো হোই হোই হোইতৌ হোয়ানগেদা হৌ ।। খুলংলোই হুপীনা খুম্মিদো—হে খোইনৌ ইতাশা সিখোং ইবুং ঙানবা ওক্লা রাবু পাওজেনহৌসে, হৌইতৌ হোয়ানশিদো ।।

মৈতৈগু লাংবন কাররুবদা অশাই অশম্ব য়াওনা চৈবুল লেংদা খোংনদুনা পাওশানৈদো

হে, হে, হে ইও হে হে ইও, য়ারো কারে হে হে ইও, ।। লাংবন কারে হে হে ইও ।। সিখোং ইবুং ঙাইনবা, ওক্লা রাহৈ পাওথম্মসে হে হে ইও ।। সিখোং ইবুং থুনবা জিকোন চংজিংসে ।।

লিকোন=থাগী পোক্নথোং হয়িচঙ্গী কুমশিং ৭, ৮৯০০০ (লাপুন তরেৎ চিপুন মরিক্নুতন্না মাপন লৈচংবদা ঙাংথঙাংলেম্না মপাগী খুবম্ তানহঙ্গে হাখন্দুনা ঔবাংলমদা হেনবা লৈক্ষমদগীবু লানমি থবদু খোমহুনা মতোন হৈনাওপোকপগী মথক্তা লান্দরক্লে ॥ লানচৌরকপা মতমদা লৈথং হৌদ-বদগী মতোন হেনাওপোইগী লাংমিবু পাংথোকচবা লাক্লেন মখুইনখিহুন লৈযম্ লৈথিবদা খন্দম্না চেনখ্রে ॥ নোংচুপ মুবা লেংক্লৌ কোনবু ঙাংথাঙাংলেম্না লুচিংবা থোদা নোংদম থোপুন্না ওইহুনা মপাগী খুবম্ লেপ্লে ॥ মতোম্না পোক্নম্বা মনাও নোংচুম্বা কোবনা চক্কদুনা হাইজৎলগী নাঙ-কোল লৈপম্লৌখি ॥X

নাবা শিবা থোরম্ব তাইবংশিঙ্গী খোঙম থোপু ওইনবা থৌশিনবা

লাইমিথোই অশিবনা (চবা থুংলো অমাইবা) মি, গুল্লে ॥ পাথবা শ্না কোঞ্জম্ থোক-পনা শানক্ষ লাইনৌতাবী হাইনা শাথোক্লুনা নোংথো অহা, লৈচিন্দা হন্থাললা না মাইগৈ মরি ও দাই মরিবু কোইজাইনা চেন্দুনা শনিবপু থিহুনা পাওজেন পাওশংএ ॥ মালেমদা লৈবা তাইব শিনা মচি মচি থুদিংদা মনাপ মপে মপে তিক্নহুনা পাওশনৈ ॥ খোইযুম কনাবু ওইগবা শনিকম্ নিক্নুনা পাওশানরিবা মবোন্দি লেখদে, অহুগা শনিক্তি য়ল্বা হখোন অশিনা কয়াদা খুইন্দ খোইলানরিবা মুশিংখ্রদা মশাইনা পাওশানাববা মরোল অহুনা করি বাবু ওইরিগবা শনদংবদো ॥ অদুদ খোইযুম পাওজেনব অশিবু মালেমদা বৌন্দুনা পাওশারিবা পরম অসি লৈথনবা তৌদম হাঁশদা হাংহনহুনা মযুম ওনুপ লুচিংব ঙ=সং=দা থরেল, ন — তোবরেল. জ বো মর ঙ, উং=অংহেন - মোমানবা ঙা=লৈচে ঙাদা, ৫ক দিলো, নিমম নব মখোই ঙনা পচি হুনা তাইব পুম্বগা লোইনহুন হৈরো ঙ পঙ কনগী মযমদা লাক্নুনা রা তম্নবা হৌরবে ॥ তাইবং পম্নমক্ল পিলিং অমং থ্রনা হাইববদা হৈরো ঙাংগা ঙাংলেনশু থোবাহুনা নোংলোন অহা বগী লৈচিন মবক্না পাওশ বব থাকোনরক্লে ॥ পাওশানা পাওজেল্লিবা খোইযুম নংবু কনানো? নঙ্গা পাওজুনম কুবি চোংদখ্রনা নোংজেনগী মালেমদা শিনবা থুংনা লৈকুম পাওজেনবিহুনা খোইযুম নঙ্গী পাওশাবু পরম থনা তাইব এ থাইনু তংজমজবা কুবিও। তাইবং-শিংনা পাওজুনবু খোইজনা তাজগে থাকোবনু তাবদা খোইযুম অনানা কৌব্রুগা, রাংব্রনগা, থাংজিঙ্গা খোইযুম অহুমগা বাতানরম্নাগা মালেমদা খোংদারক্লে ॥ শনিক লাইনৌতাবীগা চেংবা থুংলো অমাইবগা অশিনা মালেম শিন্না চেন্দুনা শনিক মখোনবু তৌনা নিক্নুনা লওএ ॥ হাইদোক্নু হাইবদো হাহদোক্তবা ওয়রোইএ খোইযুমশা, য়াঈফা মুংঙাইবা মথৈদি খোইযুম নখোইনা নারোংগুনা

লোৎশিন্দুনা লৈথম্লে ।। ঐগী তাইবং ইপা ইচা মখৈদি মুংঙাই য়াইফ-বা মশক খ হন্দনা পংনা লৈপাল থৌপুনহনবা করম য়েংহুনা লৈশিবা তাকঙমদবা য়াররোই শিঙমদবা ঙম্নরোই লাও লাওহুনা য়াইগে মরি চিরা মরি লাওহুনা কোইজাই নৈএ ।। কৌব্রু, রাংব্রেন; থাংজিং অহুম্না শাথোক্তুনা অমাইবা অমাইবী অনিগী মতুং ইন্না তান্নহুনা হাইদোকনু অমাইবা অমাইবী খোইযুম ঐখোইগী-দমক্তা লৈখাক্তুনা লৈথম্লবা থৌরম অনিহুতা মঙাইরে, তাইবং কনাদগুম্ কুবি নো দম্বীবা তৌবিগনু ।। তাইবঙ্গা খোইযুমগা য়াইফ থৌরম লৈমান্নহনবিগনু পাওশানা লাওহুনা লাই অহুম্না কোইতান তান্নবা উবদা তাইব পুম্বা মথুম মরাং তৌনরে ।। পাওজেন ংবা খোইযুমও খোইযুম অহুম পাওশাবু য়াবিগনু তাইবংলক্তা লৈচংলকও কুবি নোংদম তম্বীরম্মু, হাইনা লমথোং খুদিং লৈথত্তুনা লাওঙম্ময়রক্লে । অমাইবগা অমাইবীগা ২ না নিংশাবু ফুইনা ফুইনা খপেৎ খপেৎ লৌহান্না তাইবং লক্তা চেনশিল্লক্তুনা খোইযুমশিংনা উদনবনি হাইনা লোত্তুনা তাইবং লক্তা লৈথম্লে ।। তাইব লক্তা লৈচংহুনা লৈঙমখিবা তাইবংনগুম্ মপুক খোইজং খোইদানা কৌশিন্দুনা লৈমিন্নখিবা উবদা লাই অহুম্না ছাইওম্মি, লাইমিংথোইবু লৈচ শ্রবনিনা নোংদমদি শোইদনা থোঙয়ক্তনি থৌরম অসিদা তে-বাংমবা করিবু করম তৌশিবানা হ ও রাংব্রেন্না ।। কৌনুনা হাইএ, ঐখোইগী থৌরমদি হ হ-বিরম্মি লাইমিংথোইনা থৌরম্বু হোযানা তাইবংশিংনা লৌখ্রবদা ঐখোই অহুম্বু ঐবুনা (অমাই নপফবা) হাইনা লাইনা খুদিংবু লাইয়েংহুনা থোমহুনা তৈহুনা থক্কুনা অনা লাইওং লাইশক্পু কোকচহুনা লৈঙমজবা ঙমজনবা থৌবাংহুনা হিদাক্লোন হাইনা পুথোক্তুনা লেংঙি পাল্লিবা অচৎপা চগুবা পুম্নমক্কী লৈফমদগী লৈবৌহুনা থৌপুববু থৌঙম্নদো ত নফ নবু রাওম্ময়া পবম্ম্, খাইন মতিক ময়াই লৈহাপ লৈথম্নববু থৌপুনা মঙম তরং হৌনা মবেক মহাওবু লোহুনা অনা লাইয়ংবা ওইনা লাকদবনি নোংদমম্লে ।। রাংব্রেন্না লাইনা লাইথু পুম্ববু লাইকোক হন্দুনা তাইবংশিংবু লৈপঙবা ঙমজনবা লাইমিংবু নাপনলেম্বা অমাইবা মিংহুন্না (লাইগী রা, লাইমিং পাওশা মঙম্) শোন্দুনা কামহুনা পীথক্তুনা, তৈহুনা ইরাং থৌনিহুনা অনা লাইয়েবা মশক ওইনা শাথোকউ ।। খে ই-যুম থংনরেল থা জি পাখংবনা লাইমিংবু নোংখাইবা = মবি লিশাবা) অমাই পুরেন লৈশং, লৈহাং নোংদম পাওশাবা ওইঙম্বীহুনা থুৎফাং মঙানা মার শিশ লিশেমহুনা অনা লাইথুং লাইচুবা তিঙ্গুবা লাইনা পুম্ববু কোকহন্দুনা লৈপ নহনবা থৌরম থৌপুবা (অমাই পুরেন নোংদম পাওশাবা) ওইনা থোকঙমলকউ হাইরমদবরা ।। লাইমিংথোই থংনরেল থাংজিংনা হাইএ, ঐদোং কৌব্রু অশুপ্পা লাইমিংথোইগী নোংদম ময়াথংবু থৌপুনা নখোই ঐখোইগু শাথোক শাইওন লৈংমহুনা লাইমিংথোইগী নোংদম্নু থৌঙম থৌপুনবা শাথোক শাফোংনরশি হাইংহুনা মাগী মগী মঙম্ থৌপুনহুনা লৈফম খুদিংদা শাথোক্তুনা থোদার থৌপুনবা রাহৌনম্রে । X

মৈতৈগী নোংমালাই খোইযুম ২ না তাইব লৈগুম্লবদা তাইবং মখৈনা লৈকোইশিন্দুনা মোঙ্গাং দনা হংগুমজেএ ।। নোংদম পাওজেল কুবি থৈবা খোইযুম চেংবা খুংলৌ পাওখাবা খোইযুম লাইশিং মখোইগীদমক্তা থৈবোক্তনা মুখাই য়াইফংবা পরম অনি লৈগমক্রে তাবগুমখিবা কুবি নোংদম্না পাওখানখিবা অদুবু পরম থোংম চৎলম্ব কবি করম থৌপুনা য়াইফং মুংগাইবা তানফং মবনো ? ঐখোই তাইব বুগু নোংদম্বীদুনা খোইযুমশিংনা মুংগাই য়াইফা তানফংনবগুম্না তাইবং ঐখোইগু তাময়ংজবা কুবিও । তাইবশা থোংম অনি অসিদো লাইগা তাইবঙ্গাপুন্না তানফং-নবা য়াবা চৎলম নম্ভে লাইনা তানফংজরে তাইবংদা নোংদম্বা য়াদে, তাইবংনা থৌপুজরে লাইনা তানফং থৌপুজনবা য়াবা য়াইফং থোবম নম্ভ ।। থোংম অনি অশিদি মপোক শাথোক অনিগী মমুংদা মপোক শাথোক খোংলম অমাগনা তানফং থৌপুজগদবনি ।। মপোক খোংলম অনি হাংবদি (লাইপোক শাফোংবা ইফোংবা খোংলম চৎলম অদুবু হাইবনি, থোরমদি নং ঐ অসিনা করিগুম্না থোরম অমবু খোগুম থৌপুগে নিংবা, নিজিবা থোরম অদুদি ঐতনা খোগুম্লবা থৌপুবা য়াগুমদবা ওইদুনা থোরম্ব, তেংবানবা এচাক্তি মচাক ওইবা ওচাক কৌবা মশক অমবু খুদক অদুদা নং এগী চকচা দগীশাথোকইন্দুনা শাফেংজগা থৌপুমিন্নবা মপোক অসি লাইগী মপোক কৌইদো, মপোক অগুম্না শাফংবা লৈগানখিবন য়াইথং থোবম্ব, মখাইনা লৌদুনা লৈরোৎপান । অদুবু পাগা পাগা তিলু ফম্বাম্নদুনা লাইপাক্তগী অখোই চংখোনববু হুম্না নোংদম্ন পুপাং লৈগুনা পলেম মমাগী হাক শিমায়ু দা থাজা ১০বু নওপুনা হক্তি খোংলান ঃগী মমুংদগী শাথো পেরুপুং কৌবগী খোংলম্ব, নৈকুম্নকুনা শাথোক শাফং চত্রিব মপোক অশি মখৈদি তাইবং হাইবা মশক্তি মপোক্তি । মপাক শাথাক খোংলম্ব, নৈথিজদবনা থোরম অসিদো লাইগা তাইবঙ্গা পুন্না তানফংমিন্নবা য়াদে, থোরম অদুদি লাইনা থৌপুবা ওইবনা য়াগুফদে লাইনা মুংগাইনবা তাইবনা তেংবাংলগনি । তাইবংনা তানফংনগম্ল, খোই মশিংনা তাইবনা ...গাংলগনি । তাইবনা তান-ফংলগদবা খোই মশিংনা ওইববু য়াইফংবা মুংগাইনবা তেংবাং থোংলনদবা চৎলমি ... লাইশিন মখোইদা নোংদম্বা ওইনা লাংবাগুনা হাইদাম্লনা থোরম্রবানিনা লাই মখোইদগী মুনল দ পরম্ব, পুনা লৈগমখ্র, অদুবু এগীদি তাইবং মপাচানা হবপনিন লৈমুনবু থোগান ঐনা খুম্না মখৈবু নোংদম্বা লাইদা চজ হাইজদুনা নখোই খ্বাইনা সিদব য়াদে মহাইববা নপুক খোইজং খোইদবা মনরবদি খোইযুমশিংদগী লৈমুনবা তোঙমলমগনি নখোই খ্বাইগী মরম্না ঐগু লৈগুম্ল-বনিনা ।। হৈরোং ভাংথা ভাংলেম্মা চজি- চেংবা খুংলেন অমাইবা মুংগাই য়াইফংবা থোরম অনিবু লোৎশিন্দুনা লৈখম্রি খোইযুম মখোইগী ওইরনি হাইনা পাওদাকপাদ তাকগুম্বীরে অদুবু করি করম্না মুংগাইবনো, থোরমগী মশিংনা করি থৌবনো ? ভাংথা ভাংলেন থোরম অমদি (নাবা) কৌএ,

থৌরম অমনা লৈহৌক্কমদা লৈহনবা, লৈতিনফমদা থিল্লগ. অনৌশাফোংনহনবা চৎলম শিবা কৌএ ।। মহুদি কমদৌনা থৌপুবনো ? ঙাংথা ঙাংলেন থৌরম অহুদি নখোইদী তানফংনদ্রি করম্মা থঙ্গবা ঐখোই তানফংলবতনা থংবনি নখোই থ্বাইনা থঙ্গে উগে মহাইরবনিনা ঐ অনাবা লাইথুং ১০৮ গী চৈবি তেমথেং তানফংবা ওইরগে থংনহৌরো হাইহুনা অনাবা শারে ।। মহুদা শানিক লাইনৌ-তাবিনা তাইবং পুম্বদা থৌদাহুনা অনাবগী থৌগনবু তৌহল্লে ।। চাগে হাইবা মশকপু অরৈ লৈতা থংদনা থিহল্লুনা পিজনবা থৌপুহন্দুনা অনাবগী মশা মউবু শিংনান্দুনা অনাবগী হুংঙাইনবনি হাইহুনা মীয়াম চংহুনা থৌগলহল্লে ।। থৌরম্ব উবদা তাইবং পুম্বনা থম্নরে ।। মশি য়াম্না হুংঙাইবা মশক নিদনা থবক থনাই লৈশুবশু অনাবনি ঙমদ্রবনি হাইহুনা য়াওহন্দে অহুগা মাগী চানাবদি ঐখোই থ্বাইনা থিহুনা পিজনবা থৌপুবা থবক থনাইবু লৈশুবা তৌদনা হুংঙাইনা হিগুনা ফমহুনা কোংনা চস্তুনা চাথকুনা লৈবনিদনা ।। হঞ্জিলক্লে অনাবগী মথৌনি হাইহুনা মশা মউবু নমহন নোইহনবা থৌরমশিদি য়াম্না হুংঙাইবা চৎলম থৌরম্মি ।। ঐখোই তাইবং মখৈনা মাহুনা লৈঙমগ্রবদি অনা-বগী হুংঙাইনবা নাবা যাওদবা মখোই লাই মখৈনা ঐখোইগী হুংঙাইরবা থৌবম্ব লাইশিংনা থৌপুনবা ওইওম্বা তাওম্বা থৌওম্মি থৌরম অসি লাইদগী লৈতৌনবা তৌজম্নশি হাইনা য়ারেপ্পহুনা অনাবা শাওম্বা চেংবা খুংলৌ অমাইবদা হাইজরে ।। চেংবা খুংলৌ মাইবনা হাইএ, তাই-বংশা শনিক লাইনৌতবী অমাইবীদা লাইগী লাইবাওবু লৈহংলু পুরুম থৌনি হরাৎ করি নাম্নাবু থৌপুরগা লাইশিংবু য়াওম্বা য়াগবা লৈহংঙ্ তাকপীরে ।। তাইবংসিংনা য়াহংলে শানিক লাইনৌ তাবীনা শানিক লাইমাং ফমহুনা পাওদাক্লে ।। "হাই তাইবংশা খোইয়ুম লাইবু ঙমগে তানবদি থাজ অমগী মমুংদা থাজা নোংমা লৈপান হুম্মিত্তা ১১নি লৈপানবা' ২১ নি লৈপানবা কোরৌ থাজা অহুনা খোইযুম লাইবু থাকৌনা পাওশানবা ওইওমজৌ খোইযুম লাইবু ঙম্ব'ন পাওজেল্লে ।।"
লাইগী পাওজেলবু কৌহুনা কোরৌ থাজা নোংমা পানবদা চেংবা খুংলৌ অমাইবন মৈবু হরাৎ থৌনিনা খোইয়ুম লাইথুং ১০৮ বু থাকৌরে । চেংবা খুংলৌ অমাইবনা থাকৌনরম্নবদা খোইযুম পুম্বা লৈওম্বা থাওম্বা য়াদহুনা লাকওম্মে ।। খোইযুম পুম্বনা হাইজেএ, লাইমিংথোই মহুবু ঐখোইনা ঙম্বরা লাইমিংথোই নচিন ননাওগী নোংদম্মি খোইয়ুম ঐখোইদি নঙ্গী নোংদমজবু থৌবুবনি তাই-বংশিনা হোয়াজবা থৌওমদো কুবি নোংদম তম্বীরো লাইনা লাইথু, লাই ১০৮ ঐখোইবু থৌয়া-জরে নোংদমদো পাওশানহুনা লাইমিংথোই চেংবা খুংথিন অমাইবনা লাইনা লাইথু ১০৮ তাইবং অপকমা নখোইনা তানফংবা নশরুক ওইরো নোংদমজে তাইবংনা মপুক খোইজনা থৌয়ারে ।।X

মৈতৈঙু পা-খংবা তাইবংশিংনা থৌয়ারবদা নাবা হৌরে হৈরোং ঙাংথা ঙাংলেন কৌববু ।। শনিক লাইনৌ তাবীনা পাওশাহুনা নপযবা অমাইবনা (হকল্লোন, এল্লোন) হাইবা হিদাক ৩৮

লাহথুং ১০৮ বু মাংহন্নবা লৈতাক্লুনা লাইয়েংদুনা খংহল্লি। নপল্লেম্বা অমাইবনা লাইমিং লাইশোন্দুনা ইরাং থৌনিদুনা হুংঙাইহল্লি ।। নোংথাই অমাইবনা মরি শুদুনা হরগী মঙ্গী হুংঙাইনবা তৌঙমদুনা চানিং থকলিবতা হ হংদুনা পিজ পিথক্লুনা হুংঙাইনবতা থৌপুনদুনা লাইগা তাইবঙ্গা চাদুনা হুংঙাইহন্দুনা মশা মউবু নমদুনা লোইদুন অমা লাক করি চানিংবা হংদুনা পুঙমলক্লুনা মপুক পেম্না পিজপিথক্লদুনা থৌগন মী মানদুনা লৈচানদুনা লাইয়েংদুনা ঙাংথা ঙাংলেন নাবা ফংব ।। ম, দা মথং মথং নারক্লে, মাইবা (৩)নে, অমাইবা অমাইবীনে খোংলোই লারোই শিলোইগা লোইননা লমথোং থুদিং চত্তুনা কনা কনা নাবা যেকপা লৈঙম্বরা অনাববু হুংঙাই য়াইফহনগে হাইবগী ঐথোই লাক্লিএ হাইদুনা অনাবা শিংবু মনি, মখা তম্না হুংঙাইনবা তৌবিদুনা হিদাক লাইরা থুংলি শুববু তাকপী তম্বীদুনা অনাবশু ফহল্লি মশা মউশু ফহল্লি চানিং চানিংবতা তানফংন্দুনা চাহন থকহন্না লৈপাল হল্লে ।। মতুদা তাইবংশিংনা বাখন্নদুনা হলে চেংবা খ্বাথন অমাইবা শনিক লাইনৌতাবী থৌরম অশিদি তানফাংদুনা য়াইফা হুংঙাইবা তানফংলে অদুবু থৌরম অমদি লৈশু লৈথংনজন্দ্রে তানফংবশু নোংদম্বীদ্রী অদুগা থৌরমগী মমিংনা করিবু কৌবা, থৌরম অদুগী চৎলম্না কমদৌবা ? পরম থৌরমগা লৈতাবগীঙম্না চৎলম অদুশু কুবিবা ওইবিরো ।। তাইবংশা নখোংশে হুংঙাইনবগী নোংদম্বগী নপুক পেনবা নাইদেদা থৌরমগী মমিংদি (অশিরোই মঙম থৌপুবা) লৈদুন্না খোইযুমশিংনা তেংবানববু নেংদম্লম্বা লাইবু তানফংজনিংবা মতমদা (শিবা) হাইবা থৌঙম অদুবু থৌপুক্লরগা তানফংবা ওইজগে হাইদুনা পৌক্লখ্রবা মঙম্লি অদুব নংখাইগী ওইনা তানফংলগে মহাইববনিনা তানফংজরো কৌরো অশিদগী লৈহৌনা হেংঙম থৌপুবা শিংথেক শিংথানা লৈথম্বা ওইনরবা ।। অদুগা অশিরোই হাইবা অশিগী চৎলমদি হাইগে তাঙমলো হোইজংনা থৌরম চৎলম্বু থৌপুনদবা যাদেদো ।। মতুংদি অসিনি হাইগে তাইবং নখোই অসিনা হুংঙাই য়াইফংবা হইবা নোংদম অসিবু লৌশিনগদবগী তোংনবা অসিদা খোইযুম শিংগা হুংঙাই যাইফনা লেপাল্লম্বশি যাতাল্লই হাইরবনিদো নমদুন লৈতক্লম্বদি যাইফবা নোংদমদি শরমদি আনদ মতুবু নাবা হাইবা যইফং থোরম অসিমশু নখাইনা লাইশিংদগী মুন্দুনা লৌবিবেদা অশিবা হাইবা থৌঙম চৎলম আসতাদ খোইযুমশিঙ্গী লৈজশন্নু হাইবদা তাইব নখোইনা লৌশিল্লনি খোইযুমশিংদা পীডমলোই মহাইরবাননা লৌবনি লৌশিল্লা নখোই পক্লেম মমানা নাওপুরগা মপোক শহুনবু থাগী পোক্লা খোংলমদা শাথোকপা মশক পুংগী য়াইফা থৌরম্বু তানফংবগী অরোইবা তানথেংনবা ওইজরো ।। অদুগা অশিরোই হাইব থৌরম আসনা য়াইফংবা চৎলমদি নখোইনা নঙ্গী নঙ্গী নশক নওংবু অনৌবা শক্তম অমা লৌহাংগ নোংদম্নবদা থৌঙম থৌপুনগদবা চৎলমনিদো ।। অশিরোইবু থৌপুনগ্রব মহাক্তি তাইবং মাগী হৌনরকফম ওইবা তাইবং মালং কোক্লাইনরিঙৈদা মশকপু উঙমজববু নোংকোবৌ অমওংবু তানফংজগে নিংজবদা তেংবানবা

মপুবু তানফংজহুনা কুমজা অমবু লৈচুপ্পা মফম্নাংদা লৈজরগা অমুক তাইবংলক্কা অনৌ। মশকপু লৈশিন্দুনা শাথোক শাফোংনগদবনিদো ।। নোংকোয়ৌ অমগি মমুংদা মিহিং অমগী মতমদনু উজবা তানফংবদো নোংদম্বিয়ু রাথল্লহুনা থোকাওনদনা নোংদম্বা মাগী লাইমিংতবু শিংথেক শিংহাপ্লহুনা থাগোনজবদা তানফংদ্রবা মশকপু উত্তমগনি তাবদা তাইবং পুম্বা অশিরোই মণ্ডম্বু ঐহান্না লৈপুগে মুম্নরে ।।X

অশিরোই চংলম থোৗহৌবা

লুচিংবা হৈয়োং ঙাংথ ঙাংলেম্না নাহুনা অমাইবা নপফবনা তাইংঙী হকুগী অ.ইনা লাইথং ১০৮ গী লাইনবু মাংহন্নবা য়েল্লোন হাইবা হিদাক মরম ৩৮ বু লৈহুনা লৈফমগী লাইমিংবু শোন্দুনা পীথক্লুনা তৈহুনা লাইয়েংলে ।। অমাইবা নাপললেম্বনা অনা লাইওংবু থোয়েংনা লাইমিং লাইশোল ইরাৎ থৌনিনহুনা অনাবা কয়াবু ফহল্লে ।। নোংখাই পুরেন মাইবনা মরি লিশা লিখাইবিহুনা লাইয়েংবদা নাবা ফহুনা সুংঙাই য়াইফংনা লৈপাল্লে ।। মতুংদা হেংবানবগী মপুবু তানফংলুগে রাথল্লহুনা অশিরোই মণ্ডম্বু থৌওম থৌপুনগে নিংহুনা ঙাংথা ঙাংলেনবু অমম থৌরম্বু থৌওম থৌপুনগে রাথল্লক্লুনা নোংখাই রাথল্লক্লুনা নোংখাই পুরেল অমাইবনা মিহিং গুদিঙী থোংজোন লৈফম্বু লাইমিং লাইয়েক লৈপিরে ।। থেংগোংমায়াই শুমদোংপান শংলেন শঙ্গাই য়ুমফমগা, নোংশা য়ুমফমগা অনিবু লৈশোক্না থনশং হাইবা শংজোন কা ২ না লৈশাবা শং অমবু অরা পোপ্পা লৈফম্মু হাইহুনা শেমহল্লে ।। শঙ্গী মমুংদা পুশিন্দুনা লৈথম্নবদা হৈয়েং ঙাংথা ঙাংলেন থমুং শরা তানবা অমম থরৈ কুম্বা থৌওম্বু তানখংলে ।। অশিরোই থৌওম খোপুবা হক্তি অনৌবা হক অমা লৈহোংনা লাক্লগদবনি হক অশিবু মাংহন্দুনা হৈথম্নবদি অনৌবা হক অমা লৈশিনবদু য়াওম লাই অশিবা হক অশিদো (চুকশা মৈথাবা) হাইনা মৈদা থাদোক্লগা পীশুম ২গী মরক্তগীনা নিংলাং অনিগী মরক নথাং ফাওবগী শরুবু মৈথাদনা উৎলোরগা উক্রোং হোংবা হাইবা মণ্ডম্বু থৌপুরগদবনি লিম্ভাক নোংদম্বীহুনা থৌপুনবা তৌহল্লে ।। মালেমদগী শিংখন ৬পু লৈহাপহল্লে ।। শিংগন ৬ অসিবু নাক অনিদ উয়ুং ৩ অক্তম য়ুংহুনা লৈহাপ্লে ।। তাইবংশা থৌরম অসিদো পাগী পুগী এলুপ শথাই ৭ কি মতিক মণ্ডানবু লৈংল্লকপদা তাংফংনবা অহুম্নুঙীবু ময়ুম ৬ না চুকথা মৈথানবা শিংথাইনহুনা য়াংফং পরম সুংঙাইনববু তানফংনবা কুবি নোংদম থৌপুবনিদো ।। অহুগা শিংবে অশিগী চিরা মরিদা (তোলোংবা রানা) মথোং উয়ুং ওইহুনা থক থন নারেকপবু) থনবিনিদো । মথোং ৮বু

য়ুংঙম্বা লৈফম অসিদো মাইগৈ ৪বু লৈবু লৈঙাকপা লাইগী কম্বান ৪বু লৈফানা তুকফানবনিদো ।। মখোং ৪ অসিদো লাইশক্লা অমম্বা রাংব্রম্রে (থরাই অঙাইবনে), অমনা থাংজিং (থরাই চেংনা লৈএ), অমনা কৌব্রুনি থরাই অখোম্মুনে, অমনা চিংখৈমরু (থরাই অহোইম্ম) না ওইবনিদো ।। চুকশা মৈথানরক্লবদা থরাই য়াইবীরেল লৈশংবা কৌবনা থবথম্লিবা অসিগী মথক্তো কাইদোংদুনা নোংদম্বা লাইবু ইঙাইদুনা লৈগদবা লৈফম্লিদো ।। মতুদা নোংদম্বনা লাকুনা মাবু লৌরদুনা (তুলাই মৈরোম্বা) কৌবা শিংঙেল লৈরাংতনা শেম শাববু পুঙম্লক্তুনা তুলাই অতুদা হাপ্তুনা পুঙমথিগদবনি ।। চেংবা মরু নোংদম্বনা লাক্তুনা কৌজম্লববু ঐখোই খ্বাইনা উঙম্ববু তানক গদ্রা ? নখোইদি অশিরোই মঙম্ম থৌপুবা নত্তবনিনা উঙাম্লোই, অশিরোইবু থৌপুবা মহাক্তনা থংবা উবা তানগদবনি নখোই ঐখোইনা থঙদবা তৌগদবদি মানা চৎলমদাইদা চুকশা মৈথারিবা হক অতুনা য়াবা হংখোল অমবু তাম্লক্কনি (নখোই খ্বাইবু লৈরমখো মুমিৎ থরদং নোংদম্বগী থৌখনবু তানফংজদুনা য়াইফা থৌরম্ম লৈনিরুবা ওইরক্লে) হংইনা পাওশারকপগী থৌরমদি উগনি মশক্লি অনৌ লৈংহাংনা শাফোংবা মতমদা কুমজা লৈপুন ফাবদা উগদবনি হাইনা পাওশা শিন্তাক নোংদমদুনা চুকশা মৈথানবা মৈকোইমতুনা মৈথারে ।। হৈনাওপোইনা পোক্লম্বা মচা নোংচুম্বনা অশিরোইগী চৎলম্ম শৌরা উথাংথৌ য়াংনবা=য়াম্লবা থৌপুহল্লে ।। চুকশা মৈথাববু থৌরোইরবদা হক মচেৎ ১ না লাইজা ঙাশ দা থাদারে ।। হক মচেৎ ১ না মালেমদা লৈচল্লে ।। তাইবং হকপু শেম্বদা য়াওখিবা লৈফম মশক অতুদা তিলহনবনি তাকপিরে । মতুংদা শৌরা লুপ্পাংবু লৈরোক্তুনা লৈথমহল্লগা তাইবং পুম্বা মকোকপু মউ হতুম্না ইরুমইতা হন্দুনা খাম্বী মৈশেং মৈরাদা য়াইঙমহল্লগা উহং মনানা তরং লাইক্কদ লুপ্তুনা তাইবং পুম্বা খিকপেং ইচাইনা থাশেংলগা মযুম মযুমদা হনখ্রে ।। মতুংদা তাইবং পুম্ববু তিলু যম্বাল হন্দুনা অশিরোই পবপু তানফংখিবগী য়াইফংনবা লৈঙমহৌবা ইমুং মঙ্গং লৈমিগ্লরম্বা শিংনম্ভ লৈমুংচে মাংনখিনা মশকপু রাংলেন শরবু নিংশিং থৌকাওনবা হাইদুনা লাইমিংথোই খুখিন অমাইংনা থমুং ওইনা লৈঙম্লম্বা মশকপু অনাং অত নাইংবা মহাক্কী মশিক মঙান্দগী অচৎপা চৎখেবা লৈঙম্লিবা মশক পুম্ববু শাথোক লৈথম্বীনবা নোংদম্বাবা নোংদম্বনা হঙাল লৈশানবা থাশিল্লবপা থরম্ম পাওশানা তাহন্দুনা কাইনা শেৎনখিংগী হুংশি হুং তাম্লবা রাথনরু থৌকাওহল্ল ।। থমুং শাংরা খোংলম্ম তানফংনখিব নাংকোরৌ ৬ নি লৈশুবা মুমিংকী অযুক্তা শরা উথাংথৌ থৌপুবা হাহনা তাইবং ময়াম্ম চুকশা মৈথাযমদা চৎহন্দুনা কৌরাৎ লৈৎহল্লম্বা লুবু হংশেং খিকপেং ইচাই থোক্তুনা লুবু শেম্বা শাংবা লাইবু হরাংলগা মযুম এলুপ মগী ফিশেৎ লৈচুগী ফিশংনা পুনশিম্লগা অশিরোইগী মঙম্ম য়াংজিবা নোংচুম্বগী মঙক্তো য়ংলহন্দুনা তাইবং ময়ামগা লোয়নদুনা মরাম যাংদা পুঙহুক্তুনা লৈথমহল্লে ।। থমুং শরা উথাংথৌ থৌপুবা হাইবাশে শিপ্রবা মশক থরাই য়াইবী ৫গা মিরেল শিদবগবু নোংমা নোংমগী অমমম লৈহল্লক্তুনা লৈথম্লম্বা লু অতুদা কম্বী কাইদোংযম ওইদুনা মথৌ

মঙম্ম, য়াওগদবগী লৈঙম লৈএ অচুম্বগী মঙম্ম থৌপুবা য়াওনবা কৌশিল্লুবনিদো তাইবংশা ।। কোরৌ অশিদি তাইবঙ্গী হক্লোন ৯ বু লৈশাবা লৈশুরেদো য়াষ্টফ খোংকম্ম, তানফংনা লৈহনলকদবগী ময়ুম পুম্ববু য়াইফা থৌরম্ম, তানফংনবা পুরিং হকচাংবু থিকশেং থাশেংনা লাইনিং চৎলম্ম, থৌপুননা তাইবং ঐগী ঐগী হক=থরাই য়াইবিনা কাইদোংলিবা য়ুমগী মশকপু লৈশেংলো নোংদমনা থিকশেং থাশেংনহল্লে ।। তাইবংশা ঙসিদি তাইবং মশক ওইনা শাফাংলকপা নখোই থিবিকপু পলেম ইমানা শিয়োম্মুংদা থাজা ১০ নাওপুখিবা পরম্ম, লৈশকপা মুমিংনি শাথোক্লকপা লৈফমদা খোংহন খোংচংবু তানফংনবা কোরৌ হয়েংদি লৈহন খোংলম্ম, কাইদনা পলেমনা পম্থৌদা মপারি থম্মুংশরা তানলকপবু মথৌ মঙম্ম, উক্রোং লৈহোংববু থৌপুনহন্না লৈথিনগদৌরি থৌরম্ম, য়েংহুনা লৈখংহৌনবা তাকওয়া হাইনা নোংদমহুনা পাওজেলহল্লে ।। কোরৌ ঙসিগী মুংথিল পোপ্তা হুনবদা নোংদম্বগী পুরারিবু পাওশানহুনা তাওম্বগী থৌরম্ম, তাওম্নহুনা থৌরোইরে ।। কোরৌ ঙসি ১১ নি লৈশুবা অশিদো পম্থৌ নপানা থাজা অমবু নাওপুরম্মগা পলেম নপাগী লৈফমদা লৈশিন্নখিববু লৈশক্কনা উক্রোং লৈহোংহুনা লৈথিল্লশি নোংদমহুনা লৈহনফমদা লৈথুংনা লৈথিম্নবা থৌপুরে ।।X

লাইমিংথোই চেংবা খুথিন অমাইবা উক্রোং মঙম থৌপুবগী চৎলম্ম, শিম্নাক্কনা লাইমিং লাই-শোনগা লৈকম তরাদা পলেম মমানা থাজা ১০ নু নাওপুবদা মিংলনব লাইমিংবু হাইহুনা মশক অচুগা লৈমিন্নরকপা খোইয়ুমশিঙ্গী লৈফমদা লৈহুম্নবা লাইশোনবু থৌপুরে ।। তাইবংলাক্তা শা-থোক্লম্বা অমম লৈশা লৈহন খোংলম্ম, লৈথিবা তাংখা তালেন নংবু পোকপাবা নম। শাগৎপাগী পোক্লপুঙ্গী খোংলমদা লৈচংনবা হৈরাং লৈরাং লৈহুন্না চেংবা মাইয়োক লৈথানা পুকম লৈপাই নঙমলো হাইনা লাইশোল্লে ।। অশিরাই মঙম্ম, থৌযাল্লিবা নোংচুপ্না হৈরা, লৈরাং চে,, থোই-দিং লৈ, তিংথৌবু পাইহুন লৈহুন লৈরং লৈতমলে ।। অশুম্না পলেম মমাগী শিয়োম্মুংদা লৈওক্লকপা থাজা ১০ লৈশুরকপদা ফিশেৎ চাকচা তানফংতা খোলাই মমং মিংহুনখিবা লাইনিং লাইশোন শিংথারম্বা পরম থৌরম্ব লৈতাক্লা খোংভং লৈচং মল্লগা মখু নোংদম্না লৈমিন্নরম্বা নোংদম্বা লাইগী লৈফমদা হৈরাং লৈরাংহল্লে ।। থৌরম্ম, অশুম্না থাজা ৯ চংবদা নোংদম্বা লাইমিং ফিশেৎ লৈতাওনা লৈরাং হুন্দুনা মথং লেনা হঙ্গৎলক্কনা লোইদান থাজা অমদা মিংথনবা লাইমিংবু লৈতাগা লাই-মিং হাইহুনা শেমগৎগী মমানা পম্থৌ মপ শাগৎপা কৌবদা লৈথিনহুনা পম্থৌ মপনা থাজা ১ বু লৈপুবদা মিংলেন লৈহুনববু হাইহুনা মাবু লৈথম্লম্বা খোইয়ুম হুমলেনগী মযম্লাংদা লৈহুল্লে ।। পম্থৌ মপানা হুমলেন মালংবগী মফম্লাংদা লৈথিলহল্লে ।। হুমলেন মালংবনা তরং লাইজম্না লৈপুরক্কনা লৈশিন্নরম্বা লাইমিঙ্গা লাইমিঙ্গা লোইননা মাগী লৈফমদা লৈহুন তম্বদা চৎলম ৬ কী লৈহুন থাজা ১২ গী লৈহুন খোংলম্ম, লোইহুনা নোংলোন খোংলম্ম, লৈথিম্নবা লৈথাই পোথারে । X

(১) য়াইবিরেল মি মি হো কৌবা মেরুবা লাইমিংনা (থাংজিং লেপওন লেপশিন) কৌবা ভুমলেন মালং কোইজাইনবনা মাগী লৈফমদগী তাইবং মপোক্তা শাথোক্লবা থোরাই য়াইবিরেল-শিদববু তাইবং মিংলেন্দগী মশক মমিংবু হোংদুনা লাইরমলেন্নগী মশক মমিংদা ও. শিনবিহুনা লৈ-খিল্লে ।। হে য়াইবিরেল শিদবা নংদি তাইবংলেন্দগী শাথোক্লকুনা লাইরমলেন্দা লুতিনবা লাক্লব-নিনা কোয়ৌ ঙসিদগী থোইমুম য়াইবিরেল শিদবা হে.থুংহে। কৌবহু নংনিদো নংনা তাইবং শা-থোকপদা চাঙমখিবা নচিঞ্জাকপু পাওদাক পাওদম্বা ওইনা মৈকৌবদা লৈহুন লৈরাংনা লৈচংলো হাইনা নুংশিংকি মফমদা লৈখিল্লে ।।X

(২) মৈ কৌবগী লৈফমদা য়াইবিরেল শিদবন' মানা তাইবং শাথোক্লবদা চাঙম্নবা মচি-ঞ্জাকপু লৈহুন তম্না লৈথংলরবদা মানা তরং লাইজনা লৈপুবা লৈখিন্দুনা তাইবং শাথোক্লবদা চাঙম থকঙম্নবা মশকপু তরং লাইজগী মফম্নাংদা লৈহুন লৈরাংহন্দুনা লাইমিংবু হোয়ুং য়াইবি শিদবা কৌনা লৈখিনবিহুনা লৈচ হন্দুনা লৈখিল্লে ।। অশুম্না মথং মথং লৈহুন লৈরাংনা খোঙ্গা লৈথুং ক্ষমলেনবু লৈখিন্নহুনা লৈতিনকমদা লৈতিন্নবা পাওশানা লৈখিলহল্লক্লে ।।X

(৩) তরং লাইজনা য়াইবিরেল শিদববু মাগী লৈফমদা লাইমিংবু হোয়ুং কৌনা লৈচং ফম্হাল্লাং-বু কোবৌ হনবা মালেম অঙানবগী লৈফমদা লৈহুন লৈরাংনা লৈচং হন্দুনা লাইমিংবু য়াইবি তে তৌন্নু কৌনা মেরুবা মিংথৈনা (ওমহো কুপ হংচো) লৈহুন্না শিন্নরে ।।X

(৪) য়াইবিরেল শিদবা তেতৌন্নু ওম হোকুপ হংচো কৌববু লোইদাম থাজা পাথং শাওন লৈতান লৈফম্বগী লৈফমদা কোবৌ হনবনা য়াইবিবেনবু লাইমি. (থুম্মী সংন্নু) থাকৌনা মেরুবা লৈহুনবু মি স্বাসো তিন থাক সং) মি শুন্না লৈখিন্দুনা শান্নরে । X

(৫) লোইদম থাজা পাথং শাওন লৈতান লৈপু নৌফম্বনা যাইবিরেল থুম্মী সংন্নু কৌববু মমিং (ওক নিক হিক নিক নপ) মিংশুন্না লাইমিং মেরুনবু শ্না লৈতিং চিক ভুকুপলে মিরেল য়াইবি শিদবা লৈহুন্না থরাই পিচা থাবগী লৈফমদা লৈহিন্দুনা শিন্নরে ।।X

(৬) আঙ্গিদা লৈবা মশক পুম্ববু চুপথোক্লিবা থরাইপিচা থাবা কৌবীনা থরাই য়াইবি শিদবা স্না লৈহিং চিক ভুকুপ্লেন মিবেল য়াইবি কৌববু মমিং হোরিক হো থুম্মী লৈশংন্নু লৈয়োম্বা কৌনা লাইমিং মেরুববু কুং শং কুং লৈহুন্না রাকপা শজিক থরাইপিচা আঙ্গীগী মশক ওইবগী লৈফমদা

লৈথিল্লকুনা লৈশিন্নরে ।। আঙ্গিগী মশকপু ওইবা থরাঙশিচা রাকপা শক্তিক্রা থবাই শিদববু লাইয়েক হো য়ো সো হাইবা য়াৱা ইখোলবু হাপ্তুনা মশকপু নহাক ঐহাক মহাক হাইনা লৈপুশন্দুনা য়াইবি শিদবনা তাইবং মশক ওইনা শাফোংবদা থবাই যাইবি মহাক থবাইবু হিংনবগী মশকপু লৈহাপ লৈথম্মা চাওম্নুনা (ওমলেন ওরা লুকথোংবু) লাংজনা লৈরাং লৈহৌনবু লৈকংহন্দুনা হে মক তেংবানবা অসিবু ইঙাল লৈশা নোংদাম্লবা উংলৌ য়াইবিরেল শিদবা নঙ্গী নহাক মহাক কৌববু লৈহল্লক্লে নোংদম্বা নংনা তিনবা লৈকমদা তিল্লশি। নংনা লিক্লা পুনগী মমুংদা চোংশনবদো য়াওজনবু তানফংজববু কুবি নোংদম্মা লৈতিন্নরশিদো ওরা ।। হুয়ম হোয়াহে ।।X

উক্রোং মঙম থৌপুববু লোহরফুনা তাইবংপুম্বা ফম্বাল লৈতিন মিন্নহুনা অচা অথক লৈবা খিবিকপু চামিন্নহুনা মুংঙাইমিন্নরে ।। মতুদা নোংচুম্বনা হ জৈএ; লাইমিংথোই চেংবা থুখিন অমাহৰ।, ইমা শনিক ল্যাইনৌতাবী লুতিন ফম্বাল লাংহুনা অহাও অথুম চাহুনা য়াইফং পাওশাবু শাহুনা মুংঙাই য়াইফংবা অশিদা ঐখোই মখৈতা তিলু ফম্বাল লাংমিন্নহুনা চামিন্নে। অহুবু মুঙাই য়াইফংজগে হাইবগী অশিরোই মঙম্ থৌপুনদি ইতান লুচি বা ঙ' থা ঙাংলৌম্ন মুংঙাই য়াইফংনা চাবা অসিদি যাওবগু য়াওদে অশিবু করি কয়ম তৌরবনো? নোংচুম্বা চাওম থকঙবা পরম্বু তাইবং নখোইনা তিলু ফম্বানমিন্নহুনা য়াইফংমিন্নবা অসিদো নংঙান নোংদম্বন মাং য়াইথ ওবা অশিরোই থৌপুখিবগী উক্রোং মঙম্ নখোই খাইবু থৌপুনহন্দুনা শিঙবনি নংন্না মাদি থোরম অসিদা লৈকশিন্নহুনা চাবা থকপা য়াওঙম্বদি লাকখিরোইএ ।। নতোম্না নখোই খাইগী শেফ্রা হন ওয়্নকুনা তিলু ফম্বানমিন্নহুনা মুঙাই য়াইফং থৌরম্ তাংম্বং পাক্লা চাওনা শানে শানফ হুমা লৈগদবদি অশিরোইবু থৌপুনখিবা কোমৌংগী শি থোক শি হানবনা কোবৌ ওংং লৈহুন মুমিত্তা নখোই খাইনা অশিরোই মঙম উক্রোং লৈচং লৈহোংবা হাংনা নতোংগী য়াইফং মঙম চাঙনা তানফংনবা অচা অথকপু লাংহুনা নোংদম্ব মপু উংলৌ য়াইবিরেংগী লৈফমদা লৈহৌন তম্বীখিগনি ইমু তানবগী মতুদা লাইয়মংন্দগী লৈহল্লকুনা নখোইগী নরক্তা লৈরগদবনি। নোংচুম্বা ।। নংনা নতোনগী য়াইফং পরম্ তানফংনবা নতোম্না অশিরোইবু তানফংনখিবা বাংলম খাওগী থবান মিং- থেকপু ২১ নি পানখিবা নিন্দুঙী মতু থবান অসিব থৌকাওদনবা থাজা খুদিঙ্গী থবান অসিদা নংন সিগু য়াইফা মরাং কাইনা হনঙমলকুবা নোংদম্বা লাই উংলৌ য়াইবিরেল শিদবগী মথমলাংদা নংনা তানফংবা অচা অথক হৈ লৈবু লৈহুন লৈরাং তম্বীনদো ।। অহুগা লাংবন থাজা কোয়ৌ ১৬ নি পানবদগীবু থোহৌনা থাজনা মাখিবা হুমিং ফাওববু তানফংনবা হৈরাংব হৈশোইহুনা লৈরাং উং হংনানা থিকপেংনা নোংদম্বা লাইদা লৈগুন্না পুরুম থাগোনগনিদো ।। করিহুঙ্গীবু দমক্লো হাইরবদি নতোম্না লৈগুন ফম্বাল লাংবা হনঙমলকপদা থাজনা নোংমা পানবদগী মপুং লৈফা লৈতাল্লকপবু

থাবান শিংথেক ১৫ লৈগুনদা থাবুং শারেপ লৈফাবনু য়াইফংবা অতুন্নঙ্গ ম য়াইফংথৌরম্নু লৈপুন ফানা তানফংনবা থাজা অসিদা থৌপুগনিদো ।। থাজনা ৫ বুং ফারম্লগা কোরৌ নোংমা নোংমগী মতিক মঙম্ন, শামথনা লৈমুংলুবগুম লৈমুংনথ্রবা নাংনাম্লিদে যাইফংমা লৈপুন ফানা তাল্লবদি থাজনা নৌংশৈননা শাথোক্লতুনা মপুং লৈপুন ফাবাগুম য়াইফং লৈপুন ফানা হনজম্লক্লবা থৌপুবনিদো ।। থৌরম অসিনু থোকাইদনা তাইবং নখোই পুম্না থৌপুগদবনিদো; তৌজিন্দি থোইয়ুম শিঙ্গী যাইফং থৌরম অসিদা লৈরাং লৈথমজনু তাইবং নখোইমা মপুনা লৈগৌরবনিনা অশিরোক্ত হাইবা থোংলম অসিনা তাইবং মপোক পুম্নগী অরা অনং তানফংবনু লৈকোক্লবা য়াইফং, থৌরম ওইনতৌরো, ঐখোই ২শু লৈফম খুদিংনু লৈঙনা লৈকোইন কখিগে থোকগুমলক্লে ।।X

তাইবং পুম্নমা তাকওম্লম্না থৌরম্ন, লৈরাংতনবা থৌপুতুনা য়াইফা নোংদম্ন, য়াইফংনা থৌপুনা লাকখিনি হনওম্লকখিনি রাথল্লা ঙাইতুনা লৈঙম্মি ।। তাইবং যুমথো খুদিঙ্গী অনাবা অশিবা তোক্ত-শিল্লক্লে ।। কুমজা অমা লৈফাবা মথৈনু উক্রোং লৈচাওবা মঙম থৌপুবা হাইবা থৌঙম্ন, থৌঙম্মি, ইনুং ঙানবদা হল্লকখিনি হাইবদি হল্লক্লরে ।। লাইমিংথাই চে বা খুংলৌ অমাইবগা, মশানৌ কোঙম্ন থোকপা শানিক লাইনৌতাবী লাবীগা অনিনু লৈফম খরনু লৈয়েংলগা থোইযুম চীংলেন্দা পোথাহুনা লৈঙম লৈএ, তাইবংনা নরি করাবু হাইওম্নগে হাইতুনা পাও তাঙমগে হাইবগী ।। মতম অশিদা শিখিবা মশকলিং কুমজা অমা লৈগুবগী নোংকোনৌ অমা কোনবদা হনওম্লক্লদবনি তাক্রম্নদি লৈমাংখিবা তাইবং অতুদি হনওম্লক্লরে ।। মতুং মরেংনু লৈশিম্না তাইবং মশক অমদি মমা এক্তবী শিনা থাজা ১০ নাংপূবা, পানা থাজা ১ নাওপুনা থাজবু ১১ লৈগুনা তাইবং অমদি অংপাক শাথোক্লে ।। লৈংহল্লকপা শাফো মশক লৈঙংবু লৈশক থংতন্দনা লৈহল্লকপা অসিদা তাইবংশিংনা লাইগী মরোন মংনখিনা পাওদাক পাওশানঙম্মি হাইতুনা মপুক রাথন্দা তাশিবা লকনতুনা তাইব মথৈ রাতানতুন থোইযুম ২ বু লৈথিনরাক্ল ।। তাইবংশিংনা মপুক তাথিনতুনা লৈখিবকপবু থ ঙাউ রতুনা নোংদম অমাম্লক লৈশিম্নবা থৌপুংএ । লৈমুং থোংজারেলা রাংব্রেম, কৌক্ল অচিবা, ফাক্লাক অরিবা থা জিং থোইযুম লনা তংব শিং মাগী মাগী নোংদনা পুন্সি লৈপুন নোংদমখিবা মরা লেম্ফনু লৈশোক্লদরিঙেগা মমুংদা হুনি নারো পংযেংলাই ৯ না তৌ যতুন লোইথুং ১০৮ না চৈবিনতুনা অরা তেনথেং য়োইহল্লবদা নওান চাওনা থোইযুম লনা মাগী মাগী পুন্সি লেপুনব লেখুনা য়াইফংনা লৈপাল্লবা তৌবিও তাইবংশিংনা থোইযুম নখোইবু থৌওইরক্লবা মপুকনা কাওনরবলবদি নঙ্গী নঙ্গী নখৌনু লৈথানতুনা লৈঙমনব ওইঙম্ন । নাপাল্লম্না অমাইবা – রাংব্রেন পাথংবনা তাইবং মখোইগী পুন্সি নোংদম্ন, লৈশোক লৈয়োদরিবা মগৌদ লাইগী রানা লাইমি হারানা লাইথোং শিনখোংবু লৈথিবগা তিনশোন লইশাং্লা ব মথতুনা ইরাং থৌনিবতুনা তাইবংশিঙ্গী যাইথনা লৈপংনা থৌবুবিবা ওইবিঙ ।। নশকবা অম হব হিদাক্লা নাংথক্লা শানা কৌক্ল অচিবনা লৈডাম্নবা মনা রানা উরি রারি মনা মশিং উখং, উরং, মহে মরোং গপাল, মনং, মক্লনা লাইওং লইনং

লৈয়েংনা পিজা পিথক্লুনা লাইচু তিনজুবগু লাইকোকতন্না য়াইফং থৌরম্ তানফংনা লৈপাম্নবা থৌপুন্নবা তৌবিও ।। নোংমাই নোংথাইবা— পুক শুত্নুনা শাবা কোইবেল্লাই থাংজিং পাথংবনা তিঞ্জু লাইচুবা মৈ ঈশিং মুংশিংকি পরম খোংলম চুম্নক্তবা ঈরম খোংলম্ লৈফুন্নরকলবা নথুং শুবাং থুংশা তরানা মরি লিশা লিথাই লিশেঙ্গীহ্নুনা অরুম্ববু য়াংনবা অচিনবগু কোম্নবা কপয়াং তাং-য়াংনা লৈপাম্নবা তৌবিরো ।। অতুগা ঐনা পুন্সিবু লৈথংহ্নুনা মরা লেমফুনা তাওরগলনদা অমাই পুরেল লৈফুক্কপা) হাইনা শাথোক্লুনা পুন্সিবু লৈমিবু লেপ্পুনা তাইবং থবাই অপকমাবু চংলম লম্বিবু লৈতাকহন্দুনা অমম অঙানবু খোংহাং থৌরমদো ঐগী ইওম ওইরগে ।। খোইয়ুম খোংঙা রেম্না তাইবংশিংবু লোথাম্না লৈথম্নবা তৌবিরো তাইবংশিঙ্গী খোইশাওবা রার নেম্নবা পাওশাদি নখোই খৈবিকপু লৈঙাইনা মুংশাংনা লৈফম অশিদা লৈরম্মি নখোইনা খোংরাই য়েনহৌ থেংবনা লৈয়োরকপবু ঙাইংমদনা চংথরে, নোঙ্গা খোংলম্ লৈহাংনবা নোংদম থৌদাবু থৌপুনা চংথরে হাইনা পাওশানা লোথামহ্নুনা লৈঙম্নবা থৌবাবিরো মাগী মাগী লৈফমদা হনঙমখিহ্নুনা লৈঙম্নবা থৌশিল্লুরো ।।x

অশিরোই থৌপুখিবনা লৈহনলকপবু লৈথংনদ্রহ্নুনা তাইবং লুচিংবা ১ওন্দো রিবা, ২ শক মক্লিলা, ৩ চনিংহেনবা, ৪ তাইমরেং, ৫ থৌঙক্লু, ৬ য়োঙাইবা, ৭ লৈফম্বী, ৮ লৈয়াম্বী, ৯ লৈমুং হিকাম্বী, ১০ লৈপাক,য়াই কাম্বী, ১১ লিরি লফোংবী, ১২ মরাং তুপ্রাইবী, ১৩ শজিলাংকম্বী, ১৪ তরং লৈম্বা, ১৫ থিক্তোবী, ১৬ থাখোবী, ১৭ থিকচাওবী, ১৮ থাচাওবী, ১৯ শিংকাবা, ২০ থৌথাবা, ২১ থৌ য়েংবা ২২থৌয়াংবা, ২৩ থৌওম্বা, ২৪ শাফব, ২৫ লাঞ্জেংওম্বা অসিনা লুচিং কম্বাল্লাংনা রাওাম্নে অশিরোইবু থৌপূবদি মুংঙাইবা পরম্, য়াইফংহ্নুনা তাইবং মপোক্কি অরাবা থৌরম্বু লৈকোক্লগদবনি ।। মুংঙাইবা মশকপু য়াইফংনহ্নুনা হনঙম্লকদবনি হাইরগা শিখিবা মথৈবু মশক অমা ফাওবা ঐখোইগী ইরক্তা লৈক্নম্বগু য়াওরবা লৈতে উবগু ফংদ্রে ।। মচিন থিবা লাইনি থিহ্নুনা ফারগা মখোইনা নোংদম অসি মবাঙানিদা অমুক পিওমগ্রশি থংনবা লোথদবা য়াদ্র হাইনা চত্তুনা থিবক্লে । তাইবং পুম্নবু হৌনহ্নুনা লৈফম থুদিংবু লৈয়েম্নহ্নুনা লৈথিরকপদা লাইমিংথোইগা মশানৌ কোন্দে তনৌবগা অনিবু লৈফম চাফম থদনা লৈফম থুদিংদা চেন্দুনা তাইবংনা উদনবা লোৎপবু লোংফম লৈরকহ্নুনা কণ্ডাওনরকলে ।। কুরুম চিংলেন অরাং ইরোক চীংশা ১২ না শাওকোনবা চীংলেন চীংশা ১১ লোংবা চাংনা কোঞ্জিবা লম উরিপোকপা লম্মুংশিবু য়োঙম্বদা লাইমিংথোইনা হাইএ ।। ইশানৌ পাথংবা নপুকপু খোইজং খোইদনখিবা লম উরিপোকপা ল মুংশিবু রাইথংনরে নঙ্গী মম্বাল কুরুম চীংলেনবু তানফংনরে, লৈফম অসিদা লৈরোক্তুনা লৈঙম্নবা থৌপুরশি ।। ঐদি তাইবংনা খম্বুং অশিরোই থৌপুরবপ পুম্নকক্কি পরম্বু রাংব্রেন থানা চাওবা পাথংবনা মথৌ মওম্বু থৌয়েনা থাগৎলকপা তাইবং হকপু য়াওদ্রবা য়াইবিরেল লৈহল্লকপগী খোঙ্গা লম্বীবু লৈয়েংনা লৈতাকপীনবা


লৈওয়ে, লাইমিংবু থোংঙাক লাইরেম্বা মিংতম্না লৈফমতুনা নোঙ্গা থোংলম্ব, লৈতাকপিতুনা লমহান পুংলেন্দ লৈথিনবিরগা থেঙ্গুম চীংলেনবু লৈয়োনবা মকোক ইতুম মাইতানহনবা পরম থৌরম লৈফম্ব, শিন্নাকনঙমবিনবা লৈঙমগে ।। অতুগা ইশানৌ নংদি নপূক থোইচনা শাথোক লৈফমজ- থিবা থম্মৈ ইঙাল লৈশানরকলবা মুবাং চীঙ্গোন নশাইকোন ফম্বাল লৈফম অসিদা লাইমিংবু চীংঙু মুবাং মিংথোই কোন্দেবা লৈতুম্না লাবৈ লৈথ্রঙয়ো নঙ্গী ফালম্ব, লৈশুনবা ।। তাইবনা মঙম তরং হৌনা লৈথিনবা আসদা লৈফম অসি নত্তুনা লোৎনা ফম্বম্মু লৈতয়ে মোংদম্মতুনা চীংঙু মচিন মনাওয় তাইবংনা থংদনবা লৈঙয়ে ।।X

লৈহু থোংঙাবেম্না থোইযুম মচিন মনাও অনিনা শাথপ লৈফম থিববু উবদা তাইবংশিংবু লৌথামতুনা লৈথম্বা হাইদুনা মহাক্ত্তী মশক ২বু (তাক্রা ঙানবী, থোইনৌ ঙানবী) মিতুম্না খ্বাই লমহা পুংলেন অশিবোই নোঙ্গা থোংলমদা লৈথত্তুনা হাইঙম্মি । তাইবং অপকমা থোইনৌ ইশংবী অপুম্বা কাইনা কুংশি কুংঙোনবা মৈশা লাং মিংশ্মা ইরা ইথৌলাং, থুদাং পিফম লৈতৈনা, নমথাং ফিজিবু হচোৎনতুনা মাইগে ৪ শুংদাই ৪বু লৈকোইনা মিকপ মিরাওনতুনা কোইনা লৈথি নবদা তাইরম্মীদো নখোইবু মুংশানা, মোদম্বা লাইবু অনিদি কোরৌ নোংগা থোংলম্ব তানফং খোংরইনখরে ।। হাইরমদববা তাবলমদবরা নখোইদা ? শমু থোংদ হৈনবনা থোংনা তাম্লকও ।। রাবথৈদা হৈনবনা হিবু তোংনা তাম্লকও ।। লাঙ্গোই তোংবদা হৈবনা শগোল তোংনা তানঙমলক ।। য়াঙ্গোই তোংনা হৈঙম্বনা শামু তেংতুনা তানঙমলকও হাইদবরা পাওদাক পাওশানিরমগে তাক- ঙম বরমদবরা ... অপকমা নখোইবু নপুক রথবু অতুক য়ম্মা লৈথম অমম্বা হিদাং থোংকম্ব, করিব্ তিথাং ... নখোই থ্... দমক্তা হাইরম্মিদো এখোইদা ।। নখোই তাইবংপুম্ববু পোকপন্ত পোবচ, শিবঙ মিউ কুংশ ... মুশি লৈরোন পরম থৌলম্ব লৈখংনা লৈপা মী চুকশা ... কোনা নুথাং ... ১ঙম ... থোপুনতুনা লৈপাক ।। তাইনা পুংদা তাইরম গ ... পুংদা উনাশ লৈথ ... ।। হাকৌ থমতৌ ... লৈশংবা তিতোনফমদা তিয়োম্না তিথ ... থিথানা পান্দ ... নখোইশম্বু য়া হী থমতৌ লেরোন ... লৈনবা শিঙ্গাকউশু শিঙ্গারংগা নখোইনা য হৌ থমতৌ ... বনা ভাইঙমলতুনা চংখরে ... ।। তাইবং পানবগী মপু নোংদম্বগী কিকলাপুনগী ... চোংশিনখরে ।। তাইবং পানবগী মপুশু থরাকেনগা য়াইবিরেন শিদবগাদা চংখরে ।। থিঙমতুনা ফ- লরোই যেংবদশু উররোই হংচু তুনং তাবলবল শাই তাতুনশু থ... ।। নখোই ঐখোইগী য়াইফ পৌরম্ব হানফমবা থঙাওনা লৈচাওনা লৈপাম্নবা পুন্জি মরা ... লৈপাম্নবা নং ঐগী ই থৌজম্ব শিম্নানবনা চাকহো, ... লৈপাম্নবা হাথা ইঙম্বু থোপুনবা হনঙম্নশি হানা পাওশানা অশিরোহ থম্মৈ থোংলম খো ... লমহান পুংলেন্দা) লৈথত্তুনা পাওশানতুনা

তাইবং কোইজাইবা পুম্নবু লৌখামদুনা মাগী মাগীময়ুমদা লৈহঞ্জন্দুনা লৈঙম্লরে ।। তাক্লা ঙানবী খোইনৌ ঙানবী মখোই ২শু তাইবংশিঙ্গা লোইনদুনা অশিরোইগী চৎনম্নু মথল মথা শিঙ্গাক্নুনা লৈমিন্নরে ।। মপোক কুমজা ২ দগী লৈংলবদি চুকশা মেথাবা য়াঙম্লাং লাইরমলেন্দা নামুংশি শিন্তাক্নুনা অপোক ইফাওনববু কুমজা ৩ বু লৈচৎনবা থম্নু শারা তানফংবদি মালেমদা লৈকোম শেমদুনা ফুমদুনা মালেম ইমাদা লৈতিলনহল্লে । লেংফাই লংহৎবু তানফংদবিবা লাইমিং লাইয়েক তানফংদরিবনা থম্নুং শারা তাল্লক্লগা কোরৌ ৭নি লৈচৎবা ফুমিত্তা উক্রোং মতম্নু লৈহোংনবা থোঙম পুনববু নোংদমদুনা থৌরম্নু চৎলম লৈখাইনা লৈপাম্নদুনা নাবা শিবা মতম্নু তানফংনা লৈপানববু থৌহৌরে ।।X

মৈতৈশু নোংদালাই পাখংবা মথংলেংনা হৈয়িচক কৌবা চক অসিগী মন্নুংদা লৈবাক্কি লুচিং থৌপুবা ৮৬৪ লৈপান্দুনা ছোলম্মা হনবা কংলৈশ্না পুংমাইয়োন্দা নোংদম্বনা তাহবং ইপোক ইখনবু নোংদম মউলিং চরি মপান লৈথাদুনা লৈশম্নবা থৌপু থৌঙম থৌপুনবনা মীরোন অসিনা লোইবদা হৈয়াচক কৌবা চক ফৈদোম ৮গী ইঙানবু শাফোংনরগে হাইবগী মঙান মতম্নু লৈচংনরক্লে ।। মীরাং কৌত্র অশুপ্পা লৈময়োন খুন্দা অহানবনা হাইএ- তাক্লা ঙানবী, খোইনৌ ঙানবী তাইনং ঙক্তা য়াঙ্গোইরিবা, মেরা হাইবা থাজা অসিগী থাজা ৯নি পানবা নোংকোরৌ মশিং= নিংথৌকাবা মক্লনা থৌপুবা কোলুপ্তা হৈয়াচং কৌবা চংবু মপোক ইহুন তমথ্রোদো, চক অসিনা লৈপানগদবশে তাইবং মপোক্কী কুমজাদা লাপুন তরাগানিথোই লিপুন মরিফুত্তরা তরুক= ২,৯৫০০০ মপুনি ওইনা লৈপুরনিদো ।। মতম থরা অসিদগী তাইবং মী অসি মশাগী খুৎশাম হুনি ১৪ দা মরেপ য়াংনা পোক্লরনি ফিশেৎ লৈতেংবু লুপানা শাবা মশক্তা ওইনরগনিদো মরম অমনু লৈখংনা লৈপাল্লো তাক্লে ।। হয়াচং অসিদা শাথোক্লনা কংলৈ পুংমাইয়োন্দা লৈপু লৈপানগদবদি নংথিবা, থরোনৌ লৈমা চথানু, শৌবোন লাইবেম্বী, শুখোংনা লৈমা, কেবোইনবা, হুবা মহারাবা খোইয়ুমশিংনা শাথোক থৌহৌনা লৈপাল্লগদবনি ।। খোইয়ুম লাইমিংথোই উংলৌ য়াইবিরেল শিদবা নখোং থুযারেল থম্বাল লৈঙাং লৈকানা তমজানরিববু পুরুম লৈপাইনা খোইয়ুম হৈযম কৌবা থম্নুংদগী ইঙাল লৈশারক্লুনা মথংলেংনা নাওদা পাওশানরক্লপবু হয়িচক কৌবা চক ফৈদোম ৪ গী পুকোক্কী পুরাম্নিবু নিংশিংনবগীদমক্তা লৈশিঞ্জবা অশিবু পাওশা রাহৈ থক্তিক আসনা লৈরোইশনবা ওইঙম্না নফম্নাংদা লৈহুঞ্জরি, তাথি নাওইবিদুনা লৌবিদবু ওইবিগনু, নোংদম্বা মুগী নঙমদি লৈহাপ্পগী অরোইববু লৈতব , লৈখনবশু নাইদবা মপু নক্ল। [illegible] নোংদম্বা ।।

হয়ম হোয়াহে খোইযুন লাইমিংথোই ।।X।।X।।X



কাচা বাইন্ডিং—মূ: ৮০,০০

পাকা ,, —মূ: ১২০.০০